

লৌহকপাট

[জেলগী 'য়োংকী থোঙ]

(অহানবা শরুক)

জরাসন্ধ

মৈতৈলোন্দা হন্দোকচবা:—

শ্রীশঞ্জেনবম নদীয়াচাঁদ সিংহ

বি: এ:, সাহিত্য ভূষণ

এক্স—মিণিষ্টার মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, এক্স—প্রেসিডেন্ট

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসিনচিংবা।



ফোংজবী—
শ্রীমতী শঞ্জেনবম রাজকুমারী থাম্বোই দেবী,
সেগারোড; ইম্ফাল।

অহানবা ফোংবা — ইং ১৯৬৯, ডিসেম্বর
কপী— ১০০০

ছাপা নঙ্কম—
দি গান্ধী মেমোরিয়েল প্রেস, পাউনা বাজার, ইম্ফাল।

ORIGINAL BOOK

অহানবা	ফোঙবা—লমদা,	১৩৬০ সন—১৯৫৩	ইংশোক
অনীশুবা	খূৎনম —কালেন,	১৩৬১ সন—১৯৫৪	,,
অহুমশুবা	,, —মেরা,	১৩৬১ সন—১৯৫৪	,,
মরিশুবা	,, —শজিবু,	১৩৬২ সন—১৯৫৫	,,
মঙাশুবা	,, —লমদা,	১৩৬১ সন—১৯৫৫	,,
তরুকশুবা	,, —ৱাকচীং,	১৩৬৩ সন—১৯৫৬	,,
তরেৎশুবা	,, —ইঙেন,	১৩৬৪ সন—১৯৫৭	,,
নিপানশুবা	,, —হিয়াঙ্গৈ,	১৩৬৪ সন—১৯৫৭	,,
মাপলশুবা	,, —ফাইরেল,	১৩৬৪ সন—১৯৫৭	,,
তরাশুবা	,, —শজিবু.	১৩৬৫ সন—১৯৫৮	,,
তরামাথোইশুবা	,, —পোইনু,	১৩৬৫ সন—১৯৫৮	,,
তরানিথোইশুবা	,, —ইঙেন,	১৩৬৬ সন—১৯৫৯	,,
তরাহুমদোইশুবা	,, —থৱান,	১৩ ৭ সন— ৯৬০	,,
তরামরিশুবা	,, —ৱাকচীং	১৩৬৮ সন—১৯৬১	,,
তরামঙাশুবা	,, —লাংবল	১৩৭০ সন—১৯৬৩	,,
তরাতরুকশুবা	,, —ৱাকচীং	১৩৭২ সন—১৯৬৫	,,

থাহৌদোক

Education Secretariat না Sponsor তৌবিদুনা Secretary (education) গী য়াথং মতুং ইন্না লৌইকপাট কৌবা রারীমচাগী লাইরিক অসি ঐনা মৈতৈলোন্দা অনুবাদ তৌজবনি। Education Secretary না লাইরিক অসি ছাপা তৌনবা মতিক চাবা Publication grant পীবীখিবা অমসুং ছাপা তৌবা লোই-রগা " Printed copies of the books " গভর্ণমেণ্টনা লৈবি-গনি হায়না তাকপিখিবা অদুগী দময় তৌবিমল খুড়বা উচ্চরি।

লাইরিক অসিগী লামায় ২৫৭ তা foot note ইরিবদু গ্রন্থ-কর্ত্তাগীনি। অদু নত্তবা foot note অতৈদি ঐনা ইজবনি।

লাইরিক অসিগী copy right কী মরমদা হৌজিক সাহিত্য একাডেমীগী প্রেসিডেণ্ট ওইবিরিবা স্বনামধন্য ওইরবা ডাক্তার শ্রীসুনীতিকুমার চটাজ্জি পদ্মবিভূষণ, নেশনেল প্রোফেসার অফ ইন্দিয়া ইন হিউমেনিটিজনা ঐগী ইতেং পাংবিখি। মহাক্না নীংথীনা শিনবিদুনা মহাক্কী নকুবা relative লাইরিক অসিগী গ্রন্থকর্ত্তা শ্রীচারুচন্দ্র চক্রবর্ত্তী এম,এ(pen name জরাসন্ধ) না মমীংত' ওইনা royalty লৌ বদুনা অনুবাদ তৌনবা permission পীবীরে।

ডি: এম: কলেজগী Chemistry গী Head of Department, প্রোফেসার শ্রীধীরেন্দ্র লাল মুখর্জ্জী এম, এস, সি, না লাই রিক অসিদ য়াউবা অরুবা বাঙ্গালা রাহৈ থর। অনুবাদ তৌবদা ঐগী ইতেং পাংবিখি। গান্ধী মেমোরিয়েল প্রেসগী ম্যানেজার— শ্রীলাইশ্রম বরমণি সিংহনা লাইরিক অসি ছাপা নম্বা মতমদা মমল য়ামখুবা Suggestion কয়ামুক পীবীখি।

ভদ্রলোকশিং অসিগী মফমদা ঐনা তৌবিমল খুড়বা উচ্চরি।

সেগারোড, ইম্ফাল, ডিসেম্বর, ১২. ১৯৬৯ ইং

শ্রীনদীয়াচাঁদসিংহ

C. C. Chakravarti M. A
(Pen—name Jarasandha)

'ARUNACHAL'
639 NEW ALIPORE
CALCUTTA—53
PHONE : 454747
Dated October 26, 1968

Sri Nudiachand Singh,
Ex—Minister, Manipur State Council,
Sega Road, Takhel Leikai,
Imphal, Manipur.

Dear Sir,

Thanks so much for your letter of the 11th instant written to Dr. Suniti Kumar Chatterjee who has very kindly passed it on to me.

Shri Sachindra Nath Mukhopadhayay to whom you addressed your earlier letter appears to have missed it.

I am pleased to accord necessary Permission to translate the 1st Volume of my Lauhakapat into Manipuri as Proposed and get the translation published.

You need not worry about royelty. I shall gladly accept any amount you consider reasonable and take it to be a greater reward if the book is warmly received by Manipuri readers.

Kindly acknowledge receipt of this letter. Thanking you.

Yours faithfully

26-10-68

Sd/— C. CHAKRAVARTI

লৌহকপাট

[অমা]

কর্ণগী মমা কুন্তীদেবীনা মহাক্কী পোকপদা ভায়রিবা মচাবু সমুদ্রগী ঈথক্তা তাউথহনখি। মহাভারতকী মুংশিবা মী কায়নবগী পুক্কীংদা অয়াবা পোকহনবা অসিগুম্বা বারী অসিনা ওসি কাওবা ঐখোয়গী মীত্তগী পি শিন্থহল্লি। অদুবু ঐখোয়গী ইমাগী শককম লৌবী বিশ্ববিদ্যালয় (University) না চহী খুদীংগী মচা চামা চামা পোক্লগ মপান নাইত্রবা সমুদ্রদা তাউথহল্লি, মখোয়গী দমক মী কনামতগী মমীত্তগী পি বিন্দু অমা তাদে। মপী তারম্লবদি মাহুতনা পব্ব (অধ্যায়) তরানিপাল গুনা য়াওবা মহাভারত অমগা লেংব য়ারমগনি।

নিয়ম চুম্না ঐবুস্থ ঐগী মুংশিহৈবী ALMA MATER (থৌজ্রালহৈবী ইমা—অরীবা ছাত্রশিংনা মখোয়গী University বু কৌবা মীংগৌ) না ওকশমদা ডিপ্লোমাগী কবচ অমা য়ানবিদুনা নরাইবক্লা ভম্বা ফংজক্করো হায়দুনা নোংমা থাদোকপিরম্মী। 'দ্বারভাঙ্গাগী' মবুক মমুংদগী থোকহল্লগা সংসার সমুদ্রগী ঈশিং ঈচেল ইরৈদা ঐবু হুনজিনবিরে। পীকথ্রবা কেরানীগী থবক্কী পোঙ মচা অমতং থিদুনা পীবিনবা উপাধি (title) ফংবা মামা, অভিভাবক (guardian) ওইবদা মনীং থুংলবা ইমাগা পোকমিম্নবা ইন্দোলগী মরা খুড়া, অদু পুন্নমক তোক্কুনা মনানিপা

পোক্কবা চৈগন থাংগনবা ইকুবোক ফাওবা ঐ থিবা ফংলমদে। অভৌবা জিনগী প্যান্ট (খোঙগ্রাও) অমগা নিম মচুগী তসরেট কোট অমগনা ঐগা জাব হিংনবা উপায় ওইরম্মী। অসিগুম্বা ফীজোল আসি শেংতুনা থাট (তুরেলগী হিদেন) খুদীংদা চৈগী চৈনাখোল ফংতুনা ঈশিংদা তাউতুনা চংপা হৌরক্কে।

মরক মরক্তা শিকার (শাতানবা) তৌতুনা হাকিম ফাবগী কান্নবা লৈরক্কবা কান্দা, পূকচেল চাউবা সরকারনা অসিগুম্বা মবুক লাগ্রবা ঈশিংদা তাউতুনা লৈবা জীবশিং অসিগী মচীন ময়াদা Competitive Examination গী তা ফানবা তিল মাওম্বা খোঙ্গ হুনজিনবিরম্মী। অতু উবদা ডিগি ফংলবা মীদলগী মীয়াম্না কাবাম চাউবা ওইরক্কে। অতুগী মতুংদা উবা ফংখরে—মী অয়াম্বনা খোঙ্গা তীল য়োংখ্রে, অতুবু কংফালদা চিংখৎলকপদি মী অনী-মারদানি, চিংখৎলক্লিবা মীশিং অসি তশেংনা ফবা নিপামচা ডাক্তনি, হায়বদি পরীক্ষাগী থাতাদা নম্বর য়াম্না ফংবা, অতুদি ওইবগা পুলিসগী থাতাদা নম্বর তাদ্রিবা মীতানি। ঐগী মরূপশিংগী মতুংদা দস অমদি অসিগী মতুংদা কংফাল কাখরে। মখোয়গী মরক্তা কনা কনাগুম্বনা ঐভোন্দা আশা পীরম্মী, কনাগুম্বা মী অমগা মথৎগা অঙৈংবা ঈশিং নোংগুম্না চুখরম্মী মখোয়না হায়রম্মা, মাসি পরীক্ষা নত্তে, লাংথাকপনি। থাউনা চোৎপা, মবেংবান নেম্বরা, হায়বা ইনবা গুডবয় দল অমা চাকরিগী মমক সরকারনা পায়রম্মী। শল লাবগী পোপু

মরেংবান্দা হাপতুনা চেনবা, অদুদি ওইরগা করিগুম্বা অবস্থাদসু মকোক হাইগৎলোইদবা মীতানি। নওদি মাহু ওম্মোই। অসি-গুম্বা অফবা গুণ অসি ঐগী লৈ নত্রগা করিগুম্বা কান্নদা লৈরকপা য়ায় হায়বগী ঐগী ইশাবু ঐনা থাজবা লৈরম্মে। অদুদি ওইরগা মতম অদুদা application অদুগা interview দা অহাওবা মগাও য়াওরকত্রে, ঐগী মায় অসি হোৎননবগীদমক সরকারী পরীক্ষাগী ওা ফানবা খোই অদু ঐসু নোংমা য়োৎলে।

শ্রীকান্তনা হায়রম্মী, ইংরেজনা পানবা মতমদা ডাক্তারশিংগী তৌবা ওম্বা শক্তি য়াম্ন কল্লি। শা হাত্তুনা য়োনবা দোকান তানা পুহনা চৎলবা শা ফাওবা জবাই (হায়বদি কোরাণগী মন্ত্র শোন্দুনা আল্লাগী চরণদা কৎতুনা শাগী মওক ককপা) গী অধিকার ফংফম খোকপহু ফাওবা ১ ডাক্তারশিংগী মায় য়েংতুনা লৈবা তায়।

ঐ মীনায় শওগী যাত্রি (তীর্থ চৎপা মী) নি। মরম অসিনা মাসি প্লেগ কোবা লায়নাগী লায়েংবদা নত্তে, মাহুদগীসু হেন্না অকিবা মশক্তি অমসুং মতম য়াম্না চওনা ডাক্তারনা য়েংনবা, শক্তি পূম্নক লৈবা Medical Board গী দরবাবদা ঐগী অসম্বা করিস্ন লৈতবা হকচাও অসিবু কৌরে। মেডিক্যাল বোর্ড! মশানা ভোগ তৌরবা হায়বদি থেংনরুরবা ঐগী মহাংকংবা

১ হাত্তুনা য়োনগদবা শা অদু rinderpest নাইবা অনাবা মশাদা পকপরা ডাক্তারনা য়েংবা তাবনি হায়বনি।

মরূপ অমনা মমীত্তগী মপী তাম্বুনা পোং অসিগী মমীং হাঁছিকাঠ (মজ্জদা বলি তৌনবা শাগী মঙক থমকম উতুপ) হায়না থোল্লম্মী। মাতুগী মুংশিবনা কোনশিনবা অতুগী ব্রা খল্লুমদা মাঙোম্মগী হেন্না য়াংকংবা ঐগী থৌরী চরম অসি তৌয়না তৌয়না অকিবা ফংলে। ঐগী মরূপশিংনা শাস্তি ফংনবা আশা পীরম্মী। ঐগী ফনবা নীংবা মীশিংনা পাউতাক পীরম্মী। কনাগুম্বা মী অমনা হায়রম্মী—ডাম্বেল অভ্যাস তৌ (শান্দো); কনাগুম্বনা শাম্নু নত্রগা শন্দংগী চর্ব্বী মহাও চাও, কনাগুম্বনা হায়রম্মী কাশ্মীর নত্রগা উটকামগুদা কোয়রু। অসোমদা interview তৌগদবা মতম মুমিং ১৪ নিদা মঙায়রে।

মী পূম্নমক্কী মতুংদ', মী পূম্নমক্তগী হেন্না জ্ঞান লৈবা নিপা ঐখোয়গী বোর্ডিংগী ম্যানেজার হরিপাওা লাক্লম্মী। ঐগী ফত্তবা অবস্থা উরম্বুনা মহাক্না পূক্লিংগী অরাবা ফোংদোকলম্মী। অতুগী মতুংদা তপ্না তপ্না হায়রম্মী—অতুম্বা লম্বী অমা লৈ। অতুবু নহাক্না পামগদরা? নখোয়দি পূম্নমক—

মাগী ব্রা থদংতুনা ঐনা নোল্লুক্না হায়রম্মা—ঐবু কনবিয়ু হরিবাবু; ঐগী থুদোংথীবা অসিদা নহাক অসি ঐগী অমত্তা ভারবা আশানি। হরিপাওানা ভাইহাক ম্নাথল তৌরগা লোন্না হায়রম্মী—আলু অফুংপা চাবিয়ু।

আলু অফুংপা।

আলু অফুৎপদলি, মাহুগা লোয়ননা চাক চরা অনী। চয়োল অমগী মতুংদা নহাক্কী ফুরিংশিং অহু চিনমন্দুনা লিংপা য়াদবা হায়বহু ওইরকত্রবদি ঐগী ইমীং হয়িপাওবা নত্তে!

মপান নাইত্রবা সমুদ্রগী মপান উবা ফংলে। এনশাং— হন্নাইথোংবা, ভা-শা, শঙ্গোম-ঘী চাদ্রহুনা তা ভাহুনা লৈরে। চাক অহুগা আলু অফুৎপা, আলু অফুৎপা অহুগা চাক মথং মথং হুমিং ১৪ নি চারে। ম্যানেজরনা ঐবু চানবি। থা লোইবদা বোর্ডিংগী চার্জ পুরা লৌহুনা ঐবু মুক্তি (অরান খুবম) পীবিরে, মহাক্না ঐঙোন্দা পীবিখিবা পাউতাক অহুগী মমল হিসাব তৌহুনা অহেনবা শেল পীয়ু হায়বিদরে।

অহুবু অমুক য়াম্না সেবা তৌরবমু, অমুক য়াম্না নাকোং থাইচিনবা য়া তারবমু ঐগী হকচাং মহাশয়গী মপুক্লিং থুংহনবা ঙমখিদরে। হকচাঙগী অরুম্বা অমসুং থবাক অকোয়বগী ওনবা মাপ—অনীমক ঐগী কত্তবা সংক্ষীশিংগী মরক্তা মমীং ইহনখরে। বোর্ডগী মেম্বরশিং শুকথখরে। অংবু ডাক্তারগী অভিধান (dictionary) দা নীংবাকায়বা কৌনা য়া অমতা লৈতে। শক্তি য়াম্না শিজিন্নহুনা পরীক্ষা তৌরে। কত্তগা অভাওগী মথুত্তা সেলুলয়েডকী লাইফদিবী তারুবগা মাহুগী ওইবা দশা অহু, লান্দগী হল্লকপা আই, এম, এস ডাক্তার অহুম্না পুন্না লান্দারকপদা ঐগী য়াঙকংবা হকচাঙগী ওইবা ফীভম অহুপ য়াম্না কত্তবা ওইদরে। পুক মেংহুনা, থবাক্তা রৈহুনা, য়া চিংহুনা, হীপহন্দুনা, ফমহন্দুনা,

খোনাও মমু'দা চৈ থিংজন্দুনা, চেলহন্দুনা, চোংহন্দুনা অমসুং খাঙবা য়াবা অমসুং ফজদবা ইকাইবা পীবা থবক কয়ামুক তৌদুনা (মাহু ডাক্তারদদা ওইবা য়াবা) মখোয়না ঐবু থাদোকপা মতমদা, ঐনা থম্লম্মী, চাকরি তৌবগী মতিকচাবা জীবনী শক্তি (মীওইনা পানবা ডয়বা হকচাংগী পাঙ্গল) পূম্নমক অহু পরীক্ষা তৌবা লাকপদা,' মখোযগী মথক্তা লোইথরে, চাববি তৌনবগী অরেম্বা শক্তি লৈহৌদবে। অদুবু কবম্গা পুণাননো থিডদে, হরিপাওাগী আলু মতুমগী কুপানা ওইরম্বসু য়ায, মমৈথংদা কসাইখানা (শা হাত্তুনা য়োম্নবা শেম্বা মক্ষম) গী মপুশিং পেনবিবে। ঐগী নক্কনগী মথক্তা দাগ অমা তারে—ফিট (Fit)

করিগুম্বা মওং অমা তৌদুনা বৈতরণী (শিরগা আত্মানা লানবা তুরেল) লান্দুনা লাক্লে। হাকিম ওইবগী স্বর্গ কাবদা অপনবা লৈতরে। ঐগী ফনবা নীংবা মীশিং তথক তথক তৌরক্লে। মরূপশিংগী থোনা ইচঙ থোবগী ময়াঙ কংদুনা লৈরম্বা ঈশিং অহুদা জোয়ার (ঈশিং চাউথংপা) কারে। মখোয়না ঐবু Congratulation গী ঈশিং ঈচাওদা ঈবাক্লহল্লে। অদুবু কদায় কৌস্নু কৌরক্লে ? ঐগী মোহর নম্বা গদি (ক্ষমক্ষম) অহু হাওদুনা লৈম্রগগ্রা ? নোংমগী মতুংদা নোংমা হৌথরে। ছিডি মেজিস্ট্রেস সার্ভিসগী পাউ পুদুনা বাদামী (বাদাম) মচুগী লেফাফা অমতা লাক্তরে।

অহানবদা থরায় ভুংডাইতবা অমসুং শাউনিংবা পোক্লম্মী, অদুবু মমৈদা ঐগী পূক্লিং থেমজিন্দুনা শান্তি পীরম্মী। মাসি করে।

হাকিমি (হাকিম ওইব) গী মোহগত (শুমহৎপা লৈখুন্দা) দা ভগবান্না থাদবিদম্বুনা ঐবু লালদীঘিগী লৌবুক্তা পুরক্নুনা থাদোক-পিরে। করিস্মু লৈতবা বিঘা অনীগী মহুত্তা পাকচাউখ্রবা Secre-tariat কী বিশ্ব সংসার (জগৎ সংসার) অপুম্বা ইম্বুনা পীরে। অমুক লান্দাবা হৌরে। জীনগা প্যান্ট (খোংগ্রাও) অমম্মুং তসরেটকী কোটকী মথক্তা হম্না হম্না মচু শণবা অমম্মুং শুচাম্বগী নম্বর ভাবা হৌবক্লে।

বাঙ্গালা সরকারগী মন্ত্রী অমা চাকরিগী মিহৌনবা মশক ওইবা বাদাম আঙ্গুরগুম্বা হৈ থরা পায়দুনা চট্টগ্রামগী চাংদুম অমগী মথক্তা ভাইদুনা লৈবে হায়বা খবর কাগজগী পাউ অম্না মতম অসিদা ভাবা ফংলে। ঐগুম্বা হীবা মচেং অমা উরবদি অচৌবা হৈ অমা ঐগী খুত্ত হাপকনি হায়বগী মরমদা ঐগী চিংনবা লৈরমদে। য়াম্না শাংবা পাকপা থবক হাপ্নীয় হায়বগী Testimonial অমা থিরুদুনা ফংলে। মাসিং পীরিবা নিপাসি মন্ত্রীগী য়াম্না চান্নবা মকম্নি অতুগা মখোয় অনী মরূপ ওইবসি মরুওইনা গ্রাস (যু থকমিন্নবদগীনি) ননি হায়বা রা তারে। মরম অতুদা চাকরিগী মরমদা চিন্তা তৌবা তৌদনা চট্টগ্রাম তানা চেন্নে।

ফজখ্রবা বাংলোনি। অকোয়বদা নীংথিনা শেমশাদুনা লৈবম্মী। মথল য়াম্বা ফীজোল শেংপা হায়জ-চচ্চবা মীনা থম্না লৈবম্লে। অতুবু মন্ত্রি সাহেবপু উবা ফংলমদে। মহাক বাংলোগা

শয়বা গোলাপকী লৈকোন্দা অয়ুক কোইবা শাশিন্নহুনা য়াম্না ফজবা লিক্লিগী পাত্র অমদা পোমশাৎনবা গোলাপকী মমুংদগী অহৌংগী লীক্লা লৌশিল্লি হায়বা পুং অমরোম ভাইরবা মতুংদা থগুনরক্কে। মাইকৈ অদোমদা য়েংলগা ঐনা পুক্কিংদা খল্লকই, তলব য়াম্না চাউবা ফম (highly paid post) দা থবক তৌবা, থবক শুবগী অন্নাবা থওদবা অসিগুম্বা মন্ত্রিশিংনা কয়াদা কন্না থবক শুবা তাবনো ?

পুং অমম্থু হৌথরে। মমৈথংদা শিবা কিদনা গোলাপকী ফুঞ্জ অহুদা মপুক্কী য়াথং য়াওদনা চণ্ডহুনা মন্ত্রী বাহাতুরদা কোক নোম্বহুনা ঐনা সেলাম তৌরম্মী। মহাক্না কাজ্জল থাবা তথক তথকপা মমীৎ অহু লাওনা পাংথোক্তুনা ঐভোন্দা য়েংলকই অমম্থুং testimonial গা লোয়নননা ঐগী দরখাস্থ লৌরম্মী। বক্তৃতা মচা অমতং তৌহুনা (ব্রা থরা ভাওহুনা) মহাক্না ঐবু চানবিয়ু হায়জরম্মী। অথোইবা মন্ত্রীনা ঐগী ব্রাগী পাউথুম পীরমদে। নোকফেং তৌহুনা অমুক হন্না লীক্লা লৌশিনবা মথন্নায় য়াওনা হোৎনরম্মী।

পুং অহুম হৌখ্রবদা মন্ত্রীগী সেক্রেটারীগী মফমদা চঙজরে। ঐগী দরখাস্তগী ব্রা হংবদা মহাক্না ইংরেজী লোন্দা য়াম্না শুকথহুনা থগুহল্লকই—মাহুগী জবাব ডাকনা লাকনি।

চহী ২৪ থা ৭ হৌখরে। ডাকঘরদগী পাউ অহু হৌজিক ফাওবা লাক্তরি। মতম খরম্থু ব্রাংলমখিবা য়ায়।

ফম হাপ্পীরবস্ু হাপ্পীদ্রবস্ু পীবিয়ু হায়না নিরুবা নত্তবা অমসুং জ্ঞান যাম্না য়াওবা পাউশাক পীবদা মী কনাম্নু লীকপা তৌদে। রেজিষ্ট্রেসন ডিপার্টমেন্টগী মকোক ওইরিবা অফিসার অহুনা ঐবু তবাম তরাম ফমহল্লে। দেশগী মমুংদা চাকরি ফংদবগী অরুবা রাফম, মচান্নুপী লুহোংবদা অউনপোৎ পীবগী নিয়ম, ফম প্রমোশন পীবদা গভর্ণমেন্টনা বিচার চুম্না তৌদবা অসিন-চিংবা অচৌ অচৌবা বিষয় শাংনা নৈনরবা মতুংদা মহাক্না হায়রকই—থবক অমতং তৌবিয়ু। চাকরি তৌরগা করি ওই-গদবনো ? মখুংনা লাক্কল পায়দবদগী বাঙ্গালীগী ফত্তবা দশা ওইরিবা অসিনি মখোয়গী লৈপাক য়েংবিয়ু। লয়েড জর্জগী মপানা খোংউপ তুরম্মী। ফোর্ড মিস্ত্রী ওইরম্মী। অহুবু—

ঐনা করিম্নু লৈতবা মাষ্টারীগী থবক ফংগে হোৎনরি হায়বা পাউ তাহুনা শিক্ষা বিভাগ (Education Department) কী মকোক ওইরিবা অফিসার অহুগী মতেং পাংবা অফিসার অহ নোংমা মথরায় য়াম্না মুংঙাইতরে। মহাক্না হায়রম্মী, ইয়ংমেন, নথরায় মুংঙাইতহুনা কৈদোনবনো ? লরায়দা চংলু, য়ুম য়ুম খুদীংদা শিক্ষা (মহৈ তম্বা) শন্দোকলু। শরৎচাটুজ্যেগী পল্লী-সমাজ কৌবা লাইরিক পাবিরবরা ? বিশ্বেশ্বরীনা হায়রম্মী—মৈ থানগংলু রমেশ, মৈ থানগংলু।

হৌজিক ঐখোয়গী পাখংশিংনা মৈ থানগংকদবনি।

Excise অফিসদগী Veterinary, Health দগী Fis-hery—অফিস অমতা থাকহরে। ঐগী খোংউপকী সোল অহুক

শেয়্রে। ঐগী তসরেটকী নিমমচুপ্পী কোট অহু মৈথু মচু মানখরে। মফম অনীদি মনাক চঙলুদরি—জেল অহুগা পুলিশ। করিননো খঙদে, মথোয়সিগী মম্মদা ঐগী পুক্নীংদা অকীবা অমা লৈরম্মী \ অহুবু জেল বিভাগকী কুচু ডোবা ইন্সপেক্টার জেনেরেল অচৌ অশাংবা লেফটেনান্ট কার্নেল আই; এম, এস অমনা মশামক্না ইথঙ খংহৌদনা ঐবু কৌবা অহুদা মীওইবগী মরাইবক লৌহনা শাম্নবা যাদুকর (যাদু তৌবা নিপা) অহু মপুক্নিংদা নোক্নম্না য়ায়। কিনা কিনা মহাক্কী মমাঙদা চঙহনা লেপ্লুরে। খাংহৌদোক খাঙদনা মহাক্না হায়রকই—নঙগী রাফম য়েংলে। ভেরী স্যাড। অহু ওইসন্নু। ঐ নহাকপু লৌশিন্নগে নীংলে। চাকরি তৌবা হয়বসি অসিনি, মাহুগী মতুংদা ওইরক্কদবা মওংনা অসিনি—অসিনচিংবগী মরমদা ঐগা পুক্নীং চিংশিনবা বননা (শন্দোক্না তাকপা) অমা পীরে—মাহু তাবদা ঐনা খল্লে মাসি চাকরি নত্তে, মাগী থাজবা য়ারবী লুহোংত্রিবী মচানুপীনি, ঐবু খ্বাইদগী হেন্না মতিক চাবা বরনি খন্দুনা ঐবু লৌহনগে হোৎনরি। ধন্যবাদ (তৌবিমল খঙবা উৎপা—thanks) কা লোয়ননা ঐ য়াজরে হায়রমহুনা ঐ থোরক্লে; মহাক্না অমুক কৌহুনা হায়রকই, নঙ নয়াঙ য়াম্না কংই। You should get a healthy station. দার্জিলিংদা চৎলু। করি হায়বগে?

চৎনবী নিয়মদি কায়রে। ঐগুম্বা থবক হৈতবা recruit অমবু সেন্ট্রেল জেল অমদা চহী খরদং apprentice ওইনা থম্বা চুখনি। দার্জিলিংগুম্বা অপীকপা মফম ঐনা কংফম থোক্কে।

নোং হাংখ্রবা শরং (থল্লাল-লাংবল) কী মতমগী নোংমা সন্ধ্যাগী মতমদা ঐ যাত্রা তৌহুনা চংপা হৌরে। নোং মংহুনতা লৈবা লৈপাক হুম্না চংলে। অদু ওইরবস্নু আশ্রয় অমা ফংলে। পীক্লবস্নু চাউরবস্নু উপায় অমা ফংলে। নীংজিং মাংজিংনবগী মশক ওংবা অরেপ্পা লৈতবদুদি লোইরে। অশিগুম্বা রাসি হুমিং অহুদা ঐ খন্দবা নত্তে। অদুবু পূন্নমক অসি যেক্লুনা ঐগী পুক্নীংদা অকীবা অমা ফাওরে। শক খঙনদবা ভবিষ্যৎ (মতুং) নি। চোংবদি চোংশিল্লে। মাগী অরোনবা অমম্বা গর্ভদা করি লৈবগে হায়বা কনানা খঙগনি।

[অনী]

জি: বি: এস: (George Barnard Shaw) গী নাটক্তা ইবা Preface কুম্মনি সরকারগী চাকরিগী Probationery Period হায়বসি। মরু ওইবা পোৎকী রস লৌগে হায়রবদি অনীমক শোয়দনমক লাম্হোক্কদবনি। অদুবু লাম্হোকপগী লম্বীসিদা তিংখং খরদং লৈ। মী পূন্নমক্কী রা ঐ খঙদে। Probation গী জীবনগী ইতিহাস অসি মচু য়াম্না হায়বসি হৌনশানি। ইশ্বাগী মরমদা অসি মথৈ হায়বা ডম্মী—লম্বীসি লাম্হোক্কে তৌবদা তিংখংগী মহাও ফংবহু য়ানশিন্নরবা রসনি—চৈনা য়েবগা লোয়ননা করিগুম্বা বিষয় অমা খঙনীংবগী ইচ্ছা, চৈগী মতোল অতুম্বনা খিনবগা লোয়ননা ফাগি তৈশিনবা (য়ানশিনবা)।

তাদা গিরীম্না চাকরি কৌবা লাইব্রিকী অহানবা পাড়াদি সেলামনি হায়রম্মী। পোৎ অসি মতম চানা, মক্ষম চুম্না, মওং চুম্না শিজিন্নবা ওমত্রবদি জীবন অসিমা লাইবক্তা খুত্নম্না শুত্না লেনগদবনি। য়াম্না উরবা মক্লপকী মমল য়াম্বা পাউতাক অসি ঐনা থৌওইদবা তৌরমদে। ঐগী ইথক থোংবা বর্ত্তা (মপু) সি অমদগী হেল্লি হায়বা ত্তারে। মাত্তুগী দমক ফত্তবা ব্রাখল করিগী থনগনি? One cannot please everybody—মাসি লাই লৈতবা লৈবাকী দর্শন শাস্ত্র (Philosophy) নি। ঐথোয়গী লৈবাক্তা লাইগী মশীং কোটি ৩৩ নি। মথোয় পুম্নমকস্তু পেলহন্না থম্বা য়ারবদি প্রভু অনী প্লীজ তৌবা কয় লুবনো?

ঐগা অপীকপা প্রভুগা হান্না উনরে। মহাক্না অয়ুক্তনা খঙনয়ে—মাগী মতুং ইন্দুনা থবক তৌগদৌরিবা নহা অসিগী ঝুলিগী মসুংদা বিশ্ববিদ্যালয়গী করিস্তু লৈতবা ডিগ্রী থরা নত্তনা মমল য়াম্বা পোৎ অমতা লৈতে। অর্থনা থোকপদি, চাকরিগী বাজারদা মরুওইবা লল—Experience হাযবত্তুগী মরমদা মহাক অসি মরল লৈতব (কাঙাল) নি। মহাক (অপীকপা প্রভু) অসি অসিওবা লল অ সদা য়াম্না ইনাকখুনবনি। বিশ্ববিদ্যালয়গী ডিগ্রিগী মরমদা মাগী মপুক্লোংগী ভাব অসি অহলশিংগী মমাংত্তা অভাওশিংগী শান্নপোৎকুম্বনি। অভাওশিংনা মকম হোংদোক হোংজিন তৌগে তৌজসল্ল। মাত্তু উরগা মুংশিবগা লোয়ননা থরদং হরাওবা পোকপা অসি মথৈদনি। অত্তু ওইরবস্তু থবকী জগৎ অসিদা মাত্তু পুম্নমক অত্তু মমল য়াওদবনি অমসুং কান্নদবনি।

মহাক্না অহানবা হংবা ৱাহং অসিনি —ঐ থৱক কয়া হৈরবগে, "এ" ক্লাশ কয়েদীগা "বি" ক্লাস কয়েদীগা খেন্নলা খুজরা, চেকবুক, রিলিজ ডায়রি নত্রগা নম্বর ২৩ শুব রিটার্নগী মরমদা কয়া জ্ঞান লৈবগে অসিনচিংবা। য়াহং খরা অসিগী লাইগী মীৎয়েং ফংলবা মীগী পাউখুম তাবদা মহাক্না নীংবা কাযরত্নুনা আরাম চৌকীদা ছিপথখরে অমসুং মহাক্না মরোম্না মখৱায ন্যুংজাইতবা উৎলম্মী — "নহাকপু লৌশিন্নুনা ঐ করি তৌগনি?"

ভদ্রলোক অসিগীদমক অচুম্বমক ঐ য়াম্না ৱারে। ঐগী পুক্নীংদা য়াগা মাম্ননা স্নুংঙাইতবা খঙহন্দুনা ঐ চৎকে তৌবম্মী। মহাক্না খঙহৌদনা হৌগত্নুনা ফম্নগা মমায় ফৈবেং ঘুরেং চিংহুনা হায়-রকই—উঃ ভকশমগী অনাবসিনা ঐবু য়াম্না পুক্নম চল্লে হায়বা উরে। হ্যাঁ, য়েংবিয়ু, ক্যাজুয়েল ছুটিগী দরখ ৬ অমতা ইবিয়ু। নোংমা- হ্যাঁ, নোংমতগী ওইবগা য়াগনি। ঐগী ভক্তা নাৱিবা অসিগীদমক।

ভাইহাক তুমিন্না লৈরগা মচৈন থুংজন্দুনা নোংক্নগা মহাক্না হায়রকই, নখোয়দি লাইরিক ঃংবা মীল করম্না ইনগে য়েংগে।

দরখাস্ত ইরে। ঐগী জীবনগী মকওইবা পরীক্ষা তৌরে হায়বা ঐ খঙলে। পরীক্ষা য়াম্না য়াওরক্লে। জীবন অসিনা অহীং

১ নেতি — হঠযোগ প্রণালীগী মতুংইন্না হায়রবদি "নৈতিকর্ম তৌরগা খেচরীসিদ্ধি ফংই, লোকপুংবা কৈ অমসুং দিব্যদৃষ্টি হায়বদি লাইশিংগী মীৎয়েং ফংবা য়ায়।"

তুমদনা লাইরিক য়াম্না য়োংশিল্লগা সেনেট নত্রগা "দ্বারভাঙ্গা"গী মথোল মভা শুবদা কাখত্তুনা ওথোক্লুরবনি। পূম্নমক অহুগুসি চামথোক্তুনা মুথত্তুনা মরক য়াওনা মাঙখরে। মাহুগী পাউঅহু কদৌডৈদগ্গ কনানসু থঙনীংলরোই।

জেলর সাহেবনা ঐনা ইবা চেত্ত অমুক্তং হায়ফেং য়েংলগা শাউগংলক্লে অমম্বং মাহুগা লোযননা মাগী ঈশিং পক্তবা কংথ্রবা মরোম্না হায়দোক্লক্লে—অসিদি করি ইবি‌রে? মাসি নহাক্কী স্কুলগী মখাক্তরা? আঃ রেফরেন্সদি কদায়? অফিসয়েল করেস্‌পণ্ডেনস্! অহানবমক্তদা রেফরেন্স হাপকদবনি। মাসি ফাওবা নহাক তম্ব্রিবরা? সে লৌবিয়ু, ইবিয়ু।

ঐনা চেগা কলমগা লৌহুনা ভাইহুনা লৈরে। মপুনা ডিক্‌টেকশন তৌরে।—

Honoured Sir.

With reference to the pain on my neck dated ভাইথো (ক্যালেণ্ডার য়েংহুনা হায়রক্লে) dated the 20th inst, I have the honour to state—ব্যাস, হৌজিক ইবিরো, নোংমগী ছুটি পাম্মী, মমৈদা হাপ্পীয়ু। I have the honour to be, Sir, you most obedient servant থঙবিরবরা?

সরকারনা কৃপা য়াম্না তৌবিরে। চাকরিদা পীবা নত্তে, মাহুগা লোয়ননা লৈনবা য়ুম অমসু পীবিরম্মী। নিংথৌ মচান্নপীতা পীবা নত্তে, মাহুগা লোয়ননা নিংথৌপানবা লৈবাক তংখায় অমসু।

অপীকপা বাংলো অমনি। মতুংলোমদা নুংগী লৈপাননা কোই-শিল্লি। আলকাতরা তৈবা লম্বীচু খোইড্রিং খোইত্রাংনা উচাল খনগী মঙ্গুংদা কাখৎখরি ; ভিক্টোরিয়া রোডকা শম্মখরে। লীলনা খোরনা খোয়না চৎপগুম্না লম্বী অহু য়ুমগী মনাক্তগী মথাক্তা কুমথখ্রিরি। লুখ্রবা উপত্যকা (Valley) গী উবা ফংদবা গর্ভনা লম্বীচু মাংখরে। য়ুমগী মনাক্তা ময়ুংনা ওঙ্গা লম মচেৎ অমা লৈরম্মী, মাহুগী মপুওইবগী স্বত্বদি ঐগীনি, অহুবু লৈকাই অহুগী অপীক অপীকপা চীংগী নিপামচা মুপীমচাশিংনা দথল তৌরবী খৎ মুংভাইনা ফংলমই। মুমিৎ খুদীংগী মখোয়না মফম অহুদা মপুক্লীং চিংনবা লৈতনা তৌরম্বা থবকতু মখোয়গীদি শোয়দনা তৌদবা য়াদবা ওইরবম্ভু, মাহুগী ফল অহু ঐগী মীত্তা অমম্নুং নাত্তোন্দা মুংভাইবা পীবা ওইরমদে।

থবক তম্লিবা এপ্রেনটিশগী মরক মরক্তা থবক শংবা মতম য়াম্না লৈ। অশংবা মতম অসিদা তৌবা য়াবা অফবা ফত্তবা থবক অমতা উবা ফংদ্রে। মরম অসিনা গতি অতৈ লৈত্রহুনা লম অসিদা থবক তৌবা তারে। ঐনা তৌগে নীংলিবদি—লৈ-থাবনি। থাঙ্গোল, য়োংপাক, কবনে, তোকক্য লোয়ননা লান্দাবদা লম অহুগী মশকম্ভু হোংখরে, ঐগী শকম্ভু থরদং হোংলে।

মাহুগী মুমিত্তু মুংথিলনি। য়াম্না কল্লা থবক তুরম্মী, ফুংলোমদা খঙহৌদনা অকিবগী মশক ওইবা খোঞ্জেল অমা তাবদা ঐ খংলম্মী। শেঞ্জেংগী পুখম অকায়বদা য়োংকী তুক্লা কলাওয়না

ম্নৈবা ওইরমখালে থল্লে। তু'লোমদা ওন্দুনা য়েংখিবদা চৌংগী ম্পুগী—মীয়াম চল্লবা অমগা মাগী মনাক্তা মশা পারপ তৌবা লৈশাবী অমগা উবা ফংলে। অসিগুম্বা অঙকপা শব্দসি মখোয় অনীগী মরক্তগী অমগী মখোনাউনগী থোরকপা ওইরমগদ্রা খল্লম্মী—ঈশিং ঈচেলগী মুংশিবা শুমহৎনবগী মশক ওইবা খোঞ্জেল অমু তাবদা নাকোং অসি ইপেল পেল্লে। লৈশাবীদু ওইরম্বা য়াম্ন, ঐগী তৌকম খণ্ডদব' বুদ্ধি মাংবা মতৌ উদুনা য়াম্না লাউনা নোক্লক্লে। ঐ তৌকম খণ্ডদনা ভক্তুনা লেপ্তুনা লৈরম্মী।........ মোকপনা অম্পুপ ফজব' ! মীনা অম্মুম্না নোকই হায়বা কদৌঙেদম্ম্ তা'খিদ্রি! নত্রগ শটরম্বা য়ায়, মহাক অসি মী নত্তে। খোঞ্জেল মুংশাবী কন্নাগুম্বা কিন্নর লৈশাবী অমা মতোল লৌশীং অমা পানবা হিমালয়গী থুপখুবা মকুম অমদগী নোংগী পোঙ তোংদুনা তাউদুনা লাক্লগা ঐগী লৈকোন মনাক্তা লেপ্লে।

ঐ তু চু'লম্মী। শেঞ্জেন মচেং অকায়বদা অমুক হন্না ম্নৈরে। মীয়ায় চনবী মুগী অমু শ্রীমুখনা য়া ভাঙলক্লে। অদুবু ময়েক অমা ক্নাওবা থঙবা ভমদবে। লৈশাবীদু বুদ্ধি মাংদুনা ইকাইনা মচেং মচেং ওইবা হিন্দীনা হায়রকই, মহাক অসি বড়ৌ আম্মা (ইমা অহল); না, ঐনা ক খুৌ (মতোনবী) নি।

ও-ও, অদু ওইরবাদ মহাক অসি মমীংনা কাওরবা ইমা অহলদুনি! ঐখোয়গী খনক তৌমম্বা ডাক্তার থাপাগী রানী (মচু) অহলনি। মফম অসিদা লাকপদগী ডাক্তার থাপাগী মচানিপা মুগীশিংদগী মাগী শ্বাগী তোঙনা তারম্মী। মহাক মতম খরা যুমদা

কাসিয়াংগী .মনাক্তা লৈবা থুল অমদা মাগী মপুরানা পোকপা মচানুপা লৌরুবা চৎখিরম্মী। অদু ওইরবদি কাঙ্গী অসি মাগী মপুরাগী মচানুপা ওইবা তারে।

বড়া আম্মা (ইমা অহল) বু চৎনবী নিয়ম মতুংইন্না খুরুমলে। মহাক্কী চাংগী মশক ওইবা মখোনাউবদগী করিনো অমা ওখোরক্লে। মুপী মচা অদুনা ঐঙোন্দা খঙহল্লে—বড়ী আম্মানা হায়রি অমুপ রানা লৈকোল শেম্লিবসি কনাগী দমক তৌরিবনো বাবুজী ? লৈ শাংলগা শমজীদা লৈ চীনগদবা মী উদে। মহাক কদৌডৈ লাকনি ? খোঞ্জেলদু অকিবা মশক ওইরবসু, মরূপ চান্নবগী সুরনি। ঐনা হায়রম্মী, মাদুদি ঐ খঙদে।

—খঙদে হায়রবু করিনো ?

—মী কনাগীসু শমজী উবা ফংদ্রি ওসি ফাওবা। করম্না খঙগনি।

—ও-ও, হায়দুনা মী তাহন্দনা মরুমদা কাঙ্গীগা মকোক শাইদুনা রা থরা ডাওনরে। অদুগী মতুংদা অমুক হন্না মহাক্না হায়রকই, অদু ওইরবদি ঐখোয়বু থিয়ু হায়ব্রা ?

ঐনা হায়রম্মী, নহাক্কি ঐগী গুরুজননি, তৌবিবা য়ায় ! অতবু লাক্কদৌরিবা মী অদুদা মচীংডৈদগী হান্না হায়দুনা থম্লিহৌ, মফম অসিদা শমজীদা হুরুবা লৈ ফংবিগনি, অদুদি ওইরগা য়াদা হুরুবা চাক য়াম্না রাংলি। মাদুগী বন্দোবস্ত অদুদি নহাক্না তৌবিবা ভায়।

ঐগী ব্লাভাভ তাবনরা নত্রগা ঐন। লোল্লিবা হিন্দী লোল মওড তাহুনা তৌব্রা করিনো কাঙ্গীহু অপনবা পুম্নমক নমথেক্লুনা কন্না নোক্লক্লে শুর ছন্দ য়াওবা মীনোক্নি। খঙহোদনা বড়ী আম্মাস্থ মামা নোকপদা য়াওখরে। অকনবা চীং নীংথায়বগী শব্দনা চীং তুরেল মচাগী কল কল লাউবা খোঙ্জেলহু মাঙহনখরে।

ডাক্তার থাপা ঐগা য়ুমলোন্নবা মীনি। হুমিং খুদিংগী উনৈ। ঐখোয় অনী গুড মনিং হায়নৈ। অহুবু নকশিন্নবদি তৌদে। মীগা খৎন-চৈনবা তৌদবা অফবা মীনি। মাগী উবা ফংদবগুম তৌবা মমীৎ অনীহুদা সংসারগা মরী লৈনদবগুম্বা মীৎয়েং অমা লৈরম্মী। নোংমদি ঐ অরুম হৌবগুম তৌবদা মহাকস্থ কোইল্লুরে। মহাক লাক্লে। মথুং ওইখংবহু মঙকশমদা য়াম্মুনা পুল্লি।

—অহুদি করিনো? খুৎ করি তৌরে ভাক্তর?

ডাক্তারনা মচীনবান কাংখত্তুনা শুগত্তুনা মথুং য়েংনা থৌওই-উশিত্তবগী মওঙ অমা উত্তুনা হায়রকই। দ্যাটওল্ড ট্রাবল। মহাক্কী পীকথ্রবা মমীৎ অনী অহুগী মঙ্গুংদগী লোত্তুনা লৈবা শুংঙাইবা মওঙ অমা মূনা মূনা য়েংবা হৌরক্লে। ডাক্তারগী মতৈমনাও য়ুম্বানবা জাবন্দা থোকপা ঘটনানি হায়বা খঙলে। অস্থুপ নক্না থংনারিবা য়ুমদা লৈরগা মাহুগী মরম থংশিন্নদবা হায়বসি কনাগীস্থ ওইবা য়াবা নত্তে হায়বা ব্লাসি ডাক্তারনা খঙদবা নত্তে।

ডাক্তার থাপা মহু অনী লোল্লি। লুহোংবা অনীরক অসি চহী তরামঙা সাপ্পে। অস্থুপ কুইবা মতম য়ুম্বানন্দা ইমুং অহুদা অঙাঙগা অমগী মশক উবা ফংদ্রবা অহুদা, বড়ী আম্মানা মব্রাদা

মুপী অমুক থীয়ু হায়না য়াথং পীখি হায়না তায়। খৎন-চৈনবা তৌগন্দবা মোলি মোলিবা ডাক্তর অত্থু য়াম্না কিরম্মী। ওইবা য়ায়, কপালকুণ্ডলাগী মতৌগুম অমুক্তং ময়েক শেংদনা উচ্চারণ তৌরমগনি, লু-হোং-বা। অত্থু'দি ওইরগা মাহু অমুক্তনি। অনীরক হন্না বা ভাওবগী মথৌনা লৈরমদে। বড়া আম্মাগী য়াম্না লাপ্পবা সম্বন্ধগী মনাঃ নুপী অমা কাঞ্ছী আম্মা (মমা অতোনবী) ওইনা লাক্লে। মহাক্না (বড়ী আম্মানা) থিহুনা লৌরুবনি। চহী লাপ্দ্রু ঐনা ডাক্তারগী ইমুংদা মচানিপা নুপীগী প্রোসেশন লৌরে, অত্থুদি ওইরগা কাঞ্ছী আম্মাগা মখোয় (অঙাংশিং) গগী সম্বন্ধসি পোক-পিবদনি। মাহু নওবা পূন্নমক বড়ী আম্মানা মখূৎনা লৌখরে। পাকথ্রবা ইমুং অদা মানা অকনবা শাসন (ডিসিপ্লিন) তৌই অমসুং পূন্নমক্কী মথক্তা চপমান্নবা মীৎয়েং য়েংই। ডাক্তারগা মচানিপা নুপীশিংগা খেন্নবসি চহীদদনি। শাসন তৌবগী খেন্নবা মওঙ অত্থুসু চহীগী অনুপাত মতুং ইনবনি। অঙাওশিংগী না খূবাক্না থাবা, অহনগীনা হোৌক ষ্টিক নত্রগা শীংগায়বাক।

ডাক্তার থাপাগী ওইখংবা মথূৎ স্লিংনা পুন্দুনা লাকপগী ইতিহাস অশংবা আস।

ডাক্তারনা ঐবু য়েংলগা করিমতা তৌদনা হায়রকই, টেক এ কাপ অফ টি। ঐ ডাক্তার বোসদা পান্ডি থাখিগে।

করিম্সু লৈতবা মরম অসিগীদমক ডাক্তার ঘোস করিগী কৌগদৌবিংনো হায়না ঐনা আপত্তি তৌবে। করথনো হিদাক অমা নঙনা হেক্তা থারকউনা।

ডাক্তারনা নোক্নুনা হায়রকই, ঐদি অনাবা লায়েংদে, চাকরি তৌই।

ঐনা খাঙোন্দা য়েংহুনা লৈবা উবদা মহাক্না খরা শেংনা হায়রকই, জেলদা ডাক্তারগী থবক তৌরকপা মথং মথং চহী কুনমত্তা শুরে। খঙলরিনিদনা—

মাহুগী হুমিং অহুদদি খঙগ্রে। হুমিং কয়ানিমুক্কী মতুংদা খঙলকই। খ্রা অহু মকম অসিদা হায়রগে।

অঙাংবা লমনি দার্জিলিং। মুংথিল পুং মরি তাখ্রে। অফিসগী দোতলা মথক্তা কমহুনা করিনো রিটার্ন অমা তৌগদবগী হোৎনম্মী। ইমুংগী মচী অমদা চিমনিদা মৈ হৌরম্মী। হায়বগী অর্থদি সরকারনা শিনবিবা ব্যবস্থা মতুংইন্না শীংমৈ থাগদবনি ; অহুনা মৈ থারিবনি। অহুদি ওইরগা মাহুগী অফবা ফত্তবা ফলগী মরমদা কনাসু অপাম্বা উৎলমদে। মেজ খুদিংগী মনাক্তা থাংদোক থাংজিন য়াবা য়োংকা মৈকু অমমম। মাহুগী মমুংদা মৈতাল থারম্মী। খূদোল অনী য়াওদবা খূৎ-মোজা উপ্পুনা খরদং লাইরিক ই অহুগা মৈদা খৎ-অমুক য়াই। শাংনা খোংবা বাঁশিগী সুর অমা তাবা ফংলম্মী। মাহুগা লোয়ননা মাইকৈ মরিদগী মাহুগী খোম্বাঙ লাক্লে—অয়াকপা অকনবা হুইসিলগী তোয়না খোংবা অরাবা খোঞ্জেল। মিনিট অনীরোমগী মতুংদা জেলগেটকী কংসী অহু কমানো মী অমনা মথরায় খূবাক্তা হাপ্পুনা কন্না য়ৈবা হৌরক্লে। করম্বা থোদোক থোক্লবনো হায়বা খঙদ্রিবৈদা সিপাই অমা হাথু হাথু চেল্লক্লে। মখোংগী খোঙউপ বুট থিন্দুনা সেলাম তৌহুনা হায়রকই, ডাওরে। ডাওরে। কনানো ডাওরিবা?

নত্তে, নত্তে, কনামত্তা নত্তে, অঙাওবা কংসীনি, এলারাম!

হৌজিক্কি থঙলে। মাসি জেলগী এলার্ম (alarm)। মন্নংদা চেনশিল্লে। মাসি অমসুং নোংমৈ পায়হুনা ডবল মার্চ তৌহুনা সিপাই দল অনাসু চেনশিল্লকপহু উরে। মমীৎ ঈ কাবা, চীনবান মথক্কী মকোয় খোয়না শেম্বা হাবিলদার খড়গ বাহাদুর সুনোয়াবনা য়াম্না হৌবা খোঙ্গেলনা চীং নীংথায়হন্দুনা "কম্যাণ্ড" তৌরে। কয়েদীশিং মথন্নায় শিগনি হায়বগী কিবনা অমসুং মথন্নায় খুবাক্তা হাপ্পুনা চেনশিল্লক্লে অমসুং অশাং অশাংবা ব্যারাকশিংগী মনুংদা চংশিনরে। চেনবা ঙমদবা নত্রগা মতুংদা থংহৌবা মীশিং অদুগী মনঙন্দা ওয়ার্ডারশিংনা বেটন (চৈ) না ফুরে। জামাদার নোট-বুক অমসু, পেন্সিল পায়হুনা মশীং থীবহু চুমত্রা য়েংনবা চেন্থোক চেনশিন তৌবি। য়েংনা য়েংনা জেলগী মনুংদা লৈবা লম্বীশিং অদুদ মী অমতা লৈতরে। হাসপিতালগী মনাক্তা রিয়াজুদ্দিন মেটওদি ভুতুনা লেরম্মী। মখোনা লোনবা হিন্দাগোল তারগা মতাক অসি ছাপবা নত্রগা মজঃফরপুরগী মী ওইরোই নীংলম্মী। হৌজিক ঐনা তারে, হায়বা হৌনদবা অমসু, তাবা য়াদনা বরিশালগী লোন্না কনানো মী অমগী মকোক লৈপাক্তা কেল্লো হায়না মানা চৈরি, অদুগা মরক মবক্তা মতিল শিংজি; তিল অদুদা ঈ য়াওরে। গজ থরদং লাপ্পা ভুটিয়া অমা য়াম্না শাওনা লেপ্লম্মী। ব্রাংমদা ফুট তরুক, মশাগী অকোয়বসু ফুট মরি মঙাদগী তারম্মোই নীংই। ওয়ার্ডার অনীনা মাবু মায়কৈ অনীদগী ফাহুনা থম্মি, বা হেক ভাঙগে তৌবগা বেটন। মতম অসিদা জেলর সাহেব মাগী চাউখ্রবা হকচাং অদু পুদ্দুনা মনুংশাঙ্গর খিংগদবা মতাগুম থবেং থবেং হোন্দুনা চেল্লক্লে,

ব্রা ভমা অনীদং তাববা মতুংদা মাগী মথুন্তা পাযবিবা চৈ অতুনা ভূটিনাগী মনক্সদা পাতুনা চৈ অতু থুদেক্লে। অতুগী মতুংদা ব্লারতুনা ফমখাৱ অনফং ক্তকুম তৌরে ডিগ্রিদা পুথবো। ভূটিয়াব পৌ দা থমখারে।

ঐন ত ব্রিবা থবক খোক্লিবসি অচুম্বমক 'অডাওবা" ওইবগী মঙৈনি।

ডাক্তার খাপানা চহী ১৫ জেলদা থবক তৌবকপনা মতম কুইনা তাবক ডকপদগী মীওইবগী অনাবা পুম্নমক মখল অনী থোকপা খাযরে কপা যায হায়না পুখোল্ল— (১) হুখার অতুগা (২) পট গড়গড়, ম্যালেরিয়া, টাইফয়েড, লাংথোকপা, নিউ-মোনিয়া—অসি পুম্নমক বুখারনি। কলেরা, ডিসেন্ট্রি, কোলাইটিস —অসিশ্রেণীগী পেটগী ডবনি অনাবাশং শ্রেণী থাংদোকখি-বদগী খাক্লে বসু লাযরে। কান্নদবা অনাবা অতৈ অতৈ য়াওবগী ব্রা ক্ষয় ক লাদাক্লনা অনাবা জাং অনীসিগী দমক মিকশ্চার জাং অনীদং ঠিক তোলনা থয়ে। কুইনাইন অতুগা কার্মিনেটিভ; অমনা অতোবা খিদাক অতৌনা অডাওবা ফিদাক।

ডাক্তার খাপাদা কম্পাউণ্ডার অমতা পীবমদে, মবন্নাইগী হিন্দী লোল লোনবা বাবশানদগী লাকপা (৩) মেট রিয়াজুদ্দিননা

(১) গুর্খা লোলদা হকচাং শ াতুনা নাবা, (২) ওথি থকাখিবা হজম ওকদতুনা পুক মনুংদা গড গড খোংবগী অনাবা। (৩) সর্দার —mate.

মাগী হাসপাতালগী পিওন, চাপরাশী, নার্স, অমসুং কম্পাউণ্ডারনি। ডাক্তারনা মাডোন্দা হুকুম তৌরম্মী—অনাবশিংগী অনাবগী মরমদা য়াম্না কুপ্না মুন্না তারুবগী কান্নবা লৈতে, অনাবদু করম্বা দলদা তাবগে য়েংলগদা লোইরে—বুখার নত্রগা পেট গড়বড়। বুখার ওইরবদি অডোবা হিদাক, অদুগা পেট গড়বড় ওইরগনা অডাডা।

হাসপাতালদা ডাক্তারনা লৈবীবসি অযক্কা পুং অমতনি অমসুং মতম অদুদা মানা তৌবা অমতা ওইবা থবকসি খবর কাগজ পাবনি। থবক অতৈ পুম্নমক বিয়াজুদ্দিনগীনি। নোংমদা মানা হিদাক অনীরক যেন্নম্মী। অযুক পুং মাপন্দা মতুগা কুংথিল পুং মরি তাবদা। অনাবশিংনা লাকুনা তিংনবদি লালগী লানশংদা সেনাপতিনা তৌবগুম মানা অকিবা মশক ফংনা লাউবদু ওংবা ফংই—বুখারওয়ালা অসোমদা ফম্মু, পেট গড়বড়ওয়ালা অসোমদা চংলু।

মহৈ তম্মিরবা সিপাইদলগুম্না মীশিং অদু মাগী য়াথং মতুং হুন্না তাকপ্রবা লাইন্দা তোঙান তোঙান লৈখি। রিয়াজুদ্দিননা ময়ায়দা লেপ্তুনা লাউই,—নমায় থাঙ্গংলু অমসুং অদুগী মতু মক্তদা অরোয়বা কামাগু, নয়া—ক খোকউ। অনাবশিংনা আকাশ-রোমদা মমায় থঙ্গওনা ময়া কাপোকতুনা ফম্মী। অদুদগী তাবগুম অচৌবা অনীদগী মহৌ লাংবা পোৎ থবদং মখোয়গী ময়াদা ঘটাং ঘটাং লাউনা হৈখৈ। ঐনা খুডবদি মখোয়না মুখোল মরা খোক্কুনা লেন্দুনা চংনাখ।

চহী অমগী মতূংদা চহী অমা অগ্নম্না রিয়াজুদ্দিন নেট মাগা মবুংঙোগী য়াথং য়াম্না থাজবা য়ানা ঙাক্তুনা লাক্লি, মথং চহ। কয়ামূকম্ভ ঙাকলম্বা য়ায়। অহুবু বিধাতাগী মপূক্লাংদা করি লৈরম্বনো ? থঙহোদনা নোংমদি বোতল ওন্নথরে। বুথারগী দলদি মাহুগী স্নুমিত্তু য়াম্না পেম্নথরে। কুইনাইন চাবগী মহুত্তা অথুম্বা কামিনোটিভ ফংথরে। অহুদি ওইবগা পেট গড়বডগী দলদি মরাইবক থীরে। মখোয়না আপত্তি তোরে। মখোয়গী মরক্তা ভূটিয়া অমা য়াওরম্মী। মানা মরোলনা মেটপূ চৈরে। মেটনা মানা ঙাঙবা রাহুগা অর্থ খঙদ্রবম্ভ স্মুরদি খঙলে অমম্ভং মানা ১ পেটেণ্ট বরিশালীয়া হিন্দীনা ভুটিয়ানা চৈখিবা অহু শেন্দোয় য়াওনা হল্লে। অহুগী মতুংদা মখোয় অনী শাউনা অরায় অথুম তৌনহুনা থংনবকপা এহুগা মান্নবা দৃশ্যদি পৃথিবীগী ইতিহাসতা খূদম অমতং লৈ—২ টাওয়ার অব ব্যাবেলগী মকেক মথক্তা। ভুটিয়া রা য়াম্না ঙাউদবা ঙা চনি চীনবুদি মখুং শিজিন্নবদনা হেন্না মখোয়না চৈশিংই। মরম অহুনা পাউণ্ড ৬২ লুম্বা থূবাকনা অহুক্তং থাবা অমম্ভং মেটশিংগী মরক্তা অথোইবহু উরুক লৈহুনা লৈপাক্তা তুথবা।

মীয়াম চেনশিল্লকুনা য়েংবদা অম্ভম্না ওবা অসিদ নেট সাংলবকী ময়া মরি-মরি তুনহুগা মতুং ইনথরে (তেকথং)। মহাক্না অকিনা ফংনা কপ্পা ঙাবদা চেনশিম্নকপা ওয়াডার অহু মাইকে কদোমদনো থঙদহুনা অমম্ভং লম্বী অতৈ উগ্রহন হুইসিল থোংলে। মাহুগা লোয়ননা "পাপলী" (alarm)।

1 Patent 2. Tower of babel অর্থ খোংশ্লশ ময়ান পুল্লপ লাংবা।

[অহুম]

এখোয়গী মোক্ষদা কৌবা ইনাগা পোকমিন্নবা ইন্দোলবু (১) নিশিনা কায়রম্মা. ঐবু নোকপনা ফরম্মা। ঐনা উবমী, ইন্দোলনা নিশিনা কৌবদা কোইরম্মী, হল্লম্মী, অদুদি ওইরগা জ্ঞানবুদ্ধিদি তুম্বনা কুপশিনখ্রে। ঐসু নত্তো অদুগুম্না লাইরিক হৈরি, লাইরিক পারি, থবক তৌরি অদুদি ওইরগা ঐগী পুক্নীং অসি মোহ (শুমহৎপ) না কুপশিনখ্রে। ঐগী পুক্নীং অসি উবা ফংদবা স্বরগী মাইকৈদা মমায় থাজত্তুনা লৈ। স্বর অদুগা চাংদমনফম লৈতে, মথুং হৈবা কনানা মাহুগী মশক অমা পীবা ঙমদে, ওম্মরোই, স্বর অদু মুংশিবত্তা নত্তে, নেশাগুম্না ভাঙহনবস্নুনি। মরক মরক্তা থংনবা যুম অসিগী হাংদোক্লুনা লৈবা থোড়দগী মাংগী মিরবা খোঞ্জেল অদু তাউহনা লাক্কই অদু নত্রগদি মাতু ঐগী মুংশিরবা ভ্রমনি।

ইশাবু তেঙ্ক'ন তোঙান থাইদোক্লুনা যেংগে হেংনরি। ঐগী ক'ব ওইরে? অদু ওইববদি ঐনা কঙ্গীবু পুক্নীংনা—? অঙাংবা! কংঙ্গো কনানো? চৌংগী থূল অমগী দুর্নীমচা। মহে হৈতে, সভ্যতা (লৈপাক মচা তাবা) গী মচান্দ চাউবকপা নত্তে, (২) সংস্কৃতগী

---

(১) নিশ কৌবা ভূতনা পুহনা কনা কনাগুম্বা মীনা অহীংদা তুম্বদগী জ্ঞান য়াওদনা হৌগত্তুনা থোং হাংদুনা মপান পোকহ্নগা কোইঙৈং চংলি, অদুগা অনুক হনজিল্লকুনা ফমুদা তুম্মা, অদুবু তৌরিবা পুম্নমক অসি ভ্রম নাম কোবা নত্তে। অসিগুম্বা অনাবা জাং অসিবু Somnambulism কৌই।

(২) Culture

চিহ্ন মাগী মশাদা মপূক্রীংদা হাপত্রি কাঙ্গী মশক ফজবা মুপা নত্তে। লৈশাবা ওইবকপা মঙনদা মুপাগী মশাদা শুনহৎনবা মশক অমনা শোকপদা মুপা পূমনক্কা ফজবা শকফম অমা পীবা অদু নত্তবা মীবু চিংশিনবা য়াবা মাগী মশাদগী ওন্দবা কবিগুপ্তা মওঙ অমতা মাগী মশাদা লৈরমদে। য়েংবা য়াবা ফজবদি মাগী ঈগুম্না ত্তাডবা মখজাই অনাহুনি। অদুনু মাহুক্কু চাংদা লৈব লৈশাবী শিংগী পূম্নমক্কা ওইবা মরমনি। য়াম্না তৌব' পজাইগী শাকায়বনা অত্তাত্তবা মচ় দার্জিলিংগী লম্বাদা - ঘাট (ভুরেনগী হিদেন) তা ইতত্ততনা উবা ফংই। অত্তুদি কমদোবা? নত্রে; তোঙান তোঙান থাইদোক্কুনা য়েংবদা করিম্ভু ফংদরে। অহ্দ ভুরিগা শংখোকপান; অংম্না নোকপা মানোকপি কনানা টেদোইঙ নোকখিবগে?

ঐ লৈকোন্দা থবক তৌবম্মা; খবাইদগী তাবা নোকপগী ঈশংগী ঈখুং অমদা ঐ লুংলুনা লৈরম্মী।

—ঐনা আন্দাজ তৌদনা নংক নিংগান তৌনব' শঙবারে।

ঐ তক্লম্মা, তুংলোমদা ঐগা নংঙ নয়ানকো বুচু তৌবা ভদ্র মহিলা অমা লেপ্লম্মা, ঐ ই অদুনগী মচোনা মপু আর্নল্ড রায়গী মচু, মিসেস রায়নি।

ঐন' নোঙ্খুক্কা থঙহনম্মা, নহাকু, অন্দজ গোবর্দ্ধনং চুম্মা।

—এঃ ঐনা উবদা নঙ খসিদি নিপাঅত্তানিনা। নঙগী ব্রাসি ঐগী ইপুরোইবগী মগীন্দগী তোয়না তাং, মরক নবক্কা ঐথোয়গী য়ুমদা লাকউনা।

লৈপাক অসিগী খ্রীষ্টান অমগী বিদেশদগী লাকপা মতৃনি—ভদ্রমহিলা অসিগী নরমদা ঐগী পুক্নীংদা ফজ্জদবা ৱাখল অমা থল্লম্মী। ঐ লাম্নে হায়বা উরে। মহাক্না হু শিনগা লোয়ননা হায়জবা অতুদা ঐ হরাউনা য়াবে। হুপীসি অচুম্বমক পেল্লবনি। হুংশিবা থোংলবা খোঙ্গেল্লনা হায়রকই, নঙ লৈ য়াম্না পাম্বরা? ঐগীস্থ নোংমা মাতুগী অনাবচু লৈরম্মী। লৌজিক্তি মাতু হৌথরে। করি লৈ থারি?

ঐনা হায়রম্মী, ক্রুকস অতুগা ডায়ামাসগী চানা থনা থিজকরে।

—ঐগীদা হলিহকস লৈ। ঐ পীরক্কে। লৈপল অসিনী মনাক মনাক্তা থাও। অদুকপা ফংবা ম্যাকগ্রাউণ্ড ওইগনি।

মিসেস নায়গী মযমদা মথংগী হুমিত্রা হুংথিলদা চংলম্মী। মিষ্টার লৈরমদে, মতম থরদংগী মমাংদা লৱাইদা চংখ্রে হায়বা তারে। মী য়াম্না চৌকপা য়ুমদা মিসেস মথন্তা লৈরম্মী। মতম কুইনা মানা মাগী মতুংগী ওইরবা মীগুম নৈবু তনাম তরাম তৌনা ফমহল্লে, দার্জিলিংগী মনম হু শিনা চাগা মথুংনা শাবা কেক পীজরে। অনীমগা চাথো হায়না হন্না হন্না হায়রম্মী, ঐগী জিমনা য়াম্না পাম্লম্মী ....

ডাইহাক লেপ্লগা অতম্না অরায়ব খোঙ্গেল্লনা হায়রকই, শিংখিবা ডাঁস চহী তরা শুরে। নত্তগা মাগা বয়স মাম্লবম্বা য়াম্ন। হিংতুনা লৈরবদি লৌজিক্তি নতগুম্বা ওইরামনি। মাস্থু লাইরিক য়াম্না পম্লম্মী। ভগবান্না পীবিদরে .....

মহাক্কী ৱাঙাওগী অবোয়বা শকক অতু সংসারগী বিষয়গী মবমদা অপাম্বা কয়া লৈতবা ওইরক্রে।

ম্নুংঙাইন্দা পাউ অসি ঐগী হান্নগী লাখ্রে। জিম হায়বসি মখোয়গী অমক ওইবা মতাংনি।

মিসেস রয়না থরায যাওনা মাগী লাইব্রেরী ঐঙোন্দা য়েংহনলম্মী। মখোয়দা লৈরম্বা লাইব্রেরীশিং অতু মমল য়াম্বা ভাক্তনি। মহাক্না হায়রম্মী, মমা হৈদা লাইব্রেরী মরমদা ঐ য়াম্না থরায় য়াওরম্মী। হৌজিক্কি পামদবে। লাইব্রেরিকশিং অসিগী মনুংদা নঙনা পানীংবা য়াওরবদি পানিংবা মতমদা লৌকুনা পাবো নঙনা অপাম্বা লাইব্রেরিকতু পুথুনা চংখো। নপুক্নীংদা চিংনবা তৌগনু।

মহাক্না ঐবু থাদোক্লৌংদে। পুং কয়ামুক্তা মতুংদা ঐনা বিদায় লৌতুনা লাক্নমদাইদা মহাক্না হায়বকই, অমুক হন্দক লাকউ। নঙ লাক্নুনা ওসিগী সন্ধ্যাসি খুংঙাইনা মতম লেপ্লে।

ঐগী অফিসগী মনিল (মপু) মিষ্টার হ্যাল্যান্ড রায বিলাত্তগী পাস তৌহনা লাকপা ব্যারিষ্টারনি। অশেংবদ মহাক অসি ম্যাজিস্ট্রেটনি। মহাক্না জেল য়েংবসি মহাক্কী অদুম্বা পোৎলুম অমগী মওং ক্না এনশাংনাপীগা মপুন মচা অমা হাপ্পগুম্বনি— য়ামথিন্নবা এলাউন্সগী লংনা পুনবানি। এলাউন্স অসিগী মশীংগা মবমদা মহাক অসি মতম লৈবা খনিক্তা মশাদা ক্বাওবম্মী (conseions ওইরম্মী) মহাক্না ফংলবা তলব অদুগা জেলবিভাগনা পীবিবা এলাউন্স অদুগা অনীদুগী অনুপাত (ratio) মতুং ইন্না মাগী মতম পুম্নমক্কী শকক অদুতা ঐথোয়গীদমক পীবম্মী (কাহথোক্লম্মী)। মহাক্না সই তৌবা দরকার ওইনা চেগী মফম অদুগী মনাক্তা × ককপগী চিহ্ন অমমম থম্বা ভাবম্মী। মাসি মহাক্কী হুকুমনি। মহাক নোংলৈ মুংশিংকুম্বা

লাকই, অগৌবা কলম অমনা সই থবগী নো'লৈ ন্ন শিং হৌইল্লগা নো'লৈ ন্নংশিংকুয়া চৎখি। ক্যাসিষ্ট্য ট অমনা সই তৌবা লৌক্ট-রগা চেশিং অহ্ন চি'থেক্ৰ'য়ী। থবদ' খিনবদা নথ্ন্না বাত কৌবা (খোঙখুৎ চীকপগী) অনাইনা নাবররা, অতুগা থরদ' থুনা তৌরুরগা মহাক্র হ'ই, is there anything to hide? ঐগী ইবাইবক ফত্নুনা চে চি'বগী থবক অসি ঐগী লাইবক্লা ত্রমদে। মাহ্ন তৌরবদি ঐগী প্রবেশনাবগী জীবন অহ্ন নো'মতবা লোইরমগনি।

মিষ্টার বায়না অফিসতা ফম্বা মতমদা মহাক অসি পুরা সাহেবনি। কন'গীম্ন মরমদা কাল্লদবা খঙনীঙবা মগাক্কী লৈবগদে। অফিসগী মরমদা নত্তুনা কনাগম্ন রাবী রাতায় শাদে। ঐ ন্নমিৎ থূদীংগী মাঙোন্দগী থরদং লাপ্না লেপ্লনা লৈরম্মী। কবিগুম্বা মতমদা ঙাঙ-দবা য়াদবা কান্নবা ব্রা নঙনা মহাক্লা কদৌইঙদম্ন ঐগী মরমদা মপুক্লীং চঙবা তৌবগদে।

মাত্নগী ন্নমিং অদি থঙহৌদনা মহাক্লা সই তৌনা তৌনা ঐঙোন্দা যেংত্নুনা ইং'রেজীনা হ'লক', নঙগী প্রভিডেন্ট 'ফণ্ড লেব্রা ?

লৈতে হায়না ঐনা খুল্লম্মী।

মাত্নগী মতু'গী ন্নমিৎ অহুদ। অফিসতা তেক চঙলহপগা মহাক্লা চে অনী ঐঙোন্দা পীত্নুনা হায়রকই, হৌজিকমক ফীল্দ আপ তৌত্নুনা পীয়ু।

চে অনীত্ন প্রভিডেন্ট ফণ্ডদা ন্নপা তু'শিন্নবগী ফরমনি হায়রা উরে। অত্নুবু ঐগী য়ামখিদ্রবা তঙ্গব অত্নুগী পগসা অমা ফাওবা

লেম্লমদে। ঐগী তঙ্গব অত্থুগী শন্দক ংগদবা মী য়াম্না লৈরম্মী, ঐগী মরমদা মখোয়গা পুক্নাংগী ভাব লৈম। অমা পকেরবস্ত ঐগী শেল অত্থুগী মবমদা কৈদৌৱৈদস্থু পেনবিদবা তৌবমদে। ঐনা পুক্নাংদা চিংনবা মতৌ উত্থুন। মিষ্টাবনা থপক খুজিনহল্লে, কুইক কুইক। মাত্থুদা ঐস্থু সই অমা তৌবা দপ্পাবনি।

ঐনা মহাক্কা মফমদা লোল্লুকনা হায়রম্মী, নহাক্না ঐগী দমক য়াবিরিবা অসিগী দমক ঐনা ধন্যবাদ তৌজবি। মতুং পভিডেন্ট ফণ্ডদা লূপা থম্বা ঙম্বা ঐগী শক্তি লৈজদে।

— করিননো ?

পুক্নাংদা থরদং চিংননা ঐনা হায়রম্মী, ঐগী করিস্থু লৈতপা আয় অসিগী মথক্তা ঐগী ইমুং মনুংগী মী অমা অনি depend তৌরি।

— মখোয়দা পীকন্থু হায়না নাঙোন্দ হায়দেনা।

—অত্থুবু মখোয়দা অমস্থুং ফণ্ড অসিদা পীয়্ হায়বিবা শেল পীথ্রবা মতুংদা লেমহৌবা অত্থুনা ঐগী চাবা ওক্তে স্যান।

—ওকত্রবদি চারগনু—মিষ্টার রায়না মমায় মকপিনবা তৌদনা খুমকই, fill it in, puick !

ঐসি প্রবেশনারনি হায়না থম্লম্মী। অসিদগী হেল্লা চঙশিনবা চুম্মোইদমাক্লে। ফবমগী কাশিং অত্থু ইশিল্লগ। মাঙোন্দা পীরম্মী।

প্রভিডেন্ট ফণ্ডগী নিযম মতুংইম্না থাগী তঙ্গব অত্থুগী লূপা অমদা অমা অমদগী পয়স। তরা ফাংবা তুংশিননবা য়ায়। তঙ্গবকী

বিলদগী লুপা অন্ত বন্ধদবনি। অমা অমগী হিসাবতা করুবা তোবগ্মী, হায়বসি হায়মনবনি। মাহু মহাক্কা ককথত্তুনা মাহুগী মহুক্তা পয়সা তরাগী হিসাবতা ভইবা শেলশীং অহু ইশিনবিরে।

ঐনা নোক্রক্কা হায়রম্মা, ঐদি পুমশী শিবা তারে স্যার।

নেভার মাইণ্ড—হায়দুনা সই তোরগা হোগংখরে। খোঙ য়োনা চংলুরগা হঞ্জিল্লক্লুনা লেপ্তুনা হায়রকই, My dear friend, ঙসি নঙ ঐবু শোয়দবনি, শাপ তোরি। অদুবু I can assure you, নথবায় য়াওনা ঐবু আশীর্ব্বাদ তোবা হুমিং অমা লাকখি-গনি, মাহু অওইবমক ঐদি তাবা ফংলরোই। মরমদি মাহুগী আ মমাড়দনা ঐদি পৃথিবী অসিদগী বিদায় লৌরগদবনি।

হুমিং কয়ানিমুক্তা মতম থাকপা খোদোক্লি। মিষ্টার রায় নিয়ম মত্তুংহন্না সই তোরি। খড়হোদনা চে অমগী মদক্তা মাগী মাংয়ে তাথ্রে। মাহু ট্রেক্সারাদগা লুপা লৌথোক্রবা কন্টিন জেন্ট বিলনি।

জেলদা লৈবা মাশংবু নম্ম লৈবা মীওইনবা সরকারনা হোং-নবগা অরোয়বা লৈতে। মাহুগীদমক অতোপ অতোপ্পা ধর্মগী পাউতাক পীবা—পাদার, পণ্ডিত অমসুং মৌলবী সাহেবশিংগী দল হাপ্লুনা লে। চয়োল অমগী অরোয়বা হুমিত্তা অমুক্তং লাক্লুনা নরক্তা লৈবা পাপচেনবা মীশ. অসি পুন্না তিলহল্লগা মথেয়বু পানাবনবগী মদু যেনবিবম্মী। হায়বদি ফাটক বন্দীশিংনা হুমিং অহুমদা থরক থম. থাদোক্লুবা মতম খরদ' পুন্না ফমহুনা হুংডাইবা ৱারা ৱাতায় শাবগা থুদো. গাবা কংই। পাউতাক পীরিবশিং অসি

তলব ফংদে, অতুদি ওইবগা হঙ্গ্‌হন্দা চংপগী খবচতি ফংই — চয়োলদা লুপা ২॥০ নত্রগা অতুগুম্বা অমা। মাহু বিল তৌহুনা শেল লৌখোক্রবা টেক্সারাদ থারিবনি। অঙ্কগী মশাংগা লোয়ননা মোট লুপা তরানিথোক্ট মখায়নি।

খৌদোক অসি মনিবতা খঙনবা তাক্রে। নিষ্টার রায়না কলম থাঙ্গত্তুনা হায়রকই, অংবু ঐনা উর্বাদ নোংমাংজিং খুদাংগী পণ্ডিত অসিগা পাদরি অসিগা ঐগী মুম মনাক্তা চোং চোংতুনা লাকই। মখোয়গী গাড়ি ভাডা হায়রবু কবিগানো?

ঐনা হায়বম্বী, মখোয়না বরম তৌনা লাকপগে হায়বগী মরমদা ঐখোয়না যেফম পোক্তে সরকারনা মখোয়গী লম্বী চংপগী খরচ মঞ্জুর তৌরবনিনা মহু মখোয়গী ফংফম থোকপনি।

মিষ্টার রায় খঙহৌদনা ক্রড শাউবক্রে মহু মরেমগী ফংফম থোকপনি কনানা হায়বগে? সরকারগী শেল লান্না খরচ তৌদনবা য়েংশিনবা ঐগী তৌগদবা থবাক্নি।

অহুগী মতুংদা লৈনবগী ঙবনা হায়বকই, মখোয়বু নঙনা অকিবা মশক ফংনা মুরানবী হায়বা ঐ উবে। শক্লক খরদং ফংবরা?

ঐগী কেক নম্নুংদা য়ান্না থুনা খা লাউনা কাউরক্লে। মুমিং কয়নিমুক্তা মখাওদগী চাকরিগী মায়াসি পাকপদগী অমুক হেন্না পীকশিন্নখী। খঙহৌদনা য়ান্না কনগ্রবা কুংশং অমনা মাহুবু পুনথং খুদংথরে। মাকুপ অনগী মতুংদা এগী পুক্নীং লেপ্রে। অকনবা

পাউথুম অমা ঐগী চান্দা পাক্লম্মী। ইশাবু করিগুম্বা মওড অমা তৌরনা পাকাশিন্দুনা ঐগী টেবিলদা পাক্লে। চে অমা লৌহুনা য়াম্না থুনা পাইদুনা খরা ইহুনা চাকরি থাদোক্লে। চে অদু মহাক্কী মমাঙদা দমহুনা ঐনা হায়রম্মী, হয়েং অমুক ঐবু থাদোকপিরবদি ঐ তৌবিমল খঙবা ওইজগনি। পুং অমা মথায় ভাবগী মেলদা চৎনিংই।

মনিবনা চে অদু পারগা পকেটতা হাপখ্রে অমম্থুং মনিল মহা খোঙ্গন চৎখ্রে। লেমহৌবা চেশিং অদু সই তৌদ্রে।

চিঠি থরদংগী জবাব পীগদবা লৈরম্মী। সন্ধ্যাদা ফম্নবা কাদা কমহুনা মখোয়দুগী অমা অনীগী জবাব ইবা লোইরম্মী। খোঙদা খুংনা থীল্লরে। খোঙ হাংদোকপদা ঐগী মীৎ অসিবু ঐ থাজদরে। অহুপ চাউথ্রবা মনিব অদু ঐগী খোঙদা লাক্লে। তরাম তরাম শুকপা কাউরে। মহাক ঐনা শুকপা ডাহরমদে। শব্দ অমতা তৌদনা কা মনুংদা চঙলক্লে। ঐনা চৌকি অম চিংশিন্দুনা হায়রম্মী, লৈশিন-বিয়ু স্যার! মহাক্না হন্না ফাওবা য়েংবিদরে। কা অদুগী মাইকৈ মরিদ চত্তুনা কক্লাউদা য়ান্দুনা লৈব ছবিশিং অদু য়েংবা হৌরক্লে। ছবি অমা য়েংহুনা বাঙলা লোন্না হংলকই — মহাক অসি কনানো ? মিষ্টার রায়গী মচানা অহানবা বাঙলা লোল ডাক্তা তরে।

ঐগী ইপানি হায়রম্মী।

- হৌজিক হিংহুনা লৈরিব্রা ?

—শিখ্রে

—মরানখুবম ক থ্রে হায়হুনা ঐচানদা অকিবা মশক ফংবা মীংয়েনা য়েংলম্মী। ঐ বু ডাডদনা লেপ্তুনা লৈরম্মী। চৌকি অমা

চিংশিদুনা ফম্লগা হায়বকই, নঙগী বয়স চহী কয়ানো? ঐগী বয়স হায়বম্মী।

— ঐগী ইচানিপা অমা লৈরম্মী। নঙগা বয়স চহী চপ মান্নবা। শিংখ্রে.....মাহুগী দমক ভগবানদা ধন্যবাদ তৌই। ..... করিগীনো থঙব্রা?

ঐ খুমদে।

—হি হুনা লৈরবদি ঙসি মাম্মু নঙদোনা ভদ্রব্যবহার থঙদবা অসভ্য ওইবমগনি। নপাগী বয়স ওইববা অকিস—মাষ্টারগী মনায়দা letter of resignation লংশিন্দুনা থাগনি। আস হায়দুনা ঐনা থবক থাদোকপগী চে অহু কুপ্পা কুপ্পা শেগায়দুনা মচেংশিং অহুনা ঐগী হকচাংদা শংশিন্দুনা থাবম্লগা নোংপৈ নুংশিংকুম্না মপান থোক্লুনা চংখ্রে

[মরি]

শেল নিবেদন। ঐশ্বর্য্য ওইদে। ঐশ্বর্য্যগী পরিচয়দি মাতুগী মপাদা উংগা মশক অহুনি। কোহিনুর থন্না হাপ্পা উপু অমগা ময়ূর সিংহাসন চপন অনা। পুথনা নহাক্না হিনাশয়গী থুপ থুবা গুহা অমদা চঙ্লুন। লৈরবদি পৃথিবীগী ইনাক খুনবশিংগী (১) তালিকাদা নহাক্কী নমাং যাওববেনি। অহৌ নোঙ ন্দ্রিইভদা ব্লেক মার্কেটকী কুপা কংহুন লেক—টেরাসদা মথোল মবি শুবা

(১) list.

য়ুম শাউ, অতুগা লোয়ননা বুইক অনাগা শগোল লাঙেনগী শগোল অমগা লৈয়ু, নহাক্কী নশক, বয়স, বেক্কদা থম্মু। শেলনা নহাক্কী (১)বিরুদ্ধদা সাক্ষী পীগে হায়বা মথৌ পীজসম্মু, লুহোংত্রিবা লৈশাবীগী মমাশিং অমম্মু ইনকমটেক্সগী লমতই শংগী মপুঙ্ক। মো মক্তা ফাবা শান্তি ফংলোই। অম্মুম তৌতুনা নহাক্কী য়ুম; গাড়ি, নহাক্কী শাক্তং লমচং, য়নগী লৈতে ওইনা পোংগৈ, শেংচারিবা ফাজোল অমম্মু পুম্নমক্কা মথক্কু। নহাক্কী লৌক খুজীনচিংবা অলঙ্কার শীনী ঙকসং তংথায় (নতু)—অতু লৈত্রগা ফাজেং লৈতে গা নহাক্কা বাড়ি সম্বন্ধী মুপীগী দল—অসিনচিংবনা নহাক্কু অয় ওৎনগী পুং য়েত্তুনা সমাজগী মমুংদা লাউথোক্তুনা চংপা মবমদা। নহাক অচৌবা মীনি; রাম, শ্যাম, যদুগী নহাক্কা তোপ তোপ্প অমম্মু অরাংবা থাক্কা জীবনি।

ঐশ্বর্য্যগী শাদোংগী মশীং থীংনা লোইবা য়াদে। অতুবু মথোয়দুগী মমুংদা হৌজিক্কী পৃথিবীদা পুম্নমক্কগী হেন্না য়াম্না, নিলংখোংলিবা অতুগী মমাং মোটর গাড়ি চোই। অকিবা লৈতবা খোংজেলগী নেশাদা য়ু ডাণ্ডবত্তুনা কম্না চেল্লি, হৌখ্রবা যাকগ্রবা অকনবা শব্দ তৌত্তুনা মখোঙনা চংপা মীশিংদা মমীং অপাঙবা উংত্তুনা ভংলি—লাপ্না চংথোকউ। মনাক্কা নক্না লাকনবাদ শিনা লোয়দংবনি, নাকয়েত্তা চংথোক্রবস্মু লৈখোমন্না ইকায়বা পীবা অত্তুদগী হিংক্কম লৈতে। অসিগুম্বা মোটর গাড়ি অসি নহাক্কা ঐগগী মরক্তা য়াম্না চাউথোকপা (২) চাইনিজ ওয়ালনি।

---

(১) against.(২) chinese wall.

দার্জিলিংদা ঐশ্বর্য্যগী অয়াংপ লৈতে, অরাপ্পদা মতৌ পাননা শাদো মসেন্থন। অমদা লৈবা মরম অসিন হীনাক খুনন অমম্বং মায়রবগী মরমদা লাপ্পা। পাতু লাঙ্গ্থাকপা য়াদবা নত্তে। অন-জাবভেটার হিলগী মাংকৈ মখিদা কোয়না কোয়না চৎনা ম্যাপগী বেঞ্চদা ঙমিং খুদিংগী ফমজুনা। অরাবা পোথায়। এরনা ফম্লিনা লেখিং মহুগী শাতোপ্পা মতেন্দ ফীজেং চাকচা অচাউরম কাপ্পা ভাকঝমক তৌবা মী কবিনতা চিংনবা লৈতনা ফম্মী। অসিগুম্বা মীগা ঐগুম্বা মীগা অতোপ্পা মফমদনি আসন অমতদা ফমিন্নবগী য়া লাপ্পা থমজুনা লৈকায় অমতদা পুন্না লৈমিন্নবা ফাওবা নংগী ইকাই খুদেবা মওংনি হায়নগনি। মাদুগী ঙমিং অতুদম্পু ঘটনা অসি অমুক হন্না পোক্লে। ফীবোম য়াম্না শেংবা য়া চাউরা লিপা অমা মাহুদা ফম্লে। মাগী মশাদা মনল যাম্বা বাইডি ব্রাচেস্, মাকুগী মথক্তা অহুদ্দীপু চপ্পা মনল যাম্বা কোট, কোটের মাফ্লার, খংকা মোজা মশিং; মাহুদগী পুক্লোংদা ভাব থোকহনবা ঙাংশিবা মনম থেবকপা অড সাদ্র মপান্দদা ওইবা য়াবনি। কলকতা, বোম্বাই, মদ্রাস নয়াদিল্লীগী কবিগুম্বা পাব্লিক পার্ককী বেঞ্চিদ অসিগুম্বা লিপা অসিগা মশা পুম্নমক উবগী য়াদি লাপ্পা থমজুনা, মাগী মকোক্কী শিখা ফাওবা উবা হায়বসি মতমদা ফাওনা ওইবোই। অমুপ চাওনা থোকপা য়াঁবথু থোকহনসিগী মরমদি ফজখ্রবা সহর অসিগী উত্তম লাংব, আলকাতরা তৈবা, তক তক্রবা সড়ক অচৌবসিবু মোংহনবা মাগী মোটর গাড়ি নিপাল লৈবা অহুগী মরক্তগী অমতং পুরকপা যাপ্পিদ্রে।

লাক্লিবা নিপা অসিনা মাগী মমীং মীংচীনা ঐহোন্দা অমুক মাইক য়েংলম্মী, মগী মতুংদা যাতা 'পীনা যেকগোংনা লগাগী সিগারেট কেশ অমদা নমস পানখ্রবা সিগারেট পানশিন্দুনা বিদেশী পাল্লা রা ওংলক', তৌ চ কাঁনথ, নহাক মুনিং থাদংগী মফম অসদা লেংলাপরা?

—লাকপনা নম্মী।

—কদায়দা লৈবিরগে খড়না যাগদবা?

—জেলদা

ভদ্রলোক অহু ওক্রমই। নশানা খওদনা থরদং চংথোকখিহুনা চিনবা নাংযেংনা ঐবু যেংবা হোৎরক্রে। কিবগী মরম লৈতে হায়না ঐনা থেমজিল্লম্মী। ঐ থোঙ খুদেক্কুনা লত্রগা লৈপল চোংহুনা লাকপা নাত্তে। ঐগী থক্তা হুবীগাকম্মু যাওদে। হায়রিবু —

খটস হাবা শব্দ অমা তারে। পুলিস সিপাহি অমা নাক্তা চংলম্মী। ঐ মসি নাকপবা কর থবক পাবিগানো হায়না নহাক খওলম্মদায়। পুলিসকী কানদা খোয়োক্না খুৎংনা য়েংনা সিপাইনা তৌরগা চংখ্রে। ভদ্রলোকনা হঙ উবে পাম্মুংনোক্কুনা হায়রকই, নহাক অসি অকবা মীনি। ঐনা হাহু —হাদা মুশাকিলনো —বেশ ওহসম্ম।

মহাক্কী ওইবিবা মওঙ অহু ঐ থুংঙাইনা যেংলম্মী। মহাক হাজিক্কি ঐগী ইনাক্তা থরদং চঙশিল্লকুনা হায়রকই, যেংনিয়ু, রা অমতা হায়জগে হায়যুরা?

— হায়বিয়ু

ঐঙোল্লোমদা নোঙ্ঘরক্কুনা অনেম্ব ঘ্রব'া হায়রকই, নৈবাক য়াম্না কোয়ক্করে। অহক্পা পোং যান্না উক্রে। অথুপ্পা অবেনবা মী চঙহন্দবা মফমদা চঙলূবগী খুদোংচাবা ফংলক্কে. অহুগ্না মফম-দগী হন্নক্কুনা লাকপা হায়বসি লাইবক ফবগী রাগি, অহুবু অঙক-পনি পোং অমদি কৈদোংদস্থ উখিদ্রি। মাঙ্ক জেলনি। ফুট ৩০ বাংবা চেকপল অসিগী মকমদা করি নৈবগে য়াম্না যেংনিংই, অমুক্তং য়েংহনবিগদরা ?

ঐনা হায়রম্মী, অহুবু করি লুবগে? নহাক্না য়েংনিংলগা হেক্না য়েংবা য়ায়। ঐনা মতেং পাংদ্রবস্থ যায়।

—কমদোনা?

—য়াম্না লায়বা থবক্নি। নহাক্না ফঙ্বিবা বেঞ্চ অসিগী মথক্তা লেপ্তুনা অনী মরিরক্তং ঙংহুনা লাউবিগ্, ইংরেজ মাঙলসন্ত। ডাউন উইথ ইম্পিরিয়লিজম। পুলিস নকনা চংলি। অরাংপা থবক অহুগী ভারদি মখোয়না অহুম লোজগনি।

মহাক্না মরৈ চিক্কুনা হায়বকই, সর্ব্বনাশ, অহু হায়বা ঐ ক.দৌডৈ ঙমগনি? ডাউন উইথ গ্যানডহিজম হায়না চানবক হায়বা ঙমগনি। দরকার ওইরবদি হায়স্থ হায়বিবনি।

মহাক অসি দেশীয় রাজ্য অমগী ইকাই খুম্নরবা রাজকুমার বাহাদুরনি হায়বা পরিচয় ফংলে। ষ্টেটকী জমা ভোহুনা নৈবা শেলদগী লূপা লাখ কয়ামুক বৃত্তি ফংই। কলকতা নত্রগা নয়া দিল্লীদা লাকপা কালদা তোপ কয়ামুকস্থ ঙংবা মালে।

মথংগী মুমিৎতা ঐগী তোনখ্রবা খাংবোকশঙদা মহাক খোংদা-রক্লে। ঐ য়াম্না কিরহনা হাগংলম্মা অমসুং থবক পুম্নমক তৌবা কন্নাইশু হেগু, চাকখোংবা নিপা-মানাই-বয় বেয়ারা-থওমৈ মৈরা পায়বা ১)-"কেট," গী মমীং হায়দুনা কৌরম্মী। হান্না চৎলুরগা হল্ল-কুনা ফমসি অমসুং নগাক্কী কেটাগী শ্রীহস্তনা লোনবা চা থকসি হায়না কুমার বাহাদুরনা ব হৌদোক্লে। হান্না চৎলুখিসি, ঐখোয়গী মিশন অদু তৌরুখিসি।

অশিকপা জেলনি। জেল মনুংদা চঙবগা অহানবদা সেলশিংগী মাইকৈদা মহাকপু প্নহনা চংলে। থূদুপ তবেং শাংবা মঙা পাকপা কানি। শরং হাপ্পা য়োংকী থোঙ অমতা পাল্লি। তুংলোমগী ফক দ কোক্তগী য়াম্না হেন্না ৱা না মিক্তুখোংগুম্বা অমতং— মাহু ম াপ— মুংশিংপু ফাকী কৌনবা খন্নথিবা ওইরম্বা য়ায়। কাগী মনাক্তা নাকল অনাদা চেকপননা কোয়শিনবা বাবান্দা মতেক অমা। অহগী মথংদা উগা থোঙ অমা। সেলদা লৈবা মীগা মথক্তায় পানবগী চ্গংকা অনাগী মরক্তা লৈবা থোং অসিমতনি। মক্তম অ দা থোঙ থিংজিনখিবদা মাংোন্দদি পৃথিবী অসিদা মী অমতা লেতরে

মখল য়ঙ্ক পন্দাশ গী লেফপনি। সেল নম্রগা "ডিগ্রী" অ ন মঙ া, কুনা ু ন মী তৌকপা মরাল তৌরুরে, য়াব্রবা মী জেল আ লগী থক্লাম্ম নাডবা য়াবা পাবা যোওইদনা তৌরুবগী দমক মথক্তা জেলনা ব াশা স্ত ফ লগা মী অহানব সেলদা মী হাৎলুবা

( ) শুবগানি না নিপা পাখ মচাবু কেটা কৌই।

লিপামচা আসামী অমা লৈরম্মী। মাগী মমীং যতীন কোই। মশাগী খুসিনা পুলিসতা ফাহনবনি। কুমার বাহাদুরনা মাগী মাইকৈদা থানা মুন্না য়েংলম্মী। ইরাই লায়না রাহৌদোক ওইদুনা ঐনা হায়রম্মী, দিস পুওর ফেলো —

যতীননা ঐগী রা থদত্তুনা কুমার বাহাদুর য়েংদুনা হায়রকই, নহাক কনানো? ও.ও জেল য়েংবা লাকপা নত্রা? য়েংবিয়ু য়েংবিয়ু, য়াম্না নীংথিনা য়েংবিয়ু স্যার। কোলকাতাদা শায়োকশঙ (১) চিড়িয়া খানা উবিরবরা? জঙ্গলদগী শা ফাদুনা পুরক্লগা পোন্দা থম্লগা ঐ-থায়না হরাও তয়াম্বা কয় য়াম্না ফংই। মাহুদগী হেন্না মকম অসিদা হবাও তয়াম্বা ফংবিগনি। নশাগী জাতিবু শাগী মতৌগুম পোন্দা ফাদুনা থম্বা উবিগনি। মাত্তুনা য়েংবা করিগীনো? চিড়িয়া খানাগী সিম্পাঞ্জিং নত্রগা হনুমানবু অভাভর্শিংনা চৈনা থিন্দুনা য়েংবগুম, ঐখোয়গী খোনাওদগী করম্বা শব্দ থোরকপগে য়েংবিয়ু চৈনা থিন্দুনা।

অসিগুম্বা লংনবগী রাসি ঐগী মাইকৈদা মানা য়েংলকপা মতমদা থডহৌদনা অয়াক্পা অকনবা ওইরক্লে। মহাক্না হায়রকই, ডেপুটি বাবু, ঐখোয়বু পোন্দা ফাদুনা থম্মিরে, মাহুগীদমক রাবা লৈতে। খোঙদা যোংকী খোঙজী, খুত্তা হাতকড়া হাপ্তুনা থাজেন্দা য়ান্দুনা থম্মিয়ু, মাহুম্থাওবা ডমগনি। অদুবু অচুম্বা বিচার তৌবিয়ু, পুওর ফেলো হায়দুনা মীগী মকমদা মমল হোংবা মুংশিবিবা মায়া উঙ্কুনা পোউউপা নোনা অমুক কাওবীগনু।

(১) শা য়োকফম the zoo.

মব্‌ং'ঙো নাংবা জমাদারনা শাউবক্লুনা ফাটক ওথিবা ভঙ্গিদা কাবনো অমা র হায়গে তৌরকই। ঐনা থুং থাঙ্গগুনা খায়ে। রাংদবা অংদি ওইরগা হেল্লা খাবা মুবনা যতীননা হায়রকই — মীবু শাগী মওঙ শেম্লগা তোকদি। মরূপকী মফমদা মথোম্নগী য়াম্না খঙনীংবা অমদি হরাওবগী মবম ওইনবা মাগী দুর্দশাহ্ (ফত্তবা দশাহ্) পুথোক্লুনা ডাডলি, নহাক অসি কয়াদা য়ান্না মুংশিবা খঙদবনো!

অরোয়বগী বাঙাডহ্ থোংনা মেংনা তায়। কুশিং কুংশিনব্রবা অয়াকপা মমীং অনীহুদা মপি তাবক্লে।

ঐ কুমার বাহাদুরগী মাইকৈদা য়েংলম্মী। মহাক মঙ মঙলুবগী মীকপ থোরকপা মংঙো মাল্লি। খঙহৌদনা যতীনগী সেলগী মনাক্তা চঙশিনখ্রে। য়োংকী শবঙগী অহোবদা মাগী (যতীনগী) মথুং অনাহ্ পায়হুনা অশেংবা বাঙ্গালা লেন্না হায়রকই, ঐখোয়বু ঙাকপীযু ভাই। ঐখোয় য়াম্না লাল্লে।- অসি হায়রমলগা মাগী মথুং থাদোক্লুনা মকোক নোঙ্গহুনা থোং তম্না চেনখ্রে। ঐবু ফাওবা ঙাইবা তৌবমদরে।

[মঙা]

মতম অসিদা চাকবিগী আফংনা ঐগী গোপ মগুংদা হুগী থবক তৌরে হায়বা ঐ করিগুম্বা অনৌবা বিষয় খঙনাংবগা লোয়ননা খঙলে। থা ভকক্কী মমাংদা অসিগুম্বা অবস্থা অসিদি রাখন্না লাম্না ফংলমদে। বড়বাবুনা মরল পুম্নমক ওইবা কেরানীশিংবু ঐনা কয়াদা য়াম্না উশিত্তবগী মীংয়েংনা য়েংলম্মী হায়বা খল্লুবদা নোরিংই। ঐগী বাঙাঙ অমম্লুং চিন্তাবু মপুং ফানা দাস

তৌথিবসি বড়বাবু নত্রবস্থু বড়সাহেব [illegible] ছোট সাহেব [illegible]। হুমিং কয়ানিমুক্কী মমাংদা মরূপ [illegible] [illegible] সংদা [illegible] পূক্কীংদা শ', রবীন্দ্রনাথ, [illegible] লাস্কি, [illegible] হক্সলে [illegible] ডানকান লৈরম্মী, হোজিক্কি মাতুদা ক্লেল [illegible] [illegible] ক্লসস, আই-জি নত্রগা একাউন্টেন্ট জেনারেল [illegible] [illegible] হৈকাইবা ফংই।

অসিগুম্বা পূক্কীংগী মওঙ হোংবসি ঐগুম্বা অপাকপা চাকরি তৌবা মীদগী নত্তে, অচৌবা চাকরি ওয়াকাশিংগীম্সু মাসিংথক্সি ওইরকই হায়বা উবদা অসিগুম্বা হৈকাইবসি লাংথোকপদা ঐগী হুমিং কুইনা চংদে। থেম্বদি চাংদনি, মথলদা নত্তে,—[illegible] নত্তে, ডিগ্রীনি। ঐনা আই-জি নত্রগা মহাক্কী [illegible] তৌবগা মথোয়না চীফ্ পালিটিক্যাল [illegible] [illegible] [illegible] টারিবু মরু ওইনা থল্লি। সেক্রেটারিশিংনা কনাগুম্বা [illegible] [illegible] এইচ-ঈ-কে মশামক্কী রু থন্দা লুপ্তুনা লৈ। [illegible] মা [illegible] অসি মতুগী রানি। মাহুগী হুমিং অতুদা দার্জিলিং [illegible] [illegible] লৈবা ঐগী পীকখ্রবা বাঙ্গালংগী বারান্দাদ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উপত্যকাগী রাংমদা কাঞ্চনজঙ্ঘাগী অচৎকপা [illegible] [illegible] মাইকৈদা য়েংহুনা ঐনা হৈশাবু তৌল্লি [illegible] [illegible] [illegible]। অকিবগা লোয়ননা ঐনা থল্লম্মী - চাকরি হায়বসি [illegible] [illegible] (লাইবেন)নি। সহায় লৈত্রবা শক্তি মচাগী মতৌগুম [illegible] [illegible] চংলুরবসিদা ঐবু কনবিনবগী উপায় লৈত্রে। [illegible] [illegible] ঐবু মপূং ফানা য়োংথ্রগনি।

অহুদবা ? অস্থুপ কুইবসি ঐনা চংকে হায়না নীংহুনা খুদম তৌহুনা থম্বা লম্বীদগী নাম্বোক্তুনা তাবদা নত্তে, তথকপা ঈংগেল মচা অমনা ঐগী চানা লৈবগী জীবন অসিগী লৈহাও লৈত্রবা স্থমিংশি অসদা খোঙী চাইবীহুনা থখিরম্বা মী মহাক অহুস্থ মাঙখরে, তৌখিবা স্থমিং কয়ানিমুক অসিদা কাঙ্গী ঐগী য়ুমদা লাকে হংখবসি খমকুস্থ থল্লদবসিদা ঐ ভক্লম্মী। অহুবু স্থমিং কয়ালগী নমাঙদস্থ মাগী শুমহংনবগী মশক ওইবা নোকপহুনা শোকপদুগী অথাম্বা অহু ফংননবা ঐগী হকচাঙ অমস্থং পুরীং মনাকে থাঙ্গংহুনা লৈরম্মী।

সাহেরিক থরা পুরক্লম্মী। মাহুগী মরক্তগী অমা লৌদ্বনা মল্লংগী নংবাঙুদা ফমলম্মী। ডিসেম্বরগী স্থমিং য়ুংনা মতমনি। অাজিয়া, স্থমংকী মঙাল অমুক ডান্থোক অমুক মমশিন তৌরম্মী। নিংথম্বা খানবা ডম্নবা কম্না হোৎনরম্মী। অহুবু ঐনা হোৎনবহু অবেবা ... , সাহেরিক পাবদা পুকীং চঙগে হোৎনবা অহুস্থ ...

মপানগী ... ডুদা কনানা অমনা থিল্লকে কনানো হায়না ঐনা ... কনাস্থু থ্মলক্তে। অ... হম্না ... হেন্না ... থিলখে। থংনবা কদা কেটানা নাখোক্তুনা হুম লবহু খুংনা নীক্লনা হাবেকপা নত্রবদি হৌগৎলোইদবনি। মরম অহুমা রান্না হৌগৎনংদনা হৌগৎলে,

—এং নঙ ওইরে।

কাঙ্গ্লাগী মথৌ মশক উলে। অমুবা রেশমগী (১) ঘাগবাগী মথন্ডা। চকোলেট মচুগী সার্জ্জগী ফুরিং লিংলি, মাহুবু

( ) স্থপাগী সেমীজ

মখে যনা চোলা কৌই। অশাংবা বেনী লানবা মশম মনক্কুন্দা য়ানথবি। অঙাঙবা মথড্রাই, মচানবান, তথকপা মমাং অনাইদা নুংঙাইবগা লোয়নবা নোকমি নোকমি তৌবা। নোকপা য়াবা মরম অমত্তং ফংবদা পাখোক্কুনা তারকনি। মথুক্তা কমলা হাপ্পা থুমোক অমা পায়রম্মী। ইমুংদা চঙলক্কুনা থুমোক থমদুনা হায়বকই, সে লোরো। বডী আম্মানা পীবকপনি। ঐখোয়গী হৈকোন্দগী হেক্লকপা কমলানি।

ঐনা ফজবা মচুগী কমলাশিং অদু খুৎনা ভং ওক্তুনা য়েংলম্মী। কাঙ্গৌনা মকোক হাইদুনা হায়রকই_উহুঁ, নঙনা থিরিবদু ফংলবোই। ঐনা ইথুৎনা পাম্মীদগী হেক্কুনা পুরকপনি। ত্রিংখং কয়া য়ূরবগে খঙব্রা? মশা থুদেকই হায়দুনা বড়ী আম্মানা চৈহৌই। ঐনা হায়রম্মী কমদোনি? নঙগী বাবুজিদি কমলাগী মখোক অমম্মুং মনা য়াওদবদি পামদে।

রাত্থ অচুম্মি। মাসি ঐগী অঙাডগুম্বা স্বভাবনি। কমলাদা মখোক অমদি মনা যাওবসি দার্জিলিংদা লাক্রগা অহানবা উবম্মী।

মখোক যাওব্রবদি কমলা পামদে হাযবা কনানা নঙোন্দা হায়বগে?

—ঐনা খঙবনি।

- করম্না খঙই?

অশাংবা বেনী লোনবা মশম অদু হাইদুনা হায়বকই— হায়বরোই।

শুকথশিন্নহুনা ঐনা হায়রম্মী, ফবে নঙগী কমলাগী থুনে'ক অসি পামদে ; পূজথবো।

—হুঁ। পুখ্রগ নক্কো? বড়ী আম্মাগী মীংকায়পাক বরি পোৎনো হ য়বা থঙদেনে নত্রা ? য়েংউসে—হায়দুনা ওই-থংবা মথুত্তগী ফুবিং পাম্বোম হাইদোকতুনা অশাংবা অমুবা দ'গ অমা উহল্লে।

ঐনা হায়বম্মী—য়াম্মা ফরে। নঙদি হুমিৎচুপ্পা ফত্তবা পাবা কৌই দগি তৌদবা য়াত্রা ?

—অহু ওইরবদি নঙস্থ নাম্বোকপা য়াবোই।

—করিগীনো ঐ করি তৌরবগে ?

—কমলা হন্দুনা পুখ্রো করিগী হায়বি?

পাউথুম পীবা য়াদ্রে। ভাইহাক লৈরগা মাগী নো'কপহু নীংখায়হুনা তারে। (১) বেলোয়ারী লীক্লী গ্লাস য়াম্মা অকনবা নুংগী মথক্তা কম্মা হুনথহুনা থুগায়রে। ঐ জ্ঞান মাঙলে। ঐগী অঙকপা ভাব হোংবসিগী মরম মাদি থঙবা ওমদে। থ হৌদনা নোকপা তোকতুনা ঐগী ইনাক্তা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লকুনা কিনা কিনা হায়রকই, নঙ শাওরবরা বাবুজী ?

খুদক্তা পাউথুম ফংদ্রবদা মরাল লৈবা মীদোনা মপূক্টীং চিংননা শোম্বাংননা হায়রকই, সত্য, ঐগী অনাবসি ফত্রে। অসিগী দমক ঐবু কয়া য়াম্মা চৈদ্রে—।

মতম অসিদা ঐ শাওবা ফরে। অহুগুম্বা জ্ঞান লৈরবদি করিগীনো অঙাওবদোনা নোক্লিবা ?

---

(১) বেলোয়ারী কৌবা মফমদা শাবা লীক্লী গ্লাস

—বা-রে, ঐনা নোককে হায়ত্তুনা নোকপ্ব ? নোক্লিংলবদি কমদৌনি ?

—আচ্ছা ; অসিগী মতুংদা অমুক নোক্লিংলবদি বড়ী অম্মাগী মনা ; তম্না চেনখ্রে। শীঙকায়পাক্লা ননঙ্গন্দা অমুক্তুং ফুরগা নঙগী নোক্লিংবত্তু বাপ্ বাপ্ হায়ত্তুনা চেনখিগনি।

—ঈস্, অত্তুরা ? অত্তুম তৌরগনা অমুক হেল্লা নোক্লিংই।

—মাক্ত ঐস্নু থঙই। চান্না তৌমক্লুনা নঙবু মাঙহনবসি মহাক্কনি। ঙাইখো ; ঙসিমক চত্তুনা হায়রগে—

—চংলুনা। হমুবীনা করি হায়রক্কনি হাযবা ঐ খঙই।

—করি হায়রক্কনি ?

—হায়রক্কনি, চান্না তৌত্তুনা ঐনা মাবু মাঙহনবা নত্তে। মাবু মাঙহনবদি অতোপ্পা মী অমনি।

—মাত্তুদি কনানো ?

—ঐনা করি খঙই—হায়ত্তুনা ঐঙোনলোমদা মতুং ওন-খোক্লুনা লেপখ্রে। অশাংবা বেনী অত্ত অমুক্তুং কল্লা হাইরগা তথক তথক্লা য়ুমগী মাইকৈদা চংখ্রে। ঐগী ভাণ্ডারদা থু মাক্তু থম্মুরগা খোরক্লুনা হায়রকই, কোক শায়ত্তুনা চারগা পুক থল্লোয়, হৈ খরা অসিম্নু চাউ। কেটাদা পুম্নমক অসি দান তৌবদি তৌ-গনু। নঙগী নপুক্লাংসে ; হৈ অমা ক্লাওবা নন্নাদা তাদবা য়ায়।

য়ান্না হৈনীংবা মতৌ উত্তুনা ঐনা হাযবম্মী, ঐনা চারোই কনানা হায়রিবনো ? হয়েং নঙ লাক্লুলা য়েংঙরাও, থুম্মোক অসি গড় (লানবন) গী লৌবুক্লা।…থাজ্জদবরা ? অচ্ছা, অহ্ দি, নঙগী নমাঙদা চাবা হৌরগে।

ঐন' হৌগৎকে তৌবা মতৌ উতুনা কাঞ্চীন খ'মহুন' হায়রকই—ওক্লে ওক্লে। হৌগত্তবস্থু য়াগনি। ঐনা য়াম্না নিংথিনা থওজরে।

কবিনো পোৎ অমা থিরে। মতুংদা চাকশংদা চঙথরে অমস্থুং মফম অহুদগী ভাণ্ডারদা পুথম অমা পুথোরক্তুনা কমলা অহুম-মরি খোকতুন' হাম্নগা পুথম অহু ঐঙোন্দা পীরে, হায়রকই চারো।

কমলা মঙুং থরা লৌহুনা ঐনা হায়রম্মী বাঃ ঐ ইথস্তা চাগদরা?

—অতৈ কনা চাগদবনো?

— করিনো নঙদি?

কাঞ্চী খুমদ্রে। মকোক নোম্বতুনা মখোড়না লৈবাক্তা তপ তপ য়ৈবা হৌরক্লে। নোম্বহুনা লৈবা মমায় অহুদা ইকাইবগা লোয়নবা মোমোন নোকপা মীনোক ফাওরক্লে। কমলা মঙুং থরলং মাগী মথুৎ থুংশা তিংথোকপিহুনা পায়হল্লগা ঐনা হায়রম্মী—কনানা চাবা লোইবা হানবগে য়েংনসি।

কাঞ্চীদি অহুবু হৈ অহু ময়াদা হুকত্রে। অহুম লেপতুনা লৈদ্রে।

করি তৌরে? হায়না ঐনা য়েংথিবদা মাগী ইকাইবগা লোয়নবা অথোংপা মমীং অনীহু ঐবু মমীং কুপ্তুনা য়েংহুনা লৈবহু উরুরে। মীৎ মরি হেক চানবদা মাগী মমায়দা ঈগী ঈচেন অমা চেনশিল্লক্লে, মমায় ওাঙথরে। অহুগা লোয়নন অকিবা ফজবা শক্তি অমোমগী মতৌশুম চেনখ্রে।

থংনবা যুমদা বড়া আম্মাগী কংসী থীংবা মানবা মখোল অহু ভাবা ফংই। লাউ খোংহুনা থৎনবগী খোলজেপনি। অহুদু মাগা

থংনরিবা মা খহুগী মখোলদি তাদে। তাকমস্থু থোক্কে। বড়ী আস্মাগী গবর্ণমেণ্টপা। অপোজিসন পার্টি লৈতে। পুরা ডিক্টেটরশিপনি নিপা মতৌ মনাও থংনবদা চাউনা হৌরগা পিক্লা লোইশিল্লি হায়না পণ্ডিতশিংনা হৈরম্মী। অদুবু নিপা মতৌ মনাওগী মরক্তা উত্তমাধে হায়বদি খ্বাইদগী হেন্না ফবা তংখায়দা বড়া আস্মাগুম্বা মা লৈবা অদুগা অধমার্ধে হায়বদি অতোনবা তংখায় অমা লৈবা অদুদি মী ওইবগী মতৌ তৌদ্রবা—অদু ঙ ববদি থংনবগী মওডসি ওন্নতৈনৈ, হায়বদি পিকনা হৌরগা চাউনা লোই। হৌরকপদা কোই কোক্লবা ব্লেড নত্রগা কুরিংকী কুপাম, অদুবু অরোয়বদ ব্যাণ্ডেজ অমসু টিনচর আইওডিননা ওইবা দৃশ্য ঐ অমুকলকগী হেন্না উথরে। করিস্থ লৈতবা পিন্প্রিকস হায়বদি পিন্না থিনবগী মহুত্তা থাবৈ নত্রগা হন্নাই ওংখায়নবা য়াকাবী ডাক্তর থাপাগী মতৌ মনাও যুগানবা জীবন্দা ওং না ফংবা লোং নত্তে।

অসিগুম্বা অহল ওইরবা, মী অমগা থংন চৈনবা হৈত্তবা মপুক ওম্না ডাক্তার অসিগী মফমদা ঐগী মশ না পোকচবা sympathy হায়বদি রামিন-মুংডাইমিন্নবগী ভাব লৈরম্মী। 'পুস্তাকপনি মনাইনক খীবা' নিপা হায়না ঐনা মাগী মফমদা চংশিংখৎ দয়া অদু মানা ফংফম থোক্তমাল্লে হায়না ঙসি ঙহানবা ওইনা পুক্লৌংদা খল্লকই। করিস্থ লৈতবা অতোনবস্থু যেংস্থু, অচৌবস্থু ওইসন্থু, কনাগুম্বী মুপী অমগী থমোয়দা ঐসি লৈবা, এবু আশ্রয় তৌহুনা মহাক্কী ক্লংডাইবা, রাবা, থংনবা অমসু শান্তি ওইবা ঐগী মরমদা মাগী মপূক্লৌং থোয়রাংবগী

অরোযবা নৈতবা—অসিগুম্বা সত্যসি মশাদা ফাওবা নিপা অহুগী জীবন্দা, অসিদগী হেনবা সম্পত্তিগী মপু ওইবা মী কনা লৈংগে? ডাক্তার অসি অহুগুম্বা মরাইবক ফবা মীশিংগী মরক্তা অমনি হায়না ঐনা নীংই। মরম অহুনা মী অমগী কংসী মখোল মানবা খোঞ্জেলগী হুনা মাবু শোক্তে। মরমদি মহুংদা মরুমদা অমৃতগী ভাণ্ডার লৈ হায়বা মহাক খঙই। মরম অহুনা থংনবা পূক্নীং খোযরাঙ খোয়্ম-শাওবগী মবক্ত মহাক অসি পুক্নীং চবাং চরাং তৌদে অমসুং বিকার কায়দে ব্যাণ্ডেজ পুনবগী অরাবা থাঙলবসু মাগী উবক্তম উদবক্তম তৌগা অরোবা মনীং অনীহুগী মরুমদা মুংডাইবনা নোকপা মওং শমা লেনম্মী।

উ গ্রাবগী অসিগুম্বা মশক অসি ঙসিদা গ্রডোন্দা মওং অমা ওনা ফোংদাক্রকপাদ করিনো? অহু পুংবাদ অসিগুম্বা অমৃতগী মশক ওইবা অহুং (পূক্নীদা যাওবকপ) অসিনা ঐগী থবোয়দ মাহুগী সনাগী চেমচা অমনা নংখ্রবরা? ঐসু অহুদি—

"আসামী লাক্লে, হুজুর!"

ঐ থংলে! কয়াদ লাপ্তনা পুর লানা ফাক্লেং শেংপা ওর্থা ওয়াডার লেপ্লুনা লৈরম্মী। শদা লায়ননা লেপম তৌহনা আসামী লক্লে হুজুর হায়না ঐহু কাবমহুবা চংলে। তবাব ওরাম ওকপা দরকার নত্তে অসুং থাহ হৌজিকমক ঐনা চঙনা তৌকপদবনি।

আসামী শং অসি কনা কননো?

আইন অসুং আদালতপু খুঙা উত্তনা (খোঙজদহুনা) মী অতৈগী মরক্ত অমসুং মথরায়না খোঙ্গাওবা (বোল) শানব মহু-

শুম্বা লাইরক ফংবা মীগী লম মাথোয়হৌ নত্তে। সম্বাঙ্গী মনুক মথক্তা ফমহুনা লোইথুনুম্মা লেপ্পুনা ত তৌবা চুরি ফেংবা মী অমত্তসু নত্তে। জেলগী লোচদা মথোয় অদুম্ব কবিগুপ্তা বদাচৈৎ উপনি। আইনগী লাংবগী চিংথেক পনবা মাগী মী কনাস্তু তৌজদবা মীওই অদু লম দম ওইনা মখম অসিদা লাকচা। ভূটিয়া নহাগী মনদাক্তা-ডুবনা মাগী ইমুং মনুং গী হায়িং খুদোং-গী থক্‌বা মগুমদা চেচ অপুম্বনা য়ুম্ভুগে।

মাগী মরাক করিনো হায়বা মা খঙদে। শঙ্কুন তৌবা হরানবা বংশীনা সর্দার বাহাদুর লেডেন লগী নাংলোংদগী প্রথম অজুন হুরাংদুনা যোংঙাক্লগা লেপ অদুন চেচ লেব মচাগা সিংগ্রাত তিন অমগা লৈক্লে, জেলগী মবুদ যাম্না হেশি বা, হোনোং লক্লোক্লবন পকেট চপ্প (pick pocket) গী কাববারদা থুনোং চদবা ওহুনা জেলদা চংহুনা মশ খরদং কনহুনবা, মশাগী থুংলা পুলিশদা ফাহল্লে।

মথোয় অসিন ব্রৌ অংসাল হায়বশু। মপ্পাদা থোরা, মখুত তাওকডা চপ্পুনা মথোয়গা পাংবংশানা লাকই, চটথ। মথোয়-সিংনা মরাং লেপকন, মনক্কনগী চা অংবা অহগী মনোং লেপ থাওহুনগী দগী, কলম ওবদাব পাংদা চেঞ্জাগী থাওনা এনা হাল্লি। অহগী নতুংদা জেলদগী থাদে চপা পুংনও, মপাগা মবাচ অত্ত থুক্চিংগী চিংচ চানবব। য়োংহুনা জেল গেট্কী মপদা থাদোকই। নরাংবক থানা মীশং আমগা মক বাক্সা কয়া চাউন শাল্লি। মথোয়গী দমক চাউরা। পুলিশ চেতপা সন হুমা না চোংলে, লোংচ নবনগী য়াংবা ফাওবা টাক পুনব। হাকনা কলম চাপ্পাহার

অদুগা মহাক্কী পাক চাউবা এজলাস, অমুবা কোর্ট লিংপা উকিলনা মখোয়নাও পোশাক য়বমখৈগে ক'উর অদুগা অমোংপা চাপকান শেংপা মোক্তারগী দল অমস্তং মখুত্তা চৈ অচৌবা পা য়দুনা জেলর সাহেব মৌলবী মোবারক আলি অদুগা ঐখোয়না মহাক্কী মতুং ইনবা মী ময়াম।

অংবু মখোয়সি ঐগী [illegible]নি। মখোয়সি লৈবনা ঐগী য়ুমদা চাকলন্থ্রে। মখোয়সি লৈবনা ঐ লৈবনি। মরুবাদি ঙসি ঐ কদায়দা লৈরম্বনি, অদুগা ঐগী [illegible] [illegible] বাজাগী [illegible] অমা কদায়দা লৈরমগনি।

[ভরুক]

অলিস হায়বা ব্রাইত অসিনা খড়নবদি অমম্বা বন্দী শঙ, মাত্রগী [illegible] ১০ দগী ৫ ফাওবা কলম চালাই, কলম চালাই রিবা মী [illegible] [illegible] মখোয়না হাম্না [illegible] [illegible] ভুক্না হায়বদু য়াম্না [illegible] [illegible] চয়োল [illegible] [illegible] মা—নামাইজিংগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐ বন্দিসু খড়দ [illegible] [illegible] বরম্বা। এহ [illegible] উপন্যাসন (১) তুঙ্গা ওইনা লৈবগে হায়বগী মরমদসু ঐ খড়দে। ঐগী মনুষ্যান হায়বদি থরায়মি কম্বা হকচাংগী অক্ষবা সাক্ষি নফমদা লৈ'রব। এহ অহ চন্দ্রদেব ওঃরমাল্লে হায়না ঐনা পুক্লীংদা চিংনৈ। মহাক্কা দৃষ্টি ভৌ'ববগী কৃপান স্বর্গ অমদা লাক্কুনা কলম পায়ররে। মফম অসিদা হুমিং

---

(১) ব্রাংবা য়াম্না ফবা।

খুদীংগী মুংথিজ তুহগী ওহাংবে মতম লৈ, মরম অসিদগী চাবরী জগতা ঐথোয়সি মী পুম্নমক্না কল্লক্লে।

অদুবু ওন্থোকপনি। গোলাপসু তিংখং পান্দবা নত্তে। চাবরী তৌবা বাবু তকার সুর্য্যদেববু থৌওই উশিত্তনা তপ্না কম্মুংদগী কৌ-গংলি অমসুং মশিং য়াওবা চা তুখদগী হৌগংলকপদা থকই, নত্রগা কৈথেল কাবগী থাউ পায়দুনা লফোয় মুনা ঙা মকোক লৈদুনা পুবক্লগা মাগী মুপীবু হরাওহল্লি। অদুগুম্বা মতম অদুদা ঐংগোয়দ থডাচুড় হাপ্তুনা (অফিসগী পোষাক শেত্তুনা) কলম চালাই, হাকাম শাংনা চল্লি অদুগা ফাটকলারকগী শাসন নয়ম লাউনা চালাই। অদুগী মতুং মুমিৎ যুংবা, পুং অমা তাবদা মুমিৎযুংবা মতমগী পোথায়। অদুগী মতুংদা চাক চারগা মুমগী মুংওাইবা। তুম্বা লোয়রগা মুংথিলদা অমুক অফিসতা চংলি, অদুবু অফিসগী থবক্তী মরমদা কন্না হোংনবা লৈতে। মফম অদুদা জলখানাগা লৈঠক খানাগা লেংগোন্নদুনা লৈ হায়বদি জেলগী থবকসু তৌই ন্নারী ব্রাভায়সু শাহ। ব্রিটিশ রেজস্ট্রারগী কুহনাহনে পিলগী মথওাগা ব্নারী সিগারেট ব্নারী বাতায় শাবগী ওগায় কোটিং তৌই হায়বদি ব্রিটিশ রেজস্ট্রার ওবগী মুংওাইহত্তবা অন্নাবা ওহুখ চাদুনা চুকট পক্লুনা ব্নারী শাদুনা মুংওাইবন অন্নাবতু কুপ শল্ল। মুংথিলগী অফিস অসি অফিস নত্তে, জেলবাবুশিংগী সন্ধ্যাগী ক্লবনি।

'মাচচ থা লোইগদোবে। য়াম্না নিংথম্বা অদু অফিসিয়ালি ছুটি লোত্রে, অদুবু মশা য়াউনা বিদায় তৌত্রি। য়াম্না নিংথম্বতু সরকারগী চেন্নুংদগী চংথোকখিদুনা থবন-চৈনবা তৌদবা যুম্নানবা মীগী মথক্তা অরুম্বা ভার পীরক্নে। মাগা লোয়নবা একনবা মুংশিং

শিংলি। মখোয় অনীনা পুন্না ক'ন্দ রকপদু খিংবা ওমদত্তনা সূর্য্যদেব নোং মবক্কা লোৎখ্রে যুম খুদাংদা ডাকপীযু ডাকপীযু হায়বা খোল্লাউ তৌনখ্রে

॥ ং মংবগী ১ বা লৈ'ইদুনা কান্থ অনীগী মথক্তা ভুটীয়া কম্বল অমা ন্দুনা নিদ্রাদেবীগী খোংখ্রবা মতম্লাক্তা আশ্রয় তৌগে হে ংনবি-ইডুনা খোড্রদ' লৈপা'ব শগ্লদত (লান্দা মাযশাবগী পাউ পুবকপা দ•)।

"টেলিফোন লাক্ল গুজর"

লো'দ্বব ফগু'গী ফ' ফু' শাবতু তুনা ইংকৌর টেলিফোন্না অমুক' মচৌম্ল বাংদা •ক্লা লা'ক্লমন' নিক্রাগী খায়থুন্নবা মশক অহু পাইখ্র।

"হ্যালো"

মখোল হৌবা, অক্কদ্ব অমন্ত অচৌবা মপৌনাউনা খুন্নরে—

ডেপুটি শাশনাব্রা চাড্র্জ।

গুড মর্নিং স্যর আই মিন—

—লুক হিয়ার নখোয়গী 'সেল'দ মী লৈতবা অহাঙবা লৈবা'?

লৈত্রবদি সেল অমা শংদোকট নহুগা স্পেশল গ ড্র থম্মু

—হা দকমক তৌজগে, স্যর।

—ং খায় অমগী মনু'দা খাসাখী অমা লকনি। নপাসি অচাওবনি, dangerous lunatic. গোলম'ল য়ম্না তৌববদি fetters হাপউ। তোডাম্না থম্মু। See, that he does not co nmunicate with any body.

ঐ য়াম্না কিরে। পুক্নীংদা মরম থঙনীংবস্থ পোক্লে। মপু অচৌবা মশামক্তা অম্মুপ য়াম্না তফিং তফিং তৌরকপা মী মচাক অহু কয়ামুক অকীবগী মশক ওইবা জীব ওইরমগনি।

পুংখায় অমগী মফুংদা নিপাত্ত [illegible]ক্লে। মথ্বান্দা থোরী মথুত্তা হাতকড়। [illegible] পাম্বা পুলিশ অনী নাক য়েত্তা। অস্থুপ তম-থীন ঈংথ্রবা অসিদা [illegible] (১) পাজামা অমা [illegible]ত্রনা মাগী [illegible] অচোবা চৈফমগী দাগ ফীনা কুপ্তবা মাগী মনঙ্গল, [illegible], মঙকশম অমস্থং মশাগী মফম পুন্ন-মক্ত [illegible] অদুগী [illegible] চৈফম থবদি চকচাংড় [illegible] ফুনা [illegible] মথা [illegible] তমদি মাফুনা পুংকুপ [illegible]। [illegible] মথক্তু [illegible] [illegible]।

পুলিশ অনীন মাগী মথাংগী [illegible] নিপ অডু [illegible] টেবল [illegible]। [illegible] [illegible] করম [illegible]!

[illegible]

[illegible]

—[illegible]

[illegible] 'গাওবড়' লৈমায়দ জুপ লাউনা ফমথখরে মাঙকৈ [illegible] অসেংমদা কে ইযেং য়েং[illegible]। [illegible]-নাউ [illegible] [illegible], ঈ[illegible]। ঈশিং [illegible] ঈ[illegible]গী পাত্রক মুন্দুগা [illegible] [illegible] গড় গড় [illegible]

(১) থোঙগ্রাও অচোনবা।

থক্নগা ওন্থগনরে। মশা অপুম্ব থক্ থক্ নীক্তুন মতু খুইডিনখিনুনা পোলাইশ্না ভুম্বক তুমখ্রে। অফিসতা থকক তৌনা কয়েদ অচ্চ চেন-শিংখিদ্না কথক অনা পুরক্লুনা মথে চদগী মকোক ফাওবা কুপ-শিনখ্রে। মশাদা মখুৎন নন্দুন চেংলগা হায়রকই। মশাসি মৈনা চাকথেক্লদবা মকোগুম তৌরে হ্রব

আসনা অসিবক্ সম্ভাজদ থাদ তৌদনা সেলদা থাবা তাখ্রে ডেপুটি কমিশনারগী হুকুমনি। কারগুম্বা অবস্থাদসু য়াথং অচু হিক্তোকপা য়াদে।

থবক য়াম্না পন্দুনা লৈরম্মী। য়ুম হনবদা অহাং থর থোংখ্রে। [illegible] কোর্ট লৌশোক্কে তোরম্মী। কেটান হায়রকই, বাবু অমা [illegible] মপ নগী কাদা ফম্লে। ঐগী পুক্কম্নকা লানদম্রে। তমথাবা [illegible] অসিদা কারগুম্ব। মতুং অম তাকুন খুং য়েংথ নগী থবক [illegible] ভবল কাম্থা অমত্তু ভুটিয়া কথনগী [illegible] ঐগী পুক্না তকচা ওনাশিন্নুনা লেরবনি। অতোথ লাকপাসদি ঐবু [illegible] য়না থল্লে।

[illegible] কাদা হেক চঙখিবদ ফাবোনগী বাগ্তিল অমা য়ানা [illegible] অমত্তু [illegible] মগী মমগী [illegible] অহুদগী মহাক্কী [illegible] চেনগী মরমদা ইঙ্গিত অমগ [illegible] বয়স [illegible]

[illegible] লাম্না হায়রকই, ঐগী হকচাঙ পুমফম সম্পূর্ণ [illegible] [illegible] ফিংগার পয়েন্ট লাক্নে কাখ্রবাদে। চাবরদা [illegible] উখিগদ্রে?

কেটাদা চা পুথকউ হায়না গুকুম তৌরগা মচোদ মাংনা

থওনীংনা য়া হংদুনা য়েংদুনা লৈরে। লাক্লিবা নিপা অদুনা হায়রকই, ঐ করি মরমগী লাকপনো হায়বা খওবিনীংব নত্রা? ঐনা লাক-পসি থৌনা ফব মফ চুমদনা লাকপনি। থওনরক্রবদি ঐগী চাক-রিগী মরমদ থুদোংথীবা থোকপা য়ায়। অদু ওইরবসু লাক্কবা য়াত্রদুনা লাক্রবনি। ঐগী মুপাইগী লেম্না খাংদবা মীত' নত্তে। মাহা কোকলো। ধনরাজ কমদৌনা লৈরি অমুক্ত হায়বিয়ু।

—ধনরাজ হায়ববু কনানে?

—ধনরাজ তামাং। সিংটম টি এস্টেটকী অমাংলবনি হায়-দুনা চালান তৌরকপদো। নংনা কমু হৌজিক ফংবা উবাত্রিবরা?

—নহাক্কী পরিচয় খংজবা য়াগদ্রা?

—য়েং বয়ু। মক্না ওইবা বাদি হায়দ্রি। অচুম্বা য়াদনি। ঐ অসি কননো হায়বা নহাক্না কদায়দা হান্নাহ য়াহৌব চুম্বনি। ঐ অসি পুলিশগী সি-আই-ডি ওইবসু য়ায়। অচুম্বদ পুলিশ নত্তে; ডাক্তরনি। ঐনা হায়খিবা চা—বাগান অদুদা উসি চহি ২২ থা ৭ শুরে চাকরি তৌরকপা। ঐগী মমিং নিবারণ মজুমদার কৌই। খাজবিদ্রগা অসি য়েংবিয়ু হায়দুনা নহাক্কা মহাক্কা চীংগুবা ফী মপৈ অদুগী মনুংদগী ঐন খওদবা মফম অমদগী পুক লেংনবা মত্র পুথোক্-তুনা মওকণমদা য়াম্রে।

য়ম্না অতওবা ওইরমু সমারবা অশিগুম্বা মীতা জাং অনা উবা ফংই, শক খওন্দবা, শক থরদা খওনবনা মথোয়গী মমুংগী চাৎবা মরাপ ওইবদা অপনবা লৈতে। অতোপ্পা মীবু ঐগী মী ওইবদা মাকুম অমত মাং চানরা লোইরে। ডাক্তার বাবুস

[illegible] হায়বা লাগনা থণ্ডলে। মরম অহনা চান্নবা সম্বন্ধ অতুম্ব [illegible] অমম্‌ মন্নুংদা লায়না ওইথরে

মীং [illegible] ত্রৈন, হায়রম্মা', করিস্নু লৈতবা রবারগী [illegible] অমা উজনগা [illegible] থনক লাংখোক্কে হোংনবা, ঐ অসি অচুপ য়াম্না হেক্সি দনি থনবিগনু। ঐখোয়াসি জেলগী মীনি খণ্ডবিদনা।

ভদ্রলোক অদু হো হো লাউনা নোক্লে। খণ্ডইনে! খণ্ডবা মবমন্দী অম্নুপ থেংবা অহৌংদা চীং অশুম্বা কারকপনি। রাহং পাউ-চনা জেলগী কম্পাউণ্ড মনুংদা খোঙ থাংজিল্লকই নিংবিবরা? অটৈমক লৈত্রবস্নু থরায় মাঙগনি হায়বগী কিবদি লৈদনা।

খণ্ডহৌবনা মখোল লীকথদুনা ঐগী ইনাক্তা থরদং নকশিল্লকুনা হায়রকচ, ক[illegible]লৌবগে হায়লুনে ভাই? লৈরিত্রা নত্রগা লোইথ্রবরা?

[illegible]না হায়রম্মা, ত্রৈন উবদদি ভসি নত্রবস্নু হয়েংদি লোইথিবা য়াম হায়রনা [illegible]

[illegible] ভুমিগ্র লৈখ্রে। মাগী [illegible]কট মার্কা (যোং-মার্কা) [illegible] শক্তোম নাক, য়কপা' ওকপমদা য়েংনবা কম্ফর-টারগী [illegible] মাগী [illegible]য়গী মতৌ অদু উবা ফংদে; অদুবু [illegible] লাক্কিল [illegible] য়েংনবা অমা তাবা ফংই। কেটানা চাপী-রয়াগা [illegible] [illegible] পোংলাদু চিংশিন্দুনা চা থকপা হৌরে। [illegible] কুইনা [illegible] তৌখ্রে। চা থকপসু লোইরে। খণ্ডহৌদনা মাগী [illegible] ঐ ওক্লম্মা। খোজেলসি মাগী [illegible] [illegible] নীংই। য়াম্না থাপ্পা লৈত্রবা য়াম্না [illegible] অমগী মাইকৈদা [illegible] মহাক্না ভম্না

তপ্পা হায়রকই; ভসিগী অসিগুম্বা মুমিং অমগী ব্রা নীংশীংলক্লে। মতম অতুদা ধনরাজ সর্দ্দার ওইদ্রে। অংম্বা কুলী ওইরি। নটন সাহেব অসি ম্যানেজার মচা ওইরম্মী। মহাক অস সভা তিনবদা মীগা মীতিম্নবা য়াবা, ব্রা ভাঙবা নত্রগা ঙৈশে নোংমাইনাচংবদ মীনু মুভাইহনবা ঙম্বা নহা ওইরম্মী। বেহালা য়াম্না নীংথীনা খোংবা হৈরম্মী। মাগী ড্রয়িং রূমদা অচৌবা পিয়ানো অমা লৈরম্মী— কা মন্নুংদা চঙবদা য়েং থংবদা। ঙৈশে অমস্তুং যন্ত্র খোংবনা মরম ওই-হুনা মাগী বাংলোদা সাহেব-মুবোশিংনা য়াম্না তোয়না লাউ খোংলম্মী। মুমিং অতুদি থরা চাউনা লাওলম্মী। মনাক্তা লৈবা বাগানশিংদগী লাক্লুনা সাহেব মেম দল অমদি শোয়দনা য়াওরম্মী, অস্তু নওবা দার্জিলিংগী ডেপুটি কমিশনার অমস্তুং পুলিশ সাহেবস্তু য়াওরম্মী। সাহেব-চাবা থকপগী মরমদা মরাঙ কায়না বন্দোবস্ত তৌরম্মী। সাহেব-লোগশিংগী হরাউবা হেন্নবা অথম্নবা চীংগী লৈশাবা কয়াম্নুকস্তু থনম্মী।

অহীং পূং তরা তাখ্রে। পাপীশিং সভাদা তিন্দুনা থরায় য়াওনা য়াওরে। মতম অসিদা, সর্ব্বনাশ! য়ু লোককোখাক্লে। থাজবা য়াই, থবক কম্না শুই, অমস্তুং থবক থুক হায়না ধনরাজগী ফজবা মিংচং লৈরম্মী। মহাক তূম্নম্লে। খানসাম অমনা মাবু হৌদোক্লুনা চিংহুনা পুরক্লে। চংখিবদা ৲৫ হল্লকপদা ১৫ – মাইল ৩০ শগোল তোংহুনা চংলগা সহরদগী য়ু পুরক্কদবনি। পূং অনীগী মন্নুংদা য়োৌরক্কদবনি। শগোল কম্না থোহুনা ধনরাজ চংখ্রে। অমম্বা অহীংনি। লম্বাস্তু জঙ্গল মন্নুংনি। লম্বীদি কাথংপা অমস্তুং কুমথবনি।

অহীং নোংয়ায় মতুং পূং অমা মিঃ কুন্তু মিভা তাংদা মহাক হক্লক্লে। মশা পূম্নমক হুমাংনা পূমচোৎ চোংলে। শগোলগী মচান্দগী

কোঙ্গোল থোবক্কে। তুরোয় ভামলোয় তৌহুনা ম্যানেজার থোরক্কে। মাগী মমীত্তা ঈশিং অভাউবগী দাগ লৈরম্মী। মখোল ইলে লোনা মহাক্কা ভংহুন হায়রকই, দেরি কাঁহে হুয়া, উল্লুক? (কবিগীনো থেংবদে, য়োং অমুবা?)

ধনরাজগী ব্রা ভাওবা ভন্বা অবস্থা নত্রে। অত্তবু য়াম্না ব্রানা খভহল্লে, ঃ ।দো কৈ থেংনকরে। অহুনা লম্বী খরা কোইনা লাকপা তাবম্মী।

সাহেবনা ভংহুনা লাউরকই, চাপরাশী।

চাপরাশী চেনশিল্লক্কে—হজৌর।

—ঐগী শগোল শাজৈ।

—শগোল শাজৈ পুরক্কে অমস্তুং ধনরাজগী মনঙ্গন্দা ফুবদা মাহু তেক্কুনা মচেৎ মচেৎ ওইখ্রে। কুলি খরনা মাগী জ্ঞান য়াওদ্রবা মশাহু পুহুনা ঐগী হাসপাতালদা য়ৌরকপা মতমদস্তু মাগী ময়াদগী ঈ হাথরি।

ডাক্তর ব্রা ডাওবা লেপখ্রে। মাহুদা ওইখিবা দৃশ্য অহু মাগী মমীৎ মপাদা থোবক্লমালে। ভাইহক লৈরগা ব্রা ডাঙবা হৌরে—শিরগ - হায়না ঐনা খল্লম্মী। শিবনা অচুম্বা ওইরমগনিস্তু খল্লম্মী। অদবু ওবক ভহুনা মথক্সায় হিংবা কুলিগী মথল্লায় অস্পুপ লায়না হক-চাংদগী মপান থোকপা য়াব্রা? মুমিৎ কয়ানিগ্গী মতুংদা ফজনা নাবা ফবহুনা হৌগৎলে।

ঐনা হায়রম্মী, হিংহুনা কৌগৎলকত্রবদি সাহেবকী চৈ অমদি শগোল শাজৈ কনাগী মনঙ্গন্দা তাগনি?

ডাক্তারনা নোকুনা হায়রকই, অচুম্বা রানি। অদু নত্তবা মানা হিংবগী কান্নবা মরম অমম্ত লৈরম্মী। মাদুগী রা শক্তু হায়গে।

থা অমরোমগী মতুংদা সাহেব নারে হায়বা পাউ অমা নর্টন সাহেবকী বাংলোদগী লাক্লে। ঐনা চৎখিদুনা য়েংববু মাগী অবস্থাদু য়াম্না লুবা মওঙদা লৈরম্লে। অনীরক্তুং মল্লুং অচৌবা চঙবদা মাগী পাল্‌স লৈত্রে, ইঞ্জি অমা মখায়রোম লুনা মমীং কুংশিন্দখরে, মথোঞ্জল শেল্লে। বেড্‌প্যান লৌথোক্লবা ঐনা মেথর কৌরম্মী। কনাম্ত খুম্লকত্রে। অদুগী মতুংদা মথং মথং বয়, বেয়ারা চাপরাশী, মশালচি (মৈরা পায়বা) বাবুর্চি (মুসলমান পুজারী)— পুম্নমক্কী মমীং পন্দুনা কৌরম্মী। কনামতম্ত ফংদ্রে। মপাক্তা থোরক্তুনা য়েংববু য়ূম অদুদা মী অমত্তা লৈরমদ্রে। নিপা অমতংদং লেপ্তুনা লৈরম্মী—ধনরাজ তামাং।

—করিনো? নং অসিদা করি তৌরি?

ধনরাজগী মচীঘান খ্রুক খ্রুক কাঁই —সাহেব য়াম্না কন্না নারবরা ডাক্তার বাবু?

হুম, য়াম্না ফত্তবা অনাবনি— কল্লেরা। নঙ চৎখ্রো।

— মা চৎখ্রে। মানা চৎখিবসি ময়ূমদা নত্তে, সাহেবনা হিপ্পিবা কা অদুদনি। মথূৎনা কল্লেরাগী অমোৎপা পূম্নমক শেংদোক্লে। মানা তৌখিবা সেবা অদুগী শরুক মরি থোকপগী শরুক অমা সাহেবকী বিবি নত্রগা মমানা তৌবা ভন্মোই নীংই।

নর্টন নাবা ফরদুনা হিংলদুনা হোৌগংলে। লূপা তরাগী নোট অনীথক ধনরাজনা বখশীশ ফংলে। সাহেব হায়বসি মীদু ওৎপা

মী ওইবা য়ায়, তৌবিমল থঙদবদি নত্তে। চপী অমরোমদী [illegible]
মহাক কুলি ওইরম্বদগী পুলিসী সর্দার [illegible]
মহাক ঙুমিং অতুমক্তদা লৈগ উংবা জাক্লে। [illegible]
পুরকই

— করিনো অছদে?

ধনরাজনা ময়া লাওনা [illegible] হায়রকই— [illegible]
নবনি।

— কয়াদা থুদোং চাদনা ৱানো! মাহুবু [illegible]

ঐগী ৱাহু ধনরাজনা ৱা ওইনা তাদ্রে। সুপীমচাবু [illegible]
পাম্ব শান-পোং অহু থাদোকউ হায়বা য়াদ্রে হায়রা [illegible]
মহাক্না সুপীমচাবু পোম্বনা পমহুনা মী ওইনবা য়াক্লরদ্রে। [illegible]
হায়রম্মী— সর্দার ওইরে, হৌজিকি সুপী [illegible]
লোরো।

ধনরাজ ইকায়না নোক্লুনা হায়রকই; লুহোংনা [illegible]
লৈবগে?

—করি ৱানো? থুম অসিদা অম্রুপ [illegible]
সিদি? — হায়রুনা মশক ফজবী লৈশাবী থরা মমীং [illegible]
মাগী মমীং অহু তুক্কচবগা লোয়নমা থুজিনথরে। [illegible]
মথোয়গী নমীং পনবিগন্থ বাবু। মথোয়সি শোক্তরবনি [illegible]
মথোয়সি অহীংদা কদায়দা লেকপগে হায়বা ঐ ইমীংমরা [illegible]
অসি হায়রুনা ম্যানেজারগী য়ুমলোমদা ইঙ্গিত তৌই। [illegible]

ৱা অসি অচুম্বনি হায়বা ঐ থগই, মী পুম্নমক [illegible]

শরারলা লৈবা জীবনগী মশীং থীবা শুমদবা অনাবা লাইয়োংগুমনা মশিমস্থ মখোয় পূম্নমক্লা য়ারম্মা। করিস্থু লৈতবা মরম অসিগীদমক লৈশাবী কনাগীস্থ লুহোংবদা অপনবা লৈতে। অসিগুম্বা তুক্কচবগী হাপস্থ কূলী পাথংশিংগী মমায় মমীত্তা উবা ফংদে।

ডাক্তার বাবুগী সিগারেট লোইথোকখ্রে। কেটাবু কৌহুনা সিগারেট কেশতু পুরকউ হায়রম্মী। কেটা দাক্লগ মহাক্না কেটাগী অশেংবা মরোলদা হায়রম্মী, সে, ব্যাটা করম্বা চানো নঙনা লোন্দুনা লৌহকপকো? অহুগুম্বা শঙ্গোমগী সরবত নঙগী বাবুদা পীয়ু। ঐদি মখোয়গী দেশগী মীনি। ঐগী দমক য়াম্না নীংথীনা চা কপ অমতং - খঙলেদনা?

কেটানা নোকফেংং তৌহুনা মঙক হাইহুনা খঙলে হায়না খুশী।

ঐনা শুকথহুনা হায়রম্মী—কোকঙাওবগী হিদাক য়াওবিবরা?

ডাক্তারনা তফিংনা হায়রকই — কৈদৌরবগে? নঙগী নকোক ঙাওরবরা?

হায়গুম্না শুকথহুনা ঐনা হায়রম্মী - হৌজিক্তি ঙাওদে অহুদা নহাক্না থকদৌরিবা চা অহুগী মশক উবদা ঐ কোক ঙাওগনি। অহুনা হায়না শিন্দুনা থম্লিবনি।

মহাক্না নোকুনা হায়রকই— লৈখোনে ভায়া. চহী অমতং ভূত শাববা মীগী নিংথম্বা লৈবাক অসিদা। অহুগী মতুংদা ঐ রেংগে কনাগী চা উহুনা কনাগী মকোক ঙাওবগে?

ঐনা সিগারেট ইনশিন্দুনা হায়রম্মী—তোকলো। মতুংগী রা

পূন্নমক মতুংদা ওইরক্কনি। ব্নারী হৌবিরো। ডাক্তার বাবুনা সিগারেট শাংনা অমুক্তুং চিংলগা হায়রকই, মুপী মচাগী লুহোংবা লেপ্নবে। ঐগী পরিবারগা লোয়নননা ঐ ইরৈপাক্তা চৎনবা থৌরাং তৌরে। ধনরাজনা মাস্থু চৎকনি হায়না কন্না য়াম্নরে। ঐগী থুপীদি মখূংনা স্বর্গ লাম্বা ফংলে। চাকবিনা থন্নায় হিংবা ঐথোক্লবাদি ইরৈপাক হায়বসি মীরৈপাকনি হায়বা খঙইদনা। ঐগী মহুংগী মী, ডাইশেলগী মুংশিবা মূর্তি নাংশীংবদা থন্নায় কংলে হায়বদি পাঙ্গল অমম্থুং থৌনা ইচঙথোবা মাঙখরে। ধনরাজগুম্বা থবকী মী অমমক ঐগী ওইবা অচুম্বা মী ফংবদা ঐস্থু পাঙ্গল কনবা হেনগৎলে। সাহেবতা হায়দুনা মাগী ছুটি লৌহল্লে।

লুহোংবা লোইরবা মতুংদা মুমিৎ নীনী পনবা তাথি, ইমানা ধনবাজবু থাদে কনীংদে। অসোমদা লাক্লমদাইদা থুক্লম্বা চঙলুবদা ইমানা মাগী মকোক্তা মখূৎ থম্মদুনা হায়রকই,— ধনরাজ, নংগী নমাবু ঐনা কল্লকই। নঙগুম্বা মচানিপাবু মবুক্তা গর্ভ পুরকপা মুপা অদু লাই কন্না নীংলকপগী শক্তি লৈ। ঐদি অদুম য়েংদুনা লৈরে। ঐগী ইমা থায়নগী অরীবা ধর্ম্মগী মত পাম্বা ব্রাহ্মণী লুপ্রাবানি। অদুগা ধনরাজনা শোক্ক শম্নবা য়াদবা আচার নিয়ম কায়না চৎপা চৌংগী কুপানি।

ঐগী ইমুং মহুংগী মাগা লোয়নননা ঐ হল্লক্লে। পোড়াদ' ষ্টেশনদা গাড়ি বদলী তৌদুনা দার্জিলিং মেলদা চৎনবা ডাইবা তারম্মী। পুক্লীং পেন্দবগী অরোইবনি। প্লাটফরমদা হুক্লৎ হন্দা চগুনা মৎম হেনবা তৌববু ডাইবা উম্লঙরে। অসোমগী

দোক্লোনশিং অতুগী মনাক্তা মতম কুইনা মীয়াম তিন্দুনা করিনো রা অমু জুডনরম্মা। কৰিস্থ তৌনিভাই লৈমন্দহুনা মাহ য়েংবা চংলম্মী। সুরঙ্গ ময়ায়দা চঙশিন্দুনা লেপ্পুবদা নুপী অমা নেপালী অমগী মখোঙ চেক্লুনা নশা নোন্থহনা কপ্লিবা অমস্থং নেপালী অহুনা ভাঙহৈদবা লোন্না মাহ চৈ থাংলম্বহ উরুরে। মানা মগুণ থাঙ্গৎতুনা ভাঙবা —খোঙ থাদোকউ হারামজাদী (জাৎ অতোনবী লমচৎ ফজ্জদধী) ঐ নহবু কৈদোঙৈদম্ব য়ুমদা চঙহল্লোই হায়বহ—ঐ তারম্মী।

নুপীদুনা মথল্লায় রানা হায়রকই, অতুদি ঐ কদায়দা চৎকনি ? নেপালী অহুনা মচীন শুগৎতুনা মাগী রাঙাঙগী ভঙ্গী মতো তঙহুনা হায়রকই, কদায়দা চৎকনি ? করিনো অহীং অমা নুংথিল অমা শুডনা লৈরকপা মখোয়গী য়ুম অতুদা— হায়দুনা তুরুচরবা অথৌবা ঙঙ্গিং অমা তোরে; তিল্লিবা মীয়ামহ রা লাউনা নোকথরে।

খোক্লিব ঘটনাহ চাউরাক্লা করিনো হায়বা লেপ্পদা খুদোং চাদবা লৈরবদে। ভদ্রলোক মানবা নিপা অমদা হংহুনা ঘটনা প্রামক খভৈদে।

নেপালী মসি লোৎপাদ ষ্টেশনদা পিরুপ তৌবা চাগী ষ্টোগ লোইহৌম ; অমগী মপুনি অতুগা নুপী অহুনা মাগী মতুনি। নুপীহ নুপান্না অমস্থং মশাক কইদ্রে। অসিগুম্বা অবস্থাদা লম অহুদ। তোয়ন লোংমতুনক থোক্লে. হায়বদি থংনবা খুন্দগী মুসলমান গুণ্ডা দল খুম, অহীগা কাউদ্বোংহুনা জবরদস্তিনা ফতুগা থবক তৌবা দোক্লো চঙহল্লে।

নুপু অমুদি নিপানি। মথল্লায় পুদুনা য়াম্না রানা চেনখরে। খুংগিং চুঙগাংনা মরাক ফৌদুনা নমহুনা পুখ্রে। অতুগী মতুংদা অহীং

অমা মুংথিল অমা কদায়দা কমদোনা লেনথুনগে হায়রবা য়াম্না ভুক্ক চবা ব্রারী অদু মকা ফেংনা হায়নবী দরবারদ লৈতে। অহীংদা অমম্বদা কুপীদু করম তৌনা নাংগে ধবপা ওইরিদনে' হায়বগী মরম কনাসু খংদে। হকচাঙবী মবমদা তৌদনা য়াদবা থবক তৌবদা অসোনবী মীশিং অদুনা সন্ধি তৌনদু খনদ' কোমথোক্লম্বা ওইবা য়ায়। থুদেং চাব ফংদুনা বরিগুং মশুঙ অমা তৌদুনা হায়বদি মপুক্রাংগী পাঙ্গলভনা মশাকুবু চিংদুনা পুবক্কুনা ময়ুম তম্না চেল্লকপানি। অদুবু মশোক আসমনা মাগী ময়ুম অদু কায়খ্রে হায়বা মাখংদে।

ডাক্তার বাবুগী অসেংবা থোক্লোন অদু তপ্না তপ্না নেমথখরে। মাগী হায়রিদু থিনিত তনাদ' লেপখ্রে। অদুগী মতুংদা অমুক হোৎনে।

ত্রিখোমনী নৈনক অচৌ অহেনবা মীশিংনা কুপীগী মমাং খবগী, গাংনা খাদি। মানা মতা মান। কনাগুম্না চিংথা হনীদ' হাইনরেনা '...' (... , ...) দেবা কোইগ-- আনহুম্না কনা? ... ... মানদা ব্রানি। মহাক্না মশাগী ... ... শাগৎলি; অদুদি প্রতিবাদ ... অসি মহাক্না ... ... জাহাদ লেপানি। মরম অদুনা মহাক্না মহাকী খুদংগী ... ... য়মগী জল্লৌবু ফংবা গুণশিংগী ... ... (মথক্লায় কনবা) তৌরবে, অদুগা অসি ... ... তঙ্গী মখুত্তা হুন্দোকপিদুনা ... ...) ... ।

মীয়াম তিনব ... ... ত্রি ব্রা ডাক্তা ... ...

ঐনা ৱা থদত্তুনা হায়রম্মী—মাপ তৌবিয়ু ডাক্তাব বাবু, নহাক্না হায়বা ৱা পুন্নমক য়াৰ্জরি। অতুদি শুহৰগা ঐদি নহাকুন্না ৱা ডাঙদনা থোরকপা ঙম্মোই।

—করি তৌরমগনি ?

—খোঁজদগী খোংউপ লৌথোক্লুনা শা অতুগী মমায়দা থারম-গনি। ঙম্বস্থ ঙমদ্রবস্থ অমুক্ত দি হোৎনরমগনি।

--অতুনা করি কান্নগনি ? খোংউপ অতু শেগায়রমগনি, জোড়া অমা অমুক লৈখদা শেল তিংলমগনি।

ৱা অসিগী পাউখুম ঐ থীবা ফংদ্রে। মহাক্না ডাইহক্তং লেপ-লগা হায়রকই, কুইরবা ৱানি। মতম অতুদা ঐগী কোক্না শম অসি লূপা অমগী মনুংদা শিকি অহুম পোক হৌদ্রি। নেপালী নিপামচা অসিদগী হেন্না চাউর চাউববা শা নখোয়গী সভ্য সমাজদা ঙপনবা লৈতনা চংখোক চংশিন তৌহুনা লৈ হায়বাসি খঙদবা লৈ-রমদে। মখোয়গী মনঙন্দা ইখোয়গী খোংউপনা শোকপা য়াবোই। করিস্থ লৈতবা চা-ওয়ালাহুব য়ুৰগা পূক্নী দা নুডাহতবা কথা যান্না কোন্নমগনি ? ড্রামাটিকতি খবা ওইরবা য়ায়। মাতু খল্লংগনু। নডোন্দ, ঐনা উহনগদৌরিবা দৃশ্য অতুনা অমুক হেন্না ড্রামাটিকনি।

ষ্টেশন মাষ্টারগী অফিসদা হংলুবদা গাড়ি পূং অনী লেট ওইক্ক-গনি হায়বা অফবা পাউ তারে। নুপীশিংগী ওয়েটিং-রূমদা লোন্না য়েংলুবদা ঐগী নুপীগা মচানুপীগা করিমতা চিন্তা তৌদনা তুনহুনা লৈবহু উকবে। মতম লেনবগী অস্থুপ লায়বা অমস্থং মতম কুইনা লৈরবা লম্বী লৈনা লৈনা ঐনা কাতু কারন চত্তুনা ৱানা ঠৈরুংগী মতিক চাবা মরম থীবা ফংদ্রে। শেঙ্গাঙ্গা কতুক

চপ্তুনা মী চৌকপা মক্নম অমা থীবিথৈদা ধনরাজ মূর্তি পানবা বিন্ন (য়েথায়বা) গুম্না ফাওরক্লে।

— অস্থুপ কুঁবসি কদায়দা লৈরুই ? প্রশ্ন অসিগী পাউখুম ফংদরে। মা ঐগী মায়দা ভাইহক য়েংদুনা লৈরগা হায়রকই, শাউ-বিরোই হায়রবদি ঐ ব্রা অমতা হায়জগে।

—করি হায়গগে, হায়য়ুনা ? করিগী শাউগনি ?

—শুয়োর (ওক) অদু চেনখ্রে। ঐনা খরদং থিল্লা চংশুবা মাগী মপাগী মরাইবক ফবনি। মিনিট অনীদং হান্না মক্নম অদুদা য়োরম্নবদি মাগী ময়া পরেং অমা থূদেক্লমগনি।

ধনরাজগী মমীৎ অনীদু ঈ কারে। ঐনা হায়রম্মী, ফরে, থৌনা ফবা মতৌ উত্তবদুনা ফরে। মাগী ময়াদুনা ঐখোয়গী করিসু কান্নরোই। হৌজিক্তি করি তৌগদৌরি ?

— মাদুদি নহাক্না খঙবিরেদনা।

—থরদি খঙলে। অদুবু মাবু কদায়দা থমগদৌরি ?

— য়ুমদা থমগনি। কদায়দা থমগদগে ?

ঐ মীৎ কুপ্তুনা মাবু য়েংদুনা লৈরে। শানা মোমোন নোক্লুনা হায়রকই, য়ুমগী মুপীবু মীনা কদায়দা থম্বগে ?

— ব্রা পূম্নমক লোইনা তারবরা ?

—তারে।

অসিগী মতুংদা ঐগী চৌন্দগী ব্রা শোরক্তরে। মী অতৈনা থাদোক্লম্বা মুপী লৌবা মখোয়গী সমাজন থিংদে। অদুবু মুপী অসিবো ? মাগী ব্রারী পূম্নমক খঙলবা তারবা মতুংদা ? ঐনা থাম্বা

চুনমালে থল্লকে। লম্বীদা হীদেন্দ, মাখল তৌদনা পনক্ত তৌবগী দমক মাচৌদ অকনবা নবা লৌবা দরকারদ্না থল্লে। অদুবু নচোম্দা ফচুম্ব হায়রবনি উইপুটি বা, মানা মমাং য়েংশুবদা ঐগী সুর মশানা মথন্তা নবম (মরেতপা) তেইথরে। নত্তে, অকনবা ইচ্ছা অমনা ইনশিন্দুনা থোনা মবা উংলুনগী লক্ষণ (চিহ্ন) মমাং অনীতুদা উৎ ফংদে! মাগী অচৌবা শাম্মদা নত্তে। ঐনা কৈদৌ-ঙৈদস্থ ভস্মরোইদোবা, ঐদ কাদস্থ লৈতনা ভুচ্চ (অতোনবা) নি, অদুগী অচৌবা আদর্শ (ফাদম - ideal) উংনাংনা অরাংবা থমোয় লৈবা পাখঙনা তুং হন্নগদবা থবক অদু কুলাসগী মফমদদি অশুপ লায়থ্রবা!

কাম্নবরোই খঙলবস্থ ঐনা হায়রম্মী. লাথিনা রাখল তৌদুনা য়েংলবরা?

— য়েংলে।

— মাদি য়াগদবা?

— থঙদে। ঐনা হংলম্মী। দ ডাংদে, কপ্পু নত্তা লৈ।

— ও, অদুনরা ঐদ কোরিবা? অদুবু ঐগী বখাশশদি?

ধনরাজ য়াম্ন থুনা ইনী খোইগী উফুল মবোক্তা হাপত্তুনা মকোক নোম্তুনা নাকল অমদা লেপতুনা লৈরে। মহাক ইকাই-বগা লোয়ননা নোকই।

তৃমগে নীংলশক্ত তোক্তুনা মরাইবক থীবা নিপা অসিগা লোয়-ননা চৎলে। দোকানগী মনাক্তগী হোৎনখিন্দুনা সুপাডু উ অমগী মথোঙদা ফম্লম্মী। মনাক্তা লেপ্লবদা ধনরাজনা হায়বকই, ডাক্তার বাবু লেংলক্লে।

সুপী অহুনা মকোক থাদোকুনা ঐঙোন্দা অমুক্লং য়েংলকই। মমায় অহু য়াম্না নীংথীজ। মমীং অনীহু য়েংবদা উপায় লৈত্রবী মাল্লি, য়েংবদা সুপীমচাহুয় সুংশিবা প্রেম পোকই। মখোয়গী চাংগী লোম্না ঐনা হায়রম্মী, নঙগী থ্ব। পুম্নমক তারে। নঙবু পোকপা নপা লৈরিত্রা ঐ থঙদে। নঙ ঐবু, নংবু পোকপা নপাগুম্না থাজো। ধনরাজবু থৃংনা থিন্দুনা হায়রম্মী, মাবু ঐনা পিশক পিক্লিডৈদগী থঙলকপনি ; মাবু ঐগী ইচাগুম্না খল্লি। মানা হায়রিবা ব্রাহু নঙ নশানা ব্রাখল তৌহুনা য়েংউ। নঙ য়াদবা য়াদে ঐ হায়রোই। অহুদি ওইরগা ঐনা কন্ন হায়নীংই, মাঙোন্দা লৈবা সুপীহু কৈদৌডৈদসু অৱাবা ফংলোই।

সুপীহু ভাইহক ব্রাখল তৌরে। অহুগী মতুংদা ঐগী খোঙ পায়হুনা হায়রকই, নহাক ঐগী ইপানি বাবুজী।

ব্রা অতৈ মখা তাবা ঙমখিদরে। মানা হায়বা ব্রাংলিবা ব্রাহু মমীত্তগী তারকপা মপীনা খুঙহল্লে।

পিকতক তৌবা নাটক (ড্রামা) অমা ঐনা তৌরে, করি হায়রগে ? নাটক অসিগী অচুম্বা হিরোদি ব্যাটা ধনরাজনি। ঐদি 'সাইড অ্যাকটরদনি' হায়হুনা ডাক্তার বাবু হা হা লাউনা নুংঙাইনা নোকপা শাশিন্নহুনা নোক্লম্মী। মহাক্কা নোকপহুদা য়াঙদনা ঐনা শুকথহুনা হায়রম্মী। মহাক্কী রোল অসি করিনো হায়বা নাটক্কী অরোয়বা শরূক য়ৌদ্রি ফাঙবা থঙবা ঙমদ্রি। মরম অসিনা ':নক্সট সীন প্লীজ'—

ডাক্তার বাবুনা নোকুনা হায়রম্মী, আচ্ছা অহু ওইরবদি তারো।

মাগী মুপীদু মশা ফনবা হোৎনবদা থ, অমরোম চঙই। মতম মা অসিদা ঐগী য়ূমদা লৈরম্মী হায়বসি হায়মনবা ওইরোই। ঐদি মাবু হাসপাতালদা থম্নীংবনি। ঐগী মুপীনা য়াদরে। মাগী ভাব পূম্নমক মহাকনা মশানা লৌরে। হাসপাতালদা য়াম্না ফবা বন্দো-বস্ত লৈ, লেঠা (পামদবা সঙ্গ) অসি য়ূমদা থম্নীংলিবা করিগীনো হায়না অমুক্তং খঙনবা তাকপিগে হোৎনরম্মী।

ঐগী য়ুমগী মুপীন হায়রকই, য়াদু নখোয়না খঙলোই। "নখোয়না" হায়বা য়া অদুগী মথক্তা থরদং কনশিম্না হায়রম্মী। মানা হায়নীংলিবদু করিনো খঙদে, মাদু ঐঙোন্দা পাখোঙ ওইদুনা লৈরে। ওইবা য়ায়.—

ঐনা য়া থদত্তুনা হায়রম্মী, মাসিদা পাখোঙগী য়া য়াওদে ডাক্তার বাবু। মাসি মুপীশিংগী কয়ামুক চাউবা অপমাননো (ইজ্জৎ মাঙবনো) হায়বা মুপীশিংদনা খঙই। মাসি ঐখোয়না বুদ্ধিনা খঙই, অদুবু মখোয়দি মখোয়গী অস্তিত্ব (হিংদুনা লৈবা) পূম্নমক পীথোক্লগা খঙই।

ডাক্তর বাবুনা হায়রকই, মুপীশিংগী অসিগুম্বা থমথেংবা অপ-মান অসি নিপাতনা থোকহনবনি হায়বা খঙলবদি নঙগী য়া ঐ য়ারমগনি। অদুবু মাদু নত্তেনে। মুপী কয় কয়ানা অসিগুম্বা নরক্কী মশক অসি মনাক্তা লেপ্তুনা য়েংবদা নত্তনা মশা মুপী ওইরগা মাগী মরা নত্রগা মাগী তিম্নবা সঙ্গী অতোপ্পা কনাগুম্বা জানোয়ার (শা) অমবু ইনশিন্দুনা অতোপ্পা মুপী অমদা উত্তেজনা (কামগী ইচ্ছা কনশিনবা) পী হায়বসি নঙ তাক্রিবরা ?

ঐনা হায়রম্মী, তারে। শলগী অশেম্বা শা অহু শা হাংতুনা য়োনবা দোকান্দগী শল মশামক্তা পুত্থনা লাকই হায়বা সব্যসাচীগী রাহু নীংশিংলকই। অহু ওইরবস্থ ঐনা হায়গনি, মুপী পুম্নমক মখোয়গুম্বা নত্তে। অপমান ফংলবী চৌংগী মুপী অমগী সেবা তৌবিহুনা মাগী অম্নাবগী কোকথোং খরদং য়াংনবা হোৎনবিবা অফবা পীনরিবা মুপী অহু মখোয়গী জাৎনি। ফরে মখা হায়থবিরো—

ডাক্তার বাবু রারী লীবা হৌরে— -ধনরাজ মাগী বস্তি থাদোক্নুনা মতু পুত্থনা চা-বাগানগী রাংমদা চৌংগী চৌংখোঙগী মাইকৈ অসোমদা হোংখ্রে। চহী অমরোমগী মতুংদা মখোয়গী মচামুপী অমা পোক্লে। অঙাঙহু মুপীমচা নত্তে, টগর (অঙ্গোৎ) চরোং অমনি। ধনরাজনা অঙাঙ অহুগী মমীং লথিয়া থোক্লে। অহীং অমগী মমুংদা মাগী মুপী অহুগী মশাদা শেগায়খিবা অহু জীবন অসিগী মমুংদা তাইশিম্বা য়াররোইদবনি। অঙাঙ পোকপগী কল্না খেংলম্বা হায়বদি অরাবা অহু খাঙহনা হিংবা য়াম্না লুরে।

রারা মতাঙ অসিদা রা অমা নঙোন্দা হায়দবা ভমদে ডেপুটি বাবু। ঐসি ডাক্তার অমনি। হৈশিংবা নার্স ইমীৎ অসিনা য়াম্না উরে। থন্নায় য়াওনা সেবা তৌবা হায়বহু করিনো হায়বহু উবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে। অহুবু নিপানা অসুম তৌহনা মমাগী মতৌগুম মশাগী অস্তিত্ব (হিংহনা লৈবা) গী মরমদা করিমতা য়েংদন। নুম্নিৎ মুমিৎ খুদিংগী; অহীং খুদিংগী অনাবগী সেবা তৌহনা লৈবা ভম্মী, হায়দসি ধনরাজবু উরমক্রবদি ঐ থাজরম্মোই। মাগী মুপীহু চহী অনী তিংক্তন লৈরম্বহু মাগী সেবাগী মপান্ননি, মুপীহুগী জীবনী (হিংহনা লৈনবা) শক্তিগী মপান্না নত্তে।

চঙী অনা শুরব অভাঙ অমা য়োক্লবা হোৎনবদা ধনরাজ খুদোং থীবা ফংগে। এখোয়না নুপী অমুক থিযু হায়রম্মী। অভাঙহু হিংনবা তৌদবা য়াদে।

ধনরাজনা নোক্লুনা হায়রম্মী, হুকুম অসি তৌবিগনু বাবু। মাগী মপোৎ অসি কনাগী মখুত্তা শিন্নগদগে ?

সম্বন্ধ লাপ্নবা মপাগা পোকমিন্নবা মচন হনুবী অমা থিরুহুনা পুবক্লে। মানা নোংমদা চাক চরা অনীরক থোংই, অতুগা ধনরাজনা থবক্তগী হল্লকত্রিডৈদা অভাঙ নুপীমচাহু ভাকশেল্লি। অভাঙ অতুবু মী পুইনবা শেম্মগী ভার ধনরাজ মশানা লৌরে। মানা তানবা শেল পূম্নমক খুপীমচাহুদা চঙখরে। অভাঙহু মিসনারী স্কুলদা লাই-রিক তম্মী। মাগী মশী' য়ামখ্রবা ফুরাং-ফীরোল, শানপোৎ, লাই-ফদিবী, কে-মৌবগী পোৎচঙ ময়াম।

কুপী 'স্তীদা লৈবা মী পূম্নমক্না ধনরাজবু ফাগি তৌই, নাক্লে। ধনরাজনা নোক্লুনা মখোয়না ভাঙবহু থোওইনা তৌদে। হেড-ক্লার্ক বাবুনা নোংমা হায়রম্মী, ধনরাজনা তৌরিবা থবকসি উবিরবরা মহাশয় ? মচাপ্পা অসিবু নরাঙন মনীং মথা তমহন্দুনা য়োক্লে। অতুবু কনাদ করম্না লুহোংহুনা পীগনি ? অচুম্বমক মেম সাহেব অসিদি কনাগুম্বা কুপী অমদি থুংশা হৈবা মীদা ময়ুম পাল্লু হায়বা ঙম্মরোহদ্রা ?

য়াকম অসিদি অচুম্বমক খঙ্কম থোকপনি। নুপীমচাহু নোংমা নোংমগী চাউরক্লে। মমীং লখিয়া। য়েংবদা মহাক অসি লক্ষ্মীগী মূর্তিদগী হেন্না ফজে

ধনরাজবু কৌহুনা ঐনা হায়রম্মী, লখিয়াগী ময়ূম পানবগী করম্বা বন্দোবস্ত তৌরে ?

মহাক্না মথন্নায় ন্নানা হায়রকই, লাকতি পুম্নমক খঙবনি বাবু। মখুত্তা শিন্নহুনা ঐগী চিন্তা কোকপা য়াবা পাখং অমতম্ভু লমদম অসিদা লৈবা উদে।

—অহুদি করম তৌবা তারে ? নুপীমচাসিদি চাউরে। লম অসি অফবা নত্তে।

ধনরাজনা মন্নুংশা স্বর কল্লা হোন্দুনা হায়রকই, ঐ অহু খঙ-দববা ? নুপামচাসিবু কয়া যতন তৌনা থম্বা তাবনো ?

অঙ্গী মতু দা ঐগী ইনাক্না চঙশিল্লকুনা মখোঞ্জেল নেমথহুনা হায়রকই, লুপা চামঙাদং তুংশিন্দুনা লৈরে। পুম্নমক অসি মাগীনি। লাংবিক হৈবা অফবা নিপামচা অমতং ঐগী লখিয়াগী দমক সহরদা চত্তুনা থিক্নরবদ ফংলোইদর ?

মানা হাংরিবা র ডাঙ অসি ফত্তবা নত্তে হায়বা উরে। রাফমসি থবদ খন্নবগা হৌঙ্গিক লেপ্পরে, মা থা অমরোমদং ছুটী লৌহুনা লখিয়া পুহুনা দার্জিলিং চংকদবনি মাগী মমাংগা পোকমিন্নবা মচেনা পেকপা মচানিপা অমা পুলিশদা থবক তৌরি। মাগী ময়ূমদা লৈহুনা অকংবা নেশ লী পাখং অমা ফজনবা খোংনগদবনি।

ন্না অসি ডাঙনবগী মুরিং কয়ানিমক্কা মতুংদা লোংমা সংখিলদা ম্যানেজার নর্টন সাহেব এগা অমসুং হেড ক্লার্ক বাবুগা লোয়ননা মায়কৈ অদোমগী চৌখে ডগী লমদম কোয়হুনা য়ংনবা চংলমী। লমদম অহুগী লম থর সৌশিন্দুনা বাগানশিং অহু পাকথোকহন্নবগী প্ল্যান অমা লেরম্মী। হল্লকপা মতমদা অ াকপা য়ূম অমগী নাক্তা

বয়স চহী তবামড। তরাতরুক লোম শুববী মুপী মচা অমা হামেদ উনা পাজহুনা লৈবহ্ উরম্মী!

মাগী মশক মাগী হবচাড দন, মতৌ, মাগী ফীজেৎ ফীজোল অমম্ম' পুন্নমকাসি পুলশিন্নগা য়ান্না তক তাবা, বদ্ধি লৌশিং শিংবা মতৌ—লংদম অসিগ হান্ন ন চানদে, মাহু কনাদম্ম উদব যারোই। সাহেব ঙহু মতম খরদং উক্রুনা লেপতুনা কেন্নগা হংলকই, নুপী মচাসি কনানো ডাক্তাব?

এনা পুমক্লিতৈদা হেড ক্লাকনা হায়রকই, ধনরাজ তংনাংগী মচাগুপীনি।

সাহেব শাকাশদগী তাবকপদোনা হোরে, you mean our Dhanraj?

এনা হাগবংম্মী এঃখাবগী ধনরাজনক।

মসিং নীনা ... হুদা সাহেবনা হুকুম তৌরে, ধনরাজ ব হুনা ... লিল্লকনবন। ... নুপী মদা ... নহা নহরো। ধনরাজ য়াদে। সাহেব শুকখরে। মসি, বয়ানিগুক্কী ... ধনরাজনা ... দবখ ... পারে। মা. ... মজুপ তোরে হাধবদি ছুটি পাদবে।

মাংগী খংবা মতু নং নেমাহ রে সাহেবকো বংলোদা ... অমা অমুং তেনবা খোবাং থেগে। ডগোধ, ঈ.শ, চাব ... পগী চাক আহোৱাল তোরম্মী। অনৌ ... পাকপা ... পুলিশ সাহেবপু বিশেস ওকৈবা (অথবা) অতিথি ওইনা নিমন্ত্রণ তৌরে। ধনরাজনু যু থীবা থারে। মপানা চৎনবা হুকুম অসি ... তম ... দনা নীহুন হক্রকপদা অগা নোয়ায় লোত্রে। বনরাজ

সাহেবগী বাংলোদা লোতলশিং অদু থনমগা মসুম তম্না চেনখ্রে। ময়ূম য়ৌবনদা মাগী মনে অতু মনাইব ফা খুত্না তুত্না লৈরম্মী, লখিয়া লৈরমাক্ত্রে। হন্না হন্না হংনদা মাতোম্দগী অসি মথৈত্তা থব্বা ওয়ে, চাপরাশ (badge) হপ্না Orderly শব্দ লাবমুক মপাঙ্গল কনবা নিপা কযাম্বুন্না। স্তুপীমচাক্তগী মযাদা ফীবুম নমত্তুনা পুখ্রে। ধনরাজ মং শা স্বর ফুইনা হোন্দুনা সাহেবকী বাঙ্গালা তম্না কন্না চেনখ্রে। বেয়ারা, চাপরাশিশিংগী শব্দ লাক্তুক্লনা নটিনগী লেডন্দমদা লাউখোংদুনা হাংদিনাবে। থোঙডি মকোগী লোল্লাম্মে। ধনরাজ মতম অদুদা অচুম্বমক হাংনবনি। মথংগী খুদোক্ত হপ্তুনা কৌল, খুদাক অমদি চৈনা থোংদা হৈদি মখাগী মাউরি থোঙ হাংদু হাংউ থোক।

নর্টিন থোরক্লে।

লখিয়া কদায়দা লৈ ?—চংদুনা লাউবক্লে, ধনবাজ !

ঈশাং ফংডাবগী কুপাদগী মতম অদুদা সাহেবকী অবস্থাদি প্যান ভৌবা মাগী মখাদা লকনা মওং অমা। জান বুদ্ধি মাংদুনা মখোল লোনা হায়রকই—লখিয়াকো হায় সাদি কর লিয়া লাখিয়াবু ঐগা নুপোংদুনা লেপ্রে। I am your Son-in-law. হা: হা: হা:— — •

ভুমিন লৈয়ু উল্লুক য়োংমু)—হায়দুনা ধনরাজনা মাগী মচুং-ঙোগী মচেকশম তম্না চোংশিনখরে অমসুং মাগী থাঙ্গজকপা মনা-তোন্দা চাংলাগী খুদুমা শুরে

মিষ্টর নর্টিন লৈজাক তুপথনে। অচৌবা হকচাঙগী অশেংবা

ঈনা কালো আদমি (অমুবা মী) গী লৈপাক মরাইবক ফগল্লে, পুলিশকী অচৌবা মপু মশামক সিপাই দলগা লোয়ননা লৈরম্মী, হুরাল্লুবা পোৎ অতুগী শরুক মহাকম্বু ফংলম্মী।

মরম অতুনা মতুংগী দৃশ্য অহ অনুমান (ভাবনা শাবদা) তৌবদা ল্লাররোই। অনুমান হায়ববু করিনো? ম্মাহুগী নমুনা খরদি ভসি নমীৎনা থীৎনা উরেদনা।

ডাক্তার বাবু চুরুট অমা চয়ে। ঘড়ি য়েংহুনা হায়রকই, অহৌং য়াল্লা থেংখরে। চৎলো। চাক চারুরো। ঐ চৎলগে।

ঐনা খঙহৌদনা মরম চাদনা তোপ্পা হংলম্মী, সুপীমচাহ কবম তৌরে ডাক্তার বাবু?

—নঙম্বু ওন্থোকপনি। অহুবু কনানা খঙগনি? তোয়না তোয়না ল্লাইহৈ (ফিট) হায়না তারম্মী।

—আচ্ছা, মাবু মথোয়গী মথূত্তগী লৌথোক্তুনা কনবীবা য়ারোইদরা?

ডাক্তার বাবু হৌগৎহুনা ঐগী লেংবান অনীদা মখূৎ অনী থমহুনা নোক্তুনা হায়রকই, অচুম্বমক নঙসি বুদ্ধি মপুং ফাদ্রিবা নিপা মচানি।

মহাক্না চৎলগে হায়হুনা মথোঙ হেক থাংদোকপদা ঐ খঙহৌদনা জ্ঞান তারক্লে। মাবু থামহুনা হায়রম্মী, করিনো? অহৌং অসুপ থেংবদা কদায়দা লেংগদৌরিবনো? না-না। হাওরবসু হাওত্রবসু খরদং চারগা তুম্বিরো। হয়েং অয়ুক অঙনবদা হৌদোক্কে।

ডাক্তারনা ঐগী খূৎ অমা পায়হুনা হায়রকই, মাহু ম্মাররোই

ভাই। শগোল ভাইদুনা লৈদি। হৌজিকদৈক চৎপা তায়। হয়েং অয়ুক অঙনবদা বাগানদ ঐ লৈবা শোযদনা পাম্মী।

ঐ ডক্টরবু, কদায়দা হাপ্পিরবদো? অম্পুপ য়াম্না তমথীনা নিং-থম্বসিদা, অম্পুগ থেংখ্রবা অহৌসিদা,—

ডাক্তারগী মমায় নকশিন্না নোকপা মীনোক উবা ফংলে, কম-দৌনি, ভাই। চাকরি।

বাবেগুাদা থোনক্লগা ঐনা অমুক যুং চানদবা প্রশ্ন অমা হংলম্মী, অচ্চা ডাকান বান, ধননাদবু আসামী ওইহন্দুনা মথোয়না কেশ তৌদবা কল্লিনদ্রে? মা নেজ্ঞারবু চৈক্ষম নাশন ফুবে। অচৌবা চাজ্জ অমদি না।

ডাক্তারনা নোক্লুনা হায়বকই, নহুপুম্বা লৌশিংশিংবা নিপা-মচাগী মতিক চাবা প্রশ্ন নাত্তু মাহু ডেপুটি বাবু। মোকদ্দমা তৌবা নায়। অতৌ ধননাদবু আদালতত লেপহল্লবাদ লখিয়াদি লোক্লুনা থাং যাবোই হুদগী হেল্লা লাকবা, খুদো থীবা লৈতবা অমম্বুং অকনবা চেংশিনবা হৌবাদি মাবু মী অতৈ থহন্দনা অভাওনা শেম্বা।

ঐনা তর্ক তৌরম্মী, মাহুবু অবায়বা লমীরা? অফা। মী অমবু অডাওবা শেম্বা তারে। মেডিক্যাল সার্টিফিকেট দরকার শোয়-দনা ওইগনি।

ডাক্তারনা হো হো লাউনা নোক্লক্লে। জবাব পমতা অমুক পীবমদনে। য়েংনা য়েংনা মথোঙ পান্দুনা চৎপা যীবোলগী বাগিল অত্তু চীংগী অখোয়বা কম্বীদা মশক উথিদ্রে। ঐ মথোল থেক্লনা মাহকৈ অদোমদা য়েংদুনা লৈরম্মী, কনানো নিপাসে? মমীং চহুবা মশক থজদবা, অঙাওবা মানবা, চা বাগানগী ডাক্তর। অত্তুবু

করম তৌবনো থগদে, ঐগুম্বা লাহরিক কৈ হায়দুনা অহঙ্কাব তৌবা মীগী পূক্নীংগী মচী অমদা কদায়দনো দাগ অমা থনমন্তনা চংখ্রে।

মতুংদা মাগা অমুক উনখিদরে।

ধনরাজগী ব্রারীগী লেমহৌবা শরুক অহ য়াম্না তেল্লি। মশাগী চৈকমাশিং অহু তাইশিনবদা থা অনীরোম চঙখরে। মতম অসিগী মন্নুংদা কুচু ডৌবা সিভিল সার্জেন মশীং কয়াবক জেল য়েংবা লাক্লম্মী। অদুগী মতুংদা নোংমা কোর্টতগী অর্ডার লাক্লে – সিভিল সার্জেননা য়াবা মত লৌদুনা ধনরাজ তামাং হুডাওবনি হায়না লেপ্লে। থিন্দানা কান্নবা দলীল পত্রগা লোয়ননা মাবু রাঁচী মেণ্টাল হাসপাতালদা মফম হোংদুনা থাগদবনি। দলিলশিংগী মরক্তা পুলিশগী রিপোর্ট অমা উরম্মী। চীংমী দারোগানা ইরম্মী, ধনরাজ নিয়ম নাইনা গঞ্জা থকই হায়বসি তদন্তদগী থগবা ঙম্মী। মাগী মপাগী মাইকৈদা অমদগী হেনবা মী ডাওরম্মী হায়বগী ইতিহাস লৈ।

অদুগী মতুংদ হাকিমগী য়াথং মতুং ইন্না ঐমক্না নোংমা মাবু পুলিশগী মথৃক্তা শিন্নরে। য়াম্না থীনা ডাওবনি হায়দুনা জেল কোড়না তাকপা মতুংইন্না গাড়িগী কামরা অমা পুন্নমক রিজার্ভ তৌরে দার্জিলিংদগী রাঁচীরোড ফাওবা। পুলিশগী মীনা মাবু থৌরীনা কন্না পুনবা কান্দা মা রা অমা ফাওবা ডাডদে। ঐগী পূক্নীংদদি ফাওরম্মী, মাগী চোকথরবা মকশিনখ্রবা মমীং অনীদুদা ফল ওইব-রোইদবা প্রশ্ন অমা ফাওরম্মী—ঐগী লথিয়া কদায়দা লৈখ্রে?

অসি পুন্নমক অসিমক ঐগী পূক্নীংনা শড়খন থনবা নত্রগা ঐগী মীংনা শেরাম্নবা উবা ওইরম্বা য়ায়।

[তরেৎ]

শলগী সেবা তৌবা হায়বসি পুণ্য তানশিনবগী খ্বাইদগী অথোইবা লম্বীনি হায়না য়ানরবদি জেলগী শুমাং অসি পুণ্য-ক্ষেত্র হায়রবদি অশেংবা তীর্থ মফমনি। মচা অচৌবা জেল পূন্নমক্কা ডেয়ারী নত্রগা যলশঙ অমমম লৈ অমস্থুং মফম অতুদা লৈবা মলশিংগী সেবাগী পোৎচঙ অতু সাধু, গুরু, মোহান্তগী কল্লকপা পোকহল্লি। মখোয়গী লৈফমগী দমক ফজরবা পাক য়ূম, চাবা থকপগী য়াদনা ফংবা মমল তাঙবা চিঙ্গাক অমস্থুং মশা নোঙ্কবি থোৎপিনবা তৈবি-নবগী দমক তলব চাদব হায়বা ইনবা চঙজবা মীনায়। জৌবূক্তা কোযনা চৎপগী লায়রবা মতৌ নত্রগা লৈপাক্কগী শজিক চৌখত্তুনা চাবগী উঞ্ছবৃত্তি (মফম ময়ামদগী থরা থরা লৌহুনা য়ানা মতম লেনবা অত্তোনবা থরায় হিংনবা উপায়) না মখোয়বু কৈদৌউদস্থু শোকপা ঙমদে। মখোয়সি শাগৈ ঙাৎ ফবদা (১) কুলীননি অমস্থুং মশাদা মহাও য়াম্না লৈবদা অচৌবা বংশদা পোকপনি। অমাঙ অতা লৈতবা পুণ্যগী মপু ওইবা মীশিংনা মথগী জন্মদা জেলগী মল ওহনা পোকহ হায়না গিরীন দাদানা হায়বসি মীনম্বা য়া ঙাঙবা নংও।

ইংরেজগী মতম অতুগী রাজ্য শাসনদ ডায়কি লৈরম্বগুম্না ডেযা-রিগী নিয়মদস্থু শাসন অনীশুবগী ব্যবস্থা লৈরম্মী। মনদীশিংগী মাং পোকহন্দুনা বংশ লেংদনা লৈনবা হোৎনবা অমস্থুং চানবা চিঙ্গাক্কা (২) দায়ত্বদি শা-য়োকপা দিপার্টমেণ্টগীনি অমস্থুং জেল দিপার্টমেণ্টগী মখূঙা শঙ্গোম হান্না চকু। মাঙকৈ অমরোমদা শাগী

(১) বল্লালসেননা হৌদোক্লম্বা অফবা শাগৈ (২) Responsibility

ডাক্তার (veterinary doctor) অথুগা মাইকৈ অসোমদা জেলগী ডাক্তার। অহানবা নিপাসি মশাগী ওংজবা থিদবা ধর্ম্মদা দীক্ষা ফংলবনি। মাগী দায়িত্বদি থবক্তা হৈশিংবনি। অনীশুবা অসিনা কর্ম্মগী ব্রাহ্মা লানথ্রবা মহাপুরুষনি। মাগী মীৎয়েংদি ফলদনি। দর্শন শাস্ত্রগী (১) ভেদাভেদ হায়বদি খেন্নবস্থু ওইবা খেন্নদবস্থু ওইবা মীশিং অদু ষষ্ঠী দেবীগী অচাম্বা মচা অমম্বুং সেবক ওইদুন। থাও তৈদুনা, মচু লংবা মনা পুদুনা য়াম্না হুংডাইনে। হিংদুনা অমম্বুং ভোগ তৌদুন লেরগা মখোয়গী তোগদবা থবক লোইখৎকই। মরিশুবা পক্ষ হায়বদি এখোয়না থজনীবগা লোয়ননা য়েংই—বসাশিংগী যোংথ্রবা মশা। শুক্লপক্ষগী থাজগী মতোগুম শুনিং খুদগা ফজবা হেনগংলি অদুগা যঙোনগী খোমথোক্কা চা অদু কৃষ্ণ পক্ষগী থাগী মতৌগুম মথং মথং মাডথি (হন্থ)।

অয়াম্বা জেল-ডেয়ারিগী অতেনবা ইতিহাসদি অসিনি।

ঐখোয়গী জেলদগী সাধারণ নিয়ম অসি খুদাদনা চত্তে হায়বসি য়াম্না হায়জিননা ওইরোই।

---

(১) ঈশ্বর কা মহাক্কা মডালগা অমদি কস্তুরীগা মাগী মননগা লৈফম অমম্বুং চডজরিবা মতুংইন্না খেন্নবস্থু ওই খেন্নদবস্থু ওই। মতৌ অদুগুম্না শ্রীভগবানগা মহাক্কী ঐশ্বরিক শক্তিগা খেন্নবস্থু ওই খেন্নদবস্থু ওই; খেন্নবস্থু নত্তে খেন্নদবস্থু নত্তে। অসিগুম্বা বিরুদ্ধ ওইবা ধর্ম্ম পূর্ণমক হৈবুংতো মাডোন্দদি ওইবা য়ায় হায়দুনা মহাকপু ভগবান কৌই গীতা ৯।৪ ৫॥ শ্বেতাশ্বতর উপনিষদতা ব্রাফম অসি ফজনা ব্যাখ্যা তৌদুনা তাকই। শ্রী শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুগী প্রস্থানত্রয়না য়াবা "অচীন্ত্য ভেদাভেদ" কৌবা দার্শনিক conception অদুম্থু অসিনি।

নোংমা চেন্নুং সই তৌনা তৌনা যঙ্গোমগী হিসাবকী মওঙ অসি বড় সাহেবনা উথরে। ডেয়ারিগী হিসাব থম্বগী দায়িত্বদি ডাক্তার গীনি। মরম অদুনা ডাক্তার থাপাবু কৌরে। সাহেবনা হংলম্মী, ডাক্তার নঙগী যঙ্গোমসি কুমিৎ খুদীংগী ময়েং তারকপসি করি মরমননো ?

ডাক্তারনা মখোনাউ কংনা খুম্মকই, I don't know.

—You don't know, অদু ওইরবদি কনানা খঙগনি ? ডাক্তার খুমদরে। মিষ্টার রায়না খোঞ্জেল থাংনা হায়রকই হায়য়ু। যঙ্গোমগী থাসি নঙনা খঙত্রবদি কনানা খঙগনি ?

ডাক্তারনা ঐগী মাইকৈদা অমুক জেলর সাহেবকী মাইকৈদা অমুক শুন্দা য়েংবদৌনা য়েংবদা, মাইকৈ অনীমক্তগী আশা ফংদ্রদুনা পিক্রবা খোঞ্জেলন হায়রকই, – The cows might know, Sir.

মিষ্টার রায় খ হৌদনা শুকথথরে। ডাক্তারনা ফাগি তৌবিমালে হায়না চিংনমালে। ডাইহক লৈরগা মাগী সহায় লৈত্রব মমীৎ অনাহ য়েংলগ করি খল্লবনো খঙদে। মহাক খঙহৌদনা লাউনা নোক্লক্লে অমসুং নোকপা তোক্তুনা হায়বকই, - All right, you may go.

ঐসি প্রবেশনারনি। মরম অদুনা যঙ্গোম ময়েং তাবগী অরুবা মরমসি খিদুনা পুথোকপগী ভার ঐগী ইথক্তা তারে। ঐনা নিয়ম চুম্না তদন্ত হৌরে। কুমিৎ অনী মরিগী মমুংদা খঙবা ওয়ে, দেশোয়লী জমাদার অমগী অচৌবা খুজাই অমগা থোদোক অসিগা য়েংশিন্নদুনা লৈরে। গেট-কীপারদা ঐন চপ্পদুনা হায়রম্মী, তুম ক্যেয়া করতা হ্যায় জী ? খুজাই হায়বসি অচংপা পোং নত্তে,

মশানা মখোঙনা চত্তুনা থোকখিগদবা নত্তে। মতৌ অমুম্ন। চৎনা লৈরবদি নঙগী নকরিহু মাঙজগনি হায়বিরিবনি। মহাক্না ঐঙোন্দা আশা পীরম্মী, সব ঠিক হো যায়গা। মতুংগী মুমিত্তা খুজাই মাং-খরে। যঙ্গোমগী মশীং অহু সিড়ি (step) কয়ামুক চোংখংতুনা হেনগৎখরে। মনিব হুরাউরে।

মুমিৎ কয়ানিমুক্কী মতুংদা হায়গী অহু অমুক ওইয়ে। গেট-কীপার কৌহুনা ঐনা হায়রম্মী, নঙগী হিংকম লৈতরে প্যাক আপ প্লিজ। খুজাই কম্বল পুনশিন য়োমশিন্দুনা লোইরো।

যঙ্গোম চংখিবা অচুম্বনি অহুবু 'লোটাসে নেহি' (খুজাইনা নত্তে) হায়না মানা খঙহল্লে।

খুজাইনা নত্রে ? চক্ নত্রগা পিথ্রাইগী পাত্রনা ওইরবম্ব নঙগী দায়িত্ব হংগদ্রা ? নঙ নীংথিনা থিজিন্দ্রে।

রা অসিগী পাউথুম পীদনা মানা হায়রকহ, হয়েং অমুক্তা খো-জাগবিহুনা অমুক্তং লেংবিরক্লবদি পুম্নমক নহাক্কী মীংনা উবগনি।

মানা হায়বহুমক তৌরে। অমুক্তা ঐ চৎলম্মী। ঙেগাবদা মতম অহুদা যঙ্গোম শুম্বা হোরে। গেট-কীপাবনা হায়বা মতু ঈন্না এখোয় অনী যঙ্গোম শুমফম মনাক্তা চেকপল মরুমদা লেংহনা লৈরে। মশা মউ চাউ শাংবা জমাদাব সাহেব অহু চেয় য়াংশা থক্তা ফমহুনা লৈরম্মী অহুগা মাবু কোয়শিন্দুনা মাঙোন্দা চাংজগা কয়েদীশিং ফজনা লৈরম্মী। করিনে। লোক্রবগী রা অমা ডাউন-রম্মী, রাহু পুম্নমক ঐ তাবা ফংদ্রে। অরোয়বা শরুক্তু ঐনা হায়রম্মী, মুমিৎ হুমনিগী ছোকরা (নিপামচা)। ঐগা খংনবা ছৌবা শাম্মি।

ঐব খিংসনু, য়েংগে করম্বা বাহাদুরনো ? 'ছোকরাটি' (নিপামচা) হায়বনু তোল্লনা ঐবুনি হায়বা খঙলে।

জমাদার সাহেবনা মশাগী তৌবা ঙম্বা শক্তি অমস্তুং মগুণ থাগৎতুনা পংডাং ডাংবনু অরেম্বা নত্তে হায়বা ভাইহক্তং লৈরগা খঙবা ঙম্মে। কয়েদী অমনা বাসন্তি অমদা শঙ্গোম খর পুরক্তুনা মাঙোন্দা পীরে অমস্তুং মহাক্না থীনবা তৌদনা মাহু মাগী মখোনাউদা চক চক লাউনা হৈথরে। ভৌদ্রিবা অশেংবা শঙ্গোম সের অহুমলোমনি। পাত্রদা হাপ্লবা শঙ্গোমহু থকপা লোইথোক্লগা কংখৎলবা মবুক অহুদা মথূৎনা নান্দুনা নিংথৌনা তৌগদবা মত গুম থগেরে অমস্তুং অহুগী মতুংদা ভূত উবদৌনা খংথরে।

মথওগী দৃশ্য অহুদি ওন্থোক্না অরাবনি। মিনিট অনীগী মমাঙদা মানা মাঙহনখিবা 'ছোকরা' (নিপা মচাহুগী) মখোঙদা তুথরক্লে মহাক্কী শঙ্গোম্না নোয়রবা খোংখ্রবা ময়া অদো।

গেট-কীপরগী সহায় লৈতবা অবস্থাহু খঙবা ঙমলে। থুজাই নত্তে, চফু নত্তে, ষঙ্গোম পুনবা অসিগুম্বা পাত্র অমা লৈ, মাহুদা থীবা অচুম্বমক য়াদবনি।

সরকারগী চাকরি তৌবদা মুংডাইবা খুদোং চাবা য়াম্না লৈ। মাহুগী তালিকা (list) অমা পীহুনা ঐগী ক্যাম্পগী শাউফম অমস্তুং অতোপ্পা ক্যাম্প অমগী মিহৌনফম ওইবা পামদে। মাহুগী মমুংদগী রা অমতং হায়গে, মাহু ঐনা খ্বাই পুম্নমক্কগী হেন্না অপাম্বনি, মাহুগী মমাং ছুটি কৌই। ছুটি—মাহুগী মথৌ কয়া য়াম্মি। Fundamental Rules গী য়াম্না চাওবা খঙবদা লুবা অধ্যায় অমদা মাহুগী ব্যাখা, রচনা অমস্তুং টিকানচিংবগী মশীং লাকপা ঙমদবা ধারা (Section)

লৈ। অহানবদা ক্য'জুয়েল লিভকী য়া থম্নসি। চহী অমগী মস্থুংদা সুমিং তরামতানি। পুল্লপ লৌবিয়ু; অদুবু ডিসেম্বরগী তারিক ৩১ গী মস্থুংদা লৌহোগদবনি। অদুগী মতুংদা পূম্নমক পুমথ্রে। প্রিভিলেজ লিভ, মাসিদি শোয়দনা ফংফম থোকপা হক্ লৈবা ছুটিনি। মাসিদি পুম্বা য়াবা নত্তে। চহী অমা হেক লোইবদা থা অমা সুমিং নীনী নহাক্কী অ্যাকাউণ্টদা জমা ওইরে, মরাইবক ফবা মীগী ব্যাঙ্ক—ব্যালান্সগুম মাসি হেনগংলি। অদুগী মতুংদা খুদোংচাবা মতুংইন্না পুরা থা মরিগী ছুটি লৌবিয়ু। থ মরিমক তংলব পুরা ফংবিগনি। থবক শুথ্রে, অদুবু থবক শুমলদি কায়দনা ফংগনি। সেতুবন্ধ রামেশ্বর নত্রগা ডেরা ইসমাইল খাঁদা মুংঙাইনা কোয়বিরু। সমুদ্র লান্দুনা 'হোম' দা চৎপীনিংবরা? অদু ওইরবদি সনাগী মথক্তা মণিনা কাম তৌবনি। থা মরিদু অমুক্তং চোংবদা থা নিপাল ওইখিগনি। স্বর্গদ লৈবগী মুংঙাইবা হায়বদু করিবু কৌবগে?

নম্বর অহুমশুবা— মেডিকেল লিভ, নাবগী দমক লৌবা ছুটি কীবা তৌবিগন্নু। নাবগী দরকার লৈতে, ডাক্তারী সার্টিফিকেট অমতংগী দরকাররনি। মাদু ফংনবা হোৎনবা ভমদবা মীদু সরকারী চাকরি তৌবগী মতিক চাব মী নত্তে।

তালিকাসি পাকথোকহনবা পামদ্রে। পূম্নমক্কী মকোক ওইবা ছুটি অদুগী মরমদা আইনগী করিগুম্বা লাইরিক অমতদ পল্লম্বা লৈত্তে মাদুগী মমীং French leave। পাম্বা কান্দা কয়ারক্লো. ঐ অমুক্তা কোইরুখিগে স্যর হায়রম্লগা থোকপীরকউ। ছুটি অসিগী হিসাব লৈতে, লেপ্নবা নিয়ম অমতংদি লৈ—বোসবু পেলহনবা থমগদবনি।

অসিগুম্বা পণ্ডনা ফংনব্রবা লাইব্রেরি ফবসি ঐ ফংবা ঙমখিদরে। ঐগী লম্বী অমতংদি দরখাস্ত থাবা অমসুং মাহুগী অফবা ফজনা ফলগী দমক খাঙবা ঙমদনমখৈ ঙাইবা। য়াম্না রান মীরা গীশ। য়াম্না তাহুনা মমৈথংদা সুমিং ১৫নিগী ক্যাজুয়েল ছুটি ফংলে। নোংমতং খিল্লম্ববদি মাহু পুম্বা হৌরমগনি।

কাশ্মীরদা নত্তে, চিদাম্বরমদা নত্তে, অরীবা কলকাতাগী য়াম্না লিরবা মরূপ-সমাজগী মঙ্গংদা চয়োল্ অনী লৈরগা হল্লক্লে। ঐনা হল্লকপদা ঐগী থোঙদা পাল্লম্বা রাইখুশে অহু কনাগুম্বা নিংখৌ অমগী সনাথোঙদা পানবা মত্তিক চাবা ওইরম্লে। অসুপ য়াম্না চেক-শিনবগী মরম লৈরম্মী। ঐনা য়ুম থুংলবা মুমিং অহুগা থংনবা মমাঙগী অহীংদা ঐগী হিনাউ শাবা শ্রীমান ব্যম বাহাদুর ওরফে কেটা থঙহৌদনা মাঙখ্রে অমসুং ঐগী অমতা ওইবা সম্পত্তি—পোং হাপ্তবা ষ্টীল ট্রাঙ্ক অমসুং পুথম তেজোং থরা মাগা লোয়নহুনা চংখ্রে হায়বা তারে। ঐগী য়ুম য়েংশিনবগী ভার পুরম্বা সিপাই অহু মাগী মরোম্না য়াম্না নীংঙমদরে হায়না খঙহল্লে। ঐগীসু নীং-ঙমদবা পোক্লে। অহুদি ওইরগা মাহু ঐগী হুরানখ্রবা পোংকী দমক নত্তে, হুরানবগী থবক রানা নোমখিবা নিপা অহুগী দমকনি।

দোকান্দগী চা লৌক্লরা হায়না সিপাই অহুনা হংই।

ঐনা লৌকত্রবসু য়াগনি খুম্লম্মী। অতোপ্পা চাকর অমা থিবগী রা হৌদোক্লে। অহুসু লৌজিকৌদি ঐনা য়াদরে।

Smiles সাহেবকী Self Helf কৌবা মমীং চংপ লাইরিক অহু ঐ পাখ্রে; বাংলা লোন্না ইবা মশানা মশাগী মতেং পাংজবগী রচনা য়াম্না ঐ চীন্দা পুরম্মী। অসুপ কুইরবা মতুংদা অদুগুম্বা মমল

য়ামখ্রবা উপদেশশিং অহু থবক্তা শিজিন্নবগী খুদোং চাবা লাক্লে। ফত্তবা ৱাথল থনবগী মরম লৈতে। মমল লূপা মডা পীবা লাই য়েকপা চাক থোংবা তথা রন্ধন-শিক্ষা কৌবা লাইরিক্কু মফম অসিদা লাকত্রিভেদা লৈতুনা পুরক্লম্মী।

থিন্দনা চাগী দরকার ওইরে অমত্তুং মাহুগী অহানবা পর্ব্বদি ষ্টোভ মৈ থাগৎপনি। স্পিরিট বোতল তংথায় অমা পূংথায় অমা পাম্প তৌহুনা মাহুগী থবক্কু লোইরে। অহুগী মতুংদা করি তৌগদবনো থগুনবা 'চা প্রস্তুত প্রণালী' (চা লোনবা নিয়ম) হায়বা অধ্যায় (chapter) ফাক্তোকপমক্তদা কাঞ্জী থোডদা লেপ্লরে।

চাংদম্লিডায় লৈতবা হরাও তয়াম্বগী মীনোক ভাগনি আশা তৌরম্মী, অহুবু মাগী মমায় উবদা ঐ থংলে। কাঞ্জী করি তৌরে? মুমিৎ নীনীগী মমাডদা ফজখ্রবা মথোল লাউদনা তোয়না নোকপা মীনোক মুংডাইবা অহু কনানা মুংশিবা থগুদনা শাপ তৌহুনা মথল্লায় পান্দবা নূং ওইহনখ্রবনো। মাগী মশা পুন্নমক্তা য়াম্না ৱাবগী মথোল থোক্তবা মমি তারম্মী। মুমিৎ কয়ানিমুক অসিগী মমুংদা মাগী বয়স চহী কয়ামুক হেনগৎখ্রবা মতৌ মাল্লে। মনাক চগুশিন্দুনা ঐনা হায়রম্মী, কাঞ্জী, করি তৌয়বগে ?

ঐনা থল্লায় শোক্লা হংব ৱাহং অহুগী পাউথুম পীদরে। চানবা পোৎ হাপ্পা পুথম অমা মানা পায়রম্মী।

তপ্না তপ্ন ইমুংদা চগুশিল্লক্তুন ঐগী ইমাডদা লৈবা টুল অমগী মথক্তা পুথমহু থমহুনা শোন্থাংমনা হায়রকই, বড়ী আম্মানা (ইমা অহন্না) পীরকপনি। অহুগী মতুংদা ষ্টোভকী মৈ মুথাংতুনা চৎনা চৎনা হায়রম্মী, চা পুরক্কে।

ঐগী মীৎয়েংনা উরিবা মথৈ ঐগী ওক্লবা মীৎ অসিনা মাগী মতুং ইল্লম্মী। অঙুবু মহাক্কি অমুক্তা ফাওবা হন্না য়েংথোকলক্তে।

ডাক্তারগী মচাম্নুপী চহী তরারোম শুরবী রুমীনা চা পুরক্লে। টি-পোটতু টুলগী মথক্তা থমহুনা মানা হায়রকই, ওসিদি ঐনা চাসি লোনবনি বাবুজী। য়েংউ শঙ্গোম চিনি অহুগা—

—কাঞ্জী লাকত্রবরা রুমী?

—বড়ী আম্মানা মাবুদি ইরুজ্রুনবা চৎহনখ্রে।

—ইরুজবা? অস্নুপ ওন্না?

—ও ও। নত্ত খত্তদমালে। মমীং লাউথোক্কুনা হায়রকই রুমীনা, কাঞ্জীগী লুহোংবা ওসিনি।

—কাঞ্জাগী লুহোংবা!— যন্ত্রনা চালাহবা লাইফদিবীগুম্না রুমীনা হাযবা ব্লাহু ঐনা অমুক হায়রম্মী।

রুমীনা মথুৎ অমস্নুং মকোক হাইহুনা হায়রকই, কাঞ্জীনা ডাসি করি করি তৌগদবনো, লুহোংবা য়াওগদবা মী কনা কনা লাক্লই, কনা লাক্তে, লীককোল কয়া য়াম্না পারে, কনানা করম্বা পোৎ পীরবগে, অসিগুম্বা র কয়া। মানা ডাঙলিবা ব্লাশিং অহুগী মলুংগী থবনা ঐগী নাকোং মনুংদা চত্তথরে, থবনা চহ্রদরে। মীত থোত্তগী মপান্দা হৌজিক্তা নোং মরক্তুগী থোয়দংগী ন্নংশা মত্তালন, ডালহনবা অয়ুক য়েংলম্মী। অশিবনা ফুগংম্নরা মাগী অংগাংবা থু বা মচু মানবা মশক অহু উরম্মী। লাকাত্রবা জীবনগী শা থ্রগ লম্বীগী মায়কৈদা য়েংলম্মী। পূম্নমক অহু লৈবুৎ লৈতোং নাত্ত অমস্নুং লৈহাও লৈতে, কদায়দস্নু অশংবা মচু বিন্দুঅমা ফাওবা লৈতে হায়বা উরে।

রুমীনা ধমকা তৌবদা ঐ জ্ঞান তারক্লে— নঙদি করিস্থ চাদরে বাবুজা ; ঐ কয়া কুইনা ফমত্থনা লৈখিগদগে ?

ঐনা হায়রম্মী, নঙ চৎলো রুমী। পুখম গরাক অসি হোরেল লৌরো।

—বাঃ নঙদি চাদনা ঐ করম্না চৎকরি ?

—কৈদৌরবগে ?

—কাঙ্গীনা চৈগনি য়ে ?

- নত্তে নত্তে। চৈরোই। নং চৎলো।

—হা, নঙ য়াম্না খঙহনে ? হৌজিক্তা হায়রম্মী— চৈগনি।

--করি হায়রম্বগে ?

—মহাক্না হায়রম্মী, রুমী চানবা চাক য়েনশাং থনম্নবনি। নঙ চা পেয়ালা অমা লোন্দুনা বাবুজীদা পীরু। চিনি চামচ অহুম হাপউ, অত্থবু বাবুজীদি চিনি য়াম্না চাবনি। অত্থগা পীরুরগা হেক লাকল্লু। মনাক্তা ফমত্থনা চাহল্লু। করিমতা লেমহনগন্নু। লেম-হল্লবদি নঙবু ঐনা থীনা চৈগনি।

অসিগুম্বা কাঙ্গী অত্থ ঙসি জীবন অসমগী দমক চৎখিগদৌরে। মহাক অমত্তনা খললি মরক্ত অত্থগী মতুংদা মাবু অমুক্ত উররোই।

মহান্দগী রানি। থা অমা ফাদ্রি। মফম অসিদা ফমত্থনা রারী রাতায় শারম্বদগী থঙহৌদনা মানা হংথি, বাবুজী, নঙগী মুপী কদৌডৈ লাক্কনি ?

ঐনা নোক্কুনা হায়রম্মী, ঐগী মুপী হায়বা অমা লাক্কদবনি হায়বগী মরমদা কনাগম্থু লেপ্পবা তৌদ্রি।

—ইমাইপেমা ! নঙবু কুইনা নথন্তা অস্থম লৈগত্রা, নঙবু কনানা য়েংবিগনি ?

—করিনো ? দরকার লৈবা মীনা মরাইনা য়েংজগনি !

কাঞ্চীগী নোকপনা ভানবা মমায় অতুগী মথক্তা থংহৌদনা অরা-অনাগী মমি তারে। মখোনাওদগী মমাঙডৈদা ওইখিত্রিবা অরাবগী স্থর থোরক্লে। মিচুংথোঙ অসিগী মপাল্লোমদা য়েংচুনা তপ্লা তপ্লা মানা হায়রকই। অতুগুম্বা লাইবক ফবচু মানা নহানমুক মপোক্তা পুণ্য তৌচুনা শেমজচুনা লাক্কে। ঙসি ওইরবস্থ, হয়েং ওইরবস্থ, নোংমদি মা চৎপা তারগনি !

অতুগুম্বা মুমিৎ অচু অস্থপ নক্লা লাক্লে হায়বা মাস্থ থংদে ঐস্থ খঙব ঙমদে।

রুমীনা অনীরক হন্না ধমকা তৌবদা চানবা পোৎ হাপ্পা পুখম অচুদ খুৎথাবা তাখ্রে। করিস্থ লৈতবা চানবা পোৎ থরা। মসিনা মরম ওইদনা চৌংগী মুপা মচা অসিগী মখুত্তগী ঐনা ফংদবা করি লৈখ্রবগে ? ঙসিদা নত্তে, ঐগী কেটা কৌবা হন্নাই তক্লবা নুংগী চক্রি অসিদি কল নাম্পোক্তুনতা লৈ। ঐনা কয়ারক উখরে, পাঙসি ঐগী নাকোংদা য়োরকত্রিহৈগী মমাঙদনা কাঞ্চীগী থংনবা য়ুম অসিদগী ঐগী চানবা পোৎ হাপ্পা পুখম য়োরক্লম্মী। চানবা পোৎ অচু বড়ী আম্মাদা পাউথোংকম পীচুনা ভাক লাকই। অতুবু মাচুগী মমুংদা অভৌবা ফনবা শিনবা, খুৎ অমনা শোকপচু ফংলম্মী। মাচু ঙসিদি লোয়রে। অচুম্না শোকপচু জীবন অসিদা অমুক ফংলরোই।

পুং অমরোমগী মতুংদা বড়ী আম্মা বার্ত্তন তৌবা লাক্লে। মুপী মচাসিগী মমা-মপা লৈত্রে, ঐ নত্তনা মাপ্পী নক্লবা মী কনা অমতা লৈত্র-

থনি হায়রম্মী। লুহোংগদবা বর অসি খণ্ডহৌদনা থেংনবনি। নিপা মচাসি ফনা ফৈ। অহুবু অউলপোং থোইদোকপা পীরবস্থু য়াগনি। মবম অহুনা তুং-মাঙ য়েংদনা ব্রাথল য়াম্না খন্দনা পীরবনি। নংবু মানা য়াম্না মুংশি। নঙনা লেপতুনা আশীর্ব্বাদ তৌরবদি ঐগী কাঙ্গী মথল্লায় মুংঙাইগনি। খরদং ব্রায়বস্থু ব্রানা লাকপিয়ু বাবুজী। লাক্কদরা ?

ঐনা থল্লায় য়াউনা হায়রম্মী, লাকনি বড়ী আম্মা। লোয়দনা লাকনি।

ঐ লাক্কনি হায়খ্রে। অহুবু বড়ী আম্মানা হন্দুনা ময়ুম চংথিন্ত্রি-ভৈনা ঐগী পূক মপুং অসি করিনো খণ্ডদ্রে মথক মখা ওনখ্রে। ঐগী তৌগম থোকপা খত্রবহু খূং অনীনা শায়শিন্দুনা কম্না লেপকে হোং-নরম্মী। অদুবু ঐনা হোৎনবা পুম্নমক অরেম্বা ওইরে। পুক্রীংদা হন্দুনতা লৈরে লুহোংবা য়াওবগী উপায় লৈতে। চেনবা তারে। মেগা মফম অমদবু ও রবস্থু চেনবা তারে। ছুটি লোইগদবা নোংমা ব্রাহান। ঐগী পুক্রী দা খডহৌদনা নাংশীলক্লে, ঐগী অঙাঙ ওই-বিদৈগী মরূপ অমা কাসিয়াংদা পিঃ ডবলিউঃ ডিঃ গী মকোক ওই-তুনা লৈ। মাগী মনাক য়োনা চৎকদবগী য়ুমদগী থোরক্লে।

ডাক্তার থাপাদা চিঠি অমা ইহুনা পিরম্লে, বড়ী আম্মাদা ঐনা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা থুরুমজরি হায়না খণ্ডহন্দুনা হায়বিয়ু, য়াম্না শ্রদ্ধা থবক অমগী দমক খণ্ডহৌদনা ঐ কাসিয়াং চৎপা তারে। কাঙ্গীগী লুহোংবা য়াওবা শমদ্রে। মাংগী দমক ঐ য়াম্না মুংঙাইদ্রে। মাংু ঐনা থল্লায় য়াওন আশীর্ব্বাদ তৌরি— অসিনচিংবা।

মতুংগী মুমিংতু য়ুমদা হল্লকপা মুমিংনি। কাসিয়াংদা লৈবহু মুঙাইদ্রে। অহুনা য়াম্না শম্না খোঙ শান্দোরক্লে। ষ্টেশন্দা লাকপদা

গাড়ি লাক্কদবা মতম য়াম্না ব্লাংলি হায়বা উরে। মতম থরদং প্লেট-ফরমনা হঙ্গং হন্দা চংলম্মী। অহুব্ মতম থুনা হৌনা তৌরে। মী ময়াম তিল্লিবত্ত ঐ খাওবা ওয়েমদে। ওয়েটিং রুমদা লোম্ন' য়েংশবু কা অহুদা মী অমত্তা লৈরমদে। চা কপ অমা পুরকউ হায়বয়গা ঐ ইজি চেয়ারদা হিপথরে। ঐ মতম নাইদনা চা পংথক পওবনি। অদুবু মাহুগী নুমিংত্তু কৈদৌরবনো খঙদে। মথং মপং চা কপ অনী থৌনাউদা করম্বা কাপ্পদা চঙখিবনো খংহৌদ্রে। অঙ্কুমশুবা কপকী দমক বয় কৌশিরা থল্লকপা মতমদা খঙহৌদনা মপানলোমদা য়েং-থোক্লম্মী। ঐ পাথংখিদুনা তু থ্যাও চুংই। ওকপনরা, মুংঙাইবনরা নত্রগা থব্রায় ব্রাবনরা খঙবা ঙমদ্রে। থোঙ ময়াদা কাঞ্জী লেপ্লম্মী। মরূ লুকথবা মকশিল্লবা মমায়নি।। নৌনা লুহোংবা নুপীগী ফীজেৎ শেংলি। মাগী মতুংদা মাগী বর লেপ্লম্মী। ইজি চেয়ারদগী হৌগংতুনা ফম্লগা মখোয় অনীবু তরাম তরাম ওক্লম্মী। নোংকুনা ষ্টরেট লাইনা হায়রম্মী, লাউ চঙলকউ। নিপামচাত্ত মিলিটারী কাযদাদা সেলাম তৌরে, অদুগী মতুংদা নোল্লুক্না য়াথং লৌদুনা মপান থোকখ্রে। কাঞ্জী তপ্না তপ্না চঙশিল্লকুনা ঐগী ইনাক্তা লেপলে।

মতম থরদং ব্রা ঙাঙনদনা হৌখ্রে। ঐনা মাগী মখুং থেং অহু ঐগী খুৎনা চিংশিন্দুনা চায়রম্মী, নঙগী লুহোংবা য়াওবা ঙমখিদরে। মাতগী দমক নথব্রায় নু ঙাইতবা তৌগনু কাঞ্জী। নঙদি পুম্নমক খঙবনি। ঙম্লবদি ঐবু ঙাকশিয়ু।

কাঞ্জীনা নোংখাংনা পাল্লব মতংগুম ঐগী খুৎ অহু মখুৎ অনীহুনা পায়শিন্দুনা হায়রকই, করি ব্লানো বাবুজী? নঙনা ঐগী

ইকমদা ক্ষমা নিরি। ঐনা নঙগী নফমদা তৌথিবা অপরাধদি অরোয়বা লৈতে য়ামখ্রে।

মানা তৌথিবা অপরাধ করিনো ঐ থৰদে। অহুবু ঐ খ্রা মথা ৎংথদরে। ভাইহকং লৈরগা মানা অরায়বা অমেভবা খোঞ্জেলনা হায়-রকই, ঙসিমক হল্লকপরা?

ঐনা হোয় হায়না খুল্লম্মী।

ভাইহাক লৈরগা মানা অমুক হায়রকই,নঙগী ছুটি ফংফম য়াবা লৈরি। মুমিং থরদং য়ূমদা চৎলু।

ঐনা হংলম্মী করিগীনো?

—করিগীনো? নীংবা কায়রহুনা কাঞ্জীনা খুম্নকই, খ্রা অহু ঐনা অমুক হায়বা তাত্রা? মফম অসিদা নঙগী কনা লৈবগে? কনানা নঙবু য়েংবিগনি? ঈশিং খোরাংলগা ঈশিং গ্লাস অমতং নীহুনা থক্কনি খঙদবা নঙগী অবাবা দশাগী লোইফম লৈগদ্রা? মুমিং কয়ানি চাক চাদনা তুম্মরগনি হায়বা ঐগী মীৎ অসিনা তম্মং তরংনা উরে। নত্তে, নঙ ছুটি শোয়দনমক লৌগদবনি। অহু ভৌত্রবদি ঐ য়াম্না শাউগনি।

ঐনা নোক্কুনা হায়রম্মী করে, লৌদবা য়াত্রবদি লৌবা তারে-দনা। অহুবু ছুটিগীসু অরোয়বা লৈ। অহুগী মতুংদা কমদোবা?

—অহুগী মতুংদা লুহোংহুনা মুপী পুহুন হল্লকউ। মাগী মপূক্লোং ইরাঙ লাঙবা মতো উৎপা মমীৎ অনীহু য়েংহুনা ঐনা হায়রম্মী, অহু ভৌরবদি নঙ মুংভাইগদ্রা কাঞ্জী?

করিগী মুংঙাইরোই ? নঙ নীংথীনা লৈরি, মুংঙাইনা লৈরি, নঙগী অন্নাবা করিমতা লৈতে—অরাপ্পদগী পাউ 'আসদ' তারবদি ঐ শমথেংনা মুংঙাইগনি !

অতৈ ব্রা খরস্মু হায়থখিগে নীংমালে। অংবু ব্রা ভাঙবগী লম্বী থিংখ্রে, খোঁনাউ ফুনখ্রে। হায়বা ইন্দবা পি চত্থম খরা মাগী ভাঙলৈনবা মথজাহ মথক্কা তারক্লে।

চৎপা মতম ওইরক্লে। ইনফীগী মচী অমা লৌত্থনা মপী তৈথোক্লগা ঐগী ইনাক্তা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লক্লে। লৈবাক্তা খুরু-খৃদক শল শানা কুম্থত্থনা নোম্থত্থনা ঐগী খোঙ মথক্তা মকোকনা শোক্তুনা খুরম্লে। ঐনা থিংবা তৌদ্রে। নোম্থত্থনা ঐনা খুং য়েংনা মাগী মনঙ্গন্দা নানবিত্থনা আশীর্ব্বাদ তৌরম্মী। মাগী মশা অপুম্বা থক্ থক্ নীক্লম্মী।

অত্থগী মতুংদা ঈশিং ঈচাগুনা তোর্ব্বান নমথায়বগুম হিক্লা হিক্লা কপ্লক্লে, প্রেমগা থ'রা অতৎ অথম লৈতনা শিন্থরক্লে। ফুং ফুং শাবা প্রেমগী ধারা অত্থনা লোম্না শোকপত্থ ঐগী ইফমদদা অমাঙ অতা লৈতনা লৈহৌরে। পৃথিবী অসিদা ঐগী তোনখ্রবা খোঙ অনীসি মাত্থগী মরোল লোন্দবা অমতা ওইবা সাক্ষী ওইত্থনা লৈহৌরে।

অম্মুপ কুইবসি কাঞ্জীনা নোকপদা উরকলি। মগী চেল্লবা ফুদোংলবা লূপাগী মরী শিন্থরকপা মানবা মীনোক ; সংসার অসিদা মাত্থগা চাংদম্নফম লৈতে। ঙসি বিদায়গী মতমদা মানা কপ্পত্থ উরে। ফীদগী ঈশিং শুমদোকপগুম, থমোয় শুমদোকপা, থিংবা য়াদবা মীকপ। মাত্থগীস্মু পান্দম্নিঙাই লৈতে।

[নিপাল]

১৮৫৭ তগী ১৯৩০। শতাব্দী অনাম্বু মপূং ফাবা নত্তে। ইতিহাসগী অবেষ্যব। নাইদব। ঈচেলদা পীকখ্রবা মাঙখিগদৌরবা কোঙ্গোল অম। অদুবু কযাদা কনখ্রবা মাহুনা ইকু টকু লৈহনবদো! কয়াদা লাপ্লা। শান্দোকখ্রবা লুখ্রব ঈশিং ঈশং ঈরৈ অমা মানা শেংগ্রে য়াম্না লিবব ডাংত অসিগী মমায় যাম্বা জীবনগী ধারাদা!

মরাইবক থীবা দেশ অসিগী মনক যৎক্তা বিদেশদগী লাকপা লান ক্ষয়ংলৌবা মীনা খোংপাক্লা কাওরদি মসীনা অনৌবা নত্তে। মাসিগী মমাংমক্তদা চহী চাঙবেং চাটথোক্লা মগুন থাগংতুনা চংখ্রে পাঠান, মোগল, তুর্কী— সুলতান মামুদ কয়া, চেঙ্গিশখাঁ কয়া আলাউদ্দিন খিলজি কয়া, ঐব্রেকো দল ঈগী ঈচেন্দা তাউথখরে তুবেল, চৌং, খুঙ্গ। দেবমন্দির মা থোকখরে; মুগীগী ইজ্জৎ মাঙহন্দুনা অপমান পীখ্রে। অদুবু ভারতকী অন্তরাত্মা (পুক্নুংদা লৈবা আত্মা) ফাবা ঊমতংখিদে। চহী চাংরেং অসিগী ইতিহাস অসি শিবা হাবে ওাকপা ঙহী লমগী যগুবা মগুন্নি; ঈশিং ঈচেলগী মথক্তা তাবা পাইক্লন লৈবা নাগী মমিগুননি।

অদুবু ইংরেজীদি দিগ্বিজয় তৌবনা নত্তে। লৈপাক জয় তৌরগা, লম্পুম লুঠ তৌবগা তৌক্তে। মান মওইবগী মনুষ্যত্ব (ধর্ম্ম, থৌজালহৈবা, ফজবা লমচৎনশিবা মাওইবগী হৌনবা গুণ) মুন্দুনা লৌবা পাম্মী মাগী … পান্বাগী … মরা অত্তু তপা তপা চঙশিনখরে লৈহাও লৈবা লৈপাক অসিগী শক্ল-লুতোংদা। মাগী হুনা ওবক তৌবকপদা শুঙ্গা খরে পাকচাউখ্রবা জাতি অমগী জ্ঞান

বুদ্ধি। শুমহৎপ্রবা মূর্খগী মতৌগুম মাগী নাংবা অমসুং নাশিংবা (ধ্যান - ধারনা), মাগী থবক তৌনগী ইচ্ছাশক্তি, মাগী অচম্বা নত্তবা বুদ্ধি প্রভাব (প্রতিভা) অদু বিদেশী সাম্রাজ্যগী সেবা তৌবদা শিজিন্নখবে।

অসুম তৌনা চহী অমগা মতুংদ চহী অমা হৌখবে। অদুগী মতুংদা নোংমা শতাব্দী (চহী চাম) খবা শুমহৎতুনা তুমহুনা লৈরম্বা অদুদগী য়াহৌরক্রে মশাং য়াংখিদ্রবা মীদল অমা মখোয়না উরে, মশামউ চাউ-শাংবা কুচু তৌবা (1) অক্টোপাসনা য়োংকী থোরানা চাওই পুক্নমক অদিগী মখোবা চবম হেংশিনখবে। থরায় মাঙগদবা মতাগুম তৌরে। মতম অদুদা নাইতুনা অহানবদা হায়জ-চচবা হৌরে। অদুগী মতুংদা লেংখাংবা। অদুবু পুল্লিবা খোরাদু কোমথোক্লক্তরে। অরা অনানা হৌগদু খাউবদা মগন মফমদা নহা-রোল অনী মরিগী দল ফং ফং ওনবা হৌরক্রে। ১৮১৭ কী মশক উংলে ; অদুগী মতুংদা ১৯০৫। অদুবু মকম অদুদা লৈবম্বা গর্ব্ব তৌবা, হাইগংপা মকোকাশ অদু সাম্রাজ্যগী হীনরোগনা তক-খায়দুনা মকুপ মকুপ ওইরনখবে।

অমিং খবা হৌখবে। ১৯২১ সালগী বসন্তগী মতমনি। খউ-হৌদনা নোংমা ভারতকী নেংশিং খংবা মতাইদগী মশা তংখায় অমা ফাওশেওবা (2) ফকির অমা মপানা খোবক্রে—ময়াড কংবা দেহনি, মখুাংদা কোপীন শেংশিন, মরান্দা অকনবা উদ্দেশ্য লৈবা মীনোক। (3) ব্রিটিশ-নো শাদু বৌদুনা হায়রকহ, হে শাগী নিংথৌ, ঐথেয় খুৎলাই পায়দে। অদুবু নয়া অচোবনা চীকপদু ঐথোয় কীদে।

(1) Octopus, (2) মুসলমান সন্যাসীবা, (3) British Lion।

নঙগী লৈপাক জয় তৌবা চৎপদা তোংবা বথ অতুগী চাকাদা অমুপ কুষ্ঠবসি ঐখোয়না থাও তৈহনা লাক্নি। ঙসিদগী অমুক তৌররোই। ঐখোয়গী লৈবাক্কী পূক অমসুং নঙ্গলগী মরক্তা লৈবা নাকথং অনীগী শরূ অতু মকুপ ওইনা তকথায়হন্দুনা নখোয়গী রথ (কাং) অমু ঐখোয়মক্‌ চিংহুন' মপান খোক্লম্মী। খোয়া অতুসু হৌজিক থাদোক্লে। নঙগা ঐগা খৎনবা লৈতে, ঐ নঙগা পুন্না থবক তৌমিন্নরোই (non-coperate)।

বৈরাগীগী পীকখ্রবা খোঞ্জেল অতুদা শক্তি অমুপ য়াম্না লৈরম্মী হায়বা কনানা থঙগনি? থাগী সমুদ্রদগী অরাংগী হিমালয় ফাওবা থক্ থক্ নিক্লক্লে। চহী চাম য়াংখৈ শাসন তৌবগী অচম্বা নওবা থোংখ্রবা বুদ্ধিনা শাগৎলকপা কীর্ত্তি (মিংচৎ) কী স্তম্ভ (য়ুম্বী) গী মমায়দা চেকখায়বা লৈং মশক উংলে। অতুবু মাতু মতম থ জিক্কীনি। নোং ভুংশিৎ লেপখরে, মাতুদগী থোরকপা নীংব কায়বা চোকথবতু লৈহোরে। বাজশক্তিগী জয় তৌব রথ অতু মাংকৈ মরি নিন লৈহোরে। বাজশক্তিগী জয় তৌব রথ অতু মাংকৈ মরি নিন হন্দুনা অমুক হন্না ঘবব শদ তৌত্তুনা চৎক্লে। থোরা থাদোক্লম্মা মীশিং অতু হঙ্খিল্লক্কুনা থোরা পায়বিযে। মী অনী মরিদং চাষ্ট-খোক্কুনা মফম থবদা তাত্তুন লৈহোবতু বিস্মৃতি অকাওবা) গী অতম কোবা পাটালদা লুপখ্রে।

চহী তরা হৌখিদ্রি অতুগী মতুংদা, অমুক হন্না কদায়দগীনো হল্লক্লে ময়াঙ কংবা ফকির অতু। দেহ অতু হান্নদগী য়াং কংবা হেঞ্জিল্লে, অতুবু মহাক্কী মরাহবুক্তা বজ্রগী অকনবা চিহ্ন। মহাক্কী ব্রাংখ্রবা খোঞ্জেল অতুদগী ধ্বনি অমা থোরক্লে, হে (১) যন্ত্রগী নিংথৌ

(১) খুলাইগী

ঐশ্বর্য্য, ঐখোয়গী জীবনদা ইশাগী খুসিনা পামজহনা লৌজবা থারা নিয়মছু থিংহুন। চাংমুক চাউবা যন্ত্র অমা শাগংপা অহুনা ঐখোয়দা থংবা (বাধা পীবা) গী জঞ্জাল অহু ঐখোয় য়ারোই। খোঞ্জেল অহু মাইকৈ থুদিংদা খোন্থাড য়েংখরে—ঐখোয় য়ারোই। জীবনগী মখল য়াম্বা কর্ম্মক্ষেত্র, সমাজগী মখল য়াম্বা থাক্তগী ওৎপীরবা নৈথংপিরবা মী লীশীং লীশীং থোরক্লে। পূন্নমকী খোঞ্জেলদা স্থর অমতা—ঐখোয় য়ারোই।

ব্রিটিশ – সিংহগী অহঙ্কারনা চাল্লবা মরাইবক অহুদা ফাওরক্লে চিন্নাগী ময়ি। মাসি করম তৌনা ওইবা য়ারিবনো? মতম কুইনা most obedient servant ওইরম্বা মীশিং অহুগী মচীন্দা dis-obedience গী ধ্বনি! অহুবু অরাবা রাথল খনবগী মতম লৈত্রে। চ্যালেঞ্জ অহু লোরে (১) সম্রাজ্য-শক্তিনা। ঐখোয় ইংরেজ জাতিনি। ঐখোয়গী সাম্রাজ্যদা মুমিৎ তাদে। চালাইরো রিপ্রেশন। যন্ত্র জ বিভূতি (ঐশ্বর্য্য) না মাগী মী তকখায়নবা যন্ত্র চালাইরে। তকখারহুনা শিখিবা মীশিং অহুদি চংখবে। হিংহোবা মীশিং অহু লেবাকী মকম পূন্নমক্তা লৈবা য়োৎকী পোন্দা ফাজিন্দুনা থমখ্রে।

মখোয় অহুগী মরক্তগী পীকখ্রবা পোন অমদা, লায়না থিনগায়রবা যাদবা হিমালয়গী জঙ্গোল অসিদা, যন্ত্ররাজগী মনাই ঐখোয় শরা কোনশিন্দুনা ফমহুনা লৈরম্মী। অহুবু য়োৎকী রাম্ফক ফুরিৎ থিনগাযহনা বহির্জগৎ (মপানগী জগৎ) কী অকীবা মশক ওইবা নিন-খোংবহু হৌজিক মফম অসি য়োরকত্রি। মখোয়সি ইংরেজগী মুংশিবনা মশা নোয়বা, কুপা ফংজব পাহাড়ী লৈংগী জাতিনি। চা, সিগারেট অহুগা য়ু – মহানেশা মখন অহুম অসিনা জ্ঞান মাঙহনা

(১) Empire গী পাঙ্গলনা।

লৈরি। মখোয়দুগা মবক্কুগী অমনীদ' মকোক কাংখংলকপহু চাকরি নত্রগা উপাধিগী মর্কিয়া (morphia) চাহুনা অমুক হন্না জ্ঞান মাডহুনা লৈখ্রে।

মরম অহুনা ঐখোয়দি মুংডাইনা লৈ। চা-থক্কুনা লৈবা তম্বিবা মওডদা মখোঙ—মথুং লেংওৎপা, উপদ্রব য়াওদনা মুংডাইনা তুম্বা ফাটকশিং ঐখোয়গী পোন্দা লৈ। কান্নদবদা মশা (wings) না ফুহুনা মপুগী শান্তি থুগায়বা তৌদে। ভগবান্দা কৌহুনা হায়জরি, হে ঈশ্বর, ঐখোয়গী মহাশান্তি অসি কায়দনা লৈবা ওইসনু। হুরানবা, ডাকাতি অহুগা পকেট ককপগা য়াম্না মুংডাইনা মতম লেনবা ওইসনু। অহুবু ঐনা তৌরিবা প্রার্থনা অসিদা মোবারক আলি য়াওদে মাগী মথুং অহু হাক্চহুনা থুজিন্না হোংলি। (১)স্বদেশী অনী-মরিদ' তম্বিবগী থুদোংচাবা ফংত্রবদি, জেলর ওইনা পোকপা জন্ম মসি অবেস্থা ওইরে।

মোবারোক আলীগী মপূক্রাংনা পাগ্নহুমক ওইবে। কলকাতাগী জেল অমদগী থডহৌদনা নোংমা মমাং ১২পা "স্বদেশী" অমসুং "স্বদেশিনী" খরা থারক্লে। মফম অহুগী মুংশিং অহু মংগায়সিনা অমুপকী মতিক শাহল্লে, মখোয়সিবু অইংবা জিলা খাৱাচ তৌবঃ নওনা সরকারগী অতোপ্পা উপায় লৈরে।

স্বদেশিনীশিং লাম্বিবা অহুগী মচংদা শ্রীমতী তপতী দাস কৌবা ওপা অমা য়াওরম্মী। আমদানী কেতাব (ফাটক জেলদা পুলিশককপা হৈনবা লাইব্রিক) তা মাগী মমাং লৈফম হৈব মকমহুদঃ জেলার সাহেবনা "দাস" কক্কুনা 'দাসী" হৈশিল্লে। হাসপাতালগী

(১) মরৈপাক মনীংমখা তম্নবা আন্দোলন তৌবা নিপা, মুপীনা "স্বদেশিনী" কৌই।

অনাবা মীশুম্না নৌনা জেলদা লাকপা মীশিংনা টিকেট অমমম কংই, টিকেট অমুগী মথক্তা মমীং অমস্সুং ব্রাবম' অতৈ অতৈ ই অমসুং মাহু আমদানী কেতাবতগী শিন্দোকপনি। শ্রীমতি দাসগী মথুত্তা মতম চানা "দাসী" মার্কা থাবা টিকেট য়ৌখ্রে। অদুগা লোযননা মুপীগী ফাটকশঙদা (1) আগ্নেয়গিরি কং ফাওদোরক্লে। মতুংগী মুমিত্তা মনাই মশলগা লোযননা (2) সুপার লাকপা উবদা ওথোরকপা হৌবে। চন্দ্রনা লংখিবা পেং অমুগী মমুংদা মৈদি খরদা ময়াওই, লৈখোমনা অয়াম্বনি। ঐথোয় মথোল থোক্তুনা কোক নোম্বরম্মী। দোয় অমা উবদা মিঙ্গার বাযনা মোবাবোক অলিদ য়েংদুনা হংলকই, করি তৌরবগে?

জেলর সাহেবনা উশিত্তবগা লোয়ননা হায়রকই, করিস্সু নত্তে স্যর। ওয়ারেণ্ট অমদা ঐমার খরদং লাল্লম্মী। ঐনা কবেক্ত তৌজরে

— ঐমার লানবা হায়বদি করম্বা মওঙনো?

জেলর সাহেবনা ঐডোনলোমদা খোয়না য়েংদুনা হায়রকই, বিঃ এঃ, এমঃ এঃ পাস তৌদ্রবস্সু অঙাঙ ওইরিঙৈদা বাঙ্গালা ব্যাকরণতু নাথীনা তম্লকই। ঐনা খঙজবদা "দাস" শব্দসি পুংলিঙ্গনি, স্ত্রীলিঙ্গদা "দাসী" নি। "স্বদেশী" তৌবা তারবাদ লিঙ্গগী খেন্নবা থাদোক্লে হায়বা ঐ খঙলমদে।

সুপার সাহেব মাইকৈ অতোপ্পদা মমায় লৈথোকখরে। বন্দিনীশিংগী মরক্তা চহী খরা য়াম্বা মুপী অমনী বা ডাডদনা চংখ্রে। মিস্ দাসনা হাঙ্গার ষ্ট্রাইকী নোটিশ পীরে।

মমৈদা সরকার পক্ষন মায়থীরে। অরূপ চাউবা য়াম্না জ্ঞান

---

(1) Vulcano, (2) Superintendent.

লৈবা জেলগী ব্যাকরণ লুনা থেংবগী মর্য্যাদা ফাকপিদবে। শ্রীমতী অমুক হল্লা "দাসী" দগী "দাস" দা মশক ওন্থোকপা ফংলে।

রেলযাত্রীগুম্না জেলযাত্রীশিংসু শ্রেণী অহুম থোকনা খায়দোকই— অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা। অদুবু রেল যাত্রীদি মশানা রেলগী কা খল্দুনা লৌজে, জেলগী ক্লাসদি দণ্ডি তৌরিবা বিচাবগতিনা পী। "স্বদেশী" মহিলাশিংগীদি অহানবা শ্রেণীগী টিকেটনি। মরমদি—খরনা সামাজিক, খরনা রাজনৈতিক অমসুং অয়াম্বা শরুক্তি রোমান্টিক ওইরমানে খল্লি। করিননো হায়বদু টিকেট পীবা হাকিম নিপানি। মখোয়গী শ্রেণীসি অহানবদা নত্তে, দণ্ডিসু থবক শুদবনি। মরম অদুনা চানবা পোৎ অমসুং ভোগ তৌনবা পোৎ অতৈ অতৈ লীকপা তৌদনা পুনশিনবনি। অদুবু পোৎচঙ অদুতনা ভোগ তৌবগী অমতা ওইবা উপদান হায়বদি থবক পাংথোক্লবা পোৎ ওইবা য়াদে। মাদুবু ভোগ তৌবগী মতিক চাবা ওইহনগে হায়রবদি মীগী মথূৎ চঙই। অদুগুম্বা মীগী অরাৎপা লৈতে জেলখানাদা। প্রথম শ্রেণীগী মী থরদংদগী দমক মশীং লাকপা ভমদবা তৃতীয় শ্রেণীগী মী মপাঙ্গল থাংদোকই—সমাজদা, সাম্রাজ্যদা, অ্যারিষ্টটলগী "সিটি ষ্টেট" তগী হৌদুনা য়াম্না নৌবা হৌজিক কালগী "পিউপল্‌স ডেমোক্রেসি" ফাওবদা নিয়ম অসি চত্তুনা লাক্লি। জেল শাসনগী থবক্তা মাদুগী ওম্না তৈনবা করিগীনো ওইগদবা? মরম অদুনা প্রথম শ্রেণীগী কয়েদীগী সেবা তৌবদা তৃতীয় শ্রেণীগী কয়েদী থন্য ওই। 'সারভেন্ট' হায়রগা মখোয়না নত্রগা মখোয়গী অফবা নীংবা মীশিংনা শাউই, অদুনা কেত্তাবতা

মখোয়গী মমীং অ্যাটেনড্যোনট কৌই। জেলগী তোপ তোপ্পা অর্থ খঙনবা মমী'দা মখোয়বু 'ফালতু' (অহেনবা) কৌই!

বয়স নহা ওইরিবী চাংমী নুপী অমা "স্বদেশিনী" শিংগী ফালতুগী থবক তৌবম্মী খংহৌদনা নোংমা শ্রীমতী ব্যানার্জি অমসুং শ্রীমতী লাহানা নুপী অসি পামদে কন্না হায়রে।

ঐনা হায়বম্মী, করিনোনো ?

—মাতুগী মরমতু হায়বা ত'বনি হায়না ঐখোয়না খন্দে

ঐনা নোংল্লকা হায়বম্মী, মাতুদি শোয়দবনি। নখোয়না তাক-পীরে, অদুনা ওক্লে। নুপীসি থবক নীংথীনা তৌদবরা অসিদনি ঐনা খঙনীংবা ?

মিস লাহানা চাউথোকপা ভঙ্গী অমা উত্তরনা হায়রকই. ঐখোয়না হায়খিবা অদুদগী হেনবা অতে করিসু হায়নীংদে।

অসিগী মতুংদা রা মখা তাবা যাদ্রে। সেব, তৌবা নুপী অমা হোংলে।

মতুংগী নুমিৎকী নুংখিলদা স্বদেশী ওয়ার্ডগী চিঠি পুস্না ডাকঘরদা ঐনা পাক্তনা য়েংলম্মী, জেলগী লোন্দ মাতুবু সেন্সর কৌই। মতম থাদ-ত্রিউদা অদুদা ঐ চাকরি তৌবা কুইদ্রি, পুক্নীংদসু জ্ঞান য়াম্না লৈত্রি। মীগী চিঠি পাবা হায়বা থবক অসি ফজদবনি অমসুং লমচৎ ফজ-দবনি হায়না খল্লম্মী। "স্বদেশী" মহিলাশিং লাকপা নুমিত্তগী অমসুং মখোয়গী অখোয়বা খুৎইগী অশাংবা চিঠি খুত্তা যৌবকপদগী ঐনা খঙবা ওম্লম্মী, ঐনা য়াম্না হঙ্গোইরবসু মখোয়দি করিসু হঙ্গোইদে। মরম অসিনা ঐগী পুক্নীং শোনবগী ভাব অদু কোকখিবদা নুমিৎ কুইনা চঙখিদে।

মিসেস চ্যাটার্জিনা ইবা থাখ্রবা চিঠি অমা হাংদোক্লে। মাগী কনাগুম্বা মরূপ অমগী মতমদা পরেং কুংনা চবা চেনা মভা। চীংমী নুপীতুগী য়া পনবত্র উবদা ঐ হৌবদগী খঙনীংবা পোক্লে। ভূমিকা (য়াকৌদোক) গী মতুংদা মিসেস চ্যাটার্জিনা ইবম্মী, মসি ঐখোয় অচৌবা থবক অমা তৌবে। নেপালী নুপী—কয়েদী অমা ঐখোয়গী থবক থনা তৌরম্মী। নুপীচ যাম্না লক্ষ্মী চেনবানি, হৌজিক, তপই অমসুং থাজব য়াবনি। থবক থনা তৌবসু যাম্না থুংই। খঙ-হৈদনা ঐখোয়গী নাকোংনা ভারে, মানা জেলদা লৈরিবনসি কবিগুম্বা য়াম্না ময়েক শেংবা কারণ অমগীদমক নরাবুক গেজেন হাংথি হা-বগী দমক্লি। অসিগুম্বা নুপী অমগী তুকচবগী মশক নৈবা মনাক নকপা হায়বসি ঐখোয়গুম্বা লৈরা কমচা? মাবা শানসুং অচুম্বা নীতি পাম্ব মহিলাশিংনা থদোকপা চুংমা মথং অতুনা মখু ভাজ্ঞোকপা ঐখোয়না জিদ (খাপ্প য়াদনা হায়বা) লৈরম্মী। সরকারনা য়ানিংদ্রবসু যাব তারে। মাগী শানদা চংলা হায়না মতমদা মাগী মমীং শংনা নপী তাবত্রে অতুনা নিংই লৈরবা তেংনখ্রবা সেন্টিমেন্টবু লুনা তৌববাদ ঐখোয়গী মথাংদা মানবনি। অনৌবা লাক্লিব নুপী অসিদি কা চবাক্লরু। মবম অদনা ঐখোয়গী খুদোং থীবা লৈতে।

অচৌংনো শেংয়বা ঐ নুপীতুগী য়া থগম্মী। মানা মপুরোইববু তু পাজহুনা হাংখ্রে। অদুগা ঐদি কবি তৌখ্রে? ঐগী পুক্নীং, ঐগী চীন, ঐগী নুমিৎ খুদিংগী লমচতগী তারকপা তু অতুনা ঐগী ইপুরোইবা অমসুং মাগী ইমুং মনুংগী মীবু ময়াম কংহন্দরা?

নোংমক্তদা হাংপবা হংলে। কৌরবা, অদুগা লোইদিং অমমম, (১) পল খুদিংগী হাংপবা হাংপা নত্তবরা ? মুপা অদুনা ঐডোন্দগী হেনবা অপবাবা (মনপ লেবা) রা ?

ঐ হথস্তা নাত্ত। ঐগুম্বা হৌভিক কানগী অনৌবা দল, মযুম থাদোক্লবা, নত্রগা নবমদা লৈবরম্ম যুমদা পুন্দুনা থম্বা য়াদবা পূন্ননক অদুগা হাত্তগাসদি অসিনি। ঐখোয় পুন্নমক (২) বিষ-বৃক্ষগী দলনি। মশা মথন্তগা নখা পোনবা, মনাংমথা তম্বা, মষ্যাদা, অদুগা মুপা চাংনবংপগা লৌনগী মতোক থাঙজত্তনা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইমুং মনুং, ইপুরোইবা - ইচানিপা—ইচান্নুপী, ইচেম্বোক—ইচনম্নুপী, ইনাওনিপা হাই, পন্ননক্কী মশাদ ব্রাথস তৌদনা হৈথত্নুনা চংলে। মবন অত্নুনা গ সাব অাস ঐখোয়দদি হ ডাক্কনি। য়ম্না ঐখোয়গী থংনা থগ্না ডমহবে।

ঐ। ইমানু লী শাংলক্কে। ঐগা ইপা অচম্বা কেবানা ওইবম্মী। মা মশা বস্তু হাম্না চম্বনি। বাবানা অফিসদগী লাকপগী মমাঙদনা কুননা থ্রংখাদা চেকশলহল্লম্মী, লাইবা লাউ-খোংবা তৌরোঙ-দরনি পাগী দঙিবান্দা কাখজক্কুনা লেম্লবদা হুমানা মখুংনা মঙ্গাক্কী খ্রডউপ মবা লৌথোকই। ফুবিং ইনকী বাবাগী মখুত্তগী লৌরগা ইমুংদগী ফি লৌখোত্নু না পারম্মী। অদুগা মতুংদ চাংকম অমা কেম্নুগা বাই হৈত্নুনা লেবা লেপাক লৈমায় অহু অমুক হন্না মখুংনা ওত্নুনা বযাদা তরু তকনা তক অনী, এনশাং থরদং বাবাগী মাঙদ থমত্নুন হুমনা হুনাই অমা পাযত্নুনা বাগা মনাক্তা হুমাক হুনত্নুনা যাম্মা। মফম অদুদা ঐখোয চঙবা যারংদে।

(১) ভেনত্রবা নতন, (২) হুগা মচান্নুপী।

অতুন্নদি ওইরগ বাবানা ঐখোয়গী দমক চানবা পোৎ থরদং থাক-পিগে তৌবা উরগা ইমানা য়াম্না শাউরম্মী। ইমানা হায়রম্মী, অতু-দগী থরা লেমহনগদৌরিববা ? নত্তে ঐ রাহু তারোই। অম্মুপ রানা থবক শুক্করগা অসিদা য়ৌনা চাদ্রবদি হকচাংদি করম্না হিংগনি?

ঐনা চাওরক্লবা মতমদা, মপী উন্নতি (progress) গী মহাও ফংলবা মতমদা ঐগী ইমাগী মীনায়গী থবক উরগা ঐগী পূক্নীংদা ইকাইবম্মী। অতুবু ঐগী ইমা মীনায় নত্তে হায়বা রাসি ঐডোন্দগী কনানা হেন্না খঙবগে ? মর্য্যাদা অমসুং ফংফম থোকপা অধিকারগী মরমদা ইমানা কৈদৌডেদস্ব বাবাগা লাল তৌরমদে। অতুন্নদি ওইরগা ইমানা অপাকপা য়ুম অতুগা পূন্নমক্কী মকোক ওইবী মপীনি।

য়ুম্বানবদা অরাং অপা য়াম্না লৈ। অতুগী মথক্তা বাবাদি য়াম্না শাউগনবা মীনি। মরক মবক্তা মাগী মচীন্দগী অয়াকপা রা ইমানা তাবা তারম্মী। অতুব কদৌডেদস্ব ইমানা অমুক্তম্ব খুমখিদে। ইমানা লোক্তুন হায়রম্মী, নিপা হায়বসি কয়াদা য়াম্না খঙবা তায়, অকনবা রা অমা ফাওবা ঐখোয়না খাঙবা ঙম্মোইদব ? করি শুথা মতমদা হায়রম্মা, শাউরগা ঐডোন্দা রা অমনীদং তাহনবিগদরা অতু নিঙনা ঙৈকাইগী মী তাহনগদ্রা ?

মদুগুম্বা মমাগী মচাণ্ডপানি ঐদি। ঐগী অমসুং ঐগুম্বা হৌজিক বালগী মপাগী মর মপুরোইবনা রানা থবক শুহুনা হকচাঙ চোক-দনা আহিংসদগী হন্নকপা মতমদা ঐখোয় ভ্রয়িংরুম, হিপ্পবা কা নত্রেগা মপানগী করিগুম্বা মফমদা লৈ। খঙহৌদনা সেলাই (মোজা লোনবা) তৌই নত্রেগা লাইরিক কয় পায়। ইপুরোইবগী মনাক্তা লাক্তুন লেপ্লুরবাদ ঐসি অতোনবা হুম্বা ওইগনি, অদুনা মনাক্তা

লাক্লগনি ঐথোয়গীস্থু তোঙানবা জগৎ অমা লৈ হায়বা ঐখোয় উৎগ্লিংক্ত। নথোয়দগী ঐথোয়না করিস্থু পীকপ হঙ্গবা নত্তে। অদুবু নিপা হায়বসি কুইরবা মতমদগী হৌনা নিপা ওইদুনা লৈরক্লবনি। হৌজিক কালগী মুপীগী মরা ওইবরস্থু মহাক্তি মতম কুইনা লেংদনা লৈরক্লবা মরানি। মহাক্লা মগাক্লী মতুংগী মফমদগী সেবা, যত্ন অদু-দগীস্থু হেন্না মাঙোন্দা চঙজবা পাম্মা। মানা পাম্বদু ফংদ্রবদা মাগী মপুক্লীং অদু হু ঙাক্তা ওইরকই। সভ্যতা (লৈপাকনচা তাবা) গী অনেঙবা শৃংনানবা কুয়োম অদু থিনগায়দুনা মরক ময়েক্তা হূহুগী মমেক শেংদব খোঙ্গেল খোরকই। অদুবু ঐথোয়না করিমতা খাঙবা ঙমদে, কনাবুস্থু য়াবা তৌদে। মর্য্যাদাগী সঙ্গান চাংদুনা শাঙনা লেপং। নতম অদুদা য়েবা, হন্দুনা য়েরকপা, খোয়না ঙাঙবা য়াঙাং, ফাংগী য়াঙাঙ, অদুগা কবি মশেল খংনবগী অয়াকপা য়া য়াম্না ঙাংনে। সভ্য (লেবাক মচা তাবা) নিপা গুপীনা ছুার লংনবদু মখৃংনা নত্তে, লৈয়েঙ মতোম্মান। অদুবু ময়া থোবদা মাহু শা হাংতুনা থোনবা মাগী খাঙদগী হেল্লি।

ঐথোয়গী য়াম্না নৌরিবা হৌজিক কালগী ইঙ্গ—বঙ্গ (ইংরেজী —বেঙ্গলী) সনাঙদ নিপ গুপা নত্তে মংাঙজাং অম লৈ, মথোয়হ ছুরিনা থিমদে। অদুগু লাউথোংদুনা য়েনবা মাঙনবা তোনদে হায়-দুনা মথোমগী মথয়াঙদ অশেংবা প্রেম য়াম্না কৈনৈ হায়না লাম্না খঙলস্থু। মফম অদুদা মগ্না হায়বা নিপাদুগী অমতা ওইবা চঙজলম হায়বসি—অভিনয় (acting in a drama) নি। মাগী মমায়দা বিলাতি (বিলাতবী) মাময়থুম, লৈয়েংদা মমল হাংবা বিলিতি অথুপা ঙেবা। শাশিন্নবা মীনোক (artificial smile) নোকুনা

ভদ্রতা (লৈবাকমচা তাব) গী ঱াঙাঙনা মাগী নিপা থমোয়গী অশাঙবা মৈহু কুপশিন্দুনা থম্মী। মুমং থুদিংগী মানা মাগী মুপীদগী ফংবা থোওইদবা উশিত্তবা অমসুং অপাম্ব উত্তবা, মাগী অকনবা মমায় ঊবদা য়াম্না শাউনিংবা পোকপা, অদুগুম্বা মুপী অদুগী মরেংবান্দা মখুং থমদুনা মন্না অদুন লুনা তৌই, মুমিং থুদীংগী অনৌবা জুয়েলারি অথেমপোং পী। মাগী মশক মতৌ তরং তরংবা, ফীজেং লৈতেংবগী ফজবা মঙাল অরংবগী মরমদা গিল্টি তৌবা (হায়শিন্নবা) গুণ থাগৎপগী ঱াঙাঙ তৌরমদুন ক্লাবতা চৎতুনা মুংশা মগী শাংনা হোল্লি। ঐখোয়গী ভ্যানিটিগী জ্ঞান অদু অপেনবা ফংলে। অদুবু পূর্ণাংদ ! পূর্ণাংদি চন্না হেন্দুনা লৈহৌরে।

নখোয়গী নমীত্তা ঐ অসি য়াম্না চাউথ্রবা দেশপ্রেমী (লৈবাক্কী লমজাংবী মকোক ওইবী মুপী অমনি। ঐগী নত্তাদা মৈ হোৎ। খুবাক খুবদা কনমনখিদুনা horizon (লৈতিয়াফম— পৃথিবীগা অতিয়াগা শন্নবা মফম) নাকই। অদুবু সভা লোইরবদা খুম হনবা কান্দা ঐগী ভক্তিশিংনা ডাড়নবা নৈনবা বিস্তহু নঙে হরব্রা ? মাদু ঐগী শক, ঐনা লেপ্প, চৎপা নত্রগা ভাষন পাবগী ভঙ্গি (মওং)। ঐগী ইমুং মঙ্গংগী ইতিহাস খঙবা মীনা শিজিন্নবা লোল অদু ঐ নত্তোন্দা হায়বরোই। করিনানো হায়রবু নঙ অসি ঐগী অঙাঙ ওইরিঙৈদগী মরূপ ওচৎরবসু য়ুম্নানব মুপীনি। অসিনা ঐগী মর্য্যাদা হায়বদো! — মাহু পাম্বদগী য়ুমদা পুন্দুনা থম্বা থোবী খদৎতুনা দেশগা থবক্তা কুমথখিবদো !

ঙসি থেংথ্রবা অহীং অসিদা চীংনিংথৌ হিমালয়গী মখোঙদা ফমদুনা নঙনা নহাক্ল হায়খিবা ঱াহু লোয়ুপ লৌকোই য়াঙদনা ঐ

য়ারে। মুপীগী করিগুম্বা গৌরব (অচৌবা মংঙ) লৈবা থোক্লবদি মাতু মাগী প্রেমনি। অদুগুম্বা অমৃতলোক (অশিবা লৈতবা লম) অদুদগী ইশাগী ইচ্ছানা জিলা থারীচ তৌজরে। ঐনা ঈহূম শারম্বা উশা অতুগী মরূদা ঐগী ইশাগী ইখুংনা মুংশিবা খণ্ডনা য়ৈবা। —

মণ্ডং অসিগুম্বা অতৈ য়ামখ্রবা পূক্নীং থোয়রাঙবা, মুংশামপী হোনবা লাম্থোক্লগা মমৈদা শাংখ্রবা চিঠিগী অরোয়বা মফম য়োরে। মিসেস চ্যাটার্জিনা হায়রি :—

মপুরোই-থরায-লুপখ্রবা ওায়না নোংমা ঐনা নঙবু থৌওই-উশিংত্তবগী মীৎয়েংনা য়েংলম্মী। ঐনা য়াম্না চাউথোকখিবদো নঙ ঙসি ঐবু ক্ষমা তৌবিয়ু, মিনতি। নঙগী নচাম্নুপী অমতনি। মাম্নু নঙগুম্বা ওইনবা ঐনা আশীর্ব্বাদ তৌরি। দেশনা থুরুম্নবা মাগী মাসীমা (মমাগা পোকমিন্নবা মচে নত্রগা মনাও মুপী) গুম্ন দেশগী থবক্তী নেশানা মাবু শোকপা ঙমদবা ওইসন্নু। চাউরক শাংলক্লগা নখোয়না নীথীনা য়েংম্ননা অফবা ইমুংগী বর থিহুন নচাম্নুপী থাজো। মযুমদা চৎখিঙনা মাগী পুম্নাসিমা লং অমতনা পুনখ্রগদবা ওইবা নিপা অদুগী মখুঙ ব্রাখল তৌদনা শিন্নবা ঙম্নবা তৌ।

হৌজিক কালগী মুপী কন্না ওইরবী, য়াম্না ৱাংবা রাজনীতিদা মমীং চৎপী, লাইব্রেরিক য়াম্না হৈবী ভদ্রমহিলা অমগী মচৌন্দা অসিগুম্বা থায়নগী অরাবা মত অসি নংগী ননাকোংদা ঙসি ঙক্না তাগনি। অদু ওইরবসু ঐনা হায়রি, মুপী ওইবগী জীবন্দ মুংঙাইবা হায়বদু করিগুম্বা মফমদ লৈরব দ মফম অদু য়োনা চৎনবা মাসিনা রাজপথ (সনা লম্বেল অপাকপা) নি। লম্বী অসিদগী থৈদোক্নুনা লেপ্পবা,

গর্ব্ব তৌদুনা মকোক হাইগংপা, মথু খুদোলবী থাঙ্গংগ। মুপী অদো মানা যেসা পোৎ অতৈ থংলনমু ফংলরোই মুংাইবা— ফংলবোই সম্মান (ইকাই খুম্নবা)।...

চিঠিসি পাবা লোইরবা মতুংদা ঐনা থম্মী, ঐ মন্ত মডগি। মিসেস চ্যাটার্জি হায়বসি কনানো? মহাক্কী মৈহোৎনা চাৎপা ৎ তা (রা ডাক্তবা) গী অকনবা মুংশিভা লেনশাদুনা নীংথীনা নৈংঙনা ইমুং কয়া কায়খ্রবা অঙুপ্বা নীহারিকা চ্যাটার্জি হায়বদু মহাক নসিবা? লাইরিক্কী পোৎলুম লাপ্না লংথোক্লমদুনা নৈশাবনী দল থোরক্রে, য়ুম্থানবা মুপীগী মলপোপু থাদরমদুনা মচা য়ামনা পোকপী মীয়ায় চুল্লবী মুপী চেন্থরক্রে। খদ্দর ফীগী পোৎলুম মরেং বান্দা থোনগংতুনা লম্বী লম্বীদা পোৎ হাদুনা চৎলি, য়ু গঞ্জাগী দোকান্দা পিকেটিং তৌরি, অৎগী মতুংদা জেলগী পোতদা মীয়াম তিন্নরি। ডসি মাগী মচান্দা করম্বা খোঞ্জেলনো অসিদে? মহাক্কী অচুম্বা মশক করম্বনো কনানা থংগনি?

থৌদোক অসিগী মতুংদা চহী কুম্নিথোই চৌখরে। মুপী-প্রগতি (মথ মথং চাউখংপা— progress) গী মডাল ডসি সাধারণ বাঙ্গালীগী য়ুম খুদীংদা পুংলরে। মুপীগী মচান্দগী থো পা লাউথোংবনা নোংমদোন শরৌ শিনথরে, পুখনিল নিনখরে। অদু মখোয়না ফংগে তানখিবদু কংলবরা? ফংলবরা মুংডাইবা? ফংলবরা সম্মান? অদু নত্তনা, ডসিসু মখোয়না নীহারীকা চ্যাটার্জিগী মতৌ শুম অহীং নোংশোয়রবা তুমদনা অচীকপা অমম্বদা ফমদুনা অরাবগী রাবী কনাগুম্বী মপুরোইবা মথরায় লূপখ্রনী থায়নগী মত চৎপী মরূপ অমদা লামায় অমগী মতুংদা লামায় অমা চিঠি ইরিবরা?

[মাপল]

দুর্জয়লিঙ্গ (দার্জিলিং) গী লৈবাক্তা ঋতুরাজ বসন্ত লাক্লদোরে হায়বা য়াম্না ঈংবনা ভূমিকা (য়্রাহৌদোক) ওইতুনা খণ্ডহল্লি। চহী চুপ্পা মহাক্না (অঈংবনা) কনানস্সু থুগায়বা ঙমদবা শক্তি পায়তুনা লৈ। মরক্তা মতম থরদং বর্ষা ঋতুনা য়াম্না মথংম মরাং হৌনা মাগী তৌবা ঙম্বা শক্তি উত্তুনা লৈ। ঋতুচক্র (চহী খুদীংগী চক্রগী মতৌ-ওম লৈতুনা লৈবা) গী অতৈ লেমহৌবা শিল্পী (খূৎশা হৈব) শিংনা থিংেটাবগী উইংস মনাক্তা লেপ্পুনা অমুমুক্কং মুনা য়েংলম্নগা চৎখি। ম্যান, বার্চহীল অমস্নুং বোটানিক্যাল গার্ডনগী বেঞ্চিশিংদু খণ্ডহৌদনা শকচু ফজবগী অরণ্ডব ,ফীজেৎ ফীরোলগী বৈভবনা (চাউখৎপনা) ১স্নুং নোক-খেবা- য়্রারী য়্রাতায় শাবগী বীণাগী ঝন্ ঝন্ লাউবা শব্দনা থল্লা লৈরকপা উরগা সার্জ্জ, ফ্লানেল অমস্নুং উলেন টুপিগী রামফক ফুরিং থিনগায়তুনা মথোয় (লেমহৌরিবা ধাতুশিং) না মতম থবদং থো-রকপদু খণ্ডবা ঙম্মি। দোকান খুদীংদা হৌজিক্তা নৌনা লৈতেং তৌবা লম্লোনপোৎ ময়াম ; হোটেল খুদীংদা য়াহৌরকপদ ঙাঙরিদা মণব্রায় পানবশিংনা তথক তণকপা। দার্জিলিং বাঙ্গালাদেশগী স্বাস্থ্যনিবাস (হকচাঙ ফনবা লৈফম) নত্রা। অদুবু মী পুন্নমক্তগী হেন্না হকচাঙ ফনবা হোৎনবা দরকার ওইবা মীশিং লৈবাক অসিগী সীমানা করিগুম্বা মফম অমতদা উবা ফংদে। স্বাস্থ্যভাণ্ডার (হকচাং ফবগী গুদাম) থন্না লৈবা মীশিং ময়াম লাকুনা লৈরে।

কুম্ভকর্ণগী তুম্বা কায়বগুম্না দার্জিলিংস্নু চহী অমগী মম্নুংদা অনীরক তুম্বদগী হোগৎলকই। ইমুংদা—মপান্দা মুংঙাইবগী ধুমধাম

তৌই, চাবা থকপা, হৎাউ তয়াম্বা—পাপ কর্ম্ম, পাটি তৌত্তনা মীয়াম তিরৈ। অত্তগী মতুংদা কুস্তুৎ অমুক হন্না তুমপি। মংম খজিক্ক তিরৈ। অত্তগী মতুংদা কুম্ভক অমুক হন্না তুমপি। মংম খজিক্ক সুংঙাইবা মতাংগী ঈথক অত্তনা ঐখোয়গী পূক্নীং মুপিং নীনীদ মচু সুংঙাইবা মতাংগী ঈথক অত্তনা ঐখোয়গী পূক্নীং মুপিং নীনীদ মচু শঙলম্মী। মুমিৎ নীনাগী দমক ঐখোয়মু জীবন (পুন্সি) গী মুং-শঙলম্মী। মুমিৎ নীনাগী দমক ঐখোয়মু জীবন (পুন্সি) গী মুং-ভাইবনা শোকপত্ত থডই, ইটালিয়াল চেষ্টার, ফার—কোটনচিংবা ফিযাম শেং-চায়, মরম ইচা চাদনা নোকই, কা হেন্না হরাউ তয়াম্মী অমত্তুং অর্থ য়াওদবা ভাবনা থনবা লোল লোল্লি।

মরম অত্তনা মুংথিলগী আফিসগী থবক শুপডিন্না লোইশোক-লমহুনা ঐ থরা ভেন্না যুমদা হল্লক্মী। 'সিজন' (শাদবা মুংঙাইবা মতম) হৌরে। দাজিলিংগী লম্বীদা চৌদেন্দ মীং শুমহৎনা চিংলিনবা। যুমদা চত্তুনা চা কপ অমত থুনা থক্লে অত্তগী মতুংদা কেংযবা থোরক্লে।

ঐনা চংলিবা লম্বীসি সুপারিন্টেণ্ডেন্টগী যুম মনাক্তান। গেটনা মনাক্তা রেলিং পায়হনা মিসেস রায় লেপ্পুনা লৈরম্মী। মাগী মক-শিল্লবা মমায় অত্তু চিন্না তৌমন্দুনা রারবা মাল্লি। মমীং হল্লাক্সগী মীংয়েং অত্তু সংসারগী রিবযদা অপাখা লৈতবা মতৌ মাল্লি এবু উবদা থজিক্কং নোংক হোংনহুনা হাযরকই, চৌধুরানি। নত্তবু উদলা কুইরে। মুংঙাইন লৈব্রিত্রা?

—আজ্ঞে, মুংঙাইনা লৈজরি। নহাক্কী নায়থেংসি য়ামনা মকশিন্না উই। শক-য়েকপা তৌদবরা?

— তৌদে, ঐদি মুংঙাইনা লৈরি। লাউনা ৎ নেষ্টাব রায় য়ুমদা লৈ। অহু নত্তবা ঐখোয়গী অতিথি থরপ্পু লাক্কুনা মুমিৎ কয়ানি-মুকসি লৈরি।

মিষ্টার রায়গা তিন্না-খোংনবা নত্রগা মাগী অতিথিশিংগা ফম-মিল্লব। করিমতা ঐ পাল্লমদে। অদুবু মিসেসনা কৌরবনিনা ঐ চঙব তারে। মহাক্কা ঐবু ড্রয়িংরুমদা পুশিল্লে। মিষ্টার রায়না খোঞ্জেল বাংনা হরাও হরাও কৌরম্মী অমসুং য়ুমদা লাকপা মাশিংগা নিয়ম চুম্না শক খঙনহল্লে। দোষ য়াওদবা চপ চাবা সাহেবী পোষাক শেংপা ভদ্রলোক অমগা যতন তৌনা ফীজেৎ লৈজেংবী মহিলা অনীগনি। মিষ্টার রায়গী মনাওনিপা নিকোলাস রায়, মনাওনিপাগী মঙ্ অচলা, মচনমুপী মাগীবেট। অসি নত্তবা কা অদুগী কাচিন অমদা লুঙ্গি শেংপা মকোয় চোম্বা অহল অমা লেপ্লুনা লৈরম্মী— ঐখোয়গী রুটিওয়ালা গুঞ্জা হোসেন। মাগা রা ডাওনরম্মী। চেনা চেংবা ডবলরুটি অমা টেবিল মথক্তা লৈবত্থ উরম্মী।

মিষ্টার রায়না ঐঙোন্দা য়েংদুনা হায়রকই, নঙ কদায়দগী তল লৌবগে চৌধুরী?

এনা থুমথ্রিৎদা গুঞ্জা হোসেন্না হায়রকই. আজ্ঞে, সাহেব খাস ঐগী দোকান্দগী রুটি লৌই। নিপানগী হিসাবতা লৌই। হংবিয়ু।

রায়না হায়রকই, অদু ওইরবস্থ ঐগী দমক নঙনা খুদোংচাবা ওবদং পীগা চুম্মী। খন্দুনা য়েংউ, ঐ মফম অসিগী সিনিয়র হাকিম্নি, হায়বগী অর্থদি ডি,-সি, লৈত্রবদি ঐনা ডি,-সি, নি। অদুদা নত্তনা ঐ জেলখানাগী বড়সাহেবনি, সিভিল কোর্টকী সাব-জজ অমসুং ডিষ্ট্রিক্ট রেজিষ্ট্রি মনি। অরাবা তারকপা মামলা-মোকদ্দম থোক্লকপা মতমদা ঐ নঙনা। নঙগী গতি লৈতে।

গুপ্পা হোসেন্না মখূৎ লোন্নহুনা হায়রকই, ফরে, হুজুরনা অহুপ য়াম্না হায়বিরবদি মাপল হিসাবতা লৌবিয়্ন।

অসি হায়রগা মহাক চংকে তোরে। মিষ্টার রায়না 'হায়রকই, ভাইখো। বা অমা লৈরি। লূপা অমগী মাপল ওইরবদি অমমমদা কয়া তারে ?

রুটিওয়ালানা প্রশ্ন অসিগী মরম খঙদহুনা হায়রকই, আজ্ঞা, হুজুরদি চোইনা য়োনবগী দরদা লৌবিরোই।

—অহু ওইরবস্নু ?

গুপ্পা হোসেন্না হিসাব তৌবগা হায়রকই, অমমমদা পায়সা তরেৎ থোকই।

রায়না পেল্লহুনা হায়রকই, পয়সা তরেৎ। ফরে। হিসাব অহুদা রুটি মাপনগী মমল পয়সা ৬০ নি। নঙনা লূপা অমা হায়-রবদি পয়সা ৬৪ লৌগদৌরি। মাহুগী অর্থদি লূপা অমমমদা পয়সা অমমম হেম্না লৌগদৌরি। চুমব্রা ?

মার্গারেটনা মুংশাস্বর শাংনা চোন্দুনা হায়রকই,' উঃ নঙগী হিসাবনা চাকুনা ঐ কোক চীক্লে বাপু। অচুম্বা হায়রিবনি হ্যারল্ড ম্যাজিষ্ট্রেট ওইদহুনা মুদী (চেং হরাহনচিংবা অচাথক য়োনবা দো-কান্দার) ওইরম্নবদি নঙ য়াম্না হেম্না চাউথৎলমগনি।

মচন লুপীনা ভাঙবা য়াহু রায়না থোওইনা তাক্রে। রুটিওয়ালাদা হংখিবা প্রশ্ন অহুগী মথক্তা অমুক হন্না কনশিন্না হায়রকই, হায়স্নু ঐনা হায়রিবসি অচুম্বা নত্রা ? লূপা অমমমদা ঐনা পয়সা অমমম ফংকম থোক্লে।

রুটিওয়ালাগী মমায় য়েংবদা মা শাউরে হায়বা খল্লে। শুক-থত্নুা হায়রকই, ফরে। পয়সা অমমমত্নু ঐনা হন্দুনা পীজগনি।

রায়না নোক্কুনা হায়রকই, নত্তে নত্তে। হন্দুনা পীগদবা নত্তে। মাত্নু ঐগী হিসাবতা জমা তৌত্নুা (পুনশিন্দুনা) লৈগদবনি। লুপা তরেৎকী রুটি (তল) লৈরবা কান্দা তল অমা ঐনা হেয়া ফংগদবনি। অসুম তৌত্নুা লুপা তরেৎ খুদীংগী অহেনবা তল অমা। ব্যস্! হৌজিক্তি খঙলেদনা?

গুঞ্জা হোসেন্না করি করি খঙলবগে হায়বা মহাক মশাতনা খঙলমগনি। অত্নুন্দি ওইরগা মহাক রায়না হায়বা রাত্নু য়ারে অমসুং য়ান্না খুদোংথীবা অমদগী কনবিবা ফংলবা মতাগুম মহাক চংখ্রে।

মানা হেক চংখিবগা মিষ্টার রায়না লাউথোংত্নুা হায়রকই, ইশে, রুটি অসিদি পুখিদরে। চাপরাশি কৌত্নুা মিনিট কয়ামুক্তী মতুংদা রুটিওয়ালাবু ফাত্নুা পুরক্লে।

রায়না হায়রকই, নঙদি তল অসি হুন্দোক্লেয়ে মিঞা সাহেব।

— আজ্ঞে, মাত্নুদি হুজুরদা পীজবা স্যাম্পুল (sample) নি।

— ফরে,মাত্নুগী মমলন্থ হিসাব তৌনখিবা অহুগী মতুংদা চৎসনু। হায়বাদি পয়সা তরেৎকী হিসাবতো।

গুঞ্জা হোসেন্না মথৌ পোঙনা নোক্কুনা হায়রকই, স্যাম্পুলগী মমল লৌজবোট হুজুর।

মিষ্টর রায়গী মমায়দা পেনবগী মখুঙ উব ফ। রুটিত্নু য়েং-ত্নুা রাখল ডাইহাক্তং তৌরম্মী। অহুগী মতুংদা হায়রকই, মাসদগী ঐ রারা অমা নীংশীংলক্লে।

ঘড়ি য়েংলগা মহাক্না হায়রকই ঙারীছু তাগের নত্রগা হন্না চাবা চৎলগেরা ?

নিকোলাসনা হায়রকই, অনীমক তৌগনি। অবস্থা মওঙ অসিগী খুদোংজাবা পূম্নমক লৌগনি। নহাক্কী আপত্তি (য়ানিংদবা) লৈব্রা ? মিষ্টার চৌধুরী ?

ঐনা খুম্লম্মী, ঐগী আপত্তি করিমতা লৈতে। অবস্থা অসিগী খুদোং চাবা পূম্নমক লৌরবা মতুংদা অতৈ থরম্নু লৈরবদি মাহুদস্থু ঐগী আপত্তি লৈতে।

নঙদি করি পাম্মী অচলা ? মহাক্কী মনাও ম্নপী য়েংহুনা মিষ্টার রায়না হংলম্মী।

অচলানা অনেম্বা খোঞ্জেলনা হায়র্রকই, ঙারী তাবা ফংগদবা লৈরবদি হন্না চাবা তোকপা তারবস্ন ঐ য়াজৈ।

মার্গারেটনা মাগী ঙাগা লোয়ননা হায়রকই, ঐ মাহু য়াদে, বাপু হায়নীংবা ঙাহু থুনা হেক হায়দোরকউ। ঙারীহুগী মন্নুংদ থুমোক অমা থনবা অঙ্ক হাপচিল্লোইদনা ?

রায়না মোমোন নোক্কুনা হায়রকই, হাপলোই, মাসি অঙ্ক নত্তে, মাহুগী মন্নুঙ্ডা হৈনৌ থুমোক অমা, মাহুগা লোয়নম fun মু য়াম্না।

Fun গী মনম তাবদা ঐখোয় পূম্নমক বক্তা (ঙা ডাঙব মী) গী মমায়রোমদা থঙনীংনা য়েংলম্মী। অচলানা চেয়ারহু চিংশিন্দুনা থরা নকশিন্না ফম্নে। মিষ্টার রায় ঙারী লীবা হৌরে—

ঐচাকরি তৌবা হৌবদা ডায়রি ; দ্বারভাঙ্গাদা (1) সেটেলমেণ্ট ট্রেনিং চৎপা তাম্নম্মী। লৌবুক ময়ায়দা ক্যাম্প লৈরম্মী। ক্যাম্প

(1) Survey and Settlement.

অহুগী য়ূম খরনা আফিসনি, য়ূম খরনা লৈফমনি। নোংমা সুংথিলদা ঐ ক্যাম্পদা পোথারম্মী। দ্বারভাঙ্গা মহারাজগী ম্যানেজার ঐগা উনবা লাক্লম্মী। মাগী মতুংদা নিপা অমা থুমোক অমা মকোক্তা খোংহুনা চঙলকই। ঐনা হংলম্মী, কারনো সদে ?

ভদ্রলোক্না নোল্লুক্না হায়রকই, করি খোইদোকপা নত্তে। মহ-রাজাধিরাজন পীরকপনি। মহাক্না হৈকোন্দা পানবা ল্যাড়ো হৈ-নৌনি।

ঐনা শুকথহুনা হায়রম্মী, মপান্দা পুপোকখ্রো হায়বিয়ু। ঐগী অসিগুম্বা অভ্যাস লৈজদে।

ম্যানেজারনা ওক্লুনা হায়রকই, করম্বা অভ্যাস—

—অসিগুম্বা ঘুষ লৌবগী রা হায়জবনি।

ভদ্রলোক্না মপুক্লীংদা শাউবহু ঐ খঙলে। মহাক্না হায়রকই, আজ্ঞে ঘুষ পীবগী অভ্যাস ঐখোয়গীসু লৈজদে। মহাক লাল্লে। মাসি ঘুষ নত্তে। মাসি রাজবংশগী থায়নদগী চংনরকপা লিরবা নিয়মনি। নিংথৌগী ফম্মাইবশিংগা উনবা লাক্লবদি পোৎ অমতা পুদনা লাকপা হোনদে। মহারাজাধিরাজগী মর্য্যাদা ময়েং তাবনি।

ঐনা ভদ্রভাবত হায়রম্মী, Excuse me, ম্যানেজার বাবু হায়নীংবা হায়বিরবসু অচুম্বদি মাসি ঘুষ জাৎ অমনি। ইংরেজীদা মাসিবু Illegal gratification কৌই। মহারাজাধিরাজবু (১) ধন্যবাদ তৌজরি হায়বিয়ু। মহাক্না পীবিরকপা উপহার (মায়োকথাফম পোৎ) অসি ঐ লৌজবা ঙম্লোই।

---

(১) Thanks.

ঐনা অসিগুম্বা রাঙাড ভাঙগনি হায়বসি ম্যানেজর নীংদমাগে। মতম খরদ' ঐগী মায় য়েংহুনা লৈরে। অদুগী মতুংদা হায়রকই, হায়বিরিবা অসিগী অর্থদি হৈনৌ খরসি লৌবিররোঃ সি-নত্রা ?

— লৌরোই।

— মাহু মহারাজবু কয়া য়াম্না (অপমান) থোওইদনা তৌবনো হায়বা খঙবিরবরা ?

র'সি তাবদা ঐ তৌকম থ'দ্রে। mediaeval যুগকী নি'থৌশিং অসিগী মর্য্যাদাগী জ্ঞান অসি য়াম্না য়াংলগুম্না য়াম্মু কায়-গন্নি। করম্বা মতমদা করম তৌনা মাহু কায়বগে, খঙনবা উপায় লৈতে।

নিকোলাসনা হায়রকই, excuse me, Harold, মখোয়সি mediaeval যুগকী মী ওইরসনু ফরে! অদুবু হৌজিক কালগী সরকারী কম্মাচবা নিপাগী অচুম চুমদগী জ্ঞানসু অদুদগী য়াংনা কায়-গনবা নত্তে। হৈনৌ থুমোক অমগী শুরম্মু পুবা থাঙবা ঙমদ্রবরা ?

মিষ্টার রায় মো'মোন নোকই। মহাক্না হায়রকই, নঙনা হায়-বিবহু লাম্রে। নখোয়না মাগী মরমদা য়া তাবিবা নিপাহু হৌজিক কালগী মী সুপওই ওইবমদে। এওইবমক হৌজিক কালগী মীওই-শিংগী (ঐখো'য় অনীগী মায়দা মমীংনা কোয়েং য়েংলগা) অচুম চুমদ জ্ঞান অসি অহোবা লৈতে হায়বা ঐ য়াম্না নীংথীনা খঙই। মখোয়দগি হৈনৌগী থুম্মোক মপান্দা ডাইহুনা কৈরোই। মখোল থোক্তনা মখোঙ য়াংনা মনুংদা চঙথিবনি।

— মাহুদা চুমদবা করি লৈবগে ? আচ্ছা, নহাক ওইরম্লবদি মিষ্টার চৌধুরী, করি তৌরমগনি ? Honestly হায়বীয়ু।

ঐনা মীৎকী ইঙ্গিতনা bossবু উইন্দুন হায়রম্মী, honestly বা ডাউবগী সাহস ঐ কদাংদ ফংলে ?

মী পুম্নমক পুল্লপ পুম্না নোক্লক্লে। মার্গারেটনা হায়রকই, অদুগী মতুংদা হৈনৌ হাপ্পা থুমোক অদুগী করি গতি ওইরে ?

রায়না হায়রকই. হ্যা। অদুগী মতুংদা ঐনা ম্যানেজারদা হায়রম্মী, ম্যানেজার বাবু, মহারাজাধিরাজগী সন্মান মাঙবা থবক ঐ তৌনিংদে। অদুমদি ওইরগা সরকারগী থবক তৌবা ঐনা হৈনৌ শিংসি লৌবস্ন য়ারোই। তাইশিন্নবা থবক অমতং তৌসি। ঐ হৈনৌশিং অসি লৌবস্নু তৌরোই, হনবস্নু তৌরোই। Neither accept nor reject. মরক অসিদা ঐ head office দা থোদোক পুম্নমকসি ইতুনা পীখিগে। গবর্ণমেন্টগী হুকুম লাকত্রি ফাওবা হৈনৌশিং অসি মফম অসিদা লৈসনু।

ম্যানেজারনা নোকফেং তোৌতুনা হায়রকই, ফরে মাতুমক ওইসনু।

মাগী মমায়গী ভাব উরগা ঐনা থল্লম্মী, ঐগী নোংক্রী থোপ অসি নাদ-য়েঙ্কনা ফনা লৈবগী মরমদা মহাক মপুক্লাংদা চিংনববম্মালে।

নিকোলাসনা খোঞ্জেল নেম্না রায়বু শাউহনবা য়াবা রা ডাঙলম্মী, অদুবু ঐখোয়দি পুক্লাংদা করিমত্তা চিংনরমদে।

—ঐগা নঙগা মত মাম্নৈ, মার্গারেটনা য়াল্লকই, অদুগী মতুংদা হেড অফিসদা চিঠি ইথিবরা ?

রায়না হায়রকই, হ্যাঁ। চিঠি চৎখ্রে। মুমিং তরানিমুকী মতুংদা reminder সু থাখ্রে। অসোমদা হৈনৌগী অবস্থা করি ওইরবগে

হায়বা খঙলরিগনি। নমথিবা মনগ সং-গ ক্যাম্পদা লৈবা য়াম্না লুরে। অদুবু থুমোকতু পুথোকহনখিবসু ঙমদ্রে। ম্যানেজারদা হায়খ্রে neither accept nor reject. His highness The মহারাজাগী মর্য্যাদা at stake। অসিগুম্বা মতমদা জবাব পাক্লে। গভর্ণমেণ্টন হায়বক্লে, সরকারী কর্ম্মচারীশিংনা অসিগুম্বা উপহার লৌবা থিংই। অদুবু অসিগুম্বা মতম অসিদা হায়বদি মীনা ইকাই খুম্নবা মীগী মান-মর্য্যাদা লোকপা মফমদদি লুপা অমা অনী মমল ওইবা পোং লৌবদা অথিংবা লৈতে

ম্যানেজার কৌরুনা ঐনা হংজম্মী, নহাক্কী হৈনৌগী মমল কয়ানো ? মহাক্না হায়রকই, মমল হায়বদু করিনো ? ঐনা নহানসু হায়খ্রে, মাদু ঐখোয়গী বাগানগী হৈনৌনি।

—অদু ওইরবসু, মাতুগী বাজার দর হায়বা অমদি লৈদনা।

ম্যানেজারনা মনাক্তোন ঙাৈনা পুমজিন্দুনা হায়রকই, বাজার দরগ হৌজিক আনা অনী ; হায়রগ থুমোক অদুমগী মমল।

ঐ পেনবগা লোয়ননা নুংশাবর হোল্লম্মী, বেশ ! অদু ওইরবদি মহারাজাধিরাজদা ঐনা নমস্কার তৌরকই খঙহন্দুনা হায়বিয়ু, মহাক্না পীবিরম্পা উপহার হরাউনা লৌজরে।

ঐনা লাকত্রিংঙগী মমাঙদনা মখোয়দি চা থকপা লোইরম্লে। হৌজিক্তি কোয়বা চংপা মতাঙ ওইরে। মখোয় চংকদবগী থোরাঙ তৌরে। মতম অসিদা মিসেস রায় চংলকুনা হায়রকই, চৌধুরী, নঙ চংখিগনু। নঙগী চা পুরক্‌দৌরি। মিষ্টার রায়না হৌগত্তুনা হায়রকই, বেশ অদু ওইরবদি নঙ ফমহৌরো। ঐখোয় অতুক কোক্ত-ক্তখিগে। করি হায়বগে ? ঙোরা য়ুমদা লৈহৌরেদনা।

ঈনা লোল্লক্রা য়াজরে খুঙকল্লম্মী।

মিসেস রায়না মখুংমক্ত চান-থক্নবা পোং পুথনা চঙলক্লে। মাগী মকোয় চোম্বা (১ বয়স্ক মাগী সরঞ্জাম cup plate নচিংবা) পুম্বনা লাকমিন্নবে। মিসেস রায়না হায়রকই, কেকতি লৈত্রে, লোইত্রে। চান করি পোংবা চাগনগে?

ঐনা হায়রম্মী নহাক্না পানিনি পোং অত্তগা চাগনি।

—অদু ওইরবদি নঙগী নরাইবক্তা চাদ থকউ তম্ম লে। ঐনা কেক শারবা কাগদা লাকুন অনাদ চারে। ঐনা পাউ থারক-লবদি লাকদ্র?

ঐনা হায়রম্মী, ঐ শেংবদনা লাকচগনি। পাউ থারকপগী দরকার লৈতে।

মিসেস রায়না চানবা পোং খাম্ম ডিশশিং অদু ঐগী ইমাঙদা থাংজিল্লকই। চীজ, বিস্কুট, পাউরুটি অমসুং মখল য়াম্বা হৈরা। চানবা পোং মরাঙ কায়রে। অদুবু হায়রিবা পোংশিং অসি অমতা মাগী মখুংনা শাব নত্তে হায়দুনা মহুক্না হন্ন কুংডাইতবা উংলম্মী। মাগুগী মরমগী দমক এগী ঘ ডাইকবা কৈবমদে। অহানবা পোং চাবদা ঐনা দেম মৌই নএগা লাশাদ হায়না ঐগী যেরবনা ফাওবা হায়বা ডম্মোই। মিসেস রায়ং এ ডাঙদনা ঐনা চাবা য়েংলম্মী। মমাংদা ওইথাত্রব স্বাধীনা ডাক্তরনবা পেনদী মওড অম মহাকী মমীত্তা হৌবক্লে।

(১) Native Servant in India.

মতম খবগী মতুংদ মহাক্না হায়রকই, হন্দক মরক খক লাক্কবা করিননো হায়য় ? ঐসি বিদেশী (অতোপ্পা লৈবাকী মী) নি অহুনা ঐবু অতোপ্পনি খনব্রা ?

য়াম্না চাউবা (১) মর্তমান কৌবা লফোয় জাৎ অমগী অরোয়বা শরুক অহু করিগুম্ব মশক অমা তৌহনা খোনাউদা য়োৎশিল্লগা ঐনা হায়রম্মী, মুখং কয়ানিমুক্কী মমাঙদা ওইরবদি নহাক্না হৌজিক হায়-থিবা ব্রাতুদা ঐনা আপত্তি তৌরমদবা য়াম্ব। কুচু ভৌবী মহিলা (মুপী) অমবু ঐগী মী নত্তে পূর্কাংদা থনদবা অচুম্বমক ঐডোন্দা অরুবা ওইরমগনি। নহাকপু উবা মতুংদা মীগী পরিচয় (শক খঙনবা) সি দেশ নত্রগা হকচাঙগী উনশাদ ইহুনা লৈতে হায়বা খঙলে, ভসি ব্রা স হায়দা ঐগী চিংনবা লৈতে।

ভাবনা পূর্কি লাঙইনবা (emotional) মতৌ উৎপা পাউ-থুম তারগা মিসেস রায়না থঙহৌদনা হংলকই, নঙগী মপুংফাবা নমীংসি করিনো চৌধুরী ?

— মলয়, মলয় চৌধুরী।

— আচ্ছা চুম্না হায়য়ুদা মলয়, নঙনা হৌজিক হায়খিবা ব্রাহু নঙগী ক্ষচম্বা সাধারণ ওইবা মতমা অহু নওন নশানা য়াম্না থাজবমক্রা ?

ঐনা কম্না হায়রম্মা. ঐনা হায়জখিবা ব্রাসি লোভ্লুপ লোকোই য়াওদনা ঐনা থাজনি, মিসেস রায়।

মহাক ব্রা ভাঙখিদরে। ভাইহাক লৈরগা ঐনা হায়রম্মী, ঐগী

---

(১) মশক য়াম্না ফজবা অমম্বুং য়াম্না থুম্বা লফোয় জাৎ অমা। Martaban খাংবা হৌই।

ইকায়বা নাইদবা চাউথোকপা মওঙ মাপ তৌবিয়ু। নহাকপু উরগা ঐগী ইমাগী রা নীংশীংলকই। অহমদি ওইরগা নহাক্কা মহাক্কা অম্বপ য়াম্না খেন্নে মাহুদি ঐগী রাঙাঙ তারগা মীনা ঐবু ঙাওরে হায়বদা ঐ ঙকপা তৌরোই। ঐগী ইমা মশক ফজরদে, ফীজেৎ লৈতেংবসু হৈতে। লাইরিক করিমত্তা হৈতে। মহাক্কী পূন্সি চুপ্পা অরাপ্পা লরায়দা লেপ্লে। সভ্য সমাজগী চৎনবী, নিয়ম, তরুবা মওঙ মাগী মশাদা অমসুং মপূক্কি দা করিমত্তা লৈতে। অদু ওইরবসু নহাক্কা মহাক্কা, করিনো থঙদ্রে, য়াম্না মাল্লবা অমা লৈ।

মিসেস রায়না মোমোন নোকপহু লেপখ্রে। সুংশাম্বর মপী হোন্দুনা মহাক্কা সংসারগী মায়াদা শপাম্বা লৈতবা খোঞ্জেলনা হায়-রকই, মলয়, নঙগা ঐগা শক খংনবা নহান্দনি। নঙগা ঐগা সম্বন্ধ নকশিন্নবস্থ কুংদ্রিদগী হায়রুরবদি খজিক্তনি। অদুবু নঙনা হৌজিক পীাখবা ঐগী পরিচয় অদুগী মরীক অমতং ঐনা চহি ২৭ য়ূম পান-মিল্লরকপা মীশিংনা উদবরা?

ঐ ঙকখ্রে। খোনা ইচঙথোবা মূর্খগুম্না অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপী সুপী, অসিগী থুপ্পা লৈখ্রবা (1) তার অমদা থঙহৌদনা য়ৈ-রুরে। ঐ চেকশিল্লে। রা অসি থৈদোক্লবা ঐনা হায়রম্মী, ঐ লাক্লুনা নঙাক ঙসি কোয়বা চত্রে।

মিসেস অতোপ্পা রাখল তৌরম্মী। খঙহৌদনা তকিং তফিং হায়রকই, নত্তে নঙ ফমখো, করি হায়বা? কোয়বা চৎপা হায়ব্রা? ঐ কোয়বা চৎপগী রা হায়নবা লৈখিদে।

(1) Wire or string.

থল্লায় রাহুনা ঐনা হায়রম্মী, মথোয় চৎখ্রে নহাকন্থ শোয়দনা চৎলগনি হায়না ঐনা শল্লম্মা। থুংথিল চুপ্পা য়ুমদা নথন্তু নৈগদ্রা?

ইথন্তা! সংসারগী মায়াদা অপাম্বা লৈতবা খোঞ্জেলনা মিসেস বায়না হায়রকই, মলয়, ঐদি মতম কুইনা ইথন্তা লৈরকপনি। I have been alone all my life!

হায়রক্লেং নোক্কুনা মহাক্না অমুক হায়রকই, নঙদি ঐগী ইচা-গুম্বনি। বা পুম্নমক নঙোন্দা হায়বা চুমদে। অচুদা নত্তুনা নঙদি নিপামচানি : বা পুন্নমক নঙ থঙলোই। ঐ অরানবা থবক তৌখ্রে হায়না ঐ ভসি চৌংনবা লৈতনা থঙলে। This marriage was a mistake.

ঐ তু চুংলে। য়াম্মা লায়বা খোঞ্জেলনা কয়াদা লুখ্রবা রা উচ্চারণ তৌখ্রে (ঙাঙখ্রে) মিসেস রায়না? চহী কুনতরেং য়ুম্বানবা পুন্সী লেল্লরগা অসিদি অকিবগী মশক ওইবা করম্বা নৌনা পুথোকপনে? রা অসিগী অপুম্না মবোল থঙবা তম্বা ঐগী বয়স (চহী মতাং) নৈ-রমদে, ঐগী বুদ্ধি অমসুং experience লৈবমদে। অচুবু অসিমদি ঐগী পুক্নীংদা চিনবা লৈতনা থঙলম্মী, ঐনা লৌকিক তাখিব রাহু হুংশিনবদা মনীং থুংদহনা মান (হেমোয়নবা) তৌরবী শাউরবা মুপী অমগী ভাইহাক্কুংগী ওইবা পূক্নীং খোয়রাংবা ভাব নত্তে, মবু,ক-চেন (১) স্থিতধী (মবু,নচে ল লেপ্লবী) ওইরবী, মীয়ায় চল্লবী মুপী অমগী মপুক্নীংদা য়াম্না থুপ্ন ফাওবা ভাবনি।

---

(১) স্থিতধী—রারবা কান্দা খোয়রাংদবা, মু ভাইবা মতমদা অপাম্বা মিহৌবা লৈতবা, মুংভাইব ভোগ তৌগে ইচ্ছা তৌদবা, অকীবা অশাওবা লৈতবা মী অচুবু স্থিত প্রজ্ঞ নত্রগা স্থিতধী কৌই—গীতা ২—৫৬।

ঐ পাউখুম পীদনা লৈরে।

মিসেসনা হান্নগুম্না অতপ্পা খোঙ্জেলনা হায়রকই, ঐবু লাপ্পা থনগম্ব চৌধুরী। ঐগী ইপুরোইবগী মথক্তা ঐ ব্রাকংপা তৌদে। ঐখোয়গী য়ুম্বানবা জীবন্দা ঐনা ফংবা নুংঙাইবা অমস্তুং অথুব্বা অহু নুপী থরদগী মরাইবক্তা থোকই। অহু ওইরবস্তু ঐসি বিদেশীনি। ইমা, ইবুং—ইপুরা, ইচে—ইনাও নুপী, ইনমানা শাবা সংসার অদুদা ঐগী ইফম লৈতে।

ফমুংদা তুমদনা য়ামনা থেংবা অহীং ফাওবা মিসেস ডোরা রায়গী অরাবা খোঙ্জেল অহু ঐগী পুক্নীংদা গুণ গুণ হায়না খোংহুনা লৈরম্মী। বুচ ডোবী মংহল্লা অসিগী মচু য়াম্বা জীবনগী ব্রারী ঐ খঙদে। মাগী মফমদা মী শিবা য়াবা অরানবা ওইরবা মখোয়গী লুহোংবা অহুগী ইতিহাস ঐ খঙদে। অসি মখৈদি ভাবনা শাবা ঙম্মী, চহী ২৭ কী মমাংদা ডোরা রায় অসি মশক ফজবী যুবতী অমা ওইরম্মী। মশাদা লৈশাবী ওইরকপা মতমগী মপুং ফাবা পোংচঙ মমীত্তা নোংশাংগী তথকপা মীৎয়েং, থমোয়দা অকনব' পুক্নীং লাঙবা (emotion)। জীবন—লাংদাইগী মীকুপ অদুদা নোংমা শান্দান-মূর্তি ফজবা, লৌশিং শিংবা পাথং হ্যারল্ড রায়গা মহাক্কা অহানবা মমীং চানখিবা। করম্বা মফমদনো খঙদে। লণ্ডনগী কবিগুম্বা ভগোয় ষ্টেশন নিল্লবা চাবগী সভা অমদা ওইরম্বা য়ায়, হাইড পার্কগী মীচৌকপা উরীগী কুঞ্জ (কৈয়ুম) দা, নত্রগা স্কটল্যাণ্ডগী সমুদ্রনা চুপ্পুনা লৈবা চীংগী মমিদা ওইরম্বা য়ায়। মখোয অনীমক্তী মমীত্তা পাখং-লৈশাবী ওইরকপগী অভাওবা নেশা লৈরম্মী, মাহুগী মায়াদা দেশ, জাতি অমস্তুং সমাজগী লাম্হোকপদা ব্রানা থোকপা লাপ্লবহু তিনশিন-খিহুনা অমতা ওইখ্রে। তপ্পা তপ্পা ময়েক শেংদবা ভাবনা, মকাফোংনা,

ভাওলকপা লোম্না অমসুং ইঙ্গিতনা খমোয়গা খমোয়গা খওনখরে, মীৎকী পি—নোকপনা থনবা, কায়নবা—ঊনবগী কুইরবা মতমদগী চৎনরকপা লম্বীদা অনুরাগ (নুংশিনবা) পোকখ্রে। অদুগী মতুংদা নোংমা মরূপ মপাংবু ভকহন্দুনা "merrily rang the bells, they were wed."

ডোরানা মাহুগী হুমিত্তা য়াম্না থাদোক্লম্মী। পোক্লকম লমদম, মাগী জাতি, সমাজ, মতম কুইনা মশক খওনবা অকোয় (inviron-ment)। অহুবু মী কনাগীসু রা খল্লমদে, অমুক্তা ফাওবা তুংলোমদা য়েংলমদে। য়াম্না থাজনা নিপা অমতগী মখুৎ পায়দুনা ঈথকনা নিল্লবা সাগরগী লম্বীদা চৎখোক্লক্লে, মশক খওদবা দেশ অমা তম্না।

মাইকৈ অদোমদা মিসেস ডোরা রায়বু কনানসু নমথাক তৌখিদে। শাংখ্রবা য়ুম্বানবা জীবন্দা প্রেমনা পুনবদু কোমথোকপা তৌখিদে, রাসি মহাক্না লোথুপ লৌকোই য়াওদনা য়াবনি। অদুদি হুংশাম্বর শাংনা হোনবা করি মরমননো ? ঐ খঙদে। হুপী খমোয়গী মচু য়াম্বা লীলা ঐনা খীদুনা কংদে। কনাগুম্বা হুপী অমনা লেংবা উপন্যাস অমগী রাঙাও অমা নীংশীংলক্লে। "নিপা হুপীগী খমোয়দা অচুম্বা প্রেম তিগনা লৈরিবমখৈ মথোয়গী লুহোংবদু মহৈ য়াম্নি অমসুং অচুম্বা ওই। প্রেমনা হেক শিবা মীকুপ অদুদা লুহোংবনা পুন-বদু খোৱী য়ান্দুনা শিনবা খোৱীনা মথক্তা পুনবা ওইরকই।"—হায়-রম্মী হুপী অমনা। রা অসিগী খোম্বাঙ অদু খোৱী চামদগী তাবা ফংই, খোৱী অদু নোংমা লৈ পরেংনা শোক্লম্মী, মতুংদা খঙহৌদনা তুম্বা কায়খ্রগা উবা ফংলে, "মাহুগী লৈশিং অদু কেনখ্রে, লুহোংবা মতমদা হুপী-নিপাগী মখুৎ পুনবা ডোর (লুং) অদুদি লৈহৌরে"।

ভোর অদু পুন্সী চুপ্পা পুহনা কোয়বগী কান্নদবা অমদি অন্নাবা নমথাক অদু ইতত্তত্তনা উবা ফংই। অদু ওইরবদি প্রশ্ন অমা লৈহৌরে, বিবাহ (লুহোংবা) হায়বনি প্রেমদরা? লুহোংবা জীবনদা প্রেম তা লৌতুনা করম্বা মুসীনা পেনবা লেপ্পবগে? ডোরা রায়দি পেন্দে। মহাক স্বামী-প্রেম (মরানা মুংশিবা) ফংলম্মী, স্বামী গৃহ (মরাগী য়ুম) ফংলমদে। থমোয় লক্সীগী গর্ব্ব (চাউথোকচবা) ফংলম্মী, য়ুমগী লক্সীগী সন্মান (ইকাই খুম্নবা) ফংলমদে। মপুরোইবগী মহাপ মপাংগী ভক্তি ফংলম্মী, অদুবু মহাক্কী মন্নু ওইবা মীশিংগী বিশ্বাস (থাজবা) ফংলমদে। মপুরোইবগী মফমদা মহাক অসি মতম কুইনা ওইরক্লবী প্রিয়সখি [চান্নবী লোয়নবী] নি, মতৃ নত্তে, মন্ত্রীসু নত্তে। মরম অদুনা পুন্সী পুম্নমক্তা অসুপ য়াম্না ফংলগসু মাগী পুক্নীংগী ক্ষুধা (চাক চাম্বা) অদু কোকত্রে। মমৈথংদা নোংমা মাগী চরাম্নবনা ময়াঙ কংলবা মপুক্নীংগী শূন্য ওইরবা মশক অদু অতোপ্পা লৈপাক্তা লৈবা, ধর্ম্ম তিন্নদবা অমসুং জ্ঞান মপুং ফাত্রিবা নহা অমগী মফমদ উহল্লে, মাগী জীবনগী পুম্নমক্তগী হেনবা গোপন (অথুপ্পা) অদু. অদুগা পুম্নমক্তগী হেন্না থমোয় থিনগাইব সত্য [অচুম্বা রা] অদু ফোংদোরক্লে—This marriage was a mistake.

খেঙথ্রবা অহীং ফাওবা অসুম্না ওইবসি করিননো হায়না রাখল তোগে হোৎনরম্মী। ডোরা রায়গী ব্যর্থ [অরেম্বা ফল লৈতবা] ওইবসিগী দায়ী কনানো? মাগী মমা মপুরোইবা—হ্যারল্ড রায়র'? অদুসু করম্না হায়গনি? মহাক্তি মহাক্কী বিদেশীনী মতৃ অসিগী থোং থ্রবা মথুত্তা মহাক্কী হাংদোক্নুনা থম্নবা থমোয় পুম্নমক হাংদোক্লুনা পীরম্মী। মাহুদা লৌকপা তৌরমদে। মফম অদুদা ছল (নমথাক) তৌবা য়াওরমদে। অদুদি?

ঙসি ঐগী পুক্নীংদা থল্লক্লে, হ্যারল্ড রায়গী মায়কৈ অমা ঐগী মীংনা উৎক্রি। মহাক্কী মপূক্নীংদা ফাওদ্রি — মুংশিবা মপুরোইবগী থম্মাংনী মশক ওইবা থমোয় অতু য়াম্না পাম্বা পোৎ ওইরবস্নু, পুন্সী চুপ্পা মাহুবু মথূং অনীনা কোনশিন্দুনা ভাবকী লমদমদা কোয়বগী লাইরবক ফবত্নু কনাগুম্বা নুপী অমতনা পামদে। মহাক্না পাম্বদি পুন্সীগী যজ্ঞ .তৌফম শঙ - সংসাব অসিদা অন্নাবা তারবা কান্দ। থেমজিনবা ৱাডাঙ (Solace) ডাঙনবা কৌবনি। অদুগুম্বা নিমন্ত্রণ ফংদ্রবা, সংসারগী হু'শা মৈশাদ। মমায়দা হুমাং মরীক কাদ্রবা, ফীজা ফীনাশা উৎফুল্ল পকদ্রবা নুপীদু, মুংশিবা মী — মুংডাইনা তিন্নবগী নীংশাংবগী পুক্কি অতু চাউনা লৈরবস্ম, মিসেস ডোরা রায়গী মতৌগুম নোংমা মুংশা খব মপী হোন্দুনা হায়গদবনি ঐ ইথন্তনি!

[তন্দ্রা]

সংসার অসিদ পীযু হায়বগা, ফংবগা কুইরবা মতমদগী তিন্নরক্তে। পীযু হায়বা পোত্তু ফংদে; অন্নাংবা খোঞ্জেলনা লাউথুনা পামদে লৌনিংদে হায়বা পোৎ অদুগী বোঝা (অকাম্বা বস্তা) অদু মপৈ ওইনা লাকই! মাসিদি থায়নদগী চৎনরকপ ৱানি, মসি মপাদা শংশংনা যাওবদগী রক্ষা ফংগ্রবা নিপা নুপী ৎরিগুম্বা মফমদা কারিগুম্বা যুগতা থেংনরোই। অরীবা অচুম্বা ৱা অসিগী অনৌব থূদম এখোয় অনীনি - মমী চৎপা .জলর মৌলবী মোবারক আলি, অদুগা মমীং চত্তুৱা ডেপুটি বাবু মলয় চৌধুরী।

(১) মরৈপাক মনীংথা তম্বা ফংনব হোৎনবা মী।

অসিগী খরদং মমাঙদা হায়খ্রে, (১) স্বদেশীশিংগী মফমদা মশাগী পরিচয় খরা শেংনা পীনবা মোবারক আলি কুইরবা মতমদগী ফট ফট ওন্দুনা থাডলম্মী। বিষয় অসিদা হৌভিক লৈরিবা মফম অসিদি খরা খুই। মরমদি, অহানবদা মখোয় (স্বদেশীশি°) গী মশীং য়ামদে, শীংথানবা য়াবা নত্তে। অনীশুবদা মহাক্না ব্যাকরণ শুনা তো-জবত্তুগী মর্য্যাদা ডাকখিদবত্তুনা আলি সাহেবকী অভিমান (pride) বু অস্তুপ কন্না য়ৈথ্রে, মাত্তুদি মহাক্না মখোয়গা সম্বন্ধ লৈনবসি পুনথা থাদোকখ্রে।

অসোমদা plains দগী মখল য়াম্বা মরমদগী অপাম্বা খবর তুমিৎ খুদীংগী মাহোন্দা য়ৌরকই। লোংমা তাবা ফংলম্মী, অচৌবা জেল অমদা "স্বদেশীওয়ালা" মী লীশীং অমা মখোয়না ফংবদা ডায়-রিবা কম্বল অহনবা লিশিং অনী পৈশিন্দুনা মৈ থাহুনা মহাভানওকী খাঙবব মৈ থাবত্তু মনীংনা উত্তুনা experience ও লম্মী, অমসুং মাহ তৌবগা লোয়নবা কম্বল অহনবা জোড়া অমমম পীথু হায়দুনা লোবকী সত্যাগ্রহ (civil disobedience) তৌহুনা লৈ। স্যাটানিক গভর্ণমেন্টগী কম্বলশিং অত্তুসু (১) শয়তানি হায়রা তথ্ব (theory) আস ঐ য়াদবা তোদে অমসুং শয়তানবু মৈ থাহনা হাংপা হায়বগী যুক্তিসু ককপা য়াদে। মরম অসিনা মৈ থংবা উৎসবকী অর্থ খঙই। অত্তবু অমুক হন্না শয়তান জোড়া অমমম দাবি তৌদুনা সত্য গ্রহ তৌবা করিগীনো?

অমুক করিনো হায়বা? মোবারক আলি ঙংলক্লে, নমঙন হাকচরে, খড়াবিদরবরা? হিদাক পাম্বনি।

(১) Satan

অমুক অতোপ্পা মুমিৎ অমদা তাবা ফংই, স্পেশ্যাল (special) নত্রগা সেন্ট্রেল জেল অমদা চাক-হন্নায়না হোলি শান্নরে (আবের তৈনবদোনা তোরে)। চাক পুক মনুংদা চঙদনা জেলগী থবক তোবা কর্মচারী-শিংগী মকোক্তা লংশিল্লে অমসুং চাক য়েনশাং হাপ্তবা পুথমগী মমাঙদা ফমত্নুনা পরেং লেংনা ফম্বা রাজবন্দীশিংনা ভংলি, ম্যয় ভুখা হু (ঐ চাক চাদ্রি)।

অসিগী মুমিৎ কয়ানিমুক্কী মতুংদা অপাইবা পাউ অমা— মফম অদুদা "স্বদেশী বাবুশিংনা" সন্ধ্যাদা ব্যারাক্তা চঙদত্নুনা উদা কাখৎলি অমসুং থেঙগ্রবা অহীং ফাওবা শিবরাম (লমহুইগী) ঈশৈ ঐরাক্লি। মোংখাক্তা হায়রকই, ' নোংমৈ গুলিনা পান্দুনা উথক্তুগী উচেক ত-রকপা উরে। মীদি করম্না তারকপগে য়েংনিংই '। হায়বদি মফম অদুদা মহাক লৈরম্লবদি মহাক মখুৎমক্ত উপভোগ (নুংঙাইবা) ফংলমগদবনি।

অসিগুম্বা থবর জাৎ অসিনা ঐখোয়গী সেতার বীণানচিংবগী তার (মরী) গী মশক ওইবা শিংলিদা য়ৈববা অদুনা খোকহনবা থবক (reaction) অদু ঐখোয় অনীদগি ওন্নতেনৈ। ঐনা প্রার্থনা লৌরম্মা, অসিগুম্বা স্বদেশী পীঠস্থান (সতীগী সুদর্শন্না ককথৎখ্রবা হকচাংগী শরুক তাবা মফম) দগী ঐবু কনবিয়ু ভগবান। মোবারক্কী প্রার্থনাদি হে খোদাতাল্লা, অয়াম্বা নত্তে, হায়বা ইন্দবা, স্বভাব ফওবা স্বদেশী চামডারোমদং ঐডোন্দা পুরক্তুনা পীয়ু। মখোয়না-সি করম্বা পোংনো হায়বা অমুক্তা পরীক্ষা তৌহনা য়েংনিংই।

নিপা খোক্তবা প্রার্থনাতদা আশ্রয় তোদনা মহাক্তা মমৈদা মুক কললমগী আশ্রয় লৌরে (দরখাস্ত থারে)। অইবা দরখাস্ত অদুদা

থঙহল্লে মথক্তা লৈবা অঙম্বশিংগী দরবারদা, অসিগুম্বা খুদো থীবা মতম অসিদা মহাক্লা মহাক্তী শক্তি পুন্নবক ইংরেজা সরকারগী স াম্রাজ্য Empire ভাকপদা শিজিন্নবা পাম্মী। মরম অসিনা অতোবা রাজনৈতিক জেল অমদা মহাকপু ট্রান্সফর তৌখিয়ু।

অস্থব মপুশিংগী রসগী জ্ঞান লৈ। মাগী মখোল থোকপা অমম্মুং ঐগী মখোল থোক্কবা প্রার্থনা অনীমক মহৈ য়াংগ্রে। মোব রক চাংগী দেশদা হুরানবা ডাকাত ভাকুনা লৈখরে; তশেংবা স্বদেশী লানশঙ অমদা সত্যাগ্রহী (civil disobedience তৌবা মী) দমন তৌবা কৌবা মহাব্রতচু (চহী ১২– লাইনীংবা) লেংবান্দা থোনগংতুনা পুনবা ঐবু কৌরে।

মীন, ব্রান চঙবা ভম্বা জঙ্গলনা কোয়শিনবা অতেকপা য়ুম ১২ রোম। মতম অমদা নোংমৈগী গোলাবারুদ (গিদাব -গুলি) গী কারখানা (factory) ওইরম্মী। চাং লাইবা লোঙচংনা হঙ্গহন্দা চংপা থোঙশতেব শক্তিনা প্রহর (অহী থু খিল পুং ২ংগী .) খুদিগী বেয়নেট উৎলম্মী, জ্ঞান লেতনা লম্বী চংপা মা।ী প্লীহা (spleen) নীকহন্দুনা লাউরম্মী হুকুমদাব। মঙমগী মতু মমা শম্বী হোংখ্রু। (১) বেলুচ রেজিমেন্ট লেরম্বা মফমদুদা লমহই শদু অম লাক্লে। মখোয়মু অহীং থু খিলগী প্রহর খোঙনা তাকই হুকুমদার হায়রে, হুকা (হিদাকফু) হুযা (ওঃরে)।

যুগ অমগী মতুংদা ভাস যুখল হোংনা থনক লম। ... জং য়োং তৌরা তৌদুনা যান্দুনা থুগায়নবা লাইহুই শদু ... মপুনা

(১) বেলুচিস্থানগী লাম্মী তেঙ্গোল।

থনম্বা লৌরী-ইংখোল মাঙথরে। অনৌবা দৃশ্য (উৎপা , দা কুমথ রকপা মীশিংদুম্সু সরকারগী মমীত্তা মথল অমগী মথরায় পানবা নোংমৈ হিদাক—গুলিনি। মরম অদুনা নৌনা অমুক হোরে খুৎলায় পায়বা শক্তিগী হঙ্গংহন্দা চংপা অমসুং লাউথোংবা ; চেকশিনবগী পোংচঙদি হন্দক্তি য়াম্না পাকপ চাউবা হেল্লি।

কারখানা অসিদগী নোংমা থোকখিবা নোংমৈগী বুলেট (bullet) অদুগী মীংচাত্ত পৃথিবীগী জাতি পুম্নমক (international) না খঙখিবনি। ঈনা নাপহল্লবা লম্বীদা চত্তুনা মংখায়না ব্রিটিশ সাম্রাজ্যগী জ্ঞান তাহনখি। ঙসি অতেকপা য়মদ তিল্লরিবা বুলেটশিং অসিগী লম্বীদি ঈ পক্কে। কনানা খঙগনি, লম্বী অসিদা লাক্লুনা মথোয়গী মখুত্তা সাম্রাজ্যগী মাঙবা শিবা অরোয়বা ওইববা য়ায়।

জঙ্গলগী মনাক্তা লৌনক। মফম অদুদা মথক বুম্না হয়ম পারেং পরেং শাবে। শালগী যম্বী, ইনা মথক কুম্না অদুগা ফরাং ফক্লাং থাবা। চেকপন য়াঙদনা করম তৌনা জেল ওইরিবনে ? ক বাগার (জেল) ওায়ররদি অহানবমক্তদা :জেলগী চেকপল খঙইনে। মাদুগী থিংরাং থাদোকখবে। অকুপ্পা কাঁট তরান কোয়শিন্দুনা শরদ (য়ুথল) ওইহন্দুনা জেলগী সম্মান লাকপত্তু মসলিনগী ইম্মাগীনা রাজপুত নুপীশিংগী হিকায়ন লাকপগুম্বশ। থাঙ্গোল পায়বা লম্বী চৎপা লৌউবা নিপাশিনা লেপ লেপ্তুনা য়েংলম্মী অদুগা নোকলম্মী। নুপাশিংনা কাগী তৌদুনা হায়রম্মী, মাসিবু জেলদা নত্রগা বাবুশিংগী লৈকোনগী য়মলা ? খর মহুল ও ররশিংনা সম্মান তৌন পাউ-খুম পীরম্মী, মখোয়সি কনানো খঙব্রা ? স্বদেশী বাবুশিং। গান্ধি নিংথৌগী মী। মখোয়সি হুরানব ডাকাত নত্তে। কারিগী চেনগনি ?

রাহু ঐখোয়স্ত খড়ই। জ্ঞান লৈবনা অমসুং হৈশি'বা জেলর মহেশ তালুকদার চিন্তা তৌরে। অহুব কুচু ভৌবা ইন্সপেক্টর জেনা-রেলন' মানা চিংনবদুনা ভমহন্দরে। অনী—মহি—তরা চেনখিবগী-দমক নোটিশ তৌগন্নু। মাহুদগী হেল্লবদি ঐগী অফিসদা রিপোর্ট অমা পীরকউ। অদুনা rest assured jailor, মাহুগী রিপোর্ট দুতু নহ রু পীগদবা লৈতে। মখোয়সি চেনগে হায়দুনা লাকপা নত্তে।

তারন' সম্বল খাব' হেক লোয়বগা ঈশি' ঈ ১৩ থ্বা হোবে। অচৌ অচৌবা হরাগাড়ী থন্না থন্ন পংলাক্ত্ৰা লাক্রে, পাখং, অহন্স, মী-য়'য চল্লব অম ং কিশোর হায়বদি বয়স চহী ১১দগী ১৫ ফাওবগী) অড'ভ। লাইন' নোকপা অদুগা মভাস য়াওবা থৌনা—ঈ১ভ। আকাশদা— মু'শিত্তা নিনখরে বন্দে মাতরম, মহাত্ম গান্ধীজীকি জয়।

—ভসি কয়া লাকই?

—চহুম কুনমদা।

—পূম্নমক্কা? ঐখোয়গী রে মদদি চামরি য়াংখৈভরেং।

থংনবা জেল অনীগী থবক তৌবা মীশিং মুমিং তাবদ উন-য় দি রারী শাবগী বিষয়দি অসিদান। য়ূম পাকাদা নেতা অমসুং নেতা মচাগী দল, অহানবা অমসুং অনীশুবা শ্রেণী। অদুগা অহু শুবা শ্রেণীগী ইনা কুপ্পা য়ুম। মখোয়না লাকপগী অরোয়.া লৈতে। চামড', L তক্ক, চানিপাল, কীশাং অম, লীশা' অ... ভনী। লৈফম চন্দ্র। মাহুগী রাহু কনানা তাগনি? ঈশিং ঈচাও থ.হুগী ঈশিং মুমিং থুদিংগী চাউবা হেনগংলরে। মথোন ক'রকপা ঈশিং ঈথক অসি কনানা থিংগদৌরি?

কঁাটা তাবানা শাবা গেট। মাতুগী মনাক্তা থাপড়া (tile) না কুপ্পা য়্মদা অফিস ওইরি। অয়ূকুগী মুমিদাং নোংয়ায় কাউবা থবক শুরি। লান্দগী হল্লকপা সুপার, ক্যাপ্টেন ব্যানার্জি। থবক্তী পোরম য়াম্না উবা অহল ওইরবা অমসুং থবক হৈবা জেলর মহেশ তালুকদার। মাগী ডেপুটি মরি অতুগী মথংদা কেরাণীশিং অমসুং সিপাই-সন্ত্রীগী, অচৌবা তেঙ্গোল। টেবিল খুদীংদা ওয়ারেন্টগী হিমা-লয় অতুগা ফাইলগী পিরামিড। মওঙ য়াম্বা, অতুগা মথল য়াম্বা খাতাদা অতং অথম নৈতনা কলমনা ইরি। মাতুগা লোয়ননা চৎমিন্নরি, নোকপা, ফাগী, চা-সিগারেট অতুগা মরক মরক্তা আফিস পলিটিক্সগী খ্বাইনা পান্নবা অমনা ব্র ভাংলিডৈদা অতোপ্পা অমনা শাউগৎহনবা রাভাঙ।

ও, বাব! পূন্নমক rigorous imprisonment, থবক শুবা কারাদণ্ড। মখোয়সি করম্বা থবক শুবগে— সুধাংশুনা মথন্তা মুরুম মুরুম ভাঙই। আমদানী (ফাটক পুরকপা) গী বইদা ওয়ারেন্ট নকল তৌবা মাগী থবকনি।

ডেপুটি জেলর হৃদয়বাবু চা থকলম্মী। মহাক্তা হায়রকই, কঁরি রানো? মখোয়না অমুপ য়াম্না থবক শুরিবা অসিবু শুদে হায়বা করিগীনো? নখোয়গী থাও শুন্নবা কনু চিংবা নুং থুগায়বা অসিন-চিংবা তৌদে চুম্মী; অতুবু মখোয়গী লাইন্দা মখোয়মু হুমিৎ চুপ্পা থবক শুরি।

—খুদমদি?

—খুদমদি, অয়ুক্তা হৌগৎপগা—মিলটারি কায়দাদা হায়রকই হৃদয়বাবু—

বাঁয়া ডাহ্ইনা,
বাঁয়া ডাহ্ইনা,
ঘুম্ যাও।
বাঁয়া ডাহ্ইনা,
বাঁয়া ডাহ্ইনা,
ঠ্যার্ যাও।

মী পুম্নমক থবক শুবা লেপ্লে। যতীশদানা অসোমদগী হায়রকই, ডাক্তরবরা হৃদয়বাবু? করিনো হায়রিবদো?

হৃদয়বাবুনা গম্ভীর ওইনা হায়রকই, খঙবা ডম্বিদবরা? প্যারেড; স্বদেশী প্যারেড। নখোয়না হায়রিবা—

Left Rig`t, Left Right
About turn!
Left Right. Left Right
Halt!

ইমুং মনুং শিন্থ্রংনা নোবপগী খোঙ্গেলনা নিথরে। তাদা যতীশদি কলিকাতাদগী ডেলি প্যাসেঞ্জারনি। জেল অসিদা অয়ুক্তা করি করি তৌবগে খঙদে। মপুক্লীংদা চিংনবগা লোয়ননা হায়রকই, মখোয়না অচুম্বমক পুম্নমক অসি তৌত্রা, অদুগ নত্তুনা নহাক্না শেমজিন্দুনা হায়রিবরা?

হৃদয়বাবু চাদা অয়োয়বা য়াউম চিংতুনা হায়রকই, নহাক্তি নয়াইবক ফবা মীনি দাদা। মুমিং থুদীং ইতৈমনা থোংবা লেক্কুনা

চাংদবা, থক্কুনা চাংদবা অচাপোং চাংদা পুং তরাদগী মঙা ফাওবা থবক তৌরি। ঐখোয়গা লোয়ননা নোংমতম্ব মঙল অসিদা কাওনা চীকপা থাওনিয়না? নশানা উবা ফংবিগনি, ঐনা শেমজিন্দুনা হায়রা? তাদা যতীশ করিনো রা অমা হায়গে তৌবম্মী। সুধাং-শুনা মাগী রা থদংতুনা হায়রকই, রাতু থম্বিখো। নহাক হায়বিয়ু। অছুগী মতুংগী অধ্যায়দি করিনো? হৃদয়বাবু সিগারেট চমথুনা হায়-রকই। অসিগী মতুংদা ক্লাস হৌরে। নিম্ন প্রাইমারীদগী এম, এ ফাওবা ক্লাস জাং পুম্নমক। থবনা যমদা থবনা লৌবদা, থবনা উখাদা। অমুপ চাউবা বেংগলচেম্বারস ইউনিভার্সিটি পৃথিবীদা কবিগুম্বা মফমদা ফংলোই।

– পুং কয়া ফংলবা ক্লাস তৌই?

– ঘড়ি পায়থুনা পুং ১১ ফাওবা অছুগী মতুংদা, ইস্কুলবা অমম্বুং চাবগী অধ্যায় পুং অমরোম পোম্বাবা। পুং অনী তাবদগী খোই, বক্তৃতা, নৈনবা, ডিবেট অমগা মবক মরকা (মখোগী পীক-থহুনা হায়রকই হৃদয়বাবুনা) করি করিগুম্বা য়ুমদা 'সিক্রেট মিটিং নত্রগ ক্লোজ—ডোর রাউন্ড-টেবল। জেল অসিদা নৈনরিবদা মতুংদা তৌগদবা থবক্কী পরে শেয়, থডজিন্দুনা হম্মু।

—অছুগী মতুংদা?

– অছুগী মতুংদা স্পোর্টিংদা অডাডগুম্বা শাগ্নবা। দাতকপাটি (ময়াগা ময়াগা তক্নবা), হাডু ডু-ডু (উ লাউবী), দাড়িবাঁধা (কোই পুনবা), চোর চোর অমনা হুনবদা শাথনা অতৈন ফানবা চোংনবা)। সন্ধ্যা মতুংদা হরাও তমাধ। ক্যাবিকেশার, ম্যাজিক, সাওতাল

জগোয়, অতৈ কয়া কয়া। কবি কবিগুমা নমদা ঈশৈগী সভা কম্মী। মাহুগা লোয়নবা ঈশিংগী ড্রাম নত্রগ। বালতিনা পুং ওইবা।

নিতাই বক্সীনা মুংশা মপা চন্দ্রনা হায়রকই, মীশিংসি মুং-ডাইন লৈ, ড়েদা শৈন্নো লেবাংস্থু কর্নবিরে, অসোমদা মুংডাই-বগী চমথৈ লক্তবে থক্তগা ঐথোয়গী অবস্থা য়েংউ। অমুক করম্বা বাসলনে চা কপ অমা থকুনা য়ুমদগী থোরক্লে। মুমিং মুংথরে। চৈবদোইড য়ুম হনগদনো কনানা থঙ্গনি? য়ুমদা হনখ্রবস্থু য়োং কক-পশিংগা হোটেলগী করং কবং লাউবা চাক। পুথমদা হৈথবদা ঝন্‌ বন্‌ লাউবা মথোল থোকত, নুং মকুপকা মত্তোগুম।

নং নংতা থংনবা কনানো অমমা থাবকন, দদা 'অঙ্গী নংঙা চৎহনিনা', গান্ধীজী কি জয় হায়দুনা মপান থোকখ্রসি। য়োং ককপশিংগী য়োং মকুপকী চঙং ময়ুক মুংথি। ফজখ্রবা ফুং ফুং শাদ—

'যমে হুজুর (সেলাম হুজুর)— জমাদার তমেশ্বর নাথ লেপ্লনা লেনান তোঙনা লৈরমে। থবকসি অনৌবা নত্তে। মুমিং শুনাগী লেবগা থোকনি। চাক মনশা থোংবা হো জক্লা লোহাবি। নংদা চগী থোঙ্বা হায়বদি চাক য়নবা— জেলগী লোলদা বি-ড প্যারেড কেতদ

নিতাই বকসীগা টিকন ক্য ববারবা হায়া হোটেলগী অবংবা চকতু অমুক হেল্লা কবা লৌরক্লে। মী অংতগী হৌজিক্তা মুলবদা জায়রিবা চাক য়েনবদা অশোয় অভাব মুন্না য়োংদঙবা টুনী লৌখত্তনা চেল্লে। মহাক মথন্তা নত্তে। ঐখোয়সু মংগা লোয়নবা চৎমিন্নরে অন্নাবদা থামিল্লবান. ডেপুটি জেলর তেঙ্গোলগী মাসি মুমিং খুদিংগী

চৎপা থবক'নি। ফল করি ওইরগদগে হায়বত্রস্থু ঐখোয় চীন্দা পুই। চাক য়েনবগী মরমদা য়াবমথৈ চেকশিল্লবস্থু, মশীং লেপতুনা পীবা চেং অত্তুগী হিসাবতা অরানবা লৈত্রবস্থু মী য়াংথৈগী চাক য়াংকনি, অত্তুগী মতুংদা ফল ওইদবা কান্নদবা এনকোয়ারি হায়বদি স্বদেশী ক্যাম্পগী পাণ্ডাশিংগা অর্থ লৈতবা খংনবা মরৈ য়েংনবা থরদং।

জমাদারনা হায়গনি, হৈনা ইশামক্লা উবনি, বাবু মণ্ডাসি চাক অনীরক লৌখরে। স্বদেশীশিংনা লাউ খোংজুনা হায়রক্কনি, মীনম্বা য়ানি। ঐখোয়না কন্না আপত্তি তৌরি। মমৈদা ক'বগুম্বা মওঙ অমা তৌজুনা মখোযবু ইংথহল্লগা ঐখোয়না রিপোর্ট তৌগদবনি — চাকশঙগী সাধারণ কয়েদীশিংনা চেকশিন্দবদগী চেঙ সের ২৩ ছট ক ১০ গী চাক কাহুন মীনা চাবা য়াদবা ওইখরে। মবম অসিনা চেং মশীং অসি হেন্না ইস্থ্য তৌবিযু! অত্তুগী মতুংদা বড়সাহেবনা হুকুম তৌগনি, মাহুমক ওইসন্নু, অমসুং নৌনা অমুক বয়লারদা কয়লা থাদরগনি।

দশু (উৎপা) অসি মুমিৎ খুদিংগী খোকই। স্বদেশী নেত-শিংনা হায়রি, কিচেনসি ঐখোয়গী খুত্তা থাদোকপিসু, মফম অত্তুগী সাধারণ কয়েদীশিংবু থবক তৌহনগে। চানবা পোংকী হিসাব তৌ-জুনা লৌগনি। দায়িত্ব (responsibility) অতৈদি ঐখোয়গীনি। অদুবু মপুশিংনা য়াদ্রে। সরকারগী মর্য্যাদা হস্তহন্দনা করম তৌনা আসগুম্বা ব্যবস্থা (শিল্লাংবা) তৌগনি? ঐখোয়না বিচেনগী থবক শিল্লাংগনি। জেল-ম্যানেজমেন্ট সরকারগী দায়িত্বনি। নখোয়দি কয়েদী (ফাটক) নি। কয়েদীগী মথুত্তা মপু ওইবগী থবক পীখোকপ য়ামে।

থ। অমরোমগী মতুংদ নোংমা ঐ অযক্তা চানব। পোংচে থম্বা গুদামগী মনাক্তা চংলম্মী। বাবান্দাদা ফমদুনা চৌর ক্লর্ক সুরেশ বাবু হিসাব হোংলি। টেবলগী অতে থা মাতুংদা চেয়ার অমদা মাক্টৈ অসোমগী অপাকপা লুংচি বা বিনল মজুমদাব ফমদুনা লৈ-রম্মী। সুরেশ বাবুনা পাউনা হায়রক্লদ্দু তাবা ফংই, য়াউঙ সের ৩৭ ছটাক ১২ নিবিনল রবু, ——দি কয়াদো?

—আজ্ঞে, ঐগীদি ছটাক ১৩ নি।

– বেশ। ছটাক অতুনা নডোলা বখশিশ পাবে।

মতুংদ থংনাক লোক্কে। মাস অমগী তাবরা সাধারণ কয়েদী-শিং পেনবা মতৌ ... (ration) পুম্নমক্কী হিসাব হোংদুনা ... ... কয়েদীগী মতে থা লোনগৎতুনা বিমল বাবু ... ... । ... অসিবা অসিগী মেস কামটগী ... ... । ... অমন চাক-শঙগী মবাদ ... ... । ... চাক হনশাং খোংবগী মতংগী ... ... আহন। মতুং ইন্না কয়েদী ... ... । ... খুদোংগী এনশাং গাড়ি ... । ..., ..., মাছরেন, ... শাক মূলা, কোবাল্দা অমগী ... ... । ... কুরবসি পোং মথল ময়ামসি পুন্ন ... ... য়ামশিন্নবা এনশাং অমা থোংলম্মী। ... অমা ... চাদুবে – আলুগা কোবী... ... (... ... একথায়-দুনা থাদা নত্রগা ... ...)। অরেম্বা মখোনা চচ্চড়ি (থাদা নত্র। থাম্না ... ... হাওবা অকংবা

[illegible])। [illegible] ক্তি হনবা থক [illegible]-
থিদে। [illegible] ভিন্নথরে অমস্থ ভা মকোক্কী মচেৎ
মাক্কদ কেক কের [illegible] (ভাঙরি)। ভা মতুমসি ভোবা নওনা
অতোঃপ্না মথদো [illegible] প্পুশিং খঙলমদে। ভা অসিমক
কাযদাগী পুখনদা কা'লয (যাদা নত্তগা থাউদা তাউবা ভা) গুম্না
যক্তনা লৈরে

কিচেন [illegible] মবকই, কবি যে'বিবি ডেপুটি বা'ব;
[illegible] অমী [illegible] ত্রখোয়গী ৈল শীবিবম্মী—
[illegible] অচা [illegible]
[illegible] শুবা অসিনা যোক
শংপা তাংদনা।

ত্রনী [illegible] বম্মী, যে [illegible] লৌথংপদি
হায়দিস্

[illegible]

[illegible] পুয়ব অসি কনা
[illegible] থবকা'স, শহী
[illegible] মাদি হবুম মতু ইম্না
[illegible] থ্না [illegible]
খিবা [illegible] হৌদুনা লৈরে,
[illegible] পুম [illegible] কেনা
[illegible] ত্র থা [illegible] মী [illegible] চাক
শোয়রে হায়বা [illegible] পুঙ্গ [illegible]
মিশির লাকদে, এনকোয [illegible]।

তুমিং হৌখ্রে, থা চংখ্রে, চহীস্ লোইগাদৌরে। [illegible] কাবগী অথুবা খোংচং অত্তু [illegible]। [illegible] (ebb tide) গী মওঙ উবা ফংলে। [illegible] লোং লুংশিংগী অশাওবা [illegible] শুকপা [illegible] অতগী মপুক্রীং অত্তু [illegible] মযম মাইকৈ [illegible] মপুক্রীং খোং [illegible]। দেশ [illegible] দেশমাতাগীনি, দেশ মাতা [illegible] মযামগী [illegible] তৌরক্লে, [illegible] পুক্রীং ব্লারে, স্বভাবদা [illegible]। [illegible] অমদি ক্যাবি-কেচার মশামা [illegible]। [illegible] থাক্লগা, উমদবা নাগযুদ্ধ (চীনা গী [illegible]) [illegible] শেল্লক্লে। মপালগী থবব করিবনো? [illegible] কুইনা লাইবক্কা তম্লিবনো? [illegible] বাইরগানি? কম্প্রো-মাইজ তৌগনি [illegible] থবক [illegible] পুম্নমক অসি মী পুম্নমক্কী মপুক্রীংদা [illegible]।

আফিস (১) [illegible] মতমদা [illegible] অদুদা তুমিং যুংবা মতমদা [illegible] থবা কুইরে; [illegible] জেলগী মিয়াদ লোইরদুনা [illegible] মতাপাশংদা [illegible] ফাওবা লাক্লুনা [illegible] (guardian)

---

(১) মাংমক ১৭ শুবা [illegible] ১৭ শুবা মথেক অরাপা [illegible]

শিংনা আফিস ফাওবা লাক্লা মীয়াম তিরবদা য়াওরে। অতুগী মতুংদা লংকৈ। ববচ হলগনা পীদনা দিদ (অমা বায়দনা) তৌন-দনা মরৈ হেননা। চানবা ফা কাম শ পীগদব, মুমিং নীনীগীরা নত্রগা হুমনিগীবা ; হী তা বমী ভ ত্রা লৃপা অহুম ওহনদ্রা নত্রগা লৃপা অহুম মথায। জেলর মহেশ তালুকদার অশেংবা ব্যুরো-ক্র্যাটনি - ইস্পাতকী ক্রেনশী মথক্ত লৈগোম থেংমজিনবনি। নোল-লুকপদা লৈপাকমচা তববদা মযেং শদনা মতেক থেক লাওবা। পূং অহুম মথায় ভমখৈ নাহানব থাডবা কনগা লোয়ননা বঙ্ক্তা তাবিগনি, অহুক লপাগী মশী অক্তগী মতম অহুম মথায় ওইরোয়।

অসোমদা স্বদেশীগী পান্দাশিংস্ক ইম্পাতকী জাতনি। মবক মরক্তা যেংনহুনা খংনগদবা মংভ লাবপদা ঐনা কৌবকই, জেলর সাহেবনা চানবিহুনা ঐনা ভূগোল (geography) গী মরমদা পাউতাক পীবা মী ওইরে।

—সে মলয় নচাদ লৈপাক ভঙ্গদা য়াম্বা বুইনা কৈররবানি। কুমিল্লাদগী বদরখালি ফংলবা হীগী ভ ডা কয় নো?

কুমিল্লাগা ঐগা শক খঙনবাস ভগোলগী লামায়দগীনি ; অমগা বদরখালিগী মমাং ভগি ক নাসনা অহনবনি, অদুবু হৈনম অসি য়াম্না খঙবগুম। শুকথনা শায়বা তাবনা, বদরখালিগী করম্বা লৈ-কায়দা নহাক্কী মম লৈশগে?

জেলদগী থাদোকদোরবা অসাগীনা হাবকই, মথা লৈকায়দা।

মাহকৈ অদোমদা হাদি মমল হোংক্ত, নহাক্না কয়া পীয়ু হায় রিগনো?

ভদ্রলোক্না শুমজিলভৈদা তালুকদার সাহেবনা হায়রকই, মহাক্না

লূপা মরি পীয়ূ কন্না হায়রি অদুবু ঐনা খনবদি লূপা অনীমখায়দগী হেন্না চঙলোয়। ঐনা রায় তারে, লূপা অহুমলোম ওইবা য়ায়।

সমস্যা (চয়েংনবা বিষয়) পূন্নমক শেংদোক্নবা খচুম্বা তাক্লবা মতাংগুম মহেশ বাবুনা হায়রকই, ব্যাস, শেংলে। মশায়দি পূন্নমকসি খণ্ডবা নত্রাদো ?

পাওাশিংনা মপুক্নীংদা শাউরবস্মু মপান থোক্না করিস্মু হায়দ্রে। (১) থালাসীতুদি নিপামচানি, শাউনা হায়রকই, খাজ্জা স্বরাজ ওই-রবদি ঐখোযগী থূল্লা ক্ষমতা (power) লাকনি। নহাক্কী চকনী করম্না লৈবগে মতম অদুনা য়েংগে।

তালুকদার মহাশয়না থোক্কুনা হায়রকই, করিনো হায়রিবদো ? চাকরী লৈরব্রোই হায়ত্রা ? অদুগী মতুঙ্দা ঐখোযগী তুলবতুম হেন-গংলক্কনি। ঙসি বিদেশী সরকারগী পইসা হিংনবা হেৎনরি ; মতম অদুদা নখোয়গী পয়সা মাংদনবা ডাক্কনি।

অদুবু ঐনা খণ্ডবদি, তালুকদার সাহেবসি য়াম্না কড়া ওইরবস্মু মমৈদদি মাদনা পোয়—অয়াম্বা মফমদা। নম্বর তবানিপাক্স শুনা মেসগী ম্যানেজার হবিদাস বাবুনা পোখিবগুম্বনি।

রারীঙ্ক লৈংশীংলিঙৈদা হায়দোক্লগে। য়াম্না কুইথ্রবা রানি। ঐ স্কুলদা তম্লম্মী। মেস অমদা লৈরম্মী। অনৌবা ঠাকুর অমা হাপ্লে—মহাদেব মিশ্র। মাগুম্না থবক তৌবদা হৈশিংনা না অনীশুবা অমা ঐগী জীবন অসিগী মতুংদা উথিদ্রি। কামিনী বাবুগী অফিস পুং নিপাল মথায়দা হৌই। পুং নিপাল তাগদবা মিনট ১৫ রাং-লিঙৈদা চাক চাকমগী কাদগী লাউরক্লে—ঠাকুর চাক পুরক্লো। মতম

---

(১) হী হোনবা হীরোয়

অতুদা ভা শেম্বা হৌখদা মঙায়রি, কামিনী বাবুগা ভাগা তিন্নবসি মানা মিহৌবগ লোয়ননা পান্না য়েংবা মীৎয়েং অমম্বুং নুংশাম্বর মপী হোনবা অনীগী মরক্তনি। ভা চাবা ফংদবগী মহুত্তা শিনবা ব্যবস্থা মতু ইন্না পয়সা অনীগী শঙ্গোম অফম্বা হায়বদি মধুপর্ক (ঘী, শঙ্গোম অফম্বা, থোহী, য়ুবী মহীনা য়ানশিন্দুনা শেম্বা পোৎ) তেঙ্গোৎ অমা। মাহুগী মুমিত্তু শঙ্গোম অফম্বগী মহুত্তা মহাদেব থাবৈ পায়হুনা খঙহৌদনা চঙলক্লে। কামিনী বাবু পুমঙক ওকখরে। করিনো মাদো ?

—অজ্ঞা রামরসনি।

—রামরস হায়বদি করিনো ?

মহাদেবনা কামিনী বাবুগী চাকুক্ত থাবৈ অতু উপশিল্লে, অচুম্বা ভা থোংবগী মহী। অতুগা লোয়ননা ভা মতুম অম। কামিনী বাবুক্ত মুংঙাইখ্রহুনা মমীত্তগী মপী তারে ; করিনো অতুদে, অম্নুপ থুনা ভা থোংলবরা ?

—ভা থাবৈ অমা থোংলবনি।

চফুদা থোংবা নত্তবা, থাংদা থোংবগ্ন নত্তবা, থাবৈদা থোংবা ভাগী মহী! মাংগী মুমিত্তুগী কামিনী বাবুগী মরাইবক ফবা হেখ্রে।

য়াম্না থুনা মুমিং থরদংগী মতুংদা মহাদেবনা মেস অপুম্বা জয় তৌখরে। মহাদেব লত্রবদি বাবু অমতগী থবক তৌবা য়াগ্রে। মতম থরা লৈরগা কেথেলদগী চানবা পোৎচৈ লৈবগী থবকম্নু মানা তৌরে। মহাক্তি লাইরিক হৈবা মী নত্তে। চে-কন্নমগা মাগা করিগুম্বা সংক্ষ অমতা লৈনদে। মচীন্না হিসাব পুম্নমক তৌই। মুমিং থুদাংগী অয়ুক অঙনবদা ম্যানেজার হরিদাস বাবুনা লুপা তরাগী নোট অনী মাগী মখুত্তা পীরম্মী। সন্ধ্যাদা মানা কৈথিবা পোংকী মমল ইহন্দুনা

হিগ্যা চুম্না তৌরম্মী। হরিদাস বাবুনা থাতা হাংদোকুনা হায়রম্মী, হায়, ভাঁ শেল কয় গী লৈখ্রবা?

— ভাদা ৮৷৷৶০।

হরিদাস বাবুনা ইরম্মী ৸৶০

— (১) পটলদি?

মহাদেবনা হাংরকই, পটল ২৸৶০।

হরিদাস বাবুনা ২৷০ ইরম্মী।

অস্তুম তৌদুনা মহাদেবনা হংখ্রবা মমল পুম্নমক ডিসকাউন্ট (থরদং হাংনা পীবা) থাইদেকুনা ম্যানেজারনা ইরম্মী। ইবা লোইরবা মতুংদা মহাদেবনা হংলম্মী, লুপা কয়া ওইরে বাবু? হরিদাস বাবুনা খাতাগী অর্কপি অঙ্ক তিনশিন্দুনা হায়রম্মী,— ১৭৸৶০।

— কয়া য়াম্মনা হনবা তারে?

— ১৷৷৶১০।

মহাদেবনা ব্রা ডাডদনা ১৷৷৶১০ হু জিল্লমদুনা চংখিরম্মী। হরিদাস য়েংদুনা লেপ্লে। মাগী কাখোকপা ময়াদ্ উমশিনবদা মতম থরা চেঙলম্মী। মতৌদা পীরবা ভিসব অহু মহাক্না ইতত্তুনা কক্রবম্ম পোং লৈরুবা নপ অদুনা লোংলো থরাদি মরোই। মহাক্না ককপত্ চংলদনি, মাদুনা লোংকৌ চপটাবা লৈরুবা মমল লেপ্পা য়ারমদে। শঙ্গোনগী মঙলদাদ কৈদেইদস্ থুং থারমদে (করমদে)।

জেলর সাক্ষেবতা ব্রারী অসি লৌদুনা নোংমা এনা তাহল্লম্মী।

---

(১) অপাকপা মতুম তাবা শেবোং মানবা য়েমশাং জাং অমা।

মহাক্না ব্রারী অসি মখল্লায় য়াওনা তারম্মী। অতুগী মতুংদা মহাক্না নোক্কুনা হায়রম্মী, নডগী হরিদাস অতুগা ঐগা মরু ওইবা মরমদা খেল্লৈ।

— করম্না ?

— মহাক্না মহাদেববু ভমগে হোৎনহুনা ঠগ তৌরম্মী। ঐদি ভমগে হোৎনদে।

ঐনা ভক্কুনা য়েংলম্মী। মহেশ বাবুনা খরা শেংনা হায়রম্মী, ঐ হৌজিক অহল ওইরে। ঐগী জীবন অসিদা ঐনা তানবা শেলদগী পয়সা অনীদং করিগুম্বা অফবা থবক অমগী দমক কনাগুম্বা মী অমগী নখুভা হাপখ্রে হায়বা ঐ নাংশীংদে। লাহগী নোংদমদগী ( ) গৌরীসেনগী অস্পুপ চাউবা উপু অসি ঐগী হৈখুভা লাক্কুনা লৈবে। মাহুদগী পয়স অনী - মবিদ' মপা: ভাগ্বোকপা, মমা -- ভাগ্বোকপা নিপামচাশিংনা ফংজবহুদি ফংজমগ্নুনা, ঐগী করি স্থু অমাভবা লৈতে।

[তল্লামাখোঙ]

নড নডলম্মা। দাংজ্জ লংদা লেনখা ঐগী ব লো অক্তদনি। মপানগী য়ুনদা কেম্প লোরল হীপতুনা ঐ তূম্নম্মী মাংথলগী মতন হৌগ্রহুনা গন্ধ্যা ওইরাক্ল মীতুংখোঙদা লেপ্তুনা কাঞ্জীনা ঐবু হৌ-দোক্লম্মী, বাবুজী বাবুজী। কাঞ্জীগা নোকপগী ঈফুং হাংদোকথরে,

---

(১) ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পানীনা লৈপাক ভাকপা মতমদা, মীগী মরল ভোন্দুনা জেলদা লৈবা মীবু মমীং চংলা নিপা অসিনা মাগী শেল শিংবিহুনা কনবিরম্মা।

মণ্ডগী মশক ওইবা মুংশিখরবা বীণাগী ঝঙ্কার (ঝন্ ঝন্ লাউবা খোল্লেল) শন্দোরক্লে।...

ঐ থুনা হৌগৎলে। কমুং মনাক্তা থম্বা অ্যালার্ম ঘড়ীদু য়াকথ্রবা মুরনা খোংলক্লে। অহীং নোংয়ায় মতুং পুং অনী মিনিট ওরামওাগী মতমনি। রাউণ্ড চৎকদবনি। শেলনা লৈবা মীনায়শীনু থেংথ্রবা অহীংদা পোথাবগী অগাওবা মতম লৈ। ঐগীদি লৈতে হায়বা ঘড়িনা ঐওোন্দা খওক্লে।

কাইরেলগী থাশিরমদাইগী মতমনি। নিংথম্বা করবনি। অহীং নোংওাল্লমদাইদা অথোংপা হকচাংদা নিংথম্বনা চৎলমদাইদা নিদায় তৌরম্বগী শোক্লম্বনি। থেংথ্রবা অহীংদা কমুংদা হীপ্পত্ কয়াদা শুং-ঙাইথ্রবা। 'হকচাংগী অরাবনা হকচাংবু চিংই।' অদুবু মাস্তুদগী হেম্না কম্না চিংলম্মী মহেশ তালুকদারগী ডিউটি রেজিষ্টারগী মরি শুবা লাইন—" শগোলশেলগী অথেংবা অহীংগী রাউণ্ড—ডেপুটি জেলর বাবু মলয় চৌধুরী"।

হকওাং অসিবু শরো শরো চিংথুনা ঐ মপান্দা থোরক্লে, শেক্স-পিয়ারনা মাসিবু crawling like a snail কৌরম্মী। অসিগুম্বা দোষ লৈতবা বিশেষণ অসি, অসিদগী হেক্তা মকম চানা শিক্তিক্লবা লৈতে হায়বা ঐ ওসি খওলে। রাউণ্ড চৎপা জেলর নত্রগা মাগী ডেপুটিগা মহাকসিগা থক উনখিদ্রিমালে। উনরম্লবদি, মরাইবক থীবা স্কুলগী অওাংশিংগী মকোক্তা অপুপ চাউবা মিংচৎ থীবগী অরম্বসি থোনগৎপিরম্লোই।

ঐ রাউণ্ড চৎলি। ঐনা অহীংদা লালগী য ত্রা তৌথুনা থো-রক্লিবা অসি করম্বা মরমগীনো? তৌগদবা থবক্তা মায় ওনশিনবা

চেকশিনবা খুদোং থিবা নংদনবা হোংনবা অসিনচিংবা অচৌ অচৌবা য়াসি উগী মথক্তা থাঙজত্তনা য়াংহনগে হোংনরবস্নু ঐনা ফংগে তাক্লিবা হিরমদি (১) শিকার থিবনি হায়বসি ঐনা এগী ইশাগী মকমদা লোং-ভুমা খম্বা লৈতে। চাকরিগী অরাংবা মচাউদা কানবগী সিড়ি লৈরি-বশিং অহুগী মল্লংদা মাসিগু অমনি। ঐনা শিকার ফাবগী মশীং অহুনা ঐগী থৃবক হৈশিংবা, মতিক চাদা ওয়বা চৈনি। ঐনা চং-খিহুনা য়েংবদা, ঐগী শিকারগী দল হায়বদি অহীংদা চৎপা শক্তিশিং ভুম্বা তোদনা অমম্নুং চেকশিন্না লৈরি, মখোয়গী মকোক্তা কোয়েৎ অহু মকোকথক্তা লৈরি, চাদর ওইহুনা মশাদা ইনশিন্দরি; মখোয়গী মখোঙগী খোউপ অহু মখোঙদা লৈতে ওইহুনা লৈরি, মোন ওইদ্রি, —হায়বা উরবদি ঐনা পরিক্রমা (লাই কোয়ব) লাক্লিবসি অরেম্বা ওইবে। ঐগী রিপোর্টতি লাইন অমতা ওইগনি —Found every-thing in order. অসিগুম্বা চুমদ্রিং চুম্বা, সুর য়াওদবা রিপোর্ট অসিনা মথক্তা লৈবা মপুশিংগী মনাকোংদা অমৃত থীকপোই, নিপাসি ওয়ার্থলেসনি হায়রহুনা মনাতোন শুগৎতুনা থোওই উশিন্নবা উৎকনি। মা অতৈগী দোষ পুথোকপা ওমদবসি এগী ইশগী দোষ লৈবগী অচৌবা প্রমাণনি।

অহুবু লাইবক ফংবদি, ঐগী রিপোটকী লামায় অহু মচু য়ামখুবা শিকার ফাবা য়ারীগী রস য়াওনা থুংহনা থনগনি। কনাগুম্বা মী অমা মখুত্তা চৈ পায়রমদে, কনাগুম্বা মী অমগী যুদ্ধিত্তা কুদাম য়াওরমদে, কনাগুম্বা অমনা পোথাবা লৈতনা শক্তিগী খোংচৎ চৎপহু

(১) শ। তানবদা ফাবা শ।

মিনিট অনীদং লেপখ্রে. কনাশুম্বা অমনা মানা খোঙথাঙ চৎপগী সীমানা লাম্থোকখিত্নুনা মরৈবাক্তগী হন্নকপদা ডায়রিবা ডাক্ট অমগী রাস্ৰী কয়া শারি। অসি নত্তবা sleeping while on duty গী মী অমনিস্নু য়াওবা য়াই অহাংদা শন্ত্রি চঙবা মীগী খ্বাই পুন্নমক্তগী হেন্না শিবা য়াবা মরাল— তূম্বনি। তূম্বা। মাহুগী মচু য়াম্বা মশক! মীং উইশিনবা হায়বসি নিদ্রাদেবীগী আসন (কল্লবা ফীদা) নি হায়না অন্নপ কুৎবাস থঙলম্মী। কমুং য়াওদে হায়বা থিদে, অঙাডগী মমীত্তা নিদ্রাদেবীনা ফম্মী। অতবু অঙাডগী মমীৎ পাঙচনা লৈরবদি অঙাঙ তূম্বশুম্বা মন্দোন অদু অঙাঙ শুমফমদা ফমন্থনা লৈবা ঙমদে। ইম'-ইবেনবোক্কী মফমদগী রাসি তারকই। মখোয়না অঙাঙনি হায়না নমথাক তৌরম্নি হায়বসি ঐনা রাউও চৎপা লাকপা অসিদা ফারে। মখূত্তা পায়রিবা চৈগু আস লৈপাক্কা থক্ থক্ শুন্থনা শন্ত্রিগী খোঙচৎ চৎলিবা সিপাহী অসি মখোঙ অনীদু তাল চপ চপ চানা থাংলি, মমীৎ মীৎয়েংদ শূন্যদা য়েংই, মনাক্তা চঙশিনবিয়ু মানা তূম্বগী মনাতোম্বা নাখোকপা অদু তাবিগনি। মাগী মমাঙদা লেপ্লিয়ু, মহাক চঙশিল্লকুনা নংাক্কী নমায়দা থেংলগান। মাগী মকোক্তা উপ্লিবা টুপী অদু লৌথোকপিয়ু, মহাক থঙলোই। মরম্দি মহাব মীকপ থোকত্রি। ভূমথূল হুন্থহনা ভূম্নি। শিগদোরবা মীনা মমীৎ অনী অদু মথক্লোমদা লেংওৎপা তৌদনা য়েংথৎতুনা লৈবশুম, মমীৎ অনী য়েংথৎতুনা লৈবা লৈপন্ন মনাক্তা লেপতুনা লৈবা শন্ত্রি অসি, চপ চাবা অ্যাটেনশনগী ডঙ্গীদা মথূক্তা চৈ পায়রি, ঐডোন্দা ইকাই খুম্নবা উৎপগী মওঙদা, মশা লেঙদে, মকোক হাই হুম্বা তৌদে,—মাগী জ্ঞান

বুদ্ধি তূখনা কুপশিন্দুনা থম্লবনি। ই.মখোয়সি (১) হঠযোগী নত্তে, কিন্তু ঘোষণী আখড়াদা (২) চন্দ্রনিদ্রাসন (খোঙ থাংতুনা চৎনা চৎনা তূম্বা আসন) মন্ত্রগা য়াম্না ভমথীনা রানা তৌবা অরুবা আসন তমদে। অহুম্নদি ওইরগা মাসি মতম কুইনা লাই নীংবদৌনা অভ্যাস তৌতুনা (তন্দতুনা) অমম্লুং মাতুগী মরুদা থরায় হিংনবগী য়াম্না কান্নবা ওইতুনা তৌব' ভাবনি। মাগী মপুন্সীদা অহীং অমতং ফাওবা ফমুংদা হিপ-তুনা তূম্বা ফংদবা মী অসিনা (৩) নিদ্রা—বশীকরণ (তূম্বা—থুহম চনবা) গী অরুবা থবক মওঙ অসি তমদবা য়াদতুনা তম্ব তাবনি। অসিগুম্ব' মহৈ অসিনা ঐখোয়গী য়াম্না চেকশিন্না য়েংবা মীত্তা উফুল চাইশিন্নি অমম্লুং মী হাংপা ওম্বা ঐখোয়গী কলমগী মথূত্তগী মুক্তি ফংই। অসিগুম্বা কোয়না চৎতুনা অমম্লুং লেপ্পা লেপ্পা তূম্বা হৈত্রিবা মীশিং, হীপলগা তূম্বা মীশিং, হায়বদি যোগ নত্রগা বিজ্ঞানগী করি-গুম্বা থবক মওঙ অমা তৌদনা লৈপাক্ত শাংনা হিপতুনা তূম্বা মীশিং অহুক্তি মুক্তি ফংদে। অহুম্নদি ওইরগা উফুল চাইশিনবা হায়বা থবক্তী মথূত্তগী ঐখোয়গী মীৎ অনীসি মুক্তি ফংদ্রি হায়বগী মীৎনা উবা লাক্কীদি ঐখোয়গা থবক তৌমিন্নব' তাদা মহীতোমনি।

---

(১) হ=মুমিৎ, ঠ=থা, মুমিৎ=প্রাণ, থা=অপান বায়ু। প্রাণ অপান অনী সংযোগ (পুনশিন্দুনা) যোগ তৌবা। যোগীনা মশাদা ভাড়না (অন্নাবা) পীতুনা মরুওইবা আসন ৮৪ ফমদুনা যোগ তৌবা মওঙনি।

(২) হঠযোগ প্রণাগীদা চন্দ্রনিদ্রাসন কৌবা আসন লৈতে। গ্রন্থকার-না হাস্যরস হায়বদি মীনা নোক্নবা শেম্বা আসননি।

(৩) নিদ্রা-বশীকরণ হায়বা বাহৈ অনীসি গ্রন্থকারনা নৌনা শেম্বনি।

অফবা মীনি হায়না মহীতোষ বাবুগী মিংচৎ অথীবা লৈরম্মী। মহাক্কা পুরা থ, অহুম র'উণ্ড চংপদা শিকার অমতা ফাদবা অসিনা হাহরিব। অথীবা মিংচৎ ফ'ংসি মরম লৈতবা নত্তে হায়বগী প্রমাণ কংখ্রে। মহীতোষনা রাউণ্ডগী মমীং হেনগৎলে অমসুং মতম শাং- যোকওয়ে। অদুবু মরাইবক কব য়াদ্রে। রাউণ্ডদা চংপা মতমদা রাউণ্ড চংপা খুদীংগী (১) পোষ্ট অমা নত্রগা থাঙ্গি (হাংদুনা) ওইদুনা মী লৈতনা লৈরম্বা মহাক্কা নোংমা উবে। লৈরমদবা সিপাহী অদু কদায়দা চংখ্রে হায়না হংবদা মহাক্কা থংননা লৈবা ওয়ার্ডার অদুনা মফম অমগী মমীং হায়রম্মী, মীওইবন মফম অদুনা কৌবদু হিংদুনা লৈনবগী দমক হীকতোক লাক্তোকপা য়াদবনি। নোংমদি মহাক্কা নিপা অদু হল্লকপা ঙাইদুনা লৈরে। মিনিট তরামতা, কুন, পুংখায় অম হৌথরে। থংনন লৈবা সিপাহী অদু তপথবা লৈত্রে, অদুব মহাক্কী মক্লপ অদু মশক উৎ ফংদ্রে। তদ মহী তোষ উ অমগী মখোইদা লেংদনা ফম্মে। মতম থরগী মতুংদা শত্রি বদসী (শিনবা) গী কন্সী খীংলক্লে অমসুং অংৌবা সিপাহী দল অমস্মু লাক্লে। হান্না লৈরম্বা দল অদু চংখিবা তারে। মহাক্কা ঙাইরিবা নিপা অদুগী (২) অগস্ত্য যাত্রা লোয়বা নাইদ্রে।

---

(১) শত্রি তৌবা মফম। (২) মতম অমদা বিন্ধ্যা চীংজাওনা অসুম রাংথৎলকুনা মুমিংকী লম্বী থিংগে তোরবদা অগস্ত্যমুনি লাক্লুনা থাম- খি। "ঐনা হল্লক্তিবা ফাওবা নও রাংথৎপা লেপতুনা লৈরম্মু" হায়- রম্মগা অগস্ত্যমুনি থরাগী নোংমা পানবদা দক্ষিণাপথদা চংখ্রে, অমুক হল্লকত্রে। মরম অসিদগী থরাল থাগী নোংমা পানবা মুমিত্তা যাত্রা তৌদুনা লংকৈ চংখ্রবদি মী অদু অমুক হল্লক্রোট হায়দুনা মানা যাত্রা তৌদুনা চংখিবদু অগস্ত্যযাত্রা কোই।

অহুগী মতুংদা মানা লেপ্লম্বা মক্ষম অহুদা মা লৈত্রা হায়হুনা খিরে। কনাস্থ লৈরমদে। মহীতোষ বাবু নীংবা কায়রহুনা গতি লৈ-ত্রহুন। য়ুমদা হুল্লগে হায়হুনা লেপথৎলে, খঙহৌদনা উগী মথক্তগী ঝুপ লাউনা করিনো পোং অমা মহাক্কী মকোক মথক্তা তারকে। করিনো অসিদে? খাকী মচুগী টুপি কদায়দগী তারকপনো? অহানবদা ভূত্তনা তৌবা থবক ওইরবোই নীংলম্মী। অহুবু থেংথ্রবা অহীংদা উগী উশাদগী মবূক তপ্পা, মীগী থবক্তা মথূৎ থিংজিন্দবা, ভদ্রলোক অমগী মকোকথক্তা টুপি থাদরক্নুনা ফাগী তৌহুনা ভূত্তনা মুংঙাইবা রস ফংলমগত্রা হায়বগী মরমদা মহীতোষ বাবু মপূক্নীংদা চিংনরে। মহাক্কা চিংনবহু কোকপদা খিনবা তৌদ্রি। মাঙথিবা সিপাহীহু থীবা ফংলে! হায়রবদি ফত্তবা চিন্তা তৌবগী মরম লৈতে। মহাক (১) অন্নাংবা উগী উশাদা মহুম শাহুনা, য়ৈথায় থিনগাইবা লৈতনা অমস্তুং মশা। ফনা তূম্বগী মুংঙাইবা ফংহুনা লৈরম্মী। মাগী মকোক্তগী তারকপা টুপি অহুনা মতম চাদনা থাজবা হাংলমত্রবদি মানা মুংঙাইনা তূম্বহু অকায়বা লৈরম্মোই।

(১) "উচ্চ বৃক্ষচূড়ে বাঁধি নীড়" হায়বা quotation অসি মাইকেল মধুসূদন দত্তগী সীতা—সরমা সংবাদতগীনি। সীতানা হায়খি— হে মীং ফজবী। "উচ্চ বৃক্ষচূড়ে বাঁধি নীড়" হায়বাদ অন্নাংবা উগী উতোন্দা লমথুন্ন লাবা অমোম মতৌ মনাওনা মহুম শাহুনা পান্নবগুম ঐখোয়স্থু গদাবরী তুরেলগী মপান্দা লেরম্মী —"ছিনু মোরা সুলোচনে, গদাবরী তীরে, কপোত কপোতী যথা উচ্চ বৃক্ষ চূড়ে বাঁধি নীড়।"

থোক্লিবা শবক অসি হান্না খলহৌদনা হেক্তা থোকখিবা নত্তে হায়না মহীতোষবাবুনা অসিগী মতুংদা পুথোক্লে। উগী উশা অচৌদ অহুমগী তিন্নকম অপাকপদা কখল থাহুনা। লৈরম্মী অমম্মুং মাহু নিয়ম অমগী মতুংইন্না ভূম্নবা লেংদ্রবা বন্দোবস্তুনি। মাসি নিপা অমতগী বন্দোবস্ত নত্তে, মশুঙ চুম্না মীয়াম্না তৌবা কারবারনি। অতোংবা শবক অহু ময়াম চপ মান্নবা য়েংলম্মী। হায়বদি সিপাহী খুদীংমক মথং মনাও নাইনা ভূম্বগী মুংভাইবা ফংলম্মী অমম্মুং মাগী শক্তি য়াও-দবা পোষ্ট রাউণ্ড অফিসারনা উবা মতমদা মনাক্তা লৈবা মরূপশিংনা মরম পীরম্মী— Call of nature Sir.

মী পূম্নমক মহীতোষ বাবু নত্তবসি জেলগী মপুশিংগী মরাইবক ফবনি। ফাটকশিং ডাকপা শাস্ত্রশিংগী মরক্তা (১) ওকহা য়াওবগুম রাউণ্ড চংপশিংগী মবক্তা কৈনা কিবা মঙ্গে অনী—মরি য়াওরম্মী। মতুংগী পূম্নমক্তুগী চাউবা হেনবা খুদমদি ঐখোয়গী 'গগন ডিপটি' নি। ভদ্রলোক অসি মাগী ফমদি বেরানীনি, অদুবু ফিজেত্তি ডেপুটি জেলবনি। মমীংদি গগন হালদার কৌই : সিপাহীশিংনা গগন ডিপ্‌টি কৌই। মহাক্না কেরানীনিনা "রাউণ্ড" চংপা মাগী তৌফম থোকপা শবক নত্তে, অদুবু মাগী য়াম্না হেন্না হোৎনবা অমম্মুং থৌনা ফবা

(১) জঙ্গলদা হৌবা ওকহা থডদহুনা চারূবগা মাহুগী অরেংবহু মঙ্গে চারগা কৈ। "যেমন বুনো ওল তেমনি বাঘা তেঁতুল" হায়বা বাঙ্গালীগী পাউরো অসিগী অর্থদি জঙ্গলদা হৌবা ওকহা চারূবগা মাহুগী অরেঙবা হুও) কৈনা কি হায়নবা মঙ্গে চারগা কৈ। ভাবার্থদি মী ফওবা লৈরবদি য়াম্না তমখিবা শাসন তৌবা মীশ্ন লৈ হায়বনি।

থবক হৈবা মতো উহুনা, রস থওবা জেলর অমনা রাউণ্ডগী তালিকা (list) দা গগনবাবুগী মমীং হাপচিল্লন্মী। মতম অন্ধদগী মাগী তোৌবা ওস্বা শক্তিনা সিপাহাশিং নীকহল্লন্মী। শন্ত্রিগী থোংচৎ চৎনা চৎনা মী কনাগুম্বগী মথোং অহু মিনিট অনীদং লেপ্লবদি, চৈ অহু কোনশিন্দুনা মমীং অনীহু উংরবদি, বাবু অতৈগী মফমদা কপচ— লাউজবা য়াই, মুক্তি ফংবা য়াই অহুবু গগন ডিপুটিগী মফমদগী মুক্তি ফংকম লৈতে। মরম অহুনা মাগী রাউণ্ডগী লেং থোকপা হুমিত্তা সিপাহীশিংগী মহুমদা য়াম্না চেকশিনবগী অরোয়বা লৈতে। মাহুগী হুমিং অহুদি মী পুম্নমক য়াম্না মপুং ফানা ফবা নিপামচানি। Every thing in order. গগন বাবুনা মাসি পামদে হায়বা হায়মনবা নত্তে। মাগী কলমনা মচীন তুম্বা হৈনা থিনবগুম থিনবদা মী অনী— মরিদং লৈপাক্লা তুদ্রবদি মগাক্লী ডিপুটিহু অহু করম্না ঠিক ওইনা লৈগনি? অহুবু মরাইবক থীবনি, সিপাহীশিংনা লোতুনহুনা মাহুগী থুদোং চাবহু মাওোন্দা পীরমদে।

নোংমদি মহাক্লা অনৌবা উপায় অমা তোগে হায়না খল্লে। গগনবাবুনা খওই, এথোয়স্ন খংদবা নত্তে, রাউণ্ড লোয়বগা শন্ত্রিশিং পোথাবা পাম্মী। মরে, গ্রহচশাগী অরাবা কোহে হায়হুনা মথোয় পুম্নমক হুংডাইহুনা হু শাস্বব লেনা তানা হোল্লি। কনা কনাগুম্বনা থোংউপ লৌথোক্লুনা পোথাম্বনা ফমী, কনা অমনা উগী উথাদা নত্রগা য়ুমগী দারিবানগী মপান্দা হীপই। গগনবাবুনা অসিগুম্বা তাল্ চাদবা মতম অসিগী থুদোং চাবা লৌরে। পরিক্রমা অমুক্তং কোয়বা লোইরগা পুংথায় অমা আফিসদা লোৎতুনা লৈরে। অহুগী মতুংদা দিগ্বিজয় তৌবা হোৌরে। হন্দক্তি মমল য়াম্বা শা তান্দুনা ফাবা শানা

মাগী লাংহু থল্লে। ভূমহুনা লৈবা মী মরি, ক্ষমহুনা উইবা মী তরুক তরেৎ, অহুদা নন্তনা মকোক্তা টুপি উপ্লমদবা অমসুং মথাংদা পেটী লাক্লমবা মী ভজন অমরোম। অহুগী মতুং নোংমা কোনবদা অযুক্তা আকিসদা মী য়াম্না দণ্ডি পীখরে। গগন ডিপুটিগী ফজবা মিংচংকা মম'ভদা অচুম্বা ডিপুটিশিং মমায় মকশিনখরে।

রাকচীং থাগী ময়ায় চল্লকপা মতমনি। পদ্মাগী তোর্বান্দা লৌবুক লম্বাওদা জেল লৈরম্মী। অহুগী মথক্তা অরাং থংবা বাঙ্গলা দেশগী অঙ্গংবা। হকচাংগী শরূ মমুংদগী ঈংবনা নীকপা হোরক্লুনা হকচাংগী মকম পুম্নমক শিম্ হ্নো শন্দোক্লকই। অহীং নোংয়ায় মতুং পুং অহুম মথায় তাবা মতমনি। মাইকৈ মরিমক লৈচিন্না কুপখরে। লৈচিনগী নোং মরীকশিং নোং চুবদোনা চুথরক্লি; হকচাংগী শরূ —তোংদা তিংথংগুম্না য়ুরি। মশা অপুম্বা কীনা য়োম্শিন্দুনা, মমীৎ অনীহু কীগী মপান্দা থমহুনা সিপাইগী দল মকম মকমদা থক্ থক্ নীক্লুনা লেপলি। অসিগুম্বা অকিবগী মশক ওইবা অহীং অসিদা শাংথ্রবা চেকপলগী ময়াদা তপ্পা তপ্পা চৎলিবসি কনানো? মথোঙদগী মকোক ফাওবা কম্বলনা কুপশিল্লি, লৈচিনগী সমুদ্রদা তাউহুনা লৈবা পোঙ অমগুম্বনি। নম্বর তরেৎকী কোণাহু হেক লাম্থোকপদা চেক-শিন্না লৈবা শল্লি অহুনা লাউরক্লে, ফাটক চেল্লে। অসিগুম্বা অকিবগী মশক ওইবা পাউ অসিনা মী পুম্নমকী মনাকোংদা তেলগী তেলজিন-গুম্না থিল্লে। হুইসল্ থোংলক্লে, অহুগা লোয়ননা গেট—শল্লিনা অ্যালার্ম খীংলক্লে। মনাক্তা লৈরম্বা মী পুম্নমক মথুক্তা চৈ পায়হুনা চেনশিল্লক্লে। থুদোং চাদবা মওঙ উহুনা "কম্বল" অহু চেল্লে। অহুবু মাইকৈ মরিদা সিপাহীশিংনা কোয়শিনখরে। মানা করিনো রা অমা হায়বহু কনানসু তাক্লে। মীয়াম চঙহুনা রাথল তোদনা থুরে।

মিনিট থরগী মতুংদা মপুশিংনা লাক্লুনা মক্কম অতু য়োরঙ্কপা মতমদা, মীয়াম্না "কম্বল"বু শোহুনা কোন্দুনা হাসপাতালগী বারান্দা মথক্তা থাঙ্গ.লে। মমায় মমীং ইপোম পোম্লে। মী মশক খঙবা য়ারে। মহাক্ন অরাবা খোঞ্জেলনা য়া ভাউলকপন্থু তাবদা কম্বল ইনবা নিপাসি ফাটক মীচেল ওইরমম্রে। মমীংচৎপা রাউণ্ড য়াম্না হৈবা গগন ডিপ্‌টিনি।

হান্নগী য়ারীদা হল্লিল্লসি। করিনো ঐনা হায়থিবদো? ঐ রাউণ্ড চংলি। অহাং নোংয়ায় মতুং পুং অনা মিনিট কুনমঙা। লন্বী থরদং চংলগা মাহকৈ মরিদা য়েংবা মতমদা, মিকুপ অমগী মমাংদা পুল্লপ পুনশিল্লম্বা পুঙ্খাংগী অরাবা চোকথবা অমদি— পেন্দবা মগুড অহ মখোল পোক্লনা চংখ্রে। অসিদি করম্বা পৃথিবীনো? মাসিগী মাইকৈ খুদীং, মথুল থুদীং বসন্তগী লুপা মচু মানবা থাবল মঙালনা থুমথরে: চাকখ্রবা ভর্হাংগী মশা অপুংদা "শোভা (ফজবা) সম্ভ্রম (হকাহ থুম্নবা) ও শুভ্রতা" (অঙোবা) না শিন্থুনা কুপথরে। হুংখিলগী মুলাংং মঙালদা কন্নিম্মু জৈতব তোনখ্রবা অমম্মুং মশক থাবা ওইরম্বা পোং পূন্নমক অহু থাবল মঙালগী মায়ানা শোকপদা ফজবা। অমম্মুং সম্মান ফ বা য়াবা ওইরে। শুভ্র—লৈঙোই তৈবা তেক-লবা য়ুম অসি (১) রূপকথাগী নিংথৌগী কোম্লংগুম্বনি। তিংংং পাম্বা ময়াম হোৎবা মফমসি মায়াগী লৈকোলনি। খঙহৌদনা ফদায়দগীনো ব শীগী সুর হুংশিত্রা তাউংনা লাক্লে। মশ। য়াববা হুংশিখ্রবা বেহাগ রাগগী পুক্লাং লাংতক্লহনদা। কনানো মাসি? কনাগী, থমোয়

---

(১) য়ারীগী।

লাংভক্লইনবা ৱাবনা কপ্লগী মহী চেল্লবা মরীন। ফাইবেল থাগী অহৌংগী মবূক্তা ওনথোকনা তাররে ?

গেট লান্দুনা চঙশিল্লে। ১২৭ ঠিক ওইরি, হুজুর, ৱাইথু শো মীহুংথোড পুন্নমক ঠিক ওইনা লৈ — 'দো-সে-তিন্‌কা' (নম্বর অনী-দগী অহুম শুৎগী) চেকশিনবা শম্লিনা মখোঙগী বুট পৈপাক্তা থীন্দুনা সেলাম তৌহুনা রিপোর্ট তৌরম্মী। হায়রবদি নম্বর অনী অমসুং অহুমগী ওয়ার্ড পুন্না ফাটকশিংগী মশীং ১২৭ নি ; অমসুং মখোয় পুন্নমক মশীং শুনা লৈ—ৱাসি শ ল্লগী ভ'র পুবা ওয়ার্ড রনা খঙহল-লম্মী। ঐনা য়েংবদা ব্যারাক অনীগী মনুংদা ফাটক মী ১২৭ কী মী অমা ফাওবা লৈরমদে। ফক্না ফক্লাঙ থারম্বা অমদি ৱাগী কনম্না শাবা মীহুংথোঙ কদোইঙ মাঙখরে অমতা লৈরমদবে। ফাটকশিং লৌবক্কী মফম মফম খুদীংদা লৈরম্মী, ওয়ার্ড অতৈগী বন্দীশিংগা পুন্না লৈরম্লে। অহুমদি ওইরগা ৱাইথু-শো পুন্নমক লোন্নুনা লৈরম্মী, অমসুং ৱাইথু-শোগী মপাঙ্গল অহুম চিংহুনা পরীক্ষা তৌহুনা নিয়ম চুন্না য়েংলম্মী। পুং অনীগী মতুংদা অনোবা শগ্রি লাক্কুনা মী লৈতবা যুমগী ৱাইথু-শো চিংহুনা য়েংলগা অমদি মীহুংথোংদা মখুংনা য়েংহুনা য়েংলগা রিপোর্ট তৌরি পুন্নমক ঠিক ওইনা লৈরি, হুজুর।

অমুকম্ভ চঙশিল্লে। মফম খুদীংদা অকোয়বদা চাইনা চাইনা মী তুমহনা লৈরম্মী। মবক মরক্তা বুটকী ঠকাস ঠকাস শব্দ। পুন্ন-মক্কী মথক্ত পোত্থাবা নাইদনা বাঁশীগী স্বর তাউথরক্লে। নম্বর তরা-নিথোইগী কাচিন অমদা মেহগনি উগী মখোঙদা নূংচনবা অপীকপা মফম অমা। মাহুগী মথক্ত ফমহুনা স্বর অসিগী ঈল শারিবা নিপা অহু, ঐনা মাগী মনাক্তা চঙবহু থঙল্লে। ঐ তুমিন্না লেপতুন লৈরম্মী।

অহুগী মতুংদা করম্বা মতমদা মাগী মনাক্তা ঐ কমথরম্মী অমম্বং করম্বা মতমদা মাগী বাঁশিগী স্বর অহু লেপখিবগে হায়বা ঐ খঙবা ভমত্রে। মানা ৱা ভাংলকপা অহু তারগা ঐ খংলম্মী—করি পাউ পুবিরকই ডিপুটিবাবু ; আইন কায়রে নত্রা ?

মীকুপ অমগী মমুংদা ইশাবু তপথহল্লুনা হায়রম্মী—খরদি কায়রে।

— বাঁশিসি মুন্দুনা লৌবিরগত্রা ?

—লৌবদি চুম্মী। অহুবু ঐবু লৌবা ভম্মিত্রা ?

—করিননো ?

—মুন্দুনা লৌবগী পাঙ্গল অহু নহাক্না ঐভোন্দগী মুন্দুনা লৌত্রে। (১) কবিত্ব য়াম্না ওইরে ; করি হায়রিবগে ?

—মাহু খরদি ওইরে। অহুবু হায়বিত্রিবা অহুনা অচুম্বা ওই-রবদি নহাক্না লম্বী অসিদা লাকপসি অচুম্বা নত্তে। নহাক মিস-ফিটনি (জেলগী থবক্তা নহাক্না চুনদে)।

ঐনা হায়রম্মী, ৱাহুমক ঐনা নহাক্কী নফমদা হায়নীংই, অনি-মেষবাবু। মা স নহাক্কী লম্বী নত্তে।

—করম্না ?

—নহাক্কী নখুৎ হৈবা মীনি। নহাক্তি (২) রসস্রষ্টানি। নহাক্কী লম্বীদি ফজবা নীংথীবগী লম্বীনি, খৎনবগী লম্বী নত্তে। রাজনীতিগী অঙম্বা লম্বীদা ইতত্তনা থুদি থীগনি, অপাম্বা মীমানাদা কৈদৌঙৈ-দস্ব থুংবা ঙম্মোই। অনিমেষ তুমিন্না লৈরে। ভাইহাক লেপ্লগা ঐনা

---

(১) কবিগী মওং। (২) কাব্য রস শেম্বা মীনি।

অমুক হায়রম্মী, লম্বী অসিদা অনগা অমগা তক্নবা থংনবা লৈরে, নহাক্না হায়বা য়াই। মহাত্মাজীদি শান্তি পাম্মি। মহাক্না হায়বম্মী ইংরেজগা ঐখোয়গা থংনবা লেতে, মাদুগী মতিংগা ঐখোয়গী অসহযোগ (non co-operation) নি অদুবু মাতু লৌনবা হৌদি কোনবগুম্বা ইয়েং য়েংশিনবা – চক্রি থাবা ব্রতচনি। অচুম্বদি অমা সিগী মরক্তা খেন্নবা কবিম্ব লৈরে।

অনিমেষ ঐগী ব্লাউজ অসিদমক্তা লান্নি হায়না খেংপা তৌরে। হায়গুম্ব কমতুনা লৈরে। ঐনা হংলম্মী— লাক্তা, মখোয়গী হিংসা য়াওদবা অসহযোগ অসি নগাক থাজবিরা?

কবিমতা চিংনবা লৈতনা খুমক্রে— না, থাজদে।

— মখোয়গী খদ্দরগী ফিলজফি অসিদি?

—মাদুসু থাজদে।

—হিন্দু—মোসলেম ইউনিটি (পুনশিনবা) দি?

—না, পোৎ অদু ঐ থাজদে।

ঐ নোক্লে, অদু ওইরবদি ঐ হায়রে, নহাক্না থাজবা য়াবা, কপট (মরৈমরা চাউবা) নত্তব হায়মী অসি মখোয়সিগী লৈতে।

অনিমেষনা হায়গী ওকথবা অদু কায়দনা হাংখ্রে, মীগী পুন্সীগী থবক লমজিংবা মত (principle) কী মরমনা ঐগী খোক চীকপা লৈতে, মলয়বাবু। ঐডোন্দদি মীওইবগী থিংজিনদগী মী অমনা হেন্না চাউই। মাদুগী মরমদা ঐনা থাজবা অদু মমীৎ তাংচবগুম্না চুম্মী চুমদে বিচার য়াওদবনি অমসুং লেংলরোইদবনি। মফম অমদা করিগুম্বা চুমিত্তা অকায়বা লাক্লবদি মাসিগী লম্বীসি থাদোকই।

চপচাবা নত্তী অ[illegible]গী মতুংগী রানি। অসিগী মমাংদনা মহাত্মা-জীনা মহাক্না পুখৎকখিনা হিংসা যাওদবা non co operation গী movement অদু হিমালযান ব্লাণ্ডার (হিমালযমুক চাউবা অবাংবা) নি হায়খনা ঘোষণা ([illegible] পূর্নমক্ত [illegible] খণ্ডহন্দুনা) তৌরুনা হকথেংননা শোর[illegible] লানফমদগী হন্দোকখ্রবনি। মহাকনা অমসুং মহাক্কী দলগী নেতা ([illegible]) শিংনা কৌবদা স্যর আশুতোষগী (১) গোলামখানা হায়বনি [illegible] মখোইদুনা ক'ওরমজুনা মপান থোকখিবা ছাত্রশিং, অদুগী [illegible] বাময় তমা লোং চুব দৌনা চুথবক্রে—ছাত্রাং ন অধ্যযনং তপং [illegible] ছাত্রশিংগী দি লাই-ব্রিক তম্বনা তপ কৌবনি [illegible] তপস্যা [illegible] হবদি লাকনীংবা নৌনা অমুক হৌবগী [illegible] অসিগী মকমদা [illegible] বশিং তুমিন্না লৈখ্রে [illegible], [illegible] লৈরবা মীশিং অসিব অমঙ্ক সন্ধা[illegible] অ'সিদ কৌশিংবিনবা কন সু লৈত্রে।

অসিগুম্বা [illegible] মীযাম [illegible] মবক্তা [illegible] মাবু [illegible]। মশক থণ্ডনবা [illegible] কৌনা [illegible]। মানা [illegible] পাঙ্গ্রা [illegible] থোং-উপ অদু [illegible] অমা [illegible] হায়বংদি তোয়না [illegible] অনবা [illegible] অদু কৌব মচু

(১ স্যর আশুতোষ মুখার্জী [illegible] কলিকতা ইউনিভারসিটিবু non-co-operation movement গী মতমদা ব্রীটিশগী মীনাইগ শেংবা মীনাই[illegible] [illegible]

মানখ্রে। মাগী বয়স য়াম্দ্রবদা চহী তরা হেনগৎনা অহল ওইনা উরে। ঐনা হায়রম্মী - হৌঃহ্‌ক কবি তৌবিরি? কলেজদা ভর্ত্তি তৌবিদ্রবরা?

—করম্না মিং চনগনি? কমা শিবে। চাউরবা ইচনুপী অনী ঐগী ডকশমদা য়ান্দুনা লে, অদুগা হনা ৩ নপা অমসু লে। চাকরি তৌগে থবি।

— চাকরি তৌগে না বিরবদি বিঃ এঃ পাস তৌরবদি খুদোং চাবে ইদরা?

অনিমেষনা নোংক্লনা হায়বকই, পাস তৌনীংলগা হেক তৌবা য়াব [illegible]। [illegible] লাশা [illegible] কবি ওহজবা ফংগনি? [illegible] মী পূম্নমক্না ঐবু [illegible] ইঙ্গিত তৌই। গভর্ণমেণ্ট অফিসদদি [illegible], মাকেট (লল্লোনবা) অফিস [illegible]। [illegible] করম্বা নৈ? তলব থাদা [illegible], কুন— [illegible] ঐ [illegible]।

—অচৌবা, ঐ [illegible]।

মাগী মশাগী ঠিকানা [illegible] পীবম্লগা অনিমেষ মীয়াম মবক্তা চত্থরে। [illegible] অদোমদ মতম থরদং ঐ য়েংদুনা লৈরম্মী।

অনিমেষ বিশ্ববিদ্যালয়গী মমাং চৎপা ছাত্রনি, মগী লৈখ্রাবা মমা, মচল [illegible] অনী অহনগী আশা তৌম ওইরম্মী। মচানুপা [illegible] মী ওইদ্রিনি, অদুগা নুপানবগী অরাবা [illegible] আশা তৌবম্মা। আশা অসি তৌহনা

মহাক্কী অরৈবা মবল্ মগম অপূম্বা মচানিপাগী ফনবা হোৎনবদা থরম তৌত্থুন লোগথে হৌরবনি। অহংগী মতুংদা কদায়দগী করি খোকথরে। মচানিপানা কলেজ থাদোক্তুনা জেলদা চংখ্রে, মমানা নাত্থুনা ফমুংদা হিপখ্রে। মনা ফমুংদা হিপখিবা অত্থুদগী অমুক হোৎনজক্তুরে, অহুগী মতুংদা নোংমা মহাক সংসার অসি বিদায় তৌরমদুনা চংখ্রে, লাইযেংদন শিবা ওইবনগনি। মযুম পান্দ্রবা চঙজকম লৈত্রবা মনাক্নুপী অনাগা অমাদ সহায উপায় লৈত্রবা অভাও ওইরিবা মচানিপা অমগা থনমত্থুনা শিখ্রে। মহৈমশীং হৈত্থুনা শেংলবা, শুংঙাহন পাল্লখ্বা অফবা অচৌবা ভমুং অসি ঈশিং ঈচাওদা তাউথখরে।

নানাংথ অমঙ গনীদ নংঙ। অমুম তৌত্থুনা অনিমেষ লৌশীং লাশা অমম্ম মথে থগী নমায যত্থুনা লব নিপান্নুপী অভাং লৌশী করামুক মতম অত্থুদা, মমম ওইন নংানবা (middle class) মহৈ মাশং হবা বাঙলাগী যুম যম খুদীংদ পুখ্রগী ঈশিং মন্নংদা লুপথরে। মাহুগী দাযৌ করনালো? ঽ জনাতিগী অৱ ঢবা মচাড মথক্তা কোয়ত্থুনা লৈথ নীশিংন হাযবা থাদ, মথোয় অসি স্বাধিনতা (নীং-থা তম্বা) গী থংলদননি। লৈপাক পূন্নমক্তা ইতিহাসকী অধ্যায়শিংদা অচৌবা থদক পাংথে কপাগী ঈংন্দা, অসিগুম্ব থরদং অমাঙবা অসিদি, নাপী-গুম্না তাউথখি। স্বাবিনতা পাম্ব, মাগী মথোড়দা নোন্দুনা লৈবা দেশগী ম্যাসিদি অমতা ওইবা অরোয়বা থরক্নি। মাহু ঐ যামদবা তৌদে। লৈংগী অনিদগী হেন্না চাউবা হুংঙাই-য়াইফবগী পুনা লৈত্রবা অর্থ অহু পূক্নীংদা ফাওনবা, থওনবা হোংনরম্বী। অহুমদি ওংরগা অনিমেষগী চাদবনা কংশিল্লবা মমায় অনপ্পুং মাবু কোয়শিন্দুনা লৈবা মশক উত্রিবা

শক থজনবা, উপায় লৈত্রবা (১) কিশোর – কিশোরী অহুমগী মক-শিনগ্রবা মথায় অহু হন্না হন্না ঐগী মীৎ ময়াদা [তাউহনা পাইহনা লৈত্রে।

ব্রা অমদি হংহৌত্রে। অনিমেষনা অন্ধবিশ্বাস (চুপ্পী চুমদে বিচার তৌদনা, চিংনবা লৈতনা থাজবা) তৌবা অহু ওসিন্থু কায়দনা মপুং কানা লৈরিত্রা ? অপীকপা চেকথায়বা ছিত্র অমা কাওবা করি ওব্বা মকমদা মশক উংত্রিবরা ?

[তরানিথোই]

হাথু হাথু তৌগদবা থবক অমতা টেবিলদা লৈত্তে হায়বা ঐ অফিসদা লাক্লগা উরে। গতি অত্তৈ লৈত্রহনা ডাকঘরদগী লাকপা ডাকী কাইদ চিংশিন্দুনা মথক মথা ওন ওন্দুনা য়েংলম্মী। মাহুম্থু য়েংবা লোইরে। অরোইবা চিঠি অহু য়েংহনা তুমিন্না ফমহনা লৈরম্মী।

কীর্তনগী ঈশৈ গুণ গুণ ওংহনা শৌরাইহনা হৃদয়বাবু চডলক্লে। মকোক্তা উপ্পা হেলমেট অহু ব্রেকেটতা য়াক্লগা মখোঙ তিংথোক্লনা থুংঙাইনা ফম্লগা সিগারেট অমা চত্নে অমম্থুং মৈথু থরা কামথোকলে। অহুনী মতুংদা ঐতোন্দা মীৎচিনা য়েংহনা হায়রকই, য়েংবিরিবা [বিষয় [illegible]

(১) বকল মহী ১১ মনী ১৫ কাঁওবনী মহুংদা লৈবা অচাংবু নিপানা কিশোর, হুপীনা কিশোরী কৌই।

করিনো অছুবো ? Differential Calculusনত্রগা Law of Relativity রা ?

মাহুদগীম্থু হেন্না খঙবদা রাবনি হায়না ঐনা খুম্নমী।

— মাহুদি ?

—নোটিশ অমা লাক্লে, মহম্মদ চৌংজাওগী মনাক্তা লেংবি-রোই ; চৌংমহাশয় মহম্মদকী দরবারদা লান্দারক্লে।

— হায়বদি ?

— হায়বদি ফিঙ্গার—প্রিণ্ট কেশগী আসামীভূপেশ সেনগী বিচার জেলদা তৌগনি, কোর্ট অমা শেম্মু হায়না এস, ডি, ও না চিঠি ইরক্লে।

তাদা খদয়না হংলক্লে, অছুদা খচবা রাবা অরুবা হিরম করি লৈবগে ?

ঐনা হায়রম্মী, বিষয় অসি মন্নুং হল্লিন্না রাখল তৌহুনা য়েংবিয়ু; বিচার তৌবিয় হায়জবা বন্দী অসি মী পুন্নমক উবা অফোংন্না বিচার-শঙদা লেপচবগী অধিকার (right) ফাদরে—

বিচারপতীনা জেলদা বিচার তৌবা লাকপা তারে, নত্রা ?

হৃদয়বাবুন ঐগী রা মতেং পাংবা ওইনা হায়রকই।

ঐন হায়রম্মী—মাহু তারে।

—অছুবু নহাক্না কাউবিরে, মাসিগী মন্নুংদা পোং অমা লৈরি। মাহুগী মমীং administrative necessity কৌই।

—ঐ না আপত্তি তৌরিবম্থু মাহুনি। লৈপাক শাসন তৌবগী কান্নবনা বিচার লোয়শঙগী আদর্শ (ideal) অছু লাক্লোক্লুনা হায়-বদি নমথেক্লুনা তৌরবদি কোর্টকী মর্য্যাদা লৈত্রে। শাসন দণ্ড (শাসন তৌনবা চৈ) গী মফমদা ন্যায়দণ্ড (অছুবা বিচার তৌবগী চৈ) মকোক নোম্লে। অসিদগী হেন্না শিগনবা করি লৈ ?

—মলয়বাবু মহাক্তি য়াম্না মতুংদা কুপশিন্না মথা য়ৌনা য়েংখিরে।

—অত্থ নত্তে তাদ হৃদয়! ঐ সরকেসদগী য়েংবনি। বিচার তৌ-রিভেদা অসামীদি আইনগী মমীংনা য়েংবদা মপুংফানা মরাল লৈ-তবনি। ব্রিটিশ লোগী মাসিনা অহানবা মরুওইবা রানি। মাগী মরাল কোক্লবা প্রমাণ তৌবগী ভার মহাক্কী নত্তে, রাকংলিবা মী অত্থনা মহাক অসি মরাল লৈবনি হায়না প্রমাণ তৌগদবনি। মাগী মথক্ত। রাকওলিবা মরাল অত্থগী মথক্তা মশা কন্নবা গোংনবা হায়বসি মাগী মরুওইবা অধিকারনি, মাতুদা অপনবা লৈবা যাদে অমস্তুং মাহুগী দমক মাডোন্দা মপুংফাব অকবা উপায় অ.দি অপনবা লৈতবা খুদোং চাবা পীগদবনি। জেল অসিগী মতুংদ. মাহু কবম্না ওইবা য়াগনি হায়বিয়ু?

তাদা হৃদয় প্রতিবাদ (য়েংপা) তৌদরে। ঐগী রা তানীংবা মী অমা ফংবদা ঐ থৌনা ফবা হেনগংলে অমস্তুং পিক্তক তৌবা মকৃতা অমা পীরে!। অরোয়বদা ঐনা হায়রম্মী, ইংরেজ জাতিনা পৃথিবীদা পোং য়াম্না পীরে চাংদম্লিংঙাই লৈতবা সাহিত্য, য়াম্না লুবা দর্শন (philosophy) অমস্তুং মপাঙ্গল য়াম্না কনবা material world গী বিজ্ঞান। অত্থয়দি ওইরগা ঐনা নীংবদা মহাক্না পীবা দান পূমমক্তগী পোং অমনা হেনগংখরে – মাতুগী মমীং rule of law কৌই। মীদগী বিধাননা (আইন্না) চাউবা হেল্লি অমস্তুং মাহুগী মকমদা প্রাইম মিনিষ্টারদগী হৌংনা টম্, ডিক্, হ্যারি মকোক নোন গনবনি—মাসি British Jurisprudence গী অহানবা রানি। অতোপ্পা লৈপাক্তা চংশিয়ু। লাপ্পা চংকদবা নত্তে, ইংলিশ চ্যানেল

লাম্হোক্লগা উবিগনি, অদুপ চাউখ্রবা Revolution গী পোক্কম লম-দম ফ্রান্সদা আইনগী মমীত্তা মী পুম্নমক চপ মান্নদে। মসিগুম অদুদা নিংথৌমচা মপুশিংগী দমক অতোপ্পা আইন লৈ, মখোয়গী বিচারগী দমক তোঙানবা বিচারশঙ লৈ। সাধারণ ইংরেজ অমগী মমীত্তা মাসি মান্নদবা ওন্না তৈনবত্তা নত্তনা অরানবনি। সম্রাজ্যগী স্বার্থ (কান্নবা) না অদু শুপ্না ইংরেজ অদুবু ভসি কদোমদা চিংদুনা পুরে।

হৃদয়বাবুগী মখোঙ অনীদু অসিগী মমুংদা করম্বা কান্দা টেবিলগী মখোঙদগী মথক্তা প্রমোশন ফংখ্রবগে হায়বা বক্তৃতাগী নেশাদা লৈদুনা ঐ উহৌত্রে। মহাক্কী মশাদু তংথায় অমা হীপ্লবনি, মথৌং উইশিল্লি অমম্বুং মথুক্তা তংথায় অমা মৈনা চাকখ্রবা সিগারেট।

—তুশিন্নবরা তাদ হৃদয়?

—ঐবু তুমহনবিবরাও?

—য়াম্না উইবিরে। বা-লান থরা ভাওবিয়ু।

হৃদয়বাবু টেবিল মথক্তগী মখোঙ থাংথদুনা চপ তিংনা কয়ে। মহাক্না য়াম্না শুকথনা হায়রকই, নহাক্না নৈনথিবা বিষয় অদুগী মরমদা ঐগী জ্ঞান অদুপ য়াম্না লৈ, মাদুদি মাদুগী মরমদা ঐগী মত পীদুনা হায়রেম হায়রম ভাংবা তৌরোই। নহাক্কী বক্তৃতা তাবদগী অতোপ্পা বা অমা নীংশীংলক্লে। মাদুদা হায়গে। মাদু ঐগী থিওরিনি। মাদু তারগা নোকপিরোইদরা?

ঐনা হায়রম্মী, ঐনা নোক্লবদি নহাক্কী থিওরি অদু মহৈ হায়রে হায়বদায় পৃথিবীদা থিওরি অয়াম্বনা মীত্তা পিগী ঈয়া চেলহল্লি।

হৃদয়বাবুনা মাইকৈ মরিদা কোটয়েং য়েংলগা অনেম্বা খোম-জেলনা হায়রকই, ভসি ওইরবসু, হয়েং ওইরবসু ইংরেজশিনা লোংবা

লাং থুপচীন্দুনা চংখিবা তাববনি। মতম অহু ফাওবা হিংহনা লৈরবদি, শোয়দনমক ঐ পেন্সনদি ফংলরোই, চাহনা হিংনবা উপায় থরদং শিল্লাংবদায়। মবম মহুনা স্কুলদা তম্লবা ইতিহাস অমতং হংগে হায়না লেপ্লে। মাহুদা অধ্যায় (chapter) অমা য়াওগনি—ভারততা ব্রিটিশ সাম্রাজ্য মূংখিবগী মরম। করম্বা মরম্লো? পাউথুম—ইংরেজী লোন তম্বগী চংনবী। ইংবেজগী মফমদা অচুম্বা বিশ্বাসঘটকতা (থাজবা হাংপগী থবক) কন্‌গুম্বনা তৌবা লৈরবাদ, মাহু মাগী মশাগী লোল অসিনি। থিওরিস পাম্বিদবে, ক র হাযবিবগে?

ইশানা ইশাগী দোষ অহু শেংন য়াদবা তৌদ্রবম্ব য়াবগী মওংদা থরা চিংনবা উৎতুনা ঐনা হায়রম্মী, কমদোবনো ঐ ভাব তাজ্রে।

হৃদয়বাবু মশা লেং ঙংতুনা ফম্লগ হায়রকই, রাখল তৌহনা য়েংবিয়ু অমুক্কা, (১) ১৮৫৭ সালগী মতুংদা মথোয়না নিংথৌ ওইহনা পানবগী য়ুম্ফম পাকাপোক্ত (লেংপ্রবা য়াম্না কল্লব) ওইরনদা, কয়া চাউবা আশা তৌহনা মথোয়না মথোয়গী মরোল অসি সমুদ্র তরেং, তুরেল তরাহুমদোইগী রাংমদগী ভারততা পুরকপনি। কবি তৌগে তৌবনো? সাম্রাজ্য পাক চাউনা শন্দোক্লবা। মথোয়না থল্লম্মী, মাসিগী ডোজ (medicine চাবগী dose) থরদং মব্‌ক মম্বুংদা তাখিবদা নেটিভশিংগী মথল্লায়দা রাজভক্তি (নিংথৌগী মফমদা ভক্তি) ঈশিং ঈচাও ফাওরক্লনি। হায়বা হনবা কেরানী কবিগুম্বা মতমদম্ব রাংপা তৌরোই। মাহুগী মরমদা মথোয় অশোয়বা থবক তৌরমদে। অহুবু করিনো থডদে, হিসাবকী থজিত্তং শোয়বা করম্বা মফমদা লৈথ্রবনো। মরম অসিদগী ইংরেজী স্কুলগী কারখানাদা

(১) ১৮৫৭ দা Sepoy mutiny.

কেরানী পরেং পরেং শারকপ মতমদা, মাহ্গা লোয়নন্না জীব জাৎ অমা থোরক্লে, নখোয়গী ইকনমিকসগী .লান্দা মাহুবু by-product কৌই; হায়বদি কয়লাগী খনি (কয়লা থোকফম) দগী থম্বালগী মশক মানবা হীরা অনী—মরি থোরকপগুম্বনি। মখোয়সিগী মশক মওঙ পুমতোপ তোপই। ডোজ-ওনবা বিদ্যাগী শিল্লাংবা অতুদা থক্কুনা মখোয়্রন তোকপা ত্তোরমদে, .নাংচুপ মাইকৈ অরোয়বা অরাপ্পা লমগী য়ামখ্রবা জ্ঞানগী ভাণ্ডার অমতা খাক্কুনা থক্তোক্লে; মাতুগী মপাগ্না মখোয়না সাম্রাজ্যগী মবক মথক্তা য়াম্না কন্না থল্লায় মাঙবা য়ানা য়ৈরে। নখোয়সি .খণ্ডবিরমগ'ন। মখোয়সি নখোয়গী গোখ্লে, গান্ধী, স্নভাষ, প্যাটেল, 'চত্তরঞ্জন, জওহরলালগী দলনি—কেরানী শাবা ফ্যাকটরীগী থল্লায় মাঃহনবা by-product, ইংরেজী পণ্ডিতকী গুরু হাৎপা শিষ্য (পরুল্লা)। টোল (সংস্কৃত তম্ফম) নত্রগা মক্তব (মুসলমানগী স্কুল)দগী মখোয় সিকৈদৌভৈদম্ব পোকলোইদবনি।

মখোয় অসিদরা ? হৃদয়বাবুনা মথা তারকই, হৌজিক ফ্যাক্টরী-দগী অশেংবা মাল অমুক থোরক্করে হায়না ঐনা নীংই। হৌজিক কালদা লাক্লিবা পুম্নমক by-product ভাক্কনি। খেন্নবদি য়োম-শিল্লিবা প্যাকিং অত্তনি। থরনা খদ্দর খরা অমনা অমুক থাকী—

অসি হায়রগা মহাক্না মীৎচৌনা ঐডোন্দা মওঙ অমা ওইনা য়েংলম্মী। অহুগী মতুদা মহাক্না হায়রকই, মহাক্না নথল্লায় চাল্লম্বা নত্রা ?— অত্নগুম্বা ইংরেজ অতু .সি কদায়দা লাক্কুনা লেপ্লরে। ঐস্নু থল্লায় চাকই। অদুবু মতৈ অতোপ্পা ুবমদগীনি—মখোয়না করি পাম্লম্মী, অমুক কার খোক্লে। মীনা মহাদেবগী মূর্ত্তি শাগে তোরগা য়োংগী মূর্ত্তি শাই। মখোয়না য়োং শাগে তোরগা মহাদেব

শাদোক্লে। হৃদয় সামন্ত খরদং শাগে তৌরগা লাইবক ফত্তহুনা পুম্নমক অহু মলয় চৌধুরী ওইখরে।

হৃদয়বাবুনা মশানা তৌবা ফাগি অহুদা মশানা হো হো লাউনা নোক্লক্লে। খোদা বক্স, মোয়াজেম হোসেন, অতৈ কনা কনানো খরসু ইমুংদা চঙলক্লে।

—করি করম্বা ঈ-পাউ লৈবগে তাদ হৃদয়, ঙসিদি য়াম্না হরাওবিরে ?

—আরে ভাই, করিনো হায়রিবদো ? ঐনা য়াম্না রানা অনৌবা ঈশৈ অমা লেংগে, অহুবু মলয়বাবুদি মাহু শুপ্পাম পামদে। মমায় অসি মনীং পাকপা চফু মান্না ফনহুনা লৈবিরি, য়েংউ।

মোয়াজেম হোসেন্না হায়রকই, করম্বা ঈশৈ লেংবিরবগে, ঐ-খোযম্ব খব তাজবা য়াগদ্রা ?

হৃদয়বাবুনা অনেম্বা খোঞ্জেলনা কীর্ত্তনগী স্বরদা ঈশৈ শক্লক্লে।

প্রভাতে উঠিয়া
হুঁকা হাতে নিয়া
কানু কহিলেন, রাইগো,
তোমার মালসাতে কি আগুন আছে ?

অর্থ :—

অযুক্কা হে গভুনা
হিদাকফু খুও পায়হুনা
কানু (শ্রীকৃষ্ণ) ন হায়রকই, রাইগো (হে রাধিকে !),
নঙগী (চৈ) কেগামদা মৈ লৈব্রা ?

মীয়াম রা লাউনা নোকখরে।

সুপার (সুপারিন্টেণ্ডেন্ট) গী ময়ুমদা কোর্ট ফম্রে। বিচার তৌগদৌরিবা হাকিম অদু বিলাত্তগী লাকপদা ডায়রিবা ব্রিটিশ সিভিলিয়াননি। মচীন্দা পাইপ উসন্থুনা থওবদ, রাব লোলবু অমুক হেন্না রাবা হেলহল্লবা মপু উইবা মীন। হোৎনবত্থু মশাক্তি মপূং ফানা হৈত্রি। ফীজেৎ চাকচাদ, হে ৎনন্থুনা থোওই উশিত্তবা ভাব উৎপত্থু য়ারনা শেংই।

আসামী ভূপেশ সেন স্বদেশী কেশদা জেলদা লৈরি, অদুবু পুলিশনা থাজবদি মাসি ইকাই খুম্নকম ওইবা, হকচাং কুপশিন্নবা ফীজোলনি। অচুম্বদি মহাক অসি অমম্বা অহীংগী জীবান। মরম অদুনা মথক্কী অচৌবা মপুগী হুকুম লাক্লে, পুলিশকী থাতাদা মাগী মখুৎকী খুনী সই লৌগদবনি। ভূপেশ নিয়ম চুন্না য়াদরে। মাহুগী মরমদগী মোকদ্দমা অসি থোান্নিধনি।

হাকিমনা নোনা তম্বা বাঙ্গালা লোন্না হংলকই—(১) টুমি টিপ ডিটে অস্বীকার আছো ? অর্থ নও টিপ সই তৌ হায়বা য়াদবরা ?

ভূপেশ মখুৎ অনী শেগ্রাক্তা লোনশিন্দুনা থমহুনা য়ুমগী থাঙবুগী মাইকৈদা য়েংহুনা লৈরে।

ম্যাজিস্ট্রেটনা পোক্তেণ রাংখংহন্দুনা হায়রকই -খুম্মু।

ভূপেশ খুম্বা তৌদরে। কোর্ট ইন্সপেক্টর মথরায় য়ান্না রারে।

---

(১) "টুমি" অসি তুমি, "ডিটে" না দিতে, "আছো" না কর ওইগদবনি। মাসিগী সম্ভ্রমার্থ হায়বদি ইকাই খুম্নবা রাঙাওদি—"আপনি টিপ দিতে অস্বীকার করেন ?" ওইগদবনি।

সাহেবনা মাহোন্দা ওনশিন্দুনা হায়রকই, Is your accused deaf and dumb Inspector ?

I am examining him, Your Honour. ইন্সপেক্টরনা থুনা খুম্নকই। অদুগী মতুংদা ভূপেশদা ওনশিন্দুনা হায়রকই, করিনে, মহাশয়, হাকিমনা হায়রিবা ৱাসি তাবিদবরা ?

ভূপেশনা ইংরাজী লোল্লা খুম্নকই, ঐ তায়। নহাক্কী সাহেবতা তাকপিয়ু, ভদ্রলোক্কী মফমদগী পাউথুম ফংগে হায়রবদি ৱাহংগী লোল অদুমক্তু ভদ্র (হকাই খুম্নবা মওং) ওইবা দরকারনি।

হোয়াট ! সাহেব শাউরে। অদুম্নদি ওইরগা ইংরেজী লোল্লা হংলে, নত খুবা সই পীগদরা ঐ থৌতীনীংই।

ভুপেশনা খুম্নে, না ঐ পীরোই।

—পীদ্রবদি অকনবা দাণ্ডি ফংগনি।

ভূপেশনা নোকুনা হায়রকই, অরেম্বা নশাগী তৌবা ঙম্বা শক্তি নঙুন থাংপা তৌদনা মাতু থুনা পীবা ঙম্মী নহাক।

মতৌ অম্মুম্না মতম থবদং ৱা ঙাডনরে—মহাক আই, সি, এস নি—এস, ডি, ও, নি অদুগা ভাবগা নৌনা লাকপনি। কালা আদমী (অমুবা মা) না গাউথোকপা উশিং থোওইদবা থাডবা ঙম্বা নত্তে, মাগী অভ্যাসম্মু লৈতে। মহাক কোর্টনি হায়বা ৱাসি কাউরম্মা য়াই। থডহৌদন হুকুম তৌরে, Take his finger-impression by force.

ইনসপেক্টর তৌফম থডদতুনা কে ইয়েং য়েংলম্মী। নমতুনা টিপ সই লৌবা য়ারবদি মতৌ অসুম্না মোকদ্দমা তৌবগী করি কান্নবা লৈরম্মী ?

সাহেবকী থাডবা কনবগী পল অদু কায়ৱে। অদিবা ফংনা

লাউ-খোংলক্লে,মাসে ফাও। কনষ্টেবল অনী চংশিন্দুনা ভূপেশবু ফাগে তৌবদা মহাক হংশিংমুক থুনা মশা নাম্থোক্তুনা লাউরক্লে—'বন্দে মাতরম'।

—শাট্ আপ্ ইউ স্কাউন্ড্রেল! এস, ডি, ও, নোংখোব-গুম্না লাউরক্লে।

মাতুগী পাউথুমদা ওন্না তৈননা লাউরক্লে — মহাত্মা গান্ধীজী কী জয়!

জেল মন্নুংদগী মী চামগী খোঞ্জেলনা লাউরক্লে —মহাত্মা গান্ধীজী কী জয়!

সাহেবকী অভাভবা মমায়দগী ঈ পোকখায়তুনা তারককদোরে খল্লম্মী, অদুগা মমীত্তগী মৈ চোংথোরকদবা মত মাল্লে। মচীনবান মথা অদু কঃা চাক্তুনা অমুক্তং ভূপেশবু য়ে লকই। থূদক অতুম ক্তদা টেবিল মথক্তা য়েংলম্মী। মকম অদুদা মাগী (১) হান্টার জেব ঘড়ি লৈরম্মী। খংহোদনা মাতু লৌথক্তুনা আসামীগী চাউথোকপা মরাই-বক্তা শেং লাউনা থরে। ভূপেশ উরুক্ত লৈত্থুনা তুথখরে অমসুং মথূৎ অনীনা মবাইবক পায়দুনা মশাগী শক্তি পূন্নমক্তা লোইননা লাউ-রক্লে, মহাত্মা গান্ধীজী কী জয়।

জেলগী গেট খুদুপ বুনমভা লাপ্না লৈরম্মী। হাকিমনা জেব ঘড়িনা ভূপেশগী মমায়দা কন্না থাবগী পাউ অসি জেল য়ৌবদা সেকেণ্ড কুনমভা চভলম্মী। অদুগী মতুংদা অকনবা নিপানা শাবা তাণ্ডব জগোয় হোরে। গেট কীপারনা গেট ভাক্তুন থম্বা য়ারক্তবে। অতৈ উপায় লৈত্রদুনা মহাক্না পাগলা ঘন্টি (কংশী তোয়না কন্না

---

(১) ধাতুগী জালিনা মমায় কুপশিনবা watch জাং অমা।

ক্রং ক্রং) খীংলক্লে। খূদাং তেনবা ফুরিৎ মচা অমা লিত্তূনা, খুদোল খোংউপ উপতুনা জেলর সাহেব লাকলে। মহাক্কী মতুংদা মহাক্কা শেংলিবা কিজেং অতুদগী হেন্না মখল মচু য়াম্বা সিজেং শেংপা ঐখোয়, মহাক্কী মতুং ইনবা মীশিং। রাইফল পায়বা সিপাহী দল অমা গেট লানশিল্লগ লেপখ্রে। বন্দীশিং লাইন ওইনা পরেং শানা লম্বী থন্না ফমখ্রে। 'বন্দে মাতরম' লাউরম্বগ লেপখ্রে, মী পুন্নমক্কী মমান্নদা খোয়রাঙ খোয়শাউবা মতৌ, মমীত্তা য়াম্না শাউবা মতৌ। অহানবা লাইন্দা লূচিংবা মী থন্না লেপ্লম্মী গেটকী মনাক য়াম্না নক্লা। তালুক-দার সাহেবনা মখোয়দুগী মরক্তগী অমদা হংলম্মী, বরেন বাবু করিনো তৌরিবসে ?

মশা পাবা বরেন বাবুনা অয়াকপ। অপৌবা খোঞ্জেলনা খুম্মকই, তৌরিবা মওংসি উবিরেদনা। নোংমৈ কাপ্পীরো লম্বী শেংদোক-চখিগনি। অসোমদা মী অমবু লোইথোকপিরমদুনা লেংবিরক্লে।

—ঐনা কনাবু লোইথোক্লবগে ? নহাক্না হায়রিবসি করিনো ?

বরেনবাবুনা প্লেষ (রাহৈ অমতন, অমদগী হেনবা অর্থ থঙহনবা রাঙাঙ) না হায়রকই, আকাশদগী কুমথরকপা ওইরমালে হায়না ঐনা নীংই। ভূপেশ সেনবু লোইথোকপিবে—মুংঙাইবা অফবা পাউ অসি নহাক থঙবিদবরা ?

ভূপেশ সেন লোইথোক্লবা !—অচুম্মক তালুকদার আকাশদগী তারক্লবনি। সিপাহী ফোর্স অদু হন্দোকহল্লে অমস্তুং গেটকী মপান য়ৌরগা ডিস্মিস্ তৌনবা হুকুম পীরে। ঐখোয় পুন্নমক পুন্না আফিস তানা চেল্লে। কোর্টকী থুদম অমতা লৈরমদরে। হাকিম, পেস্কার,

ইন্সপেক্টর, সিপাহী, প্রমুখক লোকশাং ([illegible]) [illegible]
থরে। লৈপাক লমাংদা [illegible]
হিপতুনা লৈরম্মী। মরাইবক [illegible]
জেলগী মী অনী মরিনা মাবু কাহশিল্লুনা [illegible]
লশিং অমম্মং হিদাক প্রতু [illegible]
সাধারণ কয়েদী (স্বদেশী [illegible]
পুহনা লাক্রে।

থোকা হোনবা ঘটনা থোকখ্রে [illegible]
পীবনি। রিপোর্ট অসি কয়া যাগ্ন [illegible]
চাবা প্রতিবাদ (চুমদবনি [illegible]
ওইরগা করম্না ইরগা কুচু [illegible]
রাথল থম্নবগী মবম [illegible]
নীংবা লালদগী হল্লকপা [illegible]
লাইস্ন রাংপা স্নুপার ([illegible]
জোর (কনশিনবা) [illegible]
অথ লৈতবনি হায়ন [illegible]
বল্লস চকী [illegible]
কম্না পায়শিল্লুনা লৈরম্মী [illegible]
শাক্ত অনীস পুনশিন্না rough draft [illegible]
নরিভৈদা, সাইকেল তেংবা নিপা অমনা [illegible]
চিঠি অমা পুবক্তে। হায়বা [illegible]
থীকম ওইবা আসানাবু দমন [illegible]
মপুংদা নমথোকপা। পাঙন শিজিন্নবা [illegible]

সাহেবনা হৌরকই। জল-সুপাবগী আফিসতা কমদুনা অসিগুম্বা মীনা শরুদনা তৌবগদৌরবপা থবক (duty) তৌবা তাখ্রে, মাহাক্কী দমক ক্ষমা (ভ্রান্তি) পাংনিবু হাযরকই অমসুং নম্রবা যাদনা অরাবা লোংদোরবকই।

ক্যাপ্টেন বা শাংজনা চিঠি অদু ডানুকদা'ব সাহেবকী মথংদা পীদুনা হায়রকই, নিপাসি কুঁচা (আইসু হৈকদব) নি। ত্রেনা টবদা ন গী মচৌন্দগী ইটন (Eton college) গী মনম কোকনি। মখাংনা মশাগী মংলান (মশা নিনবা ভেল) থাবনে। অদু হায়দুনা ক্যাপ্টেন সাহেব কি হেক্তা পাইদুনা লাক্লে।

নোংমদিনন যাম্না হরাউবগী মনম লৈরম্মী। জুমিং কয়ানিংক লাসগী মমাংদা কুন্দকো থককমদা লহা ওইরিবা মনাকেন্দ বুন দুথা সাহেবগা অসিনা বানদিন নিসিটিবগী লৈক পন্দুনা মীনা চৎলে। হৌনা মহুগী মতমদা চাকপীবা যাদ। থাংই উইকরবা উবাদ। চিঠি অদু পুলিসখাউদা হাপদুনা জয় লৈবা তারে হায়না লুংত্রাইদুনা মহাক হাকিম মচা অসিগী মথক্তা। লৈবা অচোবা তানিব হায়বদি জেলা ম্যাজিষ্টেটকা দরবারগ তানা থুংচগে। আমন অদুদা ফাম্লব (জেলা ম্যাজিষ্ট্রেট ওইরিব) 'মনাইং বিলাত' সিংগনিয়াম্লি। অদুমদি শুরুবগী মখোয় অনাসি যাম্না লৈম্মে, মগী মচান্দগী ইটন নত্রগা অক্সফোর্ডগী মনম পুমকোক কোকখ্রবনি, অনৌ না অমসুং মপাং যাববা ভারতকী মনম কম্মা নম্রবনি। মাগী কোব মচু মানবা কুঢ়দা অমসুং শম যাম্না হৌদবা অত্তাদবা মকোক্তা লৈশ তসিগী গুমিং কী মতম কুইরবা তৌবা ভম্বা শক্তি অদু যাম্না লৈংনা লৈ। মহাক্না চিঠি অদু মখোল মরা থোক্তনা পারে অমসুং মাগী ফুরিংথা জেল হাপচিন্দে।

অহ্নগী মতুংদা থোকখ্রিবা খৌদোক অসিনী মরমদা চাউরাকপা মওঙ অমতং তারগা নোল্লকপা অমস্মং অদুগা মীগী ফীভম উৎথুনা হায়রকই, নহাক্না অস্নুপ য়াম্না রাবিবা অসিগী দনক ঐনা তৌবিমল থডবা উচ্চরি, ক্যাপ্টেন ব্যানার্জি। নহাক অসিগুম্বা মানা পাল্লদবা থবক অসিদা হাথু হাথু থবক তৌবা তৌবিরগনু। মসিগী মথংগী রাংলিবা থবক অদু ঐভোন্দা থাদে.ক.পরো। মাসিগী মরমদা তৌফম থোকপদু ঐনা তৌগনি হায়দুনা খৌগৎতুনা ব্যানার্জিগী মাইকৈদা মখুৎ তিথোক্লক্লে। মানা তৌরিবা ঈঙ্গিত অদু খঙ্গা রাদে। সুপার সাহেবনা কলগী লাইফদিবীগী মতৌগুম তিংখোলত্রিবা মখুৎ অদু মওঙ অমা ওইনা পায়দুনা নীক্লগা মথোল খোক্লুনা থোকখ্রে। 'সত্যাগ্রহ' (নশা শিনবা তেল্ল) গী অরোয়বা ফীবম অসি ওইগনি হায়বা ক্যাপ্টেন ব্যানার্জি মমডদা ফাওবা খঙ্গলমদে।

তৌগনি হায়রৌবা 'অ্যাকশন' তৌবদা থানবা তৌদরে। নিয়ম চুম্না এন্‌কোয়ারি কমিটি শেম্লে। মেম্বর মা অনীনি—ম্যাজিস্ট্রেট মশামক অমসুং মাগী থবক তৌমিন্নবা জেল ডিপার্টমেন্টগী অপৌবা নপু মাডোন্দগী হেন্না চাম্নাক ওইবা অমসুং মকোক্না লোকহৌরবা, কুইডৌবা আই—এম—এস্ অফিসার। তম চাম্না সুপারগী মরমদা মখোয়না অমুক হন্না দর্শন পীনদে (লাক্লে)।

অহানবা থব্বা বিয়র্দি, মেডিক্যাল সাক্ষিনি। রিপোর্ট অনী লৈ। অহানবনা ক্যাম্বেলদা তম্লকপা এস্‌ এ—এস্ না পীবনি। অনীশুবনা লান্দগী হল্লকপা আই এম্ এস্ নি। মীনা শাঃথানবিদবা জেল ডাক্তার; অদুগা শংতোপ্না নিপানা হৈকাইথুম্নফম ওইনা

সিভিল সার্জন। ঐখোয়গী ডাক্তারনা হাইরম্মী, অশোকপত্থ ইঞ্চি অহুম শাংই, ইঞ্চ অমা মুক। ওহব য়াবদি চেতুপ নত্রগ অহুগুম্বা ক রগুম্বা অকনবা লোংনা কুপদগী থোকপা অশোকপনি। সিভিল সার্জনগী মতাংদা অশোকপা মকোকসিগী অকোয়বা (Circumfe-rence) ইঞ্চি অমনি, ২ ইঞ্চি পাকই ; মাগী থোকহনবগী মরম —কারগুম্ব অকনব লোং অমগা মথক্তা থড়গোদনা তুবা।

জেল ডাক্তারদু কৌরে। ম্যাজিস্ট্রেট সাহেবনা রিপোর্ট অনীত্থ মাতোংদা পাইনা হায়বকই, মাসিগী মরমদা নহাক্না হায়নীংবা কায় লৈ?

ডাক্তারনা খুমখি, লৈ তে।

ম্যাজিস্ট্রেটনা অনাম্বা খুমদা হায়রকই রিপোর্ট অসি উরগা ঐনা খুদোংনা লৌবাদি নহাক্না অশোকপা মকোকসি তারিখ ২৪ দা ফেব্রুয়ারি, অদুগা সিভিল সার্জননা তারিখ ৫ দা ফেবনি। নোংমতং থোংবদা অশোকপা মকোক অমা খংপ থুনা তাইশিনগনি হায়না নহাক্না নপুংদা খনব্রা। মাসিগী মরমদা ঐনা হায়গদবা করিম্ব লৈতে হায়না ডাক্তারনা নহাক্না হায়রক্ত্রি—জেলারশনা হায়-রবই, নহাক্কী রিপোর্টসি ডাক্তারনা পরীক্ষা তৌহুনা খড়বদি নহাক অসি সাধ রনা তৌদে (মী অমগী লৈ থোকপা জ্ঞান) য়াংপা মীনি। অহ নত্রা কনাগুম্বা সাংবদা থোখিনবা শক্তি অমনা শিন্দুনা চিংহুনা পুখিরা মীনি।

ডাক্তারনা হায়রকই, মাহুগী মরমদগু মাপা হায়গদবা রা লৈতে।

ঘটনা (লোকেশক) শাস্ত্রমীগা উবা ঐখোয়গী আফিসগী কেরানী অনা লৈরম্মী। সুপারগী হুকুম মতুংইন্না মখোয় অনাগী জবান

লৌরম্মী, থবক অছু ঐনা তৌবা তারম্মী। অচুম্বা থৌদোক অছু য়াম্না কন্না মখোয়না কোংদোক্লম্মী। মরম অছুনা মখোয়গী জবানগী লোল অছুস্মু মতৌ অছুম্না কল্লম্মী। মাংগী নকল অমা কমিটিদা পীখংলম্মী। মরম অছুনা কেরানী অনীস্থু কৌরে। ম্যাজিস্ট্রেটনা হংলকই, নখোয় অনী লাইরিক কদায় ফাওবা তম্লকই ?

কেরানী অমনা খুম্লকই, মহাক মেট্রিক পাস তৌরগা আই- এ ফাওবা তম্লম্মী, অতোপ্পা অমছুনা খুম্লকই, মহাক আই—এস—সি পাস তৌরে।

—অছু ওইরবদি জবান অসি নখোয়গী নত্তে হায়না ঐখোয়না লৌবা তায়।

—আজ্ঞে, মাছু ঐখোয়গী স্টেটমেন্টনি।

ম্যাজিস্ট্রেটনা ওক্লুনা হায়রকই, অসিগুম্বা ইংরেজী অসি নখোয়না ওাওবা নত্রগা ইবা ওমত্রা ?

মখোয়না খওহল্লম্মী, ঐখোয়না বাঙ্গালা লোন্দা হায়ননি ; ডিপুটি জেলর মলয়বাবুনা মাছু ইংরেজীদা হন্দোক্লুনা ইবনি।

ম্যাজিস্ট্রেটনা নীংনা থু লছুনা হায়রকই, ওঃ মাছুম্না হায়বিয়ু ; মলয়বাবুনা মাছ ইংরেজীদ চুম্না হন্দোকপিরবরা হায়বছু নখোয়না শোয়দনাক খংফম থোক্তে।

কেরানী অনীস্থু খুমদ্রে।

পুম্নমক্কী মমৈদা কোর্ট ইন্সপেক্টর চওসল্লে। আসামীগী মশাগী মওংফাবন অমসুং লমচৎ শাজুংকা মরমদা অকিবা মশক ওইবা বর্ণনা (শন্দোক্লা হায়ব) অমা পীহনা মহাক্লা হায়রকই, কেশগী মরমদা হাকিমগা আসামীগ ম্না অনী—মরি ককথোক কর্কশন

[illegible] থাকিত [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] বলি। বিবেক (conscience) [illegible] দাদা?

কনাগো অমনা হায়রকই, দাদাগী অছুক য়াম্বা বিবেক-টিবেক্তা খুদোং থীবা লৈতে।

জেলর সাহেবনা পেন্দবা মতৌ উৎলে। থরদং কিহনবা খোনজেলনা হায়রকই, আহা, রা ভাউবা তোক্তো বাপু।

ইন্সপেক্টর অহ্‌ম্মদ ওহরা পেন্দবা ভাব উ লমদে। চা মচীন্না চিংশিন্দুনা থক্তুনা নোক্তুনা হায়রকই, হায়জসন্ত নিপামচাশিংগী রা হকচাঙদা তৌশিন্দুনা মচু কোকহন্দনা থম্নবদি থবক য়াদ্রে।

ভাইহাওং লেপ্পগা চাগী কাপতগী চা থরদং মচীন্না চিংশিন্দনা থক্ল। হায়রকই, বিবেকী রা হায়াথবদো কনাগো ভাই? নডল? নঙ (তুমি) হায হায়ভনা নপুক্না দা রারোবা তৌগনু।

—না, না। পুক্কাংদা করিগী রাবোগদবনো? নন্না [illegible] অপনবা [illegible] হায়বিয়।

ইন্সপেক্টরনা সিগ রেট চমত্তনা অম্বক অনীরক চি [illegible]। অপ্পা সত্য—পাপ্পা, পুকচেল [illegible] - আসনচিবা [illegible] রাভাং [illegible] বয়মতা [illegible] চকু থক [illegible] লেবা পোং [illegible] দোকপগুন [illegible] দাক্লম্মা। অচু হেদোক্রবা [illegible] উরম্মী, মাং পুম্নক [illegible] স্বদেশী [illegible] শিংগী থৌবগী [illegible] পাক্লে। থবকী মী হায[illegible] সাধু অসিদা শেল তান্দ্[illegible] অমম্বং মী ভরাগী মনক থাকাপ[illegible] মশিংগী অম্বন [illegible] থিনগায়বা খুদোংথীবা লৈরবদি অচুম্মক্লি থবক য়াদে। চাকনি [illegible] ভারবদি ঐখোয়না [illegible] তানগদবা অমতা ওইবদি উম্নক্ত ([illegible] চাউগংপ) হায়বদি [illegible] পেলহনবা। মীনপ্পা রা অনীদং [illegible] থবক অচু পাংথোকপা য়ারবদি, ম[illegible]দা দোষ লৈবা উ[illegible]

সুধাংশুনা হায়রকই, অচুম্বা রা ভাঙাবিরে দাদা। নহাক্কী ফম চাউখৎপা কনানা হাংপা ঙমগানি? প্রমোশন হাপবিয়ু, উপাধি হায়ংবিয়ু, পূন্নমক নহাক্কী নখুং মন্নুংদা লৈ।

রা পূন্নমক অসিগী পাউখুম পীদনা ইন্সপেক্টরনা হায়রকই, নখোয়দসু হায়রিবনি, মস্বা অ'সদা লাক্লবনিনা লখ্বী অসিগী মরীল য়েংনা চ লূ। হা অনী তোংগস্থ। খঙহৌদনা নোংমা কদায়দনো ঈশিং লেবা পুখ্রীগী মখাদা লুপখিগনি, করিমত্তা খঙহৌরোই। বিবেক (conscience) কা পোংলুম মমিং অড়্দা কবিগুম্বা থবক্তা বাঃরোই।

সদয়বাবন্ দৈন থিত্নুনা ঊনরে, চেলগী মনাক্তা লৈবা থাঙজপ পাঙ্গী ময়াম হৌবা মফম অমগী মচি মমদা ইংরয়ে।

-- মফম অ'সদা ফমজুনা করি তৌবিবা তাদ?

—রাখল তৌবি।

– কয়া রাখল খনবিবি?

— ঐ খল্লি, ঐনা ইন্সপেক্টর হায়খিবা ইন্সপেক্টর মতু ইবা তৌবা দরকার ওইরে।

—অস্তপ থুনা?

থূমল্লি কয়ম্না হায়বিবিগনো? মখোয়সি লোইববনি। লৈশৌ চাবগা য়ম তেক্কুনা তুবদা থিনবা তৌরাবই।

তেক্কুনা তুবগদবা! ইন্সপেক্টর অসঙ্গুম্বা য়োংকী পিলার (মুঙ্গী) কয় য়াম্না মখোয়গী লৈ মাতু খঙবিনবা?

—লৈগে হায়বা মথৈ লৈজসমু: ঐনা লাইগী মমীংনা উবা

কংগ্রেস; মখোয়মসিগী মতম নকশিল্লক্লে। পাণ্ডবা অয়ুব্বা'মীগী রাজত্ব (শিংথো ওইহুনা পানবা মতম বুইঁনা লৈবা রাদে, নলয়বাবু

—পাণ্ডবা অযন্বা!

হৃদয় বাবু তিংথংতুনা যম্নগা হায়রকই, অহ্ম্বা মত্রা? চহা তরাহুমদোইগী মমাঙগী রা মী শীংবিয়ু। ১৯১৯ সাল। মবূক তম্বা জাবপোনবা লৌউবা লম্বায়গী মী, সহায উপায লৈত্রবী দুপী অমম্বুং অমান ডায়রবা অচাঙগী ঈনা জালিযানওয়ালাবাগ থংমহুনা তাউথোক-খরে। ঐথোয়না য়ুমগী ঈশিং চেন্থনবা নাপী থিংজিন্নগা চৈনা ফুহুনা উচি হাংলি, মথোযনা অহুপ য়াম্না য়াদনা নোংমৈনা কাপতুনা মী হাংখি। নোংমৈ কাপতুনা হাংপা য়াদবা মীশিংগী মনঙ্গন্দা শাজৈ তেংশখরে। লজপত রায়বু কাওনা মী পুম্নমক্না উবা লমজাংও সরক অচেৎবদা অসি ৫ম্বা হুংথিলদা মবুক্না শিংতুনা চংহনখি। অংগী মতুংদা অসিগুম্বা মওঙগী কমিশন অমা লাক্লম্মী। জেনারেল ডায়ারবা কৰি হায়খিবগে নীংশীংজবরা? মনুক হাপচিন্দুনা হায়খি, হাঁ, ঐনা হাংপনি, চুমহুং হাতুনা ঐ অফবা থবক তৌখ্ৰে। গুলি লোই খোকখিরম্রন্নদি মী অতৈম্ব হাংলমগনি।

ম্যাকেল ওডায়ার লাক্লুন মাঙ্গী মতুংদা লেপ্লম্মী। মহাকনা হায়খি, Dyer is right. মাংগী খোম্বাং অফ পালিয়ামেন্ট য়ৌখ্রে, মখোয়গী প্রেস (খবরকাগজ) অমম্বুং মশীং থীবা ভমদংা ফোংনা কম্বা সভা—সমিতি (meeting) য়ৈখরে। থন্দুনা য়েংলিয়ু করাদা পাক চাউথ্রবা মবুক পুকচেলনো? ঐখোয়গী রাজ্যনি; ঐখোয়না অংম্বা উপাযনা রাজ্যগী মীবু তাম্বগনি। নিপানা ডাঙগদবা রাঙাও হায়বত্ত অসিনিদন। অত্তগা চসিদি? করিম্ব লৈতবা চৈনা থিনবগী

অশেকপা মকমহু মুথংনবগী দমক অঙ্গুণ য়াম্বা নমতাঙুনা থদক তৌবা আই-সি-এস, ও প আই-এম-এসগী দঙ্গ কঁয়াদা মশা চোকথখ্রে, হুমং ক ং ইন্সপেক্টরবু শিথঙ্গি ওইনা লেপহন্দুনা কয়াদা তুৰুচবণা মীনম্বা য় গী থ মা (পয়ানা শাবা খুমোক জাং) অম মকোক্ত থোনগংতুনা মশা লোংতুনা লৈরে। করি মরমগীমো ? হবুক তঙ্গা থবব কাগজ থরগী য়াকৈগী মশক ওইথ্য তেল অহুবু কিবগী মরমদগী নত্রা ?

হৃদয়নাবুগী থোঙ্জেলদা অসিগুম মখোল শেংনা থোক্কথা থ্রনি অমম্থং মহাক্কী মতম লৈবা শিংক্তা ফাগি জগায়দা তৌহুনা মকা ফনব মমাংদা অসিগুম্বা য়াকথ্রবা মচীনতুম্বা তুৰুচবগী কুশিনবা ঐ কৈদৌঙৈদম্ব উথিদ্রে। ঐ য়া ডাক্তেদনা যেংহুনা লৈরম্মী। মহাক্কা হাম্বগী চপ মান্নবা থারবা থোঙ্জেলনা হায়রকই, শঙ্করীবরা মহাশয়, ইংল্যাণ্ডগী প্রধান মন্ত্রী অমনা লাংমা চাউথোর মখোয়সিগী মঙ্গীং ষ্টীল ফ্রেম লোইন্মী। লৌজিক অহুগুম্বা ষ্টীলহুগী মপাঙ্গল লৈত্রে। মাগুগী মকোক্তুগী মতোন ফাওবা কোহিলং কাবে। অম্বুপ চ উথ্রবা জাতি অসিগী য়াংলেন শক্ক লুজ অন্ত খেংগ্রে। রাজদণ্ড (নিংথৌ ওইবগী চৈ) পুবগী শক্তি লৈত্রে

অহুনা ঐনা হায়রিবনি, হৌজিক ঐনা ইংগদৌরিবা লাইরিক অম্ভ ইবা হৌরোইদবা মরম লৈতে।

হ্যাঁ, নহাক্কা থবক অমতং তৌবিব। তাই।

—কন্নি থবক্নো হায়বিয়ু।

তাদা হৃদয়না হায়জবগী সুরনা হায়রকই, নহাক্কা লাক থঙনবা

অচৌবা মী অনী—মবি বিশ্ববিদ্যালয়গী অমা না থাক্তা শোযদনা লৈ-
রিনি। থরা মুন্না অমুক্তা খিক্লিনবদু [illegible] ঐগী লাইব্রিক অদু
মহৈ য়াম্নবা তৌবিয়ু।

[তরাহুমদোই]

বৈষ্ণব তীর্থযাত্রীশিং [illegible] শ্রীবৃন্দাবন্না অবোয়বনি।
মতৌ অদুম্না ঐখোয়গী হ[illegible] জেলদা [illegible] ঐখোয়গী
অথোইবা তীর্থদি সেন্ট্রাল জেলনি। [illegible] স্পেশ্যাল [illegible]
শিংশি শুযেসাইডচেষ্টশিং [illegible] মশা, মাদা
চওলক্লবদি পূক্রীদা ফাওরম [illegible]
মপু মোবাবক আলিনা চী [illegible]
ভুনা হায়রম্মী, অবে চ্য [illegible] (মমা
থওদবা) সেন্ট্রাল জেলদা ঐ [illegible] কম্পবসন্ন
সুপারিন্টেণ্ডেণ্ট, গণপতি [illegible] পুন্নমক
অদু—অসিনচিংবা। [illegible]
গুম্বা ইকাই খুম্নফম মশক [illegible]
অরংবা মডাল ফাওহল্লম্মী, [illegible] অদু
অথোইবা লগ্ন (মেযনচিংবা [illegible]

মহাক্কী জীবনগী [illegible] ([illegible]) মা [illegible]
য়াম্না শোনবা মতম অমা ঐ [illegible] পমদে,
মন্ত্রি ওইবা পামদে, (১) [illegible] ( ) [illegible] পামদে,

(১) লৌযাম চাবা লিপা ( ) [illegible] মনা [illegible]
থীদবা লমগী মপু

মহাত্মা গান্ধীন কবিগুম্বা [illegible] জেল অমগী জেলরগী অরাংবা আসন না। [illegible] মহাক্কী জীবন্দা অহুগুম্বা আশা মপুং [illegible] রাফু থমলো।

এনা 'স্বদেশী [illegible]' [illegible] সেন্ত্রালদা অহানবা লাকপা গ্রামগী এনা [illegible] স্কুলদগী সহরগী মিশ-নবা [illegible] কত্তবা বন্দোবস্ত (শিল্পাংব) গী [illegible] লৈবগী মতম লোইরে। [illegible] খম্বা নিয়ম মতুংইন্না পানবা [illegible] চঙলক্লে। নাকল অনীদা [illegible] লকোল, লৈগী ফৈদোম পরেং [illegible] শেংজিবা ফীজোল করিমত্তা [illegible], নিপাগী কুরিং অতেনবা, [illegible] যাইল তোঙুনা চৎলি, ফাইল [illegible] চাপ্প, ফাইল তেংফুনা তুম্মী।

[illegible] প্যারেড কয়ামুক্কা পুনশিনবনি —লাল [illegible] প্যারেড, ওয়াশিং প্যা-রেড, [illegible] প্যারেডশিং [illegible] অড়ুগী মমাং মেট কৌই। [illegible] কোট, খাংদা চাপ-বাল, [illegible] মেট শাগী দল অসি জেল [illegible] ডিসিপ্লিন মথোয়গী মথ [illegible]। চাক চাবা, কোয়বা, অফবা খজক্কি অনম্ব [illegible] সাধারণ ফাটক্কী যুম্বানবসি

মেট –রাজতন্ত্র (মেটন পানবা লৈপাক ডাকপগী নিয়ম) না চালাইবনি। মখোয়না মেটকী য়াথং মতুং ইন্না ভূমক, মেটকী য়াথং মতুংইন্না ভূখনগী হোৎনি।

[illegible] বচ্যশাসন (লৈপাক ডাকপ) গী নিয়মদা সুপব Sovereignty ([illegible] ইব) দ de jure (আইনগী মতুং ইনব) নি। de facto (মশ না ওইবা) তোবা মপু ওইরিবা নিপা অমগী মমাং চাপ্ [illegible] ওবাদার [illegible] অ[illegible] জমাদার কোই।

[illegible] নিয়মদা মহাক্ [illegible] শবন [illegible] শাসন [illegible] Rule of Law হায়ব [illegible] আইন মতু ইন্না তোব [illegible] Rule of Awe হায়বদি কিরন্দুনা তোবা [illegible] অমক্তা অ[illegible] Guardian [illegible] লাই (God) গী [illegible] অসিদসু [illegible] হৌ [illegible]

[illegible] জেনারেল বিভাগ ([illegible]) — General Department [illegible] Manufactory Department [illegible] বিভাগ। [illegible] মতিক্কী [illegible] মাকি-লমাস, নশা কনব তোবা, ধু ডাইব। অমসুং ডিসিপ্লিন পূমমক

অসি অহানবা বিভাগ অসিদা শিন্নবুনা থম্লনি। অনীশুবা অসিনা খুৎশাবা হৈবগী থবক, লয়োনবা অমম্পুং থবক পীবগী থৌরমগা মরী থোক্নৈ। সেন্ট্রাল জেলশিং অসি জেল ওইবদা নত্তে, শিকুতক ত্তোবা খুৎশা হৈবগী থবক শুকম্নি, মথল মখা মাম্ব। খুৎশা হৈবগী থবকশিংগী তিম্নকম মকমনি—থাউ শুম্নবা কোল্লু, কী শানবা য়োংখম, সতরঞ্জি, দরজি (কুরীৎতুবা) শঙ, ব্রা, লী, উ অমম্পুং য়োংবনা শাবা পোৎকী জড়াজড়ি (লেংগোম্নবা—পুম্লপনা লৈব) নি। মফম অসিদা টাটা-নগরগা আমেদাবাদ, বৌ-বাজারগা খিদিরপুরগা তিম্নথরে। অসিদা নত্তনা জেলগী চেপলবু কোয়শিন্দুনা পাকচাউবা য়েনশাং-নাপী খাবা লৌফম লৈ।

ঐ পুম্নমক অসি কোয়না কোয়না চৎতুনা য়েংলম্মী। কোরম্যান পরিতোষ ববুনা খুঁটিনাটি (অসি লৈতে, অসি ফত্তে—অশোয় অরানবা) য়াম্না কুপনা ঐগোন্দা তাক্লম্মী। পুম্নমক অসি মাগী মথুংনা শাবনি হায়না মহাক্না গর্ব্ব তৌনা হায়রম্মী। অদুবু ভূতকুম্না থবক শুদুনা করি তোংজবা লৈ? কালা আদমি (কুচু মুবা মী) না ডেপুটি-সুপার ওইবগী লম্বী হাংদোক্কুনা লৈতে। থোপ (brain) কী যেসা মচু ওইসনু. মাদু অত্তোবা কুচুতগী অথম্নবা অধিকার (right) নি। ওয়ার্কশপ পুম্নমক্তা মপুংফানা থবক কম্না শুরি। অমতংদি থবক শুদনা বন্ধ তৌদুনা লৈরম্মী। পরিতোষ বাবুনা হায়-রকই, মাসি শেঞ্জেং অমম্পুং কোরীগী কারখানানি। মুনিং কয়ানি-মুক্তী মমাঙদা মফম অসিদ লেপ্তুনা লেরবাদি মাসিগী ঠন্ ঠন্ লাউবা শব্দ অতুনা কোক ভা-হল্লম্মী।

ঐনা হংলম্মী, করি শারম্মী মফম অসিদা?

প রক্তে ব বাবুনা হায়রক্লই, অয়াম্বদি কংসি—অরিগ্ণাফম্তোবা

মথল য়াম্বা গঙ (gong—কংসি)। জেল থুদীংদা উবিরিবা কংসি পুম্নমক অদু ঐংখোয়না শাবনি। জেলদদা করিগী ওইনি, স্কুল, কলেজ, পুলিশ থানা, কাছারি (court of justice), চার্চ অমসু' অতৈ মফম কয়াদগী ঐখোয়না অর্ডার ফংই। নহাক্না তম্লবা কলেজদা থীংলম্বা কংসি অদু নোংমা ইখোয়মক্না থাখিরম্বা ওইবা য়ায়।

— মাদু ওইবা য়ায়। কংসি অদুনা চিংদুনা ঐ মফম অসিদা লাক্লবনি হায়না ঐনা নীংই।

পারিতোষ বাবু নোক্লে। ঐনা হায়রম্মী, থবক লেপ্পা করি মরম্নো ? অর্ডার লৈতবরা ?

—অর্ডার শোয়দনা লৈ, চিংনবা লৈত্রা ? অদুবু যোগেন লৈতে।

—যোগেন হায়ববু কনানো ?

— যোগেন্না মফম অসিদা Instructor ওইরম্মী, জেলদা মাবু ইস্পিনদার কৌই। বেটাদু খালাস ফংদুনা জেলদগী চৎখ্রে থা অমরোম ওইরে। মাগুম্বা পাকা কারিগর (মথুং হৈবা নিপা) অতৈ ফংদরে। অদুনা ঐনা হাদা (মা বুড়) দুদা হায়রম্মী, অডারশিংদু হন্দোকখরে', ঐখোয় কাংস পীবা চম্মরোই হায়না সার্কুলার অমা তৌরো। মানা করি হায়রা ওবিবর ? Why ? Let Jogen come. ভাবিয়ুমাগী ব্রাস। যোগেন লাকখিসদু ! আরে, যোগেন হুরানবগী থবক অমুক তৌদ্রবদি জেল মিয়াদ তাদ্রবদি ঐখোয়না নমদুনা ফাদুনা পুরকদরা মাবু ?

'হাদা' হায়বা নিপাসি কুড় ডোবা ডেপুটি সুপারনি হায়বা রা অসি খঙবদা পুদো' চাদবা ওইরমদে।

স্নুমিং কয়ানিমুক হৌখরে। কংসিগী অর্ডার য়াম্না য়ামশিল্লক্লে। থবক লোইদে হায়ত্তুন থোরকপা মী অনী—মরিস্নু য়াউরক্লে। ডেপুটি স্নুপার থবক চাং নাইদবদগী খুদোংথীবা ফংলে। যোগেনগী য়ামনা চান্নবা মরুপতি মহীউদ্দিননি। ফী শাবগী থবক তৌই। মাবু কৌরে। সাহেরন হংলম্মী, যোগেন কমদৌথরে? মা লাক্কবা করি মরম্নো?

মহীউদ্দিননা হায়রকই, ঐনা জেলদগী মপান থোকত্রবদি করম্না হায়বা ঙমগনি হুজুর?

—নঙগী স্নুমিং কয়ানি লৈরি?

– স্নুমিং কুনমাথোইনি, স্যর।

—টিকেট লৌরুসো।

মহীউদ্দিনগী টিকেট পুরক্লে। মহীউদ্দিন্না থবক য়াম্না ফন্না তৌবগী দমক মনা ওইনা স্নুমিং কুল্লি Special rimission ওইনা হায়বদি মঙন্ড অমা ওইনা জেলদগী থাদোকপগী দমক ডেপুটি স্নুপারনা recommend তৌদুনা রিপোর্ট পীখ্রে। পুং মথায় অমগী মন্নুংদা স্নুপারনা য়াবগী হুকুম লাক্লে। মহীউদ্দিন মতুংগী স্নুমিং অহুদা-থাবাস ফংদুনা চংথরে।

স্নুমিং তরেৎনি মতুংদা যোগেন লাক্কুনা সাহেবকী অফিসদা সেলাম তৌদুনা লেপ্লরে। মীগী ফুরিৎথাউ চপ্লগী চহী অনী মথায় জেল-মিয়াদ তারক্লে। হন্দকীসি থানা মহাক্ক জেলদা welcome তৌদুনা চঙলকপা নিপাল্লক শুবনি। সাহেবনা দেরাজ (উপু অশংবা) দগী কংসিগী অর্ডারশিং অদু লৌথোক্কুনা মাগী মথুত্তা পীদুনা হায়রকই, নঙাস মহা বদমাসনি; যোগেন কর্মকার। এথ্না দেরি কাঁগে হুয়া? (অস্নুপ থিনবদি করি তৌরে?)

যোগেন খুমদরে, অমুক্তং হাইফেং নোকলম্মী।

মতুংগী চুমিত্তগী কংসি শাবা নিপাম্শিংগী ঠন্ ঠন্ শব্দ তাবদা নিয়ম চুম্না পরিতোষ বাবুগী মকোক চীকপা হৌরে।

যোগেন অমতা অনীদা নত্তে। চহী খুদিংগী যোগেন চাম চামা মতৌ অম্মুম্না লাক্কুনা য়োংকী থোড অসিগী মখুৎনা ফাহল্লি, চুমিংকী অকোয়বা মাইকৈ মরিদা গ্রহ অমস্তুং উপগ্রহগী কাংবু কোয়না কোয়না লৈজুনা লৈবগুম্ববনি। কয়াদা কল্লা চিংখ্রবনো? পুন্সি চুম্না পরিক্রমা কোয়বা অসিগী অরেপ্পা লৈতে। মণ্ডারক, তরারকতি মতম লৈবা খিবিক্তা লাকই, চৎথি, নিফুনিথোইরক জেল তারকপা মহাপুরুষ অমা সেন্ট্রাল জেলগী হাসপাতালদা উরম্মী। জেলদা অহানবা চঙলকপা চুমিঙ্গা মাগী বয়স চহী তরানি। বয়স ১হী মরিফু-মরি শুবদা মকম অসিদা অবোয়ব মনুংশাস্বর হোনখি (শিখি)।

মথোয়সিগী অয়াম্বা ঐনা উরম্মী। ভদ্র ওইবা, লৌশিং শিংবা, থবক থুবা, থবক্কী মী অমম্মং খুংশা হৈবগী মহৈ নীংথানা হৈবা মী, অসিগুম্বা মীশিং আসনা জেলগী মপান্দা করিগুম্বা মফমদা লৈজুনা খুংশা হৈবগী থবক অমতং তৌদুনা য়াম্না মুংভাংনা জীবনগী লম্বাদা চৎপদা অব্রাৎপা লৈরোই। অদুবু মাদুগী লম্বীদা মথোয় চৎলমদে! জেলনা কৌবসি মথোয়না খিংব ভল্লমদে।

চুমিং খুদীংগী মথোয় অসিগী মী অমা নত্রগা অমদি খালাস ফংই (থাদোকই)। অহল ওইরপ তৌবা নিপা অমবু ঐনা ফারম্মী। আফিসদগী ঐগী য়ুমদা পুরক্কুনা ঐনা হায়রম্মী, কনাম্বু লৈতে, অচুম্বা বা অমতং হায়গত্রা?

মহেশনাময়ানা মৈর চৌক্নুনা, ঐগী খোঙগী উফুল মকোক্কা হাপত্নুনা হায়বকই, বি কেন্দ্রসমক ওইরবস্মু অতৈ অতোপ্পা ওইরবস্মু, হুজুরগী মফমদা করিগী মীনম্বা ল্না হায়বা ঙমগদগে ?

—জেলদা লাকপা করিগীনো ?

মহেশন' মপুক্নী'দা চিংনবা নৈতনা হায়রকই, ঐনা লাক্নীংঙ্গনা লাকপ্রা বাবু ? মীগী পকেট তরারক চপ্পুরবদি অমুক— অনীরক খঙহৌদনা ফাবা তাবনি। থূং থুবগী থবক্নি। পূম্নমক্ত মহৈ য়ানবা য়াব্রা ?

- পকেট চপ্পা করিগীনে ?

—তাও ল্ন'সে। পকেট চপত্রবদি ক'ন্নি চাগনি ?

—করি ল্নানো ? লৈপাক অসিদা মী কয়া ফী শাত্নুনা চারি। নঙগুম্বা ফীশাবা পাকা ওইনা হৈবা মীনা থবক ফংলোইদরা ?

মহেশনা নোক্নুনা হায়রকই, নহাক্না কাউদিরে, হুজুর, ঐ অসি লিরব হুরানবনি। ঐগুম্বা মীদা কনানা থবক পীগনি ? নহাকনা হায়বা য়াহ্ন, লগ্নোনবগী থবক তৌ। অদুবু লগ্নোনবগী মরুদা মীনা থাজবনি। অরিবা হুরানববু কনানা থাজবগে ? অহ'নব থবক হৌনবা মুলধন (capital) নৈতে; পোৎ শোৎপা ফংলোই; ঐনা শাত্নুন' য়োনবা পোৎতু হুরানপোৎনি হায়গনি। ফাত্নুনা থানাদা পুগনি। অদুগী মতুংদা কোয়না চৎলুরগা হল্লকনি জেলদা।

ঐনা হায়রম্মী, করিগুম্ব mill অমদা চত্নুনা চাকরি তৌরু।

— ঐদোম্দা কনানা চাকরি পীগনি ? চাকরিগী ল্না লাপ্পা নৈবনি, ভদ্রলোকশিংগী লৈকায়দা ঐখোয়না লৈফম ফংবগী উপায় লৈতে। য়ুমপানবা মীশিং তুম্নরোই অহীংদা। ভলন্টিয়ারশিংনা মী শীগ্নত্নুনা লেং নাইনা ঐবু শঙগনি। পুলিশ লাক্নুনা পূং থুদীংগী থোঙদা

থিল্লগনি, অহীং নোংশোযবা লাউ-খোংডুনা কৌরগনি ঐ য়ুমদা লৈত্রা য়েংনবা। অংগী মতুংদ। ঐনা লৈবা লমগী মনাক্তা করিগুম্বা মকমদা হুরানথিবা ডাকাতি তৌখিব খরদং থোক্লুবাদ, অহানবদা ঐগী থৃত্তা থৌরীনা পুনগনি

ঐ শাউবে, থৌরীনা হেক পুল্লগা লোইরবরা ? (১) মগকী লৈপাকলা অসিবো ? প্রমাণ তৌবা তারোইদরা ?

প্রমাণ। ফাগি তৌডুনা নোকপা মীনোক্তু মহেশকী মমায়দা ফাওরক্লে, প্রমাণ কয়া যাম্না পাম্বিবগে ? লৈকায়গী ভদ্রলোক মী তরা মবন্নাই পকেটতগী গাড়িভাড়া তৌদনা কোর্টতা চংতুনা সাক্ষী পীগনি। ব্রাশক্তুনা হায়গনি, নিপা অসিনা শগুল তৌবা ঐ উরে। কলাগুম্না অমনা হায়গনি, নিপা অসি উপু মকোকা পুতুনা চেল্লম্বা ঐ উরম্মী। লীনগা য়ুম অমতদা লৈমিন্নবা য়ায় হুজুর, অহুবু দাম্না লৈবা হুরানবগা লৈকায অমতদা লৈমিন্নবা ভস্মোই।

মানা হায়রিবা ব্রা অসিগী পাউখুম ঐ বাখন্না লাম্ব ফংদবে। অতোপ্পা প্রশ্ন অমা হংলে। ঐনা হায়বম্মী, অত্ত হায় হায়তুনা জনম অসিমা জেলদা লৈবগী অব্রাবা •।

মহেশনা ঐগী ব্রা থদংতুনা হায়বকই, করম্বা অব্রাবা উবিবগে স্তুর ? য়াম্না ফবা য়ুন 'দাতল', নোংমদা “হুম্লক পূক থম্না চাবা, ভৌরোক ভৌবা ফুরিং খোগ্রাও, নি থম থাদা কম্বল অত্তম, হকচাক না-য়েক্লগা য়াম্না ফব হাসপাতাল। পাউগু অনী লূম্বা অথোংপা অহাঙবা ঙা, শা, শঙ্গোম, ঘিগী য়াম্না য়াম্বা শিল্লাংবা। জেলগী মপান্দা অস্নুপ মংভাহবা লৈব্রা ?

---

(১) ডাকু ডাকইতকী লৈপাক।

ঐ ওকশ্রে। মী অপওবদৌনা ঐনা হংলম্মী, করিনো নওনা হায়রিবসি? জেলদা নথোয়গী অরাবা লৈতবরা?

—করিমতা রাদে। অরাবা অমতংদি লৈরম্মী। মাহুস্মু অহানবা হৌরকপদনি। হৌজিক্কী মতমদা মাংস্মু লৈতরে।

—মাহু করিনো ?

— হুজুর অপরাধ লৌবিরোইদরা ?

—লৌরোই হায়য়ু।

— মাহু নেশানি। খৌনাউ মমুংদা ফোকর শেমদ্রিবৈদা য়াম্না রারম্মী। হৌজিক্কি মাহুগী মরমদা অরাবা লৈতরে।

ঐনা তাবা ফোকরগী রারা অসিদদি অওকপনি অমস্তুং অকিবগী মশক্তি। মিশি মতুম অমা খৌনাউ মমুংদা নাকল অমদা উমডুন থমহুনা মুমিং মুমিং খুদৌংগী থোইদৌং অমমমগী চাংদা মথূল অমা শেম্মী! য়াম্না নাবমক্তি, মাহুগা লোয়ননা ইহসংসার অসিগী অরাঅনাদগী মুক্তি ফংবস্মু ওইবা য়াবানি। মতৌ অস্মুম তৌনা খৌনাউদা বল থম্বদগী মা অনী মরি শিখিদবা নত্তে। মহেশনা মমীংনা উনা নহাল মী অমা শিখরে। ফোকরগা অপোম্বা অনাবহু ফরহুনা কংশিনখ্রবদা, বল অহু হুন্দোকখ্রগা মথূল অহুদা মথোয়না লোৎতুনা থম্মী সিকি, মখায়, গিনি, খুদোপ নত্রগা সনাগী চেন। মতৌ অস্মুম্না লোৎতুনা থম্বা সম্পত্তি (মরল মথুম) অসিগা শিন্নহুনা লাকই (কংক্ত) হিদাক, বিড়ি, গাঁজা, চরস (গাঞ্জাগী নপ নপ লাউবা মনপ—আঠা paste), (১) কোকেন, আফিম, অহুগা নেশাগী পোৎচও কয়া কয়া।

---

(১) coca কৌবা উ মচা অমগী মনাদগী শেম্বা নেশা য়াম্না কাবা, anaesthetic ওইনস্মু শিজিন্নবা য়াবা ময়ায় কাবা পোৎ।

অসিগুম্বা পোৎচঙশিং অ৷দপীবা মীশিং অসিগী তৌফম থোকপা থবক অহু আইনগী শাহারক্ত ইতুনা লৈ আসগুম্বা অথীৎবা পোৎ অসি চঙলকপা থিংনবা। মখোয়না তৌফম থোকপা থবক তৌদবগী দোষ অহু মতিক চাবা সনাগী মমলনা চুমথোকই হায়বসি হেজিন্না হায়বনি অমসুং ফোকরদা তু'শিন্দুনা থম্বা ললগী অচৌবা শরূক অমনা মাতুগী অরূম্বতু পুই (খরচ তৌনৈ)।

ঐনা অনৌবা ৱা খঙনীংবা মতৌ উতুনা মহেশনা মাগী ফোকরদগী ওথোক্লুনা পুথোবক্লে গিনি অমা। অহুগী মতুংদা মাহু হান্নগী মফমদা থাজিনখ্রগা অৱা-মুংঙাইবগী ৱা অতৈ অতৈ ঙাওলগ মা বিদায় তৌদুনা চৎখ্রে।

অসুম ৱা ঙাউনরকপা কালদা ঐন হংলম্মী, নপূন্সীচুপ্পা জেলদা লেপ্রে, নতূ-নচ নিপা নুপীশিংগী ৱাখল খনবদা নপূরীংদা কপ্লাংবা পোক্তবরা? মা অতৈ ওবাগী মতৌগুম মখোয়হু য়োক্লুনা থম পান্নীংদবরা?

মহেশনা হায়বম্মী, ইতূ-ইচানিপা লৈরবদি পূক্রী দা কপ্পা বা পোক্কদবনি। ঐখোয় অয়াম্বা কনাগাসু অহুগুম্বা পামদবা অশুৎপা সঙ্গ লৈতংনা নম্মী।

ঐনা ঙক্লুনা হায়রম্মী, কবিনে? লখোয়গ' উনগে হায়তুনা অসুপ য়াম্বা নুপী লাক্লিবসি'দ? অহুগুম্বা নিপাহু ঐগী ইপুবোহবনি, অহুগুম্বা অহনা ঐগী ইপূবোহবগী মনাও নিপানি হায়না দরখাস্তদা ই।

মহেশ লাকথোক্লক্লে,—মপুরোইবগ্রাক হায়দ্রবদি হুজুরখোয়না করিগী উনহনগনি? অচুম্বদি কনাম্ব মতূ নক্তে।

ঙাহহাক্লং তুমিন্না লৈরগা মহাক্রা মথন্ত ৱা ঙাঙবদোনা হাযরকই, ঐখোয়গী হতূ ওইদ্রবসু মখোয়াসি দিনকাল ফৎলকত্রবা মতংদা

ঐখোয়গী মরূপনি। নাববা— মুংশিবা মী কায়নবগী অরাবা, দুর্দ্দশা (খুদোংথীবা) ফ'বা মতমদা। মখোয়সিনা চিংদ্রবদি ঐখোয়গী উপায় লৈতে। রামদিন কাহার নঙাল লাই থোক্লুনা নারম্মী। বিমলিনা কয়া নীংথীনা সেবা তৌখ্রে। কর্পোরেশনগী মীনা খঙলক্লুনা হাসপাতালদা পুথিগনি খন্দুনা মাগী ময়ুমদা লোত্তুনা থনম্মী। মাগী মপাম্না রামদিন হিংহৌরে। অদুগী মতুংদা মা মশামক তুরে। রামদিন্না হাসপা-তালদ তাকল্লুরে। মাবু লৌবা লাকপা অ্যাম্বুল্যান্স উরগা বিমলিনা কয়া কপখ্রে। কপতুনা হায়রম্মা, ঐ হিংলরোই তাদ মহেশ। মুপী অসিগী আয়ুগী মপাঙ্গল লৈরম্মী। মথৎরায় শিদ্রে, অদুবু মমাৎ অমীদি তাঙদে। মা হৌজিক লম্মী লম্বীদা ভিক্ষা তৌদুনা লৈ। মুপী-শিং অসি অচুম্বমক, য়াম্না ফে হুজুর।

মহেশ চংথ্রব মতুংদা ঐনা খল্লকই, কদোইডেনো কার লাইরিক-তনো ঐনা পা খ— মীবু মপান্দগী ফনব হোৎনবগা মান্না নমথাক তৌবা থবক অতৈ লৈতে। অদুম্নদি গুইরগা ঐখোয়না খ্বাংদ ফী কন্না শেৎচিন্দুন নমথাক ওসি তৌদুনা লৈরি। অসিগুম্বা 'বি' ক্লাস জেলগী খুন্নু, অরীবা পাপীশিং আস লানবিনবা মী দল অমনা অরাবা রু থল থনবগী অরোয়বা লেতে। crime গী জীবাণু (খ্বাহ পূম্ন-মক্তগী হেন্না পীকপ জীব—bacillus) গী মবমদা মকোক হুমাং কাবা মখে থিবা অমম্ম তিলাশিং অসিগী অশেংবা লৈফম ঈদবা নত্রগা কোক্কী তুম্বা মগুংদরা হায়বা সতা অসি খঙনবা নেনবা পণ্ডিতশিংগী রা ঐ হায়জদে। crime গী পোকফমদি অকোযশ (surrounding) দা লৈবা ঈশিং—মুং শৎ (climate 'ন হায়বা মী পুম্নমক্' হন্না হন্না হায়নবা অরীবা রাসি পুংগোক্লুনা Heredity Vs Environment

গী মতম কুইনা লৈরক্লবা থংনবা অসি মীরৈপাক্কী লৌরুহুনা থাগী —চে পাবা মীশিংগী মনা পঙনবা তৌবা মীশিং অতুগী রাস্নু ঐ নৈনবা তৌজদে। জেল—রিফমগী ফীরাল পায়হুনা ভাউরবা মীশিংগী রানি ঐনা হায়রিবা। আহা! জেলগী ফাটকশিং অসি য়াম্না রাই! কম্বলগী ফুরিৎ অসিনা মশাদা য়ুই; ফুরিৎ অসিগী মথাদা লংজমগী লাইনিং (ফীগা) থাউ। কম্বলগী ফমুং অসিগী মথক্তা মোম্প্যাক ফীদক অমা কুপউ। মখোয়দা পীজবা ডা মচেৎ য়াম্বা হেনগৎহল্লু। মখোয়দা পীরিবা pocket money গী allotment অসি নোক্লীংবা পোকহল্লি—ছটাক অমগী শরূক ১২৮ থোকপগী শরূক অমা! হোমিও প্যাথিক্কী ডোজ (dose) অসি ডবল তৌ। মরাইবক থীবা মীশিং অসি বিড়ি থকপা ফংদবরা? ডিসগ্রেসফুল! মী থুদিংমক্কী বিড়ি বাণ্ডিল অমমম পীয়ু নত্রগা হিদাকফু—ভ'স্থক অমমম পীয়ু। মখোয়গী জীবন স হাংবা নাইত্রবনি। মরক মরক্তা ম্যাজিক ল্যান্টর্নগী লেকচর তৌহল্ল মখোয়গী ব্যারাক্কী মথক্তা রেডিও সেট অমমম থম্মু। ঈশৈ পু'? শোয়দনমক পাম্মী। ম্যান ডাজ নট লিভ বাই ব্রেড অ্যালোন। সন্ধ্যাগী মতু'দা মীয়াম পুন্নমক তিন্নহুনা কীর্তনগী ঈশৈ শকসনু। মরক মরক্তা (১) জারি গান শকহল্লু অতুগা কবি দল অনী কবিতা অন্নায় অখুম তৌনহুনা থীনহল্লু। হায়বদি জেলবু জেলনি হায়বা কনাস্নু খঙবা ঙমদনবা তৌ। চাবা থকপা—

(১) বাঙ্গালা দেশদা লৱাইগী লমদমদ কারবালাদা শিখিবা শহীদ (martyr) শিংগী মরমদা লেংবা মহরমগী মতমদা শকপা য়াম্না মুংশিবা ঈশৈ।

কোয়বা শানবদা ঙম্বমখৈ মুংঙাইবা পীয়ু। আহ! কয়াদা অকিবা ফংনা রাবনো মরাইবকথীবা মীশিং অসে!

লাইবক থীবা ফাটক্কী অৱাবদা মুংশিংইবা রিফর্মারশিংগী থোংখ্রবা থমোয় অহু ইতত্তনা মহী চেল্লি। অ,বু বন্দীগী থম্মোয়গী রা মখোয়না কৈদৌঙৈদম্ব খঙবা ঙমদে। মখোয়সিগা মী অমবু উৎ-তুনা মহেশনা হায়রম্মী—পুম্নমক্তগী হেন্না ঐখোয়না খাঙবা ঙমদবসি হুজুরখোয়গী ভিজিটার—বাবুশিং আসনি। ঐখোয়সি অৱাবা য়াম্না ফংবা জীবনি হায়বা মীৎয়েংনা মখোয়না ঐখোয়বু য়েংই। হম্বুবা নিপা অমা লাকুনা ঐবু অমুক্তং ফারম্মী।—ঐন তাবদি মহাক অসি রায়-বাহাদুর অমনি—করম তৌরি? করি চাগ? নখোয়গী খুদোংচাদবা করি লৈ? অসিগুম্বা মী কাহেন্না ফমনবা বৃহুগী থবক। হকচাং অসি মৈশা লাংলে। ঐনা হায়রম্মী, বাবু, ঐনা জেলগী মন্নুংদা করি চাবগে হংবা তৌবিদনা ঐনা জেলদগী থোকখ্রগা করি চাগদগে হায়-বগী মরমদা কোক হুমাং থোক্লা থনবিয়ু। মাহুনা ঐখোয়গী য়ামনা হেন্না উপকার তৌবিবা ওইগনি। ঐগী রাসি তাবদা মুংঙাইত্রমালে রায় বাহাদুর অহু। খোঙথাঙ কন্না থাংহুনা চৎখ্রে। অসিগুম্বা কয়া উরে। ঐনা জেলদা লৈরিঙৈদা মখোয়গী থম্মোয়গী অৱাবসি ফ,দো-রকই। জেলদগী মপান থোকখ্রবা কান্নবা ফল ফংদবা কোয়চং চৎপা মতমদা কনানম্ব নঙ কমদৌরি হংদে। লাপ্পা লাপ্পা তাম্থোকই, জেলগী খুন্ন অসি মতৌ করম তৌরগা অমুক হন্না জেলদা থাজিনখি-হুনা চিন্তা কোক্কদগে হায়বগী মরমদা ময়াম রা তানৈ।

যোগেন—মহেশ অ্যাণ্ড কোম্পানিগী অয়াম্বগী মমায় অহু ঐগী পুক্নীংগী মচী অমদা লাকুনা পুল্লপ তিল্লরে। কনা কনাগুম্বগী মমায় অহু তশেং তশেংনা উই; কনাগুম্বগীনা নীংশীংবগী মরুমদা লৈখিহুনা

মশেং মরাং উই। ঐগী লৌগী চৌকিসি মথোয় অসিগী মরক্তগী অমনা শারম্বনি। স সার অসিদা ঐনা ক্লংশিজবা পোং ময়াম লৈবিবশিংগী মরক্তা মাসিগী মফম অপীকপা নত্তে। মতম অস্মুপ কুইখ্রবা মতুং অসিদা হৌজিক্কী মতমদা করি কবিগুপ্তা স্নমিত্তা, চৌকি অসি ঐগী লৈকোনগী মচী অমদা থাহুনা সন্ধ্যাগী মতমদা সঙ্গ য়াওদনা ইথন্তা ফম্বা মতমদা, কুচু মুবা মশা পাবা ব্রাং চাউবা শাওড শাদা য়াম্না কনবা তাশিনবা পাথং ওইবিবা নিপা মচা অমা ঐগী মীংকী মথক্তা তাউ-হুনা লাকই, নোকমি নাকমি তৌবা মাগী মমায় অহু লাইথোক-খিহুনা চাম্মী; মকোক্তা ঈশিং ঈথকুম্না থোয়না শেম্বা মশম। মমীং হংলগা মহাক্তা থুম্নম্মী, বহিম শেখ, লৌগী থবক্তা শেল তানবা মীশিংগী ওজা। হায়বগী অর্থদি মশানা মশাগী পদমর্য্যাদা (মীংচৎ ফজবা) নীংথীনা খঙবগুম, মী অতৈবুস্থু খঙহন্না থম্মী।

রহিম গাঁজা, বিড়ি, চবস (গাঁজাগী নপ নপ লাউবা paste) নচিংবা অমতা শোংক্তে। মাহুদগী য়াম্না হেন্না চাউবা নেশা অমস্তুং অমতংদা ওইবা নেশাদি মাগী মশম অহুনি। মশম ফজনা শেম্নবগী দমক থাউগী দরকারনি। মাহ মখল য়াম্বা উপায়না থিবা ত য়। থাউ অহুগী শব্দক থবা মাগী মকোক্তা চঙখি, অয়াম্বা শব্দক্তা জমা-দারগী মখোঙদ চঙখি। অহু নত্রবদি মানা য়াম্না পামজবা, চাউ-থোকচবা অখোইবা মশম অহ কাটিনা ককথংতুনা পাইখিগদবনি। থাউ ফংনবা হোৎনবদা মাগী ফোকর-ব্যাঙ্কগী মণক্তা পীবা ভার (অক্কম্বা) হু গাঁজা-চরসনা ইনবদগী হেনবা নত্তনা শব্রাংপদি ওই-রমদে হায়বাস হায়মনবনি।

বি—ক্লাস বন্দীশিংগী মী পূম্নমক্কী ওইবা অনাবা অমা লৈ, মাহুবু মখোয়না ছোকরাবোগ (নিপামচা অনাবা) কৌই,— মাসি

য়াম্না ওৎপিরবা লুহোংবগা মরী থোক্লবা জীবনগী অথীব। বিকার কায়বা মওঙনি। জেল—ক্রাইমগী অপৌবা শরূক অমগী মরুদা ছোকরা রোগ অসি লৈ, মুপী—সঙ্গ—য়াওদবা মতম কুইনা ফাটক লৈবা অমসুং জেলগী পাপকী থবক তৌবা ঈশিং- নুংশিৎ (climate) না মাসিগী দায়ীনি। মাসিনা ওৎতুনা অথোয়বা লৌতুনবা কয়া, তুক্‌-চরবা মী হাৎকে নীংবা ইচ্ছা কয়,য়েবা—য়েবা খুং ওল্লকপগী অকিবা মশক ওইবা লীলা, অশাংবা ব্যারাকশিং অসিগী লৈথুন মনুংদা থোকপা অতুগী ইতিহাস কৈদৌউদসু ইবা তৌররোই।

হাসপাতালদগী নুমিৎ খুদীংগী শঙ্গোম সের মথায় অমা রহিম শেখদ পীরম্মী। অতুবু রহিমদি শঙ্গোম অতু পুহনা চৎপা মীতানি। শঙ্গোম অতু থকপা মরাইবক ফবা মী অদুগী বয়স চহী তরাতরেৎনি; মশাগী কুচু ভৌরপ তৌই অমসুং মশাগী হকচাঙ কৈ। মাগী মরমদা নোংমা নোং কন্না মংপে অমসুং মাদুগী অরোয়বা থবক্তি থাডনা থিন্নবা —রহিম অমসুং পটলা অনীগী থরায় পীব—লৌবগী শান্নবা। শোক পনবগী অয়াম্বা শরূক্তি রহিমগী শরুক্তা তারে। মরম অতুনা শাস্তি (দণ্ডী) পীবা মতমদা মানা ফংকম থোকপতু সুপারনা থরা হন্থ-হল্লে। মাতু ঐনা মাবু থৌজানবিনা খুং থাবদগী থোকপনি হায়না রহিমনা খল্লম্মী।

জেলদগী খালাস (থাদোকপা) ফংতুনা থোকখ্রবা মতুং নুমিৎ কয়ানিমুক্কী মতুংদা রহিম ঐগা উনবা ঐগী য়ুমদা লাক্লম্মী। মতম অতুদা মানা শাবিবা ঐনা য়াম্না পামজবা চৌকি অতুদা ফমতুনা ঐ করিনো থবক অমা তৌরম্মী। রহিমনা চৌকি অতু ডাইহাক্লুং য়েংলগা হায়রকই, চৌকি অসি হাথু হাথু শাথিবনি। পোৎ অসি নীংবা

থুংবা অপাম্বা নরে। আচ্ছা মাতুগী দমক কবি ? ঐনা হন্দক অমুক লাকপদা অমগা শাত্থনা পীজগনি—পুম্নৌ নৌবা ডিজাইন (design)। চৌকি অত্থদা ফম্বিবিবা মতম মথৈ রহিমবু নীংশীবিগনি।

ঐনা হায়বম্মী, তোক্লো, ঐগী চৌকিগী দরকার লৈতে। নঙ অমুক (জেলদা) লাক্লগনু। মুমিৎ থরদং ঙাইথো। নঙগী অফবা থবক অমতং থিত্থনা পীবা ঙমগনি হায়না ঐনা পুক্নীংদা নীংই।

রহিমনা থুনা হায়রকই, না না, অত্থগুম্বা থবক তৌবিগনু।

মানা তৌবা অকনবা আপত্তি (য়ানাংদবা মত) তাবদা ঐ নোক্লম্মী, করিননো ? থবক্তা ব্রা তাবদা কিরিবা করিগীনো ?

রহিমন ইরাই লাইনা হায়রকই, হুজুরনা ঐগী থবক থিবিবগী দরকার লৈতে। মাত্থনা ঐগী কান্নবা করিম্নু ঙইরোই, অত্থগী মথক্তা হুজুর খুদোং থীবা ফংবগনি।

ঐনা ঙক্লত্থনা হায়রম্মী, ঐনা খুদোংথীবা ফংগনি হায়রবু করিগীনো ?

রহিমনা বারান্দাগী মচা অমদা ফমত্থনা হায়রকই, অত্থ ঙই-রবদি ঐ ব্রাবী অমা লীজগে তাবিম্নু।

মমাংঙৈদা ঐ অমুক জেলদগী খালাস ফংলম্মী। সাহেবনা ঐঙোন্দ লুপা মবি বথশিশ পীবম্মী। অত্থগা লোয়ননা মুমিৎ নীনী চানবা শিকি ক্ষুত্থম অমম্মুং শেয়ালদ' ফাঙবা চৎনবা রেলগী পাশ অমগা পীরম্মী। পুক্নীংদা ফত্তবা ভাব অমা ফাঙ'ক্লে। কোলকাতাদা হুনবা তৌদনা মফম অসিদা থবক থিত্থনা ফংলগা লৈবগে নীংলে। লীগী থবক্তা অত্থগী মমাংদন হৈরবনি। হন্দকসি য়াম্ন হৈবা ওজা অমনা তম্বিত্থনা ফী শাবগী থবকম্ম হৈরবনি। মুমিৎচুপ্পা থবক

থিদুনা চৎলম্মী, অহীংদা ইষ্টিশন্দ তুম্নম্মী। য়েংনা য়েংনা খুত্তা লৈরম্বা লুপাদু লোইথোকখ্রে।

মুমিৎ অদু সন্ধ্যাগী মতম ওইরে। মুমিৎ চুপ্পা চাবা কংদ্রবনি। প্লেট ফরমদা হঙৎ হন্দা চৎলম্মী। এবু থেঙ্গায়রমদুনা মাড়োয়ারী বাবু অমা চৎখ্রে। মাগী পকেটতা নোট মপুন অমা। ঐগী খূৎ অসি হাকচরে। নিপাদু অম্মুপকী মতীক পঙম্মু পঙই, মাগী নোটশিং অদু ঐগী ইখূৎ চনবদা সেকেণ্ড অমতা চঙলমগনি। অদুবু লাইবক্তা অন্নাবা ফংউ হায়না তম্নবদি থোকপা হৌনবা, ঐনা ইশাবু থামজদুনা ত্তোক্লে। অয়ূক অঙনবদা, ঐ মীকপ থোকত্রি, ঐগী নঙ্গন্দা খোঙউপনা কাওবা। মীৎ পাওদুনা য়েংবদা পুলিশকী হাবিলদার উরে। ঐনা হায়রম্মী, ঐবু হেক্তা ফূবা করিগীনো?

অদু ওইরবদি শাল হায়দুনা ঐগী শম পায়দুনা চিংখৎলে। অদুগী মতুংদা থানাদা। ধারা ১০৯ দা পান্দুনা ঐবু চালান তৌরে। এস ডি—ও সাহেবকী ময়ুমদা ওয়ারেন্ট সহ তৌহনগদবনি। ঐবু পুন্দুনা পুরে। হাকিম অসি অঙাওবনি হায়বা তারে। আসামী মশক উদ্রবদি ওয়ারেন্ট সহ তৌদে।

মাগী য়ুম মনাক্তা টেনিশ শানফম অমা। মাদুগী মচা অমদা লাগী চৌক অমদা ফমদুনা মুপী অমা মোজা লোল্লম্মী। এস—ডি—ও সাহেবকী মতূ ওইরমগনি হায়না ঐনা খল্লম্মী। বয়স চহী য়ামদ্রিবা মুপানি; মহাক্কী মথন্নায়দা দয়ামায়া (থৌজ্ঞানবিবা মুংশাবা) লৈ হায়বা মাগী মমায় উরগা খঙব য়ায়। মনাক্তা অপাকপা টেবিল অমা। পুলিশ অনীদু খরদং লাপতক লেপতূনা খৈনি (হিদাক মনাগা শুম্মুগা মখূবাক ময়ায়দা মখূৎ থুবীনা। লৈরম্মী। অহাঙবা অসিদা খরদং চঙশিল্লগা সেলাম তৌদুনা ঐনা হায়রম্মী, মেমসাহেব,

নহাক্কী টেবিল অসি পালিশ (তিদোক তৈবা) দরকার ওইরে। থোজানবিতুনা থবক অসি ঐবু তৌহনবিয়ু। ঐ চাক চাবা ফংদবা ভসি কুমিং নীনী শুরে। অহানবদা মহাক খরদং ওকল্লী। পুলিশ অনীতু রা ভাতুতুনা চেনশিল্লক্লে। মখোয়দুবু মখূৎনা ইঙ্গিত তৌতুনা থাম্লগা মহাক্না হৌখৎতুনা খরদং চওশিল্লক্লগা হায়রকই, নঙ পালিশগী থবক হৈব্রা ?

—হৈঈ মেমসাহেব।

দেশী (ভারতকা মী) হাকিমগী মতৃশিংনা মেমসাহেব হায়রগা পেনবী হায়বা ঐ খঙলম্মী।

মহাক্না হায়রকই—নঙ মীগী মপোৎ হুরাল্লুবরা ?

না, হুজুর। জেলদগী খালাস ফংতুনা থোরকপা কুমিং মরিনি শুরে। ঐ থবক শুরুম থিজরম্মী। ঐবু ইষ্টিশনদগী হেক্তা ফাতুনা পুবিরকই।

মেমসাহেব ইমুং মনুং চওখরে অমস্তুং মতম খরগী মতুংদা সহেব-কা লোয়ননা থোরক্লে। মহাক্না ঐভোন্দা রা য়াম্না হংলম্মী। অদুগী মতুংদ কদায় কদায়দনো ফোন তৌরগা মখৈদা পুলিশশিংদা হুকুম তৌরে, অসামী থাদোকউ।

কুমিং তরা—তরা নংথাংরোম মখোয়গী ফার্নিচার পালিশ তৌরে। পালিশ তৌবগী পোৎচঙ লৈনবা শেল ঐভোন্দা পীরম্মী। ঐনা পূম্নমক লৈংনা পুরক্লে। শেলগী বিসাব তৌনসি হায়ববু য়াদ্রে ; অরেম্বা শেল লৌদরে। ঐনা তৌবা থবক উবদা মেমসাহেব য়ামনা পেনবিরে। কুমিং কয়ানিমুক্তসি ঐগী চানবা চিঞ্জাক পীরবনি, অদুগী মথক্তা লূপা তরাম্তু বখশিশ পীবনে।

অসোমদা সাহেবনা ঐগী দমক থবক থিবিরম্মী। নোংমা মহাক্না হংবিরম্মী, নত্ত করি করি থবক হে ?

ননাই ঐ লৌগী থবক পূন্নমক হৈজে হুজুর। মেমসাহেবনা ফম্বিরিবা চৌকি অসি ঐনা জেলদা লৈরিঙৈদা শাহুনা পীজখিবনি।

—মাদু: ?

মহাক্কী থবক লোইরবদা মহাক্না ঐঙোন্দা চিঠি অমা পীহুনা সহরগী মপান্দা থাবীরে, জমিদার অমনা স্কুল অমা লিংখৎপা মফমদা। অচৌবা মীগী মশানা পাম্বা স্বভাবনি। ফীশাবা, উশাবা, ছুরি-কাটি শাবা, লৌগী থবক ভদ্রলোক্কী মচাশিংবু ফাহুনা খূৎনা শাবা থবক তম্বিরম্মী।

ঐ লৌগী মাষ্টার ওইরে। তঙব লূপা কুম্নি। এস—ডি—ও সাহেবনা হায়রম্মী, নঙনা জেলদা লৈরম্মী হায়বসি কনাদসু হায়গন্নু। ঐনা হৈব্রক মন্নুংদা নোক্লম্মী। দাগ লৈবা হুরানবগী মশাদা জেলগী মনম পক্কুনা লৈ,—ব্রা অসি মহাক খঙলমদে। নহা ওইরিবা হাকিমনি।

থা অমবোমগী মতুংদা পুলিশনা হোৎনহুনা ব্র। পূন্নমক খঙনখ্রে। ছাত্রশিংনা হায়রম্মী, ঐখোয় জেলদা কৈরুরবা মীগী মফমদগী খবক তম্লোই। ঐগী চাকরি লোইরে হায়বা খঙলে। মীনা ইকাই খুম্নরিঙৈদা চংখোকহৌরগে থম্লিঙৈদা জমিদারগী মচানুপীগী মঙক্কগী লৌক পূথ্রিগা ঘাট; ছিরি; তা হুখ্রে। পুলিশনা লাক্কুনা ঐবু ফারে। নঙন্দসু খর। ফুরে হায়বসি খঙবিরগনি। জমিদারনা কেশ তৌহন্দরে। ঐবু কৌহুনা থা অমগা তঙব হেন্না পীহুনা মমীৎ খূজিন্দুনা হায়রকই, খোঙউপসি উব্রা?

ঐনা দক হাইদুন হায়বম্মী উই।

--খবরদার (চোপশিনু)! ঐগী জমিদারগী লম অসিগী মনাক্তা করিগুম্বা হুমিডা লখোড হা জিল্লক্রবদি ননঙ্গলগী উনশাক খোকও তোক্কান, খঙলব্রা?

.অমুক হন্না ডক হাইহনা ঐনা হায়রম্মী, খঙজরে।

জমিদারনা খোঞ্জেল শা না লাউবে— দারোযান! দারোযান! (থোঙশঙবা নিপ) চঙশক্লুনা ঐগী না পায়দুনা কম্না চিংদুনা পুথোরক্লে। চংলমদাংদা জমিদার বাবুনা হায়হেবা রাহু ঐ তারকই, পাগলা (অংগুব) এস ডি ও অমা থেংনকবেনা স্কুলগী মাষ্টার পাম্মী হায়বগা দাপ সৈশব। তরানগা অমা খাবক্লে।

খবক ভুংন চাব ঐন পায় বদা ক্রৌ জাক্ক লাইখিবম্মী। অক্লদগাদি ঐগী লম্বাদা চংলে কাষ্টিশনমপদা কেস অমা ফংলে। পরেট অসি লম্ন পুহনা নাপেক ... লাগে। খুমিং খরগী মতুংদা অমুক হা "পুর না .ডপ" (হাগী শদাবা লেপ) অসিদা।

ঐনা হায়বমী, ন, শাগ ... দুনা হিংলাবিগনি, করি হায়বগে?

'রা অজু ... নুক হাব না' হাং ... ঐগী রাগা লোয়নবা পাউখুম্লগে, ... অপানা ... খরজ ... মদা সৈব-দৌনা খল্লম্মী। ঐ ... হায়গী ... হাফ ... পুম্নমক জেল অসিনি। জেলবু মীনা ফাগী ... শ্রাদ্ধ কৌই। অজুবু রাহু অচুম্বা অশেংবনি, স্যার।

—ফরে, অজু ওইরে। অবু ঐ করিনো খুদোং থাবা ফংগনি হায়বদায়।

রহিম ইকাইরতনা হায়রকই, যেংবিসু, মক ওইব রাদি কাউরুরে। কোলকতাদা লাকপা মুমিং থংগী মতুংদা চিংপুরদা পটলাগা উনরম্মী। মাগী মকমদগী তাংবম্মী, এস—ডি—ও সাহেবকী চাকরি শোয়বা য়ানা লৈরম্মে। দাগ লৈব ভুগানবা তমমা পুলিশগী মথুক্তগী থাদোক্লুনা ময়ুমদা লৈহল্লে, স্কুলদা চাকরি তৌহল্লে হায়দুনা কালেক্টর সাহেব য়াামনা শাউরমাদে। মহাক এস ডি ও ওইবা তোকলে। চুম্নগী অচম্বা হাকিম অমা ওইনা করনো মানম মমদা বদলি (transfer) তৌখরে। অতনা ঐনা হায়জখিবা অদুনি ওব, অবীবা হুরানবা মীগী মথক্তা অশেঙ্ব হায়খিনবা য়া যাবনা লৈ। অসংগুম্বা পানদরা সম্বন্ধগী থবক্ত য়েংশিন্দুনা য়াওবিরক্তু থুদোং থীবা খোকপবু মতম কয়া কুইনা চংনগে?

রহিম চংখ্রে। মানা ভাবলম্বা রাশিং অদু ঐগী পুক্নীংদা মতম কুইনা লেঙভংতুনা (খন্দুনা) লৈরম্মী। রা ময়াম ভাডলম্বগী মরক্তা মহাক্না হায়রম্মা, ঐখোয়াস দাগ লৈবা মীনি। ঐখোয়গী দাগ অসি কারগুম্বা কানদম্ব মুংলোইদব ?

মাঙ্গী পাউথুম পীবা ঐ ডম্লমদে। প্রশ্ন অসিগী পাউখুম লৈরমদবা য়ায়। ঐনা মরক মরক থল্লম্মা, মখোয়স দাগ লবা মী নত্তে, দাগ ভাবকপদি ঐখোয়গী মাওনি, দাগ তারকপদি ঐখোয়গী পুক্নীংদনি—ঐখোয়না মখোয়বু য়েংব মাং অসদ. ঐখোয়না মখোয়শিংবু বিচার তৌবা পুক্নীং অসদা। ঐখোয়াস ভদ্রলোকনি, লৈবাকমচা তাবা মীনি, অফব মীনি। ঐখোয়না কেদৌইডদম্ব কাউদে, নিপা অসি নোংমা জেলগী থাউ শুন্নব। কনু চি লম্মা। সমাজগী করিগুম্বা থাক অমগী মফম অমা মহাক্না থাদোক্লুনা চংথিবা অতুদা মহাক্না অমুক

হন্না লাক্কুনা লেপ্পনবগী খুদোং চাবা ঐ:খোয়না মাড়োন্দা পীবা ভমদে কৈদৌঙৈদস্ন অমুক্ত· চৎখ্রবদি মতম কুইনগী দমক চৎখ্রবনি। মাগী নয়াইবক্তা খাখিবা ছাপা অছু ঐখোয়গী মীত্তা কৈদৌঙৈদস্ন মুংলোই।

কুইখ্রবা মতমগী মমাঙদা থোকখিবা ঘটনা (থৌথোক) অমা নী'শীংলক্লে। মতম অদুদা ঐ কলেজদা তম্লি। সাহিত্যগী সভাটভা অমদা মমীং চৎপা উপন্যাস ইবা শরৎচন্দ্রগী মনাক্তা চঙবগী খুদোং চাবা ফংখি। মহাক্কী মনাক্তা পূং খরা লৈরম্মী; মহাক্না শেন্বা (ইবা) পতিতা নমচৎ ফজদবী বেশ্যা মুপীগী মরমদা ঐনা করিনো মত অমা পীরম্মী। খুদক অদুমক্কদা মহাক গম্ভীর (শুকথবা) ওইখরে। হিদাক থক্লিবা মবর তোংজৈ অদু মচান্দগী লে'থোক্কুনা মখুৎনা পায়রে। মহাক্কী য়াম্না থৌবা নমীৎ অনাহুনা সংসারগী বিষয পামদবা মওঙ উৎখরে। খঙহৌদনা মহাক বয়া লাপ্না চৎখ্রবা মতৌ মাংল্লে। কদায়দনো মশক উদবা পোৎ অমা য়ে'হুনা অমেঙবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, পতিতা (বেশ্যা)। হ্যাঁ; মখোয়গী মরমদা রা য়াম্না ভাঙনখরে, ঐ মাহুগী মরমদা ঠিক ওইনা খঙত্রবস্ন। ঐ মখোয়সিগী অয়াম্বগী রা খঙই। ঐগী ইমীৎনা উরে, অচো অচোবা সমাজদা লৈতবা পোৎ মখোয়দা লৈ। মশাগী ওইজবা থ'দোকপা, ধর্ম্ম, দযা (চানবিবা), মাযা (মুংশিবা), প্রেম—মীওইবগী মতৌ কদায়বু কৌবগে হায়রগা খঙ-লবদু, মখোয়গী মরক্তস্ন অরাংপা লৈতে।

ভাইহাক্তং লেপ্পগা থরায় শোকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, অদু নত্তনা, কনাগুম্বা মী অমা তশেং তশেংনা কালো (মচু মুই), re-deeming feature অমতা মাগী মশাদা লৈতে হায়বা রা অসি থনবদা ঐ অরাবা ফংই। মাহু ঐ ভমদে।

মপান্দা সন্ধ্যাগী মমি মতু মম্বা হেনজিল্লক্লে। করিগুম্বা মফমদা কনামতা লৈরমদে। অপীকপা মাঙ্গোন অমদা মহাক্কী মনাক্কা নহা ওইরিবা ছাত্র ঐখোয় অনী ক্মন্মী। ঐখোয়দা য়েংদনা, মশা মথন্তা রা ভাংবদৌনা, মরক মরক্কা লেপতুনা রা খরসি মহাক্কা হায়রম্মী। ভসি অম্বুপ কুইখ্রবা মতুংদা মরাইবক থীবা দাগ লৈব হুরানবা রহিম সেখ য়েংহুনা মী ওইবা জাতিগী দমক রাবিবা কথা শিল্পী (রাহৈ খুৎশা হৈবা) অসিগী অরাবনা থনবা রা খরহু ঐগী পুক্নীংদা নীংশীংলক্লে। ঐনা খল্লম্মা, মখোয়সিস্তু অশেংবা মচু অতৈ য়ান্দবা কাপো (অমুব) রা? মখোয়সিগী redeeming featuer অমতা লৈতবরা?

শতাব্দী (century) গী অসোমগী তোর্ব্বানগী টমাস হার্ডিগী মানসকন্যা (মপুক্নীংদা পোকপ মচানুপী) টেস্‌গী মখোঙ্গেল তাবা ফংই। অহৌং অমগী মীকুপ অমগী মপুক্নীং শোনবনা মাগী জীবন্দা ইকাইবা, মীংচং থীবা, অতুগা অভিশাপ (শাপ তৌবা) পুরকখি। অতুগুম্বা দাগ অহু মাগী পুন্সি চুম্মা মুৎথংপা য়াখিদ্রবদা, মহাক্কী অরাবা ফংলবা মখোনাউদগী অরুবা প্রশ্ন অমা ধ্বনি (ফোংদোরকপা) তৌরকই—The recuperative power of nature is denied to maidenhood alone? ইতওস্তুনা থুগায়বা—শাবা হায়বসি প্রকৃতিগী লীলানি। ককথংখ্রবা উশাগী মরুদগী অনৌবা মনা য়েনীং হুল্লকই। মচানিপা শিখিবগী অতুপ কনবা শোক (অরাব) না হোগায় থিনগায়থিবহু মমাগী মবুক্তা নোংমদি তাইশিনখি। মমীংকী মপী কংথি, নোকপগী ঔথক অহু অমুক হল্লকই। অতুবু মীকুপ অমতংগী ময়ুম পান্দ্রিবী কুমারীগী লৈশাবীগী ধর্ম্ম থুগাইথিবগী অমুবা লৈই অহু করিগুম্বা মতমদস্তু মুৎথংপা য়াররোইদরা?

করিগুম্বা অমতনা জয় তৌবা য়াদবা প্রকৃতিনী থন্নায় পীবা শক্তি অছু মক্ষম অসিদা কাল্লদবা ওইরবরা ?

টেস্না হংখিবা ব্রাহং অতুগী পাউখুম ফংলবরা ঐ থওদে। অতুবু রহিমগী ব্রাহং অতুগী পাউখুম ভসি ফাওবা অরেপ্পা লৈত্রি। য়োংকী য়ুখলগী মরুমদা রহিম চামা চামগী মমীত্তা ব্রাহৈনা ফোংদোক্কবা প্রশ্ন অসি ফোংদোক্লি—ঐখোয়গী দাগ অসি করিগুম্বা মতমদস্তু মুং-থংখিরোইদরা ?

মথর্ম য় মণ্ডামক্কা লোয়ননা লুংশিবা অ ম্লুং অব্রাবা পুন্থনা কনা-গুম্বা টমাস হাডি নত্রগা শরং চাটুজ্জে হল্লক্লুনা লাক্লবদি, ওইবা য়াই, মাসিগী পাউখুম নোংমা ফংগনি।

চহী তরামণাগী মতুংগী রা। মতম অসিগী মনুংদা জেল তরেং-মুক কোয়রুরগা অমুক কলকাতাদা লাক্লে। অসিগী মমাংগী চহীদা ঐগী ইচান্নপী অহল বিন্দু লুচোংখরে। (১) জমাই ষষ্ঠীগী উপহার (অথেমপোং) পীবা তারম্মী। পুন্নমক অসিগী শেমশাবা কন্না হোৎনরম্মী। ঐগী মুপীনা মরু ওইনা হায়রকপদি ল্যাংড়া হৈনৌ (২) ঝুড়ি অমা পীবা পাম্মী। লুংথিলদা লুংশা কোক্কা য়েন্থনা বড়বাজারগী পোং য়োনফমদা হৈনৌ লৈবা চংলম্মী। মী য়ামনা তিল্লম্মী। দোকান ময়াম চও চওন্থনা মমল য়ামনা হুন্নরবা মতুংদা মক্ষম অমদা ঐনা পাম্বা থোক্লহনা মমল পীগে তৌরম্মী—সর্বনাস (পুম্মাঙ মাঙলে)। মনিব্যাগ কদায় ? ঐগী ফুরিংথাউ খুদীংমক

(১) কালেন থাগী নিংথাংগী তরুক্লি পানবা নুমিত্তা মচানুপীগী মন্না মমাক নিপা পূজা তৌবা নুমিং।

(২) খুংনা য়ান্দুনা শুবা বাসকেট (পোলাং)।

খূৎন হূমত্তুনা থংলে হন্না হন্না। হৌনৌ লৈহৌরে লৈদ্রে। য়ুম হন্নবা ট্রামভাড়া ফাওবা লৈতরে। হ্যারসন রোডকী ফুটপাথ মতুং ইন্না, নোংপোক মাহৈকৈদা খোঙনা চৎপা হৌরে।

— সেলাম, হুজুর।

ঐ ভক্কম্মী। খোঙ্গেলদু ঐনা খঙবা মাল্লি। ঐনা য়েংথোকখিবদু ময়াংকংবা, মচু মুবা, মথৌদাগী অমনা— অঙৌবা য়ান্নবা মকোয় চোম্বা নিপা অমনি। মকোক্তা ঈশিংগী ঈথক মানবা অথোইবা শমহাৎ।

— কনানো বহিম?

— হ্যা, হুজুর। লাইব্রেরীদগী কার্টবিত্রি হায়বা ঐ উজরে।

— করম চৌন লৈখি বহিম?

— ঐ মহাক্কী মরা (কুপা) দগী হূ খ্রাইনা লেজব।

ঐহাক্না মমাংৎলা বন্না লম। রহিমনা হায়রকই, মায়থোং হুমক মপাক্কি, মবা হৌকচ চনা পাংলা লৈবা?

মগী গততা লোপা য়াখেরে মহৌ। ঐগী মমখোং য়ামনা মকশিন্নখ্রে। এগী মুক ভঙবা ভাগুমনা খৎহল্লোই হোংনবদু থুংলুনা থম্বা ওন্দ্রে। ঐনা হায়বম্মী, মধানা লৈরি। অহুদি ওইরগা —

বহিম খৌরাংলা ঐগী মখা পাংলম্মী। মনা নোকফেং ত্রোবা শাশান্নহুনা হায়রম্মী, ঐগী মথাংবাগা অহু হুরানখবে।

বহিমনা হখু হাথু হায়রকই, কমধা মংমদা হুখিবনো? কদায়দনো?

ঐন হায়বম্মা, হৈনৌ য়োনফম অসদা, পা নপায় অমরোম ওহরে। ফারে, মাওফব্রসত্ত। মহুগী মতু দা নডবু কদাংদা লৈরিবগে? থবক থনা থরা—

রহিমনা রাত্নগী জবাব পীবা তৌদনা হায়রকই, মফম অসিদা লেপতুনা লৈবিরম্মু বাবু, ঐ থুনা লাকে—হায়রম্নগা কম্না চেনখ্রে।

ঐ মফম অতুদা ভাইতুনা লৈরে। মিনিট তরামঙ', মিনিট কুন, পুংখায় হৌখরে। খঙহৌদনা ঐনা খল্লম্মী, করিনো ঐনা তৌরিবসে? পুরানা (অরিবা) হুরানবা অমনা করিনো রা অমা হায়রম্নগা, মাগী মন্নাদা চানহুনা, সরকারী অফিসার ওইরিবা ঐনা লেপতুনা লৈরি। থোঙখাংহুনা চৎপা হৌরে, রহিম চেন্না চেন্না লাক্লুনা থুংলরে। পাম্বোম ককপা ফুরিৎকী ফুরিৎখাউদগী মনিব্যাগ অমী পুথোক্লুনা মানা হায়-রকই, য়েংবিয়ু'করম্বনা মহাক্কীনো?

ঐনা ঐগী ব্যাগ অত্থ খন্দুনা লৌরে।

রহিমনা হায়রকই, হাংদোক্লুনা শেল চপ চানা রাত্তনা লৈত্রা য়েংবিয়ু। ঐনা য়েংবদা হান্নগীতু ইকায় কায়দনা লৈরম্মী। ঐগী ভক-পগী ভমথৈ লৈত্রে। ঐনা হায়রম্মী, কদায়দা ফংই? রহিমনা নোক্লুনা হায়রকই, মাহুগী রাত্ন শাংনা লৈখ্রে, হুজুর। রা পুন্নমক নহাক খঙবিরোই। নিপা মচাহু অনৌবনি। নহাকপু মানা শক খঙদে। অতুদি ওইরগা মহাক অত্থ য়ামনা থাজবা য়াবনি। মানা শেল অসিদগী মরন্নাই ওইনবা লৌথোক্লে, পুল্লপ পুন্না পীররে। সার্দারগী মফমদা নহাক্কী রা হায়বদা য়ামনা থুনা পুথোক্লুনা পীরকই। সর্দার হৌজিক থবক য়াম্না চিলহৌই। নত্রবদি মশা লাকদবনি। মহাক্লা হায়রকই বাবুনা ঐখোয়গী দোষ ভাকপিবা ওইসনু।

ঐনা লুপা তরাগী নোট অমা লৌথোক্লুনা রহিমদা পীগে তৌরম্মী। মহাকনা ময়ানা মরৈ চাক্লুনা মখুং লোম্নহুনা মতুংলোমদা

খোঙগাপ অনী হন্দোক্লম্মী। অচুগী মতুংদা ঐগী খো দা মখুংনা শোক্লুনা হায়রকচ্চু, ঐখোয়গী দোষ হেনগৎহনবিগনু, হুজুর।

ঐনা লোদবা য়াদে হায়না কপ্পা হায়রবা ওমদরে। রহিমনা হায়রকই, হৈনৌ লৈবা অস্থুপ লাপ্পা লেংলক্লিবরা ?

—হ্যাঁ। ঐগী ইচান্থপী অহনগী মকুবোক্কী ময়ুমদা পীনবনি। হৈনৌগী কৈখেন্দা চৎলগা খুদোং চাগনি হায়না মী পুম্মক্কা হায়রকই।

রহিমনা হায়রকই, মফম অসিদা নহাক্না হৈনৌ লৈবা হৌনব্রা ? ঐ লৈদ্রনা পীজগে লেংলসি।

ঐ হোৎনররোই নীংলবনি। ঐনা হায়রম্মী, তোক্লো। অসোম-দগী অতুম লৈক্লরগে।

রহিমনা হায়রকই, হুজুর বাজারদা লেংশিন্দ্রবস্থু য়াগনি। লম্বী লম্নোক অসিদা য়্যারবস্থু রানা ভাইগাক্তং লেপ্পিবন্নু। ঐ মিনিট মঙাগী মগুংদা হঞ্জরক্কে— অসি হায়রুনা ঐনা য়াবগী রা ভাইদনা মা চংখ্রে।

মিনিট তরামুক্কী মতুংদা কুলী অমনা হৈনৌ পোলাং অনী মকোক্তা পুত্থনা মাগা লোয়ননা লাক্লে অমস্থুং শগোল গাড়ি অমগী মথক্তা পোলাং অনী থাঙ্গংহন্দুনা গারোয়ানদা হায়রে, বাবুগী য়ুমদা থিল্লু।

ঐনা হৈনৌগী মমল পীগে তৌবম্মী। রহিমনা মখূৎ অমুক লোন-নবে। ঐনা শাউববা খোজেলনা হায়বম্মী, না, না। অদু য়াব্রা ? অস্থুপ য়াম্বা লুপা নগনা করিগী পীগদবনে ? অংগা ঐস্থু করিগী লৌগদবনো ?

রহিমনা মশা শুপচিন্না হায়রকই, হুজুরদা পীজবা নত্তে। ইবেম্মা বিরদা পীজবনি। থায়না কুইখ্রবা মতমদা উখিবনি। নহাক্কী

চাকরনা গেটকী মনাক্তা পুরক্লম্মী। চহী অনীগী বয়স ওইরবা মুপী মচানি, বেহস্ত (স্বর্গ) গী পরী (স্বর্গগী জগোয় লাবী অপ্সরী) মান্নি। পিশক পীক্লম্বা ঐখোয়গী ইবেম্মা বিম্লুহ চাউরবোইরে। লুহোংখরে। লায়রবা রহিমনা করি পীবা ওমগনি? হৈনৌ অনীদং ঐগী ইমাদা পীজরি।

রা ভাওবা মতমদা মাগী মখোনাউ ফুল্লে। মমীৎ অনীদা মপী ঈরা চেল্লে।

ঐ হৈনৌগী মমল পীবা ওমদরে।

য়ুম য়ৌরবদা গাড়িগী ভাড়া পীগে তৌক্লরে। গাড়োয়ান্না সেলাম তৌহনা হায়রকই, ভাড়া ফংজরে বড় বাবু।

—করিনো? কনান: ভাড়া পী?

—রহিমন।

না, না, মাহু য়ারোই। মানা পীবা লুপা অহু হনখ্রে। নও ঐডোন্দগী ভাড়া লৌবা তাগনি।

গাড়োয়ান্না য়াম্না কিনা হায়রকই, বাবু করিনো হায়বিরিবদো? রহিম অসিবু নহাক খঙবিদবরা? ঐগী ইশা পুম্নমক লৈপাক মনু দা ফুমজিনবিগনি (হাংকনি)।

[তরামরি]

মথল্লায় পানব জীব-বিজ্ঞান (biology) গী মতম্তা খজিং ভা নত্তে হায়না তায়। ঐখোয়গুম্বা বিজ্ঞান-হৈতবা ভা চাবা মীদা ম্নাকমসি অঙকপনি হায়বদা চিংনবা লৈতে। অহুবু ভুতনাথ দারোগা

দারোগ নত্তে হায়বা য়াসি তাবা হুমিং অচুদা অসিদগী হেন্না ভক-পগী মরম ওইখরে। মাসি চুম্নগী খবরগী পাউ নত্তে, মাসি অনৌবা পুথোকপা খবরি। রাম, শ্যাম, যদুদগী হৌদ্রনা ভীষ্ম; দ্রোণ, কর্ণ ফাওবা অচৌবা মহকুম' (ম্যাজিষ্ট্রেট অমনা পুবা লমদম ; অমগী মীনা 'ভূতনাথ দারোগা' কৌনবা মমীংনা ধন্য ওইরবা নিপাসি করিস্থ লৈতব ডি এস—পি অমনি হায়বা খল্লমদে। সরকারনা পীবা পরিচয় (মীশক তাকপা) সি অচুম্বা মীগী মনাক্তা ফাওবা চঙশিনবা ভমদে (ফম্না অচুম্বা মীশক তাকপা ভমদে) হায়বগী খুদম অমা ফংগে।

ভূতনাথগী প্রতাপ (তৌবা ভম্বা শক্তি) না কৈগা শলগা থাট (হিদেন) অমতদা ঈশিং থকমিন্নে। হায়বগী অর্থদি শল হুরানবা ফাজ্লা শেখকা কৈ শিকার (হাংপা) তৌবা লাকভম ফাভম-দবা জমিদার কালু চৌধুরীগা অনী হাতকড়া অমতনা চন্দুনা, থৌরী অমতনা মখ্বাংদা পুন্দুনা পুন্না কোর্টতা লাকই, হনথি। ভূতনাথ দারোগাগী মফমদা অপীকপা অচৌবগী থেন্নবা লৈতে। মহাক্কী অফবা মীৎয়েং অতুনা অমুক্তং তাখ্রবা মীচু, মরল অমসুং মাগী ভাকপিনবা মী ফনা য়ামনা লৈচুংসু ফেলগী থাউ শুম্নবা কল্ল অচু তরেৎলকতি শোয়দনা লয়বা তারম্মী। মওঙ মতৌ য়ামনা থীবা, মপুক্কীং য়াম্না চিংনগনবা নত্রগা লিবরেল (পুকচেল চাউবা) ওইবা কনাগুম্বা হাকিম অমতনা ভূতনাথনা থাগংলকপা আসামী (accused person) বু খালাস (থাদোকপা) তৌবগী খুদোং চাবা ফংশ্রে হায়বা তাত্রি।

খালাস হেক পীবা য়াত্র ? মাগী ভক্তশিংগী মফমদা মবুক কংথোক্নুনা ভূতনাথনা হায়রম্মী, ফৌজদারী (criminal) কেশ হায়বসি ডিষ্ট্রিক্ট বোর্ডকী পাকা সড়কনি। আইন কানুন (আইনগী নিয়ম) গী লম্বী মচা অমদি লম্বী মচা তিন্নকমগী বিঘ্ন (অয়েংপা)

লৈতে। ঘটনা (থোকখিবা থৌথোক' অত্তা শেন্মু conviction কনানা হাংপ ঙমগনি ? অত্তবু ঘটনা হায়বসি করিনো ?—থঙহৌদনা জুনিয়র (নহা ওইরিবা) অমবু যেংত্তুনা হুশ্নু তৌই? য়েংলিবা অত্তদি মাঙোন্দা ওনশিনবদনি। পাউখুম মহাক্না মশানা পী— ঘটনা হায়বসিগী অর্থ, থোক্লিবা থবক অত্তনি হায়না খঙলবদি সুবল মিত্তির (মিত্র) গী ডিক্সনারী (সুবল মিত্রনা লেংবা Dictionary) লেংবান্দা থানগৎত্তুনা স্কুল মাষ্টারি (ওঝা) তৌত্তুন চাও। নঙ পুলিশগী চাকরি ত্তৌবা য়ারোই। থোকখিদবা থবক অত্তু, ঘটনা হায়বগী অর্থদি নঙগী থুদোং চানবগী দমক থোকহনবা দরকার ওইবা অত্তনি। অস্মুম হায়না লৌ, বাঘডাঙ্গাগী সতীশ কুণ্ডু থঙহৌদনা শেল য়াম্না ফংলত্তুনা থারে (মীনা হুংশিনদরে)। মানা চাউথোকপা অত্তু থুদেকপা পামত্রা? মী হাংপগী কেশ অমদা মাবু লংশিল্লু।

নহা ওইরিবা প্রবেশনর অমন হংলকই, অত্তবু স্যর, মনাক নকপদা মী হাংপগী থবক অমদি লয়বা তায়।

—মী হাংপা লয়বা তায় কনানা হায়বগে? মী হাংপগী দরকার করিস্নু লৈতে; দরকারনি মী অশিবগী মশা অমতংদং। দেশদা মী কয়া য়ামনা শিরি; অশিবা মশা অমতং থিত্তুনা পুরকপা ঙম-ববা? মকম অতৈদা ফংত্রবস্নু হাসপাতালশিং অসি করি তৌনবা লৈরিবনো?

প্রবেশনার অত্তু হেক লায়না থাদোকপা মী মত্তে। অমুক হন্না হংলকই, অশিব মশা ফংলে হায়না লৌরসি। অত্তবু কলেরানা শিবা নত্তে, মীনা হাংপনি, রাসি করম্না প্রমাণ ওইগনি?

ভূতনাথনা থুদক অত্তুমত্তদা জবাব তৌরকই, করি রানো? ডাক্তার কৌবা জীব জ্ঞাং অমা লৈ হায়বা থক তাখিত্রিবরা? মথোয় মকলা প্রমাণ তৌগনি। ভগবান্না মথোয়গী মথুত্তা স্প্রীং হাপত্তুনা

থম্বিরি ; নভনা লয়হন্নী'বা মাইকৈদা লযগনি। অহুদি ওইরগা মাহুগী দমক থাউ থরগী দরকাররনি।

সিনিয়র (থবক ভোব থরা কুইববা) থরা ওইরবা অফিসার অমা—অনীনা মকোক হাইহুনা হায়রকই, হায়বিরিবদো', স্যর। থাউ অহুনি মরু ওইবা মাহু ফ'নবা থিবা থরদং লুই।

—করিস্নু লুদে, ভূতনাথনা হেক্তা হায়, থাউদি মশানা অহুম থোকচৈ। থিহুনা যেংউ, সতীশ কুণ্ডুগী য়েক্লবা দল অমা শোয়দনা লৈগনি, দল অহুগী লুচিংবা জগৎ পাল নত্রগা নিরঞ্জন সাহানি। মখোয়হুগী অমদা নভনা তোগে নী'লীবা অহু ইঙ্গিত তৌহুনা থডহল্লু। থাউগী পাত্র মকোক্তা থোনগৎহুনা চেঞ্জরক্কনি। নভনা পাম্বহু হৈরো। ডাক্তারদা অথেম্পোৎ পীরবদি আদালততা মহাকনা, কলেরানা শিরবা অপুম্বা মশাগী মনু'দা নো'মৈগী গুলি নত্রগা মাগী মবুক্তা থাডনা থিনবগী শিগনবা জথম (অশোকপা) উগনি (লৈ হায়গনি)।

অসিগী মতুংদা প্রশ্ন অতৈ মথংদা হংথবা য়াদ্রে। পুলিশ অফিস-দস্নু মবুদ্ধি পৌবা শিংদবা মশা নহা ওইরিবা মী অমা—অমী য়াওই। মখোয়হুগী মরক্তগী অমনা হায়রকই, আচ্ছা স্যর, মী অশিবা মশা ফংলে হায়না লৌরসি, অহুগা মাহু মীনা হাৎপনি হায়বগী ডাক্তারগী প্রমাণস্নু ফংলে ; অহুবু মী হাৎপগী থবক অহুগা সতীশ কুণ্ডুগা জড়াইনব (পুনশিন্নবা) সাক্ষীদি কদায় ?

ভূতনাথনা সিগারেটকী মৈথুগা য়ামনা কন্না নোকপগা পুনশিন-হুনা হায়রকই, সাক্ষীদি আকাশদগী তারকদবা নত্তে বাপু, লৌবুক্তস্নু ময়োল চোংহুনা হৌদে। পোৎ অহু থরা রানা হোৎনহুনা শাবা

তাই, মাহুগী দমক কোক্লা brain খরদং অহুগা পূক্লা থৌনা ঈংঙ থৌবা খজ্রিক্কুংগা লৈবা তাই।

ভূতনাথগী ভাণ্ডারদা (পূকৈদা) পোং অনৌসিগী অরাংপা অমতা লৈরমদে হায়বসি কান্নদবা রায়াম ভাউবনি। মখোয়সিগী মপান্না সাক্ষী শেঙ্বা অহুগা আসামীবু দোষ য়াহনবা (confession লৌবা) অনীমক মাগী মফমদা ঈশিংগা চাক্কুশ্বনি। অহানবদা সেবা তৌবা পেলহনবা, অহুগী মতুংদা শাসন লাউথোংবা অসিগুম্বা চংনবী নিয়মদি লৈরি, অসি নত্তবা মহাক্কী মরল্লাইগী পেটেন্ট (সরকারনা পীবা অধিকার) কবিরাজগী হিদাক খরা লৈ।

—সাক্ষী ঐথোয়গী রা মনা ওইনা তাব্রবরা ?

— মাগী মতেং পাংবা নিপানা হায়রকই, না, স্যর তাদ্রে।

—করি হায়রি ?

—করিমতা হায়দে।

—নখোয়গী তৌকম থোকপহু তৌরবরা ?

—পূম্নমক তৌরে।

ভূতনাথনা শুকথহুনা থবক শিল্লে, (১) বৃহৎ যষ্টি মধুচূর্ণ এক পূরিয়া (বৃহৎ—অচৌবা, যষ্টি—চৈ, মধু—খোহি, চূর্ণ মকুপ, এক পূরিয়া—চেনা য়োম্বা মযোম অমা)।

চেগী ময়োম অহু নিয়ম চুম্না পীজরে : হায়বদি খোহি হৈথনা অচৌবা চৈ অম সাক্ষীগী মনঙ্গন্দা মকুপ ওইথরে। (সাক্ষীগী মনঙ্গন্দা

---

(১) পুলিশ অফিসারনা মী শুৎপা নৈববু যষ্টিমধুচূর্ণ. মুষ্টিযোগ, গুহ্মোৎপাটন রসায়ন, মহানিজ্জনী সুরা অসিনচিংবা কবিরাজী হিদাক্কী মমীং থোনবানি।

ক্ষুবদা অচৌবা চৈ অমা তেক্কুনা মতেক মতেক মকুপ মকুপ ওইখরে)। অদুবু মহাক , সাক্ষী) মওঙ হোংদরে। ভূতনাথকী মফমদা রিপোর্ট লাকলে।

— করি, চুমথোকপা য়াব্রবরা ?

নাগী মতেং পাংবা নিপাদু নীংবা কায়বগ লোয়ননা মকোক হাখরে।

— গুম্ফোৎপাটন রসায়ন ডোজ অদুম্নোমদং পীয়ু। (গুম্ফ— মকোয়, উৎপাটন — ফোয়বা, রসায়ন —পোৎচঙ অনী নত্রগা অদুদগী হেনবা য়ান্নদুনা শেম্বা অনাবনা চানবা হিদাক)। নিপা মচাদুগী কা জারী (জর্মান কাইজারগী মকোই মানবা) গোঁফ (কোই) অদু অমাডবা পূম্নমক্কী মক্লনি।

মল্লযুদ্ধ (মল শানবা) হৈবা হিন্দুস্থানী সিপাহী অমবু অচৌবা থংক আসদা শিজিন্নবে। মিনিট মঙাগী মতুংদা পাউ লাক্লে, সাক্ষী য়াবে

মাসি সাক্ষীবু খুঙ্গুম চনবদদা নওে,কনফেশন তৌহনবদগী অমত ওইবা ব্যবস্থা (বন্দোবস্ত) নে। অদুবু করিগুম্বা কালদা আসামী অমা অনী উবা ফংই, মথোয়গী গুম্ফোৎপাটন (মকোয় ফোইবা) রসায়ন নত্রগা শ্মশ্রুচ্ছেদন ; মকোয় ককপা) বটিকা (হিদাক গুলী) কান্নদে। অসিগুম্বা মফমদা মহাক্না মহাক্কী অরোয়বা অকনবা নোনা পুথোকপা মহানমজ্জনী (ঈশংদা তাংবা) সুরা (য়ু), খূবাক্না শেং শেং থাগা লোয়নন চাহনগদবনি। নিংথম থাগী অথেংবা অহীংদা মহৌষধি (অফবা হিদাক) অসি শিজিন্নবগী অফবা মতমনি। অদুগী

মথক্কা মফম (পুখ্রি) অগদা কং চরাংনচিংবা হোৌবা ওইরবদি মাহুগী ফলদি শোয়বা নৈতে।

ভূতনাথ ঘোষালগা ঐগা শক থওনরমদে, থবক্কী মরমদগী মাগা উনরে। ঐ অফিসদা ফমহুনা থবক শুরম্মী। খোংউপকী মখোল তাবদা মায় থাঙ্গৎলম্মী। ঐগী টেবিলগী রাংমা অসোমদা চৌকিদা ফমথবা ভদ্রলোক অদুগী অরাংবা মরেপ ফুট তরুক অহুগা মশাগী অকোয়বা ফুট অহুমদগী তাদে। ঐনা রাহং হংবা মীৎযেংনা য়েংবদা মনাক্কা লেপ্পা পুলিশ অফিসার অদুনা পরিচয় তাক্লে — সদর ডি—এস—পি। ভদ্রলোক অদুনা মকোক্কগী টুপিদু হেক লৌথোক-পদা, মাগী মকোক শম হোৌদবা অতাঙবা অত্থ ইরও হেক লংত ঐনা ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা নমস্কার তৌদুনা হায়রম্মী, মিষ্টর ঘোষাল হায়বদু নহাক ওইরে ? ঐ য়াম্ন নুংঙাইরে।

—নুংঙাইরে !— ভূতনাথ য়ুমগী য়ুমথক থুদেক্কদবা মতাংগুম নোক্লে ; ঐবু উরগ কনাগুম্বা মীনা নুংঙাই হায়বসি মহাশয় নহাক্কী নফমদা ঐ অহানবা তাবে। অস্মুপ কুইবসি ঐনা থওলম্মদি ঐগী শক অসি উরগা মীনা কি। —অসি হায়দুনা পকেটতগী ত থায অমা থক-খ্রবা অচেবা সিগারেট অম পুথোক্তুনা মৈ চম্লগা অয়াকপা মেথু কাওথোকলে।

ভূতনাথনা হোৌজন্না রা ভাওব নত্তে। মাগী থাওশাং মানবা মনাতোন অহুগী মথাদা ফজনা শেম্বা চানবান মথক্কী কোহ ঈমুক ডাওবা কোইরপ কোয়বা মমীং, পানা চাবগী খোদাং অডাওবা অমদি সিগারগা মৈথু অনীন কুশিনহনবা অচৌবা মচীনবান মথক মথা, অপোবা ময়া কয়ামুক অমম্লুং মাহুগী মথাদা অচৌবা ময়া পরেং হোৌবা শরা (jaw) অমা। অসিগুম্বা শকওড অসি নুংঙাইবা পীবদি নত্রে,

য়ামনা অকিবা পোকহনবনি। অহুবু নৌনা শক খঙনবদা ভায়রিবা য়ুমদা লাকপা মীদা নহাকপু উবদা ঐ য়ামনা কিরে হায়বা য়াদেদো।

সিগার অতুদা অনী অহুম্নক চিংলগা মহাক্কী মতেং পাংবা নিপা অত্তুদা মহাক্কা হায়রকই, কদায় নঙগী চেনুংদি, পুথোকউ।

মতেং পাংবা নিপানা ঐগী ইমাঙদা চে অমা থম্লে – হাজততা লৈবা আসামী অমা উনগে হায়বগী দরখাস্তনি। চে অহু ঐনা মীংনা শর্ শর্ য়েংলম্মী। ভূতনাখনা মকোক হাইদুনা হায়রকই, লৈ মহাশয়, লৈ। ম্যাজিষ্ট্রেটকী সই য়াওদনা লাকপা মতে। মমাংদৈগী মতমদা মাহু পূম্নমক য়ারম্মী। ঐনা উননিংবা মতমদা আসামীগা উনরম্মী, কান্নগদবা মতুংইন্না জেলদগী লৌথোক্কুনা থানাদা পুরম্মী, খুদোং চাবা মতমদা অমুক হন্না জেলদা থিনজিনলম্মী। পারমিশনগী য়া লাপ্না থমদুনা জেলর বাবুশিংনা রসিদ—টসিদ ফাওবা পীয়ু হায়-রমদে। মাদুগী মতমহু হৌজিক লৈতরে। নখোয়সি অনৌবা মতকা অফিসারনি। অদুনা ঐখোয়স্থু ঘাট নিপান (সেতারনচিংবগী সা, রি, গা, মা, পা, ধা, নি, সা,) অসি নী থিনা শেমদুনা থবক তৌই। কদায়; নহাক্কী মেট কদায়দা চংখ্রে? হুকুম অমুক্কা তৌবিয়ু; বদমাশ অহু পুথোকহনবিয়ু। অসোমগী থবক পোইরগা অমুক হন্না কোর্টতা চংপা তারি।

অসি হায়দুনা চৌকিদা মাগী অচৌবা মশাহু য়াবমথৈ তিং-থোক্কুনা হাকাম লাওনা চন্দুনা মখুৎ খুৎশা থেক্কুনা লৈরে।

আসামী পূরক্লে। মকোক্কা ব্যাণ্ডেজ, মশা পূম্নমক্তা শিবা য়ানা থাঙ তেন্না শোকখিবগী চিহ্ন। নুমিৎ কয়ানিমুক শুরে, হাসপাতালদা থা অমা মথায় লৈরবা মতুংদা হৌগংতুন খরা খরা লেপ্পা ঙম্লে। মেট অমসুং অতে প্পা ফাটক অমগী মরেংবান্দা মশাগী ভার পীদুনা (মখুৎনা

কোন্দুনা) তপ্পা তপ্পা লাক্লগা ফমথরে। ভূতনাথনা মাগী মমায়দা কপ্পা য়েংশিন্দুনা হায়রকই, নঙলা বদর উদ্দীন মুন্সী হায়বদো ?

— হ্যাঁ হুজুর। খঙবা ঙম্মিদ্রবরা ?

— করম্মা নশক খঙগনি হায়য়ু ? নঙগী মীংচৎ অওইবমক খঙবদা অরাংপা লৈতে (লোইনা খঙলে)। অদুবু ঐগী মীৎনদি কৈ-ভৈদম্মু নঙবু উখিদ্রে।

— উনখিদ্রিবরা ? ঐখোয় অনী উনথরে বড় বাবু। অমুক্তা নত্তে, অনীরক।

অনীরক ! করিনো হায়রিবদো ? নঙবু কদায়দা ঐনা উখ্রবগে ?

—অহানবা উনবা সাল কুহ্র তরক্ত কুড় লগঞ্জদা। ভুবন সাগী দোকান্দা। ঐখোয় ডাকাতি তৌরম্লগা চেল্লম্মী। হুজুরগী পিস্তলগী মপাদা ঐ চপ চানা লৈরুরে। নহাক্না পিস্তল কাপ্লম্মী। এগী কোক তমহুনা ক'প্লম্মী। অদুবু ঐগী কোক পানবা ঙমখিদরে, ঐগী না অসিগী শদোং মচেৎ অমা লৌখোকপিরম্মী। ঐ য়ামনা নীংঙম্লমদরে ; ঐগী না শোকপগী নত্তে, হুজুরগীদমক। অম্বুপ চুমখ্রগা খুৎনা কাপ্পা গুলি শোয়খিরম্মী।

ভূতনাথ হেঁ। হো লাউনা নোক্লক্লে, শোয়খিবহু অফবা ওইরে, হায়বা তায়। নত্রবদি ঙসি ঐখোয় অনী করম্মা উনগনি ? খোদানা তৌবিবা থবক ফজনবগী দমক তৌবিবনি, করি হায়বগে ?

ভূতনাথগী মখোঞ্জেল অহু য়াংই। অদুবু মুন্সীনা অরাম্বা খোনজেলনা খুম্লকই, মানি। খে দানা তৌবিবহু ফনবগীনি।

ইমুং মন্নুংগী মুংশিং খঙহৌদনা হোংখরে, মিনিট খরদং মী কনামত্তা র' ভাওদ্রে। অহুগী মতুংদা ভূতনাথনা হান্নগী রাফমদা

হঞ্জিল্লক্লুনা হায়রকই, আচ্ছা, অমুক্না অসি ওইরে। অদুগা অমুক্না কদায়দা নত্তগা উনখি ?

—মাহুগী পুরা চহী অমগী মতুংদা সোনাডাঙ্গাগী রমেশ ডাক্তারগী ময়ুমদা। নোটিশ পীহুনা তৌবা ডাকাতিনি। পুলিশ দল অমা পুহুনা রেডি ওইহুনা নহাক লাক্লম্মী। তৌগে নাংলম্বদি বদর মুন্সিবু ডা পুম্নমক্কা লোয়ননা কংক্লান্দা থাঙ্গৎপা। অদুবু ল্যাজা (ডা কানবা লোং) অনী মরিরক্কুং চালাইবদা (হুনবদা) নহাক্কী ফোর্স চেনখ্রে। হুজুরদি ডাক্তারগী মনীংথোং ময়াদা লৈবা পুখ্রিগী কক্ত মথাদা লোৎলম্মী। নহাকসু চেনখ্রে হায়না ঐগী দলগী মীনা খঙলম্মী। অদুবু ঈশিং মথক্তা তাউহুনা লৈবা হুজুরগী চৌনবান মথক্কী কোই অদুংঐ উরম্মী। ঐগী খুত্তা ল্যাজা (ডা ফানব লোং) সু পায়রম্মী। অদুবু থবক্তা শীঞ্জীল্লরমদে।

ওাইহাক্কুং লেপ্লগা খরদং শ্লেষ (ব্রাহ্নৈ অমতনা অর্থ অনী ওইবা) য়াওবা খোঞ্জেলনা মুন্সীনা হায়রকই, অদু ওইরবদি য়েংবিয়ু, হুজুর, খোদামা তৌবিবা থবক ফননবগী দমক্ক।

ভূতনাথগা মমায় য়েংবদা মহাক মথৱায় নুংঙাইতবা পেন্দবা মতৌ মাল্লি। মুন্সীসু মাঙ উরে অমসুং মাগী মমীং অমসুং মচীন্না নোকফেৎ তৌহুনা হায়রকই, তোক্লসি নুম্নমক অসি মনাংঙৈগী অরীবা রানি। কান্নদবা ৱারেম ডাঙহুনা নহাক্কী মতম মাঙহনজ্জরোই। হৌজিক হুকুম তৌবিরে, লাহৱবা মী ঐবু ইখঃ খঙহোদনা কৌবিবা করিগীনো ?

ভূতনাথ চোংকদা ডাহুনা ।সগার থক্লম্মী। কোয়না কোয়না কৈ.দ কোন্দুনা থোরকপা মৈথুগী মরুমনা মহাক্কী মমায় অদুদা ইঙা

থাগী নোংনা কুপশিল্লে হায়না ঐনা নীংলক্ষী। মতম খরদং অমুবা মৈথুগী অয়াকপা মনম শন্দোক্তুনা চপ তিংনা ফমতুনা মহাক্না হায়-রকই, য়েংউ বদরুদ্দীন ঐখোয় অনী উনরবন্নু উনত্রবস্নু ঐখোয় অনী অমনা অমবু য়ামনা নীংথীনা খঙই হায়বসি নঙস্নু খঙই, ঐস্নু খঙই। ম্নাঙাঙসি লীনগুম্না কৈদী কোন্দুনা লুনা ভাঙতুনা অমদি বুদ্ধিগী লাল তৌনতুনা তোংজবা ক্সরিস্নু লৈতে। নঙোন্দা ঐনা হায়গদৌরিবা ম্নাসি থুম্না তৌদনা পূকচেল শেংনা হায়গে। নঙোন্দগীস্নু মাতুমক ফংগনি হায়না আশা তৌই।

—লীনগুম্না কৈদী কোন্দুনা লুনা ঙাঙবা ম্নাঙাঙ ঐগীস্নু লৈতে, হুজুর; মীহাৎপা ওইরবস্নু, ডাকাত ওইরবস্নু বদরমুন্সীগী থমোযদি অঙৌবনি। ঐনা হায়রিবা ম্নাসি ঐগী দুশমন (য়েক্লব) শিংনস্নু য়াদবা তৌরোই।

—ঐস্নু ম্নাতু থাজে, মুন্সী; অতুম্না থাজবা মরমদগী নঙগী নকমদা সাহায্য তৌবিয়ু (মতেং পাংবিয়ু) হায়গে লাকপনি।

মুন্সী ঙকপগী খোঞ্জেলনা হায়রকই, মতেং পাংবা! ঐগী ইকমদা।

—হ্যাঁ, নঙগী মকমদা। ঙসি ফাওবদা চহী তরামরি শুরে নঙবু ফাগে হায়না পুলিশনা হোৎনরকপা; ফাবা ঙম্লক্তরে। পুলিশতা নত্তে সরকারী নত্তবা মীশিংনস্নু ফাগে কম্না হোৎনরক্লে নঙগী দলগী মী তাঞ্জক্লবদা ঙসি ফাওবা মী অত্তুম মথব্রায় মাঙলে, অশোকপস্নু য়ামনা য়াওরে। কদমতলীগী লৈবূক্তা মী চত্তুম্না কোয়শিন্দুনা থম্ববু নঙবু ফাতুনা থম্বা ঙমখিদরে। অদুগুম্বা বদরমুন্সী অত্তু, মাগী কিল অমতনা ছাতু (শগোল চরাই যবনচিংবা ঙৌরগা তকথায়বা মকুপ) ওইগদবা কৈজোম কুনজা থাদবা বরযাত্রী খরনা ফারবনিদো! নঙবু

ওসি মকম অসিদা উরমজ্রবদি ঐস্সু য়াসি থাজরম্মোই। অত্তুবু অসি-কুম্বসি থোকই। মাসি সংসারগী নিয়মনি। মহাভারত্তা ইত্থনা লৈ, অত্থপ য়ামনা চাউথ্রবা সব্যসাচী (নখূৎ য়েং ওই অনীমক্তা তেল কাপ্পা ঙম্বা) অর্জুননা নোংমা মহাক্কী গাণ্ডীব অহু থাঙ্গংপা ফাওবা ঙমখিদে।

বদর মুন্সীনা অরুম্বা থোঞ্জেলনা থুম্লকই, ঐ খঙই।

—অহু ওইরবদি য়েংউ। পূম্নমক অসি বিধাতানা তম্বা লাই-বক্তী য়ানি। ঐখোয়না চোং ফল্লিবা অসি মুমিৎ নীনীদগীনি। খঙ-হৌদনা মাহু অস্তুম তৌনা লোইখিগনি।

লাইহাক্তং লেপ্লগা ভূতনাথনা মমাংঙৈগুম্না তপ্না তপ্না হায়রকই, নঙ নাবা ফরকপা উবদা ঐ মুংভাইরে। অমুক হন্না অনৌবা মপোক অমা ফংলবনি হায়বা য়াই। মুমিৎ অত্থুদা নঙ নথল্লায় মাঙখিদে হায়বসি করম্না তৌশিবনো কনাস্সু খঙদে।

মুন্সী মত্থংশাস্থর থিংনা হায়রকই, ঐগী থল্লায় লৈরমজ্রবনি হুজুর। জেলর সাহেবকী দয়া (থৌজাল) দগী থল্লায অসি অমুক হন্না ফংবনি। মহাক অসি ঐগী ইপানি, ঐবু পোকপিবনি—অসি হায়থুনা মমাই থাঙ্গত্তুনা ঐঙোন্দা য়েংলকই।

ভূতনাথনা হায়রকই, য়া পূম্নমক অহু ঐখোয়স্সু তারে। অত্তুবু মখোয়গী দয়াদগী নঙনা অমুক হন্না ফংবা জীবন অত্থুগী লেমহৌবা মুমিৎ থরদি মখোয়গী (১) আশ্রয়দা লেনখিগদবনি হায়বসি তাবদা মুংভাইত্রবস্ সত্যি কথাটা (অচুম্বা য়াসি) খঙশিন্দুন থম্বা ফৈ।

মুন্সীনা নোক্তুনা হায়রকই, য়াত্থবু ঐগী পুক্নীংদা নীংশীংহন-

(১) তাংজফমদা।

বিগদরা বড়বাবু ? :জেল ·অসিদা ঐ নোংমা অরোয়বা তূম্নগনি হায়বা ঐ খঙই। মাহুগী দয়ক ঐ শেমশাহুনা লৈরে।

ভূতনাথনা সংসার অসি পামত্রবা মওঙগী খোঞ্জেলনা হায়রকই, অরোয়বা মওঙ অসি ওইরবদি, অহুগা মাহুগী মরমদা মীনম্ব আশা লৈত্রবদি, করিগী অমুক মায়া (মুংশিব) নো ? নখূং মখূং শম্নহুনা লম্বী অসিদা খোঙদাম্নিন্নরকপা মীশিং অহু তুংদা হুন্দোক্লমহুনা লাকপা য়াত্রা ? মখোয়হুস্সু কৌশিল্লো। মখোয় পূন্নমক লাক্লুনা মাগী মাগী শক্কক মশক খঙনা লৌজরসহু।

মুন্সীগী চিংনবা মীংয়েং অহু ভূতনাথগী মমায় মথক্তা তারে। তপ্না তপ্না মাগী মচানবানগী মচা অমদা হান্নগী শ্লেষনা কুশিনহনব মীনোক অহু মশক উৎলক্লে। হায়রকই, সাহায্য (মতেং পাংবা) অসি পীয় হায়বা ঐগী ইনাক্তা লাকপিবরা হুজুর ?

—পীয় হায়বতা নত্তে, মুন্সী, ভূতনাথনা এপাম্বগা লোয়ননা হায়রকই, সাহায্য অহু ফংগনি হায়না আশা তৌই।

—অহু ওইরবদি ঐ খঙলগে, বদয় মুন্সীবু লান্না মশক থঙবিরে বড়বাবু। নহাক্কী মমল য়ামথ্রবা অস্পুপ য়াম্বা মতম অরেম্বদা কান্নদনা মাংলে হায়বা উরদা ঐগী পূক্লীংদ নীংঙমদবা পোক্লে।

ভূতনাথগী মশক খঙহৌদনা হোংখরে। অথৌবা অয়াকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, মাহুগী অর্থদি নঙ নঙগী দলগী মী কনাগীস্সু মমীং তাকলোই অসিনীদনা।

মাহুগী পাউথুম্নদা মুন্সী খজিক্তুংদা হাইফেং লোকই। অহুগী মতুংদা হৌগংকে হাংনহুনা হোয়রকই, হুকুম তে.বিরবদি হৌজিক ঐ হৌগংচবা য়ারগত্রা বড়বাবু। নহাক্কী থবক্তা অমাঙবা ওইরে, অমাঙবা অহু য়ামহনবা পামদে।— সেলাম, হুজুর।

ভূতনাথনা অয়াকপ প্লেৰগী মুরনা (খোঙ্গেলনা) হায়রকই, ভূতনাথ দারোগাগী মুষ্টি যোগ (অচম্বা হিদাক) শিং অদু হৌজিকসু থবক ইকান কান্নএবা নত্তে হায়বা রাসি মুন্সী সাহেব নীংশীংলমগনি হায়বা খঙই।

—শোয়দনমক নীংশীংই। অদুদি ওইরগা মুষ্টিযোগকী ফল মী পূম্নমকী মফমদা মান্নরবা? - অসি হায়দুনা ঙমুক হন্না সেলাম তৌরগ হোগৎতুনা লেপ্লে।

মুন্সী চৎখ্রব মতুংদসু মতম থরদং ভূতনাথগী মন্না মখোল তাখিদ্রে। মহাক্কী নোংনা কুপশিল্লগা মমায়দা য়েংদুন মাগী মতেং পাংবা নিপা অদুনা হায়রকই, ঐনা হান্নবা হায়জখ্রবনি স্তর, অফবা রা শীজীন্নদুনা কান্নব মী নত্তে। নিয়ম চুন্না হিদাক পীথকপা দর কারনি ঐখোয় হৌজিক মাদুগী বন্দোবস্ত তৌবা তারে। নহাক্কী ' নিমজ্জনী সুধা ' (ঈশিংদা ঈরাম্বা আমৃত) গী ডোজ থরদং পীরগা ইমাইপেন ইমাইপেমা হায়দুনা মশানা মলাইনা লম্বীদ লাক্কনি (য়াগনি) মুংশিখ্রবা ইচানিপাসি।

ভূতনাথনা মাগী মতেং পাংবা নিপাদা থানা য়েংলক্লে, অদুপ য়াম্না লায়ৰনি হায়না নপূক্লীংদা খনগনু। কনফেশন (মরাল য়াবা) দি তৌবা, অদুদি ওইরগা মী কনাবুসু চিংশিন্দবা মীদু য়ামনা অকনবা পোৎনি।

ঐনা হায়রম্মী, নহাক্কী রাদগী ঐনা খঙবদি নিপাসি মহাপুরুষ (লাইগী শক্তি লৈব মীখোই মীহেনবা) নি। অদুবু করম্না মাবু ফাবনো?

মহা পুরুষগী মতৌগুম চপচানা, ঐগী রাগা লোয়ননা ভূতনাথনা

থুম্লকই, মাবু ফারে, মথুংনসিংবা মশা লেভদনা মশা কন্নবা হোৎনদনা লেপতুনা চৈ চারে, অহুগা অহুগুম্বা মীফু মীয়েদো ; অহুগী মতুংদা কনফেশন তৌরে। ডাকাতি (লুট) দা নত্তে, মাহুগা লোয়ননা মার্ডার (মী হাৎপা) অমস্মুং রেপ (মুপীদা বলাৎকার তৌবা)। হৌবদগীনা লোইবা ফাওবা থবক পূমমক ফোংদোক্লবা অরোনবা ঝানি। অমবু ওইরবস্মু, অমবু ওগরবস্মু, নহাক্না চুম্না হায়রবনি, নিপাসি মহাপুরুষনি।

থবক্লা তাকপদি খরা কন্না মীৎয়েং চঙবা তায় মশাদা (উচেক্কী মশাদা) মপাঙ্গল ফংলবসিদা খঙহৌদনা নোংমা বনগী উচেক বন্দা চংথিগনি, শউম ফাওবা ফংবিনোই।

বিষয় অসিদা জেলগী মাইকৈদগী চেকশিনবা অমদি কনশিননা থবক তৌবগী অশোয়বা লৈরমদে। ভূতনাথগী পাউতাক মতুং ইন্না ব্যবস্থা (শিল্লাংবা) অসি কনশিনবা হেনথরে।

থোদোক অসিগী মতুংদা থা অমরোম হৌথরে মুন্সীবু শোয়দনা নীংশীংনবা অনৌবা থবক অমতা থোকখিদে। অহুগী মতুংদা নোংমা মুংথিলদা সেল—ব্লকী মেট লাকুনা ঐভোন্দা খঙহল্লে, মুন্সীনা ঐগা উননীংই।

—করিগীনো ?

—মাহুগী ঝাহু হুজুরগী দরবার (মাঙদা হকথেংননা) দা মশানা হায়জনীংই হ'য়।

ঐগী মেট অসি লাইরিক ইবা পাবা খরা খরা ভক্মী অমস্মুং ফজবা অচুম্বা লোল মশানা য়ামনা পামজরম্মী।

ঐনা হায়রম্মী, আচ্ছা পুথোবকউ।

মুন্সী লাকুনা ঐগী খোঙ ময়াদা কয়ে। য়াহং হংবা মীংয়েংনা ঐনা মাবু য়েংলম্মী, মহাক য়া ভাংদনা মাইকৈ খুদোং কেরু কেরু য়েংহুনা লৈরে। মানা নীংলীবা য়াথল অদু ঐ খঙলে। অফিসগী থবক তৌবা নিপা অনী থবক লৈহুনা ভা হুনা লৈরম্মী। মখোয অহুবু থুনা বিদায় তৌহুনা চৎহনখ্রগা ঐনা হায়রম্মী, হৌজিক্তি হায়রো।

মূন্সীন ঐগী খোঙগী উফুল মকোক্তা হাপ্পুনা হায়রকই, বদর মুন্সীগী মপূরুীংগী য়া মতৌ অম্মুম তৌনা কনানম্ম কৈদৌঙৈদম্ম খঙখিদ্রি হুজুর। অনৌবা প্রার্থনা (হায়জবা) অমতং তৌজগে হায়হুনা ভসি অমুক লাকচবে।

– বাররনো নঙনা হায়নাংবা ?

মুন্সীনা ডাইংক্তুং করিনো অমা খল্লে। অহগী মতুংদা মশাগী মখুং অনীহু য়েহুনা তপ্পা তপ্প হায়বকই, ঐনা থোগাক নাইদবা অাকপাক নাইদবা অসি ভাকপিয়, বড়বাবু। লূপাশংবা, সনাগী লক্কোল-লৈতে, মীনা য়ামনা পামজবা অদু অম্মুপ য়াম্না লৈরগা মশাবু অচৌবা মীনি হায়না নীংবা অহুদগী য়ামনা হেন্না ঐগী ইখুং অনী অসিন্না লুট তৌনা লোইরক্লে ঐগা পুন্সী চুপ্পা। অহগা মুন্দুনা সৌব-গুম্না মীঙোন্দম্ম য়েন্দুদ পীথোকখরে। করিম্ম লেমহৌদরে ঐগী। মথবাক্কী শরু মন্থদা লৈবা ফীরাম্ভ (liver) গী মুন্দুনা লোরুবা মীশিং অহুগী মহৎংশংনা হুমদোক্কাখহুনা চাকথেকথিহনা লোইখরে, তুমখবে। অহুনা ভসি ঐগী পূক্লী পুমংনাং য়াংলে। বোঞা (অস্থা পোংলুম) মচা অমতং লৈহৌরে ; মাহুগী য়াথলনা হৌগৎপদা ফম্বদা ঐগা পূক অসি চপশিন্দুনা ফাওনা থম্মী। মাহুমক ভসি হুজুরগী খোঙ মথক্তা থাদরম্নগা ঐ মপুং ফানা চিন্তা লৈত্রবা ওইজগে।

মানা হায়রিবা য়াহু শেংনা খঙবা ঙমজরহনা ঐ য়া ভাঙদনা ভাই-
ছনা লৈরে।

মুন্সীনা ঐগী ইনাক্তা খরদং নকশিল্লকুনা মখুৎ অনী লোম্নহনা হায়রকই, ঐনা হায়নীংবা য়াসি খোনা ফনা হায়বা ঙমদরে। অদুবু হায়জরবসু ঐগী উপায় অতে লৈত্রে। ঐনা লুপা লীশীং মভারোমদং মফম অমদা লোংতুনা থম্মি। মাহু হুজুরগী খুত্তা পীরম্নগা ঐ চংনীংই।

ঙক্লহনা ঐনা হায়রম্মী, ঐগী খুত্তা? লুপা অদু লৌহনা ঐ করি তৌনগনি?

—য়েন্দুনা পীবীয় পীবিনীংবা মীদা। পাম্বৈরগা করিগুম্বা অকবা থবক অমদা খরং তৌবিয়ু। অদু ওইরবদি বদরুদ্দীন ডাকাতকী মপুন্সী অপুম্বা অরেম্বদা মাঙখিদে হায়বা শিরমদাইদা খঙজহনা চংখিবা ঙমগনি। মীহাৎপা ঐবু হুজুরনা দয়া য়ামনা তৌবিখরে। মানা অরোয়বা হায়জবা অসি খোঙনা কাউথোকপিগনু।

ঐ থুনা জবাব পীবা ঙম্লমদে। মাগা ঐগা লৈনরিবা সম্বন্ধ অদুদা, মাগী অরোনবা মরলগী ভার লৌবা ঐতোন্দদি আইন্না য়াদবনি, নীতি (কান্নবা কান্নদবা বিচার) নম্ব য়াদবনি। অসিগুম্বা পাম্নদবা য়া হায়বা অসি মানা মী উশিত্তবা আক পাক নাইদবা চুমদবনি হায়না ঐনা পুক্নীংদা খল্লম্মী। অদুবু মীগী মপোং হুরানবা মী হাৎপা নিপাসিং য়মায়দা ঐ করি উরম্বনো, মাগী অরা-অনানা খল্লবা, অকিবনা খোয়রাংবা মখোঙ্গেল অদুদগী ঐ করি তারম্বনো, অয়াকপা অকনবা পাউখুম অমা ঐগী চান্দা খোরকপহু থোকখিদরে পনখরে। অরায়বা পাউখুম পীগদবহু তোক্তুনা ঐনা হায়রম্মী,

অদুপ য়াম্বা শেল অদু মীডোন্দা য়েন্দুনা পীবা পাম্ববু, করিনো নঙগী বাড়ি সম্বন্ধ নরুবা কনামতা লৈত্রবরা ?

মুন্সীনা হাইফেৎ নোকুনা হায়রই, ঐগী মী। ঐগী মীগী অরাংপা করি লৈ বড়বাবু ? পূম্নমক লৈ। ঐগী মুপী অহুম, ইচা নিপা মুপী, ইশু নিপা মুপী, অদুগা অমুক মখোয়গী মচা নিপা মুপী, ঐগী কনা লৈতবগে ? কনাসু ঐগী রা হংবা লাক্তে নহাক্না হায়বিবা য়ায়। অদু ওইরবসু মখোয় লৈ। ঐগী লূপা খরদং লৈরি হায়বা পাউ অসি খঙনরক্লবদি মখোয় মচা নিপা মুপী পূম্নমক পুরক্নুনা নহাকী জেলগী লম্ফাং অসিদা মখোয়না পাম্বদু ফংনবা চাবা তুম্বা থাদোক্নুনা ফমদুনা লৈগনি। অসুপ কন্না শিবমথৈ কপকনি, ঐগী মীগুণীসু পি শিন্থরকপা য়ায়। অহল ওইরবা বয়স অসিদা অংপ কনবা পূক্নীংগী অরাবা থাঙবা ঙম্মোই। ঐগী মীনা লৈপাক্তা মকোক য়ৈথায়দুনা শিবদু ঐগী মীং অসিনা য়েংনীংদে। মরম অসিনা ঐগী লূপা অসিগী রা মখোয়না কৈদৌঙদসু খঙলরোই।

— ফরে নঙনা মখোয়দা পীনীংদে হায়বদু তোক্লো। পীরন্নু। অদুবু নঙ নশাগী লূপাগী দরকার য়াম্না লৈ। অপুপ চাউবা কেশ অমা নথক্লা লৈরিবসিদি !

মুন্সী নোক্লক্লে। মানা তপ্না তপ্না হায়রকই, কেশ ঙমদুনা ইশা কন্নবা হোৎনগে নীংলবদি, ঐ রকম অসিদা লাকপগী করি দরকার লৈরম্মী বড়বাবু ?

মাদুদি অচুম্বনি। ভূতনাথনা হায়রম্বা বাদু নীংশীংলক্লে। মুন্সীনা মশাবু ফাহনবা অমসুং মশানা দোষ তৌই হায়না য়াবা অসিদা

করিনো অথুপ্পা অক্নবা ব্রা অম' লৈবা তারে। অথুপ্পা ব্রাহ্ ঐ০। য়াম্না ফোংদোকহন্নী'বা ওইরবস্রু, মাহ্নগী মরমদা ঐনা হংবা চুমদমালে খন্দুনা ঐ তুনিন্না পৈরে। মুন্সীনা মতম থরদং ডাইরগা হায়রকই, ঐনা হায়জবা অসি য়াবিরবরা হুজুর?

ঐনা হায়রম্মী, নঙগী পূক্নীংগী ব্রা ঐ খঙলে, মুন্সী। হিরম অসিদা ঐনা নংবু মক্তেং পাংবা য়াদে হান্নবা নঙস্রু শোয়দনা খঙবা ডম্নমগনি। অদু ওইরবস্রু ঐ ব্রা অমতং খঙনীংই। হায়যু নঙগী ইচ্ছা করিনো? নঙগী জীবনগী অরোয়বা নরল অসি কনাদা পীরম্নগা চং-খিগগে? মতৌ করম্না কনাগী মথূংতা পীরগা নঙ শান্তি ফংগনি?

মুন্সী খুদক অহুমক্তা পাউখুম পীদরে। অহাওব ফক্লাংগী মাই-কৈদা মতম থরদং মীংফম হোংদনা য়েংহুনা লৈরে। অহুগী মতু দা তপ্না তপ্না হায়রকই, নহাক্তি ঐগী ইপানি, ঐগী জীবন পীবীবনি। নহাক্কী নফমদা লোংতুনা থমগদবা ঐগী ব্রা অমতা লৈতে। সংসার অসিদা মী অমা লৈ, মী মহাক অহুদা ঐগী করিস্ন লৈতবা লূপাসি পীবা ডম্নবদি ঐগী পূক্নীংগী বোঝা (অকণ্বা পোৎল্‌ম) অসি য়াংখি গনি। অহুবু ঐ ব্রা অসিস্নু খঙই, ঐগী শেল অসি মহাক্না মখোঙনা ফাওবা শোকপিরোই। ঐনা মহাক্কী পুম্নোট লোইনা মাঙ তাক-হনখিবা অদু জগৎ সংসারগী লূপা পুম্নমক হৈথরবস্নু কৈদৌঙৈদস্নু শিংগৎপা মপুং ফাহনবা য়াররোই।

টেবিল মথক্তা লৈবা টেলিফোন খীংলক্লে।।

—'হ্যালো'।

কোর্টতগী পাউ অমা লাক্লে, জজ সাহেব অক্নবা চয়েৎ থোয়েৎনবা

কেশ অমগী-চার্জ তাকুনা শঙহনবা লোইরে, জুরী মহাশয়শিং থোঙ লোনশিন্দুনা মন্নুংদা লৈখরে। করম্বা কান্দা থোং হাংদোরক্কদনো হায়রবা গুমদে। মরম অসিনা আসামীশিং জেলদা হল্লকপদা অহীং য়াম্না থেংবা য়ায়।

সন্ধ্যাগী মতম ওইরদুনা মমশিল্লক্রে। অরাপ্পা অতিয়াদা তাখি-গদোরবা মুমিংকী মঙাল উবা ফংলম্মী, মায়কৈ অদোমদ. য়েংদুনা মুং-শাস্বর মপী কন্না হোন্দুনা মুন্সী হৌগংলে। ঐসু হৌগংলে। লক-অপ (:শা লোনশিনবা) কী থবক্তা ঐসু য়াওবা তা,ই! ঐনা চংনা চংন হায়রম্মী. নঙ কৈদৌইং অমুক লাক্নি ?

মখোল লোরবা খোঞ্জেলদুন পাউখুম্নকই, হুকুম ফংজবা মুমিত্তা।

মুমিং কয়ানিমুক্কী মতু:দা চপ মান্নবা মতমদা. মফম অদুমক্তদা ফমদুনা মাগী লোইখিদবা মশাগী ব্রারী ঐ তারম্মী, মীহাৎপা দস্যু (ডাকু) গী মচু মখল য়াম্বা চমৎকার ওইবা জীবনগী অঙকপ ফংবা অধ্যায় (পন্দুপ) অম। বর্ষ গী নোংনা কুপ্পা অতিয়াদা মাদুগী মুমিং অদু নোং নীংখায়গদবা মতাগুম মংলম্মী। আকাশগী মচী অমদগী অতোপ্পা মচী অমা ফাউব তোয়না তোয়না নোংথাং কুপ্লম্মী। প্রলয়গী মতম নকশিল্লক্লমালে হায়না পূক্নী দা নীংলম্মী। মাইকৈ অদোমদা মপূক্নীং চঙনা য়েংদুনা মুন্সী মতম কুইনা ফমদুনা লৈরে। অদুগী মতুংদা তপ্পা অনেম্বা গম্ভীর (অক্লম্বা) ওইরবা খোঞ্জেলনা মহাক্না তৌথিবা পাপ কর্ম চামগী শাংখ্রবা ব্রারী লীথবা হেরে।

ৎসি অম্মুপ কুইখ্রবা মতম অসিগী মতুংদা ঐগী খোঞ্জেল অসিনা মাদু অমুক হন্না হায়বদা ঐগী পুক্নীংদা থল্লি, মাসিদগী হেন্না নোক্নীংবা কান্নদবা থবক ওইবা য়াদে। অদুবু অসিমথৈদি ঐগী সান্ত্বনা (আশা পীব, শান্তি – consolation) নি— ঐগী ইশাগী লোল অমসুং

ভাষ্য (শন্দোক্না ছব) না ঐনা মাবু মশক হোংহন্দে, মাগী মশাগী ওইবা লৌথুপ লৌকোই য়াওদবা অচম্বা পূকচেল অত্থবু অয়েম্বা কান্নদবা ওইহন্দে। রারীসিগী রাসি মুন্সীগীনি, স্থর (খোঞ্জেল) স্থ মাগীনি। ঐ অসি হৈজদবা পাওদবা নকল তৌবা মী (copyist) নি।

মুন্সীগী রারী হৌরে :—

কালাগঞ্জগী সীতানাথ দত্তগী ময়ুমদা ডাকত্তি (লুট) তৌসি হায়না মতম কুইনা ঐখোয়না নাংলকই। নিপাসি লূপাগী কুম্ভীর (শেল তানবা য়াম্না ঙম্বা মী) নি, অত্থগা অকিবা ফংনা হৈশিংবা মীনি। লূপা পয়সা, সনাগী লৌক কোল খূজীনাচি ময়ুমদা থমদে ; ব্যাঙ্কদা পূম্নমক থম্মী। মহাক্কী কারবার (লম্লোনবগী থবক) দি য়ামনা চাউই। যলগাড়ি মরী লৈরম্মী। পূম্নমক অত্থ অহৌং হুংথিল চুপ্পা মহাক্কী থবক্তা শিজিন্নরম্মী। ঐগী দলগী নিপা মচা অমবু মাগী যলগাড়ি অমগী গাড়োয়ান (গাড়ি ওয়ালা) ওইনা য়াঙহনখরে। দত্তমহাশয়গী মচান্থপী লুহোংগদৌরি হায়না নোংমা মানা পাউ পুরক্লে। মহাক্কী মচান্থপী অত্থমতনি। মমাক নিপাস্থ অচৌবা ইমুংগী মচানি। লুহোংবা স্থমিত্তা য়াম্ন ধুম ধাম (মথৌম মরাঙ হৌনা চাউনা) তৌরগনি। অগৈ অচৌবা বাড়িসম্বন্ধ য়ামনা লাক্কনি। লুহোংবা স্থম্নিং অসিদা লাউথোংহনা হাং থিন্দুনা লান্দারবদি লূপা নগদ (cash) অমস্থং সনাগী অলঙ্কারনা লূপা লীশাং য়াংথৈ রোম ফংবা য়াই, মাত্থদা চিংনানংঙাই লৈরমদে। অত্থবু দত্তমহাশয়গী নোংমৈ অনী লৈরম্মী, অত্থগা হিন্দুস্থানী দারোয়ান (থোঙশঙবা নিপা) অমস্থ লৈরম্মী। মতম অত্থদা মহাক্কী য়ুমদা মী য়াম্না তিল্লগনি। মরম পূম্নমক অসি লৈবনা ঐখোয়না শেমশাবত্থ য়ামনা চাউনা হোংনরম্মী। মাহকে

অদোমদা খুদোং চাদবা করিস্নু লৈরমদে। ঐনা দল অমা শেম্লে। অদু নত্তবা—

অসি ক্লাওবা হায়রগা মুন্সী খংলেপ লেপখরে। মাগী মচান্দা থোরক্লিবা রাত্ত মপান থোকহনবা (হায়দোকপা) চুমত্রা চুমদবরা মপুক্নীংদা থনবমালে। ঐঙোন্দা অমুক্তং য়েংলই অমসুং ঙাইহাক্তং মতুংদা মপুক্নীংদা চিংনবা পুম্নমক নমথেক্লুনা হায়রকই, নাঃ ইকাই-রবদি য়াম্রে। ঐগী পাপ চেনবা চীন অসীনা পুম্নমক ইশানা য়াত্থুনা হুজুরগী মফমদা হায়রবদা মাসিমস্নু লোক্লুনা থম্লরোই।

ডাকাতি অমুমক তৌবদা অচৌ অচৌবা য়ুম্নুরেং কয়াবু লম্বীদা ভীক্ষা নীবা ফকির (মুসলমান লম্বোইবা) ওইনা থাদোকপিরম্মী হায়বা হুজুরনা খঙবিরি। নিপা অসিগী কয়া য়ামনা মাঙ তাক্লবনো হায়না মী তরানা রারী শানৈ। মপান্দগী অসিমথৈ উই, অদুবু মক্ল ওইবা অমাঙবা অদু কদায় য়েৌনা মাঙবগে হায়বগী পাউ নথোয়না খঙবিদে। মাগী মরল অমদি মথরায় মুন্দুনা লৌরগা ঐখোয়না তোক্কে, মান (ইকাই থুম্নবা) মুন্দুনা লৌই, অদুদগাস্নু অচৌবা পোং —নুপীশিংগী ইজ্জত করিগুম্বা ইমুং অমদা ডাকাতি তৌথরে, অদুগা য়ুম্নুরেঙ অদুগী মতু—মনাই নুপীশিংগী ধর্ম (ইজ্জৎ) মাঙদে হায়বা ঘটনাসি ঐ অমা ফাওবথঙদে জঙ্গলগী শা শিকার (শাতানবা) তৌবা মীশিংগী মরক্তা মী থরা য়াওই, মখোয় অদুনা বন অমস্নুং পাখি-কোনথী লম পুম্নমক থুগায়দুনা য়ৈথায়দুনা কম্না লাউ থোংদুনা শিকারগী শা ফাবা খুদোং চানবা শিল্লি, মতৌ অদুগুম্না ঐখোয়স্নু গুণ্ড দল অমা পুদুনা চংলি, মী ফুবা—ফাবা, হাৎপা—জখম (থুং-লাইনা শোকহন পলহনবা) অদুগা য়ামনা কম্না লাউখোংবা

মথোয়সিগী থবক্তি। মথোয়না লূপাদা য়েংবা মীংথয়েং অহুদগী য়াম্না হেন্না মুপীগী ফজবা মশক্তা নজর (মীংথয়েং) পীরম্মী। ঐখোয়সু মাহুমক পাশ্মী। মথোয় অসি পীহুনা ঐখোয়না তোংজবা শরূক অনী ফংই। মুপী কয়ামুক্তা থাজিন্দুনা ঐখোয়গী মরূ ওইবা থবকতূ লৌশিং তৌহুনা পাঙথোকই ; লূটকী পোৎ য়েন্নবা মতমদা থরদং পীরগা চৎখি। য়েংবদা ফজৈ হায়না দত্তগী ময়ুমগী মুপীশিংগী মীনা কৌনবা মমীং লৈরম্মী। অহুগী মথক্তা সহরদগী লুহোংবা য়াওবা লাকপা মীশিং অহু য়ামনা ফবা চৈ মতেক মতেক্তি। মরম অসিনা গুণ্ডা দল দল লাকপা হোরে। মথোয়হুগী মরক্তগী থন্দুনা মশা কনবা নত্তা ওইরিবা পাথং থরা লৌরে।

নিংথম্বা অহৌংনি। অহৌং নোংয়ায় য়ৌদ্রিবৈদা লুহোংবগী লাংবা লোইথরে। চাবা থকপা লাকপা মী পূম্নমক হুন্নথরে বরযাত্রী অমসুং অরাপ্পা লমদগী লাকপা ভাইশেল পূম্নমক তূমখ্রে। অসিগুম্বা মতম অসিদা হাৎলো হাৎলো হ'য়বা শব্দ তৌহুনা ঐখোয় পূম্নমক চোংশিল্লে। ইহান হানবমক্তদা য়ুম অহু কোয়শিন্দুনা থল্লে। হিন্দুস্থানী দারোয়ান (থোড়শঙণা) শিং মাঙখ্রে। বরযাত্রীশিংনা লৈবা য়ুম অহু নপানলোমদগী বন্ধ তৌশিল্লে, য়ুমসুগী য়ুম মথংদা চঙশিল্লে। মুপী লৈবা কাদা য়াম্না কপ্প লাউনরক্লে অথম্নবা মী পুহুনা য়ুমগী দোতলাদা (অনী শুবা মথোন্দা) কাখংলে। সীতানাথ দত্ত রায়বাস বাহাদুর (অচৌবা নিপা) নি। করিমতা তৌদবগুম্না থোরক্নুনা হায়রকই, নথোয়গী সর্দ্দার (লুচৌংবা নিপা) কনানো ? ঐখোয়গী মায়দা রং তৈরম্মী। ঐ চঙশিল্লে। দত্ত মহাশয়না হায়রকই; সে পো অসি লো। কা অসিদা য়োংকা উপুদা লুপা লৈবনি। সন লূপাগী

অলঙ্কারশু ফনা য়াম্না লৈবনি। লৌখ্রো। ফীরোন লৈরিবা অছুন্ন লৌখ্রে। মুপীশিংগী মশাদা পকপা অলঙ্কারশিং (খুজী লীরুচিংব) মু লৌথোক্লবা তৌগে। অদুদি ওইরগা ঐনা হায়বা রা অমতং য়াবিবা তায়।

—করি রানো ?

—নখোয় হিন্দু ওইরবদি নারায়ণবু সাক্ষী থমদুনা, মুসলমান ওইরগা আল্লা বু সাক্ষী থমদুনা নখোয় কনামতা মুপীগী মশা শোক্লোই হায়না রাশকউ।

—অসি হায়দুনা দত্তমহাশয় চত্তশিল্লকুনা ঐগী থুং অনীসি পায়দুনা মপী ঝর ঝর তানা কল্লক্লে। মথৌনাউ ফুল্লবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, নহাক অসি ডাকাতশিংগী সর্দার ওইরবসু মীনি। ঐগী লৈপাক্কী মীনি। নত্তগী নয়ূমদসু নমা—নচল, নত্তু—মীনায়মুপী লৈরিবনি। অসিমতংদি নত্তগী নফমদা ঐনা ভীক্ষা তৌরগে (নিজরি)।

ঐ ডাকাতি য়াম্না তৌরক্লে, ররবাবু। কপ লাউবসু য়ামনা ও রক্লে। পুন্নমক অদু ঐখোয় থাদবা ত্তমদুনা অভ্যাস ওইখ্রে (হৈনরে)। অদুবু দত্তমহাশয়দা মমাংকী মপী উবদা ঐগী পুক মনুংসি করিনো উক্রুক্রু লয়রক্লে। ঐ য়ারে। ঐনা হায়রম্মী, মশা মশাগী লাক— খুজানচিংদা লৌথোক্লুনা পীরয়গা মুপী পুন্নমক য়ুম কা অন্দা চংখ্রো হায়দিয়। মপে য়গী খুদোং থীবা লোক্রোহ।

দত্ত মহাশয় চংখ্রে। ঐগী দলগী মী পুন্নমক পুনশিনহন্দুনা অকনবা হুকুম লোরে, লুপা, পয়সা, পোৎচৈ অফংবা লুঠ তৌ। অদুগা চেকশিল্লু, মুপীদি হারাম (মুসলমানগী শোকপা য়াদবা শাওক) নি।

থবক লোইবদা পুং মথায় অমদগী হেন্না চত্তদরে। পুন্নমকপু

মথাদা কুমথরো হায়না হুকুম তৌরগা ঐনা খল্লম্মী, য়ুমগী তেতলা (অহুম শুবা মথোন) দু য়েংলুখিগে। সীতানাথ দত্ত য়াম্না চেকশিনবা অক্লবা মীনি। মফম অদুদা পোং থরদং লোংতুনা থনম্লোইদরা ?

তেতলাদা কা অমতনি। য়াম্না মম্মী। থোঙ লোল্লি। মীহুৎ থোঙদা টর্চ লাইট কাপ্পদা নুপী অমগী মমায়দা মঙাল তারুরে। ঐ খংপেক খংই। অসিদি কনানো ? মাসি কদায়দগী লাকপনো ? ক্ষিরমতা থেল্লদে মহাক অসি। মনাতোন অচুমক, মমীৎ অচুমক, অচুম্বা মীংকী পীশুম অনীগী মথক্তা অপীকপা মরাইবক অমা। ঐনা কয়াদা লুনা তৌজবা নুক্ল। স্বর্গগী জগোয় শাবী পরীগুম্বা নুপী মচা। মতীশ ঐগী অভাঙ ওইবিবৈঙগী চান্নবা মব্রম্লি। মতম অদুদা কলেজদা তম্লম্মী। মচাক্লা য়ামনা অপাম্বগা লোয়নন মাগী মমীৎ নুরক্লাগান থোল্লম্মী। চহী নিপালগী মমাঙদা অসিগুম্বা মমল য়াম্বা বেনারসী সাড়ি শেংহন্দুনা, মশা অপুম্বা মমল য়ামথ্রবা মণিমুক্তান-চিংব নুংনা কাম তৌবা অলঙ্কার শিবিহুনা ঐগী হৃচা নুপীহু মীগী ময়ুমদা চংহনখি। অদুগী মতুংদা ঐগী য়ুংদা হল্লকখিদরে।

নুপীহু কম্মা লাঙ্গুনা কনানো মী অমদা কোনশিল্লে। টর্চ মুথংলে। ঐগী মীৎ শানা স নীথানা থুংনা নোইরে। ঐ কৈদৌঙ ব্লনগে ? তোনথ্রবা মাচ নৈতবা কাগ্লদনা পোং অসি ঐনা খল্লিবা করিগিনো ? কনানো নুপীসিবে ? সীতানাথ দত্তগী মচানুপী। মতম থরগী মমাঙদা লুহোংখিবহু মহাক অসি ওইরম্বা য়াই। অমুক হন্না টর্চ কাপলে। য়ামনা য়ামথ্রবা অলঙ্কারগী মথক্তা মমল য়াম্বা নুংশিং অহু অমুক লং অমুক মম্ মরিক মরিক তৌরি। নুপা নীশীং ভরাবোমগী মাললি। ঐনা মথক্তা কারকপসি লাইবক ফত্ত্বনি।

দত্তসি পয়লা (অহানবা) নম্বরগী নমথাক তৌবা নিপানি। ঐনা ধমক (ধমকা—কীহনবা) তৌহুনা হায়রম্মী, লৌক খূজীনাচি লৌ-থোক্তুনা পীয়ু। কনানো অমনা ঐগী চীন অসি ফাজিন্দুনা থম্বদোনা তৌই। ঐগী থোঞ্জেল থোক্করে। ঐগী মীৎকী মপাদা হুরুগী মমায় অহু চোংথোবক্লে। চহী নিপালগী মমাঙদা শুহোংবগী পোষাক লৈ-ত্তেংবা ফীজোল শেৎপা ইকোন কোন্না উথিবা নূরজাহান। অপীকপা মচৌনবান অমুক্তং নীকপগুম তৌই। মা করি না হায়নীংই? ঐগী লৌক খূজী লোবা য়ারোই—মাগী মচীন্দগী নাসি ঐনা তাবগুম তৌই!

ঐ হন্দুনা লাক্লে। পনবা তৌদনা মথাদা কুমথহুনা কোম্হোং লান্দুনা লৌবূক তম্ন চেল্লম্মী। ঐগী দলগী মীশিং লৌবূকী মফম অমদা ঐনা লাকপা ডাইংনা লৈরমগনি। কনানো অমনা ঐবু ডকশমদা পায়হুনা ইন্দুনা পুরি হায়না ঐনা নীংলম্মী। ডাইহাক চেল্লগা ঐ খংলেপ লেপই। করিনো ঐনা লৌরিবসে। ঐগী কোক অসি অচুম্বমক ডাওরবরা? অস্নম তৌনসিদি ঐ বৈদোউডেস্নু তেঁখিদরি। সীতানাথ দত্তগী অথুম্বা ব্র' অনীদ' তাবদা বদরুদ্দিন ডাকাত্ত (ডাকু) কী মপূক্রীং পোংলবরা? ঐগী দলগী মীশিংদা ঐনা হায়খিবা ব্রাহুগী ওন্না তৈনবা মীনম্বা থবক ঐনা তৌরে। ঐনা লোভ (অপাম্বা) উৎহুনা পুরকপা নিপামচাশিং অসি লোভ অহুগী ফীবান্দা ফাওবা থেংলুবা ফংদরে (মথোয়না পামজবা থবক্তু তৌব, ফংজত্রে), মাহু ঐনা ফংহন্দবনি। ডাকাতি (লুঠ তৌবা) লাকপনি। লূপা লীশীং ওরাগী লীক খূঞ্জীনচিংবা হুনজেকনমহুনা হল্লক্লে। অহল ওইরকপগী বুদ্ধি চোইবা হায়বহু অসি নত্তনা অতৈ করিবু কৌবগে?

ঐগী কোক অসি মশীং কয়ারক্তং নীংথিনা নীকপদা নেশা

(ময়াই কাবা পোৎন ঙাওবা) কোৎখ্রে হায়না খল্লে। দত্ত ময়মগী পোৎগান্দা অমুক চৎলে। পন্বা চৌদনা তেত্তা (অত্তম শুবা মথোন) দা কাখৎলে। কা অত্তু খোং হাংদোক্লম্লে। টর্চ কাপ্পা ঐনা উবদো—

খঙহৌদনা মুন্সী অমুক হন্না লেপখরে। মাগী অচৌ অচৌবা মমীৎ অনীত্তু শূন্যনি, বিহ্বল (বিহ্বল' চুববা—অব্বা-অনানা নাক্রবা) মীৎয়েংনা অহাঙবা (লাইতিন থেঙবা) ফক্লাং অত্তুদা য়েংলনা লৈবে। মুমিৎ অত্তুদা উম্থিবা তুক্কচরবা দৃশ্য (মশক) অমা মফম অত্তুদা থোরক্লমালে। মতম খরদৎ অত্তুম্না লেল্লে। তপ্পা তপ্প মাগী মীৎয়েং অত্তু মীৎকম চুম্লক্লে। ফক্লাংদগী মাগী মমীৎ মীৎয়েং অত্তু কুমথবক্কুনা ঐঙোন্দা য়েংত্থুনা হায়বকহ, ঐনা মাত্থুদা উবত্থু ঐঙোন্দি শং বা মওঙ নত্তে, বড়বাবু। ঐগী পুন্সী চুপ্পা অত্তুগুম্বা কয়া উৎক্লে। মীংহাৎপা অত্তুগা বলৎকার (force শীজীন্নবা) তৌবা— অসিনি ঐগী লল্লোনবগী থবক। ঐগী খূৎ অসিনা মী কয়াগী মখোয়গী চরম মেত্থুনা হাংখরে, মপূক্তা ছুরিনা থিনখরে, ল্যাজা (ভাকাননা লোং না অমুক্কুং থিন্দুনা লোইথোকখরে, কাটারী অচৌবন অমুক্কু য়ান্দুনা মীগী মকোক অত্তু মরেঙবান্দগী কেনহনখরে। মেরীক ক্রী ক্রী কাখগুম ঐ চেল্থখরে। অসিগুম্বা থবক তৌবদা ঐগী পূক অসি নাকপা (থুকপা) তৌরমদে। কোকসি অমুক্কুং ফাওবা ঙাওরমদে। মুপীগী পুন্সাঙ মাঙনবা তৌবা? অত্তুসু য়াম্বনা তৌখরে মুপী কয়া কিবনা জ্ঞান মাঙখরে, অত্তুবু উদ্ধার (অন্নাবা কোকপা) ফংখিদে। কয়াদা চাউরা চাউরবা ইমুংগী মৌ—মন'ই মুপীনা ঐগী খোঙ অসিগী মথক্কা মকোক থমত্থুনা হায়জখরে, নঙ ধর্ম্ম য়েংত্থুনা ঐবু নংা মুপীনি হায়না লৌশিনবিবা ইপানি, ঐ নঙগী নচামুপীনি। মুপানা মাগী

সঙ্গন্ধ মক্লবা মী শিরগা লাউন। কুইনা শাংনা কপ্পগুম্না কপ্পা উরগা পোক্রীলক্ষ্মী। অদুবু সেদি ঐগী করি ওইরবগে ? কা মপ্পং চঙশিনঃ বদা ঐগী মীৎ আসনা উক্লবা লোৎ অদু উবদা ঐগী কোক আস ডাওখরে। ফক্লাংদা খূৎনা শোঙ্গনা তুগে তোবদু তুক্লে। ফক্লাংদা মশা শোক্লা নিপা পাখং অমা তুঙ্গনা লৈবদ্ব ঐ উরে। নিংথৌ বাদশা (মুসলমান নিংথৌ) গুম্না থজব শক্তি; শেৎলবা ফিজ্রেক্তি বরখী পোষাক্তি। মাগী মবুকী ওই ৎংবদা থাড অমা থুম্না থিংজিন্দুনা থাঙ খোক্তা মপান্দা খিন্দোক্লুনা লৈরম্মী। বাসরঘর (মুহোংবা গুমিত্তা বরকন্যানা লৈবা কা) অমম্বুং কা অদুগী ময়ায়দা লেমায়দা থাডুনা লৈবা মখমল (রেশম—velvet) গী মথক্তা থাবা লৈরোং য়েকপা অপাব চাদর অদু ঈনা পূম্নপ লূপ্লে। ঈনা চোৎলবা ফমুংগী নাকল শাহদা ক্ষান য়াওদনাম মীৎ উইশিন্দুনা মুপী অদু তাতুন লৈরম্মী, অদুগা ঐগী দলগী জানোয়ার (শা) অমা—। শুয়োর (ওক) অদুবু ঐনা মশম পায়দুনা চিংখৎলে। ফক্লাংদা মাগী মমায় শুতুনা থোক্ লোক্ শুরে। মনাতোন্দগী ঈ ঝব্ ঝব্ হাথরক্লে। ময়া ম'রি মঙা তেক্লুনা কেনখরে। অনীরক্তংগা য়ৈরবদি শালা অদু শিরগদবনি। অদুবু খাদোকপিরে। উতীন হাংতুনা খূৎ নমথীনবা করি কাম্নৈ ? চৈনা কুপ্তনা বারান্দাদা ইস্তুদুনা থমখ্রে।

ঐ নিপা মগাদুগী মিতুন য়েংলম্মী। মনাতোন্দ খূং থমদুনা হেংলম্মী। লৈত্রে (শিরে)। অদুগী মতুংদা মাগী মনাক্তা চঙশিল্লে। অসিদি মুপী মচা নত্তে, সনাগী লৈ চরোং অমা মাল্লি। অসিবু মুরু নত্রে কনানা হায়বগে ? অসিদি ঐগী নুরজাহাননি। অম্সুপ ফজবা শক অসি মী ওইবগী ওইবা য়াত্রা ? বেহেস্ত (স্বর্গ) দগী সীতানাথ—

দত্তগী মযুমদা কুমণরকপ'নি। মা ঐগী ইচা মপীনি। ঙসি মাগী লুহোংবা মমিং অসি নোং ঙাম্রিহৈদ। ঐগী খুং অসিনা মাগী পূম্ন মক্কগী হেন্না চাউবা, অদুগ পূম্নমক্কগী হেন্না অয়োয়বা সর্ব্বনাশ (পূম্নাঙ মাঙবা) শিল্লে।

মতম অসিগী ঙাইহক্তং মমাংদগী নোংতাবা হৌখরবনি। নোং বম্ বম্ চুবনা মকশিল্লবা সন্ধ্যাগী অমম্বদা মুন্সীগী মমায় শেংনা উবা ফংলমদে। ঐ হৌপংতুনা খাউমৈ খানগৎলে। ঐ থংপেক থংই। বদর মুন্সীগী মমীত্তা মপী। নত্তে; ঐ ভূল তৌদে। নারুবনা কুচু তাক্লপেং তাঙবা মথজাই অনী অদুদা মখোল থোক্তবা পিগী ধারা শিন্থরি। ঐনা হায়রম্মী তোক্লো, মুন্সী রাসি ঙাওলগা করি তৌনগনি? মসিনা ঙসিদি কনাগীম্ব লাভ (অতোংবা) ওইহল্লরোই। মুন্সীনা থুনা মপি তৈথোক্লুনা হায়রকই, নত্তে হুজুর, কৃপা তৌবিদুনা ঙাই-হক্তংগা তাবিখে। ঐগী লাভ (অতোংবা) লৈরবস্মু লৈত্রবস্মু ঙসি ঐগী রা পূম্ননক হায়বা তাই। নহাক নঙনা কনাদা রা অসি হায়গনি?

ঐ সিগারেট চমদুনা চেযার মথক্তা খোঙ থাঙ্গংতুনা শুপচিন্দুনা ফম্লে। মুন্সী রাবী লীবা হৌরে।

কা অদুগী মচী অমদ চক্ অচৌবা অম্না লৈরম্মী। মমীত্তা মমায় ঈশিং চাইশিনবদা মহাক মমীং পাঙথোক্লুনা যেংঙক্লে। কুইখ্রবা মতমগী মমাংদা ঐগী মুকম্ব মতৌ অস্মুম্না য়েংলম্মী। অদুবু অনীদু কয়াদা য়াম্না খেন্নৈ। মাযকৈ থুদী.দা কোইয়েং য়েংলগা খঙহৌদনা ঐবু উবদা কন্না লাউরগা অমুক হন্না রাম্থরে। ঐ মপান্দা চেম্হোক্লম্মী।

ডাক্তার। ডাক্তার অমগী দরকার ওইরে। ঐ অসি কনানো, ঐ কদায়দা চংলিবনো, ডাক্তার কৌবগী ঐগী করি অধিকার লৈ, পূম্নমক ঐ কাউথরে। ডাক্তার কৌগদবনি হায়বা অসিদা ঐগী পূক্নীংদা খল্লম্মী। অদুবু মাহুগী খুদোংচাবা ফংখিদরে। সিঁড়িগী ময়াদা থিংখরে। মুপী মচাসিগা ঐগা করিম্মু থোক্লদে হায়না থুনা নীংশীংলক্লে। ঐ মখোয়গী ময়ুমদা ডাকাতি তৌবা লাকপনি। ঐনা তৌবা থবক্লা ওসি বিন্দু অমমুক্তা চাউবা নৌরিবা মুপী মচা অম্না সংসার অসিদা মাগী লৈজবা পূম্নমক মাওহুনা সংসারগী রাংমদা চংখ্রে।

ভূতনাথনা মীনম্বা রা ওাওলমদে, হুজুর। ঐনা তৌগে হায়না নীংলবদি ঐবু কোয়শিনবা মীশিং অদুবু পূম্নমক ইম্থ, হুনা চেনখিবা ওম্নগনি। অদুবু ঐগী খূং অসি থাঙ্গৎপা ওমখিদরে। ঐগী অরোয়বনি হায়নতা খল্লম্মী। বদর মুন্সী ফুম্নবা কোম তৌরে। চওশিন্দুনা হাপথরগা লোইরে। চৈ, তা, য়োংকী য়োংগুক অসিনচিংবা ঐগী কোক্লা, নঙ্গন্দা ওকশমদা ফূথরক্লে। ঐ হেক ওম্বমখৈ লেপতুনা লৈরম্মী। অদুগী মতুংদা করম্বা মতমদ ঐ তুথখিবগে ঐ নীংশীংদ্রে।

ঐনা জ্ঞান তারকপা মতমদা মীৎ শাওথোরকপদা, ইহান হানবমক্তদা নাকল অমদা লেপতুনা লৈবা কোয়েং অওাওবা অমা উরে। মকো৺া রুমাল পুনব দেশী মেম সাহেব অমা চেনশিন্নক্লে। নার্স নি হায়ব ঐ খওলে। ঐগী হৈনাক্তা চওশিন্নক্লুনা ঐগী মিহুল থেংলে, অদুগী মতুংদা লিক্লি অমদগী হিদাক থরদং গেলাসদা হৈহুনা ঐ-জোন্দা তপ্লা তপ্লা পীথক্লে। মতম থরগী মতুংদা ঐ হুকচাং পাঙ্গল থরদং ফংলে। য়াম্না রানা ঐনা হুংলম্মী, ঐনা লৈরিবসি কদায়দনো ?

—মাসি সরকারী হাসপাতালনি। ডাক্তার বাবু কৌরুরা ?

থুং চাইহুনা ঐনা হায়রম্মী ডাক্তার নত্তে। হাকিম—হাকিম কৌবিয়ু।

পুলিশগী দারোগা অমা লাক্লে। ঐগী ইমায় মথক্তা নোম্থহনা মহাক্না হংলকই, হাকিম কৌ হায়ববু কারিগনো ?

—ঐ ঐগী ইরাল স্বীকার (confession) তৌগে।

পুং অনীরোমগী মতুংদা ম্যাজিষ্ট্রেট অমা লাক্লে। মতম অহুদমু ঐগী জ্ঞান লৈরি, অতুবু ঐ চৈনাখোলনা য়াম্না ন্নারম্মী। মশাগী দোষ স্বীকার তৌবা আসামীগী জবান লৌবা হায়বসি কয়া য়াম্না ঝঞ্ঝাট (মুংশাইতবা অশা মুগী থবক) নো হায়বা নহাক্না খঙবিদি। জবান ইস্ত্রিবো মহাকপু চেকশিনহনগদবনি, খাথল থমবগী মতম পীগদবনি। হাকিমশিংনা তৌগদবা নিয়ম কয়া লৈ। ঐনা হায়রমী, আইন কানুন (নিয়ম—শিল্রাংবা) পুম্নমক থুন লোইখোকপিবো হুজুর। ঐডোন্দা মতম শাংনা পীরবদি, ঐগী জীবন অসিদা মতম অমুক লৈরবোই।

ঐনা হায়গদবা ন্নাদি অরাংবনি। ডাইহক চাইহক লৈ ।তুন। ঐনা হায়গদবা ন্নাহু ন্নানা হায়বম্মা। ঐনা হায়রনী বা ন্না পুম্নমক হায়থিদমাদে। অতুগী মমাঙদনা ঐ জ্ঞান মাঙলম্মী। অদোগা মতুংদা করম্না মঙমদা মখোয়না, করম্না হুজুরগী জেলনা পুরকপনো ঐ কারমতা খঙদে! সরকারী হাসপাতালগী কর্তা (মশু) শিংনা মপুংগী দা থম্লম্ন য়ায়, অশিব হকচাং অসি মখোয়গী মথক্তা ননশিনবা করিগীনো ? জেলগী মঙক মুশমদা হুনজিনখরো। অদুবু মকম অসিদা ঐগী ইপা লৈ হায়বা মখোয়না খঙলমদে। মহাক্কী দয়া (থৌজালবিব) দগী ঐগী অশিবা ইশা অসিদা ঐগী থবায় অমুক হল্লক্লে।

মুন্সীগী ৱারী লোইরে। মাগী ৱারীগী অরোয়বা শরুক অতুগী জবাব ঐনা পীরম্মী। ঐনা হায়রম্মী, ঐন দয়া তৌবগী ৱা করিস্নু লৈতে মুন্সী। ঐগী তৌফম থোকপা অদুদা ঐনা তৌথিবনি। অহোং-ননা মাসিদা থবক্তা হৈশিংবা মতৌক চাবগী ৱা লৈরবদি মাহু ডাক্তার-গীনি। মাহু তোকলো। ঐ ৱা অমত্তং থঙবা ঙমদরে। মরাল লৈবা মীনা মাগী মরাল অদু তৌই হায়না য়াংবসি অশোবা নত্তে, অঙকপস্নু নত্তে। অদুবু মশান তৌনবা মপুরাধ অদুগী বোঝ (পোংলুম) অদু মশাগী মঙকশম লুখনদা পোন্নবদুগা, হাকিম কৌহুনা কোর্ট মমাঙদা ৱাশক্নুনা ঐ মাসি তৌরুরে হায়বা— অসিগুম্বসি ঐ কৈদৌঙৈদস্নু তাখিহ্রি। নাস বাহাদুরি (থবক তৌবদা হৈশিংব) ওইবা য়াই, অদুবু মাসিবু খোনা য়ন্না যবা কৌবা য়ারোই। নত্ত ডাকাতি তৌকই। পুন্নমক অতুগী নঙনা দায়ীনি। অদুবু মুপী মচা অমদি মাগী মুপুরোইশংগী মপক্তা তুগিং অদুদা তুক্কচরবা অত্যাচার তৌথিবা লংদুগী দংক নঙন বাযী ঙহকম থোক্তে; ধরায় মাঙবা য়াবা মানম্বা অপরাধ (মরাল) অনানা মশানা লাংজন। মশাবু খেংশিনজনুনা মঙক-শম অদু ফাসিগী লৌরী মনাঙদা তি খোকপদা করবা অকবা ফম ফংগদবা লৈবগে হায়বা ঐ উব ক দে'

মুন্সীনা নে ল্লুক হায়রবকই, হুজুরদি জ্ঞান লৈবা মীনি, ঐদি মূর্খ ডাকাতনি। হুজুরগী তর্ক তৌনবা হায়রবাস এগী মচোম মপাক খক পাক নাইদবনি। ঐ তর্ক (মরৈ খেংনবা) তৌজদে। অদুবু মুপী মচাসিগী মরাংবক্তা থোকাখ্রবা পুন্নমক অদুগী মরুদদি ঐনি শা আসবু ঐনা থিরুদুনা পুমকপনি। ঐনা মাবু থিরুদুনা পুবকপগী মরম অদু মানাপা চান, তোথরে, হায়নাখবা ৱা ৈ ৱাংমদা মহাক

থবক তৌখিদে। হায়নখিবা য়াগী ওন্না তৈনবা থবক তৌখিবদি ঐনি। সীতানাথ দত্তগী য়াদা ভুল (ভুলাইখিত্নুনা) তৌহুনা ঐনা তৌখিবা হুকুম অমত্তু অয়ানবা হুকুমনি। গুপ্তা অহুনা ঐনা তৌগদ্দু হায়না থিংবা থবক্তু তৌরম্বগী দমক মাবু ঐনা মতৌ করম্না দোষ পীগনি ?

মহাক্কী মপুক্কীংনা চংলিবা লম্বী অত্তুদা ঐগী অচুম—চুমদগী অকংবা রসয়াওদবা লজিক (logic) থবক কাগদে হায়বা ঐ খঙলে। মানা হায়রিবা য়াত্তু অচুম্বা ওইরম্মস্তু য়াই। লাইগী নোং-দমদগী থুপী মচাসিংগী মমায়গা মাগী মুক্কগী মম্মায়গা মশক মান্নবা অত্তু মাহুগী হুমিত্তা মানা উরমদ্রবদি, গুসি ঐগী ইনাক্তা ফমহুনা বদর মুন্সীনা লীরীবা য়ান্নী অসি তাবগী করিগুম্বা মরম অমতা লৈ-রম্মোই হায়বা য়া অসিম্ভু অচুম্বনি। সংসার অসিদা মুক্ক অসিনা মাবু পুন্দুনা থম্ব অমত্তা ওইবা থোরীনি। থোরী অত্তু নোংমা মতম চাদনা তংথরে। হিংচাবগী লমচৎ চংপা দস্যু (তাকু) অসিগী মবুক্কী মচী অমদা শোক-পনখিবা (wound) অত্তু মানা খঙদনা মতম কুইনা লৈখিরম্বা য়াই। মতম কুইনা মতৌ অসুম তৌনা সীতানাথ দত্ত চাম চামগী মচা থুপীনা, মহাক্কা (মুন্সীগী) লোভ (মিংহৌ-করাম চাউবা) অত্তুগা লালসা (অপাম্ব) গী মৈদা মথোয়গী লিন্দা তৌগা য়াদনা ফজবা মশক, মমল নাইদ্রবা মফী মরোল লাক-নচিংবা লৈতেং পোং অত্তুগা থাদোকপা য়াদ্রবা সতীধর্ম্ম (মপুরোইবগী মফমদা অমত ওইবা ধর্ম্ম) — আহুতি (লাইনা পেনবিনবা মৈদ ঘী কংপা) পীরম্বা য়ায়। অত্তুবু মাহু ওই থদরে। বদর মুন্সীগী মচু মথল য়াবা জীবন - নাট্য (পুন্সীগী পুং জগোয় ঈশৈ) দা প্রলয়গী অহীং অমা মশক উংংক্লে চহী নিপালগী য়াংমদগী অনৌবী মোগী কিজেত্তা মাগী নূরজাহান হল্লক্লে। হল্লক্লে, অত্তুবু বদর মুন্সীনা মাবু

অমুক হন্না ক'দরে। মাগী মথুংমক্তা মুংশিবা খঙদবা মীফু ফূখরে। নুপী মচাসিগী মপুরোইবা, সম্ভ্রম (ইকাই খুম্নবা), মাগী নুপী ওইবা পুন্সীগী ফজবা অমস্লুং সম্পদ (মরল) পুম্নমক মরু ফংনা মাঙখরে। নূরজাহান অমুক হন্না শিরে। চহী নিপালগী অরিবা শোক-পনখিবা (wound) মফম অতুদগী ঙসি ঈ চেন্থবা হৌরে। মশাবু মাঙহনবা লোহশিনবা নত্তনা অরাবা অসি কৌক্লরোই।

সন্ধ্যাগী মতম হৌখরে। নোং তাবা লেপথ্রবা আকাশদা মংদ্রনা লৈবা নোং অতু চপ লেপ্লগুম লেং ঙংপা তৌখিদ্রে। বদর মুন্সীগী সেল (cell) গী য়োংকী থোঙ অদু অসি গী অাঃ মমাঙদনা মাবু ঙাই-ফুনা লৈরম্মী। রাতু মা মপুক্লীংদা ন'াীংবমালে ; ঐস্মু মাবু নীংশীং-হল্লমদে। জমাদারনা মশা' কয়ারক হন্না মথোল গোক্তনা মীহুং-থোঙগী মনাক্সা হঙ্গংহন্দা চংলম্মে। লাকঙম ফাঙমদবা ডাকাত অসিগীদমক মথোয়গী উংকণ্ঠা (পুক্নী থোয়রাঙবা—uneasiness) গী অরোয়বা লৈরমদে। অতুবু ঐ হৌগংলগে হৌগংলগে হায়না নীংজবস্ল হোগংপা হেক ঙম্লমদে।

মুন্সীনা মতম খরদং রা ঙাঙদনা লৈরগা তপ্পা তপ্পা হায়রকই, হুজুরনা ফাঁসিগী থৌরাগী রা হায়বিখি। "লা" অহুবু ঐগী অকাবা লৈতে। ফাঁসিদা চংপনা ঙসি পুম্নমক্কগী হেন্ন' ফন চংপনি। মীংনা কুপ্পদা পম্নমক লোইবা। অহবু থোইদিং অমমম শিবা, মীশী অসিদি থাডবা ঙমদে? নত্তে, মা'স ঐগী পুক্নী'গী নীংমদবা নত্তে। ঐগী জীবন অসিদা ঐনা তৌখবা পুম্নমক, পাপ, চুনদবা থবক পুম্নমক অতুগী দমক ঐগী অরাবা লৈতে। মৌলবী সাহেবশিংনা হায়নীংবা হায়জসন্ন, মাতুগী দমক মত'দা অমুক পাপ কম্ম তৌররোই হায়না রাশককে হোংননীংবা ঐগী পুক্নীংদা লৈতে। নুপী মচাসিগী মমায়

অদু ঐগী পুক্নীংদা নীংশীংবদা ঐনী পুক মংংসিদা মৈ চাক্লুনতা লৈ। অহৌ দ, তুম য়াদে, নুংথিলদা নুংঙাইবা অপেনবা শান্তি লৈতে। ঐগী হক্চাঙ পুম্নমক মৈনা চাকই। মরাইবক পীবী অদুগী ওইফম থোকপা অদু ওইথরে। অদুগী মতুংদি? মাগী জীবন অপুনবদু মতৌ করম্না লেপ্পগনি? মানা ঊবা ফংথিদ্রবা মবুবোক্কী ময়ুম অদুদা মহাক লৈবা য়ারবোগ। মপাগী ময়ুম অসিসু থাদোক্লুনা চৎপা তাই। ওসি নত্রবশু হযেং নুংগোংবা নুমিৎকী অহৌংদা বিধর্ম্মী (ধর্ম্ম তন্নদবা) ডাকাত লাক্লুনা ধর্ম্ম মাঙহনখ্রবা নুপী মচা অদুবু হিন্দুগী য়ুমদা নথোয়না করম্বা মীৎযেংনা য়েংবগে হায়বা ঐ খঙই। অদুগুম্বা নুপামচাশিংগী ওইবা অবস্থা, মরাংবক্রা তম্ব, নুপী মচা অসিসু লম্বী অদুদা চৎপা তাব্রা? সন্ধ্যা মতুংদা ফিঙ্গেৎ লৈতেংদুনা কৈথেল অসিগী লম্বীদা লেপতুনা লৈবা তাব্রা? মফম অদুদা লৈবা নুপী থরবু ঐ মশক খঙই। লম্বী অসিদা নোংমা তাউথদুনা লাকপনি। লৈ মানব নুপীমচা অসি করিগুম্বা দোষ অমতা তৌথিদ্রি, জগৎকী করিগুম্বা পাপ অমত্তনা শোক্লুনা মশা মাংহনদ্রি, মাসু নরক্কী লৈখোম অসিদা পুংথদুনা পুমঙনা শিবা তাব্রা? ঐগী লৈজবা সম্পত্তি পুম্নমক পীদুনা মাবু কন্নবা উপায় লৈবরোইদরা?

ফল লৈত্রবা কান্নদ্রবা প্রশ্নশিং অসিগা ঐনা করি পাউথুম পীগনি? মাগী মে মতুম মাংনবা মমীৎ অনীদুগী মাঙ্গংফদ ঐ য়া ওঙদনা ঙক্লুনা য়েংদুনা লৈরম্মী। মাগী মশাদা চাক্রিবা মৈ অদু ঐসু ঐগী ইশা পুম্নমক্তা ফাওরম্মী। তেলগী মশক ওইবা প্রশ্ন লেপথরে। অদুবু মহাক্কী ফিংগৎলবা (excited) থোনফম কায়রবা থোঞ্জেল অদুগী খাঙমদবা অন্নাবা অদু য়ুম কা মঙু অদুদা থোন্থাং য়ৈথদুনা চৎপা হৌরক্লে।

ক্ষপী মগা অহুগী অকীবগী মশক ওইবা ভবিষ্যৎ (মতুংগী পুন্সী) ভসি মাগী কল্পনা (পুক্লীংনা শাবা ব্লারম—imagination) দা তাউ-হুনা ফংওরম্লিবা অহু, নাংমা অচুম্বা অওইবগী মুংশি খঙদবা অকনবা মশক উংলদ্রোই, ঐনা করম্না হায়গনি ? অহুবু অবস্থা অহুনা হোং-হনলকপা ফল অহু অচুম্বনক মশক উংলক্লবদি মুক্কীনা করি পীহনা মাহু থিংবা ভমগনি ? মানা যতন তৌনা তুংশিন্দুনা থম্লিবা অরোনবা মরল অহু করম্বা থবক্তা শীভীন্নবা য়াগনি ?

ব্রা অসি ঐনা খঙবা অহু, উরক-তারক্কুনা জ্ঞান লৈরবা দস্যু (ডাকু) অসিগু মাগী থোরবা বুদ্ধিনা মাহুদগী হন্থনা খঙব ওই-বন্দে। অহুবু মীওইবগী জীবন্দা বুদ্ধিনা তৌবা ভম্বসি কদায় ফাওবা ভম্বগে ? ভসি ফাওবা প্রশ্ন কয়াগী পাউথুম মহাক্না পীবা ভম্লবগে ? অকনবা সমস্যা (problem) কয়াগী থবক পংডথোকখ্রবগে (solved)? দর্শন (philosophy) গী লামায়দা মীওইবা জাতিগী পরিচয় (শক খঙবা) Rational animal নি হায়। মাসিমক মাগী মশাদগী ওইবা গুণনি হায়না তায়। জীব পানব শিংগী সংসার অপুম্বদা মীওইবন খ্বাইদগী হেন্নবনি হায়না দাবী (claim) তৌরিবা অসিগী মরুদা মাগী Rationalism অসিনি হায়না তায়। মাডগী দমক মহাক্না গর্ব (মগুণ থাগৎপা) তৌব-নীংলবসু তৌবিসনু। অহুব ঐগী ইশাদা ওইরিবা Rational অহুগী অয়াম্বদি animal নি হায়বসি করম্না য়াদবা য়াগনি ?

জ্ঞানগী গর্ব তৌবা মীনা অরায়বা সত্য অসি চুম্মী হায়ন য়াবা ইকাই। বুদ্ধিগী মপাম্না হিংহুনা লৈরিবনি হায়না মহাক্না তৌবা অহঙ্কার (মগুণ থাগৎপ) গী অরোয়ব লৈতে। ন্যায়শাস্ত্র (Logic)

গী ফাহুনা পুন্দুনা থম্বা কয়মুলানা মাগী হুমিং খুদীংগী তৌবা থবকশিং অহু মানা পুন্দুনা থম্বা পাম্মী। অহুমদি ওইরগা অকনবা নোংমুংশিং হৌরকপা মতমদা মাগী Logical Syllogism কদায়দা লৈখিবগে ?

মহাক্কী হিসাব নিকাশ (অফংবা চংখিবা শেলগী অইবা মরোল) গী চয়েংনবা সূত্র (অতেনবা ৱা) অহু চামা থোক্লা কায়খি! হুমিং অহুদা মাবু লমজিংহুনা চংপা অহু মাগী থোপ নত্তে, থমোয়নি ; হেড নত্তে হার্টনি- মাহুগী অথুপ্পা অরুবা ৱাহুগী অভিধান (Dictionary) দ ইবা অর্থ লৈতে, করিগুম্বা থিওরিগী ক্রেমদা মাহুবু পুন্দুনা থম্বা য়াদে।

মুন্সীগী পুন্সীদা নোংমুংশিং অকনবা হৌরম্মী। মরম অহুনা মাগী হোগায়রবা থিনগায়রবা মথবাকপু নীকহন্নব থোরক্লিবা প্রশ্ন অংগী অর্থ লৈতে। বিকার (মহৌশা ওইবগী ওন্না তৈনবা) য়াওদনা ৱা ডাওদনা ফমহুনা ঐ মাগী ৱারী তাবা মী ওইরম্মী। মপুক্কীং লেপফম খণ্ডরবা মীংথেংনা মতম অহুদসু ঐগী মায় য়েংহুনা লৈরম্মী, আগ্রহ (য়াম্না মথন্নায় য়াওবা —eagerness) গা লোয়ননা পাউখুম ডাইহুনা মমায় থাঙ্গৎতুনা লৈরম্মী। ঐ ফক্লাংদ য়ানব ঘড়ি মাইকৈদা য়েংলম্মী। অহীং পুং নিপাল তাখ্রহুন মিনিট তরামডা চংখ্রে। ফক্লাংদগী মাডোন্দা য়েংথহুনা ঐনা হায়রম্মী, জন্নাদার লেপতুনা লৈরে। নডবু cell মনুংদা বন্ধ তৌবা তারে, মুন্সী।

হুমিং কয়ানিমুক্কী মতুংদা ভূতনাথ অমুক লাক্লে। মমাংদৈডগুম্না খডহৌদনা লাকপনি অমসুং পুক্কীং লেপফম খডদনা হাথু হাথু তৌরম্মী।

—করি তৌরবগে ?

—মুন্সীবু অমুক্তা কৌহনহিরু।

—নৌনা অমুক (পুং) য়ৈত্থুনা য়েংনবা মরম ফংলব্রা ?

—ময়া তেকপা গুণ্ডা অমা ফারে। মাগী দলগী মী ওইরমালে হায়না পুক্নী"দা ফিংনৈ। করি হায়বগে য়েংগে। ব্যাটা (ইচানিপা —মুন্সী) মথন্তগা ব্রা ভাংনবা ফংলঃদি খুদোং চাগনি।

—বেশ, মাত্থমক ওইসন্থু।

থংনবা কা অন্থদা পুং অমরোম মুন্সীবু খুত্থম চন্নবা, ইন্থুনবা, য়ৈথুনবা পাঙ্গল শিঙ্গিন্নরবা মতুংদা ভূতনাথ মপান থোরকপা মতমদা মাগী মমায় উবদা আশা লৈত্রবা ফীবম ওইরে।

—খুদোং চাবা ফংলবরা দাদা ?

মহাক্না মমীৎ মমায় শুক্কোক্লুনা হায়রকই, করিস্থু ফংদে। very hard nut মহাশয়। ঐগী য়া তেকখ্রে, য়া তেকপগী মরম অমতা ফংদরে।

ময়া তেকপা নিপাহু মতুংগী হুমিত্তা জেলদা লাক্লে মতম অমদা ঐনা মুন্সী কৌত্থুনা হংলম্মী, নিপাহু মাসিরা ?

মুন্সীনা ডাইহক্তুং তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, হুজুরগী মফমদা ঐ ব্রা থুপত্থুনা থম্লোই। অন্থবু মী কনাদস্থু ব্রা ফংসি ঐ হাযবা ওম্মোই।

থা অমরোমগী মতুংদা কেশগী বিচার হৌরে, পুলিশনা চেক-শিন্না হৈংলিংনা থবক তৌবগী অশোয়বা লৈরমদে। বদরুদ্দিন মুন্সীগা লোয়ননা আসামী ওইবা মী দল অমা ফাত্থুনা চালান তৌরকই

(থাগংলকই)। মখোযগু উরগা মানা নোক্লকই—মখোয়সিবু ঐগী সঙ্গীবা? করি থঙগনি? নহালমুক্কী মপোক্তা ওইখিরম্বা মাই। হন্দক্কী মপোক অসিদা মখোয়সিগী মরক্তগী অমা ফাওবা ঐনা উখ্রে হায়না নীংশীংবা লৈতে।

মশাগী কেশ চালাইনবা মুন্সীনা উকিল অমতা হাপতে। মী হাৎপ আসামীনি হায়রুনা সরকারগী খরচনা উকিল অমা হাপলে। মফম অদুদা লৈবা বারগী ফগৎলক্লিবা ক্রিমিন্যাল ল'ইযার। মহাক লাক্তুনা লোন্না রা তাকলৈ কনফেশন retract তৌ হায়না। হায়রু পুলিশবু কিবনা ঐ করি হায়খ্রবনো নীংশী'দে। পুলিশনা য়ামনা ফবা অদুদা ঐগী কোক অসি ঠিক ওইনা লৈরমদে' ঐ কেশ আসগী মরমদা কবিস্ত্র থঙদে। ব্যস্! অতগী মতু' তাবদি ঐগী খুত্ত লৈরে। য়েঙথায় থিনগায়বা য়াওদনা খালাস (থাদে বপ) তৌহনগে।

মুন্সীনা নোক্তুনা হায়রকই, কিবগী মরম লৈতে, বাবু। কনফেশন তৌরবস্ত্র কেশ অসি মতম কুইনা চৎথনবা বন্দোবস্ত ঐনা তৌরে। নহাক্কী ফী মাঙলোই।

অহানবা কেশ লেপ্লগা মুমিত্তা মুমিদাংৱাইবম পুং মঙা তাবা কান্দা কে'টনা হৌগংলগে তৌবা মতমদা মুন্সীনা মখুং লোম্লনা হায়নকই, ধর্ম্মাবতার, নহাক্কী এজলাস (জজনা যম্বা অরাংবা উপাক্কী ফম্বে) দা ঐরু ফম্লব যাথং শীবীবা অসিগী দমক খোদানা নহাক্কী মঙ্গল ওইবা পীবিসম্ভু। ঐগী আকপাক নাইদবা লমচৎ ভাকপিযু ফম ফমদুনা স্তব্ হো'বা নাইদবা বক্তৃতা (Speech) অসি তাবদা ঐ য়াম্না তুম্নীংই। ঐনা করিগুম্ব তুখাখিব পোক্লবদি দোষ তৌবিগনু।

হাকিমদু হৈশিংবা অহল ওইরব নিপানি। মকোক ওইবা আসামীগী মাইকৈদা মমীৎ লাওনা পাওচনা য়েংহনা লৈরে। ফাঁসিগী মচাওদা কানবগী থোওনি হায়বা য়াবা কেশ অসিগী রা তাবদা তুম্নাংই হায়রি, মতৌ অসুম্না তুম্নাংবা অসিদি মহাক্না শাংগ্রবা পুন্সীদা কৈদোৗওদসু উখিদ্রি।

অসিগী মরক্তা থওহৌদনা নোংম। অয়ুক পুং তরামাথোক তাবা মতমদা ভূতনাথ বাবু ফাওরক্লে।

—সর্ব্বনাশ ওইরে মহাশয়।

—করি তৌরবগে?

—মুন্সীবু কোর্টতা চৌজিক থাবা তারে।

—মাবু কোর্টতা চত্তবরা ?

—চত্তে, য়েংবিয়ু সে ?

মুন্সীগী ওয়ারেন্ট (কোর্টতা কানবা হুকুম) অদু য়েংহল্লে। জেল—ডাক্তারনা মাহুগী মথক্তা ইরম্মী— unfit to attend Court.

ঐনা হায়রম্মী, শারবদি মতৌ করম্না কোর্টতা চৎকনি হায়বিয়ু?

—নাবা লাকপা করিমত্তা নত্তে। নহাক নশামক্না অমুক্তা হংবিয়ু। মাসিওরাং থোকখিবা ঘটনা (থোদোক) অদুদা মায়থাবা ফংখিবা অদুদগী থোরকপা শোয়দনা ওইরমগনি।

থোকখিবা থোদোক অদুগী অশম্বা ৱারী ভূতনাথনা লীবদু অসিনি :—

মোকদ্দমা "সি" াহৌদোক্নী বক্তৃতা অদুগী মতুংদা মুন্সিং নানী শুনা সাক্ষীগী জবান লৌবা হৌরে। মুন্সীদি হেক হৌবদগী

কেশ অসিগী মরমদা মরী লৈনদবদৌনা থৌওইনা তৌদে। আদালতকী থবক তৌবা মতমদা মাদি কোর্ট থাজিনবা উগী বেড়া অহুগী রেলিংদা ভাইনা তুমতনা মতম লেল্লি। ভরাং জবানবন্দী লৌ-খিবা সাক্ষীশিংগী মরক্তা সীতানাথ দত্তগী মচা সুপী য়াওরম্মী। মাবু কোর্ট মনুংদা কৌশিনবা মতমদা মাদি (মুন্সী) চপচানা নাখোক-লম্মী। প্রশ্ন অনী—মরি হংলবা মতুংদা করম্বা কান্দনো খঙহৌদনা মানা তুম্বহু কায়থরে। ডক (কোর্ট মনুংদা আসামীগী লেপফম উপু) লোমদা হেক য়েংখিবগা মুন্সী ভন চোংথংলে। জবানবন্দী লৌরি-ভৈদা কোর্ট লোমদা য়েংহুনা মথুং লোন্নহুনা মানা হায়রকই, ঐনা আক-পাক নাইদনা ভাওবসি ভাকপীয়ু ধর্ম্মাবতার। ঐনা পীজখিবা কনফেশন অহ্ন অমুকুং পাহুনা য়েংবিয়ু। ঐদি পুম্নমক ঐনা তৌই হায়না য়াখরে। সরকার পক্ষদগী তৌবিবা চার্জ পুম্নমক ৱাইহে অমতনা তৌই হায়না য়াজখরে। অদুম তৌত্নুনা লৈরবদা, মহাক অসিবু মশানা পামদনা, মশাদা অরাবা পীহুনা নমহুনা চিংথোক চিংশিন তৌবিবা করিগীনো? মাবু থাদোকপিখরো। ঐনা অমুক হনলা হায়জরি, সুপীমচাসিগী থম থেংবা সর্ব্বনাশ (পুম্মাঙ মাঙব) গী দায়ীদি ঐনি। মাগী মরাবু হাংপা ঐনি, মখোয়গী অরৈবা সম্পত্তি পুম্নমক লুট তৌহুনা লৌবা ঐনি। অদুগা বলাৎকার তৌবা? হ্যাঁ, ঐ—ঐ—উঃ অসি হায়রহুনা খঙহৌদনা মবুক কন্না পায়শিন্দুনা মুন্সী ফমথখরে। অদুগা লোয়ননা সুপী মচাহুসু সাক্ষীগী লেপফম উনা থাজিনবা মথুং অহুক জ্ঞান য়াওদনা ৱান্থহুনা তুথখরে।

আদালত বন্ধ ওইখ্রে। অদুগী মতুংদা মুন্সীবু মীনা শোহুনা কয়েদীগী গাড়িদা থাঙ্গৎহুনা জেল থানাদা থাখিরম্মী। সুপী মচাহুবুনা হাসপাতালদা পুথনা চৎখ্রে। মানা জ্ঞান তারকপদা পুং অনী হুওলম্মী।

ভূতনাথনা হায়রকই, নুপী মচাতুগী অবস্থা অফবা নত্তে। অদু ওইরবস্থু ডাক্তারবু য়াহন্দুনা করিগুম্বা উপায় অমা তৌদুনা ষ্ট্রেচারদা হাপতুনা কোর্টতা পুদুনা লাক্লে। যেসা উপায় তৌদুনা মাগী এভিডেন্স অদু ওসিগী মন্নুংদা লোইশোক্কবা য়াদে। অসোমদা মরু ওইবা আসামীদু য়াওদ্রে। মা য়াওদনা trial চংথবা য়াদে। যেসা উপায় তৌদুনা মাবু পুদুনা চংপা ভাই। মী পূম্নমক ভাইদুনা লৈহৌই। কোর্ট ফমদুন ভাইদুনা লৈহৌই। ঐ ট্যাক্সি পুরকই। তৌজো হায়বিরবদি অ্যাম্বুল্যান্সস্থু পুরকপা ওমগনি।

ঐনা ডাক্তার কৌদুনা হংলম্মী, মুন্সী করি অমুক তৌরবগে?

ডাক্তারনা চিন্তা তৌদুনা মকোক হাইদুনা হায়রকই, ঐ করিমতা খঙবা ওমদরে। ওরাং কোর্টতগী হল্লকপদগী চা-থক্লে, য়া ভাওদে। মমীৎ উইশিন্দুনা চপ তিংনা তাদুনা লৈ।

ভূতনাথ লাউ খোংলক্লে, বদমাইশি, বদমাইশি (লমচং ফত্তবগী থবক) তনি খঙবিদবরা? কেশ অসি মাঙহনগে তৌরিবনি শালা। নুপী মচাসি ওসি হনখ্রবদি অমুক হন্না মাবু ফংলরোই হায়বা মা খঙই।

ঐনা হায়রম্মী, মহাক্না কনফেশন তৌরবা মতুংদস্থু নুপী মচাতুগী evidence লৌবা য়াম্না দরকাররা?

—দরকার ওইবমক্কি। কনফেশনগী support তা অতোপ্পা evidence লৈত্রবদি মাদুগী মমল কয়ানো? মফম অসিদা শেমশানুনা য়াখ্রবস্থু হাইকোর্টতা চংখ্রবদি য়ারোই।

ঐনা ডাক্তারদা হংলম্মী, করিগুম্বা মওঙ অমা তৌদুনা থাদিবা য়ারোইদরা?

— পাল্‌সগী ওইরিবা মওঙ অসিদা য়াগনি নীংদে স্তর।

ভূতনাথ নীংবা কায়রহুনা হনখিবা তারম্মী।

মাহুগী মুম্মিং অহুগী সন্ধ্যাগী মতমনি। জেল মমুংদা লৈবা মী থম্না চৎপা লম্বীশিং অচ মী পঙনা চৎলমদে। কয়েদীশিং মাগী মাগী ওয়ার্ডদা চৎনখরে। চাকশ'দা অহীং-মুংখিল চুম্না ভান্দ্রা উৎসবকী থবক তৌবা মীশিং অহুম মুক —হায়োক তৈবা খোঙগ্রাও অককপা অমতুং পাম্বোম ককপা ফুরিং লীংতুনা খাবৈ চেগপ অহুগা হৱাই ওৎনা য়াকাবী পায়হুনা মখূৎ থুনা থুনা থবক তৌরি। জমাদার-শিংগী দল " গিন্‌তি " হায়বদি মীশীং থীবহু চুমত্রা চুমদবরা কম্না য়েংনরি। ডেপুটি বাবুশিংনা মাগী মাগী এলাকা হায়বদি ডিউটি পুরিবা মফমদা শস্ত্রিগী কদম (চাং নাইনা মখোঙ থাংতুনা চৎপা) চৎলি। (১) লক্ আপ্ পর্ব্ব মথং মনাও নাইনা লোইথোক্লবগী দমক মী পূম্নমক্কী মপূক্লীং খোয়রাংলম্মী। ঐস্ন ঐগী দলগী মীগ' চৎলম্মী। লৈপল ময়া ময়াদা কোয়ন' চৎপা লোইরহুন' পুখ্রি মপান য়েৌরকপা মতমদা (২) ভগ্নদূত অমা লাক্লুন' পাউ পীরে, টোটাল নেহি মিলতা হায় (মীশীং থীবগী total চানদরে)। ইখঙ খঙহোদনা ঐগী লাইবক্তা হুমাং কারে। জেলগী চাপরাস (কোম্পাক) মরেঙবান্দা হাপতুনা পুবা মীশিংগী মফমদা অসিদগী হেন্না ফত্তবা পাউ অতৈ লৈক্তে। অচুম্বা অহুদি ওইরগা মীনা পাম্নদবা রাক্কাঙবা মরাইবক থীবা নিপা অহুবু ঐনা অয়াকপা রাহং হংবা মীৎয়েংনা য়েংলম্মী। পূক্লীং খোয়শাউবা নোল্লুকপগা লোয়ননা মানা খঙহল্লকই, একঠো কমতি হুয়া (মী অমা রাংলে)।

(১) ওয়ার্ড মমুংদা কয়েদী পূম্নমক চঙহল্লগা শো লোনশিনবা।
(২) ভগ্নদূত—লান্দা মায়থীরে হায়না পাউ পুরকপা দূত।

লক্—আপ্‌কী শুমাঙদা লাকপদা মী পূম্নমক ব্রা ভাওদনা লৈ-রম্বহ্ন ঐ উরে। ওয়ার্ড পূম্নমক অনীরক হন্না মীশীং থীরে। ফলদি অমতং; হায়বদি একঠো কম্‌তি হুয় (অমা ব্রাংলে)। হিসাব মতুং ইন্না ১৯৪৩ ওইগদবনি, ১৯৫২ ওহরে। করম্বা হুকুম তৌরক্লদগে হায়না মী পূম্নমক মখোন থোক্লনা ভাইহুনা লৈরে। count again হায়না ঐনা হুকুম তৌরে। ব্যারাক খুদীংমক্তা ইরাঙ লাওনরে। কয়েদীশিংনা লাইন অনী থোক্লা ফম্লে। হন্দক্তি জমাদারদা নত্তুনা ডেপুটি বাবুশিংসু মীশীং থীবা য়াওরে। অনী, মরি, তরুক নিপাল। …অমমমতা ওইনা মী পূম্নমক লক্—আপ্ ইয়ার্ড (শুমাং) দা হল্লক্লুনা লাক্লে। মী পূম্নমকী মমায় মমশিল্লি।

হৌজিক্তি লম্বী অমতংদা ব্রাংলি—অরোয়বা লম্বী, পাগলা ঘন্টি (অভাওবা কংসী মখীভ)। শাংনা খোংবা হুইসিল অমা। অতুগী মতুংমক্তদা মফম পূম্নমক য়োবা তাণ্ডব নৃত্য (অকনবা জগোয়) হৌগনি। চৈবুল অমম্বুং নোংমৈ লেংবান্দা খোনগংতুনা মরম চাদবা দোং ফনবা, মৈরা য়াংখৈরোম চমখত্তুনা ওইবা যাবা ওইবা য়াদবা মফমদা ফল ফংদনা থিবা, লৈপল কোয়শিন্দুনা পুলিশ তেঙ্গোলনা কাল্পদবা মগুণ থাগংতুনা অশাওবা উৎপ। অতুগী মতুংদ শাংখ্রবা (১) লঙ্কাকাণ্ডগী অরোয়বা। মচীনবান খ্রক্ কংহুনা ২কোক নোম্বহুনা ভগ্নদূত অমুক চঙলক্লে।

—করি পাউনো?

—একঠো কম্‌তি হ্যায়।

---

(১) লঙ্কা মৈ থাবা'

জমাদার মকোক ওট্টরিবা অতূদা ওন্শিন্দুনা ঐনা হায়রম্মী, তৌগদবা থবক পুম্নমক তৌরে। অতৈ করি বাংলি ? হৌজিক্তি অরোয়বা মুংশাম্বর হোল্লো (শিরো) —

— মিল গিয়া, মিল গিয়া (ফংলে ফংলে) — মন্নুংশাম্বব ফূইনা ফূইনা হোন্দুনা চেনশিল্লকে ওয়ার্ডার অমা।

— কদায়দা, কদায়দা ফংলে ?—অমুক্তদা প্রশ্ন তরানিপাল।

– উ অসিগী মথক্তা—

উ মথক্তা ! দলগা লোয়ননা মাইকৈ অদোমদা ঐ চেনশিল্লে।

হাস্পাতালগী মনীং লোমদা কম্পাউণ্ডগী ইলপল শোক্লা কুইনা পুন্সীরবা সনথাংনাং পাখী অমা চৌরম্মী। মাতগী মশা মরেংগী মনা অপুংবা মরক্তগী মীগী মখোঙ অনীথক য়ান্থহুনা লৈরম্মী। মনাক নকশিনবদা মশা অপুম্বা উব ফংলে। কৈজোম অমা তাশিন্দুনা অশাঙবা থৌরী তারম্মী। মাতুগী মতেংল অমা উগী উশাদা পুল্লগা অতোপ্পা মতোন্না থৌরী কোঙ্গোয় শেমহনুনা মঙকশন্দা পুল্লম্মী।

মিনিট খরনী মন্নুংদা য়ান্দুনা লৈবা অশিবা দেহ অদু উগক্তগী থাংথরকে। ডাক্তার লাক্তুনা মিহুন য়েংলগা মচীন শুগংলে। মরৈ তিংথোক্তুনা লৈরম্মী। মমীৎ অনী চোংথোক্লে। য়াম্না তুকচবা শক-ওডনি। অদুবু অহানবা উবমক্তদা মশক থদলে। জমাদার য়েংহুনা ঐনা হায়রম্মী ঘন্টি (কংসী)।...

সেণ্ট্রাল টাওয়ারগী মথক্তগী ঘন্টি অহুম্নক য়ৈহনা থঙহল্লে,—

সব ঠিক হ্যায় (পুম্নমক ফরে)।

[তরামণ্ডা]

নোংমাইজিং। সুংথিল পূ, মরি তাখ্রভুনা মিনিট কুন্থ্রামণ্ডা। ঐগী দলগা লোয়ননা ফাইল (পরেং শানা লেপ্পা মী য়েংলি। অণাংবা ফীভ.না পূনবা কাইল নত্তে, আইনগী য়োহিল্লনা পুনবা মীগী ফাইল। মী; অদুবু মীওইবগী অহানবা ফংদ খোকপা অধিকার (right) ফংদ্রবনি। অফবা মীগী সমাজনা দ্রবু থাদোক-পিরে, মহাকশু মী অমনি হায়বগী দাবি অহু থোঙ .। তৌবিদরে। সংসারগী অরায়বা অমসুং অফোংবা লশ্মীদগী নাম্বরক্তুনা মথোয়না দল দল ওইনা অমম্বা য়াম্না নানবা লশ্মীদা লাক্লে। মরাইবক্তা য়েকপা মরাল লৈবা মীগী লৈখোমগী চন্দন। অহুগুম্বা মীগী কাইল য়েংলি।

মতাই অমদা লেপতুনা শাংখ্রবা লাইন (পরেং) অদু অমুক্কং য়েংলম্মী। ফাজেংনা খোংচগ্রাউ থককপা, কোক থিংজিন্দুনা লিংপা ফুরিৎ, খ্বাংদা পুনবা খুদৈ, মকোক্তা টুপ, মখুং ওংদা টিকিট, মখুং য়েংনা থাদহুন লৈবা। মনুক মথক্তা কল্লা পুনবা অ্যালুমিনিয়ামগী কোইরপ কোয়বা কাংগোয় মচা। পরেং পরেং লেপলি ইণ্ডিয়ান পিনাল কোডকী মথক্তায় পানবা ধারা (section) অমমম। ৩৭৯,মাগী মনাক্তা ৩০২ মাগী মরেংবানগা মরে বানগা খেংনহুনা, ৪২০ নত্রগা। ৩৯৫ – মী হাৎপা, হুরানবা, ন.ব.নেধভুক (সুপীগী মশানা যজ্ঞ ভৌ-হুন চানাংবা মী), ডাকু, নমথাক ভোব না, ফুরিংথাউ চপ্পা মাশিংগী মচু য়ামখ্রবা পুম্নপ পুনশিন্দুনা লৈবা। অদুবু ঐগী মীত্তা মচু য়াম্বগী অর্থ লৈতে। 'মফম অসিদা লাক্রবদি পুম্নমক চপ মাল্লে।' এডোন্দা রামগা শ্যামগা খেন্নবসি নম্বরদাদ। রাম ৭৫৭, শ্যাম ১১০৪। মখোয়-না করম্বা অপরাধ ভৌরুবগে ত্র খণ্ডদে; ঐ খণ্ডদে মখোয়গী ফাটক

তারকত্রিভৈগী মমাংগী পুংজৌগী য়ারী। ঐ য়া অসি খণ্ডদে—ঐগী ইনাক্তা লেপ্লিবা রাম কৌবা নিপাসি মাগী য়ুমলোন্নব মীগী চাক খোং চক্‌দগী ঈশিংদা তিংজিনা থন্বা চাক পুথম অমা হুরাল্লম্মী, অহুগা মাগী মনাক্তা লেপ্লিবা শ্যাম কৌবা নিপাসি মাগী য়ুম্নোন্নবা মীগী মচানুপী বয়স চহী নিপাল শুরবী অমগী মবুক্তা হুরিনা থিন্দুনা সনা মোহর অমা মথায়গী লীক পরেং অমা মুন্দুনা লৌরম্মী। ঐগী ইক্কমদা পরিচয় (শকখঙবা) দি—ফাটক তাবা মী। অসিদা খঙহনা মখোয়সিবু রিফর্ম (লমচৎ ফনবা) তৌবগী ভার লৌরম্মী।

ঐগী ফাটক তাবা মী তেঙ্গোল অসিগী মপূক্কী য়া ঐ খঙদে। মখোয় পুন্নমক্কী মথক্তা ঐগী মীৎয়েং চপ মান্নৈ, পুন্নমক্কী মফমদা ঐগী ব্যবহার চপ মান্নৈ। মী অমগা মী অমগা য়াম্না থেন্নৈ হায়বা য়াসি ঐখোয়গী শাস্ত্রনা য়াদে। মাগী মততা বামগা শ্যামগা অমতনি ওনস্লুং থেন্নদে। চাবদা, কোয়বদা, থবক তৌবদা, থবক শংবা মতম্দ, শাসন তৌবা অমস্লুং নিয়ম নাইনা চৎপদা থোবা অমতনা পুল্লি। মুড়ি অমস্লুং সিতামিছবি পাত্র অমতদা হাপতুনা ডিসিপ্লিনগী ওক্লপা যন্ত্রনা ঐনা মখোয়সিবু তক্কুনা মকুপ ওইহন্দুন থম্মী। মাহুদগী শারণপা পোৎ অহুগী মহাও, মনম নত্রগা মচুগী মরমদা ঐ বিকার (শকওও কায়বা) কায়দে।

ঐনা হৌজিক তৌরিবা থবক অসিগী মমীং চয়োলগী 'ফাইল' য়েংবা কৌই। কনানা করি য়াকৎনীংবা লৈবগে, কনানা করি হায়-জনাংবা লৈবগে খঙগে লাকপনি। অচুম্বা য়াকৎকদবা লৈরবস্থ মাহ ঐভোন্দা হায়রোই হায়বা ঐ খঙই। করিননো হায়ববু মখোয়গী মথক্তা য়াকৎকদবা মীশিং অহু ঐগী ইতুংদা প্রসেশন শাংনা চৎলি

ৱাকংকদবা লৈ বাবু—

প্রসেশন লেপ্লে।

—করি নালিশনো (ৱাকংপনো) ?

ৱা ভাঙলকপা নিপাসি বয়স চহী তুল্ফ্‌তরাগী ৱাংমা লানখ্রবা মাল্লি। নোঙ্হুনা মখাং কোঙ্হুনা ফাইলগী নিয়ম কায়দনবা ৱানা হোংনরি। টিকেট অত্তু ঐভোন্দা লান্থোক্তুনা হায়রকই, য়েংউ বাবু, ঐগী চহী কয় ইরবগে! মাগী মনাক্তা লেপ্পা কয়েদী অতুগী বয়সস্থু মাগা অন্মা ওইরমগনি নীংই, মাগী টিকেট অথুস্থু লৌহুনা ঐগী খুত্তা পীরগা মান। হায়রকই, অসিমস্থু য়েংউ। মাগী মখোঞ্জেল অত্তু ফিংগংপা মওঙনি।

ঐনা হায়রম্মী করি তৌরবগে হায়য়ু।

—ঐনা হায়রি। বয়স অত্তু হান্না য়েংউ। অতুগা লোয়ননা থাডমদবা ৱাহং—করি ইতুনা লৈ ?

অসিগুম্বা মচোম্বাক নাইদবসি চীফ জমাদার থাডবা ডমদরে। খ্যাক খ্যাক তৌহুনা করিনো ৱা অমা হায়গে তৌই। ঐনা ইঙ্গিতমা খামহুনা হনুবত্তু য়েংহুনা ঐনা হায়রম্মী— নঙগী চহী ৭২ অতুগা মাগীনা ৬৫ ইবা ঐ উরে।

অতু ওইরবদি * 'আইটর বাবু' না চুম্না হায়রে। অতুবু মাসি নখোয়গী করম্বা বিচারনো বাবু? ঐগী ইচা নিপাদগী ঐনা চহী তরেংতা চনবা তারবরা ?

---

* ৱাসি " ৱাইটর " (writer) হায়বদি লাইব্রিক ইবা পাবা—ওম্বা মখোয়সিগী চিঠি দরখাস্তনচিংবা ইনবগী দমক হাপ্পা কয়েদী (ফাটক) নি।

—নিপাসি নঙগী নচা নিপারা ?

—ঐগী ইচা নত্রবদি লৈকায়গী নিপাগী মচা ওইগদ্রা ?

মহাক ক্লিংগৎপ শাউগৎপ মওংদু হৌজিক্তি থুপতুনা লৈতবে। মনাক্তা লেপ্লা নিপা অদুনা নোল্লকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, হ্যাঁ হুজুর মহাক অসি ঐগী ইপানি। বয়স চহী খরা য়াম্লে ; অদুনা পুক্লীংগী ফীবম থরদং—

— নঙ তুমিন্না লৈয়ু—অহল অদুনা ওংদুনা হায়রকই। ফাটক লৈ হায়দুনা ঐনা পোকচবা ইচা নিপাবু ইচান হায়ব য়ারোইদ্রা ?

ঐনা অমেংবা খোঞ্জেলনা হায়রম্মী—নত্তে, নত্তে। কনানা য়ারোই হায়বগে ? মাহ্ ঐখোয়না শোইবনি।

ঐনা ডাক্তারদা য়েংলম্মী। উপায় লৈত্রবা নিপা অসিগী অকনবা দোষ লৈতে। মীগী বয়স লেপ্লবা ডাক্তারগী করম্বা থবক থৌওং (process) লৈবনো ঐ থগদে। অদুন্নাদি ওইহনগা মখোয় অনীসি মপা মচানি হায়বসি মীওন য়েংদুনা হায়বা তাববদি নিথম চুম্বা দিব্যজ্ঞান (ধ্যান তৌদুনা ফংবা জ্ঞান) লৈবা দরকার নে, টিকিট অনীত্ত ডাক্তারগী মথুক্তা পীদুনা ঐনা মাঙলোমদা চঙশিনবা মতমদা ঐনা তাবা ফংলম্মী, নঙ নোরিবা অডাউ মচা অসিগী মপানি হায়বা ঐচোন্দ তাকপা য়াবনি।

হুম্মবগী খোঞ্জেল অদু রাংঙৈ—ঐ করিগী তাক্লান ? নঙগী বুদ্ধি বিচার তৌনবা শক্তি লৈতবরা ?

'নালিশ'গী মরম অয়াম্বদি চিঠিনি। সাধারণ কয়েদীশিংনা থা অনীগী মমুংদা চিঠি অমুক ইবা য়ায়। মপান্দগী মখোয়গী মমীংদা কাকপা চিঠি অমগা অমগা মতম খেংবসি থা অনী। ডেপুটি

থাবুশিংনা টিকেট য়েংদুনা তারিখ পা পাদুনা য়েংলগা চিঠি মশা মশাদা পীরম্মী।

—পিটিশন অমতঃ লৈজে হুজুর, নিপা মচা অমনা হাযরকই। মমীং পানাউল্লা।

—নংগী করম্বা পিটিশননো?

মাগী নাক য়েত্তা লেপতুনা লৈরম্ব নিপা মচাশিং অদু লোম্না লোম্না নোকই হায়রবা ঐ উরে। পানাউল্লানা মাইকৈ মরিদা কোই-য়েং য়েংলগা হায়রকই, ঐগী খুড়ানা চিঠি ইরক্লে, ঐগী মপাদু লুহোং-দুনা মল্লা নাইগদৌরে।

ঐনা ব্রা তোঃদ্রিবৈদ ঐগী ডিপুটি খালেক সাহেবনা খুম্নকই, লুহোংত্রবদি করি তৌনি? নঙনা থেঁজানবিদুনা চহী তরেৎ জেলদা পংতুনা পুমদুনা লৈবিগনি, অদুগা চহী নৌরিবী নতু অদু নঙ লাকপা লম্বী য়েংদুনা ভাংদুনা লৈগদবান, নত্রা?

পানাউল্লা কবিমতা হনবা তেঁদে। মহাক্না খুদক অদুমক্তদা খুম্নকই, লুহোংনা বদ্ধ হোংসন্ন। অদুগা য়োং অদু নত্তব মী অতৈ লৈত্রব্রা দেশগী মন্নুংদা। ঐনা মপান্দা লৈঙ্গিবৈদা মাদু ঐগী ইনাক্তা খক নক্না লাক্কে। হুই লখোইবীগুম্না মমৈ মতুংদ, লোৎতুনা চংলম্মী। ভাস ঐ লৈত্রে হায়দুনা—

মাগী মমীং অনীত হিংসা তৌবা শাগী মমীংকুম্না মৈমুক ভাং-লক্লে। পানাউল্লাবু থগৎহনবা পোং অদু মাগী মপী লুহোংখিগদৌরে হায়দুনা মপুক্লীংদা চিংনবা নত্তে, মাদুদগী হেন্ন লুবা অমসুং চয়েৎ থোয়েৎনবনি হায়রবা ঐ খঙলে। মাগী দরখস্ত অদু মজুর (য়াবগী য়াথং পীব) তৌব তারম্মী। অদু ওইরবসু ঐনা অমুক্তং হংলম্মী পিটিশন তৌদুনা লুহোংবা অসি নঙ করম্না থিংগনি?

সুক্তোংবা খিংবা পামদে; পানাউন্নানা হায়রকই, পানাউন্না মাগী পুন্সীচুপ্পা জেলদা লৈরোই হায়বা বছির দারোগাবু খঙহনগে তৌবনি ঃ নোংমদি শোয়দনা ঐবু জেলদগী থাদোক্কনি।

অসিগী মতুংদা পিটিশন লৌবিয়ু হায়জবা পুন্নমক অহুদা অনৌবা রা য়াওদে। য়ুমদা মতূ মচা চাদহুনা শিগদৌরে, য়েক্লবা মীশিংনা ওং-নৈবিরে, জমিদারনা খাজনা থীদে হায়হুনা য়ুম ইংখোল নিলাম লাউগদৌরে. প্রতিকার (ফনবা তৌবিব) পাম্মী। চাপরাশ অসি ঐগী হৈরেংবান্দা হাপ্পা মুমিত্তগী অসিগুম্বা হকচাঙ রাহনবা রারী অসি চহী খুদীংগী তাহুনা লাক্লি। অহানবা পুন্সীদা পূক্লীং অসি খোয়রাঙ খোয়শাওরম্মী। বিচার তৌদনা দরখাস্তদা য়াবগী হুকুম তৌরম্মী; মাতুগী অতোপ্পা লামায়দা অকন অকনবা নোট হৈরম্মী, মথক্তা লৈবা মথরায় পান্দবা, অফিসারশিংগী তূমহুনা লৈবা তৌফম থোকপা খবক খঙবহু হৌদোক্কে হোৎনরম্মী। ঐন ঐগী পূক্লীংবু তাকপিরম্মী, প্রতিকার অমা শোয়দনা লৈগনি, অহুবু প্রতিকার অহু করিনো হায়বা অহুগী অচুম্বা মশক অহু ঐনী হৈশাদা শেংনা কৈদৌঙৈদসু ফাওখিদরি। ঙসিদি অরাবগী রারী অসিনা ঐগী পূক্লীং শোকপা তৌদে। অহু ওইরবসু যন্ত্রগী মতৌগুম দরখাস্তগী মরোল য়াবগী হুকুম তৌরি। অহুম্নদি ওইরগা মাতুগী অফ-ফত্তবা ফলগী মরমদা মীনম্বা পূক্লীংদা খাজবা লৈতে।

অচৌ অচৌবা কেশ মতম কুইনা বিচার তৌরবা মতু দা য়াম্না খঙহৈবা বিচারপতিনা মরাল লৈবা মীবু চহী তরেৎ, নিপাল. তরা নত্রগা কুন মিয়াদ পীহুন' জেলদা থারকই. ঐখোয় হায়বদি অফবা, লমচৎ ফবা, লৈবাকমচা তাবা মীশিংগী চিন্তা লৈত্রে; জজ সাহেবসু

মশুানা পেনজবা ওম্মী, খবর কাগজদা সম্পাদকশী কোলমদা মহাক্না বিচার চুম্না তৌবগী মগুণ শকই। অতুবু অসিগুম্বা অকনবা দণ্ডি ফংবসি কনানো হায়বা মহাক খল্দে, ঐখোয়স্মু ব্রাখন তৌজুনা য়েংদে। নিপা অত্ত জেলদা চঙখবে ফরে। জেলদা চঙব, অসিদা লৈবা অব্রাবা, ইকাইবা, সংসার যুম পানবা গী অমাঙ অতা অমস্মুং অছুদুগী হেনবা সন্মান (ইকাই থুব্রগা) মাঙবা, মিংচৎ ফজ্রদন ফংবা —অসিবু ঐনা পিক্কা করিস্ম লৈতঞনি হায়না য়েংব তৌদে। নীং তম্বা মাঙবা অমস্মুং চান্নবা মী কায়নবগী অব্রা-অনানা, লৌনা জেলদা চঙলকপা মীগী নুমিং খুদী গী পুন্সীদা অকম্বা পূক্নীং ব্রাবা পী, মাহু ঐ খঙই। অতুবু মবম অসিদগা ঐখোয়না বন্দীগী মরমদা আগা— উছু হায়না শোনবতু মহাক্না ফংফম থোক্তমালে হায়না নীংই। জেলদা লৈবা মুমিং মতম শাংলব্রগ, মতমগী মথুংনা শোকপদা মাগী পূক নাংদা হোগায় থিনগায়থিবত্ত তাঙশিনথি, ইকাইবা অমস্মুং মান ইজ্জৎ মাঙবদগী ফংবা অনাবা অতু মাঙখি, মুংশিনবা মী কায়নবগী অতুম্বা মতৌন অও মরেং তাখি - হায়ব ঐ ইমীৎনা উরে। খাঙবদা ব্রাবা নুমিং (মতম) খাঙবা য়াবকই। হৈনদব জীবনগী মগীং কাকপ ডমদব অশোয়-অভাম অমস্মুং পূক্নীং পেনদবগা অথোবা ময়া অতুনা কক্ কক্ থিনবা তোকখরে। তপ্না তপ্না বন্দীগী জীবনগী সঙ্গ মী য়ামখ্রবা অনৌবা শেমশাবা অসিগী মনুংদ অনৌবা সমাজ অমা শেমগৎলকই। ধর্ম্ম মান্নব, থবক তৌমিন্নবা, লম্বী চংমিন্নবা মীশিংগা লোয়ননা অনৌবা নকশিন্নবা সম্বন্ধ অমনা মশক উদনা চিং-শিল্লকই। অনৌবা মশকী মরূপ উবা ফংই।

নুমিং মতম য়াম্না অমুক হৌখরে। য়ুমগী মরমদা নীংশীংবা

অদু মশেল মরাং তৌখ্রবে, মপানগী জগংনা চিংবদু কোমথোক্লে। অদুগী মতুংদা জেলগী অয়াকপা সুংশি হৈতনবা মশক অসি মাগী মমীত্তা মশক হোংখিবা নুমিৎ অম লাকই। খুত্থ্রবা অগংকী নিয়মা পুন্দুনা থম্বা পুন্সীগী মনুংদা মহাক মশাবু লুপহন্দুনা থম্মী। মাসি ময়ুম নত্তে, জেলনি হায়বা ক'রি করিগুম্বা কালদদা মপুক্লোংদা থল্লকই।

অদুবু অদু হায় হায়বদুনা মানা বিচার শক্তদগী পুদুনা লাকপা দণ্ড অদুগী ফল ওইররোইদবা? ওইগনি। মান ফংগে তানবা পোৎ অদুগী মশক হোংথবদনি। দণ্ড ফংথ্রবা আসামীগী মপান তাংবা, মহাক্না জেলদা চঙলকপা মতমদা লম্বী ময়াদা ফমহন্দুনা থনম্লবা নুপী অমসুং অঙাং কয়ামুকসু অদুগুম্বা দণ্ড অদু ফংই। জেলগী থোঙ লানশিন্দুনা হেক চঙশিন্নকপদা মশাগী চাবা থকপা, শেংপা ফীরোলগী অবেপ্প শোয়দনা অমা ফংথবে, অনৌবা সমাজ ফংথবে, অনৌবা নকাশিনবা সম্বন্ধগী অপুনবা ফংথরে, অদুগা মহাক্কী জেলদা লৈবগী সুংশিবা থঙদনা অকনবা অবাবদু মানা থাদোক্লুনা থনম্লবা মাগী সুংশিনবা মীগী ওক্টহৌরে। জেলদা চঙলকপা মীশিংনা মাগী অরেব মরল মথৌম পুম্নমক লোইনা থবচ তৌথোক্লম্লগা লাকই।

ঐ থন্ডই, অসি নত্তবস্থ নৈ। মতম চাবা অমসুং থুদোং চাবা য়েংদুনা মরক মবক্তা ফাটক্তা লৈদুনা জীব হীংনবা হোৎনবশিং অদুনা শক্তেংথা জাবনি। মশোয়গী ব্রা হৌদোকপোই ঐগী, নহাক্কা অমসুং মতোম্লা মী ওবা রাম শ্যাম-যদুগী য়াম্না য়াম্না তানদুনা ফংবা শেল অদু মরুপ শাশিন্নদুনা লোবা মী, ব্যাঙ্ক নত্রগা লিমিটেড কম্পানিগী মমীংদা লান্দাথিগী মচা অমদা মথোন তরেং শুবা দোলাল শাবা মী; অদুগী মতুংদা নোংমা থঙহৌদনা দোলাল অদুগী মতোন্দা অভাংব থাঙমৈ থান্দুনা থনম্লগা অশম্বদা মাঙখিবা মী, করি

করিগুম্বা কালদা ঐগী অতিথি থুংফম য়ুম অসিদা খঙহৌদনা চোং-থোক্লকুনা লাকই—অদুগুম্বা মীশিং অদুগী য়াম্ন ঐ হায়দে। লেককী (কলিকাতাগী lake—পাৎকী মমী' থোনবা লম) লমদমদা মতুগা মমীংদা বেনামা (পোৎনা মাগী ওইরগা অতোপ্পা মীগী মমীংদা নাম-পানবা) ওইনা মমীং পানশিন্দুনা পাক চাউথ্রবা দালান অমা থনম-দুনা লাকই, অদুগা লোয়নননা অঙ্ক মশীং য়াম্বা পাশগী লাইরিক (pass book), অদুগা মশাগী দমক অরাংবা শ্রেণী (class) গী জেলদা চঙনবা চিঠি লৌদুনা পুরকই। অদুগুম্বা মরাইবক ফবা "ডিভিশন্ বাবু" বু ঐনা য়েংশিনবা তৌদে। জেলগী উমংদা মথোয় অসি খূঙ্জোক অমতা ওইবা য়াম্না তাডবা লৈপাক্সী বকুল নত্রগা কৃষ্ণ চূড়ানি।

(১) শ্যাওড়া, পানথোক, (২) ঘেঁটু অদুগা উমংগী তুলসীগী রানি, মীশাং য়াম্বদা চামদা ৯৮ নি। তুমিং খুদী'গী দল দল লাকুনা ঐগী অহুম শুবা ডিভিশন (3rd class) গী ইথাংফম (an-chorage) দ লাকুনা মগাম তিঙ্লে। অকম অসিদা লাকত্রিডেগী মমাংদা পুলিশ থানাদগী গৌডনা হান্ডকেট ফাওবা মখা' কয়া পুন-শিন্দুনা কেশ তৌরগে, উপু, সনা, লুপা অলঙ্কারনচিংবা হ'প্পবা টিনগী অতৌব উপু, পুথম তেঙ্গাং অদুগ মতুগী অরোয়বা অলঙ্কার উকিলগী মগমদ থাখবে, মবুক শাম্লবা ইমুংগী জীব হিংনবা অমতা ওইবা উপায় —লৌ বিবা অনী—মরি মহাজনগী গদি (দোকান্দা লৈবা অপাকপা ফমফম) দা পীরুরে, মপা মপুনা থনম্বা লৌরী ইং-খোল জমিদারগী মথূদ্ভা হুনজিল্লয়ে, অহল ওইরবা মমা, নহা ওইবিবী

(১) ভূতকী কাযদোংফমনি হায়নবা পীক্কক তৌবা উপাম্বী।

(২) এনশাং জাং অম, মনিপুরদা অনীমক লৈতে।

মতু অমম্হং পিক্লিবা মচাগী মথূত্তা লায়বা চরা হেনবা অমম্হং মীনা থোওই উশিত্তবা পীরমতুনা লাক্লে।

কোর্টনা পীবা শাস্তি অতু আইনগী লোন্দা rigorous imprisonment কৌই ঐগী কয়েদীগী শক্তা imprisonment থুংহ, অতুগা rigour পু—নবা মানা থাদোক্লবা মাগী মপান তাং বাশিং লৈহৌরে। ঐগী জেল গেটকী মনাক্তা লৈবা লম্চাংদা নোংমাইজিং খুদীংগী নোংডাম্রিবৈদগী হৌনা অসিগুম্বা মতুংদা হুন্দোকলমতুনা লাক্লবা নুপী অমম্হং অভাও লাক্লুনা পৈরে। ঐনা ঐগী দোতলাগী মাঙ্গোন্দা ফমতুনা মখোয়হুবু উবা ফংই। উপায় লৈত্রবা শিঙ্খবা চুরবা অরাবা মীংয়েং; যুধানবগী শংবান্নব ফজবা শকফম মমায়দা লৈতে। বুদ্ধি তোইরবা, লৈফম অবেপ্পা মফম লৈতবা মী (nomad)। মুংগিসদা পুং মরি তাবদগী কয়েদী উনবা হৌই। মী উনফব মীহুৎ থোংগী য়োংকী শরং মপান্দা লেগায়বা ফী শেংপী মতু লাক্লুনা লেপ্লে। মাগী অকোবনদা আপক অপিকপা মফী শেত্তবা শক্তকায় (skeleton) দগ অমা। কুংশিনথ্রবা মমাত্তগী মপী তাহুন, চাদবনা মিঃ মি লাউরবা খোঞ্জেলনা মপুরোইবা কয়েদীগী মফমদা মাগী অরোয়বা লৈত্রবা অরাবগী ৱারী পীরি। নোংমতং অক্তম হৌরগ মচানিপা অপীকপহু শিবে। হিদাক চংব ফংখিদ্রে, অনাবনা চাবা য়াবা চিঞ্জাক ফংখিদ্রে। বয়স মপুং ফারবী মচানুপী অতু হামেং শজিনচিংবা য়োংপা ভম্ব, অজগর (লাইরেন অচৌবা) গুম্ব। মুঙ্গীগী মনাও নিপাগী মচা নিপানা লাহুনা পুথরে। মচানিপা অহল অতু থা অমরোম ফারে মফম অসিদা চংংগ্র হায়বা খঙদনা মাঙখরে। লেমহৌরিবশিং অতুদি অভাও ওইরিবা নাবাংক ভাঙনি।

হনুবী শিদন' লৈরি। থা অসি শিরগা ইংখোল অসি থাদোক্লুনা চংকদবনি হায়না, জমিদারগী চাপারাসীনা অয়ুক মুংথিস লাক্লুনা থমকা তৌরি (কিঙল্লি)।

ঐনা অমুক করি তৌগনি ?— মীহুৎথোঙগী রাংমা মাইকৈ অসোমদগী মাগী মপুরোইবনা সংসারগী বিষয় পামত্রবা খোঞ্জেলনা খুমলি। মাগী মপাদা তরু তরুবা জেলগী ফীজোল শেৎলি। মশা মউ কৈ, মমাং অক্ত দর্শন শাস্ত্র (Philosophy) হৈবা পণ্ডিতকুম্না গম্ভীর ওই (শুকথৈ)।

মতৌ অগুম্না চহী হৌখি। মরক মরক্তা লাক্লুনা মকম অদুদা লেপতুনা মাগী মতুনা অসিগুম্বা রারী তাহল্লমতুনা চৎখি। অদুগী মতুংদা শরুদা ডায়রবা হৌনিগী শগু পুতুনা লাক্লে। মহাক্কী করি ওরুথরে, কনান খঙগনি ? হিংতুনা লৌরবরা লৈত্রবরা, মাহুগী পাউ পীবদা কনাগী কান্নবা লৈবগে ?

দপু পীবা মানা দণ্ড পীরগা মাগী থবক লোইরে। মাগী ফৌ শুনবা শুক মহু কাংএদা তাররগা, নীংথীনা পানজরম্বা ইমুং কয়া মুংথরে, ইনিল নিরঙ্বা কনাগী মুমগী মাঙ্গোন তুমিন লৈথরে,— হায়-বগী মরমদা মাগী মাঙবা তোংব লৈতে।

হুমিং মতম হৌথরে। অশাংব ফাটক তাবা মতম লোইরে। দপু ফংলব বন্দীবু মখুং ভিংলোক্লুনা মপোল থোক্লুনা লোশিনবা য়োংকী থোঙ অহুনা মথোল হৌনা থাদোকই। মাগী মপূক থক্ থক্ নীকই। মথোঙ অপাদু চোংকথৈ লেং-ওগে। ঐ কদায়দা লাক্লে? অসিদি করম্বা লৈবাক্লো ? অরেক্ষ লৈতবা ঈশিং ঈচেলগুম্না মীগী ঈচেল চেন্থরি, মাইকৈ অমদা মুন্না য়েংবগী অহাঙবা মতম লৈতে,

কনানা চিংদুনা কদায়দা চৎলিবনো মখোয়সে ? লখীগী মতাংদা অমদা লেপত্নুনা ভকপনা তৌফম থগুরুবা মমীৎ অত্ত পাঙথোক্তুনা ময়ায় কারবা মীশিং অসি য়েংদুনা লে। চহী তরা, তরানিথোই, তরামঙা অসিগুম্বা পোং অসি মহাক উদ্রবানি। মীওইবা পুন্সীগী লালফমা ওৎপদু মহাক কাউথরে মহাক কাউথরে, মশাং থীবা ভমদবা মীগীং অসিনা নোংড়ালবদগী হুমিৎ তাবা ফাওবা থবক তৌদুনা লৈরি, মশাগী সম্মান, ফজবা মীংচৎ ফংনীংবগী আশা মমীৎ ময়াদা লৈ। চাক পাম্মী, ফী পাম্মী, চাউথৎপা, সম্মান, অদুগা হকচাঙ হুংডাইবা মীতম্বা পাম্মী ; মাগী মশাতগী নত্তে, মানা হুংশিবা মীগী দমকস্থুনি। আশা অসিগী ময়ায় কাবা অসিনা মখোয়বু মমীৎ তাঙবা মীগী মতৌগুম চালাইদুনা পুদুনা চৎলি। থবকী থৌইনশিন হুমিৎ থুদাংগী ফংই। ইতত্তুনা ময়েং ভাগনবা মীওইবগী প্রাণশক্তি (চিং-দুনা লৈবগী পাঙ্গল) অদু লেংদনা লৈহল্লি ময়াম কানগী অডাঙবা মওঙ মহারা মনাকা চহী তরাগী বন্দী জীবনদা ফংখিদে ; মাগী মমুংগী ওইবা মীশিংগী দমক মশানা নশারু ওৎপগী হুংডাইবা অদু মশাদা ফাওরমদে। চাবা শেংপা লৈফমগী রাখল মহাক্ত খনবা ভারমদে। মাদু পুম্নমক পুকচেল চাইবা সবক রনা পীরম্মী, মাদুগা পোমননা পীরম্মী, মাগী হুংশিবা মীশিংগী দায় পুবা অমসুং মখোয়গী মরমদা অব বা চিন্তা তৌবদগী মপুং ফানা মুক্তি ফংবা (কোকপা)। মহাক থবক শুনা ভাবম্মী অদুবু থবক শুদুনা চাবা তরমদে। থবক অদুদি থবক নত্তে, খোড থুং কেড ওৎপদনি। মাগী মতুংদা য়াও-রমদে মথল্লায়, য়াওরমদে থৌনশিন। জেলগী কারখানাদা মহাক মথল্লায় লানব যন্ত্র অমা ওইরমী মহাক চালইরিবা যন্ত্র অদুগী অচৌবা শরুক অমা।

চত্তুনা লৈরিবা মীগী ঈচেল অসিগী নাকল অমদা লেপতুনা চহী তরাগী লেগৌন নোংকাইনা কুপ শিনবা কুয়োম অহু কাওদোক-লকুনা মাগী মমীৎ অহু মখাংহৌদা নোংমা মাগী য়ম লৈরম্বা মফম অহুতুংলোমদগী য়েংলকই। থল্লায় মপুং ফানা পল্লা লৈবা মুংশিবা য়ম মপুক্রীংদা ফাওরক্লে পুম্নমক; মপুক্রীংদা ফাওরকে মী পুম্নমকপু। অহুদ ওইরগা য়ায়বোড নাই চাবগনা নাই থোক্নমদাইদা মচীন্দা চীকপা অহুগুনা মাগী পুক্রংদা ফাওরমদে। মুংশিবা খঙবা হায়বহু মাঙখবে, দায় পুবগী মপুক্রীংদা ফাওবহু ঙান য়াওদ্রে। মবুক্তা মথুং থমত্তুনা য়েংই। খ্রক্ খ্রক্ কবা অকনবা মরুভূমি (desert) মথুঙ্গী থেনরে। ভক্তি, অশেনবা, মুংশিবা প্রেমগী পীকখ্রবা ফল্গুধারা (লৈনুংদা চেনবা তুবেলগী ঈচেল) চেংদে মাগী থমোয়দা।

জেলদা লৈরিবদা নোমা মরূপ ওইরকপা নিপা অমা মাগী মনাক্তা লাকুনা লেপ্লে। থা অহুম জেলদা লৈরগা ভূসি মথোয় অনী জেলদগী পুন্না থোকমিন্নরক্পনি। মহাকনা হায়রকই - সিদা লেপতুনা লৈরিবা করিগীনো ? যুমদা চৎলোয়দরা ?

য়ুম। অর্থ অনী থোকপা ব্রাইহল থোক্হনবা থোজেলন পাউ-খুম লাক্লে। মচৌনবানগী মথক্তা অডকপ লঙনবগী মীনোকনা কুশিন-হনবা লৈয়ি।

—সে লো, বিড়ি থকউ, মথুং তিংথোরক্লে, চঙশিল্লকুনা ভনৌবা মরূপ।

মাগী খাইকৈদা য়েংবা তৌদনা, বিড়িহু মথুংনা য়াহুনা লৌরে, মৈ চমথংলে, লেপ্লা লেপ্লা মখোল থোকুনা থোঙইদনা মৈথু থরা

কামথোক্লে, অদুগী মতুংদা মমীৎ অনীমা পুবা মাইকৈদা মথোঙ থাং থরে, মীগী উমংগী মরুমদা চঙশিনখরে।

ফাইল য়েংবা লোইরগা কেস টেবল (case table), সেণ্ট্রাল টাওয়ারগী মথাদা অহাংবা ম'পোন্দা ঐগী মুংথিলগী অফিসগী মচেৎ অমা। টেবিল অসিদা ফমহুনা মুমিৎ খুদীংগী সন্ধ্যাদা কয়েদীগী টিকেটতা কেস ই। মথল য়াম্ব কেস। কনাগুম্বা মী অমগী কম্বল অথুপ্লা মফংদা হিদাকমনা অনীগা গুন্ন হাপ্পা কৌটা অমগা ফংলে; কনাগুম্বনা "খাটনি" হায়বদি মুমিৎ খুদীংগী ভোগদবা task (থবক) মপুং ফাদরে,—শগোলহরাই মন অমা তক্তুন' হল্লাই ওইহল্লু হায়-রগা সের ৩ ছটাক ১২ দা তক্লে; কনাগুম্বনা চাখুমদগী তিহ্লো অনিগা মোরোক অহুমগা লোল্লা লোৎতুনা পুরক্লে; অদু নত্রগা ইরুফি খুদৈগা শিমহুনা হাসপাতালগী মেট সাহেবতগী শঙ্গোম সের মথায় অমগা চিনি ছটাক অমগা লৌরক্লে।

অসিগুম্বা ময়াম অমম্মু' অসিদগী হেন্ন লুবা কেশগী তদন্ত তৌই. রিপোর্ট ই কয়েদীগী টিকেটকী লামায়দা, অমম্মুং মথংগী মুমিৎকী অয়ুক্তা খুদম পোৎশ' অদুগা লোয়ননা মুপারগী মমাঙদা মরাল লৈবা মীবু পুথোকই। অমুক হন্না মথোয়গী ব্রা তারগা মহাক্কা বিচার তৌই। কনাগুম্ববু অশাংবা য়োহ্লিং মথোঙদা হাপ্লবা হুকুম পী, কনাগুম্ববু হাতকড়া, কনাগুম্বনা খোরীগী ফি শেৎপা তায় নত্রগা সেলদা ফমহুনা আইনগী লোন্দা penal diet কৌবা চেঙ-কুপকী চক্কু চবোন চাবা তায়।

"ফেকু গোয়ালা"—অচৌবা জমাদারনা অশাংবা খোল্লেলনা কৌরে। "আমদানী" (জেলদা নৌনা চঙলকপা কয়েদীশিংগা)

য়েটনা নিপা অমা মথুং শমত্তুনা পুশিল্লক্লে। ঐগী টেবিলগী মনাথা হেক লেপ্লবা জমাদারনা অনীগুবা হুকুম লাউ থোংতুনা হায়রকই —সেলাম তৌ।

নিপাহুগী মমীং অনীত্তু জবাকুসুমগুম্না ভাংলে, পোমস্ত পোয়ে, ভস্তুনা মপি ভারিবত্তু ঐ উরম্মী।

—অসিদি করিনো? মমীত্তা করি তৌবে?

—শুত্ত মমীত্তা হাপচিল্লে, মতৈ করি ওইনি? — জমাদারনা জবাব পীরে।

- মমীত্তা শুত্ত হাপ্পা করিগীনো?

— নত্তে হুজুর।

— মমীং ভাঙবা করি মরমননো?

—মীং নারে - হায়ত্থন' মচীন থুক্তিন্দুনা নোকই।

থবক তৌমিন্নবা নিপা অনীনা সাক্ষী ওইনা হায়রকই, ফল্লাংদগী শুত্ত লৌথুন' মানা মমীত্তা নোইশিল্লে, মথোয় মমীংমক্তা উললি। হাসপাতালদা চংকনি হায়।

টিকেট মমায় ওস্থোক্লুনা য়েংবদা ঐনা উরম্মী, থা কয়ামুক্তী মমাঙদা সাবান মচেং অমা নত্রগ ক্ষড়ী চাইশিন্নুনা হতোল ফাই হন্দুনা মমিং তরামভানি হাসপাতালদা হিপতুনা লৈরম্মী। ঐনা থমকা তৌহুনা হায়রম্মী, নমীত্তা শুত্ত হাপচিনবা করিগীনো?

—গেন্তু সের তরানিথোই তকপা ভমদে।

- ভমদে। ওইনম্বিবরা?

টিকেটকী অহানবা লামায় হাংদোক্লুনা য়েংবদা ঐনা উরম্মী,

ডাক্তারনা নোট ইবম্মী —হেলথ—গুড, লেবার হার্ড। জেল কোডগী নিয়ম মতুং ইম্না অসিগুম্বা মীনা গম তকপসি নোংমদা সের তরানিথোইনি। মরম অদুনা রিপোর্ট তৌবা তারম্মী। অদুবু মমীত্তা শুম্লু হাপ্পত্থু করিমত্তা কংন্নদবা ওইরমদে। হৌজিক হৌজিক কীদি হাসপাতালদা মুমিং থমচং লৈবা ফংগনি। হন্নক্লগা বড়সাহেবকী মমাংদা হাজির তৌগদবনি।

পূন্নমক্কী মতুংদা পুশিল্লকপা অদু বয়স চহী ১৭ শুরবা নিপ মচা অমনি। মশাগী যেংলুরব্দি মমায়দগী মীংফম হোংদোকপদা মতম থরা চঙই। কুচুভোব। মরেপ ল্লাংবা অদুগা নিন্দা তৌফম য়াওদনা ফজবা মমায়গী মবমদগী নত্তে, মমায় অমগী লৈন্নি খুদীংদা, মরাইবক্তা মচীনবান্দ', মথদাংদা য়াম্না মরেক শেংবা অচৌবা বংশদা পেংকপগী ছাপা, জেলখানাদা অদুগুম্ব' ঊগনি হায়বা আশা তৌবা যাদবনি। মাসি কদায়দগী লাকপনো? খংনৈনদুনা নত্রগা মী হাংলুদুনা থীনা শোক পলহল্লকনা করি করিগুম্বা কালদা অচোম্ব ইমুংগী নিপা মচা অমী—মরি লাকই অদুবু মাসিগী মরাক্তি হুরানবনি। ধারা (Section) ৩৭০ দা থা তকক্কী জেল।

ঐ পূক্কী দা অতোপ্পা ল্লাংথল থল্লম্মী। ঐগী অঙকপা অদু কাৰখরে জমাদারনা ভংনদা— নম্বর অহানব হারামী (অতোনবা, লমচং ফত্তবা মী) নি। ফাইলদা কৈদৌভৈদম্নু লাক্কে।

ঐনা হংলম্মী, কৈদোরে? ফাইলদা লাক্তবা করিগীনো?
— ঐ তূমদুনা লৈবম্মী, স্যর।
ঐ মাগী ল্লাসি থাজদল্লে। অচুম্বা মরম তূম্বা নত্তে হায়না ঐ

খল্লম্মী। মী পুম্নমক্ক লোয়নন পরেং শানা লেপ্পগী ইকাইখত্ত থা-দোকপা ঙমদ্রি হায়না ঐনা খঙলম্মী।

—নঙগী নমীং করিনে ?

—পরিমল ঘোষ।

—মপাগী মমীং ?

—টিকিট অস্তদ' ইতুনা লৈ স্যর।

অযাকপা খোঞ্জেলনা হায়রম্মী, ঐ খঙই। অদু ওইরবস্থু নঙগী মচান্দগী তানীংই।

নিপা মচাহু মিনিট অমতং রাখল তৌবে, অদু মতুংদা হায়-রকই, বিজয় গোপাল ঘোষ।

করম্ব বিজয় গোপালনো অসিবে ? মিং অসিগী মী য়ামনা লৈবা উহ। মত্রগা মাসি ঐখোয়গী বিজয়গী মচানিপারা ? ঐনা জমাদারদ' হায়রম্মী মাসিনু অফিসদা পুত্তনা লাকউ।

অফিসদা লাক্কুনা ঐগা ধবক তৌমন্নবা মীশিংদগী ফংবা অচুম্বা রা অদুনা ঐনা চিংনরম্বহু ওচুম্বঃ ওইহল্লে। বিজয় কৌবা নিপাসি ঐগী মরূপনি অমসুং ঐগা লাইব্রিক তম্মিনরকপনি। এম, এ. গা লোগা পাস তৌরগা অনিপুব কোর্টতা চখোক চংশিন তৌরম্মী। অদুগী মতুংদা খঙহৌদন সরক রগা চাকরি তৌহুনা লৱাইদা চংখ্রে। অহুদগী ঐগা কায়নখরে। কনাগুম্বা য়াম্না চাউবা নিপা অমগী মচা নুপী পুহোংহুনা সৌরব মতুংদা মহাক খঙহৌদনা মাগী ইমুং মনুং ওইবা মী—মরূপা মপাংগা তিন্ন খোংনবা থাদোকখরে হায়না কনানো মী অমগী মচান্দগী তাখিবগুম তৌই। অচুম্বরা অরানবরা ঐ খঙদে

ঐসু মহাক সম্বন্ধ লৈননবা করিগুম্বা নুমিত্তা হোৎনখিদে। কাউবু কাউরুরে। অসুপ কুইখ্রবা মতুংদা মতো অসুম্না নীংশীংলক্কনি হায়বা কনানা খঙগনি ?

ঐনা কলেজ তম্লিঁভেগী গ্রূপ ফটো অমা ঐগী য়ুমদগী লৌরক্লুনা পরিমলগী মথুক্তা পীজনা ঐনা হায়রম্মী, য়েংউ মশক খঙবা য়াওব্রা ? মহাক খংগ্রেক খংলে, অসিদি করিনো ? ছবি অসি নহাক্না কদায়দগী ফংলুবনো ? ঐগী ইপা অসিগী মঙ্গংদা য়াওরি। ঐনা হায়রম্মী, নঙগী নপাগী মনাক্তা ফম্লিবা নিপাচু মশক খঙব্রা

—খঙদে।

– নীংখীন' মুম্না য়েংউ।

লৌশিং শিংবা নিপা মচানি। অমুক য়েংলগা হকাই হকাই নোক্লুনা হায়রকই নহাক্না ?

ঐনা হায়রম্মী, অসিদা উরিবা অসিগুম্না ঐখোয়গা কলেজ - হস্টেলদা চহী তরুক ঐখোয় অনী পুন্না মতম লেনমিন্নরম্মী। বিজয় ঐগী মরূপনি অমসুং লাংরিক তাম্মিন্নরকপনি। মপানগী সম্বন্ধদি আসনি। অদুগ মাংনা উবা ফংদব সম্বন্ধ অদুদি ঐখোয়দনা খঙই। নঙ বিজয়গী মচানিপা ওইরগোইবে ! ভাস মফম অসিদা -

মাভোন্দ। য়েংলুবদা ঐগী রা লোটখিদবে। ময়ানা মচীবান চৌক্লুনা তানকে তৌবা মপীজু থংগে হায়না মরায় মডা য়াওনা হোং-নবম্মী। অদুবু ঐগী মীত্তা অমুক্কং য়েংবদা মানা হোৎনরন্থ অরেম্বা ওংরে। মমীং অনী থুম্না মপি শিন্থরক্রে।

ইমুং মনুং ওইবা মা জেলদা লাক্লবদি, মাগা সম্বন্ধ থোক্লবা জেলগী থবক তৌবা মীনা রাফম অদু মথক্তা লৈপা মকোক ওইবা

মপুন্শিংদা খণ্ডহনগদবনি হায়বসি জেল কোডকী নিয়মনি। ইমুং মমুংগী মী অদুবু অতোপ্পা জেলদা থাম্বিনবা তৌবা তাবনি। পরিমল ঐগী ইমুং মমুংগী মী নত্তে, ঐগী নরুবা মরী হায়রগা খণ্ডনবা অদুস্তু নত্তে। অদুবু রাথল য়ামনা তৌরগা আইন অসিগী মতুং ইন্না থবক তৌরে। চৎলমদায়দা মহাক্কা হায়রকই, মাসিনা ফরে। ঐবু অতোপ্পা মফমদা থাবিয়ু হায়গে থল্লম্মী।

খণ্ডহৌদনা ঐবু ইনখরে। মাস্তু ঐবু থাদোক্নুনা চৎনীংলম্মে! ঐনা হায়রম্মী করিননো? নচনা চৎনীংলম্বা করি মরমননো?

পরিমল খুমদ্রে। মকোক লুকথনা রা ভাওদনা লেপতুনা লৈরে। ঐস্তু খুমহন্নবা তৌদ্রে। ঐনা অসিদংদা হায়রম্মী যেসা মফমদা লৈবা কান্দা ঐনা হায়বা রাসি মপুক্রীংদা থম্মু। জেলগী আইন-কানুন কায়দনা চৎনবা হোৎনৌ। কান্নদবা খুদোংচাদবা লাম্হোকপা ওমগনি।

থা মরি মতা হৌখরে। অদুগী মতুংদা নোংমা অথাবা লেফা-ফাদা হাপ্পা চিঠি অমা ফংলে। মখুং মশক খণ্ডবা মীনা ইরকপনি। অরোয়বা লামায়দা পুন্নমক্কী মখাদা মমীং ইরম্মী— লাইবক থীবা পরিমল। মানা ঐঙোন্দা চিঠি ইরক্কনি হায়বা, ঐ খনবা ওম্নমদে। মহাক ঐগা উনদনবা নাকোয়দা চৎপা পাম্লম্মী, অদুগা মাতুমকস্তু মানা তৌফম খোকপা স্বভাব (মশাগী ওইবা ভাব) নি। অদুবু সংসার অসিগী ঘটনা (থৌখোক) কয়া স্বভাবকী মতুং ইন্না থোকপগে?

চিঠি অদু ওসি ঐগী খুত্তা লৈতরে। ঐনা য়াম্না যতন তৌরবস্তু পোষ্ট বদলী (মফম অমদগী অতোপ্পা মফমদা হোংবা) তৌবগী ইল্হোক ইনশিন তৌবদা চিঠিং মাঙখরে। চিঠি লৈতরে। মাতুগী পরেং

খুদীংগী ম্রাইহে খুদীংমক ঐগী পুক্নীংদা মতম কুইন কাউদনা লৈরি। অদুবু মাহুবু মপান্দা পুথোক্লুনা মশক অমা পীবা ওম্বগী লাইগী শক্তি বিধাতামা ঐঙোন্দা পীরমদে। ফটোগ্রাফ হায়বসি শকা চপ চানবা মূর্তি নত্তবগুম, ঐনা ইকুনা পীরিবা চিঠি অসিস্থু পরিমলগী চিঠি নত্তে। মাহুগী অবয়ক (মশক মওঙ) অদুদি ম্রাওরে, অদুবু মাগী মথর্মায়গী মিহুন হুনবা অদুদি ম্রাওদরে। হুমিৎ কয়া য়ম্মা হৌখ্রবে। অদুবু মাঙখ্রবা চিঠিগী মশক থুপচিনখ্রবা ময়েক্কী মবুক মনুংদগী মহাক্কী খোঞ্জেল তাবা ফংই।

ক্যাকা বাবু (খুড়া ইবুংঙো),

নহাকনা তাকপীবা ইকোন কোনবা পাউতাক অদু অম্বপ কুইবসি একার ওকার কায়দনা ঙাক্লুনা লৈজরক্লে। অদুবু ঐ অমুক ঙমদরে। জেল অসিদা লাকপা মতুংদগী চিঠি অসিনা আইন -থুংায়-বগী ঐগী অহানবা মরালনি। ঐনা মরাল অসি তৌবা কর মরম্মনো, অফোংবা লম্বীদা চওহনা, অরোনব লম্বীগী আশ্রয় লৌবা করি-গীনে। হায়বা, চিঠি অসি লোইবা ফাওবা পারগা খঙবিগনি।

ঐগী চিঠিসি পারগা নহাক শাউবিগদ্রা ঐ থঙদে, শোয়দনদি ঙকপিগনি। মনাক্তগী চেন্নীংবনা লোংমা ঐ তপপবা লৈরমদবা অহু-গুম্মা মী অদুগী মফমদা ঐগী শাংখ্রবা ম্রাবী অসি তাহনগে হায়না ঐ কৈদৌঙৈ ম্রাথন থনরা ঙমখিংগে? অদুদি ওইরগা কমদৌনি? ঐনা কুংশিবা মীবু ফুবা হায়বসি ঐগী ধরাইবক্ত, তম্বা ওইরমালে মরম অদুনা চেপ্লক্লুনা লাক্লবস্থু ঐ লৈবা ঙমদরে। ঐগী থুক্তগী হৌজিকস্থু নহাক অম্রাবা ফংগদবা য়ামনা লৈরি। ঐ হৌজিকস্থু হায়দরি, মতৌ করম তৌদুনা করম্বা থুদোং থীবা ফত্তবা হুমিত্তা নরক্কী লম্বী অসিদা ঐনা খোঙদারকপনো, মতৌ করম তৌনা অম্বপ থীজা পুন্থাও মাওবা

ওইগনিবনো, অহুপ চাউবা ইপাগী অকনবা আদর্শ (ideal) না ঐবু কনবা ওমদবনো।

ঐ রাসি থওই, রারী অসি তাবা মীনা তুককচনা মমায় ওন্দুনা চংখিগনি। ঐসি ক্রিমিনাল (criminal) অমনি। সংসার অসিদা ঐগী দমক দয়া (চানবিবা) লৈতে, ক্ষমা (ঙাকপিবা) লৈতে, কনানসু মপুঙ্গাইংদা ঐগী দমক খজিক্কংদা ওইরবসু খনবিবা লৈতে। অদু ওইরবসু নহাকপুদি মী অতৈ পুম্নমক্কা চপ মান্নবা মীংয়েংনা য়েংবা ওমদে। মফম অসিদা ফমদুনা ঐ নহাক্কী নবুক মতুং অদু উবা ফংই। লাইবক খীবা ঐগী দমক মফম অ.দা পুনশিন্দুনা লৈবা পোৎ অদু, ঐবু পোকপিবা ইপা নত্তনা, অতোপ্পা মীগী মফমদগী ফংখিদরি। মরম অদুনা চিঠি অসি ইগে ফমবদা ঙসি ঐগী চীন অসিদগী মপানা মরক্কাই থোরক্লে—কাকাবাবু! নহাকপু কাকাবাবু হায়না কৌদুনা ঐনা ইশাগী চাউথোকপা অহংকার উংকনি হায়বা মীকুপ অমগী মমাঙদা ঐ খনবা ওম্মদে।

ঐগী ইশাগী রা হায়বা তারবদি, ঐগী বাবাগী রা হান্না হায়রা তায়। নহাল রাদু নহাক্কী ফমদা হায়গে তৌববু হায়বা ওমখিদরে। ঐগী ইপা লৈতরে। থা নিপাল্লোম ওইরে, মিহাক ঐখোয়বু থাদোক্কুনা চংখরে। মহাক্কা মতম চাদনা শিখিবসি ঐগী খঙোয় কায়নবগী অচৌবা মরম ওইরবসু, নোংমা মাত্তু, ওইবা য়ায়, থাঙবা ঙম্মকনি। অদু ওইরবসু অকিবা মশক ওইবা থাঙমদবা অন্নাবা ফত্তবা দশা চৈথাংবা ফংদুনা, মহাক্কা থোইদিং অমমম শিবগী মাইকৈদা চঙশিল্লম্মী —মাদু ঐ অসি অম্নুপ চাউবা পাপী অমা ওইরবসু মীৎনা কুপ্পা অমতং কাউবা ঙমদে। মাহুগী রাদু কনাগুম্বা মী অমগী মফমদা হাল্লনবা উপায় লৈতে। মাহুগা লোয়নননা ঐগী ইমাগী রা য়েংশিন্দুনা

লৈ—অসিগুম্বা ৱানি, মাহু চীন্দা উচ্চারণ (ভাঙগোকপা) তৌবা মচাগী মকমদদি অপরাধনি। মাহু ঐগী পূক মমুংদা অহুম লৈরে। ঐনা হিংহুনা লৈরিবা মথৈ অহুগুম্বা পোৎলূম অহু ঐ হুথস্তনা পুক্নু চৎকদবনি।

অহুগুম্বা অকিবগী মশক ওইবা মুমিৎ অহু ভসিম্মু ঐগী মীৎ ময়াদা পাইহুনা লৈরি। বাবা হাওড়াদা বদলি তৌহুনা লাক্লে। শিবপুরদা য়ুম অমদা ঐথোয় লৈরম্মী। মুমিৎ খরগী মমাংদগী মহাক (বাবা) 'ব্লাড—প্রেসার' না নারম্মী। খাণ্ডবা ৱাবা য়ুম পানবগী অশান্তিনা মহাক্কী মশাদা হুগী থবক তৌরম্মী। মরক মরক্তা মহাক্কী অনাবা অম্মুপ কল্লম্মী, মুমিৎ মঙা—তরেৎনি লৌশাংশিংনা অরেপ্পা নাইদনা মকোক হাইগৎপা ওল্লমদে। ছুটি লৌরবদি য়ুম পানবা য়ারমদে। অসিগুম্বা অবস্থা অসিদা মহাক থবক তৌবা ঙারম্মী। মাহুগী মুমিৎ অহুম্মু কোর্ট কানবা থৌরাং তৌরম্মী। ইমানা লাক্লুনা হায়রম্মী, লুপাগী ৱাহু করুম তৌরে? ভসিদগী মুমিৎ হুমনিদা মঙায়রে। পোৎ অহু থরা মুম্না য়েংহুনা লৈবা তাই।

বাবানা থোডউপ মরী পুন্না পুন্না হায়রম্মী, অহুপ য়াম্বা লূপা থিবা ফংদ্রে, পুবম্মু ফংদে কনাদগীম্মু।

ইমানা ভক্লহুনা হায়রম্মী, অহুপ য়াম্বা লূপা হায়ববু করিনো? য়ামদ্রবদা লূপা চামঙা নত্রবদি হাইফেৎ চৎনবা য়াবা মণিরত্ন হৎপা নেকলেস ফংবা য়াগত্রা?

ভাইহক্তং লেপ্লগা অমুক হায়রকই, মঙা শুবম্মু নত্তে, তরেৎ শুবম্মু নত্তে। ঐগী ইমাগী গর্ভদগী তাম্মিম্নবা ইনাওম্নুপী অসিমতনি। মানা পোকচবা মচাম্নুপী অহনগী লুহোংবনি, চত্তনা তোক্লুনা

লয়থোকপা য়াবা নত্তে। অহ্ নঙগী নথূত্তা তাররে হায়হুনা করিমতা পুদনা চংলুগত্রা ?

বাবানা টুপি লৌহুনা অতপ্পা অয়িংবা খোঙ্জেলনা হায়রকই, উপায় অমতা লৈত্রে। হৌজিক হৌজিক্কীদি ইমুং মনুংগী থরচদগী লূপা চামরোমদং লৌথোক্কুনা যেসা —

"লূপা চাম !" ঐগী ইমা য়াম্না শাউরক্লে। "রা অহ্ ভাং-বদা অপনবা লৈতব্রা ? নঙগীদি মান-ইজ্জতকী অকায়বা লৈতে, অহ্দি ওইরগা লূপা চামগী পোৎ অমা পুহুনা চংলগা ঐগী বাবাগী মায় কদাযদা থমগনি খন্দুনা য়েংলব্রা ?"

ঐ থংনবা কাদা স্কুল চৎকে হায়হুনা লাইরিক মক্‌ম মক্‌ম চানা লোইশিল্লম্মী। বাবানা ঐবু উবদা অরাম্বা খোঙ্জেলনা হায়রকই, খোকা (নিপামচা) নঙ মথাদা কুমথখ্রো। মঙাক্কী মমীৎ উবদা ঐ ঙকলম্মী। ঐগী ইপাগী ওইরিবা শককুম অসি-রুবিনো ? খুদক অহুমক্তদা মঙাক কমুংদা হীপথবা দরকাররনি হায়বা ঐ খঙলে। অহুদি ওইরগা মহাক্না হায়বা রা ইন্দবা থকু তৌদ্রি অহুনা রা অমতা ভাঙদনা লাইরিক বই লৌহুনা মথাদা কুমথরম্মী। ঐগী তুংদা বাবাস্তু কুমথবা হৌরক্লে। ইমাগী খোঙ্জেল তা'রম্মী, লূপাগী বন্দোবস্ত তৌরমদনা চংলবরা ?

বাবানা অনেম্বা খোঙ্জেলনা করিনো রা অমা হায়রকই। ইমানা শাউনা খুম্বা রাহ্ ঐ ১খাদগী তারে। শাউরবদি ইমাগী জ্ঞান লৈতে, করি হায়রিবনো অমদি কনাদা হায়রিবনো। ইমান হায়বা রা শূন্য-মক ঐ তাবা ফংদরে, অতাবা খরা অহুম্ব ভাঙথোকপা য়াব নত্রে। ঐ খোঙজাও ফাওবা চৎলম্মী। খুঙহৌদনা সিঁড়িদা শব্দ অমা তাহুনা ঐ চেনশিল্লক্লে। বাবা তুহুনা লৈবা উরে। লাইবক্কী মচী অমদা

লোয়্তুনা ঈ খরা থোক্লে। জ্ঞান লৈতরে। চাপরাশী, চাকথোংবা বামোন মীনায়শিংনা থাংহুনা মথক্তা ব্রানা পুখৎখরে। ঐ ডাক্তার কৌবা চেল্লে। পূং অনীরোম হোৎনরবা মতুংদা বাবা জ্ঞান তারক্লে। অহুবু হকচাংগী ওইথংবা শক্তকমথৈ লেংগুৎপা য়াদ্রে। মীকুপ অমগী মতুংদা ঐখোয়গী কয়া চাউবা পুম্নাভ মাডবা ওইরবগে হায়বা ঐ খুডলমদে। বাবা মতম কুইনগী ফমু'দ হিপথরে।

থা খুদীংগী অহানবা তারিখতা বাবানা মহাক্কী তলব অহু টমাগী মথুক্তা পীরম্মী। অহু ওইরবম্ম মাহুন ঐখোয়গী ইমুংগী মুম্মিং ১৪\১৫ নিগী খরচ কোয়ৈ। থা লোইবা ফাওবহু করম্না লেনবগে হায়বা নহাকনা ভাবনা শাহুনা য়েংবিয়ু। শেল খরদ তুংশিন্দুনা লৈরম্বা অহুম্মু অসিগী মমাডদনা লোইথোকখ্রবনি। লাইয়েংবগী থোরাড তৌবা ডমদ্রে। বাবা অহানবদা মুম্মিং খরদ'গী ছুটী ফংলে। অহুগী মতুংদা মমীংতা ওইনা পেনশন পীহুনা সরকারনা মাঙোন্দা ছুটি পুমপী পীরে। চানবা চিঙ্গাক থিন্নদা মতম অহুদা মহাক করি করিনো থবক তৌবা তাখি। করিগুম্বা কালদ খবর কাগজগী য়ারী; করিগুম্বা আইন কালদা লাইব্রিকী নোট ইবা। ফমু দা হিপ্‌না ইবা ডম্মদে। বাবানা ডিকটেট তৌরম্মী, ঐনা স্কুল ছুটি ওইরবা মতুংদা মুম্মিং খুদিংগী পুং অনী বাবাগী দমক ইরম্মী। অহুগী মতুংদা প্রেসদা চৎলম্মী। মাহুদগী ফংলকপ শেল অহু থজিক্তনি, য়ামখিদবে।

মাহু ওম্হোকপা পুন্সোনি। মহাদেবনা হু থক্তুনা (১) নীলকণ্ঠ

---

(১) লাই—হিংচাবনা সমুদ্র মন্থন (সমুদ্র নৈবা) তৌবা মতমদা থোরকপা হু মহাদেবন থকচিন্দুনা থোরি চরমদা থমখি। থোরি চরমহু নীম মচু মানখ্রহুনা মহাদেবগী অত্তোম্বা মমীং অমা নীলকণ্ঠ (নীম মচু মানবা থোরী) কৌখ্রে।

(খৌবী নীম মচু) ওইখরে হায়রবা য়ারী তাখি। লাইশিংগী লাইবু মীৎনা উবা ফংদে। ঐদি ঐগী বাবাবু উই। মহাদেৱদগীসু হেন্না তপাই ; পুন্নমক থাগুবা পৃথিবীদগী হেন্না থাগুবা কল্লি। অসুপ য়াম্বা হু, অসুপ য়াম্বা মীনা হকাইবা পীবা, চৈ থাংবিবা অমুগা অপমান (থোওই —উশিত্তবা) পীবা। মাহুগী পাউখুমদা কৈদৌউদসু মহাক্না মচান্দগী য়া অমতা থোরকপা ঐ তাখিদ্রি। ঐ লেংদনা তপ্পা লৈবা ওম্লমদে। বাবানা ঐগী পুক্নীং থগুলম্মী। মনাক্তা কৌশিল্লগা ঐগী হকচাঙদা মথৃংনা নান্দুনা বাবানা হায়রম্মী, খোকা (নিপানচা), পৃথিবীদা য়াইদগী হেন্না চাউবা মহৈ তম্বা হায়বসি, থাগুবা তথনি। য়া অসি কৈদৌউদসু কাউগনু।

বাবানা মতম পুন্নমক নাহুনা লৈবা মতম অসিদা ঐ অসি মহাক্না অমতা ওইবা সঙ্গী (লোয়নবা তিন্নবা মী) নি। মরক মরক্তা মমাংহৈদা খরক কৌমিন্নরম্বা মী অমা—অনী উনবা লাক্লম্মী। মী য়াইনা হায়নবা থেমজিনবা য়াঙাও (consolation) তৌরমহুনা চংবি। মাহুগী অমতনা বাবাবু শোকপা ওম্লমদে। মতম কুইনা হৌখ্রবা ছাত্র—পুন্নাগী মরূপ অমতং মহাক্না মপূক মহুংদা শিন্থুংনা লৈরম্মী। খুমিং কয়ানিমুক মথল কয়া য়াম্না মহাক্না য়া ঐঙোন্দা তাহল্লম্মী। নোংমা মতৌ অসুন তৌনা মহাকপু উগনি হায়বা ঐ মতম অমুদা করম্না থগুগনি ? উবাদি ফংদে, অমুদি ওইরগা মতম চানা উবা ফংখিদবা করিনণো ? ফংলম্লবদি বাবা মতৌ অসুম মাগুলম্লোইদবনি ; অমুগা ঐসু ঙসি লৈখোম অাসগী মহুংদা ফং ফং ওন্দুনা অয়াবা থাগুলম্লোই।

মতম অসিদা ঐখোয়গী য়ুমদা অনৌবা মী অমা চঙলক্লে।

ইমাগী য়াম্ন' লাপ্নবা সম্বন্ধগী মবুং। ঐখোয়গী মামা মনীশনি। ইমানা য়ুম পান্ত্রিভৈদা, ইবুধোনা মহাক্কী মরী থোক্নবা নিপা অসি নোংমা মহাক্কী মম্নাইমুপীশিংগা য়া ভাগুনবা থিংলম্মী হায়না তায়। অসুপ কুইখ্রবা মতুংদা দোষ য়াওদবা চপ চাবা সাহেবকী ফীজেৎ শেংপা ভদ্রলোক অসি মহাক্কী লৈবা কুটদ্রিবা টু—সীট র (মী অনীদা তোংবা য়াবা) অষ্টিন কৌবা কার তোংনা লাকনীংবা মতমদা ঐখোয়গী য়ুমদা লান্দারক্নুনা য়াম্না নকশিন্নবা মনুংগী মী ওইরে। অতুগী মতুংদা নোংমা মানা মরম ওইদুনা ঐগী জীবনগী খ্বাইদগী হেন্না চাউবা মথক মথা ওনবা অমাঙবা মশক উংপে। য়া অহু হায়রগা চিঠি অসি লোইশিনজরগে।

মতম অতুদা ঐ মেট্রিক পরীক্ষা থাগদোরম্মী। স্কুলদা ঐ অফবা অভাঙ অমা ওন্তরম্মী। এ মকোক ওইব মী তরাগী মন্'দা য়াওবা বাবানা য়াম্না কন্না পাশ্বনি। মহাক্না অন্নাবা ফ গনি থন্দুনা ঐ লাইব্রিক ঔরাইবদা হেলা তোরমদে' মাতুগী মুমিৎ অদুসু ঐ ঐগী কাদা ফমদুনা জিওমিত্রি চীন্দা মুথন্থ লাইরিক উমশিন্দুনা চান্দ পুবা) তোরম্মী। অহীং পুং ভরামাথোক্ট য়োম ভাবা কাপ। থ'নব' কাদা বাবা হিপলম্মী। বাবাগী হকচাঙ মুমিং কয়ানিমুক্কী মমাঙদগী ফং-লনদে। গোবিন্দনা মহাক্কী থোঙ নোক্তরম্মী। থায়না মমাংদগী লৈরক্লবা ঐখোয়গী অরীবা চাকর অসি মতম অদুদসু ঐখোয়বু থাদোক্নুন চংখিদরি। চাক থোংবদগী হৌদুনা বাবাবু য়েংবা—খোংপা পূম্নমক মানা তোরম্মী। য়ুম মনাক্না মোটর খাম্বগী মহৌশা ঐখোয়ন খঙবা শব্দ (মখোল) অতু তাবা ফংলম্মী। গোবিন্দ থোঙ হাংদোকপা হৌগংখরে। অতুগী মতুংদা মনীশ মামা

মথক্কা কাবা উরম্মী। মাঙোন লাম্থোক্তুনা বাবাগী কাদা চঙখরে অমম্তুং চেকশিন্না চেয়ার অমদা ফমদুনা হায়রকই, বিজয় বাবু, তূন-বিরবরা ? বাবা তূম্নমাগ্নে। খরদং খংদুনা হায়রকই, কনানো ?

—ঐ মনীশনি।

—ও, করিনো হায়রিয়ু।

মাগানা লোক থুদুনা হায়রকই, ঐনা হায়রম্মী, সুরমাগী মশা অসি ফনা নৈবা নত্তরে। কদায়দনো মকম অমদা চেঞ্জ—টেঞ্জ (অতোপ্পা মকমদা চত্তুনা নৈবা) তৌবা দরকাররনি।

বাবানা তপ্না হায়রকই, নারবরা ?

—না, অতুপ কন্না নাবা নত্তে। ইমুং মনুং অসিগী তৌরিবা মওঙ অসি মা খাঙব ঙমদবে।

—অতুদি ওইবগা চেঞ্জগী দমক থানবা লুপা ঐগী লেতে।

- লুপাগী দমক নহাক্না থনবিদবা য়াগনি। মাহ্ন ঐনা পু-থোক্কনি। সুবমানা পাম্বদি পরিমলস্তু মাগা লোয়ননা চৎপনি। মাগী পরীক্ষা হেক লোইবগা য়ুমদগী চথোকপা পাম্মী। থৌজক্কী য়ুম অমতং থিব তাই

বাবানা তুমিন্না ভাইগক্কং নৈরগা হায়রকই, নখোয় অংগাইনা চৎখিবা ঙমগনি। পরিমলদি চৎলোই।

– মানা চৎলোইদব করি মরমনো ? ঐ খঙবা য়াগদ্রা ?

ইমানা য়া অসি হংলম্মী। মহাক করম্বা মতমদা লাক্কুনা থোঙদা লেপ্লবনো ঐ উহোদ্রে। বাবাস্তু মা লাকই হায়ব উদমাপে। মাগী মাইকৈদা অম্মুক্কং য়েংলগা বাবানা হায়রকই,—মাহ্ন নৈনদুনা লাভ (ও.জব) কৌরিখ্রে নৈলতে। মাবু ঐ চৎহনবা ঙম্মোই।

ইমা খুত্থৌদনা কিংগৎলক্লে, পুং কুনথরি অনাবগী সেবা তৌহনা মাগী করম্বা অবস্থ ওক্লবগে হায়বা নঙ উরববা ? ঐনা উনা উনা নঙনা ঐগী ইচানিপাসিবু হাংপা পামজ্রা ?

বাবানা তপ্না তপ্না হায়রকই, মনীশ বাবু ঐবু মাপ তৌবিয়ু, অহীং য়াম্না থেঙলমালে। ঐ তুম্লাগে।

মনীশনা ব্রা ভাঙত্রিঙৈদা ইমানা লাউথোংহনা হায়রকই, (১) ভড়ং পূম্নমক অহু খম্লো। ঐগী ইচা নিপা অসি ঐনা পুনিংবা মফমদা পুহনা চংকনি। নঙনা মতৌ করম্না থিংবগে য়েংগে।

মনীশ বাবুনা হায়রকই, ঐনা নীংবদি, নহাক লাম্না অঙম তান্দুনা ভমগে হোৎনরি, বিজয় বাবু। নিপামচাসি হুমিৎ খঙদং কোইবা হৎচসল্ল হায়বদা নহাক্ক আপত্তি তৌ (য়েৎপ) গী করি মরম লৈ ?

বাবানা মিনিট খবন তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, ঐগী নুপী - ইচাবু চেঞ্জদা থানবা শক্তি লৈরবদি শোযদনা থারমগনি। অদু লৈত্রবদি মী অতৈগী কৃপা ভিক্ষা তৌবা পামদে। অতবু ঐনা কন্না থাম্বা ভমদব মফমদা খিংগে লোৎনববনি ঐ মীগী মীচৈ ফগনি। অমন ঐনা য়ারিত্রবসি পরিমলগী মবননি হায়বসি ঐনা খঙহল্লিরনি।

মামা সিগারেট চমখৎলে ইমাগী অথাবা খোঙ্জেল ঐ তারম্মী; মী অতৈগী কৃপা ! য়াদি হায়বদা নঙ কাদৌ ইক ইদমালে। কৃপা অসি ফংত্রবদি নঙগী নতূ—নগা কদায়দা লৈবনগনি ? নঙনা খঙ-লম্বা য়াই নীংহ, নঙগী পেনশনগী লুপা থরা অসিগা নোট—ফোট ইহনা ভিক্ষা ফংবা শেল থরা অহুগন ইমুং অসি পাল্লিবনি নত্রা ?

(১) মনাংঙৈদা লালগী মতমদ শিজিন্নরবা পুং অমা।

কুপা তৌবিগে হায়বিনা নিপা অসিনা ভসিদা নৌনা তৌবিগে হায়বা নত্তে, মমাংভৈদগী হৌনা তৌতুনা লাক্লিবনি। অদু নত্রবদি ভ স ঐখোয় পুম্নমক লপীদা লেপ্লা তাবনি।

মামা মনীশনা হায়রকই, আহ। করিনো নভনা ভাভলিবদো মুবমা! কপা হায়বব্ব করিনো! মাসি ঋগী 'তৌফম থোকপা থবক্লি। নভ অহাং মানখরে। শাউরগা—

বাবাগী গম্ভীর ওইনা খোঞ্জেল অদুনা মহাক্কী (মনীশগী) নাতোন্দা ভংতুনা ভাংবা মুব অদু থুমহৎখবে,— কদাই; অসিগুম্বা ব্রা অসিদি ঐ থভলহন্দনা। ঐ অসি য়ামনা লায়রবে অমসুং থবুক তৌবা ভমদবে হায়বা ঐ খভই। অদুবু মী অতৈনা দযা তৌবিতুনা ঐ হিংতুনা লৈরি. ঐনা পোকচবা ইচা নিপ অসিমতং লৈবসি মথুং য়াওনা মীনা পীজবা চাক চাবি হায়বা ব্রাসিদি ঐ ব্রাখলদা থনবা ভমদে।

মগাক্কী অবোয়দ ব্রাশিং অদু ঐনা তাবদা অমুপ য়াম্না করুণ (অব্রাবা) ওইখরে, ঐগী মীওগী পি তাখরে। নত্তে বাবা, হৌজিক ফাওবা ঐখোয় মীগী মফমদা খুং তিংথোকত্রি হায়না ইমুং মমুংদা চেনখিন্দুনা হাযগে নীংলম্মী। ইমানা হায়রিবা ব্রা পুম্নমক মীনম্বা ব্রা ভাক্কুলি। অদুবু ঐ চভশিন্নমদে। মরমদি বাবানা শাউগনি হায়রা ঐ খভত। মতম থবদং ব্র ভাংবা লেপ্রগা বাবানা হান্নগুম্না তপ্না তপ্না হায়রকই, থোকখ্রবা খৌদোক অদুদি হঞ্জিনব য়াররোই। অদুনা চুমদবা থবক অসি লোইরে হৌজিক। হয়েং অয়ুক্কগী বন্দোবস্ত পুম্নমক তোংদোক্লগনি।

বাবাগী ওই থংবা খুং থাঙ্গৎপা লেভ-ওৎপা য়াদ্রবনি। য়েং

খংবা খূং লাইবক্কা থাজংত্তুনা বাবান হায়রকই, মনীশ বাবু ঐগী অমম্লুং ঐগী পরিবার (ইমুং মচুং) গী দমক নহাক্কা তৌবিখিবা অত্তুগী দমক ঐনা ধন্যবাদ (thanks) তৌজরি। অত্তুদি ওইরগা অমুক হন্না তৌবিরগনু। নহাক্কা কৃপা তৌবিত্তুনা দান তৌবিবা অত্তু-দগী ঐবু মুক্তি পীবিয়ু (দান অমুক তৌবিরগনু)।

বাবাবু ঐ য়াম্না নীংথীনা খঙই। চয়েংদগী বন্দোবস্ত অমা তৌগনি হায়রিবা অত্তু য়াম্না কাঠোর (অকনবা) ওইরবস্নু মাত্তু হোংদোক হোংজিনতৌবা য়ারোই হায়বা ঐনা খঙবা নৈ। মহাক্কী চান-থক্রুবগী মরমদা শিল্লাংবা লৈরিব অত্তুদগী থাক অমতং হাইথরবদি মাত্তু চরাহেনবা হায়বত্তু ওইরগনি। অত্তুবু মাত্তুগী লম্বীত্তু মহাক চৎকদৌরে হায়বগী মরমদা চিংনবা লৈরমদে। মাত্তুদি আত্ম-হত্যা (suiside –মশানা মশাবু হাৎচব) নি। অসিগুম্বা অকিনগী মশক ওইবা অরোযবা মওঙ ওইরকপা অসিদগী মহাকপু কন্নবা উপায় লৈত্রবরা ? ঐ অসি মগাক্কী অমতা ভায়বা মচা নিপানি, অমতা ওইবা বংশধর (শাগৈ মুত্তনবা ভাকপা) নি। ঐ অসি বয়স নহা ওইরি. থবক তৌবা ভমদ্রি হায়দুনা বা ভাওদনা য়েংত্তুনা লৈবা মী ওইগদ্রা ? নারবদা করিমত্তা লৈজদ্রবা ইপাগী মচীন্দ' চাক চথোম অমতং থাঙ্গৎত্তুনা পীজনবা ঐগী শক্তি ফাওবা লৈত্তরবরা ? অসে, ঐগী বয়সকী নিপামচা কয়া লম্বীদা হিদেন্দা মৃথল কয়া য়াম্বা থবক তৌত্তুনা চারি। ঐ অসি মীনা ইকাই খুম্নবা অচৌবা ইমুংদা পোক-পনি হয়েংত্তুনা অত্তুগুম্বা থবক শুবা ভম্রোইদর' ?।

থেংথ্রবা অহীং ফাওবা মথল মথা য়াম্বা অঙকপা রাথল ভাক্কা খল্লম্মী। অত্তুগী মতুংদ করম্বা কালদা ঐ তুমখ্রবনো ঐ খঙদরে।

খঙহৌদনা হৌগত্তুনা য়েংলম্মী, পূং মডা তাথরে। বোইদগী চেনা অমা শেঙ্ভোক্লুনা নৈনা ইরয়ে, বাবা, ঐ রাখল তৌহনা য়েংলে, ইমুং মনুংগী আয় (শেলতং) হেনগৎহন্নবা ঐস্তু শেল তানব চুম্মী। মাহু হোংমগে হু য়ত্তুংঐ চৎলে ; ঐগী দমক অরাব রাখল খনবিগন্তু। ঐগী থবক মহৈ য়ান্দুনা হন্নকপা ভম্নন আশীর্ব্বাদ (মঙ্গোল ওইনব রাডাঙ) তৌরিয়্।

বাবাগী কাদা চঙবা লম্মদে। মহাক মীকপ থোক্লকপা য়ায় নত্রগা মহাকী মমায উরগা ঐনা তৌগে নীংলীবা ইচ্ছা অত্ত কায-থিবা য়ায়। মতুদা নৈগী ল্যাইবিক ঐরাইনবা টেবিল অত্তদা চিঠি অত্ত নমশিন্দুনা থনম্লগা মমদগী থোকক্রে।

অসিগী মতুংদা ঐগী অপোনা পুন্সী হৌখিবা অত্তু ইবা তারবদি চিঠি অাস অমুক লোইশরোই। মাত্তু তৌজররোই। য়ুমদগী লোরক্লগা পৃথিবীগী অনৌবা শকথম অমা উরে। নরক কৌবা অহোপ্পা লৈপাক অমা লৈতে॥ সংসার অসিগী পাক চাউথ্রবা নবক্রিগী॥ মীওইবা হায়নসি কযাদা তোল্লি, কয়াদা হৃদি কল্লি, কযাদা খুংশিনা খঙদে। দয়া (চানশিবা) লৈতে, খুংশি-খুং ওন লৈতে, মীনা রাবদা রামিল্লবা, খুংদাইবদা নুংঙাইমিল্লবা (Sympathy) বিন্দু অমা ফাওন লৈতে। পুক্নোংদা চিংনবা, মীবু ওৎপা অক্তগা নমথাক তৌনতা লৈ। ভিক্ষা তৌবম্লবদি লায়না ফংলম্বা য়াই। ঐভোন্দা থবক অমতং পীয়ু ঐ থবক শুত্তুনা চাগে হায়রুবা মী পুম্নমক্কী মমীত্তা খাজ্জদব উবা ফংলম্মী, কনাগুম্বনা মখোল থোক্কনা, কনাগুম্বনা মখোল থোক্লা মঙ পীরম্মী; নিপা মচাসিগী মতলব (তৌগে নীংবা) অমা লৈ।

নুমিৎ নীনী কলগী ঈশিংদা থক্কুনা লেল্লে। য়ামনা কোয়না

চংত্তুনা, য়ামথ্রবা মীগী থোংজিন্দা কোক্লা থেংহুনা দোকান অমদা থাতা ইবগী থবক অম ফংলে। চাবা থাক্লগা তপব লুপা তরামন্ডা। খুংনা স্বর্গ লাম্বা ফংলে। থা মমা ফাবদা অহানবা তসব অহু বাবাদা মনি অর্ডার কৌহুনা বাবাদা থাখ্রে। লুপা অসিনা হৈ হৈহুনা চাবিয়ু হায়না ইহুনা পিখ্রে। ঐগী দমক ব্লাখিবা তৌবিগনু। ঐ নীংথৌনা লৈরি। খুদোং চাবা ফংবদা লাকুনা ঐ বাবাবু য়েংলগনি।

হুমিং থরগী মতুংদা দোকান্দারগী উপুদগী লুপা ৫০ হুথরে। ঐবু দোকান্দারনা মপুক্লীংদা চিংনরে। ঐবু থাজবা লৈত্রবা অহুদা ঐ মফম অহুদা লৈবা য়াদ্রে। থবক থাদোকুনা থোরক্লে। চাগী দোকানদা বয় (মীনায় নিপামচা) গী থবক অম ফংলে। টেবিল টেবিল খুদীংদা চানবা পোৎ পীবা। হুমিং থরা হৌথরে। নোংমা প্লেট অমা চামথোকে তৌবদা খুত্তগী তাখিহুনা কায়রে। জথীবা রাহৈনা ঐগী ইপা পন্দুনা চৈরে। লম্বীদা অমুক থোরক্লে। মফম অহুদগী মোটরখানাদা। মাহুগী চাকবী অহু কুইনা তুংগোয়দরে। য়ু ডাওবা মিস্ত্রি অহুপা ফমুং অমতদা ক্লিয়া তারম্মী। মহাক্কী তুকচবা সঙ্গ অহু থাঙবা ভমদরে। অসিগী মতুংদা য়ু য়োনবা দেশী দোকান অমদা থবক ফংলে। থবক্তি য়ু য়োনবনি। তলব লুপা ৩০ নি। মতম থরদং নীংথৌনা লেল্লে।

মথল কয়া য়ামনা, কয়ারক লৈথোমগা শোক্লরে। অহুবু লৈথোম অহু ঐগী হকচাঙদা পকহন্দে। লুপা খরদং ঐগী খুত্তা লৈরগা বাবাগী মনাক্তা চংকে হায়না ঐনা কম্না নীংবনি। কনাগুম্বগী পরামর্শ (তানবা রা) না, কনাগুম্বগী করিগুম্বা প্রলোভন (পামহনব) না ঐবু ঐগী অনীংবদগী লেংহনবা ঙম্নমদে। মতুংদা য়ুগী দোকান অসিগী মাঙ্গোন্দা নোংমা নিপা অমা উনরে, মহাক্কী মফমদা ঐ ইশাবু

কাজিন্দুন থম্বা ভমজে। মাগী মমীত্তা, মাগী মা ভাওদা, মাগী মথুংদা শোকপদা করম্বা যাদু (enchantment) লৈরম্বনো খণ্ডদে। ঈশিংদা নাপী তাউবগুম মাগী ইচ্ছাগী ঈচেলদা ঐ তাউহুন চংলে।

দোকান থিংলবা মতুংদা মাঙোন্দা লেপ্লে অমদা ঐ ভুমিন্না ফমলম্মী। মহাক লাক্কুনা ঐগী ওনাক্তা ফমরে। মতম কুইনা তিন্না-রক্কবা মরক্তকুম্না ঐগী থুং গায়দনা হায়রকই; নঙ মফম অসিগী যুং চানদে, ভাই। নঙ লম্বী অসিদা করম্না লাকপনো?

কুইখ্রব মতমগী মতুংদা মীগী খাঙ্জেলদা মু শি-মুংওনগী ইঙ্গিত ফংলে। মহাক ঐহোন্দগী চহী মরি মতা হল্লম্বা য়াম্। অদুদি ওই-রগা ঐ অসি মহাক্কী মনাক্তা অপাকপ অতোপ অমা ওইনা থল্লে। অফবা হোটেল অমদা পুথনা মানা ঐ পাজ-পাথক্লে। অদুগী মতুংদা চাকামদা কোয়না পুবে। মুমিং লোনা, নীনী, হুমান। অদু মতুংদা উপ্রাওমুম চাকমা সন্ধ্যাগী মতমদা গঙ্গাগী হিরেন্দা ফমদুনা ঐগী জীবনগী মথু মশক য়াম্ব্রবা য়াবা নাচোন্দা অথাকপা য়াওদনা শিংখাংনা লাক্লে। মান মা ভাউদনা মা পূর্ণ-কে তারে। অদুগা মতুংদা মহাক্না মুংলিবা খাঙ্জেলন হায়রকই, নঙ অচুম্বা থবক তৌরে, ভাই। অসি নঙবা লম্বী অতৈ লৈরমদে। অদুবু য়ু ভাওবা নিপা-সা। দোকান্দা য়ু থেন্দুনা থাংগা অরাবা কোকহনবা ভম্মোই। অদুগী মতুং ঐগা চংস। ঐ নঙোন্দা লম্বী তাক্কে,

মাগা লোয়ননা চংলে

মাহাকী মুমিং মদুগী অহাং অহুম ঐগা নীওবা তাউদুনা লাক্লি। মাম্মা খুত্থ্রবা লংবী। অমধা লম্বানি নকক্ত অনীদা মোংথ্রবা কানথ্রবা

লুখাক - চগুম। টর্চগী মঙান্না ৱান। চঙশিল্লম্মী। মী লৈতবা অতেকপা য়ুম অমা। মাহু লাস্থোক্লগা মচুংলোমদা য়ামনা চাউবা তেক্লবা কা অমা। মমাঙ থংবা মাইকৈদি তেক্লে। য়ুম অতেকপা মপৈগী মনাক্তা মথুংদা শেগায়বা ফী মানবা লধী অমা। মাহু লাস্থোক্লুনা চংলগা য়েংলোমদ সিঁড়ি অমা ফংলে। চোং চোং লাউবগুম্না মমস্থু মম্মী। কাবগী কাবা কাথক্তুনতা লৈরে। মাহ্নগী অরোয়বা লৈতবগুম ঙোরে। মানা ঐগী খুং শমহুনা চংলম্মী। খুদী তোয়না থীহুনা চিথেক কোনজিন য়াম্না লা·না মমৈথংদা হোল (meeting নচিংবা কৌফম অচৌবা কা) মানবা কা অমদা থুলে। কা অমা থন্না মী লৈরম্মী ফজদবা লোম্না ৱারী শারি, মরক মরক্ত অকিবা মশক ফংব থীখ্রবা মীনোক। ঐবু পুর্বাক্লিবসি কদায়দনো? কিনা কিনা ঐনা হংলম্মী। মা পাউখুম পীদরে। ঐগী খুং পায়হনা মনাক্তা লৈবা কা অমদা পুশিল্লে। মোমবাতীগী মঙান্দ ঐনা উরে, নিপা অমা থৌরীনা শাবা ফমুং অমদ: হিপ্পুনা নিড়িশক্লুনা লৈ। অহল ওইরে; অহুদি ওইরগ য়েংবদা গুঙ শাল্লি।

ঐগী মরূপনা হায়রমা পুরক্নে; ওস্তাদ (ওজা)।

—পুরক্লবরা? হরে, অসোমদা পুরকউ।

হান্নগুম্না খুং পায়হুন মানা এবু থমদ·না পুশিল্লে। নিপাহু হোগংলক্লুন ঐগী মায় ময়াদ মাগী মায় নকাশিল্লক্লুনা মতম খরদং করিনো য়েংলে। অহ্নগী মতুংদা হায়রকই, বাঃ, অফবা মাল পুরক্লে। ফরে। মা ওমগনি।

ফৌনা শেম্বা পূকয়ুগী অয়াকপা মনম্না ঐগী হকচাঙ অসি উক্লরু লৈহল্লে। ঐনা তুংলোমদা য়েংথোক·থববু ঐগী মরূপ অহু উবা ফংদরে। মতুংদস্থু কৈদোউৈদস্থু উথিদরে।

মতুংগী কুম্মিংকী অয়ুক্তা ঐ কদায়দা লাক্লখগে হায়বা খইলে। পকেটমারা (ক্ূরীংখাও চপ্প) শিংগী মকোক ওইবা ত্রেনিং সেন্টারনি। মরূপ অহু ক্ূরীংখাও চম্মা মী recruit তৌবা মীনি। ঐ অনৌবা recruit নি। ঐবু নজরবন্দী (চখোকহন্দনা মীনা শঙহনা বন্দী তৌহনা—confinement) থম্মে। মতম খরগী মতুংদা ওস্তাদনা ঐবু কৌরে। ঐগী লেংবান্দা মখুৎ থমহনা মহাক্না হায়রকই, কদি-গীনো কিরিবা? ঐখোয়গী দলদা নওগুম্বা নিপামচা কয়া লৈরি। পুম্নমক্না লোয়ননা ম্নারী ম্নাতায় শাউ। চাও—থকউ নুংঙাইনা লৈয়। অহুগা নথম্নায় য়াউনা থবক তম্মু। নুংথীনা হৈরবদি অসিগুম্বা লাইন অতৈ লৈতে। অহাং নোংঙাম্নিভৈদা অচৌবা মী ওইগনি। করে, মী পুম্নমক্কগী হেন্না কনাবু নঙনা নুংশিবগে হায়য়ু?

ঐনা হায়রম্মী, ঐগী বাবাবু।

—বেশ। অসি হায়য়ু, ‘বাবাগী মিং লৌহনা ঐনা ম্নাশক্কনা হায়রি, ঐ দল অসি থাদোক্কনা কৈদৌঙৈদম্মু চৎলোই, দলগী ম্না কনাদম্মু ম্নারী শারোই’ হায়য়ু—।

ঐ ম্নাশক্লে। মতৌ অম্মুম্না ঐ দীক্ষা (লায়মীও) ফংলে।

থা অমরোম ট্রেনিং পীরগা মখোয়না ঐবু লম্বীদা থাদোকপা হৌরে। চেনবগী উপায় লৈতে, তুংদা মী ময়াম মরক্তা মখোয়গী গার্ড লৈরম্মী। ওম্না তৈনবা নত্তবা থবক তৌরবদি ছুরি থাঙ শিজিন্নর্বদা চিংনবা তৌরোই। থবক তৌবা হৌরে। নোংমগী মমুংদা কেস খরজং পীগদবনি। অহু নত্রবদি মখল য়াম্বা অম্নাবা পাবা, ওৎ—নৈবা। অহু ওইরবম্মু লাইবক ফহনা মাহু ঐ য়াম্না খাঙবা তারমদে। হৈ-শিংবা অমম্মুং খাজবা য়াবা থবক তৌবা মীনি হায়না ঐগী ফজবা মিংচৎ শন্দোকখরে। ঐনা ফংবা পুম্নমক সর্দারগী মফমদা পীবা

তারম্মী। ঐনা ফংবদি চাবা—শেংপা অতুগা থরচ তৌনবা শেল থরদং।

ঐখোয়গী দলদ গহর কৌবা নিপা অমা য়াওরম্মী। মানা ঐবু অচুম্বমক ফংশিরম্মী। নোংমা মরুম থুপ্পা মফমদা পুক্লনা ঐঙোন্দা হায়রম্মী, নঙ অসি কয়াদা পঙবনো! অফংবমথৈ পীশীল্লী! থরা থরদং লোংকদবনি। অতু নত্রবদি নঙগী করি লৈরে? ঐখোয় পুম্নমক্না করি তৌবগে হায়বা নঙ উদবরা?

মা অসি ঐ থঙই। মাহুগী বিপদ অহুম্থু য়ামদবা নত্তে। নোংমদি ঐগী থবক্কী দায়িত্ব লৌরে (ঐগী কান্নবা য়েংলগে, থোক্লরবা হায়দুনি, থন্দুনা থবক তৌরে)। বাঙ্গালা দেশগী মখাম্লোমদা লৈবা লমদমগী ভদ্রলোক অমা বসদা কাগে তৌরম্মী। মী য়ামনা তিল্লম্মী। মাগী মনিব্যাগ অতু লৌরগা এ চখোকলম্মী।

থুদোং থীরোইদবা মফমদা চংলগা ব্যাগ অতু হাংদোক্লুনা য়েংবদা লূপা লীশীং অমমমগী নোট অনী। ব্যস্। অমুক তৌররোহ। ঐ হৌজিক য়ুম হনবা তারে।

মতম কয়া কুইথ্রবা মতু দা য়ুমদা হল্লক্লে। অহীং পুং তরারোম তাবা কালনি। ঐনা থোঙগী পুনা নীকপা কান্দা ঐগী পূক অসি নীকপা হৌবক্লে। ঐনা পুক্নীংদা থল্লে, ঐ য়াম্না লাপ্না চংথরে, মথাদা য়ামনা কুমথখরে। নুম অসি ঐগী নত্তে। কোক য়াংনা থাঙক্লুনা মফম অসিদা চঙলকপগী ঐগী অধিকার লৈতবে। অদুগী মতুংদা য়ুম মনুংদা চঙলগা কনানা থঙগনি করি উগনি? মতম অসিদা থঙগৌদনা থোঙ হাংদোক্লক্লে, ইমাওদা গোবিন্দ। ঐবু উবদ মা মথোল থোক্না লাউনা কপ্পা হৌরকলে। অম্মুপ কুইবসি কদায়দা লৈরুই দাদাবাবু (অচৌবা ইমুংদা চাকথশিংনা ইমুংগী নিপা মচাদা

কৌবা মিংগৌ)। নঙগী নশক অসিদি করি ওইরে ? মাগী মচীন খুংনা ফাজিন্দুনা ঐনা হায়রম্মী, তুমিন লৈয়্রু। বাবা করম তৌরি ?

গোবিন্দনা মমীংকী মপি তৈথোক্লুন হায়রকই, করি ওইনি। নঙ চৎখিবা সুমিত্তগী নাবা হেঞ্জিনখরে। কোক থাঙ্গংপা ডমদরে। পূক্কী অবস্থাস্থ য়ামনা ফত্তে। যেসা সুমিত্তা থন্নায় থাবা য়ায়।

- ইমাদি কদায়দা ?

গোবিন্দ রাহং অসিগী পাউথুম পীদ র। মপান থোক্লা থোক্লা মানা হায়রবই, নঙ মথন্তা বাথরো, ঐ থুনা সোডা অমতং লৌরুরগা লাক্কে।

বাবাগী ক চঙবদা ঐ তু চুংলে।

মীৎ উংশিন্দুনা হিপতুনা লৈরম্মী—বাবা নত্তে, বাবাগী শরু কায় (skeleton) নি। ঐনা বাবাগী খোঙ পায়বদা বাবা থংলে, কনানো ?

—ঐনি বাবা।

—খোকা ! অস্নুপ কুইরবা মতুংদা লাক্লবরা ? নঙ য়ামনা অশোয়বা অর নবা থবক তৌখ্রে। লাউ, ইনাক্তা লাউ। মনাক্তা চঙশিবদা বাবানা মথূৎ য়েৎ রানা থাঙ্গংতুনা ঐবু কোল্লে। ঐ মহাক্কী মবূক মথক্কা কোক থমচুনা কপতুনা লৈরে। মতৌ অস্নুম্না কুইনা লৈরে। ঐগী মীংকী পিগা লোয়নবা ঐগী পূকীংগী অন্নাবা, চাকপা অমস্নুং পাপ পুন্নমক মহী চেন্দুনা মপান থোকখিবা মতৌ তৌরে। ঐগী পূক অসি য়াংলে। মহাক্না ঐগী হকচাঙদা অমস্নুং কোক্তা মথূংনা নানব। হৌরক্লে। অহূগী মতুংদা তপ্না তপ্না হায়রকই, নঙ চাউরক্কনি, মী ওইগনি, মাসি ঐগী অমতা ওইবা ইচ্ছানি। অহূ

ওইরকম্বু খোকা নঙন তৌরিবসি করিনো? লুপা ভরা— কুন্না ঐ-গোমী করবা উপকার ওইগনি হায়রু? নঙনা পীরকপা মনি ওর্ডার পুরমক লেংহন্দনা তুংশিন্দুন থম্বিল্লি। নৌরিবা অঙাঙ নঙগী মানা হায়বা গোল অদু ঐনা ঐগী ইবুঙী দমক খরচ তৌগদবা?

ঐনা হৌগৎতুনা হায়রম্মী, হন্দক্তি ঐ শেল য়ামনা পুরক্লে, বাবা। নোংঙাল্লগা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা ডাক্তার কৌরুগে। বাবা থুনা নাবা ফরো। অদুগী মতুংদা মকম অমদ চেঞ্জ তৌবা চৎসি।

মনিব্যাগ হাংদোক্তুনা লুপাগী নোট অনীদু পুথোক্লে।

মাত্থু অমুক্তং য়েংলগা বাবাগী মায় অদু খঙহৌদনা কনশিনখরে। অরাকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, করিনোসদে! অস্নুপ য়াম্বা লুপা নঙ কদায়দগী ফংলুই?

ঐ কোক নোম্থত্নুনা লেপতুনা লৈরে।

—কনানা পীবনো, হায়রু? ঐগী ইকমদা থম্লা তৌগনু। হায়রু কনানা পীবনো?

বাবানা অদুক য়াম্না ক্ষিংগৎপ ঐ কৈদৌঙৈদম্বু উখিদবি। ঐনা কিনা কিনা হায়রম্মী মীনা পীবা নত্তে, ঐনা ফংবনি।

—করম তৌনা? কদায়দগী ফংবনো?

ঐ রা ভাংদরে।

বাবা লাউ থোংবা হৌরে, হুরাল্লুবরা?

মাহং অসিগী জবাব অমত্তা ঐগী চৌন্দা থোরক্তরে।

বাবা তেক্তুনা কায়ত্নুনা তারে। হুরানবা! ঐগী ইচানিপা হুরানবা। হা ভগবান, ঐ অসিবু য়েংত্নুনা লৈবা তারবরা?...

অঙোনবা হকচাঙ অদু থক্ থক্ মীকপা হৌরক্লে। মীং অনীদু

চোংথোক্লনা থোরক্কদবা মত মাল্লে। লাকওমদবা কিংগৎপনা ফমূং-দগী হোৌগৎকে তৌরে। সর্ব্বনাশ ওইরে। ঐনা থুনা বাবাবু হিপ-থহন্দুনা কংগ্রবা মায় অ, ঐগী খুৎ অনীনা কোন্দুনা ঐ কপ্লম্মী, বাবা তুমিন লৈবিয়ু, ইংথবিথো। লুপা অসি মপুদা হনখ্রগে, হন্দোকখ্রগে। বাবাগী নথোঁওা পায়হনা হায়জরিবনি, অসিগুম্বা থবক ঐ অমুক তৌররোই। লেংদনা লৈবিয়ু…।

মা মখা তাদবা তাগ্রে। মহাক খুদক অহুমক্তদা লেংদনা লৈখরে! মতম কুইনগী লেংদনা লৈখরে। ঐ অসি করম্বা উংনো হায়বা ঐ মতম অহুদা থওলম্বরা? থওলকপা কান্দা ঐগী কোক অসি ভাওখরে। লেংবা লৈত্রবা হকচাং অহুগী মথক্তা ঐ তুথরে।

পোৎলোয়বা লোইবদা হুমিৎ থোক্তরি। মী উহন্দনা ঐ মোং-ফম পোৎলোয়ফমদগী থোরকলে। মনিব্যাগ অহু ঐগী ফ্রিংথাউদা লৈরম্মী। থানাদা চুমদ্রিং চৎখিহনা মাহু জমা তৌরে (পীশিল্লে), ঐনা হায়রম্মী, শেল মপু অহু উরবদি ঐ মশক থওবা ঙমগনি, আশা তৌই।

মথারোমদগী লাকপা ভদ্রলোক অহু থানাদ রিপোর্ট তৌহনা লৈরম্লে। মহাকপু কৌরে। মশক থওলে। মহাকস্মু মহাক্কী মনিব্যাগ অমস্মুং লুপা নোট মশীং চুম্মী মাগীনি হায়রে।

ঐগী ইথক্তা পুলিশ কেস তৌরে। ঐগী খ্বাংদা থোরী পুন্দুনা খুক্তা হাতকড়া চন্দুনা ঐবু জেলদা পুহনা চৎলে।

ঐবু উবদা হাকিমনা থোজানবিবা মতৌ মাল্লি। অহানবা মরালনি হায়হনা বোও সই তৌরগা থাদোক্কে তৌরম্মী। অহুদি ওই-রগা থাদোক্লগা ঐ কদায়দা চৎকনি? কনাগী দমক চৎকদবনো? ঐনা হায়রম্মী, মাসি ঐগী অহানবা মরাল নত্তে। মরাল অসিগুম্বা

য়ামনা তৌথরে ; ফাবা ভমখিদে। ঐনা হায়বা য়াহ্ন পুলিশনা চুপী হায়রে। মখোয়গী রেজিষ্ট্রারদা ঐগী মি° ইছুনা লৈরম্লে। তৌদবা য়াত্রবা মতাগুম ম্যাজিষ্ট্রেটনা ঐভোন্দা থা তরুক্কী, ফাটক মিয়াদ পীরে।

থ তরুক লোইগদৌরক্কে। ঐবু থাদোক্কদবা মুমিং হুম্নি লৈরি। অদুদি ওইরগা ঐনা পাপ্বদুদি কদায়দা ফংলে? ঐগী শাস্তিদি কদায়? ঐগী প্রায়শ্চিত্ত (প্রাচীৎ) তি কদায়? ঐ অসি হুন্নানবা মীদা নত্তে, ইপা হাংপা মীনি। মহাপাপ অদুগী দণ্ডি ফংবদ্রি লোইদ্রি। করম্বা মুমিত্তা লোইগদুগে। ঐ অদুম্ব থভদে। মাহু লোইরবদি, লোইবা মুমিত্তা নহাক্কী ননাক্তা লাকনি।

—ম্যাইবক থৌবা পরিমল

মহাক অমুক হন্নচুনা লাকখিদবে।

তরাতরুক

সেসন্স কোর্টকী বিচারদা কাশিম ফকিরগী ফাঁসিগী হুকুম তৌথরে। ''

মতিক চাবা জজ সাহেব কয়সতি নত্তে। নত্তে, অদুবু জজগী আসন (ফমফম) দা ফম্বা কুইদ্রি। মুন্সেফ অমম্ব সবজজ ওইবগী শাংথ্রবা কাথংনবা সিঁড়ি মাগী মতুংদা লৈহৌরে। ডিক্রি—ডিসমিসগী মপু ওইরম্মী। পাট্টা, বসিদ অমসু শেগায়রব শেল পুবগী দলীলগী উফুসদা থবক শুত্নুনা পুন্সী লেল্লক্কে। মা ওইবনা নোম্লিবা শুরিবা পুম্নমক দলীলশিং অসিগী মতোগুম উচাবী জালনা চিকপা—জাল (নমথাক) তৌবা, জোয়ার শান্নবা, ঘুষ পীবা অদুগা মীনম্বা

সাক্ষী পীবগী অরোনবা হুনা মনঙ্গল পোল্লবা হকচাঙনি। অহুম মীশিং অহু জজসাহেবন উরে। থবক হৈবা অনৌবা মী, থরায়গী রসনা অথিংবা লৈতনা থল্লা লৈবা লরায় অমস্তুং জঙ্গলগী অসভ্য ওইবা মী জজ সাহেব উদরি। অসিগুম্বা মীশিং অসিগীদি হিংবা —শিবা হায়বসি মখোঙদা কোন্দুনা লৈবা মীনায়গুম্বনি, মখোয়গী থমোয় অহুদা অরাবা রাথল লৈতে।

মীহাৎপা মীগী মশক থঙব জজসাহেবকী মসিনা অহানবনি। লাইরিক তম্বা অহানবা হোবগুম্না মীহাৎপা মীগী দণ্ডি পীবা মাসিনা অহানবনি।

দণ্ড অসিবু মশক অমা পীগে হোৎনবদা মশম ঙৌরবা বিচার-পতিগী অকনবা কলম অহু অমুক্তং নীক্লম্বা য়াই। এজলাসগী অরাংবা আসন্দগী মহাক্না মহাকী যুক্তি বিচারনা পুনবা অকনবা য়াথং অহু হায়দোকপা মতমদা নীকথিবা অহু মহাকী পূক্নীং লাঙহনবা খোন-জেলদ খোনথাঙ য়ৈরম্বা য়াই :—

…… —the Said Kashim Fakir be hanged by the neck till he be dead -

দণ্ড পীরিগা মীহ তশথবা লৈতনা মশা নীকলে, দণ্ড ফংলিবা মী অহুদি মশাগী ফীবম কায়না তৌদে। সংসারাস পামদ্রবা মঙডদা অরোইবা হুকুম অহু লৌবে। রয় হায়দোকপা লোইরবদা বন্দী লেপফম dock তা লেপতুনা মাইকৈ মরিদা কোইয়েং অমুক্তং য়েং-লম্মী। মহাকী পূক্নীং থকহনবা মাংথেং অতুনা কনানো অমধু থিবা মতৌ মাল্লি। অহুগী মতুংদা তপ্না তপ্না রেলিংনা কোয়শিনবা উগী ফম্বাক মথক্তগী কুমথরক্নে। পুলিশগী মীশিংনা লাক্নুনা মাবু কোয়শিন্দুনা লেপ্লে। মমীৎনা য়েংদে। ভাইহুনা লৈবা, তুমিন্না লৈবা

মীশিংগী অওকপা মীৎয়েং অহু হন্না ফাওবা য়েংলমদে। আদালত্তগী মপান থোরক্তুনা মশা অপুম্বা পুমকুপ কুপশিনবা অমুবা গাড়ি থাহুনা লৈবা মফম অহু তানা মথোল থোক্তনা চৎখরে।

থোঙ নয়াদা উকিল বাবু লেপতুনা লৈরম্মী। (১) মক্কেল (client) গী মথল্লায় কন্নবা মথল্লায় মডা য়াওনা হোৎনবহু ফল ফংদরে। দর্শন শাস্ত্রগী থেমজিনবা ব্লাইহ থরনা থবক মইহ য়ান্নবগী অহাঙবা মফম অহু মেনশিনগে নীংলম্বা য়াই। অহুবু মক্কেলগী মমায় য়েংবদা মাগী মচীন্দগী ব্রা থোরক্তরে। শোয়দনা তৌদবা য়াদবা থবক্তী ব্রা করিগুম্বা মওঙ অমা তৌহুনা ফোংদোরকই—মফম অসিদা সই তৌ ফকির!! হুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা হাইকোর্টতা আপীল তৌবা তাই!! ডাইহক লৈরগা মরম্মাই ব্রা ডাঙবদোনা হায়রকই, অমুক্তা হোৎনহুনা য়েংবা তাই!

ফকির লেপ্লে। অওকপা বিকার কায়না নোকপগী কুশিনবা মাগী মমায়দা ফাওরক্লে। থোনাউ কংলবা থোঙ্গেলনা হায়রকই, করি কানুগনি বাবু?! মফম অসিদসু হোৎনবদা ব্রাংনা তৌবিথিবা নত্তে!!

আসামগী সীমানা অরোয়বদা লৈবা "ডিষ্ট্রিক্ট জেল" অমদা ঐগা ফকিরগা উনরম্মী। মমীং ময়মনসিংহ জেল, ইংরেজনা শাসন তৌবা বাংলাগী খ্বাইদগী হেন্না চাউবা জিলানি!! পাক চাউখ্রবা লমদম্নি। মচাউ মশাংদদা নত্তে, মাগী অতৈদগী তোপ তোপ্পদি প্রকৃতিগী মথল মথ য়াম্বনি। খা অমসুং নোংপোক থংরা মাইকৈদা পাক-চাউখ্রবা লৈতেম মাল্লবা লমদম—ব্রহ্মপুত্র অমসুং যমুনাগী অরীকপা

(১) কেশ থোকপা মীবু মহাক্কী উকিলনা মক্কেল কৌই।

য়াওদবা কৃপাদগী থোরকপা মহৈমরোংনা ঐশ্বর্য্যগী মশক্তি। তমথিবা শক্তিবুগী অকনবা মুংশা মৈশাদা লৌবূক পুম্নমক লৈপাক চাউনা চাউনা চেকথায়। ইভা থা লোইরকপদা মফম অহু বর্ষাগী ঈশিংনা থৃম্মী। থিংবা য়াদবা লৈশাবী ওইরক্লিবা তুরেলগী ঈশিংনা মবুক কংথোরক্লুনা পোমথোরক্লুনা তোর্ব্বান পাথোক্লুনা চেল্লকই। ইভেল থাদা লৌবূক অসিগী মথক্তা খুহুপ তরা লুবা ঈশিংগী মথক্তা সওদাগর (লল্লোনবা মী) গী অপীকপা অয়াংবা হি পাল (হি থুনা চৎনবা মাস্তুলদা য়ানবা অপাকপা ফী) খন্দুনা চংলি অতুগ মশাং থীচমদবা ভা ফাবা মীশীংগী হি মচা মচা তাঊহুনা চংলি। ঈশিংগী ঈশিংমক্তা। মাহুবু তোয়না উরগ পূক্লীং মুংভাংতবা লৈতে। মাগী মশক্তা মচাপোক্তবা নুপীগী ময়াকপা মুংশি খউদবা শকফম লৈতে। মাহুগী মথক্ত মশা নোয়বা শংবান্নবা আমন (তাউৎবী) না কুপই। ঈশিং ঈগাওপা মাগা য়ামনা য়েংদি লৈ ঈশিংনা খুদোল মরি হেন-গৎলবদি তাউৎবী পাম্বী খুহুপ মথায় অমা য়াংখংকনি। মুংশি হৈতবা প্রকৃতি (মহৌশা লাইরেম্বী) গা মুংশি হৈবী প্রকৃতিগা খৎনবা ভয় ওইবা ওইদবা মীওইবগী মরাওবক্তা অন্থদা লৈরে। মেরা থা পোকবদা য়ামখ্রে। ঈশিং অসি মীত্রংগুম কদায়দা চংথিবনো মশক উথিদরে। মশাংবা ফো পাম্বী তুথরক্লে। মকোক মথক্ত সনা শুচু মানব নত্তে ন লেপ্তুনা লৈ। মাহুগী মথাদা অথোংপা লৈপাক, অতুগী মঙ্গংদম্ব সনাগী লৈরাক, জোমীগী লোন্দা মমীং পলি (ঈশিং ঈনাং) কৌবা। মাহুনা শোকপদা গম, যবনচিংবগী মহৈ মরোং ভাউরকই, মঙ্গলহৈরাইগী মতোল অহু মরৈ তিংথোরকই, হঙ্গামগী লৌবূক্তা য়াওং মচুগী নেশা কারকই, মকোক লোংশিন্দুনা

লেংদনা লৈবা থোইদিংগী মপান লৈ অতুনা লম্বোইনীংবগী ছাপা থাই।

কৈদোমগী লৌরী শাবা তৌদে, ঈশিং চাইবা লৈতে, খুৎনা লৈখোম নোইবা তৌদে. অমমমতা ওইনা মথন্নায় শোনবা ফৌ পাম্বী লিংহনা, অনাব অন্তাড থোইদোং অমমম মী ওইনবা তৌবগী অকনবা লাইনীংবা লৈতে ; ঈশিং ঈশিং হায়ন' কৌহুনা নোংগোবীগী মীৎ৹ য়েংশা আকাশদা য়েংখংপগী অন্নাবা লৈতে। লৈপাক্তা লৈয়ি থন্না চিংলগা, ফৌদি হুর্নাজল্লগা, ঈশৈ শকুনা, ভা ফাহুনা, য়েন শুনহুনা খংনহুনা ময়মনসিংহগী লৌমী মতম লেল্লি। অন্নাৎপা পূন্নমক পী তুরেলনা, ব্রহ্মপুত্র অমসুং মাগী অফবা মঙ্গল পীবী মচানুপী যমুনানা পী। মরম অসিদগী দেশ অসিবু নদীমাতৃক (তুরেলগী ঈশিংনা থোক হনবা মহৈ মরোংনা য়োকপীবা) লৈবাক কৌহ।

মখোয়না থোকহনবা লাখোন ডাণ্ডী অমসুং নিউইয়র্কগী কৈথেন্দা মমীং চৎলি। মখোয়গী বিরুই কৌবা চেঙগা অহাওব, মহাও অত্তু হৌজিকসু ঐথেয়গুম্বা মীরেপাক্তা চেঙ চাবা মাগী লৈদা পক্লুনা লৈ। য়ুম পানবদা লুংডাহবা অমসু' মহৌশা লাইরেম্বীগী মফমদগী কংব, দান্না, মখোয়দা হকচাঙ ফবগী অকনবা শক্ত পীরে অমসুং মপুক্লীংদা কিগন্দব ইচম চম্বা মওঙ পুরক্লে। মাগী থন্নায় পীবা— লৌবা মখোয়গী মুংডাইব কুংস্মনি। লস্থুম অমসুং মুপী হুরানবা মখোয়গী পাপনি। মখোয়গী খুডাওদা খুদমদ abduction হায়বা ন্নাৈগেসিংগা মান্নবা ন্নাহৈদি “বউটানা” (মুপীচিংবা) হায়বদি মী অতৈগী মুপীবু ইফোং ফোংনা মপাঙ্গম্না চিংহুনা পুরন্নগা খুহুম চনবগী

মমীং মুপী হুয়ানবা কৌই, লোম্না ভাকপি শেনবিনবা লৈতবা লৈ-শাবী অমম্মুং লুখ্রাবীগী মথক্তা মপ ঙম্ন শিজিন্নবা নত্তে। অহানবা অসিদা হিংসা (মীহাৎপ) গা লোয়নবা নিপাগী থবক, অনীশুবদা কাম লৈবা অতোনবা পাণ্ডদবা কিগনবা মীগী মতৌ।

ময়মনসিংহ গীতিকরিত্তা (ঈশৈ ওইনা শকপা য়াবা মওংদা ইবা শৈরেং) গী লৈবাকনি। মাতুগী মরূদা মহৌশা লাইরেম্বীগী মতম পুম্নমক্তা পীবা দান ভৌগনবা মওং লৈ। বাঙ্গালাগী রত্নগী পূকৈদা বিক্রমপুরনা অথৌবা বুদ্ধি পীরে, বরিশালনা স্বদেশ প্রেম (মরৈবাক মুংশিবা) পীরে, অতুগা ময়মনসিংহনা পল্লীকাব্য (লয়ায়গী শৈরেং) পীরে। মফম অসিগী লম্বীদা, হীদেন্দা, তুরেলগী ময়ায়দা নত্রগা মপান্দা লৈবা লৈঙোল লৈবা অয়াঙবা লমদমদা, হৈনোগী বন্দা, লাইরিক হৈতবা লৌমীগা শক্তিনা য়াই তৈবা মাঙ্গোন্দা—হৌজিকসু নদীয়াগী ঠাকুর (গৌরচন্দ্র মহাপ্রভু), অতুগা মহুয়া বেদেনী (ময়ুম অরেপ্প লৈতবা nomadic জাতিগী মুপী) গী কায়নবা—উনবগী ঈশৈ, লীলাংকগী প্রেম গুঞ্জন (প্রেমগী গুণ গুণ তৌবা খোঞ্জেল), কবি চন্দ্রাবতীগী য়া ভাংদবা আত্মত্যাগ (মশাগী ওইজবা থাদোকপা) কী ঈশৈ মুংশিত্তা তাউতুনা চৎলি (তাবা ফংই)।

অসিনা মথা মাহকৈগী য়ান। অয়াংবগী মশক্তি পূমতোপ তোপই। মফম অদুদা মহৌশা লাইরেম্বীগী থোজাল হৈনা মওং লৈতে। অকনবা অনেম অয়াং নাইব চৈতম মান্নদবা লমদম, মরক মরক্তা অনেম্বা চীং পরেং। অরীকপী পৃথীমাতানা পেনবিনা নোকপা মায়থোঙনা বর পীবাদে। লৈপাক য়াম্না তোরগা মহৈং-মরোং মচেৎ অমতং উনবা ফংই। পাকথ্রব লমদম অসিগী শরূক অমদা মধুপুরগী গড় (লানবন) লে। মতম অমদা ভবানী পাঠক্কী

কর্মক্ষেত্র (থবক তৌফম) ওইরম্মী, হৌজিক্তি পুলিশনা কিনবা ডাকু— হুরানবা অমশুং চেনখিহুনা লোত্তুনা লৈবা আসামী (accused person) শিংগী শান্নফম্নি। মাসিগী মফম অমদা মী তাদবা জঙ্গল মনুংদা টিলা (চীংজুম মচা) অমগী মনাক্তা কাশিম ফকিরগী আখড়া (সাধু লম্বোইবশিংগী লাইনীংফম) লৈরম্মী। থংননা লৈবা ইনা কুপ্পা য়ুম অনী। অভেকপা মসজিদ (মুসলমানগী লাইশং), অদুগ' মাদুগী অকোয়বদা গঙ্গা পাম্বী অমশুং শগোল হিদাক্কী বন্ন। মাগী সম্পত্তি (মরল মথুম) গী মরুংদা মাগী মঙুম্নপী ওইবা য়াবা বয়সকী মশক মতৌ ফজবী মতু, ষল হামেং থরা, য়েল থরা অদুগা ময়না অমা।

ফকির চহী য়াংখৈগী মথক্তি। মাদুগী মথক্তা মাগী পাথং ওইবা মতমগী ইতিহাস পুলিশগী খাতাদা ইহুনা লৈ। মরম অসিনা মানা উমংদা লৈবসি অর্থ লৈতবা নত্তে। অদুবু মৌ নহাগী বযস মপূং ফারবী তথক তথকপী মুপী অসিনা করম্মা অরাবা দশা ফংবদগী নত্রগা করম্বা মোহ (ময়ায় কাব' মরম) লৈবদগী সংসারগী মমা মপা মরূপ মপাংনচিংবনা চিংবা পুম্নমক থাদোক্তুনা মীগী সঙ্গ লৈতবা উমংদা লৈবা য়াথিবসি, অপাম্বা লৈত্রব হন্নবা নিপা অমগী মুংতাই-ফম লৈতবা সঙ্গ খন্দুনা লৌরখসিগী অথুপ্পা রা অত মাবু শেপ্পা লাই-তনা থডই।

অহল ওইরবা ফকিরনা মসজিদ মনাক্তা ফমুহুনা মালা জপ তৌই। মরক মরক্তা অয়াকপা খোঞ্জেলনা কৌই, কুটী, ও—ও কুটী। কুটী বিবি মতম অদুদা উমংগী শক্তি অমোমগী মতৌগুম তথক তথকপা খোঙথাঙনা মানা পাম্বা মতুংইন্না কোয়হুনা লৈ মচী হৌ-গদৌরবা থৌনা ফবা হামেং মগাগা "পৈট" শান্নে— মাগী মকোক

লায়রকুনা ঊন্নি অহুগা হাম্মেং অহুনা মখোঙ খুমাঙ অনী থাঙ্গৎতুনা মচী চৌংহুনা থাজত্তুনা চোংশিল্লকই, কুটীনা মখুৎনা খুবাক খুই অহুগা খেকনা খেকনা লোক্ষই। করিগুম্বা কাললা য়েল তাম্নহুনা চেল্লি, মখোল মতৌ তমহুনা কোকিলগা খৎনবা হৌই, অহুগা অয়োকপা ময়নাস্নী মখোয়ি পায়হুনা নুংশিবা ভাব উংলি।

মরক মরক্কা ফকির সহরদা চংলি। আঙ্গখাল্লা (অকোম্বা ঝোন্ ঝোন্ লাউবা ফুরিং) লিত্তুনা মবে বান্দা ঝুলি য়ান্দুনা মকোয় মরাঙ চোম, মশমদি পোক্লা ইভৌ ভৌ, খোইদ্রিং খোইদ্রাংবা চৈ অমা পায়হুনা উমংগী লম্বীদা চংখিহুনা মশক উখিদ্রবা মতমদা, কুটী মাইকৈ অদোংদা য়েংহুনা লোম্না লোম্না নোকই॥ করি খনবনো কনানা থঙই? ফকিরনা ময়ুম হল্লকপদা থা অপা চঙই। কৈথেল খুদৌংদা লাইগী শক্তি উংতুনা চংলি, তাবিজ কবচ (যন্ত্র) পী, মন্ত্র শোনবা ঈশিং পীথকই; অনাগা নত্রগা ভুত তান্থোকনবা মন্ত্র শোনহুনা মখূৎনা নাল্লি অমম্ভং ফুঁ ফুঁ কাম্মী, অহুগ সন্ধ্যাগী অনম্বদা মরুম থুপ্পা মফম অম খল্লগা নোট ডবল তৌবগী শান্নবা উংলি। লুপা অনী পীরগা মরি ওইহল্লি, লুপা মঙাবু তরা ওইহল্লি। মাংদগী হেনবা কনাগুম্বনা পীরবদি শেলহু হন্দোক্কুনা আখড়াদা লাকউ হায়রম্মী। মসজিদ্তা (১) সিন্নি কৎনবা খরচ লুপা অমগা অনা মঙা পাই অহুম। নথন্তা লাকউ, মী অতৈ য়াওরবদি য়ারোই।

অহুগী মতুংদা ফকির নোংমা হল্লকই। ঝোলা খাউ থুনবা

---

(১) সিন্নি—পীর হায়বদি মুসলমান সাধুনা লাইদা কৎনবা চিনিনচিংবনা শেম্বা পোৎ—নৈবিদ্দ।

লুপা শিকি অহুগা মতুগী দমক hair pin, powder শুম্বা পোচ্চে মচা মচা। কুটী য়াম্না হয়াওই।

মুম্বিং অনী—মরিগী মতুংদা নোট ডবল তোবা মকেল (client) গী দল লাকপা হোরে। অপীকপা পার্টিগী থবক তৌদে। মরম অমমম পীহুনা হুলহনখি। চহুম, চামরি, চামণ্ডা পুরকপা মী-শিংদা হায়রম্মী, কম্মু। অহীং (১) প্রহর অমগী মতুংদা সিম্নি কৎকনি।

প্রহর হৌথরে। মকেলবু মসজিদতা কৌরে। ফকির সমাধি (মমীং উইশিন্দুনা লাইগী মমীং কম্না শোনবা মওঙ) দা লৈরে। মথুত্তা তসবী (মুসলমানশিংগী জপ তৌনবা মালা) য়াম্না থুনা থুনা লয়হুনা চৎলি। অহীং থেংজিল্লক্লে। চৌংহুমগী মতুং লোমদা লমছুই লঙ্গ অমনা প্রহর অমা হৌথরে হায়বা খঙহল্লকই। উলরাউমুক চীকপা উমংদা মরক মরক্ত বনগী শানা খোংবা তাবা ফংই খঙ-হৌদনা কাশীমনা মমীং পাঙথোক্লুনা মতম অমদা য়েংলকই। মালা অহু মরাইবক্তা কংলগা অক্সম্বা খোঞ্জেলনা হায়রকই, খোদা মেহের-বান (মুংশিহৈবা)। পীরো, লুপা পীরো।

ভক্তনা নোট মপুল অহু ফ করগী মথুত্তা হাপই। মম্লংশাস্বর থিংহুনা মথবাক্লে পীক্লুনা ভক্তনা ভাইহুনা লয়, করম্বা কালদা মপুল অহু ডবল (হুনা কাবা) ওইহুনা হুল্লকনি।

— সাম্ন অসি লো।

ভক্তনা মথুং তিংখোক্লুনা লোই বাতাসা অনী, হয় থরা অহুগা

---

(১) অহীং—মুংথিলবু শরুক নিপাল থোকনা খায়দোকপগী শরুক অমা।

য়াম্না হাউবা শরবত (চিনিনচিংবনা শেম্বা মহী) গ্লাস অমা। নোংমা মুমিৎ চুপ্পা হকচাঙ রারকপা অত্তুগা মতম কুটনা চাক চারক্কবা মতুংদা য়াম্না হাউই। অত্তুবু করিনো অসিদে ? জ্ঞান পূম্নমক কুপ-শিনখরে। হকচাঙ পূম্নমক চোকথরকপা করি মরম্নো ? মীৎ পাঙ-হুনা লৈবা য়াদরে। তূম্নীংলে। মপান নাইত্রবা, লোইবা নাইত্রবা তূম্বা। তূমখিবা অত্তু অমুক মীকপ থোরকপা তৌররোইদবনি।

তূমখিবা অত্তু অচুম্বমক কায়বা তৌত্রে। পুং অমরোমগী মতুংদা মকোকলোমদা মরানা, মখোঙলোমদা মতুনা পায়হুনা ভক্কবু চিং চিংহুনা চীংহুমগী নাকললোমদা অশোংবা বন্দা পুহুন। চৎলি/ মফম অত্তুদা ফজরবা কবর (মী অশিবা ফুম্নবা কোম) .তৌহুনা লৈরে। জ্ঞান লৈত্রবা ভক্কবু মাত্তুগী মম্নুংদা থাদহুনা ফকিরনা মরাইবক্কগী হুমাং তৈথোকই। কুটীনা কোকিলগী খোঞ্জেলনা নোকই। উমংগী অরোয়ব, সীমানাদা মাত্তুগী খোম্থাং য়ৈ। অত্তুগী মতুংদা য়াম্না হৈ-শিংনা নীংথীনা লৈপাক মেনশিন্দুন শজ্রিক থাজিন্দুনা খূদম পূম্নমক মুংথত্তূনা মরাগা মতূগা তূম্বা চঙখি অমসুং পুম্না হীপথীম্নহুনা তূমখি। নোংভাল্লগা নোটশিং অত্তু চফুদা হাপচিন্দুনা মচীন মেন-শিল্লগা লৈপাক মম্নুংদা ফুমজিল্লি। অত্তুগী মতুংদা গঞ্জা অমসুং শগোল হিদাক পাম্বীগী বন্দা ঈশিং নাংথৌনা চাই।

মতৌ অম্সুম তৌনা চহী অমগী মতুংদা চহী অমা য়ৈথায় থিনগাইবা লৈতনা লংল্লোন্দুনা য়াম্না মুংঙাইনা পাল্লম্মী ফকির মতৈ মনাও। মরক মরক্তা মরাইবক থীবা মক্কেলগী কনাগুম্বা বাড়িসম্বন্ধ মন্নুংগী মী মাবু থিবা লাক্লবদি ফকির অতিয়াদগী তারক্লে (অতি-য়াদগী কুমথরকপদা ভায়রিবা করিমতা খঙদবগুম তৌরে)। মহাক

অহৌদি নহাক ডবল নোট মখোংদা পুনশিন্দুনা চৎথরে। করি হায়বগে খিবিজান নত্রা? খিবিজানা ঈমুং য়াইশিংপা লেপতুনা নত্রগা চাক থোংনা থোংনা মচীন খুজিন্দুনা লোকই। হায়রকই, মাদি নহান কৈদৌ—ভেনো চংখ্রে। ফকির ইরাঙ লাঙলে, খিয়ু খিয়ু নৌংথীনা খিয়ু। মাইকৈ অসোয়দা ডাকুশিংনা য়ায়া ওৎ-নৈরি। অছুপ য়াম্বা লূপা পুছনা, ঈস্‌...

অছুগী মতুংদা নোংমা অনৌবা মকেল অমা লাক্লে। চুহী কুন্নিথোক—কুনছুমদোহ্‌ই শুরবা চনথংলক্লিবা পাখং। হকচাঙ নত্তে, মখুৎহৈবা লাই মূত্তি শাব নিপা অমনা শাব: নূংগী মূত্তি। মকোক্তা ঈথক হৌবা থোক্‌চখোক্‌বা শম। অচেঙবা মখোংদা অভাঙবা চায়-থানা (অয়াংবা) গী খূদৈ কম্না পুনবা। মখুত্ত থাউ তৈবা য়াগী চৈবুন। অথকপা মমাং অনা অতুদগী মশা এউ যবা মওভ অমসুং অপেনবগী মভাল পাথোক্তুনা তায়রকই। মাইকৈ খুঙাং খোংহনা কোইখি থিত্তুনা ফকিরগী আখড়াদা লাক্লম্মী। মাঙোল নাকচিদা কুটীগা মমীৎ চান-থবে। নিপা পাখঙহু খংলেপ লেপই। খঙনীংবগা লোয়নবা অঙকপগী খুদম মমায়দা ফাওরক্লে। অতুগী মতুংদা খঙনীংহুনা নোক-পদা অঙকপগী খুদম অহু তিনশিনখরে। মানা নোকপগী মখোল থোক্লব। থোম্থাং অহু কুটী বিবিগী নিন্দা তৌব য়াদনা ফজবা মচীন-বান মথক মখাগী মচীদা ফাওরে। মাহু ইংনা কুপ্প অমতনি। অতুগী মতুংদা মতম লৈবা খিবিক্তা থক্তুনতা লৈবা মীংয়েং মহুগী মথক্তা অমুপা মীংকৌ পা অনা কুমথরক্লে। লুকথবা অয়ংবা মমায়দা অভাঙ-বগী মমি তারে। করিগী মমিনো কনানা থঙগনি?

ফকির মাঙোন্দা ফমহুনা হিদাক থক্লম্মী, মক্লেপ চঙশিল্লক্তুনা

নোটকী মপুল অমা মাগী মমাংদা থাত্নুনা হায়রকই, লূপা চান্নভানি। থীহ্নুনা য়েংউ অত্নুগা নভগী সিন্নিগী থরচা লৌসে, লূপা অমগা অনা মভা, পাই অত্নুম হায়ত্নুনা মখাংদগী লৌথোক্নুনা অচোয়বা শেল অত্নু লৈপাক লৈমায়দা হুনথরে।। ফকির ব্না ভাভদে। ফম্মু হায়না ইঙ্গিত তৌরগা হিদাকফু অত্নু শাসন তৌগনবা client গী মথুত্তা পীরে অত্নুগী মতুংদা সিন্নিগী পয়সা থুনগত্নুনা লৌরগা হায়রকই, নোট অসি লৌশিল্লু। মাত্নুবু নুংথিলদা তৌবা য়াত্রা? পোত্থাথো, হিদাক থকউ। ভসি অহৗং প্রহর অমগী মতুংদা সিন্নি কংকর্নি।

মতম কুংনা মশম শমজেং হাংলক্কব কুটী বিবি মশম হাংলে। জটা তারমবা হায়বা ইন্দবা শমগী বোঝা (পোংলূম) অত্নু কাবক কাবক ফাজিন্দুনা মমৗং থভদবা বলগী লৈ অমা শমজিদা থেংলে। অত্নুগী মতুংদা মাইল মখায় অমা লাপ্প লৈবা ঈশিং থোং অমদা নীংথীনা ঈরুজহ্নুনা লাক্লে। য়ুমদা লাক্নুনা অতিম্মা মচুগী টাঙ্গাইল শাড়ি অমা লেংচিল্লে। হৌথিবা চহীদা ঈদ্‌গী মতমদা ফকিরনা কৈথেন্দগী লৈহুনা পুরকপনি। কি অত্নু অনারক্কা মশেংলি। য়াম্না পকচৈ হায়খি ফকিরনা।

করিনো, কদায়দা চংথ্রে? মিএগা সাহেবতা চানবা পোং থরা পীয়। কয়া লাপ্পা লাক্লবনো? নুমিৎ য়াম্না থেংলে।

—আসিদা চডহল্লকউ। চানবা পোং পীগে, চাকশভদগী কুটীনা থুমকই। চাকশভগী মনাক্তা অতিথি (বাভন তৌদনা য়ুথ্বানব মীনা ময়ুমদা লাকপা মশক মচু থভদবা মী) লাক্নুনা লেপ্পরে। কুংনা মপান থোরক্লে। মথুত্তা শঙ্গোম তেঙ্গোৎ অমগা লৈগী য়েন্দায়দা হাপ্পা মুড়ি থরা। অতিথিগী শুমহৎলবা মীংয়েং অত্নু অমুক্তং য়েংই মাঙ্গোন্দা

ক্ক অমা থারে। যতন তৌনা শাড়ি ফীজীন. তৈথোক্লগা। হৌগৎতুনা লেপ্পগা হায়রকই, কুম্বুবা ?

হৌজিক্তি হোসেন জ্ঞান তারকপগুম তৌরে। মানা হায়রকই, নওস্নু জঙ্গল অসিদা লৈরিবর ?

কুটী ঙকলে—বাঃ, লৈত্রবদি কদায়দা লৈগনি ?

—করম তৌনা মফম অসিদা লাকপনো ?

কুটী শাউশিন্নহুনা হায়রকই, আহা ! খঙদবদোনা ? ঐ অসি ফকির সাহেবকী বিবি (মতু) নি !

ফকির অসিগী বিবি নওবো—হায়হুনা নিপা পাখং অহ্ নোকতুনা তুথখবে।

বিবি শাউরে, নোক্লিবোইরেকো ?

—নত্তে নত্তে, করিস্নু নওে। লূপাসি থমজিল্লু। ঐ লম্বাদা কোয়রুখিগে। উঃ জঙ্গল অসি শোঙখরে। নুংশাস্বর থিংহ—অ'স হায়হুনা শঙ্গোম অহু অমুক্তং চিংবদা লোইনা থক্লোক্লুনা লৈ য়েনদায়দা হাপ্পা মূড়ি অহ কোঁচড় (থবাঙ্গা ইনথ ফীঅহু থাউ শানা শেম্ব) দা হৈজন্দুনা মুড় শায় শায়হুনা মপান থোকখরে।

কুটীনা মথুংমরক্তা মথোযগী থ্বাইদগী হেন্না ,ফবা য়েনবী অহু (১) জবাই তৌহুনা মঙক কক্লে। যতন তৌনা মাহুনা "হালুন" (নক্ক মরাঙ নাংখীনা হাপতুনা শা থোংবা) থোংলে, অহুগা অঙকপা ফ না হাউবা বিরুহ চেঙগী চাক। মথুংন্ তুম্বা শক্ত অমুবাগী শঙ্গোম অহু কংশিনা তৌরে। অতিথিবু মমাঙদা ফমহন্দুনা পীজরে। শঙ্গোম থরাং লেমহন্দুনা হোগৎকে তৌরে। কুটীনা হায়জবগী থোঙ্গেলনা হায়রকই, ঐনা রাশক্তি, থজিক্তং অহুস্নু থকতোক্লো।

---

(১) কোরাণগী মন্ত্র শোন্দুনা ঈশ্বরদা কহুনা মঙক ককপা।

অতুগী মতুংদা মচীন খূজীন্না নোক্নুনা হায়রকই, জঙ্গলদা লাক-পসিদা মিঞাসাহেবকী পূক্নীংহু চেল্লগে চেল্লগে তৌতুনা লৈ। অতুদা চাক পূক থন্না চাবা ফংদ্রবদি য়ূম হনখ্রগা ঐবু য়াম্না নিন্দা তৌরুগদ্রা?

হোসেন ব্রাহং অসিগী পাউথুম পীদরে। শুমহৎলবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, য়াম—না চাবে। অস্থুপ যতন তৌনা ইনাক্তা ফমহুনা কনানস্থু কৈদৌউদস্ম ঐবু পীজখিদরি।

কেরোসিনগী থাউমৈ পোদোনগী অশোনবা মঙালদা কুটী বিবিগী মমায় অতু শেংনা উবা ফংদে। মবূক মমুংদগী থোরকপা গুংশাস্বর মপী অতুস্মু মানা নমথখরে। চাক চারবা মতুংদা হোসেন মিঞা মাঙ্গোন্দা ফমহুনা ফকিরগা ব্রাদ্রী শারম্মী। থংনবা য়ূম অতুদা তরু তরুবা ফমু, শেমহুনা কাংথল থন্দুনা কুটী লাকুনা হায়রৈ, হৌ-জিক্কি তূম্নবা তৌবা য়ারে। করম্বা লৈপাক্তগীনো কয়া ব্রানা লাকপা। হৌজিকপু ব্রা'ব্রী শাবগী মতমলা?

হোসেন চংখ্রবা মতুংদা ফকিরগী মনাক্তা লেপতুনা মীকুপ অমতং করনো খল্লি কুটীবিবি। অতুগী মতুংদা লেংদ্রবা অনেম্বা চিবোন চিবোন ডাঙবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, নপা অসিগী মফমদা মাতু পূম্নমক তৌবা য়ারোই, ঐনা হায়ারবনি। ফকির তৌরিবা মওঙ পূম্নমক উরবনি। অমম্বদা মাগী মমীং অনীহ হিংসা তৌগনবা শাগী মতৌগুম ইরং লংথোরক্লে। লঙনহুনা হায়রকই, মাগী দমক য়ামনা ব্রাবিরে। শরক অসিদা শুমহৎলবরা?

শুমহৎলে, ঐ য়ামনা ফবা থবক তৌরে—অয়াকপা খোঞ্জেলনা কুটীনা খুম্নকে। অতু ওইরবস্মু মহাক অসিগী ফত্তবা তৌগে হোৎন-ব্রবদি নঙগী নোংমা নত্রগা ঐগী নোংমা। নবূক্নীংদা খঙজিন্দুনা থম্মু।

ফকির মশাবু খামজিনজরে। শাড়িগী ফীনা পাম্নহুনা চিং-শিন্দুনা মতূবু ফমহন্নে। মখোঞ্জেন্দদা লুনা তৌবগী খোম্থাঙ হাপতুনা হায়রকই, নঙগী ব্রা ঐ কৈদৌঙৈ থৌওইদনা তৌবা লৈখরে? ঐনা থৌওইদনা তৌবা ওম্বরা কুটী? নঙবু খজিক্কুং শাউহনবনি।

মতূগী ফজবা মমায় অহু থাঙ্গংতুনা পায়রগা হায়রকই, বাঃ, ওসি নঙগী টিংবা শকফম অসিদি কুটী!

অমুক্কুং কন্না চিংতুনা মশ নান্থোক্লগা চাউথোকপা ফীবমনা কুটী হৌগংতুনা চংখ্রে। মাবু উবা ফংলিবমথৈ, মতুংদগী হিংসা তৌবা মৈচাকপা মীং জ্বোড়া (অনী) অমা মাগী চংলিবা হকচাঙগী মথক্তা থাদহুনা তারে (খানা য়েংলে)।

থেংথ্রব মীচীক মীরাউখোল তাপ্রবা অহীং। নিমাং দ্বাদশী (তরানিথোইনি পানবা সুমিং) গী থা হৌজিক্তা তাখরে অরান্নদা উমংগী মরুমদ। জীব পানবা জগৎ পূম্নমক তুমখরে। অশোংবা উমংদদি তুম্মদনা লৈরি। মাতুগী অওকপা অরুব হিরম য়াওবা লোল অহু উলন্নাউমুক চীকপা অহীংগী মনাকোংনা তাবা ফংই। তপ্না তপ্না য়াম্না চেকশিন্না বনগী মহুংদগী থোরক্লে কাশিম ফকির। রানা শাবা থোঙ হাংদোক্লুনা মখোল থোকহন্দনা মাগী য়ুম মহুংদা চঙলক্লুনা লেপ্লে। ফমুংগী মতাই অমদা চিন্না য়াওদন মুংঙাইনা তুমহনা লেরম্মী মাগী মশক মতৌ ফজবা মুপী। উগী মরুমদগী বেড়াগী অহোবদা চঙলক্লুনা মকাশিনবা থাবলগী ঈথক অম মাগী তুম্লিবা ফজবা মমায়গী মথক্তা তারম্মী। মমায় অহুদা নৌনা ফংবা য়াম্না পেনবগী মঙাল অমা ফাওবগুম তৌই। ফি নিংথিনা কুপতবা অরাংবা মবুক অহু মহুংশাম্বর হোনবগা লোয়ননা তাল চানা চানা

য়াংখংলি, নেমখৈ। মন্না মখোল থোক্তনা য়েংতুনা লৈরে ফকির। মাগী থীখ্রবা ময়াং কংবা মমায়গী শদোঙশিং অদু কনশিনখরে। ময়াগা ময়াগা চীক্লবগী শব্দ থোরক্লে। কুংশিনখ্রবা মমীত্তগী চোং-থোক্লক্লে অশাউবগী মৈচাক্। শিংলি য়াম্না থোকপা খূংকী, অকনবা উগী মতৌগুম্বা মখুং খূংশাশিং অদু চীক্লে তৌরবা (১) বৃশ্চিককী মতৌগুম তূমন্থুনা লৈবা মুপী অদুগী মখোনাউ মনাক্তা চঙ-শিল্লক্লে। অমুক্তং কল্লা পায়শিনবদা মবুক থনবা মুংশাম্বগী পুক্তে অদু লোইথিগনি। মাদুমক লোইখ্রসন্নু—ফকিরগী অকায়বা খোঁন-জেলদগী ময়েক শেংদনা ঙংবা তাবা ফংই, মাদুমক লোইখ্রসন্নু। সংসার অসিদগী চংখ্রসন্নু শয়তানী (লমচৎ ফজদবী মুপী)।···

মশাগী খোঞ্জেল তাবদা ফকির খংলে। মখূং কোনশিন্দুনা মখোঙ খুদোন্দা থাংত্থুনা মখোল থোক্তনা মপান্দা থোরক্লে।

থংনবা য়ুমদা অনৌবা ফমুং অমস্নুং অনৌব মওঙ মশাদা ফাও-রকপগী ফিংগংপনা হোসেন্না তূপ্তত্থু তোয়না তোয়না কায়রম্মী। ফকিরগী মখূংনা মশাদা শোকপদা থুনা হোগত্তুনা ফম্লে।

—কনানো ?

—ঐ, অনেম্বা খোঞ্জেলনা ফিস ফিস লাউনা খুম্লক্লে। মতম ওইরে, তপ্পা তপ্পা থোরক্তুনা লাক্লো।

থোঙ ময়াদা মোমবাতী থাউমৈ অমা থাল্লম্মী। মাত্থুগী মনাক্তা পুশিনখিত্থুনা মক্লেলবু ফক অমদা ফমহল্লে। মশাদা, মকোক্তা, মন্ত্র শোনবা ঈশিং থরদং থীক্লগা হায়রকই, নোট পীরো।

(১) মখোঙ য়াম্না পানবা চীকপদা য়াম্না নাবা তিল জাং অমা—Scorpion।

—নোটতি বিবিদা।

—বিবিদা! বিবিদা কবন্না লৈখিবনো ?

—ঐনা থম্মু হায়দুনা পীখিবনি।

অমুক হন্না মৈ চাক্লক্লে ফকিরগী হিংচা যাইতম্বা মমীং অনীদু।

—ফরে, সিন্নিসি লৌরো। খোদাগী মিং শোন্দুনা মুংশাম্বর থিংদুনা থকতোক্লো। ভক্তগী মথূক্তা শরবতকী গেলাস পীরে।

য়াম্না য়াকপা গজ্ঞা, অদুগা য়ানশিন্নবা শগোলহিদাক্কী দূ। অদুপ চাউবা মশা কনবা নিপামচাদু পূংথায় অমগী মনুংদা লেং-ওৎপা তৌখিদরে। ফকিরগী ময়াও কংখ্রদা মশাদা কদাযদগীনো হিংচাবগী শক্তি লাক্লে। আলিথাল্লা (অশাংবা অকোম্বা ফুরিৎ) লৌথোক্লুনা হুন্দোক্লগা আল্লা হায়ন শোন্দুনা হোসেনগী লে দ্রবা মশা অদু মথোঙ পায়দুনা চিংদুনা পুরে। তোযনা তোয়না ফমদুনা, লেপ্তুনা পোম্বাদুনা টিলা (চীংদুম) গী নম্মোলদা রানা য়োথবে। কবর। মী অশিবা ফুম্নবা কোম) তৌদুনা লৈবম্লে। কোম মন্নুংদা ইন্দুদুনা থাদবদা হোসেনগী মখৌনাউদগী ময়েক শেংদবা নাহেবা খোঞ্জেল থোরক্লে। অতাওবগী মতৌগুম ফকিরনা যোৎপাক্লা লৈপাক খোথরে। কবর লৈপাক্লা ফুঞ্জিনথবে। নাহেবগী খোঞ্জেল মতম কুইনগী দমক তুমিন্না লৈখ্রে। কাশিমগী থবক লোইবা মতমদা অহীংগী অবোইবা প্রহব (অহীং-- মুংথিল পূং ১৪ গী ৮ শরুক অমা) বিদায় তৌগদৌরে (নোংডানগদৌরে)।

ফত্তবা মঙ অমা মঙবদগী অয়ুক অঙনবদা কুটী মীকপ থোক্লে। হাথু হাথু মথূৎনা মমীং নোইদুনা মপান্দ থোরক্লগা অহানবমক্তদা থংনবা য়ুম তানা চেনশিনথরে। করিনো সিদে! ইমুং মচুং হাংদুনা

লৈরম্লে (হোসেন লৈরমদরে)। তুমহুনা নত্রগা তুমশিন্নহুনা ফকির মাঙ্গোন্দা হীপতুনা লৈরম্মী। হৌদোকপদা থ্যাক থ্যাক শব্দ তৌ-দুনা হৌগংলে, অয়ুক অঙলবদা হৌদোকপা করিগীনো ?

—মাবু উদে, ইপা পাখংলবা খোঞ্জেলনা কুটীনা হায়রকই।

—চৎথরবা ওইরম্বা য়ায়।

ফকির অমুক মথা তানা খুমদরে। কুটী অঙাওবীদৌনা কোয়থিথিবা হৌরক্লে। খঙহৌদনা শরবত হাপ্পা গেলাস তাহুনা লৈবা উরে। লৌথংতুনা মনাতোন্দা থাঙ্গৎতুনা মনম নম্বদা কুটী মশা অপূম্বা মতু খ্যাও চু লে। মনম অসিদি মানা খঙদবা মনম নত্তে। চৌংতুম মনাঙ্গা চেনশিনখরে। মাগী মপূক্রী৺গী মচী অম্বদা চিংনবা খরদং লৈরম্বদু লোইনা পাইখরে (হোসেনবু লৈপাক মনুংদা ফুমজিনখরে হায়বা খঙলে)।

অদোওবা ফিংগংপগা লোয়ননা চেনশিন্নকুনা কুটীবিবি ফকিরগী মখোঙ মথক্তা তুথরে। য়েং ওইনা খবক্তা নাকথং অনী কায়না কপ্পা হৌরে। মনা কপ্পতুগী অরোয়বা লেররোইদবা মওঙ ওইরে। ফকির নীনগী মমাং পাঙথোক্তুনা য়েংতুনা লৈরে, মথুংনা কাপথিবা তেলনা পান্দুনা অনাবা চৈনাখোল্লনা ফ্রু ক্রু ওন্না খাঙহুনা লৈবা শক্তি অমোমদা ব্যাধ (শাতানবা মিপা) না য়েংতুনা লৈবগুম্বনি।

খঙহৌদনা করি খল্লবনে, কুটী হৌগংতুনা ফম্লে। অরাওবা মমীংকী মীৎনহাদ নোংথাঙলৈগা শান্নখরে। অপাবা মচৌনবান অনীগী মথক্তা নুংশি খঙদবা মীনোক্তা লৈয়ি। অমেঙবা অরংবা মমায় অত্থ মীৎনা কুপ্পদা অকনবা নুং ওইখরে। তথকপী শক্তি অমোম শিরে। মাতুদগী শাউরবগী নীল অমোম অমা পোক্লক্লে।

মাগী মশক হোংলকপসি কাশিম অঙকপা—অকিবা মীংয়েংনা

য়েংহুনা লৈরে। অতুদি ওইরগা মাগী মখোনাউ অহু মখোল থোক্কে। কুটীবিবি চপতিংনা লেপ্লে। নাম্থোক্লুনা তারম্বা শাড়িগী ফীনা লৌ-খংতুনা মখাং অকোয়বদা কন্না পুনশিল্লে। অহুগী মতুংদা মরাগী মমায়দা মথুৎ খূদোনবী থিন্দুনা মপুংশাম্বর থিংহুনা হায়রকই, লম্মন খুমগনি, ঐ মাসিগী লম্মন খুমগনি।

কাশিমনা ডকপগী অমম্বহু কোকত্রিবৈভেগী মমাঙদা মহাক নোংলৈ মুংশিং অকনবগুন্না চেনখ্রে।

ফকিরনা মাবু তান্নরে,—কদায়দা চৎলিবনো কুটী? হল্লকখো, ঐগী ব্রা তাখো।

কনাম্নু থুন্নমদরে। মীকুপ অমগী মনুংদা বনগী মরুমদা নোং-থাংমুক য়াঙনা চেনখিহুনা মাগী মশা অহু উবা ফংখিদরে।

বন লাম্থোক্লগা লৌবুক লম্বাং। লৌবুক লাল্লগা অমুক বন। ওলাংথাদা লৌ থোইরবা লৌবুক। লৈপাক নত্তে, নুংগুম্বরনি। অথোংপা মখোঙ অনীহুদা ঈ থন্না চেন্থরক্লে। কুটী হন্না ফাওবা য়েংলমদে। ডক্লবা লম্বী চৎপা মীগী মরোল থোক্লবা খঙনীংবা মওঙ অহু য়েংলমদরে। মরক মরক্তা ব্লারবা খোঞ্জেলগী ফিংগৎলবা ব্লাহং—লম্বী চৎপা মীবু খংহন্দুনা—থানা য়োগদব্রা কয়া ব্লাংলি হায়বা ভমব্রা?

লমদা থাগী আকাশদগী মৈ হৈথরক্লি। ঈশিং থৌরাংবনা মপূক মমুং খ্রক্ খ্রক্ কংখিহুনা চেকথায়গদৌরে। য়াম্না ভোবা মমায়দা ঈগী মঙাল ফাওদোরক্লে। হুমাংনা মশা অপূম্বদা শেংলিবা মফি চোংলৈ। কুটীগী লেপ্লগী মতম লৈতে। ঈরেপ লেপ্তুনা চৎলি।

মাইল কুন্নিথোইগী লম্বী লাকুনা থানাগী লম্বাংদা থুংবা মতমদা

মাগী মথহায় হিংনবগী শক্তি লোইরমালে খল্লে মাঙ্গোন্দা কাথংপা ওমদরে। ময়েক শেংদব খোঞ্জেলনা অমুক্তং হায়বম্মী, ঈশিং। অসি হায়রগা জ্ঞান মাঙহনা তুথখরে।

ডাক্তারনা হোৎনহনা জ্ঞান তারক্লে, মমীং হেক পাঙথোকপগা কুটীনা খোঞ্জেল রাংনা হায়রকই, মী হাৎলে, বুউজ্ঞানগী জঙ্গলদা মী হাৎলে॥থুন চংলু নখোয়।

মখোঙন চুংপগী পাঙ্গল লৈতরে। অহীং অতুদা ড়ুলি দোলাক্তী তোংহন পুলিশগ লোয়নন আখড়াদা হল্লক্লে। কবর তৌথোক্কনা হোসেনগী অশিবা মশা লৌখৎলে ইনথৎলগিব পাখং ওইরক্রিবা নিপামচাহু মশ চোকথরহন রাবহনা হৌদ্বিক্তা ভূমখিবা মতৌ মাল্লি। অমুক্তং কৌরগা হোগৎলক্কনি। কুটী খংলাক্তী লংউনা মাগী মবুক মথক্তা তুথখবে।।যামনা গুংশিন মফি কানান। মাগী মনায়দা লৈপাক পকপগা দাগ অহু লৈতৱক্লে।। খেয়ম লবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, ডাক্তার অমতা কৌবিয়, নখোয়না মা শিররি।।হিদাক খরদং পীজবগা হিংগৎলক্কনি।

মনাক্তা লৈব কবরশিং অতুমু তৌথেক্লে। খপুম্ব অশিবা মশা অনগা, শবকায় (skeleton) তরাগা ফংলে

কাশিম ফকিরগী উকিল সুজিৎরায়গী বৈঠকখানা মা ফমফমকা) দা ঐখোয় রারী শারম্মা। ভদ্রলোক্কী জীবিকা (জীব হিংনবা উপায়) দি ওকালতি (উকিলগী থবক) নি অতুদি ওইবগ মহাক্কী মশাগী পীথোরকপা লমচৎ স্বভাবতি সাহিত্যগী থবক ওোবান!

অহানবলিবা-মাগী জীব হিংনবা উপায়নি, অনীশুবসিনা (১) উপসর্গ নি। লরায়বী লমদমদা মরক মরক্তা সাহিত্যগী মরমদা যশঃকীর্ত্তি (কজবা মিংচৎ) পাম্বা লমদম অতুগী লাইরিক ইবা মীগী হকচাঙ রাহনবা রারেং রত্রগা তূম্বা থেম্বা কবিতা (শৈরেং) পাবনা মরম ওইতুনা ইনাক খুনবা মীগী বৈঠকখানা (মী ফমফম কা) দা চাগা অগোই অপা খরগা চাতুনা সভা ফমবদা উকিল বাবুসি শাশিন্নবা নত্তবা অশেংবা মেম্বর অমনি। অতুগুম্বা অধিবেশন অমদা ঐগা মহাক্কা শক খঙনখি। শক খঙনবা অতু মথং মথং হেক্তিল্লকুন। মরূপ ওইরক্কবা মতমগী রানি। মহাক্কী মক্কেল (কাশিম ফকির) গী হাৎ-পগী হুকুম অতুগা মশাগীনা মায়থীবা ফূরিংথাউদা হাপচিন্দূনা ময়ুম কুমক্লগ মহাক্কা ঐবু কৌবা মী থারক্লে। ঐনা উরম্মী, উকিল ওইরবস্তু ঘটনা অসিনা মহাক্কী বুদ্ধিগী কা অতু লাম্হোকখিতুনা মহাক্কী পুক্লাংগী থোঙদা য়ৈররে। ভূমিকা (রাহৌদোক) অমতা য়াওদনা মহাকনা কাশিম ফকিরগী শাংখ্রবা রারী অরেপ্পা লৈতনা ঐঙোন্দা তাহল্লম্মী। হায়রবদি, ঐ অসি র'রী তাবা মী অমা য়াওবা দরকার ওইবদনি, রা পূমমক অতু মলানা মশাদা লৌতুনা তাহনবনি।

ঐ জেলগী মীনি। মীওইবগী অরাব—ফত্তবা দশাগী ইতিহাসনা ঐগী পুক্লাংগী লামায়দা দাগ তৌবা চমদে। মাতুগা গদ্য (রারেং) গী মশক ওইবা অশেংবা অচুম্বা মাইকৈতুদা ঐন য়েংলম্মী। ঐনা হায়-রম্মী, ফকির সাহেবকী মঙ্গল ওইনবা ফজনবগী দমক নহাক্কা নোম্বি খিবতু থাবু থাদোক্লগে; খরচনচিংবগী হিসাবনা উকিলবাবুগী

---

(১) ধাতুগী মমাংদা হাপ্লগা ধাতুগী অতোপ অতোপ্পা অর্থ থোকহনবা অব্যয়শিং অতুবু উপসর্গ কৌই। Prepositional prefix,

পকেটকী মথক্তা য়াংনা অয়াম্বা পীবা ওইরোই (সেনাইগী পকেট-তগী শেল তীংলমগনি)। মহাক্না হায়রকই, মাতুগী ওন্না তৈনবনি। অহোইননা অয়ামম্নি হায়তুনা পকেটতা চঙলকপা শেলতুগী চাং মশীং অমু উকিল বাবুনা মহৌশা ফংবদগী হেনবা নত্তনা অয়াংপদি নত্তে।

ঐ ওল্লম্মী, করিনো হায়বিরিবদো ? কদোমদগী লাকপনো ? ফকিরগী অম্নপ ফবা মন্নপসি কনানো ?

—করিনো, মাগী নুপী কুটীবিবি ?

ঐ অসিগুম্বা মীয়েংনা য়েংতুনা লৈরম্মী, সংস্কৃতকী লোন্দা মাহৎ বিস্ময়—বিস্ফারিত লোচন (ওকপনা লাওথোক্লবা মীৎ) কৌই।

সুজিৎবাবুনা অমুক হেন্না শেংনা হায়রকই, খরচনচিংবদি পীরবমক্তি, ঐগা মঙারক উনখি।

ঐনা য়াম্না থওনীংবতু নমথতুনা থমদরে। ঐনা হংলম্মী, মপুং-রোইবা মহাত্মাগা উনবা পাম্মী হায়দবরা ?

—না (পামদে) ঐনা নোংমা য়াম্থ হৌদোক্লম্মী। মচীন শুগৎ-তুনা মানা হায়রকই, মুখপোড়া (মমায় মৈনা চাকপা হায়না চৈবা মীচি) অমু উরগা ঐগী করি কান্নব ওইগনি ? অতুদি ওইরগা মানা ঐত্তোন্দা তোয়না হায়রম্মী, লূপা চঙগদবা পুম্নমক পীগনি, উকিল বাবু নওনা য়েংবিয়ু, মাগী মওকশম অমু হিংনবা (ফাঁসি তৌদনবা)।

অতুদি ওইরগা ওকশম অমু কনবা ওমখিদরে, সুংশাম্বর মপী তোন্দনা হায়রম্মী সুজিৎবাবুনা।

উকিলবাবুনা ঐবু থাদোকপা মতমদা অহীং পুং তরামাথোই তাখরে। লম্বী লমশাঙ অমু চৎপদা ফকির মতৈ মনাওগী মিংচৎকী

য়াৱীনা ঐগী পূক্নীং অসি কুপশিন্দুনা লৈরে। নিপা অসিবু অমুক্তং নীংথীনা য়েংগে নীংলে। য়ুমদা চত্তুহনা জেলদা চঙলে।

হাংপগী দণ্ডি ফংলবা আসামীগী মী চীকপা কা—জেলগী লোন্দা মাহুবু ফাঁসি ডিগ্রি নত্রগা কণ্ডেমড সেল কৌই। য়োংকী শরং হাপ্পা থিংজিনবা থোক। মাহুগী মনাকমক্তা য়াকখ্রবা ঙানখ্রবা লাংলটেন অমা থাল্লি। মাহুগী মনাক্তা মথূত্তা লাঠি (চৈবুল) পায়বা য়াম্না চেকশিনবা শন্ত্রি লেপতুনা লৈরি। কয়েদী অসিমতংগী দমক মহাক অসি তোপ্পা হাপ্পনি। মাগী থুনুখরংগা মান্নবা মমীংনা কম্না থিংতুনা থম্বা অহুদগী ময়াইবক থীবা বন্দীগী সেকেণ্ড অমা ফাওবা মুক্তি (অৱাবা কোকপা) ফংবা য়াদে। ডিউটি লোইবদা মহাকনা চংলমদাইদা মাগী মহুত্তা অতোপ্পা মী অমা লাকনি। মা চংখ্রগা অতোপ্পা মী অম্না। বন্দী অসিনা মুক্তি পূমফং ফংদ্রিবা ফাওবা শন্ত্রি হোংদোক হোংজিনগী থবক অসি লেপ্পা লৈতে। মাসিমক আইন্না লেপ্পা নিয়ম্নি। আইন অসি কনানা শেম্বনো ঐ থৱদে। যেস মী অমগী ওইরবস্নু, মমীং মীংয়েং অমতা ওইবা শন্ত্রি অসি-গুম্না মহাকস্নু, ঐনা খঙবদি, লৈপাক চাকপগী বেদী (থোনগংতুনা শেম্বা ফম্বাক) মথক্তা লেপ্লমগনি। সিপাহী অসিগুম্না মহাকস্নু মাগী মথূত্তা সমাজগী স্বার্থ (ওইজবা কান্নব) গী লালটেন পায়রমগনি। মাগী দমক নিয়ম অসি শেমখিবা মী অহুগী মনাক্তা লেপ্তুনা, মাঙোন্দা য়েংতুনা মহাক্তা মহাক্কী আইন অসিগী ধারা (Section) অমা ফাওবা শেমবা তৌখিদে। য়াসি মহাক্কী মপূক্নীংদা থংলমদবা য়ায়, মী হাৎলবা হুকুম হায়বসি য়াম্না সুংশিবা খঙদবা ওইবা অহুদগী চেকশিনবগী দণ্ড অসিনা অমুক হেন্না সুংশিবা খঙদবনি। ফাঁসিগী

ফম্বাক্কী মশক উদবা মমিনা মতম লৈবা খিবিক্কা নিপা অসিগী মতুং ইম্নহুনা চংলি, অহৌং মুংথিলগী করি করিগুম্বা মতমদা মানা মাহু, ওইবা য়ায়, কাউহ্নুনা লৈবা ঙম্মী, অহুদি ওইরগা মতম পূম্নমক্কা মম্নীৎ পাওহ্নুনা তূমদনা লৈব অয়াকপা অকনবা মীৎয়েংনা মতুং ইন্নবহু মিকুপ অমা ফাওবা কাউবা ঙমদে। মহাক অসি প্রহর নিপালমক (অহৌং মুংথিল পুং ২৪) নজরবন্দী (শক্তিগী মীৎয়েংনা য়েংহুনা থম্বা বন্দী) নি, মাগী চাবা, তূম্বা. হীপ্পা ফম্ব', মাগী থবক মচেৎ অমতা লৈতবা অহৌং মুংথিলগী হকচাঙ য়াবা অমস্তুং পোথাবা, পূম্নমক্কী মথক্কা অতং অথম লৈতবা চেকশিনবগী ছিদ্র য়াওদবা কুয়োমনা চপশিন্দুন থম্মী, মাহুনা মীকুপ খুদী'গী মাগী মথোনাউ ফুন্দবরা ? মুমিৎ খুদীংগী জীব পানবগী থবক অনী দেহী (হকচাং লৈবা) পূম্নমক্কা তৌবা তাবা, অহুদি ওইরগা মী খুদীংমক্কা লোম্না তৌবা তাবা, মাহুগী দমকন্তু ফাঁসি তৌবা তারবা আসামীগী খজিক্কুং মরূম থুপ্পা দরকার লৈতবরা ?

ঐনা তায়, ওইবা য়াবা আত্মাঘাত তৌবগী ফত্তবা দশাদগী কনবিনবগী দংক শিবগী দণ্ড ফংলবা মীগী মথক্কা চেকশিনবা অসিনা লান্দাবা (কনশিন্না তৌব) নি। অহুবু মাগী হকচাঙ হাংপহুনা অহেনবা ওইরবরা ? মহুগা পল পল (খ্বাইদগী হেন্না তেনবা মতম) খুদীংগী থোইদিং অমমমতা ওইনা মাগী আত্মানা আত্মাঘাত তৌরি, মাগী মীনা থীনা লাক্নবিবা মনুষ্যত্ব (মীওইবগী ধর্ম্ম—চানবিবা, মুংশিবনচিংবা) মনুংশাস্বর থিংলে, য়া অহু আইন শেম্বা পণ্ডিতশিংনা খন্দুনা য়েংবিখিবরা ?

খরদং চঙশিন্দুনা সেলগী মনাক্কা ঐ লেপলম্মী। মোন য়াওদবা কম্বলগী ফমুংদা চেপ্না হিপতুনা লৈরম্মী ঐগী বন্দী, condemned

Prisoner কাশিম আলী ফকির। তুল্লিবরা, তুমদনা মীকপ খোক্লুনা লৈরিবরা, কনানা খুঙগনি। মহাক অসি লৈরি অসিদনি ঐনা খুঙ-ঙগী কান্নবা। মাসিদং উরগা অমস্তুং ঐগী থাজবা য়াবা থবক তৌবা মীগী মচীন্দগী মাগী য়া তারগা ঐগী চিন্তা ফোক্নে। মানা মপূক্লীংদা করি থনবগে খুঙনবা ঐ থিদে। থিবগী য়াস্তু লৈতে। অতুবু করি-গীনো খুঙদে, ফুট মরি মথায় য়াংবা ময়াং কংবা মিপা অসিগী মাই-কৈদা ঐ বিহ্বলা চুক্লুনা ঙকচানক্লুনা য়েংক্লুনা লৈরম্মী। মাগী মকোক থন্না হৌবা শম, মচীন কুপশিনবা মকোয়, উইশিনবা মমীংকী কুৎ-শিনবা চোনথবা উনশা, মযাং কংবা মশাদা শেংপা অশুবা অভৌবা ফিজেৎ অমস্তুং তোপ তোপতোক্লা চিন্তা তৌদনা হিপ্তুনা লৈবগী ভঙ্গী (হকচাংগী মওং)—খোঙ পূন্নমক অসি নোক্লীংবা পোকহল্লি হায়না ঐনা খল্লি—ইংরেজীদা funny হায়বদো, নিপা অসিনা মী হাংথিবনিকো ? অমতা নত্তে, অনীদা নত্তে, মী তরানিথোই হাংপা।

ফকির আপীল তৌদে। অদু ওইরবস্তু আইনগী নিয়ম মতুং ইন্না মী হাৎপগী দণ্ডিদা মহামান্য (য়াম্না ইকায় খুম্নফম ওইবা) হাইকোর্টনা য়াবা দরকাররনি। ভুমিৎ কয়ানিমুক্কী মতুদা confirma-tion লাক্লে—Death sentence confirmed অসিগী মতুংদা প্রাণ—ভিক্ষা (থরায় কনবিয়ু নিজবা) গী অদুগী মথংগী থবক। অহানবদা ছোট লাট (Governor); মফম অদুদা কারদ্রগা বড়-লাট (Viceroy); মহাক্লনস্তু য়াবিদ্রবদি মহামহিম (য়াম্না চাউবা) ভারত ·সম্রাট (ভারতকী নিংথৌরেন)।

Mercy petition গী draft সু শেম্লে য়াম্না যতন তৌনা লেংব, য়াম্না পূক্লীং শোদোকহনবা বিশেষণ (adjective) পুল্লপ পুনশিনবা। অদুদি ওইরগা ফকির আবেদন (হায়জবগী দরখাস্ত)

অহুৎনা থূবী সই তৌ হায়বা য়াদরে। মা মাগী থৱায় ভিক্ষা তৌবা পামদে। ময়ম অহুন কায়দনা মতম থিস্থবা তৌদনা ফাঁসিগী মুমিৎ লেপ্লে। আসামীদা মাহু খণ্ডহনবগী নিয়ম লৈতে।

মী কনা উননীংই? সরকারগী ওইনা ফকিরদা হংলম্মী।

মীকুপ অমতং করিনো খল্লে। অহুগী মতুংদা মকোক হায়হুনা খণ্ডহল্লে—না উননীংদে।

হুমিৎ হুম্মিরোমগী মতুংদা সেলব্লক্কী মনাক্তা ঐ মুংথিলদা চংলম্মী। ফকির মাগী 'ভিগ্রি' গী থোঙগী মনাকমক্তদা ফম্লম্মী। মাগী মমায় উবদা মা করিনো রা অমা হায়নীংবা মত্তৌ মাল্লি হায়না ঐনা খল্লম্মী। মনাক্তা চঙশিন্দুনা ঐনা হংলম্মী, করি হায়নীংই?

ফকিরনা কোইয়েং য়েংহুনা হায়রকই, মফম অসিদা মুপী লাকপা য়াব্রা, বাবু?

—করিগী য়াদনি? উননীংবা মী লৈব্রা?

—ঐগী বিবি (মুপী) গা অমুক্তং উননীংই। মমিং কুটীবিবি মধুপুর থানাগী রাউজান খুন্দা ময়ুম লৈবনি।

সরকারগী চিঠি থাখ্রে কুটীবিবিগী মমিংদা। মাহুগী নকল (copy) অনা থানাগী অফিসার—ইন-চার্জগী মফমদ. থাখ্রো।

সরকারগী নত্তবা পাউ মুজিংবাবুগী বৈঠকখানাদা থাখ্রে। মহাক ইরাং লাওলে অমসুং মুমিৎ তারেংনি মুক কম্না থিরবা মতুংদা মমায় মকশিন্না লাকত্তুন খণ্ডহল্লরে, ফংদ্রে মলয় বাবু। অরোয়বা হুকুম হায়দোকপা মুমিত্ত কোর্টতা লাক্লম্মী অহুদি ওইরগা হাকিমনা হোৎগংখ্রবা মতুংদা ঐন. মপান থোরকপদ মাবু উবা ফংথিদরে।

থানাদগী পাউ লাক্লে। হায়রিবা ঠিকানা (address) অসিদা কুটীবিবি কৌবা মী অমত ফংদরে।

ফাঁসি তৌনবা লেপখিবা স্নুমিং য়োরে। নোংঙাল্লমদাই পুং মরি হেক তাবদা আসামীবু হৌদোক্লে। বড়জমাদারনা মাগী সেল মনাক্তা চঙখিহুনা অরাম্বা খোঞ্জেলনা হায়রকই, মপান থোরক্লো ফকির। ইরুজথোক্লগা আল্লাগী নাম শোল্লো।

কাশিম মীৎয়েংফম য়াওদনা য়েংহুনা লৈরে। করিমতা খঙদবা মতা মাল্লি। সেলগী থোঙ হাংদোক্লে। ফকিরনা ওল্লবা মীৎয়েংনা জমাদারগী মমায় য়েংহুনা হংলকই, কদায়দা চৎকদবনো?

চহী ৩৩ চাকরি তৌহুনা জ্ঞান লৈরবা সরকারগী থবক তৌবা মী, য়াম্না উররুবা চীফ হেড ওয়ার্ডার গজানন্দসিংহগী মচীন্দা য়াহং অসিগী পাউখুম পন্দুনা লৈখরে! ইরুজবা অহুগা আল্লাগী নাম শোনবদা কাশিম করিগুম্বা হৈনীংবা উত্তরে। সেলরক্কী মেট অমস্তুং শন্ত্রিনা চঙশিন্দুনা মাবু মপান্দা পুথোরক্লে। মকোক মথক্তা ঈশিং মগ থরা হৈথরগা নৌনা তুবা জঙ্গিয়া (খোঙগ্রাও অককপা) অমস্তুং কোক লিংশিন্দুনা লিংপা পাম্বোম অককপা ফুরিৎ কামিজ স্নুট অমা লিংপিরে। মেট অহু মুসলমান্নি। ফকিরবু মনাক্তা পুশিন্দুনা মহাক মশামক নমাজ (মুসলমানগী কোরাণনা তাকপা পূজা) তৌরে। যন্ত্রনা চালাইবদৌনা ফকিরস্নু মাগী মতুং ইল্লে।

অরোয়বা বন্দোবস্ত পুম্নমক য়েংশিনগে হায়হুনা ঐনা সেল—ইয়ার্ড (সেলগী শুমাঙ) দা লাকপা মতমদ ফকির নমাজ তৌবা লোইরে। চঙশিল্লকুনা ঐগী হৌনাক্তা লেপতুনা মানা হংলকই, মা লাক্তরবরা বাবু?

মীকুপ অমতং ঐ রাখল তৌরে। অহুগী মতুংদা হায়রম্মী, মা লাক্লম্মী। অহুদি ওইরগা নঙগী নপাউ রা তাবদা পঙকপ্তা কপতুনা অফিস মমুংদ রাম্বহুনা তুথখরে। ডাক্তারনা হায়রকই, ওইরবা

ফীবম অসিদা মাবু নঙগা উনহনবা চুম্লোই। ফিদাক-লাংথক্লচিংবা পীজহনা মশা থরা কলহল্লগা মযুমদা চংহনথরে। ঐনা ঙাঙবা মাহুগী ময়েক থুদীংমক ফকির মশা পুম্নমক (থম্নায় য়াম্ন য়াওনা) য়াওনা তারম্মী। অহুগী মতুংদা আকাশরোমদা য়েংথংতুনা ময়েক শেংদবা খোঞ্জেলনা মঙংশাস্বর হোন্দুনা হায়রুকই, আল্লাপ্পা। ঐনা পুক্নীংদা থল্লম্মী, মাগী থুপখ্রবা থমোয়গী মতম কুইনা থিংহনা থমখ্রবা অম্নাবগী পোংলুম অহু মঙংশাস্বর হোন্দোকপা অসিগা লোয়ননা মপান থোকখ্রে। অহাৌং নোংঙাল্লমদাইগী ময়েক শেংদবা মঙালদসু ঐনা শেংনা উরম্মী, মাগী মকশিনখ্রবা মমায় অহু মীংনা কুপ্পা অমতং ঙাল-থোরক্লে। ময়াঙ কংবা কুংশিনখ্রবা মমীংকী মচী অমদগী মথোল থোক্কনা পি চহুম থরা তাথরে।

অন্তর্যামী (মীওইবগী মপুক্নীংদা নীংবা থঙবিবা) ভগবান্না থঙবিরি, ফকিরদা ঐনা হায়খিবা মা পুম্নমক অহু ঐগী রচনানি (অশেম্বা য়ানি)। অহুম্নদি ওইরগা মীনম্বা মা অহুমতগী মমলনা ঐনা মুম্নিং অদুদ অথোইব খ্বাই পুম্নমক্কগী হেনবা পোং অমা ফংখিবহু ঐগী পুন্সী চুপ্পা অচুম্বা মা ঙাঙবদগী ফংবা সম্মান অহুপা শিম্নবা ঙমগানা। ঐ করি করিদা ফংলে? শিবগী লম্বীদা যাত্রা তৌহনা চংলবা নিপা আসগী থশ্মোয়দা ঐনা থাজংতুনা হাপখিবা অমৃত অহুগী শিববু জয় তৌবা মাধুর্য্য (অথুম্বা) অহু ঐগী পুন্সী অসিদসু অমাঙ অতা লৈতনা লৈহৌরে।

ফাঁসি তৌনবা যন্ত্রগী মাইকৈ মরিদা থবক কম্না তৌবা হেনংগংলক্লে। সুপার সাহেব লেংলক্লে। মহাক্কা লোয়ননা ম্যাজিষ্ট্রেট অমসু লেংলক্লে। সরকারী ইউনিফম শেংপা জেলর অমসুং মহাক্কী মতেং পাংবা মীশিংগী দল পরেংশানা লাক্কুনা মায়কৈ অমদা

লেপলে। খুংলায় পায়ব রিজার্ভ ফোর্স অতোপ্পা মায়কৈ অমদা লেপ্লে। মায়কৈ মরিমক তুমিন তুমিন চেকমৌ লাউদে। অহুপ চাউ-থ্রবা জেলগী মী লীশাং অমা চহুম, লীশীং অমা চামরি মসুংশাম্বর থিংলবা মতাগুম মতম নকশিল্লক্লবা অচৌবা করিগুম্বা থোথোক অমা ভাইহুনা য়েংহুনা লৈরে। অম্সুপ য়াম্বা ব্যারাক অহু প্রেতপুরী (যমগী লৈপাক) গুমথরে। মথরায় পানব জীবগী খুদম বিন্দু অমা কাওবা করিগুম্বা মক্মদস্ সু লৈতরে।

সুপারনা ব্রা ভাঙদনা ইঙ্গিত তৌবদা আসামীবু পুশিল্লক্লে। মকোক্তা মমীং কুপশিনবা টুপি। মখুং অনীহু মতুংলোমদা হাতকড়া চল্লি। নাকল অনীদা সিপাহী অনীনা মাবু পায়হুনা, তপ্পা তপ্পা কাঁসিগী ফম্বাক মথক্তা পুখংলে। আসামীগী মকোক্কী মথক্তা মপা চপ চানা য়োংকী অকোনবা কাংগোই অমদগী (১) ম্যানিলা থৌরাগী অকোনবা অচৌবা কোঙ্গোয় য়াম্থরি। মাগী মখোঙ মথাদা য়োংকী য়োংমপাক। মাহুগী মথাদা অথেনবা লুদবা কোম। মী হাংক-দৌরিবা নিপাহু হুকুম ভাইহুনা শেমশাহুনা লৈরে।

সুপারগী মথুক্তা ওয়ারেন্ট (হুকুমগী লাইরিক)। অরাম্বা থোন-জেলনা জজগী হুকুম পাথরক্লে। রিলজ খাতাগী থবক শুবা ডেপুটি জেলরনা মাহুগী বাঙ্গালা লোন্দা অর্থ হন্দোক্লুনা তাহল্লে। অহুগা লোয়না লোয়নবা রিজার্ভ চীফ হেড ওয়ার্ডারগী অনেম্বা অরাম্বা কমাণ্ড—Present Arms ; য়ামনা হৈশিংনা রাইফলগা কোল্লবা বেয়নেট থাঙ্গংলে। মতম কুইনগী দমক বিদায় তৌগদৌরবা বন্দীগী

( ) ফিলিপাইন দীপুঞ্জগী কোন্নুং ম্যানিলা (Manila) দা হৌবা লীমোল্লা তাবা থৌরী।

মফমদা বন্দীশালা (বন্দী শঙ) গী থৃংলায় পায়ব। তেঙ্গোলনা মথোয়গী জরোয়বা লাগী সম্মান উংলে।

রাইফল বাঁট (মতোন) কী মথক্তা মখোয়গী মথূংনা ফুবগী শব্দ মতম অচ্ছদস্থ মাঙথিদরি। থঙহৌদনা মাইকৈ মরিমক কিহন্দুনা উলরাউমুক চীকপা জেলগী শুমাঙ অত্থগী মবূক হোগায়হুনা য়াক-খ্রবা অরাবা খোল্লেল অমা পোকখায়রক্লে (কন্না লাউরক্লে)—'থাদোকউ, নখোয়গী নখোঙদা তুজরি, ঐবু থাদোকপিয়ু—।' ফাঁসি-গী আসামী অহু ফাঁসিগী ফম্বাক মথক্তগী চোংথহুনা চেনগে তৌরে। পাখং ওইরিবা সিপাহী অনীনা মাবু ফাহুনা থম্বা ঙমদরে। মী হাংঙ কদৌরিবা নিপাহু ঙক্কুনা থবক তৌদনা লেপ্তুনা লৈরে। সুপারগী মরাইবক্তা কুংশিনবা লৈম্নি খোরক্লে। মহাক্তা ইঙ্গিত তৌবদা অতৈ অতোপ্পা সিপাই অনী চেনখংখিহুনা আসামীগী তুথরকপা থক্ থক্ নীকপা মশা অহু কোকখক্তুন কল্লা ফাহুনা থল্লে। মথূং থুনা Hangman না খোরী কোঙ্গোয় হুক্লে অমসুং মীকুপ অমগী মনুংদা য়োংকী থূংপায়ফম মখোক চিংলে। মখোঙনা নেংলম্বা য়োংকী য়োংমপাক অহু মখাদা তাখরে। অহুগা লোয়ননা মীংনা কুপ্পদা কাশিম ফকিরগী ময়াং কংবা মশা অহু গুহা মনুংদা তাখিহুনা মশক উথিদরে। অকনবা অচৌবা খোরী অমতং ঐখোয়গী মীংকী মনাক্তা য়ান্দুনা লৈরে। অমুক অনীরক্তং খজিক্তং লেঙই। অহুগী মতুংদা পুন্নমক তুমিন্না লৈখরে।

মী পুন্নমক্কী মচীন্দা রা অসিমতা। নিপাহুনা তৌরম্বসি করিনো? মচীংডৈ হৌরকপদা আপীল তৌদরে, Mercy petition থাদরে, ফাঁসিগী উপাক মথকমত্ত দা মমৈথঙদা তেক্কুনা কায়হুনা তারে। ড্রামা-টিক ঘটনা অশেংবনি!

ফাঁসি অসিগী মরমদা মুমিং অতুদা মারী মাতায়'শাবগী "সভা কয়ে। সিনিয়ার অফিসারশিং'না মখোয়না মমীংনা উখিবদগী ফং-লকপা জ্ঞান অতুগী মা ভাঙবা হৌরে। বীরেনবাবুনা হায়রকই, ঐ ফাঁসি কয়া য়াম্না উরক্লে। .টররিষ্টশিংগী মা হায়রোই। মখোয়গী থৌদোক্তি ইতোপ তোপ্পনি। মখোয়দু নত্তবা ঐনা উবা মী অয়াম্বা সেলদগী gallows ফাওবা কাহুনা চিংহুনা পুরকপা ভাক্তনি। নহাল আলিপুর জেলদা মুসলমান পাথণ্ড অমা য়াম্না থৌনা ফবা মতৌ উংখি। আলি মহম্মদ হায়ব্রা করিনো মাগী মমীং; ঐ চপচাবা নীংশী'দয়ে। অচৌবা মীগী মচানিপানি। মতম কুইনা অচৌ অশাং ওইরকপা, মীনা ইকাই খুম্নবা ইমুংগী মুপী অমা মানা লুহোংহনা লৌখি। মাগী মুপী অতু মশক য়াম্না ফজমালে। থা অমা ফাত্রিডৈদা নোংমা মুপীহুবু লোইথোক্লে।

—লোইথোক্লে! করিগীনো?

করিগীনো হায়ববু করিনো? লমচংকী মরমদা মপুক্লীংদা চিংনবা। চহী নহা ওইরিডৈদা ওইবা হৌনবা অতুনি। অভাওবদোনা মুংশিব-শুম,মীং কুপফাম্ভিডৈদা পুক্লীংদা চিংনবা। অওইবমক, মানা তৌখিবা থবক্তু অরানবনি হায়বা খঙলকপদা থীনবা তৌখিদয়ে। মতম অতুদা থাঙ ছুরি অতু পায়হুনা থানাদা লাক্লে। ম মশানা মোকদ্দমা তৌবা পাম্নমদে। অতুম্নদি ওইরগা মাগী ইমুংগী মীনা মাগী মাহু কদায়দগী ভাগলি? হোৎনবগী অরাংপা লৈরমদে। অচৌ অচৌবা উকিল—ব্যারিষ্টার, উপায় ফংনবা হোৎনবা, হায়জবা, মীয়াম ফা— পুনবা, রুপ লাউবা। অতুম্নদি ওইরগা মম্মৈদা মাগী মঙকশম অতু হিংদয়ে (ফাঁসি তৌথয়ে)।

মাবু ফাঁসি তৌবা হুমিত্তু ঐ নীংথীনা নীংশীংলি। সেলদগী চাউথোক্লা মথোঙগী খুকউ খুজেংগী তাং মখোল থোক্লো য়ৈনহ্নো থোরক্লে। gallows গী মথক্তা মবূক কংথোক্নুনা লেপ্লে। বড়-সাহেবনা ওয়ারেণ্ট পারম্মী। ময়ায় চল্লকপমক্তদা মান। হায়রকই, মাহু থমলো সাহেব। ঐ ওয়ারেণ্ট অসিগী ৱা মমাইঙদনা তাখরে। নঙগী হ্যাংমেন কৌরো, থৌরী কোঙ্গোয় হুক্রসন্থু। I am ready.

......অহুগী মতুংদা তপ্না তপ্না মশা মথন্তা ৱা ডাঙবদৌনা হায়রকই—সংসার অসিদা ঐ দোষ তৌখরে; সংসার অসিমক্তদগী দণ্ডি পুত্নুনা চংলে। ঐগী নীংঙমদবা করিমতা লৈতে। আজ ম্যয় বহুৎ খুশ হ্যায়, বহুৎ খুশ হ্যায় (ঐ ঙসি য়াম্না পেল্লে, য়াম্না পেল্লে)।

ৱাধিকাবাবু অহল ওইরবা য়াম্না উরক্লবা মীনি। জুনিয়ার বাবুশিংনা মহাকপু কন্না পায়রে, দাদ অনী—ম'রদংগী ৱারী লৌবিয়ু নহাকস্থু। নহাক শোয়দনমক ফাঁসি য়াম্না উবিরম্লগনি।

মহাক্লা হায়রকই, য়াম্না য়াম্বা নত্রবস্থু অনী - মরিদি উরক্লে-দনা। পূক্নীংদা কাউদনা থম্বা য়াবা অঙকপ ঘটনা থোকখিবা ঐ উখিদে। পূন্নমক মহৌশা মথৈ তৌরকপা সাধারণ ওইবা থো-দোক ডাক্তনি, সেলদগী ফাহুনা পুরক্লগা থৌরী য়ানবা। case অমতং উরম্মী, মাহুগী মন্থংদা অতৈগা মান্নদব অতোপ্পা মওঙ থরদং লৈরম্মী। লিপাহ্নগী মমীং নীংশীংলি। নিতাই ভটচাজ্। অকিবা মশক ফংনা কেশ তৌগনবা মীনি। মীগী মনঙ্গন্দা চৈনা থিনবা মাগী থবক্নি। মপূন্সী চুপ্পা মী কয়াগী সর্ব্বনাশ (পূম্নাঙ মাঙহল্লগা) ওইনা মাঙ হল্লগা মমৈথংদা মা মশামকস্থু শিগনবা মীহাৎপগী কেশ অমদা য়াও-খরে। লম মুন্নবগী য়ৈন-তুনবা। অতোপ্পা পক্ষগী মী অনী হাংখরে।

অশিবা মশাক্ত লোংশিনখরে, অদুদি ওইবগা মীগী ঈ তৈবা কি অদুগা অতৈ পোং য়ামন' ভটচাজ্জগী য়ুমদা ফংলে। সেসন্স—জজ সাহেবনি। ফাঁসিগী হুকুম তৌরে। আপীলস্তু মহাক মশামক্না ইবিরে। য়ামনা হৈবা ব্যারিষ্টারগী কলমদগী অদুগুম্বা draft থো রক্কদরা চিংনবিভাংনি। অদুদি ওইরগা থবক কান্নদরে। লোয়ার (মথাগী) কোর্টকী হুকুম লেংদনা লৈরে। বয়স চহী তরামণা শুদ্রিবা নাবালক মচানিপা মুপী নিপালমুক পুত্রন' মাগী মতুনা তোয়না মাগা উনবা লাকলম্মী। মতম অমদা মাগী অনস্থা য়াম্না ফবম্মী। শিরম-দাইদা পুম্নমক মাগুহল তাহন্দুনা লোইথোক্লগা মথোযন্তবু লম্বীদা ফমহল্লমতুনা চংখ্রে।

নিপা অসি ইতস্তুতনা হায়দুন লাক্লু, মা কেশ অসিগী মরমদা করিস্তু থংদে, মাগী মরাল শুপ্পে লেতে, যেক্রুবা পক্কগী মীশিংনা মমাংতৈদগী লৈনখিবা কল্লক—য়েল্লবনা মাবু ফাঁসি তৌহনবনি। অচুম্বরা অরানবরা ঐ খংদে। অদুগুম্না বা অদুদি মী পুম্নমক হায়। অদুবু ফাঁসিগী উপাক মথক্তা লেপ্তুনা অরোয়বা মীকুপ ফাওবা বা জদুতা মানা হায়রম্নগা চংখ্রবসিদা পুম্নমক অদু মানশ্বনি হায়না উড়াইবগী পাঙ্গল ঐ ফংলমদে।

রাধিকাবাবু তুমিন লৈখেরে। অরোয়বা দৃশ্য অসি মহাক্কী মমীৎ ময়াদা পাইহুনা লাকপা ওইরমাল্লে নীংহ। মতম থরদং লেপ-লগা মহাক্না বা ভাওবা অমুক হোরে—আসামী gallows গী মথক্তা লেপতুনা লৈরে। ওয়ারেন্ট পাবা লোইরে। হ্যাংমেনস্ত রেডি। সাহেবকী ইঙ্গিততা ভাইদুনা লৈরে। এথোয় পুম্নমক মাইকৈ

অদোমদা য়েংহুনা লৈরম্মী। মুংশাস্বর হোল্লিবরা হোন্দ্রবরা ? খঙ-হৌদনা নিত্যাইগী খোঞ্জেল তাবদা ঐ থংলম্মী। তশেং তশেংবা, অকনবা খোঞ্জেল, অনীকপা য়াওদে, তন্দে মান্দে তৌবা য়াওদে—নখোয় ঐগী ব্রা তাউ, থাজো, ঐ মী হাত্তে। মী হাৎপদি নখোয়নি। মরাল শুপ্লে লৈজদবা মী অমবু নখোয়না জবরদস্তিনা (by force) ফাঁসিগী যুম্বীদা য়ানবিরে।···

অসি ফাওবদং হায়রগা মাগী খোঞ্জেল অহু খঙহৌদনা নরম (অমেঙবা) ওইখরে। প্রার্থনা (হায়জবা) তৌবা মওঙদা মানা তপ্পা তপ্পা হায়রকই অরানবা থবক তৌহুনা, চুমদবা বিচার তৌহুনা ঐবু থব্রায় হিংহুনা লৈহন্দবা, ঐগা সহায় উপায় লৈত্রবা ইতু ইচা-শিংগী ময়াদা চাবা চাক মুন্দুনা লৌবা মীশিং অহুবু, হে ভগবন্! নঙনা বিচার তৌবিয়ু।

মজলিস (সভা) ফম্লিবা মফমসি ডেপুটিবাবুশিংগী অফিসদনি। কাচিন অমদা ব্রা ঙাঙদনা ঐখোয়গা থবক তৌমিন্নবা নহা ওইরিবা সি-তাংশু ফম্লম্মী। ভদ্রলোক অসি ব্রাথল তৌহুনা লৈগনবা অশুকপা মীনি।

মী পুম্নমক্কী মরক্তা লৈরবসু শকোপ তোপ্পা স্বাধিন ওইবা মীনি। মরম অসিদগী মাগা শক খঙনবা মীশিংগী মরক্তা মাবু নিন্দা তৌবা অমম্বুং থাগৎপা অনীমক থরদং কা হেঞ্জিল্লি। ঙসি অয়ুক্কী থবক অসিদা মহাক য়াওবা ঐ উরমদে। ঐখোয়না ব্রারী শাবা মফমদা মহাক য়াওরবস্থু, ব্রা শাবা য়াওরমদে। খঙহৌদনা ঐ করিনো অমা খল্লক্লে। মাঙোন্দা ওনশিন্দুনা ঐনা হংলম্মী, নহাক ফাঁসি তৌবা উদ্রিবমালে হায়না ঐনা নীংই, সিতাংশু বাবু?

মহাক খজিকং খংলে; মাগী মশাগী মরম্লাই ওইবা ব্রাথল

পরেংদা অপন্দনা [illegible] হায়না ঐনা থণ্ডলে। অহুগী মতুংদা মপুক্লীং খোম্নরাগুবগা লোয়্ননা নোল্লুকপা খোঞ্জেলনা হায়রকই, উজরে, স্তর, ফাঁসি অমত্তুংদং উজরে। অহুবু যাহু ফাঁসি নত্তে, (১) শহীদকী যজ্ঞগীদমক থোনগংপা ফম্বাক মথক্তা মরৈবাক্লা মথন্নায় ওইবা ভক্তগী মথন্নায় অহু বলিদান কৎপনি। ন্নাফম অসিগী সম্বন্ধদা মহাক্কী ন্না ভাওহুনা মহাক্কী আত্মাদা উশিং থৌওইদবা উৎপা ত্তোজনীংদে।

সিতাংশুগী ভাবনা খোয়রাগুবসি ঐগী ইশাদা ফাওরম্মী। ফাঁসিগী ফম্বাক মথক্তা জীবনগী জয় ওইবগী ঈশৈ শক্লুনা চৎথিবা মীশিং অহুগী জয় ওইবগী ঈশৈ শকপদা ঐ কনাগীম্নু মতুংদা চৎপা মী নত্তে। সিতাংশুনা উবগুম্না মখোয় অহুগী মী অমা অনী উবগী লাইবক ফবা ঐগীম্নু ওইথরে। অচৌবা অথোইবা উদ্দেশ্য (ফংগে তানবা aim) অমগী দমক শিববু কোনশিনবগী মতুংদা নমথহুনা থম্বা যাদবা অকনবা মোহ (ময়ায় কাবা) অমা লৈ হায়বা ঐ উরে। মোহ অহুনা পূক্লীংবু কুপশিনথিবা মতমদা শিববু কিবা মাডথরে। শিবগী মশক মতম অহুদা অকিব পোকহনবা নত্রে; শিবা মফম অহুদা শ্যাম (শ্রীকৃষ্ণ) গা মান্নথরে, ফাঁসি— ফম্বাক্কী য়োংকী য়োং-মপাক মথক্তা লেপ্তুনম্নু মহাক্কী মমীত্তা মপান নাইত্রবা লেংত্রবা মশাগী শুংভাইবা অপেনবা মুংশিত্তা তাউহুনা লাকই, মহাক্কী মখোনাউদা মপাঙ্গল কনবা গর্ব্ব (চাউথোকপা) মীকপ থোরকই। মখোয়না থণ্ডই, মখোয়গী দমক দেশমাতাগী মতম

(১) শহীদ - ধর্ম্ম অমসুং অচুম্বা সত্যগী দমক মশা কথোকপা মী—Martyr।

লৈবা খিবিক্তা লেংদনা লৈবা আশীর্ব্বাদ অতুগা দেশবাসী (মৈরৈপাক মচা) শিংগী নমথবা য়াদবা য়াম্না কুনা তৌবা ভক্তি পুষ্প পুনশিন্দুনা লৈ। মখোয়গী ভাণ্ডার (পূকৈ) অত্ত থম্বা লৈ। মরম অতুনা মাং-নিলা থৌরীগী বরমাল্য (লুহোংবদা বরগী মঙক্কা হুকপা লৈপরেং) মঙক্কা হুক্কুনা, মকোক য়াংনা থ'ঙংতুনা, নোকনা নোকনা স্বাধিন (মশাগী ইচ্ছা মতুং ইন্না) ওইনা মখোয় চংখি। অসিদি শিনা নত্তে, মাসি মশানা মশাবু বখোকপনি, হান্নদগী মহত্তর (চাউবা হেনবা) ওইশা পুন্সীদা অমুক হন্না আবির্ভাব (কোংদোকপ) নি। মাসিদা শিবসি মাগী দেশগী গৌরব (ইকাই খুম্নব) তা নত্তে, মহাক মশাগীসু মমল মহা ওইনা য়'মখ্রব' অরোয়বা সম্পদ্ (লম্তুম তৌবা ঙম্বা শক্তি) নি।

অদুবু সম্পদ্ অসিগী মরীক অমা ফাওবা ফংখিদ্রবা, শিবনা অম্রাঙবত পীখ্রবা, শিবগী লক্ষ্মী চংপদা ইকায়বা, মীনম্বা মবাল পীশিন বা অমম্বুং মিংচং থীবা ওত্তুগা শাপন লক্ষ্মী চংপগী নামৈশেল ওইখ্রবা, আইন্দগী, সমাজদগী, মাগী মনুংগী ওইবা মী অমম্বুং মরূপ এপাং-শিংদগী নিন্দা (অথীবা মীসৈ গী লম্নোনপোং লৈপাক্রগী খুনসং-তুনা পুথ্রবা, মরল লৈতবা সংসারগী মীনা থাদোকপিরবা মরাইবক থীবা মী হাংপা মীগী দল অসিনা করম্বা শক্তিনা শিববু লৌশিন-গনি? শিবা—সমুদ্রগী সীমানা লোইফম লৈতবা অমম্বদা কবি পায়তুনা মখোঙ থাংহনা চংকনি? মরম অতুনা অশিনা মংখায়গী মমীত্তা মশক অমতনা উংলি, মশক অত্ত অকিবগী মশক্তি। মশক অসি উবদা কনাগুম্বনা ফাঁসি—ফম্বাকী মথক্কা অৱাবা ফোংদাক্কুনা ভেংথাহনা কপই, কনাগুম্বনা কজ্রনা পান্দুনা শিরবা অশিবা মথা-দোনা লেপ্তুনা লৈ, কনাগুম্বনা মশা কায়হনা থুপচিন্দুনা তুথাখ.

কনাগুম্বা অর্থ য়াওদবা চোইরোল লোন্দুনা ময়া মমুংদা য়োংশিন-গদৌরব। অশিবগী অকিবা মশক ফংবা মমি অহু কুপশিন্দুনা থম্বা পাম্মী।

শিবগী মমি হায়বসি ফরি পোংনে। হায়বা ঐ ইমীংনা উরে। ওসি নওব্ ফাঁসি তৌবা মুমিংনি—অরায়বা অপীকপা ব্রা অসিমতনা মতৌ করম্বা মশা মউ ফবা কনবা নাদ-য়েক্লবা মীগী মমায়দগী ঈ পুম্নমক মীকুপ অংগী মমুংদা চুপতুনা লোথোকই, অহুগুম্বা অকি-বগী মশক ওইবা দৃশ্য ঐগী মীংনা উরে। শিবগী মতম নকশিল্লক্লে হায়বা মংাক খওদুবা নত্তে। মুমিং অসিগী দমক মহাক মতম কুইনা শেমশাগ্নুনা লৈরবনি। অহু ওইরবস্থ নকশিল্লক্লবা মতমগা, লাকুনা য়ৌরক্লবা মতমগা অনীগী মরক্তা লাম্থোকপা ব্রানা লাপ্নবা থেন্নবা লৈ। শোয়দনা থোক্লগদবা ওইরবস্থ শিবা হায়বহু অম্নপ কুইবসি মাগী মপূক্লীংগী মমীংনা উতুনা লৈরম্মী। ওসি মাহু মশা য়াউনা লাকুনা থুংলরে। ওসি জগংকী জীব হাংপা রুদ্র (মহাদেবগী জীব পুম্নমক হাংপা মূর্ত্তি) ফাওরক্লে মহাক্তী মমুংশাস্বরনা শোকপদা হিংহুনা লৈরিবা মী অমা লেপ্পা শি। ঈ—শদোওনা শাবা হিংহুনা লৈবা মীগী (১) থড মথক্তা উনশানা কুপ্পা শরূকায় (skeleton) গী মমায় মশক উংলি। দৃশ্য (মশক) অহু উবগী খুদোংচাবা মী কম্নাগী মরাইবক্তা থোকপগে ? সিতাংশুগী মরাইবক্তা থোকখি, অহু ওইরবস্থ মহাক উখিদরে।

সিতাংশুগা ঐগা খংনবা লৈতে। পুণ্য চেনবা আত্মা (Soul) লৈবা শহীদশিংগী মফমদা ঐনা খুজোক অমা থনবা ভক্তি শ্রদ্ধা

(১) থড় — লেংবান্দগী খ্বাও ফাওবা হকচাওগী শরূকপু থড় কৌই

কচ্ছবি। অদুম্নদি ওইরগা পাপ চেনবা আত্মা লৈবা মী হাংপশিং অসিগীদি করি লৈরে? করিস্নু লৈতে। মখোয়ম্নহুগী দমক ঐগী ঊখুত্তা করিমত্তা লৈতে। ঐগী ইকমদগী, সংসারগী মীগী মকমদগী মখোযনা তানবা য়াবা দাবী (claim) অমতা লৈতে। অদুদি ওইরগা করিগুম্ব কালদা পডনা খোক্তনা সজী মী ইনাক্তা লৈতবা ঘামনা চৌকপা সন্ধ্যা য়াচডব মতমদ, ঐগী পূক্নীং অসি ঐগী ইশ্না মনুংদা থূপচিন্দুন লৈবা মতমদা, মীৎ উইশিল্লগা অশিবনা য়ৌবিরবা ঈ মচেৎ অমতা থাংদব, কিবদগী অহোরায় থুংবদোনা কুচু তাইফেৎ তাইরবা, ময়াড কংবা মমায়শিং অতু ঐনা উবা ফংই। অকিবা নত্তে, তুক্কচবা নত্তে, করিনো ফোংদোক্তবা মুংশিবা মায়া অমনা ঐগী থম্মোয় অসি থনথরে।

পোইরবা

ERRATA

লমায়	পরেং	অয়ানবা	অচুম্বা
১৬	২২	য়ুমদা	delet'
১৯	২০	ঘোস	বোস
২২	৩	cel	cell দা
২৩	৫	গড়ধড়	গড়বড়
২৪	৫	কার্মিনোটিভ	কার্মিনেটিভ
৩২	৫	নিষ্টার	মিষ্টার
৩৫	১	লজেনগী	লমজেনগী
৩৮	৫	১০	২০
৩৮	:৬	উথ	উইথ
৩৮	১৬	গ্যান্‌ডহিজম	গ্যানহিজম
৪০	১২	সিম্পাজিং	সিম্পাজি
৫২	১৬	স্নুগায়	স্নুগার
৫৫	৩	কল	কম্বল
৬১	২০	নর্মীং	মর্নীং
৬৬	২৩	রুবগী	লৈরুবগী
৬৬	২৩	শেক্তা	শেগ্রাক্তা
৬৯	১	থাদোক্তুনা	থাঙ্গত্তুনা
৭০	১—২	মতম মা অসিদা	মতম অসিদা মা
৭৯	১৭	ডায়কি	ডায়ার্কি
৭৯	১৭	মনা	মশা
৮০	২১	উপনিযদতা	উপনিষদতা
৮৩	১৩	ময়া	মশা
৮৪	৭	ব্যালাগুম	ব্যালান্সগুম
৯৪	৪	ঈশিং	delet

লামাই	পরেং	অরানবা	অচুম্বা
১০৯	১১	উংন	উলেন
১১০	২১	য়থেংসি	মায়থোংসি
১৩৬	২২	য়ামে	য়াদ্দে
১৩৮	১৯	ম পুশংস্থু	মপুশিংস্থু
১৪৫	১৯	মহাকসিগা	মহাকবিগা
১৪৮	১	ি ষ্টু	বিষ্টু
১৫৪	২০	বঁশীগী	বাঁশীগী
১৬৫	২	পেসনদি	পেনসনদি
১৭৫	১৩	৫	১৫
২৫০	২২	বয়েদী	কয়েদী
২৫০	২৪	ঙলম্মী	চঙলম্মী
২৫১	১৮	ম	মচা
২৫৩	৩	হুয়	হুয়া
২৫৩	১৯	কোক	মকোক
২৬৬	২৩	লানবা	পানবা
২৬৯	৯	মমিত্তা	নমীত্তা
২৬৯	১৭	চাইশিন্দুনা	চাশিন্দুনা
২৭৪	৫	অবয়ক	অবয়ব
২৭৮	১৬	আইন কালদা	কালদা আইন
২৮০	৩	মম্নাইহুপীশিংগা	মচাহুপীশিংগা
২৮২	১৬	হোৎনরবনি	হোৎনরবদি
২৮৪	২১	হয়েংহুনা	হায়হুনা
২৯৩	৯	থঙলম্বরা	খঙলম্বরা
২৯৯	১৮	অরাংবগী	অরাংগী